কৃষ্ণদ্বৈপায়ন বেদব্যাস



রাহেংবম প্রহ্লাদ

কৃষ্ণদ্বৈপায়ন বেদব্যাস

ইজবা

বাহেংবম [illegible]াদ

বাহেংবম লৈকাই,

ইম্ফাল।

ফোংজবা—

ৱাহেংবম গোপেশ্বর,

ৱাহেংবম লৈকাই,

ইম্ফাল।

অহানবা খুংনম— ১৯৯৪ ইং।

কোপি— ১১০০

মমল— লুপা ৭০/-

নম্ফম—

আর বি প্রিন্টিং হাওস,

নাগমপাল, ইম্ফাল।

কচ্চবা

ব্রাহ্মণং বম কৈরুংবম ইবুধো,
লৌবিষ্ণু নগ্গুগী থুদোল,
কৃষ্ণদ্বৈপায়ন বেদব্যাস।

প্রহ্লাদ

ওঁ তৎ-সৎ

আ নো ভদ্রাঃ ঋতবো যন্তু বিশ্বতঃ।

ঋগবেদ, ১—৮৯—১।

নিংথিবা ৱাখল্লনা ঐখোয়দা মাযাইং পুন্নমক্লগী

লাকসনু।

Let noble thoughts come to us from every side.

লম্বী লমকাং কৈদা মীওইবা এখোয়গনা কোইক-চৎলুপবস্নু, অবোইবা মতম অচুপা লাক্লবা মতম অহুদদি, 'মহাক' অহুবু এখোয়বনা নিংশিংলাকহ উনি লাকই, খংনিংলাকই। মহাক' অহুবু মীওইবনা তাহবং অমিবু শেম্বিনা মপু হন্নহো অহুনি হায়না খল্লক্লবা ডম্লক্তে মতম থানিদা মীওইবনা ইবুংঙো মাগী খুংলাই অমা ওইনা, মপুক্লিং চপ থুংনা হোংলক্লবদগী অনম্বং চংক্লবদগী, ইবুংঙো মহাক্না মাগী মশা, ওঠপ শেমবু অনম্বং মহাক মশানা ইবুংঙো মাগী মশা, মচুদা লৈবা অহুবু খংনবা অমদি উক্কবা ওনদবকই নাইবপান ঙমনবা কসি মমতনি হংদবসি খংজবকই — মসিনি 'অবাননন্দ ভগ' হায়না হায়নবিবসি।

তুরেন কযানা চৌখাও কয়া উমং কয়া, লমহাং কযা, লৈবাক কয়া অনম্বং খুঙ্গং কযাবু লাম্হোক্লনা থেক্লা-খোয়ন, মত্রগা চুমদিং চুম্না চেল্লক্লগা অরোইবদা সমুদ্রদা পুল্লপ তিল্লবগুম, ফিরান মচু

কয়াগী মখাদা মীওইবশিংনা লাক্লবস্ু পুন্নপা মচু পুম্নমক্কী তিন্নফম ইবুংঙো মাগী মফমদা পুন্নপা অমত্তা ওইনা অনোইবদা তিনশিনখি হায়বসি লেপ্পথ্রবা অচুম্বা ফিবেপ অমনি। মঙ মতৌশিং পুম্নমক্কা তাংজহনা লৈবিবা অচুম্বা মহাক অহুদি কংশং লশেনা অমত্তনি হায়বসি তাকপিবি। মীওনা মসিগী লেংদ্রবা খুদম অহুনি।

মীওয়াগী হৌবকফম মহাভারতনি। মহাভারতকা মবমদদি থোয়দোক হেন্দোক্লা ওনিংহোয় কনিমনা লৈবা হায়বদা হায়মনবা খোঞ্জেল, মবমদি মসিগী মবমদা অফ ফত্ত অমস্তুং নচম-চনদ পুম্নমক অহুমদি ফাওনা লৈমহনবা লাক্লিবা অসিনি অামত্তুং ফাওনদস্ু অহুম লৈনহনা লৈহোবগদবনি।

চহি চা কয়াগী মমাংদগী হৌনা মহাভারত অসিবু অস্ুম্না হায়নবকই, 'মহাভারতদা যাওদ্রবা, ফংদবা বাফম অহুদি অতৈ অতোপ্পা পুয়া পুরাণ অমদা থক ফাওনমগদবা লৈতে হায়না। তৌজিক চহি লিশিং কয়া হৌখ্রবা নুংং অসিদস্ু হস্ুম্ন হায়নিংবা পোক্লি মহুদি 'মী' মহাক অতৌনা মহাভারতক নিংশিংবা মচিনু থংবা ঙমদ্রবদি, পরমাত্মাগী অরাংবা অমস্তুং অরানবা মক অহুনু ণংদ্রবনি মী মহাক অহুগী মপুন্সিগী অরাংন্ুং দাইনা ফজবা, অমদি অানেম্বা অহু লেজদ্রবনি হায়না।

মহাভারতত অসি ইচম চম শৈরেং লাতবিক অমস্ু নত্তে। মসিদা মুপা মুপীশিংগী থৌনা ফবগী বারিশিং কয়া, থবা অমনা তোপ লোম্পা লাহগী ওইবা মীশাকশিং অমদি ধর্ম্মনিতি, বাজনিতি অমস্ুং অর্থনিতি অসিনচিংবা পুম্নমক্কী মবমদা যাম্না শুগাইনা ইবা

শৈরেং লাইরিক অচৌবা অমনি। পুন্নমক অসিগী মথক্তা ঙসিগী তাইবংপান পুন্নমক্কী জাতিশিংনা য়ানরবা খুংইশিংগী মরক্তা খ্বাইদগী তেন্না লেমজনস্থ রাংলবা গীতাবু শরু-শোন্নরিবা অসিনি। মতম পুন্নমক্কী ওইনা অস্থুম শোন্নহৌরগদবনি। মসিবু তত্তুনা নৈনরবদি, ঙসিগী পুনশিনবা অমস্থুং লাকশিনবা ঙমদ্রবা সমাজগী ইরাং-ফরাং ময়াম অসি অমত্তা ওইনা অফবদা পুরকপা ঙমগনি হায়বগী থাজবা অদু পুক্নিংদদি ফাওরি।

রাহেংবম লৈকাই,

ইম্ফাল

প্রহ্লাদ।

তাং ১২।৫।৯০ ইং।

ৱাহৌদোক

জ্ঞান বিজ্ঞান অনিনা লমজেন তাঃহুনা নৈনহুনতা লাকপদা পন্থুংফম য়োৌবা ওমদনা লৈবনা। গাইনপান অসিদা পোকপা মীওইবা সমাজনি। অহুমু মাগী মাগা রাবলগী পরিংনা অচুম্বনি খন্দুনা মাগী মাগী ৱাবল অহুদা অসুম লৈনবক্লম্মা অমস্তুং লৈস্থ লৈখিগনি। অমগুা ওইবা অচুম্বা অহুগী মক্কমদা থুপমিন্নহুনা লৈমিন্নববস্থ, মপুক্লিংদি অমদা শইন তিন্নন ওয়দবি, মাগী মাগীনা মহৌল্লে খন্নহুনা ওসি মীওইবা সমাজনা অৱাবা খুদোংথিবা কয়া মাইয়োক্লহুনা লৈনবিবা অসিনি। খুনগী লান করা। এলহৌভৈদগী শোক্লহুনতা লাকপদা ভৌতিক ফাওবা অসিদস্থ শোক্লহুনা লৈবিবা অসিনি অমস্তুং মতুং অাফ নবদস্থ অতংপা। লৈবনা অহুম শোক্ল-হুনবা লৈহৌবগদবনি। মসৌ অসুম্না শক্তি মুন্নবগী লান, রাজ-নিতিগী লান অমস্তুং অথনিতিগী লান পুন্নমক অসিগী মৈখুনা, মাইকৈ পুন্নমক্লা, মফম পুন্নমক্লা, পুম্মম মম্ম কাহুনা লৈরিবা, ওসি এখোয়না উবিবা অসিনি। মসিনি ওসি মীওইবা সমাজ এখোয়গী চাউখৎপা হায়বহু। থা ফাওনা যৌনরুরবা কুনস্তুবা কুমজা অসিদা নগম নমথিববা শোংদবা ম্বাংলনা। পৃথিবীগী মফম খুদিংমক্লা মকম চুম্নগী ওইনা শিংহুনা লৈনিবা মতৌ অসিবুনি ওসি এখোয়না চাউখৎপনি হায়হুনা লাউনিবা অসি।

মতম মহাক্লগী শাগওন্ননি, মহাক্লনা পুবকপা মতৌশিং ওাক্লনি।

মীওইবা সমাজনা হেক হিংহনা লৈবিবা মথৌ, অচৌ অচৌবা লুচিংবা কয়া, মহাত্মা কয়া পোক্লক্লনসু, ঙসিদী মীওইবা সমাজ ঐখোয়না হেংনবিবা থৌদোক-ঙাথোক পুম্নমক অসি অমসুম থে নহুনতা লৈবগদবনি

লুচিংবা কয়া, মহাত্মা কয়া, ঈশ্বরগী শায়গুন কয়া গমদি ঋষি মহর্ষি কয়া যুগ যুগ থুদিংদা পোকখিবা পৃথিবীনি, থোইদোক্লা ভারতবর্ষতা অহানবদা সত্য, ত্রেতা, দ্বাপর অমসুং কলি যুগ অসিদা অফাবগী লুচিংবাশিং, মহাত্মাশিং অমসুং মহর্ষিশিং পোকখি অমসুং পোকই হায়দুনসু সিংথানবি।

হিন্দুগী পুরাণশিং অমদি মহাকবি জয়দেবগী গীত গোবিন্দগী মতুংইন্না যুগ নবি অসিদা ঈশ্বরগী শায়গুন তরা লৈ হায়দুনা লৌনরি। অদুগা গীতাদদি ভগবান শ্রীকৃষ্ণ মশামক্না যুগ যুগকী হাদা নত্তনা, 'ধর্মনা মরায় চাউথরক্লবা অধর্মনা হেনগৎলক্লবা মতম মতম অদুদা ধর্মবু কন্নবগীদমক্তা অমসুং অধর্মবু মাংহন্নবগীদমক্তা, ইবুংঙো মালেম পৃথিবী অসিদা হেক হক কুমলবকই, শায়গুন তৌনবুকই হায়না তঙ্গো ভুরংনা অর্জুনগী মফমদা হায়বিখি। হাকুম অনি পাণ্ডবগী ধর্ম যুদ্ধশিংগী থৌরাংশিংনা অহুমনি হায়না লৌনখ্রবনি শায়গুন তৌবা মতম মতম অদুদ ইংখংঙো মাগী ভুংইনবা ভক্তশিং কয়া অমসুং হেক হেক লোইননবিকই। ভক্তশিং অহুনা চৎলম্বা অমসুং ভৌরন্ধা মতৌশিং অহুতনসু মাংখায়রু লাইগুন্না অহুম নিংনবসু য়াওদবা নত্তে। খুদম অমা ওইনা হায়ববদা ডবাংতা, ঐখোয়গী মতমদা লোকথরবা মহাত্মা গান্ধী,

ভারতকী রাজনিতিগী লুচিংবা অমা ওইবতা নত্তনা অহিংসা নিতিগী লুবেন-লুকোক, মহাক্কী অমকপা লৈতনা ফংখ্রবা লমচৎ শাজৎ অদুত্তনা ঙসি পৃথিবী অসিদা শিংথানদুনা মতে তম্না লৈনরিবা অসিনি—'লাইশং মন্নুংদা লৈবা ডুগী, তুংগী অমস্তুং থাতুশিংগী লাইগী মশকশিং লাতুনা পুক্নিং পিক্লা লৈবগী মতুংতা হৌজিক হৌজিক হিংবনা চংলিবা অশোল-অনা, অহল-নমন, চাবা-থকপা নিংথিনা ফংদ্রবা, লৈত লাযবা, চাক্নি ফিনিনা ময়াম, শুকন লোমফম লৈতবদগী মবমচৎ মাংহনবিবি তুগীশিং অমস্তুং মপা মমা লৈত্রবা অঙাংশিং, ববিহুংশা লৈবনস্তু লায়বনদগী লোংহৈন। লৌবিদ্রবা পুন্নমক অসিবু যোকখত্তুনা চং মান্ননা থম্নবা হোৎনবগী ধর্ম্ম অদুনা হেন্না ধর্ম্মবু পামজবনি, নিংজানি অমস্তুং ইকাই-খুম্নবা উংপনি হায়না, হায়রম্বতা নত্তনা মশামক ধর্ম্ম অসিদা লেপ্তুনা মপুন্সি লোমজ-খ্রবনি। চহি চা কয়াগী মতুংদাদি মহাকপু লাইগুম্না লাৎনহৌ-রগদবনি হায়বদা হায়মনবা থোক্রোই। কনাগুম্বশিং খবনদি মহাক (গান্ধী) অসিবু লাইগী শায়ওন্নি হায়না হায়বস্তু য়াওদবদি নত্তে, য়াওই।

দ্বাপর যুগতা শ্রীকৃষ্ণন শায়ওন ওইনা হায়বদি, দেবকী অমস্তুং বসুদেব অনিগী মফমদা চত্তুং। নচা ওইনা লাক্লিবৈগী মমাংদা অথোয় অথোয়বা ভক্তাশিং, ঋষিশিং কয়া অমা পুন্যভূমী ভারতবর্ষ অসিদা মাংজোননা থাবিবকনি। মখোয়শিং অদুগী মতুংদা কৃষ্ণ দ্বৈপায়ন বেদব্যাসস্তু মরু ওইবা মীশক অমা ওইরম্মী। মহাক্না হিংলিঙৈ মতমদা মহাক অসিগী মবমচৎ মতৌশিং অদুবু য়েংলগা

মতম অতুগী মীরোল পুন্নমক্তা মহাক অসিবু ধর্ম্মগী তুংনফম অমস্তুং হৌরকফম অতুনি হায়না লৌনরম্মী। মহাকপু স্বামী, ওঝা, গুরু অমস্তুং মহর্ষি অস্তুম হায়না কৌহ্না ইকাই খুম্নবা উৎনরম্মী। মহাক্তা, শিদ-নাদ রাইৈশিংতনা থল্লবা, ভগবান শ্রীকৃষ্ণমক্তা হায়খিবা গীতা হায়না মরোল অহুমদা খংনগ্রবা, অসিবু য়াওরিবা মহাভারত কৌবা পুবান, শ্রীমদ্ভাগবদ অমদি বেদনচিংবা কয়াবু ইবিরমতুনা, ঙসি ভারতমচা ঐখোয়তা নত্তনা পৃথিবীগী জাতি খুদিংমক্তা য়েৎনবৈনবা ফংলিবা অসিনি। মুমিৎকী মঙালনা মঙাল পুন্নমকপু শুমহৎপগুম জাতি খুদিংমকপু শুমহত্তুনা থম্লিবা অসিনি।

ব্যাসদেবনা মতৌ কবন্না মঙাল অসি ফংহ্না অরাংবা থাক অসি য়ৌগ্রিবনো হায়বগী মরমদা নিংথিনা খংদোক্লবা খিনিংবা মতৌ অমস্তু পুক্লিংদা কন্না ফাওরকপদগী লাইরিক লাইশুশিং খবা খিজরুরগা মতুবু য়েংজরুবদগী থেংনজরকপশিং খবদং অতু ফোংদোকচনিংহ্না ফোংদোকচবনি। পুরাণ কয়াগী অমদি ঐতিহাসিক কয়াগী মত য়েংলুবগদি বেদব্যাসকী মরমদা খেন্ননা ইরম্বা কয়ামুক উবা ফংঙি, অতুবু তৌব হদি মহাক্কী (বেদব্যাসকী) ফজগ্রবা মতৌ অহুতবু থোয়না হেন্না ফজহল্লিংহ্না মেরা থাগী থানিনবু চৈফম খংদহ্না মাইহিং কাই, হায়বগুম্না, হায়রম্বগুম থোকই। থোইদোক্লা হেন্না অকাইবা লৈতনদি উবা ফংলম্মী।

পুরাণশিং খরদদি মহাক অসি শ্রীবিষ্ণুগী শয়ওন অমনি হায়না ইবা থেংনরম্মী। মহাক অসি মখুৎ মরি পান্দবা অনিতমক পানবা শ্রীবিষ্ণুনি, মকোক মরি পান্দবা অমতমক পানবা

ব্রহ্মানি অমস্থুং মমিং অহুম পান্দবা অনিহুমক পানবা শিবমহাদেব-নি হায়না ইবম্মী।

শ্রুতিদদি বেদ মখল অহুমতনি, হায়বদি ঋক, যজুঃ অমস্থুং সাম অহুম অসিন্দনা অবেয়নি—মরিশুবা অথর্ব্ব অসিদি বেদগী মন্ত্রং চন্দে হায়না। হায়নবা য়াওবদগী মতম অহংগী শ্রোত্রিয়শিংনা ঋষিশিংনা নাকপাক নাকপাক তানচনা মতম কুইনা শাংনা খংনবগী মবমদা ইবম্নস্থ লেংনৈ। বেদ অহুম চংপা শ্রোত্রিয মুনিশিংনা অথর্ব্ব চংপা বাংবুশিংবু হৈনোইনা লৌরম্মী, মখমদি মরিশুবা বেদ অসিদা যাত্র বিদ্যা, হিদাক লাংথক শেম্বগী মবম (ভিসাক কর্ম্মনি) অমস্থুং লৈলাক লৈরাকসোন (বাজ কর্মনি) অসিনচিংবা কয়া অমা য়াওবর্ম্মী। অথর্ব্বন মুনিশিংবু মক্ক ওইনা, যাক-যজ্ঞশিং তৌবদা চংবা, মকোক থোংবা পুরোহিত মবিগী মন্ত্র দা য়াওবিবা ব্রহ্মাগী ফম অহু া মক্ক পিবমদে। অহুবু লোখাই তানহুনা লৈবিবা কাংবু অনি শসি মমৈথংদদি যানবক্তনা অমত্তা ওইনা পুনশিনখিবম্মী। অংকুশী অশেংবা মন্ত্রশিং অহুবু বেদগী শরুক অনানি হাযনস্থ লেনখিবম্মী। অঙ্গিরা অথর্ব্বান মুনিশিং যজ্ঞ তৌবদা ব্রহ্মাগী ফম অহু ফাওবদি পিবগা মগোয়গী অথর্ব্ব মন্ত্রশিং অহুবুদি থিহম্লমদে, থিংলম্মী।

গুরু শিষ্য অনিগী মবক্তা ফজনা লৈনবিবা মবি অসি বেদ ব্যাসগী মতমদগী লৌবকপনি হায়না পুরাণশিংদা ইরম্মী। বেদ ব্যাসনা বৈদিক স্কুলশিং হায়বদি আশ্রমশিং শেমগৎ-শাগতুনা লিং-খংলকপা মতমদা অথর্ব্বানশিংস্থ শ্রোতগী ধর্ম্ম-কর্ম্মগী থবক্তা

মফম চাউনা পিরম্মী অতুগা সুমন্তুনা বেদব্যাসগী অহানবা অথর্ব্ব স্কুলগী পরুৱানি (শিষ্যনি) হায়না খংনরম্মী।

খ্বাইদগী হেন্না মরু ওইনা হায়ন-খংনবা অমদি, বেদব্যাসনা বেদগী শ্লোকশিং অমসুং মন্ত্রশিং অতুবু মরিক চুম্না, খোঙ্খোক চুম্না থিবা ঙম্মী হায়বা অসিনি। মন্ত্রশিংবু খোঙ্খোক চুম্না থিবতনা অমসুং শোনবতনা পুন্নমক্তা মায়পাকপা ফংঙি হায়বসি চহি লিশিং কয়াগী মমাংদগী ঙসি ফাওবা ঙাংন-শোন্নরিবা অসিনি।

স্কন্দ পুরানদা যাবালীগী মচানুপী বাত্তিকা বেদব্যাসকীদি মুপী মখোয় মতৈ-মনাও অনিনা, মখোযগী মচানুপা শুকদেববু মযুন পান্নবা থেম-নৌনা তরুবগী রাবি তৌনখিবা অতু নিংথিনা মরিক চুম্না ইরম্বা লেংনৈ। শুকদেবদি হেক পোকপদগী সন্ন্যাসি ওইরকপনি হায়না মীবোল কয়াদগী তৌনা মথং মথং যাম্না থাজনা ঙাংনরকই। অতুম ওইনমক পুরাণশিং শরা, হরিবংশ অমসুং দেবী ভাগবতনচিংবদদি নহাক (শুকদেব) মতু অমসুং মচাশিং লৈ হায়না ইরম্মী। দেবী ভাগবতকী মতুং ইন্না মাগী মুপীগী মমিংদি পীরবী কৌই. মুপী অসিদা মাগী মচানুপা মবি অমসুং মুপী অমা পোকই হায়নসু ইবম্বতু থেংনরম্মী।

সন্ন্যাসী ধর্ম্মগী চংনবী পুন্নমক অসি শুকদেবনা মপা ইবুংঙো বেদব্যাসকী পাওতাক মতুং ইন্না পুথোক্লুনা মথং মথং চহি কুমজা কুন্থ্রামুক চংনরক্লিবা অসিনি। মসিনা সনাতন ধর্ম্মগী লেংদ্রবা যুক্ষম অতু ওইরম্মী। মসিবু আদি শঙ্করাচার্য্যনা দশনামি শম্প্রদায় হায়না মমিং থোন্দুনা অমুক হন্না মৌনা শেমগৎলম্বতনি।

সন্ন্যাস ধৰ্ম্মগী চৎনবী নিয়ম পুন্নমক অসি ব্যাসদেবনা হৌদোল্লখ্রনি হায়বদ চিংনফম কৱিমত্তা লৈতে। মশামক্তা ধৰ্ম্ম অসিবু নিংথিনা ঙাক্লনা চংখিবত নত্তনা ওসি পৃথিবীগী জাতিশিং পুন্নমকপুম্ব অপাম্বা অমস্তা মিহৌবা পোকহন্দুনা নৌহল্লিবা অসিনি। খুত্থম চাউনা থোন্দুনা থংবিয়া সনাতন ধৰ্ম্ম ওসিদি ভাবত্তা অমাদ অংতাম্ব। লোবাকশিংদা লাইহানিং লম্বী অনা ওইনা মরি চংশিন্দুনা পারক-শন্না শংদোকখিবা ঐখোয়না উবা ফংলিবা অসিনি। সন্ন্যাসীশিং, দয়ানন্দ অমসুং বিবেকানন্দগুম্বা অমসুং রামকৃষ্ণ পরমহংস ফাওবা অমস্ব অটৈ অংতাম্ব। সন্ন্যাসী চাম্ব চাম্ব হৌজিক হৌজিকমক সনাতন ধৰ্ম্মগী মৈনুলগী মশক ওইদুনা লৈরিবা পুন্নমক অসি ধৰ্ম্ম অসিগী মতুংদা লৈবা ঙাক্লনি।

মহাভারত হায়রিবা অচৌবা পুরাণ অসি মকোক্তগী লোইবা ফাওবা হৌনবগী তাবা পোংলুম অড্ডু লৌবত্তা নত্তনা ব্যাসদেবনা রাবি অসিগী মতাং থকনশিং লাকপা থোদোক খুদিংমক্তা পাও তাক পিবা মাশক অনম্ব মশামক্তা লেইবম্মী। তীর্থ চত্তুনা লুম্বগা মশা মশাগী পাপ কোকথোকহনবা ঙম্মা হায়বসিম্ব ব্যাসদেবগী নিংথিবা পাওতাক অম ওইবম্মী। তীর্থশিংদা পাপ কোকহনবা ঙম্বগী শক্তিশিং লৈ হায়বসি মতম অতনা মহাক্তনা হংশনা খংনগুম তৌবম্মী।

ব্রাহ্মণ, ক্ষেত্রি বৈশ্য অমসুং শূদ্র হায়দুনা জাতি মরি থোক্লা থাইদোকপগী রাফম অসিম্ব বেদব্যাসগী মতমদগী হৌনা নিংথিনা চংথরকপগী রাফম অনা ওইনম্ব উবা ফংলম্মী। চৎনবী অসি চৎনবদা শাথিনা খুদোংচাদবা মতৌ অমস্ব ওইরমদে।

বৈদিক যুগকী ঋষিশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী হেন্না অথোইবা ঋষি বশিষ্ঠ অসি নিংথৌগী থৌগল পানজবী ওক্তবী অমগী মচানি। বিশ্বামিত্রনা নিংথৌগী মচা ক্ষেত্রি অমা ওইজরবস্থু ব্রহ্মর্ষিগী থুভমদা (থাক্তা) কাখিরম্মী। বেদব্যাস মশামক দূম নিংঙোলগী মচানি। শ্রীকৃষ্ণগী মপা বসুদেব অমসুং মনে ইবেম্মা কুন্তী দেবী, নাগ নিংথৌগী মচানুপীনা পোকপনি। মতন অতুগী আর্য্যশিং অচৌ-অশাং অমসুং অঙম-অথৌশিংনা নাগশিংগা চারৌ-মৌরৌনরম্মী। ভীষ্মা হিংচাবী নিংঙোল হীদম্বী লুহোংতুনা লৌরম্মী। অতুদা নত্তনা অর্জ্জুনস্থু নাগ নিংঙোল লৌরম্মী। শম্না হায়রবদা চারৌ-মৌরৌনবগী থবক অসি থায়না মমাংঙৈদগী হৌনা চংনরকই, মসিদা থোইদোকপা অকাইবা অমদি অথিংবা অমতা লৈরক্তে হায়বতনি।

বেদব্যাসগী মপোক্তি য়াম্না ব়াংবা মপোক, ধর্ম্মনা তাশিন্দুনা পোক্লকপনি হায়না পুম্নমক্না লৌনরম্মী। গীতাদা শ্রীকৃষ্ণনা, ঋষিশিংগী মনুংদা বেদব্যাস কৃষ্ণ ঐনি হায়না মনাই অর্জ্জুনগী মফমদা তাক-পিখি। যোগগী স্কুলশিংনা মহাক অসিবু মতু-মচা লৈবা মীশক অমা ওইরবস্থু, বিভ্রাগশিংগী ফিদম-নফমগী মশক অমনি হায়না লৌনরম্মী।

শ্রীকৃষ্ণগী মরমদা খবদং ইনিংতুনা ইরুবদগী পুক্লিংদা মহা-ভারতকী ব়াফম চংলকই। মহাভারতকী ব়াফম লাকপদা অচৌবা ব়ারি অসিবু ইরম্বা মহর্ষি কৃষ্ণ দ্বৈপায়ন বেদব্যাসগী মরমদা খংনিংবা অমসু পূক্লিংদা য়াম্না কন্না ফাওরকপদগী থিজ-হুমজত্নুনা

ফংলকপা মরম খরদং অদু ফোংদোকচরি মসিদা অবান-অহুই য়াওবা, অৱাং-অপা য়াওবা অমদি ৱাহৈ ৱাতা ফজদবা কয়া য়াওবা অদু মতিক চাদ্রবা, মহৈ-মশিং মপুং ফাদ্রবা তোল্লবগীনি খনবিদুনা স্থান লৈববা ইবুংঙো ইবেম্মশিংনা ভাবপিগনি।

খংজবা খরদং ইবমথৈ ইকুবগা ফোংবা ওমদনা ইংশোক ১৯৮৯ দগী হাদুনা লৈকরবা 'কৃষ্ণ দ্বৈপায়ন বেদব্যাস মহর্ষিগী' পুন্সিগী ৱারিনি। অদুবু ইংশোক ১৯৯৩ গী মে জুনদা লাইরিক ফরবনা ইযাম্বা ইবুংঙো শ্রীযুক্ত খুমল্লম্বম বাসবিহারী সিংগা তিন্নজরুবদগী লাইরিক অসি পুথোকপা ওমজখিরনি। খুৎই লাইরিক অসিবু পারিদুনা অবান-অহুই চমথোকপিবতা নত্তুনা পুক্নিং থৌগৎপিবগা লোইননা প্রুপ লৌবগী অরা শরুকপ্সু, লনাই থবক পুম্নমক থাদোকপিবগা, লৌরিদুনা লাইরিক অসি মশক থোক্নবা শেম্বীদুনা পুথোকপিবকখি। পুন্সিসিমগী শিংবা ওম্মবোইদৌবা তাইবুংঙোগী লমন হান্নগী মথক্তুগী অমুক্তসু তেন্না তোনশিনজরে। তাইবং শেম্ম মপু ইবুংঙো মামা ইযাম্বগী মফমদা অতং-অথম লৈতনা থৌজালগী লাইজ বিকথরিনবা হন্না হন্না খুরমজুনা নিজরি।

ইম্ফাল.

ৱাহেংবম লৈকাই,

তা· ১৫। ৪। ৯৫ ইং।

ৱাহেংবম প্রহ্লাদ।

য়ারি অসিদা য়াওবা মরু ওইবা থরগী মমিংশিং—

কৃষ্ণদ্বৈপায়ন—মমৈদদি 'বেদব্যাস' বেদবু নি থিজনা থংবা, অসুম হায়না কৌনখি।

মৎস্যগন্ধা (মৎস্যা)- দ্বৈপায়নগী মমানি। ঙা থিবী নুপীমচানি, মমৈথংদা নিংথৌরেন শান্তনুগী মহারাণী ওইতুনা সত্যবতী হায়না খংনখি।

পরাশর—দ্বৈপায়নগী মপানি। বেদগী মতমনা লোইরমদাইদা পোকপা আর্য্যঋষি অমনি। শক্তিগী মচানুপানি। বৈদিক যুগকী অথোইবা মহর্ষি বশিষ্ঠগী মশু-নুপানি। মহাক্না (পরাশরনা) জ্যোতিষ শাস্ত্রগী, ধর্ম্ম শাস্ত্রগী অমসুং আয়ুর্বেদগী লাইরিকশিং ইরম্বদা নত্তুনা স্কুলস্ম অহানবা লিংথংলম্বা মীনিনি। মহাক্না ইরম্বা লাইরিকশিংগী মনুংদা শিংথানবা য়াবা খবদি—বৃহৎপরাসর, হোরা শাস্ত্র (জ্যোতিষ), পরাসর-ধর্ম্ম সংহিতা (আইনগী লাইরিক) অমসুং পরাশর সংহিতা (আয়ুর্বেদ) অসিনচিংবা অসিনি।

অশ্বল অমসুং পৈলা - পরাশরগী অথোইবা শিষ্য অনিনি।

জারুৎ—মৎস্যগন্ধাগী মপানি, যমুণাগী ইথং মচা কল্লীগী মনাক্তা লৈবা খুলদা পোকপা ঙা ফাবনা মপুন্সিগী থবক ওইনা হিংতুনা লৈবা মীশক অমনি।

চন্দোড়বী—মৎস্যগন্ধাগী মমানি।

সহস্র অর্জ্জুন (মথুং লিশিং অমা পানবা)—মহিস্মতী লৈবাক্কী নিং-
খৌনি। হৈহয় শাগৈগী খুৎকন-পাঙ্গনবা লুচিং-
বনি। মহাক্না আর্য্যাবর্ত্তদা হন্না হন্না প্রজাশিংবু
শুং-নৈবদগী পরশুরাম্না, মাগী খোংমী লান্মীগা
লোইননা তুম্না হাংখিরম্মী।

ঋচিকা—সহস্র অর্জ্জুনগী মবুধোগী পুরোহিত মকোক্নি।
লান্মীশিংগী ওইবা পুরোহিত ভৃগু শাগৈগীসু
লুচিংবনি।

যামদগ্নী—ঋচিকাগী মচানি, অথোইবা বৈদিক ঋষি তরেৎকী
মনুংদা মহাকসু অমনি।

পরশুরাম—যামদগ্নীগী মচানি। মহাক অসি ঈশ্বরগী শায়ওন
অমনি হায়না হায়নবর্ম্মী।

কৃষ্ণদ্বৈপায়ন বেদব্যাস

হৌরকফম

নোংচুপ থংবা সমদ্রগী তোর্বান্দা লৈবা অনূপদেশ অসিগী কোংং নহিস্মৎনৌদা পাল্লিবা নিংথৌ মহিস্মৎ অসি, নোংলৈ-নুংশিং অকনবগী মকোইংম্না, য়াম্না তোবা ওম্বা অমস্তুং মঙক কনবা মীশক অমা ওইবন্মী। মহাক্কী মনিং তাবভদা, পাংলদা পোকপা জীবশিং ফাওবা কিবনা থক থক নিক্রুবন্মী।

মহাক্কী মপাঙ্গল মথৌনা অমস্তুং শক্তিনা কা হেন্না লৈবদগী চাউথোকখিত্নুনা, মহিস্মৎনা কনানুস্তু উংশিং থৌওইবনমদে। মহাক্না, ভৃগু শাগৈগী লুচিংবা অমা ওইবগা নত্তুনা মহাক্কীস্তু পুরোহিত মকোক অমা ওইত্নুনা লৈরিবা ঋচিকা ঋষিগী পাওভাকশিং অতু ফাওবা অমত্তা লৌরমদে।

হৈহয় শাগৈগী লুচিংবা অমা ওইরিবা মহিস্মৎনা আর্য্যশিংনা মতম শাংনা চংনত্নুনা লাক্রবা জগৎকী চংনবী অমস্তু ওইবনা ঋতঃ ধর্ম্মবু খিংত্নুনা চংনহল্লমদে। এবম অত্নুনা, অথর্ববেদাগী মপু অমস্তু ওইরিবা ঋষি ঋচীকানা হৈহয় শাগৈবু অমস্তুং মখোয়গী নিংথৌ মহিস্মৎবু শাওত্নুনা মিচৈ (শাপ) পিবন্মগা মপুক্লিং য়াম্না নুংশিনা অনূপদেশ থাদোক্তুনা চৎখিরন্মী। ঋষিনা মাগী শাগৈ-মচৈশিং অমদি মখোয়গী শা-যন্নচিংবা পুন্নমক পুবক্তুনা আর্য্যাবর্ত্তদা লাক্লগা পঞ্জাবতা খুন তাত্নুনা লৈখিরন্মী।

মতম অসিদা আর্য্যাবর্ত্তদা, সরস্বতী, গঙ্গা অমস্তুং যমুনা তুরেলগী তোর্ব্বানশিংদা আশ্রমশিং কয়া অথোই অথোইবা ঋষিশিংনা লিংখৎলম্মী। ধর্ম্মগী পাওতাক লৌবা লাকপা পুন্নমক্তা মফমদা পাওতাক নিংথিজবা পিনিবতা নত্তুনা মতৌ করম্না মপুকচেল চাওনা লৈগদগে অমস্তুং ঈশ্বরবু মতৌ করম্না নিংগদগে হায়রস্তু নিংথিজনা তাকপি ফম্বীরম্মা। মখোয়গী পরম্পরাশিং রয়া অমস্তু লৈরম্মী।

আর্য্যাবর্ত্তদা লৈরবা মতমদা ঋষি ঋচীকানা নিংথৌ গাধিগী মচানুপী সত্যবতীবু লুহোংনা লৌরম্মী। সত্যবতীগী মফমদগী যামদগ্নি কৌবা অথোইবা মুনি অবেংবী মচা অমা ওইনা শিংথানবিবা মুনি অসি, মচা ওইনা ফংলম্মী।

মহিস্মংকী নিংথৌ খুন্তম অসি মাগী মশক্নুপা সহস্র অর্জ্জুন মপুং লিশিং অমা পানবা, অসিনা ফংলম্মী। মতাক্তা আর্য্যাবর্ত্তদা লাক্লুনা মখোয়গী পুরোহিতকী মচানুপা যামদগ্নিবু অনুপদেশদা চৎলগা, মখোয়গী পুরোহিত ওইনা অমুক হন্না লৈবিনবা হায়জরক্তা নত্তুনা, মরুপৌ মহিস্মৎ অমস্তুং প্রজাশিংগী মথক্তা মপা ইন্দংগো ঋষি ঋচীকানা তৌরম্মা শাপ অদু কোক্লবা ঈশ্বরগী মফমদ থৌনিবিয়ু হায়নস্তু হায়জরম্মী। যামদগ্নি ঋষিনা অর্জ্জুনগী রাজ্যম অনিমক অমতা তৌবা ওম্মবোই হায়তুনা যাদ্রবদা অর্জ্জুনা ঋষিগী মচানুপা ইত্তোন তোনবা পরশুরামন্না ফাহুনা অনুপদেশতা পুথিরম্মী।

সহস্র অর্জ্জুন্না আর্য্যাশিংগী চৎনবী পথাব অসিবু যাম্না তুক্কচনা খনবতা নত্তুনা মপুক্সিংদা রাবৌবা অমগা লোইননা ঋষিশিংগী মথক্তা লমনশিংগে শক্লম্মী।

পরশুরামদি নহা ওইরিবৈদগী হৌনা লাক্ল-ফানবা ভমদবা অমদি মীনা লাকচ খোংচবা য়াদবা অঙাং অমা ওইনা হৌবক্লম্মী। মহাক্না অর্জ্জুন অমস্তুং মাগী কাংবুশিংনা হিংসাগী থবকশিং আর্য্যাবর্ত্তদা তৌবিবা অতুবু হেক হেক শিংনবম্মী।

সহস্র অর্জ্জুন্না মাগী তমথিরবা মনাইশিংগা লোইননা আর্য্যাবর্ত্তদা লৈবিবা ঋষিশিংগী আশ্রমশিং নৈখাইহুনা, মথং মথং মাংহনবা হৌরক্লম্মী। অর্জ্জুন্না চৎথবক্লিবা তমথিববা থবকশিং অসিগী পাও তাবদা, ঋষিশিংগী মন্তুংদা খ্বাযদগী হেন্না হেন্দোক খোয়দোক্লবা মহর্ষি বশিষ্ঠগী মশুন্নুপা পরাশর মুনিনা আশ্রম অমদগী আশ্রম অমদা অমস্তুং নিংথৌ অমদগী নিংথৌ অমগী মফমদা, কোয়চৎ চঙুনা লাক্লদৌবিবা খুদোংথিবশিং অতুগীদমক্তা চেকশিন থৌবাং তৌহৌনবা পাওতাক পিরম্মী, অমস্তুং খোয়দোক্লা নিংথৌশিংগী মফমদদি মখোয় পুন্না তিন্নহুনা সহস্র অর্জ্জুনগী মায়য়োক্তা লেপ্পগা থিংহৌনবস্থু হাযজরম্মী। অতুবু নিংথৌশিং অতুনা থোৎইনা মাগী রা অতুবু তাবিরমদে। মতম অতুগী নিংথৌশিং অতুনা ইংনা অমস্তুং ত্নুংঙাইনা লৈথোকপা পাম্নরম্মী। মখোয়না অরাবা অমস্তুং খুদোংথিবগী থবকশিং অতুবু, মায়য়োক্লবা পাম্নমদে।

সরস্বতী তুরেনগী তোর্ব্বান্দা লৈরিবা আশ্রমশিং মথং মথং থুগাইহুনা মাংহল্লম্মগা সহস্র অর্জ্জুন্না যমুনা তুরেনগী তোর্ব্বান্দা লৈবিবা পরাশর মুনিগী আশ্রমদা মহাক্কী তমথিরবা লান্মীশিং অতুগা লোইননা লাক্লম্মী।

পরাশর মুনিনা হান্ননা মাগী মপুক্লিংনা থোক্কনি হায়না খল্লম্বা

থোৎদোকশিং অহু ৱাংশংন থোকখিবশ্মী। মহাক্কী আশ্রম অহু মৈ খাহুনা মাংহন্নম্বগা নতুনা আশ্রমদা লৈবা শিনাশিং নয়া হাংলবা মতুংদা মুপী নগাশিংবুনা নমহুনা মগোযগী শাঃপোং ওইবিংগে হায়বসি খংবা ওল্লম্মী। অসিদা নত্তুনা আশ্রমগী যগশিং কযাবু হাত্তুনা মগোযগী মচিগাক ওইনবা পুঞ্জে হায়বগী পাওস্ম মুনিনা ফংলম্মী।

পরাশর মুনিনা আশ্রম থোৎকপা মতমদা লাক্লম্মেনা চাক-থোকপ্রবা বনগুম্না, উংকী মপৈ মনক্তা অশি-অনা শিয্যশিং কয়াগী মশানা উপুংতুপ তাবগুম তাহুনা লেবহু উবা ফংলম্মী।

মুনিন তমখিববা নিংথৌ অসিগা মাযকক্লদুনা রা খবা ওাংনবগে হায়না মপুক্লিংদা লেপ্লম্মী। চহি কয়াগী মমাংদা মাগী মবুধোগী আশ্রমদা মনি পরাশরগা অর্জুনগা উন্নহুনা শক খংনপ্রবনি। অর্জুন অসি নহা ওইরবা, শাগনকপদা অকিনগী মশক পুবা। অমসুং নপাঙ্গল কনবনা, মখোনা লৈবদা মহাক্তনি খন্দুনা য়াম্না চাউথোকচবা মীশক অমনি তায়নসি মুনিনা খংলম্মী।

নমিং থর্বানগী মতুংদা নোংমা অর্জুনা মশা ফনবা শগোল-শিনা চিংবা দোলাই অমদা তোংহুনা শেম্বাং পাইবগুম্না। যাম্না য়াংনা, পরাশর মুনিনা চেকিবা মায়কৈ অদোমদা, মহাক্কী দোলাই তোংনা লাম্মী চান্থবোমগা লোয়ননা থোরকপহু উবম্মী। মায়কৈ অহু উফুলনা কুপশিহুনা পুম্নম মন্নম্মী।

পরাশর মুনিনা লম্মী ময়াযদা লেপ্লগা, মাগী মরাইবক অহু ঈশ্বরগী নকমদা শিন্নহুনা, কনা থোরক্লিবা দোলাই অতগী চুপ্লী অহু ফাহুনা খাম্লগা অর্জুনগা মাংযোক্লবম্মী।

অর্জ্জুন্না, কবিশু লৈতবা মীচম অমনা মখুত্তা করিমতা পাইদনা, য়াংনা থৌবক্লিবা মাগী দোলাইবু ইবাই লাইনা ফাবা অদুদা অওকপা পোক্লম্মী। মহাক্কী মতুং ইল্লক্লিবা লাম্মী ময়াম অদুনা মখুত্তা খুৎলাই পায়দুনা মনিবু পুনকোই কোইশিল্লম্মী।

'হে অপংবা, নংনা কৌবিবসি কবিনো ?' অর্জ্জুন্না হংলকই। 'ঐহাক অসি কনানো হায়বদু নং খংদ্রা ?'

পরাশর মুনিনা লেংদনা অমস্তুং অকিবা লৈতনা লেপ্তুনা লৈবগা হায়বকই, 'ঐহাক্না নং অনিবু হৈহয়গী মবুংঙো, অকনবা লাম্মী অমনি হায়বসি খংঙি। অদুবু ঐনা নংনা হন্দুনা চৎখিবদু পাম্মি। নহাক্না, নংনা হৌজিক কৌবিবা থবক অসি কবিনো হায়বদু খংজদবগুম্না ঐনা উবে। পৃথিদা তাখিবা আর্য্যগী ঈ মরিকশিং খুদিংমক অদুনা হৌগংলক্তুনা নথক্তা হৈথবক্কনি হায়বসি নংনা খংজবা ওমদ্রে।'

মতুংদা পরাশর মুনিনা হায়জবা অমা ওইনা হায়বকই 'হৈহয়গী নিংথৌ, নংদি পৃথিবী অসিগী মপুনি। নহাক্না মসিবু করিগী মাংহনবা পাম্লিবনো ? জীবশিংবু তুক্কচবা মীশক অমনা কনাদগীস্তু মতেং অমতা ফংলোয় নত্রগা মদুনা নংগী নতেংস্তু ওইবা য়ারোই। মদুদি অকিবগী মশক ফংলবা মৈ অমনি, মদুনা মীশক অদুবু অদুম চাকথেকখিবনি। ঐহাক্না হায়বিবসি মুন্না তারগা রাখল তৌ। নংগী নবৈবাক্তা হনগ্রো।'

অর্জ্জুন্না পরাশর মুনিগী ৱাহৈশিং অদুবু তুক্কচনা অমস্তুং তানিংদনা তারম্মী। মঙোন্দা অকিবা অমতা লৈতনা ৱা ঙাংবা

ভুম্লিবা মীশক অমি শোযদনা অতাওবা অম। ওইবম্লগনি হায়বসি মহাক্না থাজবম্মী। মাগী হুমিদৈত্রবা মীনোক অমগা লোইননা মহাক্ন মুনিদা মাগী শাগোল শাটৈ অতুনা যুবম্মী। মহাক্কী লাম্মী অননস্ক মুনিগী মখোংদা চৈ অমনা য়ান্না কম্না নৌখিবংই। চৈথেং অম্দা মুনি জ্ঞান মাংন পুরি থক্না হৌরিবম্মী। মুনিগী মযাদগী হাথনিবম্মী। অতুনগী লাংমৈশিং অতনা মুনিগী মতৌ অহু উবদা হবাওনা নোক্নবম্মী। মহুন মাং যেন নিং হন্না ফাওবা যেংশিবম-দনা চংখিহুনা, মনাক নাপা খুনশি অতদা লান পাহুনা লুট তৌবম্মী। অহিংনী মমদা মখোযনা আশ্রমশি দা চংহুনা নৈখাহবগা কুপী-নহাশিংগী মখক লাক লম্না চাওবম্মী।

মহাক্কা আশ্রমদগী শন থাক্না পরাশর মুনিনা জ্ঞান য়াওদনা পুথি থক্না তাহুনা লেনম্মী।

রাবনা অমসুং অংগিবন অহিং অহু হৌগিহুনা হুমিৎনা তরুং তরং গুণোবকপা মতম অহুদা অংকু কৌনা ভাথিবা মীশক অমনা, মাগী মতু মচাশিং লোয়ননা হা অমদা তোংহুনা, মুনিনা জ্ঞান যাওদনা লৈশিন হৌরং অদোমদা হোল্লক্রম্মী।

জাকুট হায়বসি মংমাগী হৈবং মচা অমদা লৈবা মীশক অমা ওইবম্মী। মহাক্না মখাদা চা ফাবা চংপা খুদিংমক্না পরাশর মুনিগী আশ্রম অমদা হেক হেক চংহুনা মুনিদা হৈ-লৈ অমসুং উইহৈ-হাহৈশিং কহুনা খুম্মগা মুনিগী মকমদগী আশীর্ব্বাদ লোজবম্মী।

মতম থবগী মমাংদা নিংখি-হজনা লৈহৌবা আশ্রম অহুনা ওসি মৈনা পুমচাক চাকশিহনা উৎপুং ওইনা লৈরম্ব। মতৌ অহু

উবদা জাকটনা মপুক্সিংদা য়াম্নদি নুংঙাইতবা পোক্লবস্তু আশ্রম অতুদা হেক চংশিনবদি ওন্নমদে ; মশাদা হঙ্গোইবা রাখল অমদি পোল্লম্মী ! ফম্নবা থবক অসিবু থোকহল্লম্মীবা মীশকশিং অতুবুদি মফম অসিদা লৈবা মহাক্লা উবা ফংলমদে। মহাক্লা মপুক্রিংদা অকিবা অমস্তুং হঙ্গোইবা পোকচববস্তু, মখোযগী হী অতু হীদেন অতুদা তোনজিন্দুনা লৈবাইদা কাখৎলম্মী। মখোযগী মরক অতুদা জাকটকী মচান্তুপী চহি তবামবিবোমতা ওায়বিবী মৎস্যাস্তু য়াওরক্লম্মী। মহাক্লী (মৎস্যাগী) মশা (মখ্যাং) অমস্তুং মথবাক অতু কি মচেং অমত্তনা খুমহুনা যেংশিল্লম্মী। মডুকশমদা, মখোংদা অমস্তুং মখুৎশিং অতুদা মোইরাং অমস্তুং নুপাগী লৈতেংশি শিরম্মী।

নুপীমচা অসি য়াম্না চুং-ফিবান চানা ফজবম্মী। মশাদা অরাংপ অমনা লৈবমদে মহাক্লী তোংতক তৌবা মথবাক অনি অদুনা খম্বাংনা থিনগৎনকপা থম্বাল অপোম্বগুম য়ে বদা পুক্রিং তুবা পোকম্মী। নুংশা মঙালতগা তায়নজবী অমা ওইজবনা কুচুদি মনা উবম্মী, অতুব মগ্না যেংশিল্লগদি অবংবা কোকীগুম্না মিৎ থক্লা ফক্তে অমস্তুং মখডাই অনি অতুনা তঙাং কঙাংনা পুক্রিং শুমহৎনা, নৌনা উবম্মী।

মাগী (মৎস্যাগী) মপা অমস্তুং মখুড়াশিং অতুনা মফম চাবা অমদা মৈ হৌগত্তুনা চান-থক্লবা থৌবাং তৌরিডৈদা, মৎস্যানা থাপ্তক্লা লৈবিবা, মাং-তাকপগী মশক ওইববা আশ্রম অতু য়েংনিংতুনা আশ্রম তন্না চংলম্মী। তুবেন খোংবানগী লৈঙোইগী লম্বী অতু লাম্নোক্লুনা বনগী লম্বীদা হেক চঙলকপা মতম অতুদা, থাপ্তক্লা,

লম মঙা তরাগী অত্তরাইদা, শ্বর নগী লম্বী মযাই অত্থদা, মী অমা তাত্থনা লৈরম্ভ মৎস্যানা উবা ফংলম্মী। মহাক্না মফম অত্থু তান্না চেনখিরম্মী।

পরাশর মুনিদি তৌজিক যাওবা জ্ঞান শাদনা লৈরম্মী। ঈনা মাগী মচিংলগী তপ তপ শাদনা লৈরম্মী।

মতৌ অত্থু উবদা ঙ্গম্মচা অসি মশাদা অকিনা হামস্লুং নুংংবা পোক্লম্মী। মহাক্না চংশিন্দুনা মদু হেংলকপা মতমদ, অশিবগী পাংখক ওইনা তাদনা লৈরিবা মীশক অসি অতৈ বনা অমগা ওইরমদ্রে, মুনিনি হায়নদা মহাক্না খংলম্মী।

মপানা ঙা ফাবা চংপা খুদিংমক্তা মহাকস্থু মপাগী মত্থং ইন্দনা চংলম্মী। মপানা মুনিগী আশ্রমদা চংদুনা মুনিগী মফমদা পোং চৈ কৎপা অত্থদস্থ নহক্ন হেক হেক যাওজবা মরম্না মুনিবু মহাক্না নিখিনা মশক খংজরম্মী। মিৎয়ে নায়েং অমস্থং রাঙাঙ শাঙাং খুদিংমক্তা মনি অসি খোজালগী মশক ওইবা অচৌবা মীশক অমনি হায়বসি মহাক্না শেংনা খংজরম্মা।

খোজাল হৈবরা মুনি অসিনা তৌবম্লিবা মতৌ অত্থ উবদা নহা ওইরিবী মৎস্যাগী থম্মোইদা হায়নিংঙাই পান্দম লৈতনা অবাবা পোক্লম্মী। মহাক্না মুনিবু হন্না হন্না কৌবম্মী, অত্থবু থম্লকপা কৌবতদি খক লৈখিদ্রে। মহাক্না মুনি অসি শিবত্রা হায়না খল্লম্মী। অশেংবা অত্থ খংনিংদুনা মহাক্না মুনিগী মথবাক্তা নোম্বদুনা মনাকোংনা মিহুল হুল্লিব্রা হায়না তাবম্মী। মতুংদা মহাক্না লাওনা কপ্পা হৌবল্লম্মা। মচান্নপীনা ইখং খংহৌদনা লাওনা কপলকপা মখোল

অদু তাবদা মমা চন্দোডবীনা চাক থোংনা থোংনা লাওরকই,
'কবি ঙৌরে ইবেম্মা ?'

'ইমা ইমা ইকাই খুম্নবগী মশক ওইরবা ঋষি অসি শিবে',
কপ্পা কপ্পা মংস্যানা খুম্লকই।

মচানুপীগী বা অদ তাবদা মমানা তকিং তকিংনা চেল্লক্লনা মচানুপীবু চিংশৎলগা ঋষিগী মাংং অনি অদু মশৎনা ফাক্লনা যেংলম্মী। ঋষিগী মনিং অদু মিংকুপ অমা অনিগুম্বদ পাংথোক্লম্মগা অমুক উইশিনখিবম্মী। 'মহাক হিংলি, মহাক হি লি' অসি হায়জুনা চন্দোডবীনা কন্না লাওরক্লম্মী।

চন্দোডবীগী খোল্লাও অদু তাবদা অতৈ লৈবিবা নুপাশিং অদুনা মপুক্কিংদা থকিবা পাক্লবস্থ তকিং তকিংনা মখোযগী মনাক অদুদা চেনশিল্লক্লম্মী। মফম অদু যৌবদা মতুংদা জাকটনা মংস্যা অমস্থং চন্দোডবীদা, অকি-অশংগা লোইনন, হায়বকই, 'নখোয অনি হী তম্মা পবপ পবপ চংগ্রে। শাহিং চাহিং চাবা ফত্রবা মীশিংনা আশ্রম অসি মাংহন-তাকহল্লম্মবনি মফম অসি হৌজিক্তি হিংচা-য়াইতম্বশিংতগী ওইহৌবগদবনি। লাক্লো, ঐখোয পুন্নমক চংলসি।'

মংস্যানা মপা জাকটতা হায়জবকই 'বাবা, ঐখোংগী ঋষিদি শিবে।'

জাক্কটনা পবাশর মুনিবু নিংথিনা থংলম্মী। 'ও, মসিদি ঐখোয়গী মুনি অদু ওইবে।' অসি হায়বগা মহাক্কা পবাশর মুনিগী মনাক্তা চংশিন্দুনা মুন্না যেংলম্মী। আশ্রম অসিবু মৈ থাবস্থা

হিংচাবশিং অতুনা মুনিবু শোয়দনা হাংপা ওইরমগনি,' অস্তুম্না জারুটনা মখা তানা হায়রকই।

'নত্তে, নত্তে, মুনি অসি হিংলি' চন্দোড়রীনা হায়রকই। 'ঐখোয়না মহাকপু পুরসি। ঐখোয়না নিংথিনা লাইকন্নরবদি মহাক শোয়দনা হিংখিগনি।'

মখোয়না পরাশর মুনিবু পুরক্লুনা হীগী মথক্তা থাঙ্গৎলম্মী। মমা মচা অনিনা মুনিগী মচিন্দা তৈরিবা ঈ অতু নিংথিনা চামথোক্লগা, যমুণাগী শেংলবা ঈশিং অতু খরা খরা ইন্দুনা পিথক্লম্মী। হী অতু পরপ পরপ থংশিংকী মমাং থানা হোল্লক্লুনা কল্লাগী মনাক্তা লৈবা ইথৎ মচা, মখোয়গী খুল অতুদা থুংলম্মী।

মখোয়গী লৈফম অতু য়োরবা মতমদা মখোয়না মুনিবু অনৌবা উনা অশংবগী থোংলবা ফম্মুং মথক্তা থল্লগা হুমিং নিনি চংনা, য়াম্না চেকশিন্না মখোয়না হেক খংজ-হৈজবা পুন্নমক শিজিন্নদুনা লাইয়েংলম্মী।

হুম্নি শুবা হুমিংকী অহিং অতু থানা তরং তরং থোরক্লুনা, পিল্লবা ইথৎ মচা অসিদা লুপা মহি চাইথরকপগুম মায়কৈ পুন্নমক্তা ইরং ইরং লংনা, মিং থক্লা য়েংবা ওমদনা. পুক্লিং হুনা ফজরবা মতমনি। তাংথক নায়দ্রবা যমুণাগী ঈচেন্দা, মলয়া নুংশিৎ নামিবনা হৈনম-লৈনমগা লোইননা তিন্নখিদুনা, অমৃত চায়বগুম্না তাওথমিন্নরি মতম অসিদা পরাশর জ্ঞান লাক্লম্মী। ইংলবা থাবল মঙান্দা তপ্না ইংনা, যমুণাগী শেংলবা রস পুদুনা শিংলকপা নামিৎ নুংশিংনা, পরাশর মশাদা হুমজিল্লক্লুনা থেংলবা মতম অতুদ

চৈনাখোল অমদি হুংঙাইতবা রাখলনা চোকথকববা মশা অদু অমুক হন্না ত্তেকখৎলকবি। মনাক্তা লৈদুনা মাবু লায়কন্নবিবী তনৌ তনৌনা পোমজাবিবী মৎস্যাদা মিংয়েং অমা তাদবা ওন্নমদে। মতম অসি মৎস্যানা মুনিগী মকোক অদু থোংনা নৌববী মাগী মতম্বাক্তা যোন হৈ। থা হল্লগা, তনৌ তনৌনা থোংলবী মখুং অনি অদুনা চেনাখোল যংবা মুনিগী মশাদা তপ্না তপ্না নান্দুনা থোগল তৌনা লৈবা মতমনি।

মংনিদি মশাদা চৈনাখোল ফংবগী অমস্তু মপুক্কিংদা মীনা মীবু থিনা পান্দি পাথি-তাহৈনা তৌবগী রাখন্দা অরাবা অমা ওৎদুনা লৈবম্বনি। অসিগুম্বা পুক্কিং শুমহৎন, ফজবা অহিং কয়া, অমদি অসিদগীম্বু কোন্দাক থাইদোক্না ফজবা কয়া মযম মতম খেন্নববস্থু, থেনথন শবাশব দুনিনি, অদুবু ঙসিগী অহিং অসিমদি মুনিগী মপুন্সিদা তোপ পোপ্পা ওমা হাযবদু ওইবম্মী। থোইদোক হেন্দোক্না হুংঙাইনা পেনগ্রব অহিং অদু ওইবম্মী।

ঙুমিং অসিনি কৃষ্ণদ্বৈপায়ণ বেদব্যাসগী মক্ক ঙনখিবা পুংফম-খেনফম।

১বা পন্দূপ

নুমিদাং বাইরংগী ঙাংলাক্লবা নুমিৎকী মশেক্ক ইচেল কল্লবী যম্নাগী মংক্রা মৈবদি সনা অঙিংবা মতিন। ইচে। নাইনা চৌংগী খনিদগী চেক্লবকপশুগা নিংথিজবি। লোকলান নাকল অনিদা শংনা উরিবা উচা রাংশি, লায় উনা লবুক লমহাংশিং অমস্তুং পিকতক পিকত্রক শাঙিবা খুনাংশিং উবদা পুক্কিং শুমত্তনা ঙমদবা মশক্কি।

অসিগুম্বা যম্নাগী লোব্বান্দা তাবা খুন মচা অমগী লৈতোংদা চৎথি তাংবনোম শুববা অঙাং, নুপামচা অমনা মমাই নোংচুপ শুরা। লেপ্পুনা যম্নাগী ইচেল্লনা নাতখল তানা অতিয়াগী মকোইগা শন্নক্লদগী চান্না যাংনা চেন্থরিবা অচুম্বু যেংনা য়েংনা, মখুৎ য়েৎ থংনা অহেংনা হংল হংলদুনা কনাগুম্বা অমবু কৌবগুম্বা, লৈরি। অঙা অশং কৃতদি মূই অদুবু মশাদি য়ান্না কৈ মথবাক-মবেং ফন্না চাউখাংলম্মী। মহাক্কী লাইবক পাক চাউই, মমিৎ অনি অহুম লাংলনা, মনা লংনা, ফজ্জে অমস্তুং শাগং-শাদাস্তু চুং-ফিবান চানা য়েংবদা লৌ ইদোক্কা ফত্তরম্মী।

দ্বীপ মচা অসিদা অঙাং অসি তেক পোকপদগী মমাতনা যোকুন্না চাউরবকপনি মমা পোকপা জাকই অমস্তুং অতৈ অতৈ মখুড়াংশিং, অঙাং অসিগীদি মথৌশিং খনা অসি নত্তনা অতোপ্পা মীশক অমত্তা ইহৎ অসিদা লৈবমদে। মখোয়গী হিংনবগী মথৌদি

ঙা ফাবনা ওইরম্মী। অতুগা অতোপ্পা মথৌ অমনা যমুণাদা খেরা লান্থোক-লানশিনগী থবকস্থু তৌরম্মী। মখোয়না ঙা ফাবগা কল্লীদা লৈবা কৈথেল মচা অতুদা হেক হেক য়োল্লম্মী। নমা নত্রগা মধৌশিংগী মরক্তগী অমনা কৈথেন্দা ঙা য়োনবা চংপা খুদিংমক্তা মহাকস্থু মাগী থুমোক মচা অতুদা মহাক্না ফজবা ঙা খরা অতু হাপ্পগা চৎলম্মী। মহাক্না খুঙ্গং অতুগী অঙাং মমান্নবশিং অতুগা অমতা তিন্নবমদে, মখোয়গী মশানশিং অতুংস্থু মহাক্না পান্নমদে। মখোয়গা করিগুম্বা লৈমিন্নবা তারবস্থ মহাক্না কনা অমতগা ব্রা ঙাংনবমদে। মহাক্কী মতোম্মতা নাইতোম তাবা মতৌ আসদা মহাক্কী মমান্নবশিং অতুনা মহাকপু পেং চোইবা অমনি হায়না লৌবম্মী।

ঙা ফাবনা মখোয়গী মশিল অমা ওইবা মরম্না, যমুণা অসি মখোয়গীদি মমানি অমস্থুং মচিন্নাক ভুনবারিবী লাইবেম্বা অমনি হায়না মখোয়না নিংজরম্মী।

অঙাং অসিনা ন্নুমিৎ খুদিংগী ঙা ফাবা য়াওরম্মী। অশংবা মতমদনা মহাক্না মবুধৌশিংগী ইন শেগাইবশিং অতু হেক হেক ঘোৎপিরম্মী। অঙাং অসি য়াম্না হায়বা ইনবা, খৌদা পিদা শক হিক্লোক্তবা অমস্থু ওইরম্মী।

মহাক্না অতৈ অতোপ্পা থবক লৈভুনা নশা কোম্না লৈববদি যমুণাগী তোর্ব্বান্দা, তোংতক লৈরিবা লৈশোং অতুদা লেপ্পুনা মগাই নোংচুপ ওল্লগা ব্রাখল তৌনা হেক হেক লৈরম্মী। মবক মরক্তা মহাক্না থম্মোয় শোক্না 'বাবা লাকও, বাবা লাকও' হায়না

মখুং মচা অমসুং হংল-হংলদুনা তেক হেকসু কৌজবম্মী। কবি-শ্রেষ্ঠদসু মহাক্কী, মহাক্না মপান্ কৌজবা অমসুং থাবিরে খল্লা, মপুক্কিংদা হৌজিক লৈরিবা হংলসু কাংবদ্রম্মী। মতৌ অসুম্বুক্কি মহাক্না হৌজিক লৈরিবা।

মহাক্না অদিদা মমানা ফজনা ঙাংদা। মী খরা থিল্লুবগা হল্লকুনা মাগী হৌ অমসুং হাঁদেন ত্থাকমগী ঈশিংদা থংলিবা উচুক অমদা পুং শিল্লংগা মতেংযগী থা পোকশং অমসুং থান্না পবপ পবপ চেল্লক্লম্মী। মহাক্কি মমানা হল্লকপা অমসুং ফাওবা অতাং অদুদি খংজবমদে। মহাক্কি মখাং অমসুং হংলা হংলদুনা কৌবি, 'বাবা লাকপিবো, লাকপিবো,' হায়না।

মংসা অসি চহি কুনথুক চংকপগী, খোইদোক্লা মথোং-থোকপগী, থান্না ফংবা মতম অমসুং থেইরম্মী। মশা পাবপ থৌন, শাস্ত্র হৈশাবাংদা চং থিরান চানা য়াম্না কজনম্মী। মতম চুপ্পদা, লোনশ ঙশ। অমদি নিংং থ্ব। পুন্নমক্তা অশেংবা মুংশিং-নুংশা থগা হৈ হন্দুনা লৈচবাপন কয় মুডনবসু মশা ফনা অমসুং লংনা থংডনদ। মখুা দা থৈদংথা মফি মচেং অমতা শেংচববসু মাগী মপক ফংদা মথনাক্কী শংক অমসুং মাগী মঙক্কগী য়াম্বরক্লিবা মোইবুং অনসু লপাগী লিবপানেংশিং অমুনা কুপশিন্দুনা লৈবম্মী। মহাক্কী শাং শারক চ লোম্না ফংবম্মী অমসুং মমিংশিং অমুনা শুমহং-লবগী মংক থেংবম্ম।

মহাক্ন (মৎস্যানা। খাংপোক যৌরবা মতমদা মচানুপাবু 'কৃষ্ণ কৃষ্ণ' হায়না কৌরম্মী। মচা নুপীনা মচা কৌবগী মখোল অমসুং তাবদা চাক থোংদুন লবিনী মমা চন্দোডরীনা লাওবকই,

নংগী নচানুপা অঙাওবদু মাগী মহৌশাগী হৈনবী মপাবু কৌবদু অদুম কৌদুনা লৈরমগনি। লাকসু লাক্লবোইদবা মপা অদুবু ওন্থোক্লা হুংশিন্ত্রমাল্লে।'

মমাগী রা তাবদা মৎস্যগন্ধানা মচানুপাগী মনাক্তা চেনখিদুনা মচাবু চেজেৎ কোনশিল্লগা, মকোক্তা হুংশিনা মথুংনা নানবিদুনা হায়রকই, 'কৃষ্ণ নংনা অবেম্বদা কবিগী মতম মাংহল্লিবনো? থাপ্পা লৈখ্রবা নগী নপাবুংনা নংনা কৈরিবদু তারম্লোই।'

হুমিং খুদিংগী মমানা মপাগী মবমদা রাবি তৌরকপা মতমদা, অমুক্তা হায়দবা রাকম অমা, ঙসি ইহান হানবা ওইনা হায়রকপা অসিদা, অঙাং অদুন ইঙক ঙক্লা, য়ায়দি চম্বা মওংদা মমাদা য়েংদুনা লৈরম্মী।

'ইমা, নংনা হায়বিবদু লাল্লি। মহাক শোয়দনা লাক্কনি ইমা। হুমিং খুদিংগী ঐগী মংদা বাবানা ঐগী নাক্তা লাক্লুনা—ঐহাক নংনা কৌবল্লবদি, শোয়দনা লাক্কনি হায়দুনা হেক হেক হায়রম্মী।' মতৌ অম্তুন্না কৃষ্ণনা য়াম্না থাজনা মমাদা হায়জরম্মী।

'ওঃ কৃষ্ণ! ইমাগী ইনুংঙা!' মৎস্যগন্ধানা য়াম্না থম্মোয় শোক্লা হায়রকই, 'নংদি অকবা অমম্লুং অশিংবা অঙাং অমনি। নংনা কবিগী মতৌ অদুম্না ঙাংলিবনো?'

ওইখোকপা য়াত্রবা রাখলদা কন্না থাজদুনা লৈবা মচাগী মতৌ অদু উবদা, মমা ওইবী মৎস্যানা রাদবা ওমলমদে। হুমিং খুদিংগী মমা মচা রারি অদুতা, রাহৈ-রাতাশিং অমতা হোংদনা, শানহুনতা লাক্লিবনি।

'ঐনা ইপাগী মনাক্তা চংপদু পাম্মি,' কৃষ্ণনা মমাদা থোইদোক্না খোইরাংবা মতৌদা হায়জরকই।

মৎস্যগন্ধানা মচাগী মশাদা যাম্না নু শিনা নাননিবগা হায়রকই, 'ঐনা কয়াবক হন্না হায়খ্রবা নত্রা? ঐনা মগৌ কবম্না নংবু নপাগী মনাক্তা থিনবিগনি? ঐদি নপাগী লৈফম অদু থংদে হায়বরমগুদা।'

ইচম চমজবা বাখল্না মাগী ওইজবরা অথাং অদুনা খুদক অদুদা হায়রকই মহাক্না লাক্রবসু ঐখোয়না হী তোংদুনা চৎলগা মাবু থিকনি। ইমা গঙ্গাদি ঐখোয়গী যাম্না নুংশিবী, থোজানবী. মহাক্না ঐখোয়গী লম্বী শোইদনা লমদিংবিগনি।'

মতিক্তা মপিনা পিফংল্লবী মৎস্যানা হায়রকই, 'ঐনা নুমিৎ খুদিংগী নঙোন্দা নংগী নপা অদুদি লাকরোই, ঐখোয়গা লৈমিন্নবসু ফংলরোই হায়না।' অসি হায়রগা মৎস্যানা হিক্না হিক্না কপলম্মী।

'অদুদি কবিগী ইমা?' কৃষ্ণনা মমাদা নুংশিনা হংলকই। 'ঐনদি থাজে, মহাক্না ঐখোয়গা শোয়দনা লৈমিন্ননিংগনি।'

কবিগীনো হায়বদু ঐনা নঙোন্দা হায়রোই,' মৎস্যানা কপ্লদু লোক্রগা হায়রকই। 'মশম থবা লৈবগা, নংনা হয়েং চাউরক্লবা মতমদা কবিগীনো হায়বদু ঐ হায়গে।'

'কৈজিক হায়বা যাদ্রিব কবিগীনো? খুঙ্গং অদিদা লৈবা অডাং খুদিংমক্তি মখোয় মখোয়গী মপাশিংগা লৈমিন্নে', কৃষ্ণনা মাগী থম্মোই অদু শোক্না, পেত্তৌ পেত্তৌনা, ঙারিবা খুন মচাশিং অদুদা নাগী খুদোনবী মচা অদুনা থিল্লগা মমাদা হায়জরকই।

১বা পন্দুপ

মৎস্যগন্ধানা মচানা মপা নিংবা মতৌ অতু উরগা মপুক্লিংদা থোয়দোক্লা পেনজরবস্নু, মচাগা হৌমিন-কামিন্নবা মমান্নবশিং পুন্নমক্কী-দি তাংভফম মপা অমমম লৈবগা মচাগীদি লৈনা লৈনা লৈজদবা মতৌ অসিদা মাগী থম্মোয় অতু কাইখিরম্মী। মহাক্লা ব্রাখল ঙাইহাক তৌবগা মচাদা মখোল কল্লপ্না হায়রকই, 'কৃষ্ণ ঐনা নঙোন্দা হন্না হন্না নংনা নংগী নপাগী মনাক্তা চৎপা য়াবোই হায়না হায়গ্রবা নল্রা?' মৎস্যানা কবি কবম তৌরগা মচাগী অপংবা ব্রাখল অতু থাদোকহনবা ঙমগদগে হায়বতু খংজবা ঙম্নমদে। মচানা মপাগা লৈমিন্নবা পামজববস্নু ওইথোক্লবোই হায়বসি খংহনবদা য়াম্না লুনা মঙোন্দা (মৎস্যাদা) থোক্লম্মী।

কৃষ্ণনা ব্রাজবনী মমাদা য়েংলগা হায়বকই 'ইমা, ঐগা ইমাগা ঐখোয় অনিনা মাগী মনাক্তা চৎলবদি মহাক্লা শোয়দনা হরাওনি।'

মৎস্যানা মপি তৈথোক্লগা হায়রকই, 'ঐহাক্লা মতৌ করম্না নঙোন্দা মবম অতু হায়গনি? মহাক্লা নংবু মাগী মনাক্তা থম্বা ঙম্মোই—নহাক্তা নত্তনা ঐবুস্নু থম্বা ঙম্মোই। মহাক্তিং য়াম্না অচৌবা মীশক অমনি। মীশিংনা মাবু পূজা তৌনরিবনি। অতুগা মহাক য়াম্না থাপগ্রবা মফমদস্নু লৈখ্রবনি। অমরোমদা ঐখোয়দি ইচম চম্না লৈবা অতোনবা কাংলুপ অমস্নু ওইরম্মী।

অঙাং অতুনা মমাদা নুংশিনা কোনশিল্লগা হায়রকই, 'কপকন্নু ইমা, মহাক্লা হেক লাকপগা ঐখোয় অনিবু মাগী মনাক্লা পুবিযু হায়না হায়জগে। ঐনা থাজৈ, মহাক্লা য়াবোই হায়বা ঙংলোই।'

মংস্যানা মচাবু চেংনা কোনশিল্লগা মমাই লৈথোক্লুনা মচা উহন্দনা মপিশিং অদু তৈথোক্লম্মী। মতুংদা মহাক্না মখোল নিক্না শুব খিংনা হায়বকই, 'নংনা নপাগী মরমদা থল্লুবগন্তু। মতম থরদি মহাক মফম অসিদা লাকপা ঙমখিরোই।'

কৃষ্ণদি অদুম ইচম চল্লম্মী। মহাক্না মমাগী মতৌগুম্না মপাগী মরমদা কৰিগুম্বা অবানবা অমগা থল্লমদে। মহাক্না মমাদা হায়-জবকই, ইবুধৌনা হায়রবদি, বাবানা অকোনবা লাক্লম্বা অদুদা, আশাদ্ধগী* থানিংদা মহাক্না লাক্কনি হায়রম্মী হায়। হায়বিবা নুমিৎ অদুগা ঐগী ইপোক নুমিৎকা চানবা নত্রা?' ইবুধৌনা হায়খিবা, 'ঐহাক অসি নোংমদি শোয়দনা ইপানা লৌরগনি হায়বদু অচুম ওইগনি।'

নবুধৌনা হায়রিবদু, 'অচুম্বা শোইদনা ওইবা ওইসনু।' অসি হায়রবগা মংস্যানা মচাবু মথাদা চেংনা কোনশিনবিরম্মী।

অগানা মনাদ ওংশিনা য়েংখংলগা হায়জবকই 'ইমা, ইবুধৌদি নংগা মান্নদে। এন বাবাগী মবমদা নংগা বাবি হেক শাবা খুদিংমক্তা নংদি হেক্ত থঙ্গৌ। ইবুধৌনা হায়বদি, বাবানা থা খৌরান-মিচাকশিং, গ্রহশিং, উ রা অমস্তুং শা ডাগী মবম পুন্নমক থংভি হায়। অদুগা অথাপ অথাপ্পা লৈবাকশিংদা লৈবা নিংথৌশিংগী মবনদস্ত থংব ঙম্মী হায। আশাদ্ধগী থানিংদা বাবা শোইদনা

*অ.শা.ধ — খৌরানামিচাক মপে অমা, হিন্দুগী থাজৎ মতুং ইন্না মথোয়না পুনবা থা অদুবু আশাদ্ধ হায়না থংনরম্মী। থা অসিগী থানিন ছমিক্তা বেদব্যাস পোকখি হায়নতু হায়নরম্মী।

লাক্কনি হায়বসি ইবুধৌন ঐঙোন্দা তৎতনা হায়রম্মী। কপকম্মু ইন্না।' অসি হায়রগা অঙাংনা মমাগী মপিশিং অহু লাম্মগা মাগী কিজি অদুনা তৈথোকপিরম্মী।

ইম কপ্পবোই ঐনা রাশক্লবনি কৃষ্ণ। ঐখে য়না মহাক লাকপা ঙাইবসি। হুমিং হুম্মি মনিনি মনুংদা লাকপস্মু য়াই।' মংস্তান মপি তৈথোক তৈথোক্লা হাম্নরম্মী।

কৃষ্ণনা য়াম্না থাজবগা লোয়ননা হায়রকই, 'ঐহাক্লা পুক্লিং চপ য়ুংনা বাবাবু কৌরবদি মহাক শোইদনা লাক্কনি হায়দুনা ইবুধৌনা ঐঙোন্দা তাকপিরকই। ইমা, ইবুধৌনদি ঐঙোন্দা মিনম্ব। ঙাংলোই হায়বসি ঐগাক্লা খংলম্মী।'

'নত্তে, নত্তে, মমানা হায়রকই। 'নংগী নপাদি পুন্নমক খংডি' মংস্তান অরাবগী মশক ওইবব য়ারি অহু লোইশিন্নিংদুনা অরোইবা য়াকম অমা ওইনা হায়রম্মী।

মমানা চংকদবগী খোরাং তৌরকপহু উবদা কৃষ্ণন জ্ঞান তারবা নহা পাখং অমগুম্না মমাগী মখুৎ পাইবগা হায়রকই, 'ফবে ইনা, ঐখোয়না মানা মফম অসিদা লাকপা ঙাইবগী মহুত্তা ঐখোয়ন মাগী মনাক্তা হেক্তা চংলসি।' কৃষ্ণনা মমাদি শোইদনা মপাগী লৈফম অহু খংলমগনি হায়না মপুক্লিংদা থাজবা পোক্লম্মী।
'অহুবু কদাইদনো?' মমানা হংলকই।

'অমা অমবু ওইরবস্মু ইপানা লৈরিবা অহুদা।'

মচাগী য়াঙাং অহু তাবদা মংস্তাগী থম্মোই কায়থিরম্মী। মহাক্তি মপুরোইবগী লৈফম অহু তশেংনা খঙদবী অমা ওইরম্মী।

অরাবা খুদোংথিবতনা মাগী মশরুক ওইখ্রবা মপুরোইবগী মপুন্সিনি। মহাক্না মখোয়গী মনাক্তা লাকখিগনি হায়বসি মংস্থানা থাজবা পোক্লমদে। মতম খরগী মতুংদদি, মপুরোইবনা কল্লীদা লাকপা ওমথ্রররোই হায়বস্তু মহাক্না খংথ্রবনি। মতম অতুদা মচাগী থম্মোয় কায়বদি শোইদ্রবনি।

থৌদোক খুদিংমক মংস্থাগীদি অরাবগী মশক্তমক ওইরম্মী। রাহৈনা ফোংদোকপদা রানা থোক্লবনি। মহাক্কী মপানা মাবু কনাগুম্বা মতিক চাবা নহা, মখোয়গী জাতি মনুংদি ওইবা অমদা, থাজনবা কন্না থিরম্মী। মহাক্না মখোয়গী জাতিগী অহল-লমণশিং অমম্তুং অতৈ নক্লবা খুন্দা লৈবশিং পুন্নমক্তসু রাফম অসি হন্না হন্না তান্নরম্মী। অতুবু মাগী মচানুপী অসিগী মতিক চাবা নহা অমতা থিবা ফংলমদে। মসিগী মরম মরু ওইবদি, কৃষ্ণবু মচা ওইনা য়োকপা পান্নদবদগী ওইরম্মী। কৃষ্ণদি মপাবু নিংজবা অঙাং অমা ওইরম্মী। চহি অমগী মনুংদা নুমিৎ হুম্নি মরিনিরোম মপা মচা লৈমিন্নরম্বা ওইতুনসু কৃষ্ণনা মপাবু থক কাওরমদে, তন্তুনা মপাবুতা শোন্দুনা লৈরম্মী। মহাক্না অতোপ্পা নুপা অমবু মপাগুম্না লৈমিন্নৌ হায়বদা য়ারক্লরোই হায়বসি মখোয় পুন্নমক্না খংনরবা রাফম অমা ওইরম্মী। মপানা মাগীদমক্তা য়াম্না রারে হায়বদু মংস্থানা নিংদিনা খংলম্মী। মতম লৈবা খিবিক্তা মপানা মশুন্নুপা কৃষ্ণবু মপা লাকপা মতমদা মাগী মতুং ইন্দুনা চৎখিনবা মাগী মপুক্নিংবু থৌগৎপিদুনা মপাগী মরমদা রারি কয়ামুক লিবিদুনা তাহল্লম্মী। অঙাং ওইরিবা কৃষ্ণনা মপাগী নিংথিবা গুণশিংগী

ব্রারিশিং অহু তারগা মহাকস্থু মপাগুম্না অচৌবা মুনি অমা ওইগে হায়না মপুক্লিংদা খল্লম্মী। অমবোমদনা, মশুন্নুপা কৃষ্ণনা মপাগা লোয়ননা চৎপ্রবদি মহাক্না মচান্নুপী মৎস্যাগীদমক্তা ব্রাবিবা পুন্নমক অহু কোক্লবা মরম অমা ওইরম্মী। মপা, মমা অমদি মণ্বাশিং মখোয় পুন্নমক অহল ওইশিল্লক্লে, মখোয়না শিগ্রবদি মাদি (মৎস্যাদি) মযুম পান্দনা লৈহৌবগনি; মরমদি অঙাং অসিনা মমা অসিগা হেক লৈমিন্নরিবা মখৈ মমা অসিবু মতিক চাবা নুপা অমতনা লৌ হায়বা য়ারোইদৌরি হায়বসি অহল ওইরবা জারুটনা নিংথিনা খংলম্মী।

নপানা মাগীদমক্তা ব্রারিবা পুন্নমক অহু নিংথিনা খংলবস্থু মৎস্যানা মাগী মচা কৃষ্ণবু মপাদা পুবিগ্রো হায়জবদা, য়ারক্কনি হায়বা থাজরমদে। মরমদি আর্য্যাবর্ত্তদা মতম অসিদা, মহাক অসি ঋষিশিংগী মনুংদা খ্বায়দগী হেন্না শিংথানবা অমস্থং ইকাইখুম্নবা মীশক অমা ওইজরবস্থু, মহাক্কী য়েক্লবশিংনা, মহাকপু পেন্দবদগী, থেংনবা মফমদা হাৎকদবগী কোয়থি থিনরম্মী। মরম অসিনা মহাক্না ভৌদবা য়াদবা মথৌ অমগুম্না মফম অমদগী অতোপ্পা মফম অমদা, খুদোংথিবা অহু মায়য়োক্লদনবা হায়তুনা কোইচৎ চৎপা তারম্মী। মাবু (ঋষিবু) করিগীদমক্তা য়েংথিরিবনো হায়বহুদি মৎস্যানা খংজবা ঙম্লমদে। অহুগা মহাক্না খংজবা মরম অমদি, অস্থুক থাক ব্রাংনা লৈগ্রবা আর্য্যঋষি অমনা ঙা ফাবী নিংঙোল অমগী মফমদা, চৎনবীগী ব্রাংমদা, মপুক্লিং ব্রারকপা ঙমদহুনা, মচা পোকই হায়হুনা ব্রা ব্রা লাওনা নোক্লবতা নত্তুনা ইস্থোব্রক্কদ্রা

ক্বিবদগী কোয়চং চংখ্রবনি হায়বসিনি। মসি, য়াম্না থুপথ্রবা ব্রাফম অমা ওইনা, মহাক্না থমজন্নক্লিবনি। অতুবু মপা মুনি অসিনা করিগুম্বা লাক্কবা থোক্লবদি, মচাগী ওইগদবা মতৌ অদু থনবদা মহাক্কী অরাবা অমম্ব ওইরম্মী।

করিগুম্বা কৃষ্ণনা মপাগী মরমদা ব্রাবি শাবা হৌখ্রবদি, মহাক্কী ব্রারি অদু তোকহন্নবা হোংনবদা অরাবা অমম্ব ওইবম্মী। মাগী ব্রাঙাং-শঙাংনা অঙাবশিংবু শুমহৎপ ঙম্না তাহল্লম্মী। মহাক অসি মশাগী চহিগা য়েংনরুবগাদি কা অমা তেন্না লৌশিং লেবা অঙাং অম ওইবম্মী। খেন্না লাম্থোক লানশিন তৌবদা করিগুম্বা মহাকসু হী অদুদা য়াওরবদি হীদা তোংলিবা মীশিং অদুনা মাবুতমক য়েংদুনা লৈনবম্মী। মপাগী মবমদা মহাক্না ঙাংবদু তাবগা হীদা তোংলিবা ময়াম অদুনা মাবু হুংশিনা পোক্লম্মী। মহাক্না মাগী মপাদি থা, খোৱ্রানমিচাক গ্রহ, উপগ্রহ অমসুং ঙানচিংবগী মফমদা নিংখিনা থংলম্মী, মদম অদুনা মহাকসু মপাগী মনাক্তা চৎলগা পুন্নমক অদু তমলুগনি হায়না ময়াম অদুদা হাযবম্মী। মহাক্না মপাবু লাইশিংগসু ব্রারি শাবা ঙম্মী হায়না ময়াম অদুগী মফমদা থংহল্লম্মী। হীদা তোংলিবা ময়াম অদুনা মমা মৎস্যগন্ধানা মিংকুপ অমতং হুংঙাইবা পামলুবদগী অঙাং অসি পোকখিবনি হায়না পাওথোকপিদুনা ব্রারি শানরম্মী, অমসুং অমা অমবু ওইন্নবসু, মীশক অদুনা লাক্কুনা অঙাং অসিবু মচানি হায়দুনা কৈদৌহু দসু লৌবিন্নবোইদবনি হায়নসু অদুম ঙাংন-শানরম্মী। অদুম ওইনমক অঙাং অসিগী হুংশিবা শক্তম পুবা অমসুং ঙাংথোক-শক্তোরকপা

মতমদা তানিংবা পোকপা মতৌ উবদা, ময়াম অতৃগী মপুক্সিংদা অঙাং অসিগীদমক্তা, ব্রাদবদি ঙম্লমদে। অস্থুক ন্নংশিনা অমস্থুং চংখোন্না পোকখ্রবা অঙাং অসি, অরেম্বদা লম্মা'-তুহাংগী লৈরাংগুম, মাংখ্রগনিদো!

থাি'ন মতম ওইরক্লত্নুনা থানা আশান্ধ থৌব্রানমিচাকশিংগী মনাক নকশিল্লক্লবা মতম অতুদদি কৃষ্ণনা মপাগা উনরগনি খনবদা হাযফম খ দনা অমস্থুং খাংঙমদনা মপুন্নিংদা। খোইবাংবা পোক্লম্মী। মচাগী. মশুগী মতৌ অতু উবদা মমানা অমস্থুং মধৌশিংনদি করিগুম্বা অঙাং মপা অসিনা লাক্রবদি কবি থোক্লদগে খনবদা অব্রাবা ওইনরম্মী। 'ও অব্রাবনি, অব্রাবনি কবি ওইরগবা?'

অতুবু অসোমদা কৃষ্ণদি মপা লাক্লগনি খন্দুনা মপাদা পিজনবা নিংথিনা ফঙববা ঙা অমা ফাতুনা মবুধোদা পিবগা হাযজবকই, 'ইবুধৌ, বাবা লাক্লগনি, মাঙোন্দা পিজবদ মহাক্লা ইচানা ফাতুনা পিজবা ঙা অসি হাওই হায়নবা নিংথিনা থোংবিয়ু।'

মৎস্যাদি ব্রাথিবনা অতৎপা লৈতনা মনিতুগী মপি শিন্থরম্মী। 'কৃষ্ণ, করিগুম্বা নপানা লাক্রবদি?'

'অতু ওইববদি ঐনা ইমাদা হায়খ্রে ঐখোয়না হী তোংতুনা বাবাগী মনাক্তা চৎসি হায়না।'

'অতুবু ইমানস্থু নঙোন্দা হন্না হন্না নপাগী লৈফম খংদে হায়না হায়খিবতু কাওরব্রা কৃষ্ণ নংবু?' মৎস্যানা মাগী থম্মোই অতু শোক্লা থুম্লকই। অতুবু অঙাং অতুনদি করিমতা থৌশারমদে।

'ঐহাক্লা যমুণা ইমাগা ব্রারি শানখ্রে। মহাক্তি য়াম্না থৌজাল

হৈবীনি, মরম অত্থুনা মহাক্না ঐখোয়দা লম্বী অত্থু শোইদনা তাকপিরক্কনি। ইমা, চংনবা থোরাং তৌবো। বপুনা নৈবনা কান্নবা করিস্থু পুবক্লোই। নংনা বাবাগী মমাংদা কপলবদি মহাক্না, ঐনা নংবু থিনা তৌবিবে খনগনি।' অসি হায়বগা কৃষ্ণনা মমাদা চেজেং কোনশিল্লম্মী। মৎস্যানা নোম্বদুনা মচাবু চেংনা কোন্দুনা লুংশিনা নানবিবম্মী।

থম্মোই কাইরবী মমানা, করিগুম্বা মপা অসিনা লাক্রবদা, মচানা ওইগদবা ফিভম অত্থুগী খনবদা, পোত্থাফম থংদনা স্বর্ন ফুন্না, রাখন্দা উংত্থুনা নৈরম্মী।

২শুবা পন্দূপ

থানিন নুমিং, আশাদ্ধ থৌরানমিচাক্তা থানা লৈবা নুমিং অসিদা কৃষ্ণনা ঙন্তা হৌগত্তুনা যমুণাদা ইরুজরগা, ইথং মচা অতুগী অরোইবা শরুক অতুদা পরপ পরপ চংখিত্তুনা লৈপুং অতুদা মমাই নোংচুপ ওন্না লেপ্লগা, অত্তোপ্পা রাখল অমতা খন্দনা, মপুক্লিং চপ য়ুংনা মপাবু কৌরকই, 'ইপা ইবুংঙো লাকপিরো, অমুক থিন্থবা তৌদনা খুদক অসিদা লাকপিরো।'

মহাক্না মপুক্লিং চপ য়ুংনা কৌজবা অতুদা, ঈশ্বরনা থৌজানবিরকপগুম, মিংনা য়েংবদা তাম্লবা যমুণাগী ইথক ইপোম মচা মচা, অয়ুক অঙনবগী নামিবা নুংশিংকা লোয়ননা শান্নমিন্নতুনা চেন্থখ্রিবা অতুগী মরক্তা, কল্লী তম্না হোনগংলকপা হীমচা অমা অমুক লুপ্লগুম অমুক তাওখংপগুম তৌনা, য়াম্না খোইরাংবা মতৌ অমদা লাকপতু মহাক্না উবা ফংলম্মী। মতু উবদা মহাক্না হরাওনা চোংলম্মী। 'ইমা, ইমা, অসিদা চেল্লকও, বাবা লাক্লে,' অসি হায়তুনা মহাক্না মমাবু য়াম্না লাওনা কৌরক্লম্মী।

মচানা কৌরকপা অতু তাবদা মংন্থানা খাংপোক মন্নুংদগী চেন্থোরক্লম্মী। নুমিং অসি থানিন্নি আশাদ্ধদা থানা লৈবা নুমিংনি হায়বসি মহাক্না খংজরম্মী। নুমিং অসিদনি মচান্নুপা কৃষ্ণনা পোকখিবসু। চহি খুদিংগী ওইনা নুমিং অসিদা মপুরোইবনসু মখোয়বু উন্নবা হেক হেক লাক্লম্মী। মরম অসিনা মচা কৃষ্ণনা

ন্নমিং অসিবু কাওদনা খুৎ-শা থেক্লা পাত্নুনা, য়াম্না খোইবাংনা মপাবু ডায়ডবিবনি হায়বসি মৎস্যানা নিংথিনা শংলম্মী।

মপুবোইবনা চহি খুদিংগী লাকপ অতুংম্না হন্দক্কী চহি অসিদদি লাক্কবা য়াবগী পাও ফংখিবা অদুদা মহাক্না মথরাই য়াম্না রাজরম্মী। ফম্রবা নিংথৌ অননা মাগী মপুবোইবগী আশ্রম অদু থুগাইবি-খিবম্মী মপুবোইবনা মফম খংদনা থাপলবা মফমদা চংশ্রে হায়বসি মহাক্না পাম্ব ফংজবম্মী। মপুবোইবদি অচৌবা ঋষি অমা ওইরম্মী, অদুগা মহাক্না কবিস্ম লৈতবী মবাইবক থিববী ডা ফাবগী মপোক্কা পোক্লবা ন্নুপীমচা অমা ওইবম্মী। মহাক্না মবি লৈনরুবিবা অসিস্ম মিংকুপ অমতগী ইথক-ইপোমদা তামিন্নরুবনি মাগী মপুন্সিদদি কনিস্ম লৈতবা থৌদোক অমগুম্বনি।

মৎস্যানা মশাদা থৃকংপা, শিপাইবা অমা য়াওনা ন্নুমিং অসিবু ডাযত্নুনা লৈজম্বকপনি। কবিগুম্বা মাগী মপানা, মথোয়না নিংজবা মতুংইন্না ন্নুমিং অসিদা লাক্রবদি, অমুক হায়বা ইনখ্রবা, অশিংবা অমস্মুং পুক্লিং শুমহৎনবগী মশক ওইবা মচা অসিনা মপুন্সিগী কাওবা ডম্মরোইদোবা চৈথেং অমা ফংগ্রগনি খনবদা মৎস্যানা থাযহাক্কা পোথাযম খংদনা অরাবা কোকথোং নাত্নুনা লৈজবম্মী। মমা যমুণানা অওকপা ফংলবা মচানুপ। অমা মঙোন্দা পিশিববস্ম, ফিভম, মক্ম্না হাংলকপদগী মহাক্না মচান্নুপাগা লৈমিন্নবদি ফংলোইদৌরি।

কৃষ্ণদি মাগী মপুক্লিং অদু চপ যুনা মিংয়েং অমতদা অথাপ্পা যমুণাগী ইথক-ইপোম মবক্তা নুপফেং নুপফেং তৌত্নুনা লৈরিবা

অপিকপা পোৎশক অহুবু, মপুক্লিংদা চিংশিন্দুনা লৈরম্মী। মাগী চিংশিন্নবগী শক্তি অহুতনা মবম ওইহুনা, পিক্লবা পোৎশক অহুনা পরপ পরপ মঙোনলোমদা পাইশিল্লক্লুনা অচৌবা হী অমা ওইনা মনাক য়ৌবক্লম্মী। হী অহুনা মনাক য়ৌরকপা মতমদা, কৃষ্ণনা মপা মুনি য়াওরকপা উহুনা হবাংনা চোংলম্মী।

চহি অমগী মমাংদা উখিবা মপা ঋষিগী শক্তম অহুবু অঙাং ওইরিবা কৃষ্ণনা, মাগী থম্মোইগী লায়য়ুমদা নিংথিনা য়েক্লুনা থমজরগা নিত্য থুমিং থুদিংগী মপুক্লিংনা হৈ লৈ কৎচহুনা খুবমজবা মবম্না, মাগী মপুক্লিং অমস্তুং ব্রাখন্দা মপাগী শক্তম অহু ইকায় কায়দনা তক তরুনা অহুম লৈবম্মী। মপা ঋষিগী কুচু লংনা ফজবা, শানা তৌরবা মকোইশিং অমস্তুং মকোক্তা জটা, শাবান ফজনা মশা-মউ লিংবা, মখ্বাংদা শজি মউন্না ফিডেৎনবা, মথুৎ য়েক্তা চৈশু অনস্তুং ওঈদা যুবি খুজাই, মঙক্তা চাউরবা রুদ্রাক্ষ পরেং অমস্তুং মচা তাববা নগুণনা খাওন্নবা- পুন্নমক অসি অমত্তা কায়দনা, হীদা তোংহুনা লাক্লিবা শক্তম অহুগা অমতা ওইনা তিন্নখিরম্মী।

কৃষ্ণনা মহাক্কী হেক লৈজবী মখোল থাহুনা লাওরকই, 'বাবা, ঐহাক লাক্কে,' অসি হায়হুনা মহাক্কা মমা মংস্যাগী মথুৎনা মাগী মবেংজুমদা পাইরিবহু কনথোক্লম্মগা চেনখিহুনা যমুণাগী ঈশিংদা চোংথরগা ইবোইহুনা লাক্লিবা হী অহু তম্না চৎখিরম্মী।

পরাশর ঋষি, মখোং নাম্মা শোইজরবস্থু হীদগী চোংথহুনা মচাব্ন ঈশিংদগী পমথৎলগা, অঙাংমচা পিশক অমগুম্না, মরাইবক্তা চুপ্পিরম্মী। কৃষ্ণনা য়াম্না হরাংনা নোক্তুনা ঋষিগী মঙকশমদা

মথুং অনিনা চেংনা কোনশিল্লগা মাগী মকোক অতুনা ঋষিগী মখদাংগী মকোয়শিং অতুদা নৈবম্মী।

ঋষিনা মচা পম্না ঈশিংদগী কাখৎলক্লুনা কংফাল য়ৌবকপা মতম অতুদা, মৎস্যগন্ধা অমদি মাগী ইনুং মনুংগী মীশিং অতুনা ঋষিগী মখোং শোক্লা খুনমতুন ইকায খুম্নবা উৎলম্মী।

কৃষ্ণনা মপানা পম্বদগী লৈবাক্তা চোংথবগা মমাদা ওনশিন্দুনা হায়রকই, 'ইমা, বাবা শোইদনা লাক্কনি, ঐনা নঙোন্দা হাযখিবা নত্রা?'

মচাগী ৱাংগা অদু তাবদা ঋষিনা মমিং কুপ্না নাক্লগা, 'মৎস্যা, নংনা ঐবু খংন্দগী ইচানা খংবনা হেল্লি। নংদি ঐহাক লাক্লবোই খন্দুনা নপুক্কি দা থোইদোক্লা। 'কিবা পোক্লমগনি,' হায়বগা ঋষিনা ইশি-শিনা নোকম্মী। মতুংদা ঋষিনা হীগোনবশিং অতুদা হায়রকই, 'হৌজিক্কি নখোয চংলো। মীশিং অসি মখোযগী নৌফম তান্না থিনবিকুবো। হুম্নি শুবা মুমিং, নখোয়না হল্লকপা মতম অতুদা, ঐহাক মফম অসিদা নখোংবু ঙাইদুনা লৈবমগে কাওগনু!

হীদা তোংদুনা লাকপা অদুগী মীশিং অতুনা ঋষিবু ইকাই-খুম্নবা উৎলুনা খুবম্নমগ ইং অতু তোংদুন চংখিবম্মী। যমুনা মপান্দা তাব মী খুদিংমক ঋষিবু নিংথিনা খংলম্মী। মহাকপু পুন্নমক্লা পঙ্গ মণি (মখোং তেকপা মুনি) হায়না খংনবম্মী। মুনি মশামক্তদা পঙ্গ মুনি হায়না কৌববা ফাওবদা মহাক্না, মী অতুবু হলাও হৱাওনা তৌবিদুন নোক্ল নোক্লা আশীর্ব্বাদ পিবিবম্মী। মনিনা হীদা তোংলিবা মীযাম অতুদা মথুং থাংগতুনা লাওবকই,

'ঈশ্বরনা নখোয়গী খোংচং অতুবু মহৈ য়ানবা অমম্তুং লপ্পী লম-খাংদা খুদোংথিবা থোক্কবা পিনবিসন্নু।'

মপা মুনিগী ব্রাঙাং-ব্রাতাশিং অমস্তুং মী খুদিংমক্তা নুংশিবা উংপা মতৌশিং অতু উবদা, মপাবু অচৌবা মীশক অমনি খন্দুনা মপুক্লিংদা চাউথোকচরম্মী।

কৃষ্ণনা মপাগা তোঙান তোঙান লেপমিন্নরবসু মপাগা কায়নখিবা য়াই নত্রগা মপানা মাংথোকখিবা য়াই খন্দুনা মপাগী খুৎশা অমদি মাগী মখুৎ অতু কন্না পায়শিল্লগা মতুং ইনজরম্মী।

কৃষ্ণনা মপাগী পরুব্রা অনি অতুবু নিংথিনা খংলম্মী। মখোয় অনিমক মপানা হাকুম লাকপদা য়াওরক্লম্মী। অশ্বলদি চহি নিফু য়াংখৈগী মন্নংদা লৈবা মীয়াই চল্লবা মীশক অমা ওইরম্মী, অতুগা পৈলানা চহি কুনলোমগী নহা অমা ওইরম্মী। কৃষ্ণনা মখোয় অনিদ খুবমতুনা ইকাইখুম্নবা উংপা মতমদা মখোয় অনিনা মঙোন্দা আশীর্ব্বাদ পিবিরম্মী।

পরাশর মুনিনা মহাক খুবস্বা লাকপা, মনাক নকপা খুনশিং অতুদা লৈবা ঙা ফাবশিং অতু উবদা. মহাক্না মখোয়গী মনাক্তা লাক্লম্মী। খুঙ্গাশিং অতুনা মুনিগী মখোং শোক্লা গুরমতুনা আশীর্ব্বাদ নিজরম্মী। মহাক্না মখোয়শিং অতুগী মফমদা আশীর্ব্বাদ পিতুনা পেলহন-খিবতা নত্তনা মখোয়গী অফ-ফত্ত পাওশিং কয়াবু হংদিতুনা পাংতোক-শিং কয়া অমস্তু পিবিরম্মী। মখোয়না চংশ্রবা মতুংদা মুনিনা মাগী পরুব্রা অনি অমস্তুং মচানুপাগা লোইননা যমুণাদা ইরুজবা লাক্লম্মী।

ইরুজরবা মতুংদা, খুকউ য়োবা ঈশিংদা লেপ্লগা মুনিনা

চৎনবী মতুংইন্না সূর্য্যদেবগী মফমদা ঈশিং খুজোক খুজোক মন্ত্রগা লোয়নননা কৎলম্মী। কৃষ্ণসু অমুক হন্না ঈশিংদা লুপ্পগা মপাগী মতৌ তমহুন চপ মান্ননা মন্ত্রশিং অহু খিত্তুনা ঈশিং খুজোক খুজোক সূর্য্যদেবগী মফমদা কৎলম্মী।

'কৃষ্ণ, নংনা তৌরিবহু লাল্লি. ইপানা থিগ্রিবা মন্ত্রশিং অসিদি লাইগী ওইবা মন্ত্রনি, নংনা থিবা হৌনদে.' মুনিনা হায়রকই।

নিংবা কায়বা মাইথোংগা লোয়নননা কৃষ্ণনা হংলকই, 'করিগীনো বাবা? ঐহাক অসি নংগী নচা নৎত্রা? মচা অমনা মপাগী ফজবা মতৌ তম্বদা করি অকাইবা লৈবগে?'

'চুম্মী, নহাক ঐগী ইচানি। অহুদা মন্ত্রশিং অসিদি অচম্বা অমত্তা নত্তে। মখোয়শিং অসিদি বেদগী লাইরাশিং ওাক্তনি। নংনা অনিরক হন্না পোক্ত্রি ফাওবা মন্ত্রশিং অসি থিবা য়ারোই.' মুনিনা মচাদা পোপ পোপ নুংশিনা ফুরগা হায়রকই।

কৃষ্ণনা অওকপা পোক্লম্মী। পিশুম শুক্রা রাখল তৌরম্মী। মতৌ করম্না মহাক্না অমুক অনিরক হন্না পোক্কদৌরিবা? 'বাবাসু অনিরক হন্না পোক্লব্রা?' মহাক্না হংলকই।

'উম, পোকখ্রে,' মুনিনা খুন্নকই।

'ঐনা করম্বা মতমদা অনিরক হন্না পোক্কদৌরিবা?'

'নংনা বেদগী মন্ত্রশিং অহু খোম্থোক চুম্না অমস্তুং রাহৈশিং অহু লান্দনা থিবা ওম্লবা মতুগা লোয়নবা ব্রতশিং অহুবু ওাক্না চৎপা ওম্লবা, মতম অহুদা য়াগনি।'

অহু ওইরবসু ঐনা মন্ত্রশিং অহু হৌজিক থিবা ওম্লে.' অসি

হায়রগ। কৃষ্ণনা মপানা থিখিবা অশেংবা মন্ত্রশিং অতুগা চপ মান্ননা. রাহৈ-রাতা অমতা কাইহন্দনা থিরম্মী।

পরাশব মুনিনা মচাগী মতৌ অতুদা নোক্লম্মী। মচানা খুঙ্গংদা পোক্কুনা চাউখত্তবা মরক্তা লৈজরবস্মু, বেদগী মন্ত্রশিংবু মহাক্ক থিবা অতুগুম্না, রাহৈ-রাতা অমম্মুং খোন্থোক অমতা কাইদনা থিরকপ। মতৌ অতু উবদা মুনিনা মশাদা চাউথোকচবা অমা পোক্লম্মী। 'মতু নংনা কাওদনা নপুক মন্নুংদা হানজিন্দুনা থম্মু, খক হায়দোক-থিদোকপা তৌগনু, নত্রবদি লাইশিংনা শাওগনি।'

মতুং অসিদা পরাশর মুনিনা মৈকৌবা লাইদা পূজা কৎনবা ফমথরম্মী। কৃষ্ণস্মু, মপাগী মনাক্তা নক্লা ফমতুনা, মপানা মৈকৌবা লাইবু কৌতুনা হৈ-লৈ কৎপদা থিবিবা মন্ত্রশিং অতুগী মতুং ইন্না থিবা য়াওবম্মী। মহাক্না মন্ত্রশিং অতু মতোমতনদি থিবা ঙম্লমদে। মপানা থিবগা মতুং ইনবদি ঙম্লম্মী। মতুংদা মপানা মঙোন্দা মন্ত্রশিং অতু মপুক্কিংদা ফাজিন্দুনা থম্নবা পাওতাক পিবিরম্মী।

পূজা অতুনা লোইরবা মতুংদা পরাশর মুনিনা মাবু উনবা লাকপা খুল্লাশিং অতুগা উনবম্মী। মথোয়গী মফমদা আশীর্বাদ পিবিরম্মী অমস্মুং অশোন অনা কয়াবুনা লাইয়েংলগা থাদোকখিরম্মী।

ময়াম্না চৎনখ্রবা মতুংদা মুনিনা জারুটকী, ইমুং-মন্নুংগী নুপা ময়াম অতুগা চামিন-থকমিন্ননবা হায়তুনা মাগী কমফম অদুদা ফমথরম্মী। ইচম চম্বা, ঙানদি মপুং ওইবা চাক-লেন অমা ওইরম্মী। খোংনাংবট মনা অপাকপশিংদা চান-থক্রবশিং পুন্নমক অতু হাপ্তুনা

লৈরম্মী। কৃষ্ণনা মপাগা চামিন্নবা হায়হুনা তুমিন্না মপাগী মনাক্তা চংশিন্দুনা ফম্লম্মী।

মতম অসিদা মাগী মমা পোকপা মবুধৌনা মাবু কৌরগা হায়রকই, 'কৃষ্ণ, অসিদা লাও, নংদি ঐগা মহৌশা মতৌগুন্না চামিন্নসি।'

'ওম্মোই,' কৃষ্ণনা লাওনা হায়রকই। 'হৌজিক্তি ইপা লাক্লব-নিনা ঐনা মহাক্কা লোয়ননা চামিন্নবগনি।' মতুংদা মহাক্কা অঙাং ওইবগী ইচম চম্না মপাদা ওনশিন্দুনা হায়জবকই, 'বাবা, ঐনা, নংগা চামিন্নে হাযত্নুনা নংনা শাওগদ্রা?' ব্রাহ্মে খবসি হায়দোকপ্রবা মতুংদা কৃষ্ণনা মপুক্লিংদা অকিবা অমা পোক্লম্মী, মরমদি মাগী ব্রাঙাং অসিদা মপানা শাওখিত্নুনা মাবু চৎপদা পুবিররোইদ্রা হায়না।

'কবিগী শাওরুনি ইবুংঙো। নংনা ঐগা চামিন্নগনি হায়বা অহুদা ঐদি য়াম্না হবাওবিবনি,' অসি হায়রগা মুনিনা মচাগী মনঙন্দা ন্নংশিনা পোপ পোপ ফুবিবম্মী।

পরাশর মুনিনা চাক অহু চাদ্রিবৈগী মমাংদা খোংনাংবট মনাদা হাপলিবা চাকলুক অহুগী অকোইবদা মন্ত্র শোন্না ঈশিং শিক্লগা ঈশ্বরগী মফমদা মখুৎ লোম্নহুনা কৎলম্মী। কৃষ্ণস্ মপাগী মতৌ তমহুনা চাকলুক্কী অকোইবদা ঈশিং থিক্লগা মপানা শোন-থিবা মন্ত্র অহু তুমিন্না মচিনবান্দা মুকম মুকম শোল্লম্মী। মহাক্কা মন্ত্র অহুবু মপুক্লিংদা নিংশিংহুনা লৈরম্মী। মাগী মতৌ অহু উবদা অহল লমনশিং অহুনা নোক্লম্মী।

অহিং অদু কৃষ্ণনা মপাগা তুম্মিন্নরম্মী। অহিং চুপ্পা মাগী মথুং অমদি মপাদা পায়দুনা লৈরম্মী। মহাক্কী অকিবা অমদি, মপানা ইথং অদু থাদোক্লুনা মহাক য়াওদনা চংখিগদ্রা হায়বা অসিনি।

মথংগী অয়ুক্তা. মুনিনা অয়ুক্কী তৌফম থোকপা মথৌশিং লোইদুনা, ময়াম অদুগা উনবা লাক্লম্মী। মতম অসিদা মংস্থাগী মপা অহল ওইরবা জারুটনা য়াম্না কিনা অমস্তুং হঙ্গোইনা মুনিগী মফমদা ব্রাফম অমা নিংশিংজরকই, 'ইকাইথুম্নবগী মশক ওইববা মহামুনি, কৃষ্ণ অসিনা পোংলুম অমা ওইনা লৈরে।'

পরাশর মুনিনা মপুক্লিংদা খোইত্তানা নোক্লম্মী। 'ঐস্থু মদু উবা ফংলে। মহাক পোক্তি বৈদগী হৌনা, মহাক অসিনা পোংলুম অমা ওইববগনি হায়বসি ঐনা খংগ্রবনি। কৃষ্ণ, নংনা নবুধোদা অরাবা য়াম্না পিরে হায়না নবুধোনা হায়ম্রি।'

কবিমতা পিদে.' কৃষ্ণনা ইচম চম্না নোক্লুনা হায়রকই। 'ইবুধৌনা ঐবু করেম্নবিবনি বাবা। ঐদি মহাক্না হায়বা অদু ইংদুনতা লৈরিবনি।' মহাক্না নোক্লগা অমুক হায়জরকই, 'য়েংবিয়ু ইবুধৌদা, মহাকস্থু নোক্লিবা অসিনি।' ময়াম অদুস্থ নোক্লম্মী।

জারুটনা মথুং লোম্নদুনা মুনিদা হায়জরকই, 'মহামুনি, মতম চুপ্পদা মহাক্না মুনিগা লোয়ননা চংপগী ব্রা হায়দুনতা লৈ। ব্রাফম অসিদা ঐখোয়গী অয়েংপদি কবিমতা লৈব্রদে হায়ববু, মুনিগী মফমদা অকাইবা অমস্তুং খুদোংথিবা কয়ামুক লৈ হায়বদু ঐখোয়না খংজবা ওম্নম্মী। অদুগা অমরোমদা, মহামুনিনা মাবু থনমদুনা

চৎথ্রবস্তু মাগী মপুন্সিদি মাংগদৌবি।' তশেংবদি জারুটনা মশু কৃষ্ণবু থাদোকখিবা পাম্লম্মী। অদু নত্রবদি মৎস্যাগী মতিক চাবা মুপা অমতা থিবা কংলোইদৌবি হায়বসি মহাক্না উবা ফংলম্মী।

'রাগন্নু ডাকউ,' মুনিনা নোক্লা নোক্লা হায়বকই। নং অমস্তুং মৎস্যগন্ধানবু পাম্লবদি ঐনা মহাকপু পুথ্রগে। ঐহাক্না মতম খবদং মহাকপু মমাগী মনাক্তা, মহাক্না খনা জ্ঞান তাথ্রি ফাওবা থম্লিংজুনা তৌবনি।

কৃষ্ণনা মবক থংনা হায়বকই, নত্তে বাবা ঐহাক হৌজিক্তি চাউবক্লে।' মহাক্না মগবাক অমস্তুং মরেংজগ ফন্দোক্লগা হাংবকই, 'বাবা নংনা খংদবনি, ঙবাং ইবুধৌনা ফাবা ঙমদবা ঙা অদু ঐনা ইরাই লাইনা ফাংবগী।'

'অদু ওইরবদি ঐনা নংবু পুবিবগনি। অদুগা নংদি য়াম্না কবা অঙাং অমস্তু ওইনা তায়,' মুনিনা মচাদা হুংশিনা রেংলগা হায়রকই।

মপাগী য়া তাবদা কৃষ্ণনা থোইদোক্না হরাওজবম্মী। মতুংদা মহাক্না ইচম চম্না মপাদা হংজবকই, 'বাবা, ঐখোয়না চৎপা তাসিদা ইমানা য়াওবা য়ারোইদৌরিবা অসি মরম করিগীনো?' মহাক্না নংগী সেবা তৌগনি। অদুগা অমুকস্তু বাবানা ঐ অসি অমুক হন্না পোকখিগদবনি হায়বগা ইমা য়াংদ্রবদি ঐনা মতৌ কথন্না পে কদৌরিবনো?'

মুনি অমস্তুং ময়াম অদুনা য়া য়া লাওনা নোক্লম্মী। মতুংদা মুনিনা হায়রকই, 'ঐখোয়না মহুবু করিগুম্বা মওং অমা ওইনা

শিনগনি কৃষ্ণ। মহুগীদমক্তা রারস্থ। অহুগা নমানা ঐখোয়গা লোইননা চংলবদি, অহল ওইরবা ওইরবী মখো অমস্তুং নবোক অনিবু কনানা য়েংবিহৌগনি। মখোযদি অহল য়াম্না ওইশিল্লক্লে।'

'অচুম্বনি বাবা। অহুগা, মখোয় অহল অনিনা শিগ্রবা মতুংদা ইমাপুদি কনানা য়েংবিহৌগনি?'

অভাংগী রাঙাং অহু ভাবদা, ভিল্লিগী মী খুদিংমক্তা ওক্লবম্মী। জারুট অমস্তুং মাগী লুপী, মখোয় অনিদি মংস্থাগী মবমদা মুনিনা কবি ক্ষিবেপ লৌরক্কদগে খনবদা, মপুক্লংদা অরাবা পোক্লম্মী।

মুনিনা মিংকুপ খবা মমিং উইশিন্দুনা ধ্যান তৌববা মতুংদা মমিং পা থোক্লগা নোক্লা নোক্লা হায়রকই, 'নমাগী মরমদা রাবা তৌগক্তু। নমা মংস্থাগী চুংগী মপুস্তিদি থোইদোক্ত কুংঙাই য়াইফবা অমা ওইগনি। মহাক্কী গ্রহশিংনা ভুশেংনা উংলি। অহু ওইরবস্তু কুপ, নংনা চাউবক্লবা মতমদা, নমানা ওইনিংবা অমা ওইজবদস্তু, নংনা নমাবু য়েংলরনি।'

মংস্থানা মুনিগী মথোং, মকোক্লা শোক্লা খুবমজারম্মী। মুনিনা মাবু মকোক্তা নানবিবগা আশীর্ব্বাদ পিবিরম্মী।

কুমিং নিনি অসি ক্লকনা মপাগা লোয়ননা চংমিন্নরগনি খনবদা থোইদোক্লা হবাওজবা পোক্লম্মী। মহাক্ক খংনজবা উনবা মী খুদিংমক্তা মগাক্লা মপাগা লোয়ননা চংলগনি হায়দুনা পাও পিজরম্মী। মাবু মতম খবগী মমাংদা মপা লৈতবা মচানি হায়দুনা নোক্লবম্বা যমুণা রাংমদা লৈবা মমান্নবশিং অহুগী মফমদস্তু মহাক্লা চতুনা মখোযগী মফমদা মাগী কুংঙাইবা পাও অহু ভমজবম্মী।

মহাক্কী মপাদি পুন্নমক খংবা অমস্তুং হৈবা মুনি অমা ওইরম্মী। হুমিৎ, থা, থৌরানমিচাক অমস্তুং ঈশিংদা লৈবা জীবশিংগী মরমদস্নু নিংথিজনা খংবা মপা মুনিনি হাযনা মহাক্না থাগৎলম্মী। মহাকস্নু মতম খরগী মতুংদদি, মপাদগী তমতুনা লোইনা হৈগনি হায়তুনা মমান্নবশিং অদুগী মফমদা হায়বম্মী। মতম অদুদদি, বাবা মুনিগী পক্কবাশিং ময়াম লৈবিবা অদুগুম্না ঐহাক্কীস্নু থমগনি। ঐহাক্না চাউনন্নবা মতমদদি, নিংথৌশিংনা বাবাদা খুবম্বগুম্না ঐঙোন্দস্নু খুনমহনগনি, অদুগা ঐনা মখোযদা আশীর্ব্বাদ পিবিগনি।

মতুংদা কৃষ্ণনা মপাগী মনাক্তা লাক্লগা মঙোন্দা মপানা হৈবি-খংলিবা মহৈশিং পুন্নমক অদু তম্বীনবা হায়জবম্মী। মচাগী নশৌ উবদা মুনিনা মপুক্নিংদা থোইদোক্না অপেনবা পোক্লম্মী। ঈশ্বরগী রাখলদা মচানা মপুক্নিং চংবা মতৌ অদুদস্নু থোইদোক্না হুংঙাইবম্মী।

মুনিনা হনগদবা হী অদু হীদেন অদুদা থুংডবম্মী। ঙা ফানা নুপা নুপীশিং মযাম অদুনা মুনিবু বিদায় পিবগা আশীর্ব্বাদ লৌহৌনবগী দমক্তা লাক্লম্মী।

কাইনবংদাইগী মতম অদুনা থুলরবদা মংস্থাগী মমিত্তা মপিনা পিক ওল্লম্মী। মহাক্কী মচ অমুক হন্না উনা ফংলবোইদ্রা খনবদা মথরাই অদু তনিক তনিব্রম্মী। অদুবু, মচা নুপা অসিনা মপাগা লোইননা চংখিবনা, মচাগী তুংগী লম্বীদা অফবা অমদি শোইদনা ওইবক্কনি হাযবসি মহাক্না (মংস্থানা) থাজবম্মী।

অস্নুক জ্ঞান লৈবা মচানুপা অনবু ঈশ্বরনা পিবক্লগা, ঙা

ফাবশিংগী মরক্তা য়োক্নুনা অমদি যমুণাগী খেৱা লানবগী থবক্তা শিজিন্নবনা চাউহনবদি পাপকী মশক ওইগনি হায়না মংস্থানা থনজরম্মী। ঙা ফাবশিংনা ইকোই কোইশিন্না লৈরিবশিং অসিগী মরক্তা লৈত্নুনস্থু অঙাং ওইরিবা মচা মুপা অসিনা, মতম চুপ্পদা মুমিং, থা, অমস্থুং থৌরানমিচাকশিংগী খোংচৎবু য়েংত্নুনা অমস্থুং থন্দুনা লৈ হায়বসি মমা ওইবী মহাক্তনা নিংথিনা খংলম্মী। মপা মুনিগুম্ন জ্ঞান লৈবা, নিংথিবা মচানুপ অমা পিৰিবগীদমক্তা মহাক্না মমা যমুণাবু অতৎপা লৈতনা, হন্না হন্না খুরমজরম্মী।

মচা কৃষ্ণনা মপাগা লোয়ননা চৎথবস্থু, মাগী তুংগী পুন্সি, মচা অসিগী মপাস্তা তাংত্নুনা লৈররগনি হায়বসি মংস্থানা তশেংনা উরম্মী। অত্নুগা মহাকস্থু মতিক চাবা নহা, ঙা ফাবা অমগা লুহোংবা য়াবগী ফিভমস্থু লৈরম্মী।

থাইনরমদাইগী পুংফম অত্নু য়ৌরক্লবদা. কৃষ্ণবু হীদেন তাফম অত্নুদা উবা ফংদবদগী ময়াম পুম্নমক অত্নু ইভক ভক্লরম্মী। মখোয় থরদি মহাকপু থাংপোকশং মনুংদা লৈ লাকপ্রা হায়ত্নুনা য়েংবা চৎনখিরম্মী। মতু দা ময়াম অত্নুনা ভকপদি. কৃষ্ণনা কনা অমত্তা খংহল্লমদনা, তুমিন্না ঈশিংদা কুমত্নুনা চৎথগা হীদা কাখত্নুনা মপা ঙাইনা লেপ্তুনা লৈরম্ব মপৌ অত্নুনি। মহাক্না তৌরিবা মতৌ অসি মাগী মমা অমস্থুং মবুধোনা মাবু খামহৌরগদ্রা হায়না কিবদগী তৌবা ওইরমগনি হায়না, কোম্নথংদা ময়াম্না থন্নরম্মী।

পরাশর মুনিনা রা–রা লাওনা নোক্লগা হায়রকই, 'কৃষ্ণনা মফম অসিদা ঐবু, মংস্থা নংগী ননাক্তা থনম্মগা মতোম্মন্তা চৎপা

পাম্লমাল্লে।' মতুংদা মুনিনা কৃষ্ণদা য়েংলগা লাওবকই, 'কৃষ্ণ, মক্কম অসিদা লাও। নংনা নমাগী অমস্তুং নবুধৌ নবেনশিংসিগী মখোং শোক্লা খুবম্মগা মখোযগী মফমদগী চংনবগী য়াথং অদু লৌরো, অহল লমনশিং অসিনস্তু নাংগোন্দা নুংডাই-যাইফনবা থৌজাল পিনবিগনি। মসি আর্য্যশিংগী চংনবিনি।'

মপুক্লিংদদি কিতি-কিকম ওৌনা কৃষ্ণনা হীদগী চোংথরগা ঈশিংদা মহাক্লা তুবোই-ডাম্লোই লাকপা মতৌ অদু উবদা মীয়াম অদুনা র্‌া-রা লাওনা নোক্লম্মী। কৃষ্ণনা হীদা লৈবম্মা শক্তি মউন অহেনবা অদুনা মডোন্দদি কা ডেম্না চাউজববস্তু মগুক্তগী মখোং ফাওবা কুপশিন্দুনা যান্না বানা নাতৈ চাদনা ঈশিং অদুদা লাক্লম্মী।

মহাক্লা ঈশিংদগী কাখৎলক্লগা শক্তি মউন অদু মখুং অনিনা মশাদগী নাম্বদনবা পাইদুনা মবুধোদা খুবমগে হাযনা নোম্বকপদা, ফিবেপ কাঙ্গবদগী শক্তি মউন অদুনা নাম্বদুনা লৈবাক্তা তারগা মশানা থবো থংবা ওল্লম্মী।

পবাশর মনিনা মচাবু চিংখতুনা হৌগৎপিবগা শক্তি মউন অদু অমুক হন্না শেংচিনবীবম্মী, নাম্বদনবা থৌবি অমনা অমুক মশাগা পান্নানা পুনবিবম্মী। মতুংদা মচাবু নুংশিনা কোনবিরম্মী।

মচানা চংখিগাদবা মতৌ অদু উবদা মংস্থাগী মখজাই অনিমক্লা মপিনা অতৎপা লৈতনা শিন্দবম্মী। 'কৃষ্ণ, নংগা ঐগা করম্ব মতমদা অমুক উন্নবা ফংগনি?' মংস্থানা মাগী থম্মোই অদু শোক্লা মচাবু কোল্লগা হাযবকই।

'ইমা রাগন্নু। নহাক্লা ঐবু উন্নবা পামদুনা হেক কৌরকপা

মতম অতুদা ঐহাক্কা শোইদনা ননাক্তা থুংলগনি,' কৃষ্ণনা মমাদা ময়ুংশিনা য়েংলগা হায়জরকই।

মৎস্যানা মচাবু চেৎনা কোনশিল্লগা মরাইবক্তা হন্না হন্না চুপপিরম্মী

'কৃষ্ণ, আর্য্য অমনা মমাবুদি খক কাওদবনি মহাক অসি নংগীদি নমা, লাইরেম্বীনি,' মুনিনা মচাদা হায়রকই।

মৎস্যানা মচাবু মুনিগী মফমদা শিন্নজরগা নোম্বতুনা মকোক্কা মুনিগী মখোং শোক্কা, হিক্কা হিক্কা কপ্লুনা খুরমজবম্মী।

মুনিনা হায়রকই 'মৎস্যা কপকনু। নচাদা আশীর্ব্বাদ পিবিয়ু। ঐনা ওসিদগী কৃষ্ণবু 'দ্বৈপায়ন'* হায়না কৌরগনি। 'দ্বীপ মচা অসিগী অঙাং' কৌরবদি মহাক্কা নংবু কাওবা খক ওম্মোই।'

মতুং অসিদা পরাশর মুনিনা মচা কৃষ্ণবু পম্বীরগা ঈশিংদা মখোংনা চৎখিতুনা হীথক্তা কাখৎখিরম্মী।

'ইমা, ইমা, কপকনু,' কৃষ্ণনা মমাদা লাওজরকই। 'ঐহাক বাবাগা লোয়ননা চৎলে।'

---

* দ্বীপ হায়বসি সংস্কৃৎকী ৱাহৈ অমনি, মাগী অর্থদি ইথৎপু থংনৈ। দ্বৈপায়ন হায়বা মমিং অসি ৱাহৈ অসিদগী শেমদোক্লগা, ইথক্তা পোকপা অঙাংনি হায়না থংহনবত্তনি।

৩ শুবা পন্দূপ

মপা মচা অনিনা, যমুণাগী ইথক ইপোম মরক্তা, হনগৎনা চেপ্লিবা হী অত্নদা তোংহুনা, মপুক্লিং মকা লাম্না চংলম্মী।

দ্বৈপায়ন্না যমুণাগী ইচেংদা হী হোনগত্নুনা অমুক্তা চত্তবা মরম্না থোদোক পুন্নমক অত্নু মঙোন্দদি ইনোতা নোত্নুনা মুংঙাইবা পোক্লম্মী। মহাক্না যমুণাগী তোর্ব্বানশিংদা ঙা কোরিয়ানশিংনা উতুপ তাবগুম্না লেংদনা লৈবা, অমসুং খরনা মনা মনিল নাইদনা যমুণাগী ঈশিংদা কুমথরিবা, অমদি অতোপ্পা তোর্ব্বান্দনা, শামুংশিংনা মনাতোন্না ঈশিং চিংখত্নুনা থকপা অমসুং মচাশিং অত্নুনা মনাতোন্না ঈশিং চিংখৎলগ মমাশিং অত্নুগী মথক্তা মনাতোন থাঙ্গত্নুনা চায়খৎলিবা মতৌশিং অত্নু উবদা মাগী থোইদোক্না মুংঙাইবা কুম্মৈ অমা ওইরম্মী।

দ্বৈপাদি মখোয় ঙা ফাবা জাতিশিং অত্নুগী মবোল অত্নুতমক হৈরম-খংলম্মী। মপা মুনিনসু মত্নু খংহুনা মহাকপু খুদোংচাবা মক্ষম-মতম হেক ফংবগা আর্যাশিংগী লোন, লাইশিংগী ওইবা সংস্কৃৎ, তম্বীবা হৌরম্মী। মাগী মচানুপা অঙাং অসিনা হেক তাকপি-তম্বীব খুদক্তা লোন অসিবু পরপ পরপ লৌশিনবা ঙমহুনা খরা লংলপ তৌজরবসু ঙাংবা ঙম্নকপা মতৌ অত্নু উবদা মপুক্লিংদা মুংঙাইবা পোক্লম্মী।

মুমিংনা তারমদাইগী মতমদা মখোয়গী হী অদুনা গোধূলী আশ্রমগী হীদেন ময়া অদুদা থুংলম্মী। হীদা তোংদুনা লাকপা মীশিং অদুগী মরক্তুগী খরদি, মখোয়গী লমথুংক্ষম য়োরদুনা হীদগী কুমথরগা মখোয় মখোয়গী মখুন ত্তম্না চৎনখিরম্মী। অতৈশিং অদুনা অহিং অদু মফম অদুদা লেনগদবগী হীদগী কুমথরগা তোর্ব্বান অদুদা চান থক্লবগী থৌরাং তৌনরম্মী।

পঙ্গু (মখোং শোইবা) মুনি থুংঙরে হায়বা পাও হেক তাবগা থুঙ্গং অদুগী মীশিং পুন্নমক অদুনা, কনানা পুংজাও থিন্দুনা অমস্তুং কনা কনাগুম্বশিংনা পেরে-শীঙ্গা খোংদুনা মুনিগী মনাক্তা য়োনরক্লম্মী। মখোয়না মখোং নামা শোইবা মুনিবু থোইদোক হেন্দোক্লা মুংশিরম্মী। মুনিনস্তু মখোয় পুন্নমক অদুবু মচাগুম্না মুংশিনা অমস্তুং লুনা তৌবিরম্মী। মুনিনা থুঙ্গং অদুদা লৈবা অশোন-অনাশিং পুন্নমক অদুবু লাইয়েংবিদুনা ফহনবতা নত্তুনা অতৈ অতোপ্পা থুঙ্গশিংদা লৈবা অশোন-অনাশিংবুস্তু লাইয়েংদুনা ফহল্লম্মী। মুনিদি মতম অদুগী খ্বাইদগী হেন্না ফবা মাইবা অমস্তু ওইরম্মী।

মনাক নকপদা লৈবা গোধূলী আশ্রমগী আচার্য্যগৌতম, মুনি পরাশরগীদি পরুরা, মাগী গুরুনা গোধূলীদা লাক্লে হায়বা পাও কংদুনা মাগী পরুরাশিং খরগা লোইননা চেল্লক্তুনা মুনিগী মখোং শোক্লা থুরমজরম্মী।

মুনিনা মাগী মচানুপা দ্বৈপায়নবু গৌতমদা মাগী মচানি

হায়না থংহনবা মতমদা, আচার্য্যনা দ্বৈপায়নবু আশীর্ব্বাদ পিনতা মণ্ডনা য়াম্না নুংশিনা কোনবিরম্মী।

আচার্য গৌতমনা মুনি অমস্তুং দ্বৈপাযন অমদি মুনিগী থৌগল তৌনা লাকপা পরুম্না অশ্বাল অমস্তুং পৈলা, লোইননা অতৈ অতৈ হী তোহ্নুনা লাক্লীবা মখোয় পুম্নমক অহুবু মাগী আশ্রমদা চাথক্লুনা পোত্থাকুনবা হায়জবম্মী।

ময়াম অদুনা আশ্রম য়োববা মতুংদা, নুমিদাংবাইবগী সন্ধ্যানচিংবা তৌনবম্মী। মতুংদা মখোয়না আচায্যনা থৌবাংলিবা চাবথকপগী থবক অদুদ শরুক যারগ, মফম চাবা যেংনা পোত্থানরম্মী।

দ্বৈপাযনদি মপাগী মনাক্তা শক্তি মউন অমা থাবগ িপিলম্মী। নোংচিং থাংদবা অহিং অমা ওইবনা, অতিযাদ থৌরানমিচাকশিং অতু তক তকনা থোরম্মী। পবাশব মুনিনা মচাগী মফমদা অতিয়াদা থোক্লিনা মক মক ওইবা থৌরানমিচাকশিং অমস্তং গ্রহশিং, মীওইবগা থোযদোক্লা মবি নৈনবশিং অতুগী মমিং হায়তুনা, খুদোনবীনা থিল্লগা তাকপিবম্মী। দ্বৈপানা মমা পোকপা মবুধৌনা মঙোন্দা মাগী মপা মুনিদি থা থৌরানমিচাকশিংগী মরম পুম্নমক থংতি হাযনা হায়খিবতু অচুম্বা ওইবে হায়না মহাক্ক লৌজবম্মী। মুনিনা মঙোন্দা, ঋষি তবেংনা ওনখিবা থৌরানমিচাকশিং অতুবু তাক্লগা, ইতোপ তোম্বা, মাগী মবুধৌ পুবেন বশিষ্ঠ মুনিগী থৌরানমিচাক অতুবু খুদোনবীনা থিন্দুনা তাকপিরম্মী।

'বাবা নংস্তু থৌরানমিচাক অমা ওইগদ্রা?' দ্বৈপানা হংজরকই।

'ঐহাক্না বেদবু যোকখৎলবদি থৌরানমিচাক অমা ওইবা ঙমগনি,' মুনিনা খুম্নকই।

'ঐস্ত বেদবু য়োকখৎলবদি থৌরানমিচাক ওনবা য়াগদ্রা?' দ্বৈপানা হংজরকই।

'নংস্তু ওনবা ঙমগনি' মুনিনা অবেপ্পা অমা ওইনা হায়রকই।

দ্বৈপায়ননা হরাওবগী পান্দম লেরমদে। 'অদুবু বাবা, থৌরান-মিচাকশিং অসি কনানা চংহনবগে?' দ্বৈপানা হংজরকই। 'মথোয়না নোংদ্রপ পাংনা চংপগুম তৌই।

'ঈশিং অমস্তুং অতিয়া পুম্নমক্কী মপু ওইবা ঈশ্বর বরুণ মহাক্না চংহল্লীবনি। থৌরানমিচাকশিং অসি মহাক্কী মমিৎশিংনি, মসিনা ঐখোয় খুদিংমক্কী অফ ফত্ত থবকশিং য়েংলিবনি।'

'নং ঐগীস্তু য়েংব্রা বাবা?' দ্বৈপানা হংলকই।

'তাশেংনা য়েংলিবনি' মুনিনা খুম্নকই।

দ্বৈপায়নগী মপুক্কিংনা য়াম্না কন্না থাজবদু পোক্লম্মী। হৌজিক্তি মহাক অসি, ঈশ্বর বরুণগী খৌজাল মখাদা লৈরবনি হায়না থনজরম্মী।

মথং হুমিৎকী অযুক অঙনবদা, অযুক্কী মথৌশিং তৌবা লোইরগা মুনিনা আশ্রমগী পক্কল্লাশিং অদুগা লোয়ননা মৈ কৌবা লাইদা হৌ-নবী মন্ত্রশিং থিল্লুনা পূজা কৎলম্মী। দ্বৈপানা মপাগী মনাক্তা ফমদুনা মপানা থিখিবা মন্ত্রশিংদু মচিন্দা পুনবা হন্না হন্না নিংশিংদুনা লৈরম্মী।

হুমিৎনা তবং তরং থোবক্লবা মতমদা মুনিনা আশ্রমগী ময়াম অদুদা হবাও হরাওনা আশীর্ব্বাদ তৌবিরম্মগা মাগী মচা অমস্তুং পক্কা অনি লোয়ননা, ঙাইদুনা লৈরিবা হী অদুদা কাখৎথিবম্মী।

হৌ অদুনা খরা চংলক্লবা মতম অদুদা, দ্বৈপায়নন মপাগী মফমদা য়াহংশিং হংবা হৌরক্লম্মী। মনিন মচা নুপা অমাং অহৈবিবা অসিনা মপুক্কিং যাম্না চংনা অমম্তুং শংনিংনা য়াহং কয়ামক্কম মথং মথং হংলকপা মতৌ অদু উবদা থোইদে ক্রা। ওক্লবস্তু মপুক্কিংদদি নুংঙাইবা অমা পোক্লম্মী। নাতৈ পুন্দ চাদবা য়াহং কয়ামকম য়াওজববস্তু মুনিনা য়াহৈ অকনবা হায়বগী মতৌ, মচাগী মপুক্কিং হনখিনি অমম্তুং নুংশিখিনি হায়দুনা, নোক্লা নোক্লা মচাগী অবানবশিং অদুবু চমথোকপিবম্মী।

দ্বৈপাগী অকুবা য়াথল অমতং লেজবম্মী। মহাক্লা মতৌ কবম্না মপাদা তক্লনগা মাগী লাইমিং লৌনা অমম্তুং নগুন থাংবগী থবক, হায়বদি অনিবক হন্না পোকপগী থবক (দ্বিজ) অসি পাংথোকহনগদগে হায়বা অসিনি।

নোংমদি তাঙ্কা ফংদুনা বাবিগী মবক থৎলগা দ্বৈপানা মপাদা হায়জবকই, 'বাবা, বাবানা ঐঙোন্দা, ন না নগুণ থাংলবদি মদুগী চংনবী পুম্নমক ঙাক্কদবনি হায়না তাকপিখি। চংনবীশিং অদু করি কবিনো তাকপিয়ু। ঐনা মদুবু শোয়দনা ঙাক্তুনা চংচগনি।'

'নংগী চহি মতাং অসিদা চংনবীশিং অদু ঙাক্লা চংপদা য়ানা থোক্কনি,' মুনিনা হায়বকই। 'নংনা নিয়ম বল্লবা ব্রহ্মচর্য্যগী পুন্সিদ লৈদুনা, নংগী গুরুগী মথা পোন্না মানা হায়বা অদুতা তৌগদবনি। ভিক্ষাদা ফংলকপা পোৎশক খরা অদুতা হিংনবা চাবগা, বেদদা নপুন্সি অদু পুমকৎ কংথোক্তুনা লেনগদবনি।'

'তাকপিবিবা অদু ঐনা শোইদনা তৌজগনি বাবা,' দ্বৈপায়ণনা

ইচং থৌনা হায়জরকই। 'পৈলাম্ভু মচু তৌরি, ঐস্ভু মচু তৌবদা করিগী ঙম্লোই? মহাক্না ঐঙোন্দগী চহি নিপালতনি হল্লিবা।'

মুনিনা মচাগী মনঙন্দ মথুংনা পোপ পোপ ফুবিরগা মখা তানা হায়রকই, 'মন্ত্রশিং অসুদি ইচম চম্বা অমত্তা নত্তে, লাইশিং-মক্তনি। নংনা মখোয়শিং অসুগা অমত্তা ওইমিন্নথ্রবদি. জগৎকী অরোন-অথুপ পুন্নমক্কী মপু ওইবা ঈশ্বর ইবুংঙো অসুনা নংগী নফমদা পুন্নমক অসুবু খংহল্লক্কনি।'

মখোয়না মথং মথং হী তোংদুনা লাকপনা, মুমিৎ মুংবা মতমদা খুনয়া মনাক অমদা কুমথরগা ধর্ম্মগী থবক 'সন্ধ্যা তর্পণ' তৌরম্মী। খুন অদুদা লৈবা মীশিং অদুনা মুনিগী কাংবু লাকপা উদুনা চেনখোরক্লগা মুনিগী মফমদা ইকাই খুম্নবা উংনা খুবমজরম্মী। মতুংদা মখোয়না চান থক্লবা চিঙ্গাকশিং লৌরুরগা মুনি অমস্তুং মাগী কাংবুদা কৎচরম্মী।

চাবা থকপা লোইদুনা ঙাইহাক পোত্থারবা মতুংদা মখোয়না অমুক হী তোংদুনা চৎপা হৌরম্মী। দ্বৈপানা মফম খুদিংমক্তা মপাবু মীশিংনা হবাও হবাংনা অমস্তুং তবাম তবাম্না ওক্লম্বা মতৌ অদু উবদা মপুক্লিংদা থোইদোক্না হবাওবা পোকচরম্মী। 'বাবা, নংনা করম্বা মতমদা বেদগী মন্ত্রশিং অদু থিবা হৌগদগে?'

মুনিনা মোমোন নোক্লম্মী। মচাগী নিংজবা ব্রাখল অদু মহাক্না থুগাইনিংলমদে। 'ইবুংঙো, মসিদি য়াম্না থুপথ্রবা অমনি,' মহাক্না মচাদা হায়রকই।

থুদক অদুদা দ্বৈপানা য়াম্না থম্মোই শোক্না হংজরকই, বাবানা

মতুবু ঐ ফাওবদা থুপ্পা থম্বা করিগী পাম্বিরিবনো ? ঐহাক অসিবু নংগী নচা নত্রব্রা ?'

'ঐনা মতু নঙোন্দা হায়বদা, মতুবু নংনা থাজবা ঙমদবা য়াই,' মুনিনা হায়বকই।

দ্বৈপানা, মপানা মাবু থাজবা রাংপগী মতৌ অতু উবদা মপুক্লিংদা রারৌবা পোক্লম্মী। অনবোমদা মহাক্না মপাদা গ্রি গ্রি তকশিন্দুনা হায়নবা তৌরুববসু মপানা মাবু শাঙরক্কুনা মমাগী মনাক্তা অমুক হন্না থিনগে হাযবকপা য়াই শন্দুনা মপুক্লিংদা মুংশাথিবা পোক্লম্মী।

মুনিনা মাগী মচাগী মপুক্লিংদা চিংনবা অমসুং রারৌবা পোকপা মতৌ অতু উদুনা, মচাগী চিংনবা, মুংঙাইতবা অতু অমতা লৈহল্লরোই থন্দুনা হায়বকই, 'নংনা অথুপ্পা মন্ত্রশিং অতুবু কনাগী মফমদা হায়দোক্কনা, নত্তোমতদা থমজগে হায়রবদি হায়বিগে।'

'ঐনা রাশকুন হায়জবি বাবা, নচাবু থাজবিয়ু।'

মুনিনা হায়বকই, 'ঐগী ইবুধৌ বশিষ্ঠনা মতম অতুগী আর্য্যাবর্ত্তদা লৈবা ঋষিশিং পুম্নমক অতুগী কোকতন-লাইহন ওইরম্মী। মহাক্না লাইশিংগা ফাওবা রারি শানবম্মী। লাইশিংনা মঙোন্দা বেদগী মন্ত্রবু ময়েক-মশোল চুন্না, অমসুং খোম্থোক কায়দনা থিবা তম্বীরম্মী।'

দ্বৈপানা মমিৎ অতু লাওনা পাংথোক্লগা মপাদা হংজরকই, 'তশেংনা ইবুধৌ পুরেন্না লাইশিংগা রারি তৌবা ঙমখিব্রা ?'

'ঙমখি,' মুনিনা খুম্লকই।

'বাবাদি নশামক্না লাইশিংগা রারি তৌবা ঙমগ্রব্রা ?'

'অমুক্তুংদি ঐনা ঙমগ্রে। হৌজিক্তি ঙমদ্রে,' মুনিনা মথৱাই নুংঙাইতনা পাওখুম পিরম্মী। মতুংদা মহাক্না মোমোন নোক্লগা হায়রকই, 'নং অসিদি হংবগী অপেনবা হায়বতু নশাদা লৈত্রে।'

'ঐদি বাবানা খংবা পুন্নমক অদু লোইনা খংবা পাম্মি,' দ্বৈপানা অঙাং ওইবগী চমখ্রবা মিনোক্তা নোক্লগা হায়জরকই।

মুনিনা মচাগী ইচংথৌনা মথৱাই য়াওবা মতৌ উবদা, মপুক্লিংদা পেনজরম্মী। দ্বৈপানা রাখল তৌনা ঙাইহাক তুমিন্না লৈরুরগা মাগী হৈনজবী মওংদা অমুক, মপাদা হংব হৌরকই, 'বাবানা বেদ তম্বা মতম অতুদা, বাবা চহি কয়া শুবে?'

'ঐনা বেদবু ইবুধৌনা শক শোনবা তাহৌবদগী হৈহৌবনি।'

'বাবাবু পোকপা ইবুধৌনদি নঙোন্দা করিমত্তা তম্বীরমদ্রা?'

'ঐবু পোকপা নবুধৌনদি তম্বীবমদ্রে মহাক্তি লান্দা শিখিরম্মী। মতম অতুদ ঐদি ইমাগী মপুক মনুংদা লৈরম্মী,' মুনিনা খুন্নকই।

দ্বৈপানা রাখল ঙাইহাক তৌরুবগা ইচম চম্না অমসুং নুংশিনা নোক্লগা হায়জবকই, 'ঐন খংনিংবা রাফম খরসু লৈব্রি, ঐনা রাহ শিং অসি হংবদা বাবাগী নুংঙাইতবা ওইগদ্রা?'

মুনিনা নোক্লগা হায়রকই 'নুংঙাইতবা, শাওনিংবা অসিন-চিংবা মীওইবগী কান্নদ্রবা রাখল পুন্নমক থাদোক্লগে হায়রুনা রাশক লৌথ্রবনি। অদুগা ঐনা নঙোন্দ করিগী নুংঙাইতবা পোক্কদৌরিবা? ওইথোক্রবনি! ঐনা নংগী রাহংশিংগী পাওখুম পিবদা চিংনবদি, নংগী চহি মতাং অসিদা, ঐনা পিরিবা পাওখুমশিং অসিগী ফজবা

অহু নংনা খংবদা ৱানা থোক্কদ্রা হায়বা অসিতনি। হায়য়ু নংনা করি খংনিংবা লৈরিবগে ?'

'মতৌ কবম্না বেদগী মন্ত্রশিংবু বাবানা পোক্তনা পুকন্নুংদা লৈরিঙৈ মতমদা, ইবুধৌ পুবেন্না তম্বিবা ঙমখিবগে ?'

'মহাক্না মহু ঙম্লম্মী, মবমদি লাইশিংনা মাঙোন্দা মী অতোপ্পা অমনা ফংবা ঙমদ্রবা শক্তিশিং অহুবু পিবিরম্মী,' মুনিন স্বর মপি অমা হোংদোক্লগা হায়বকই। মুনিনা মাগী মিৎয়েং অহু অথাপ্পদা ঙাইহাক যেংঙ্বগা তপ্পা হায়বকই, 'পুম্নমক অহু ৱাংখ্রবা মতমগী ৱা ওইরম্মী '

'বাবাগী নবুধৌগী আশ্রম অমদি লৈবন্ত্রা ?' দ্বৈপানা হংলকই।

'মহাক্ত আর্য্যাবর্ত্তগী মতম অহুগী ঋষিশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী হেন্না ইকাই খুম্নগী মশক ওইবা ঋষি অমনি হায়না ঐনা নঙোন্দা হায়খ্রিবা অহুনি। মহাক্কী আশ্রমদি, অহল ওইরবা পক্কন্না চনিগী মথক্তা লৈবা, আর্য্যাবর্ত্তগী মনুংদা খ্বাইদগী হেন্না চাউবা অমা ওইবম্মী,' মুনিনা হায়বকই

'মহাক্না কবিগীদমক্তা লান্দা চংলিবা ?' দ্বৈপানা হংলকই।

'মহাক্তি নিংথৌ সূদাসকী গুরু ওইরম্মী। নিংথৌ অসিগী মথক্তা অতোপ্পা নিংথৌ তবানা লোতুনবগা লান তারক্লম্মী। অকনবা লানজাও অমা মতম কুইনা শোক্লরম্মী। ইবুধৌগী থৌজালদগী নিংথৌ সূদাসনা মমাই পাক্লম্মী। নংনা অতৈ অতৈ করি হংনিংবা লৈবিবগে ?'

'বাবা পোকপা ইবুধৌ অমস্তুং ইবেনধৌ অনিগী মমিং করি করি কৌবগে ?'

'ঐবু পোকপা নবুধৌগী মমিংনা 'শক্তি' অমস্তুং নবেনধৌগীনা 'অদ্রিশান্তী' কৌরম্মী।'

'ঐখোয়না চংলিবসি নংগী নবুধৌগী আশ্রমদরা ?'

'মদু অরাবগী মশক অমনি ইবুংঙো। ঐখোয়না অরাবা অমস্তুং লাইবকথিবগী মতমশিং অদু অমুক নিংশিংলম্মুসি,' মুনিনা মথল্লাই শোক্না হায়রকই।

'অদুবু রাহং অমতংদি হংজখিগে,' দ্বৈপানা হায়জরকই। 'করম্বা মতমদা মহাক্না (ইবুধৌ পুরেল্লা) শিখিবগে ?'

'মহাক্তি আ চহি কয়ামুক্কী মমাংদা শিখিরম্মী। ফত্তবা নিংথৌ সহস্র অর্জ্জুনা ধর্ম্মক্ষেত্রদা লৈবা আশ্রমশিং মথং মথং মৈ থারক্তুনা মাংহল্লকপা মতম অদুদা ইবুধৌনা হিংচাবা অদুগী মখুত্তা শিগদবগী মহুত্তা, মশানা খংনা ইপা ইপুশিংগী মনাক্তা চংখিদুনা মখোয়গা তিন্নখিরম্মী।'

'অদুদি ঐখোয়না চংলিবসি ধর্ম্মক্ষেত্রদবা ?' দ্বৈপানা হংজরকই।

'নত্তে,' মুনিনা হায়রকই। 'মফম অদু হৌজিক্তি নারক-শীংলকী মফম, মোংশোং অমা ওইখ্রে। মতম অমদা য়াম্না চাউখৎনা, মহৈ-মশিং হৈরবা ঋষিশিং কয়ানা বেদবু শক-শোন্দুনা লৈরম্বা মফম অদুনা, ঙসি ওইরমগদবা মতৌ অদুবু ঐনা য়েংবা ওম্মরোই।'

'বাবাগী গুইবা আশ্রম অমদি লৈরগ্ন ?' দ্বৈপানা হংলকই।
'ঐখোয়না কবম্বা মতমদা নংগী আশ্রমদা চৎকনি।'

'হৌজিক্তি নতে,' মুনিনা হায়রকই। মাইথোং লাংশিন্না মুনিনা লৈবা মতৌ অদুবু উবদা দ্বৈপানা তুমিন্না লৈরম্মী।'

মথংগী নুমিত্তা মখোয়না হী তোংদুনা অমুক চৎপা হৌরম্মী। নুমিৎনা খরা হায়গংলকপা মাঙ্গা অদুরাইদা থেক্লা খোইনা চেল্লিবা যমুণাগী ঈচেলনা হামজিন্দুনা ভাইহাক পনফম গুইরিবা মফম অদু য়ৌবকপদা দ্বৈপানা হীদা লেপখত্তুনা মমাঈ অরাং পাংনা য়েংশিনদা, থাপ্তুক্লা উৎকী মপৈ মপৈ পৈদুনা লৈবা অচৌবা লমহাং অম, মবক মরক্তা মৈনা চাত্তুনা কংথ্রবা উপাম্বীশিংনা মুগুক মুগুক লেপ্তুনা লৈবা অমস্তুং লৈশোবুং কয়ানা চীংদুম মচাগুম্মা শৌগত্তুনা লৈবদু উব, ফংলম্মী। মী, শা উচেক ব্লায়ানচিংবা অমতা উবা অমস্তুং মখোল শাবা ফংলমদে। অকিবগী 'মশক ফ লবা পাক্লবা মোংফম অমগুম্মা তৌরম্মী।

'মফম অসিদি করিনো বাবা ?' দ্বৈপানা মখোল অদু তনিক তনিক্লা হংজরকই।

'মফম অসি উৎকী লমহাং হায়না খংনৈ। মফম অদু য়েংলুগনু। মত্তম খরদং নমিৎ অদু উইশিন্দুনা লৈয়ু,' মুনিনা হায়রকই।

হীহোনবা নুপা অদুনা খুনজিন অমগী মনাক্তা হী অদু থারম্মী। খুল অদুদা লৈবা মীশিংনা, হীদেল অদুদা ইরুজবা নত্রগা থণশিং ঈশিং শিথকপা লাকপদা, পঙ্গু মুনিনা হীদা লৈরম্বদু মখোয়না থেংনদুনা মুনিবু তবাম তরাম্না ওত্তুনা খুবমজরম্মী। মতুংদা মখোয়না

মথুলদা পরপ পরপ চৎখিত্নুনা মুনি অমস্তুং মাগী কাংবুশিং অত্তুগী চান-থক্লবা পুরক্লগা মুনিদা কৎলম্মী।

হীদা ভোংলক্পা মখোয় খরদি মখোয়গী মথুল যৌরত্নুনা হীদগী কুমথরগা মখোয় মখোয়গী ময়ুমদা চৎনখিবম্মী।

মুনি অমস্তুং দ্বৈপা, মাগী পক্লবা অশ্বাল অমস্তুং পৈলানা, উ অমগী মক্সমদা ফম্লগা খুঞ্জাশিংনা পুরকপা চান-থক্লবশিং অত্তু চামিন্নরম্মী।

মখোয়না চাবা-থকপ লোইত্নুনা ভাইহাক পোৎথারিবঁ মতম অত্তুদা হীবোইনা চংলক্লুনা মুনিদা হায়জবকই, 'মহামুনিবু মফম অসিদা লৈবিহৌগদ্রা নত্রগা ঐখোয়গা লোয়ননা রাংমা লাম্থোকপদা য়াওবিগদ্রা ?'

'ঐখোযস্তু রাংমা লাম্থোকপদা য়াওগনি,' মুনিনা হায়রকই।

দ্বৈপানা হীবোই অত্তুনা চৎথ্রবা মতুংদা মপাদা হংলকই, 'হীরোইনা ঐখোয়বু করিগীদমক্তা যমুণা রাংমদা লাম্থোকপা পাম্লিবনে ? যমুণা ঈচেল মতুংইন্না ঐখোয়না করিগী চৎলোইদোরিবনো ? ঐহাক্তা উত্তগী মশক ওইনা লৈ হায়রিবা লমহাং অত্তু য়েবা পাম্মী।'

উত্তগী মশক ওইবা লমহাং অসিগী মথক্তা মীচৈ (শাপ) অমা লৈরম্মী। মপা অস্নিদা মাইয়োক্লনা হী হোন্দুনা চৎলবদি খুদোংথিবা থোকল্লি' মুনিনা হায়রকই।

দ্বৈপানা চিংনবা পোক্লম্মী। 'অত্তু ওইরবদি ঐখোয়না মফম

অসিদা লৈরগা খোংনা মফম অদু য়েংবা চৎপদি য়াদরা বাবা ?' মহাক্না হংজরকই।

মুনিনা মতম থরা মমিৎ উইশিন্দুনা রাখল তৌনা লৈরুরগা মমিৎ পাংথোক্তুনা হায়রকই, 'নহাক্না ফত্রবা মফম অসিগী রারি অদু থংলবদি নংগী নপুক্রিং অদু অরাবগী মশক ওইরমগনি।'

দ্বৈপানা মপাগী মাইথোংদা অরাবা হুংনাংবগী মমি তারিবা অদু উবা ফংলম্মী। 'লমহাং অসিগী রারি পুন্নমক অদু ঐবু তাহনবিদ্রবদি ঐগী য়াম্না থম্মোয় শোকপদু ওইগদৌরি,' দ্বৈপানা হায়জরকই। 'অদুবু রারি অদু তৌবদা বাবাগী হুংঙাইতবা অমা ওইগদবা লৈরবদি, তৌবিরগন্নু।'

ফরে, ঐনা নঙোন্দা রাবি পুন্নমক অদু থংহনবনা হেন্না ফরম্মী। নোংমা নত্রগা নোংমদি নংনা রারিশিং অদু শোইদনা তাগদবা লৈরে। মসি ঐগী আশ্রমনি, হায়বদি আশ্রম অসি ঐগী ওইনা লৈরম্মী।' মুনিনা মখোল অদু য়াম্না নেম্না, নাকোংদা তুমিন্না শোনবগুম্না হায়রম্মী

'নংগী আশ্রম। উৎপুং অসিবো,' দ্বৈপানা অঙকপা অমগা লোইননা হায়রকই।

মুনিনা অথাপ্পদা মাগী মিৎয়েং অদু থম্লগা মখুৎ নামনা মচাগী মরেংবান্দা পাইহনা হায়রকই, 'মতম অমদা ঐনা মফম অসিদা বেদদা মপুক্রিং চংলবা ঐগী পরুরাশিং খরগা লোইননা লৈরম্মী। আশ্রম অসিদা পরুরা চাম্মগী মথক্তা, মখোয়গী ইমুং মকুং হুপী নহাশিংগা লোইননা লৈমিন্নবম্মী।' রাহৈ থরা অসি

হায়রগা মুনিনা মশাদা হৌরক্লিবা মুংঙাইতবা ইথক-ইপোমশিং অহুবু নমথনবা হোৎনহুনা তুমিন্না লৈরম্মী। দ্বৈপানা অঙাং অমা ওইজরবস্থ মপাগী তৌরিবা মতৌ অহু উবদা, মহাকস্থ মশাদা মুংঙাইতবা পোক্লুনা মপাগী মপাম্বোমদা মখুৎনা কোল্লগা অরাবা উৎচরম্মী।

ঙাইহাক লৈরগা মুনিনা মখা তানা হায়রকই, 'ফত্রবা নিংথৌ অহুনা মফম অসিদা লান্দারক্লুনা আশ্রমগী মীশিং অকংবা মথৈ হাৎলগা মুপী নহাশিংগী মফমদনা, লাম্মীশিংনা নত্তবা লমচৎ চত্তুনা মাংথোকপিরম্মী। আশ্রমগী যণশিংস্থ থরনা হাৎতোক্লম্মগা থরনা মখোয়না পুখিরম্মী।'

'ফত্রবা নিংথৌ অহুনা লান তারকপা মতম অহুদা বাবাদি আশ্রমদা লৈত্রা?' দ্বৈপানা হংলকই।

'লৈতে। ঐদি মতম অহুদা আর্য্যাবর্ত্তদা পাল্লিবা নিংথৌ-শিংগী লৈবাকশিংদা কোইনা চত্তুনা, মখোয় অমতা ওইনা পুল্লগা, ফত্রবা নিংথৌ অসিগী মাইয়োক্তা লেপ্তুনা, মাগী হিংচা-য়াইতম্বগী থবক অসি থিংহে হায়হুনা পাওতাক পিবিরম্মী; অহু নংত্রবদি নখোয় নিংথৌশিং পুন্নমক অমমম ওইনা মাংহল্লকপতা নত্তুনা আর্য্যাবর্ত্তদা লৈরিবা আশ্রমশিংবুস্থ মৎং মথং মাংহল্লক্লুনা বেদগী খোম্লোক তাগ্ররোই, অমস্থুং লাইশিংনা ঐখোয়গী ইফমদগী মমাই লৈথোকখ্রগনি, অহুদা নত্তনা আর্য্যশিংগী চৎনবী পুন্নমকস্থ মাংখ্রগনি হায়হুনা তাকপিবম্মী। মতুংদা ঐহাক্না হল্লকপা মতমদদি, ঐগী

আশ্রম অসি মাং-তাকহন্দুনা উৎপুং ওইনা থনম্বতা নত্তনা, আশ্রমগী মী অয়াম্বত্ত মহাক্না হাৎতোকপিখিরম্মী।’

দ্বৈপ্পানা অরাবা অমম্মুং অকিবগী মশক ওইরবা রারি অহু তাবদা মপুক্লিংদা থুক লাওবা পোক্লম্মী।’

মুনিনা মখা অমুক তারকই ; ‘ঐনা ফৎত্রবা নিংথৌ অহুম্মা খুত্তা খুৎলাই অমতা পাইদ্রবম্মু মাইয়োক্লরগে হায়না পুক্লিংদা খল্লম্মী। ঐনা তৌজরকপা তপস্যাগী মহৈ, ঈশ্বরনা পিবিরকপা অহুতনা মহাক্নী তমথিরবা লিচৎ-শাজৎ অহুবু থিংবা ঙমগনি, হায়না ঐনা নিংলম্মী।’ মুনিনা ঙাইহাক্তং মমাই অহুদি অরাবগী লৈচিন্না কুপ্পা তুমিন্না লৈক্লরগা হায়রকই, ‘ঐহাক্না মাগী দোলাই মমাংদা লেপ্পুনা মাগী দোলাইবু ফাহুনা থল্লগা মংগী ফৎত্রবা নরমচৎ-নতৌশিং অদি থাদোকউ, আশ্রমশিংবু মাংহনবা তৌরগন্নু অমম্মুং তপস্যাদা মপুক্লিং লুপ্পবা ব্রাহ্মণশিংবু ওৎ-নৈবা তৌরগন্নু হায়না হায়রম্মী। ঐগী বাঙাং অহু তাবদা মহাক্না মখুত্তা পাইরিবা থাং অহুগী মনম্না ঐবু ফুরম্মী। মাগী লাম্মী অমনা ঐগী খোং অসি চৈনা মুত্তুনা থুদেকখিরম্মী। মতুং অহুদা মহাক্না িংচাবা অমগুম্না খাক্লা খাক্লা নোক্তুনা, ঙান য়াওদ্রবা ঐবু মফম অসিদা হুন্দোক্ল-ম্মগা চৎখিরম্মী।’

‘বারাগী নাক্তা কনা অমতা লৈতত্রা?’ দ্বৈপানা হংলকই।

‘কনা অমতা লৈতে,’ মুনিনা খুম্মকই। ‘অহুবু ঈশ্বরনা মফম অসিদা নমাগা মাগী অহল লমনশিংগা থাবিরক্লম্মী। মখোয়দি আশ্রম অসিদা ঐবু খুরম্বা হেক হেক লাক্লম্মী। হুমিং অহুদা

ঐনা জ্ঞান য়াওদনা তাদুনা লৈবদা অদু থেংনবদগী মখোয়না ঐবু কল্লীদ। পুদুনা যননবা লাইয়েংবিরম্মী।'

'বাবাগী অতৈ আশ্রমদি লৈব্রব্রা ?' দ্বৈপানা তপ্না হংজরকই।

মপাগী থম্মোই শোক্লা ওাংলকপ। মতৌ অদুদা মহাক্না রাদবা ডম্মমহে।

ঐগী ইপাঙ্গলনা অমুক হন্না মপুং ফানা কল্লক্লবা মতম অদুদা ঐনা উৎপুংতগী মশক ওইরবা লমহাং ৫ সিদা লাক্রম্মী।' 'অশ্বাল অমস্তুং পৈলা.' মুনিন মাগী পক। অনি অদুদা মাগী খুদোনবী অদুনা থিল্লগা হায়বকই, 'মখোয় অনিদি উক্রোং অহোবা মহুংদা চংদুনা লোংহৌবদগী হিংহৌদুনা ঐগা অমুক লোইনবক্লিবা অসিনি।'

'মখোয় অনি নত্তন' অতৈ অমত হিংখদ্রব্রা ?' দ্বৈপানা মখোল অদু নিক্লা হংজবকই।

'ঐগী পকরাশিং থবা, মখোয়না বনগী মহুংদা চেনজহৌবদগী হিংহৌবশিং অদুন। যমুণাগী তোর্ব্বান্দা আশ্রম মচা মচাশিং লিংখত্তুনা হৌজিক লৈরিবা অসিনি। মখোযশিং অদুগী মহুংদা, ঐখোয়না লম্বীদা থেংনরকপা গোধুলী আশ্রম অদু অমনি। ঐহাক্না আশ্রমশিং অসিদা হঙ্গৎ-হন্দা কোইনা চত্তুনা মখোয়গী মপুক্লিং খৌগংপিবত্তা নত্তনা মখোয়বু বেদ ক্রম্বীরম্মী অমস্তুং পাওতাক পিবিরম্মী। নসিগা লোইন লোইননা খুঙ্গাশিং অদুবু ঐহাক্না কৌথোক্তুনা লুনা-নান্না অমস্তুং ধর্ম্মগী লম্বী কায়দন লৈনবা পাওতাক পিবিরম্মী। মখোয়গী মরক্তা অনা অয়েকশিং য়াওরকপা কযাবুস্তু লায়য়েংবিদুনা মপুং যানা ফহল্লম্মী। পুন্নমক অসিগী মথক্তা বেদবু কাওদনরা অকনবা চৈথেংস্তু পিবিরম্মী।'

দ্বৈপানা পুম্নক্ ঙক্লম্মী। 'বাবানা য়াম্না হেন্না চাউবা আশ্রম অমা শাবমগ্রিবা করিগীনো?' মহাক্ন মথুং অদু তিংথোক্লুনা মহাক্না চাউহন্লিংবা আশ্রম অদুগী মওং অদু উৎলম্মী। 'ঐহাক্না নংগুম্না পক্নব্রা যাম্না লৈবা মুনি অদু ঙইবা ওমগনি।'

'চহি মতম কুইনা ভার্গব পরশুরাম্না আর্য্যাশিংবু লুচিংদুনা ফংত্রবা নিংথৌ সহস্র অর্জ্জুনগী লাম্মীশিংগা লানথেংনরম্মী। ফংত্রবা নিংথৌ অসিনা পরশুরাম্মকপু হেক পোকপা মহর্ষি জামদগ্নীবু হাৎখিরম্মী। মতম অসিদা ঐ অমস্তুং ঐগী পক্নব্রাশিংনা তৌফম থংদনা য়াম্না রানা অমস্তুং মিপাইনা লৈরম্মী। ঐহাক্না অনৌবা আশ্রম অমা লিংখৎলম্লবস্তু ফংত্রবা নিংথৌ অদুনা শোয়দনা অদুম মাংহল্লমগনি, মরমদি মতম অদুদা ধর্ম্মক্ষেত্রদা, আশ্রম অমতা ফংত্রবা নিংথৌ অসিনা লৈহল্লমদে, লোইনা থুগাইদুনা মাংহল্লম্মী। মহাক অমস্তুং মহাক্কী কাংবুদি বেদ অমস্তুং শ্রোত্রিয়শিংগী খ্বাইদগী হেন্না তমথিনা য়েক্নবা অদু ওইরম্মী'

'ফংত্রবা নিংথৌ অদুদি মতুংদা করি থোকখিবগে?' দ্বৈপানা হংলকই।

'মহাকপু পরশুরাম্না হাৎখিরম্মী। অদুবু মাগী মীশিং অদুনা কোইনা চত্তুনা আশ্রমশিংবু মৈ থারম্মী, খুঙ্গংশিংবু থুগাইরম্মী অমস্তুং যনশিংবু হাংলম্মী আর্য্যাবর্ত্ত পুম্নমক অসি শার-থার শানা চৈথাইবম্মী।'

'খুঙ্গংশিংবু মথোইনা হৌজিক কাওবা থুগাইবা তোক্কখিরবা?'

'তোকপ্রে, মখোয় অয়াম্বদি লৈখিদ্রে। মখোয় হিংহৌবা থরতনা হৌজিক ফত্তবা থবকশিং থরদি তৌরি। অদুম ওইনমক, মখোয়না তৌখিবা ফৎত্রবা থবকশিং অদুনা অফবরোমদা লাক্ল-মাল্লে হায়বসি ইপাগী রাখল ওইরম্মী। অচৌবা আশ্রম অমা লৈবগী মহুত্তা ঐগী অচল ওইরবা পরুরাশিংনা যমুনাগী তোর্ব্বান্দা আশ্রম ময়াম লিংখত্নুনা লৈরিবা অসিনি। মখোয়না মপুকচেল শেংনা, বেদগী ফজবা, অচুম্বা অদুবু ঙাক্লা লৈরি। ঐনা আশ্রম খুদিংদা হঙ্গৎ হন্দা কোট্টচৎ চত্নুনা মখোয়গী মফমদা, আর্য্য অমা ওইবগী হৌন-চৎনবীশিংবু অমম্সুং বেদগী অশেংবা শক্তম্বু করম্না ঙাক্নুনা চৎকদগে হায়বদু তম্বিরম্মী। অদুবু অরাবদি, ঐগী পরুরাশিং অদুনা নিংথিনা তম্বিরবসু হৌজিক্তি মচেৎ মচেৎ কাইথ্রে। ঐহাক নত্তনা, কনা অমতনা বেদ মখল অহুম্বু নিংথিনা খংবা লৈখিদ্রে। অদুগা অথর্ব্ব বেদ, মখল মরিশুবা অসিদি, ঐহাক ফাওবা মাগী শরুক থরতমক খংবা নত্তনা, মপুং ফানা হৈরমদে। ঐগী ইবুধৌনদি অথর্ব্ব বেদ অসি য়ারমদে।'

দ্বৈপানা রাখল ঙাইহাক তৌরগা মপুক্লিংদা মঙাল অমা লাকপগুম্না হায়জরকই, 'বাবা, ঐখোইনা শোয়দনা ধর্ম্মক্ষেত্রবু, অমুক হন্না শেমগৎসি—ঐখোয় অনিতনা।'

মুনিনা মাগী মাইথোং অদু লাংশিন্না মঙক হাই-রম্মী। 'মদু ওইথোক্লরোইদবা থবক অমনি। অদুবু হস্তীনাপুরগী অনৌবা নিংথৌ শান্তনুনা করি তৌরক্কদগে হায়বা অদুদি ঐনা খংবা ঙমদ্রে। মহাক্না ধর্ম্মক্ষেত্রবু অমুক হন্না শেমগৎপদা অনম্সুং অনৌবা

আশ্রমশিং লিংখৎপদা মতেং পিবদা নত্তনা ঙাকপি শেনবিবগী থবক অদুবু তৌবিরক্কদ্রা তৌবিরক্রোইদ্রা হায়বদু হায়বা ঙমদ্রে। ঋষিশিং অয়াম্বা হিংলিব্রা অমস্তুং বেদবু মপুংফানা খংবা লৈরিব্রা হায়বসিস্ত ঐনা খংবা ঙমদ্রে।'

'বাবা, ঐখোয়না ধর্ম্মক্ষেত্রবু অমুক হন্না লিংখৎপদা নত্তনা বেদবু অমুক হন্না চৎনহনবস্তু ঙমগনি।' দ্বৈপানা মথরাই য়াম্না য়াওনা থাজনা হায়জবকই।

মুনিনা মচাগী মথরাই য়াওবা অমস্তুং ইচংথোবা ম৻ৌ অদু উবদা থোইদোক্লা অঙকপা পোক্লম্মী। মহাক্ল মতম কুইনা মপুক্লি৲দা নিংতুনা লাকপা রাখল অদুবু থুংহনবিরগে খন্দুনা ঈশ্বরনা মচা অসিবু পিবিরক্লব্রা হায়না মহাক্লা খনজরম্মী, মশাদা থুক লাওনা মতু চুংবা পোক্লম্মী। মহাক্লা খুদক অদুদা হায়রকই, 'দ্বৈপা, ঐখোয়না তুরেন লান্দুনা চৎলন্নুসি, গোধূলীদা, আচার্য্য গৌতমগী আশ্রমদা হল্লসি। ঐনা নংবু মফম অদুদা লাইমিং লৌবিরগে অমস্তুং নগুণ থাংবিরগে।'

দ্বৈপানা মপাগী থৌজাল ফংবদা থোইদোক্লা হরাওজদুনা মপাদা কোনশিনজরম্মী।

বেদ

মহাভারতপু ইরম্বা জগৎ ফাওরবা কৃষ্ণদ্বৈপায়ন বেদব্যাসকী মতম অতুনা, আর্য্যশিংগী খ্বাইদগী হেন্না চাউখৎপা মতম অতু ওইরম্মী। মরম অতুনা মতম অতুদা বেদনা করি কবম তৌনা আর্য্যশিংগী মপুন্সিবু পুল্লম্বগে অমস্মুং বেদ করিনো হায়বতু থিজিন্দবা য়াদবা মবম অমস্মু ওইবম্মী।

বেদ হায়বা ৱাহৈ অসিনা খংনবদি জ্ঞানবুনি। ৱাহৈ অসিগী মরমদা য়াম্না পাক-চাউনা অমস্মুং শন্দোক্না ইবম্বা থেংনৈ। ইংলিসকী ওইবা ৱাহৈ বেদগী অর্থবু মপুংফানা ফোংদোকপা ডমদ্রগস্মু খবমথৈ নকশিন্নবা ডম্বদি 'ৱার্ডতনি' (word তনি) হাযনা মতম অসিগী লাইবিক লাইশু হৈববা ইবুংঙো ইবেম্মশিংনা হায়নতুনা লৈরি। অতুগা বেদ হাযবগস্মু বেদ মথল মরিমকপু, হায়বদি ঋক, যজুঃ, সাম অমস্মুং অথর্ব্ব বেদবু অতুম পুল্লপ্না খংনবম্মী। মখোয় খুদিংমক চাউরবা লাইবিক ওক্লা ওইরম্মী। মখোয় অসিনা আর্য্যসমাজগী য়াংলেন-শরু অতু ওইরম্বনা, মখোয় অসিবু খংদ্রে হৈত্রবদি আর্য্যগী মরমদা করিমতা খংদ্রবনি হায়না লৌনবমগনি।

বেদশিং অসিদি 'অপৌরুশয়া' অস্নম্না হায়নৈ, হায়বদি মখোয় অসিবু শেম্নম্বা অমতা, মীদস্মু লাইদস্মু লৈতে।

বেদশিং অসিনা য়াইফ-নুংঙাইবা ফংনবগী অমস্মুং মশানা মশাবু খংজনবগী মরম অতু হায়বদি, মীওইবগী ৱাথলগী ৱাংমদা লৈথ্রবা নত্রগা অরোইবা ৱাথলগী ফিবেপ অতু ফংনবগী উপাইশিং অতু পিবিবতনি।

প্রত্যক্ষেনানুমানেন যস্তুপায়ো ন বুদ্ধ্যতে।
দানং বিদন্তি বেদেন তস্মাদ বেদস্য বেদতা ॥

মখোয়শিং অসিবু "বেদ" নত্রগা শ্রুতি কৌই,—লাইগী ঈশৈ-শিং, মসিবু নিয়ম চুম্না, খোন্থোক কাইদনা অমস্তুং ময়েক মশোল লানহন্দনা ইরাং-থৌনিবগী থবকশিং অতুদা শকচ-শোনজরবদি, মানা নিজবিবা লাই অতুনা মশক নাইনা চোংথোকপিবকই। মন্ত্রশিং অসিগা লোইনরিবা খোন্থোক অমস্তুং স্তবশিং অসিদি লাইশিং অতুমক্কি হায়না, চহি লিশিং অতমগী মমাংদগী হৌনা থাজনতুনা লাকপনা হৌজিক ফাওবা অসিদা থাজতুনা লৈনরিবা অসিনি।

মন্ত্রশিং অসিবু নিয়ম কাইদনা শক শোনজববদি, মখোযনা পুক্লিং হকচাংবু শেংহনবি, অনা-অয়েক কোকহল্লি পুন্সি নুংশাংবা পিবি, নোং চুহনবি অঙক-অঙকপা লাইগী ওইবা থবকশিং কয়া পাংথোকপি অমস্তুং অকন-অথৌশিংগী মমাই পাকপা পিবি হায়না থাজবা পোক্লে। ঙসি ফাওবদা ব্রাহ্মণ লিশিং কয়ানা, বেদ 'মতুনা অমস্তুং মখোযগী মপুন্সি অতু বেদদা কংথোক্তুনা লৈনবা য়াঙবি। অতুম ওইনমক মখোয়শিং অতুগী মবক্তা মখোয় থবত বেদগী শরুক মরি অতুবু নিংথিনা শক-শোনবা ঙম্মী, অতৈশিং অয়াম্বনা বেদগী শরুক থরতমক খংলম্মী। বেদগী শরুক থরদি বম্মগী থৌদোকশিং খুদিংদা হায়বদি, অঙাং পোকপদা, শিবদা, লুহোং-কৈহোংবদা অমস্তুং অতৈ অতৈ মরু ওইবা থৌদোকশিংদা শক-শোন্দুনা শিজিন্নরি। বেদগী মন্ত্রশিং শিজিন্নতুনা অনাবা লাইয়োংদা হৈরবা কাংবু থরস্তু হৌজিক ঐখোয়গী ইরক্তা উবা ফংলি।

ব্রহ্মচর্য্য ধর্ম্মদা লেংদনা লৈথ্রবা কাংবুশিং অতুগী তিন্নফম অমসুং লৈফমশিং অতুতনা বেদবু য়োকখৎনবগী মরু ওইবা খুংলাই অমা ওইরম্মী। নহা ওইবা কাংবুনা লাইমিং লোন্নবা অমসুং নগুণ থাংলবা মতুংদা চহি তবানিথোই চংনা ব্রহ্মচর্য্য আশ্রমদা লৈবগা বেদবু তমগদবনি। অতুবু হৌজিক্কী মতম অসিদদি, অঙাং অমবু নগুণ থাংবিরগা ব্রহ্মচর্য্য আশ্রমদা মতম থরতমক থম্নবসু য়াওবে।

চহি লিশিং অহুমলোম অসি হিন্দু ধর্ম্মবু বেদনা, সমাজগী, লৈবাক প্রজাগী অমসুং ধর্ম্ম কর্ম্মগী মরমদা, লিচিং অমতা ওইনা পুন্দুনা থম্লক্লি।

শ্রীমদ্ভগবত্‌গীতাদা বেদবু 'শব্দব্রহ্ম'—'ম্লাহৈ অতু ঈশ্বরমক্লি'—হায়না হৈবি। (VI—44)

৪ শুবা পন্দূপ

দ্বৈপায়নগী নগুণ থাংবা

(অমুক হন্না পোকপা)

মুনি পরাশরনা মচাগী মখুৎ অহু পান্নহুনা উংপুংগী লমহাং অহুদা কোইনা চত্তুনা য়েংহল্লম্মী। লমহাং অসি মী চা কয়াগী অশিবা মশাশিং পোৎলোইখিবা মফম অমা ওইবনা য়েংবদা অকিবগী মশক ওইরম্মী।

দ্বৈপানা মপাগী মাইথোংদা অন্নাবা অমস্তুং নুংনাংবগী মমি তারিবা অহু উবা ফংলম্মী।

'লাকও দ্বৈপা, ঐখোয় গোধূলীদা হল্লসি,' মুনিনা হায়রকই। 'ঐহাক্না মফম অসি হেক য়োরকপা খুদিংমক্তা, ঈশ্বরগী মফমদা, ঐহাকপু করিগীদমক্তা ফজ্জবা নিংথৌ অহুগী মখুত্তগী নাম্থোকহনবিরম্মীবনো হায়হুনা হংলম্মী। ঐগী পরুরাশিং অহুনা শিরমদাইগী মতমদা তৌরমগদবা ফিভমশিং অহু ঐগী ইমিৎ অসিনা শংশংনা উবা ফংলি।'

মপা মচা অনিনা অন্নাবা পোৎলুম পুহুনা খুল অহুদা হল্লরম্মী। নুমিৎ নিনিগী মতুংদা মথোয়না গোধূলী আশ্রমদা থুংলম্মী।

আচার্য্য গৌতম্না মুনি মপা মচানা গোধূলী আশ্রমদা অমুক হন্না হল্লকপা মতৌ অহু উবদা ইঙক ওল্লম্মী। অহুবু মুনিনা মচা

নুপা দ্বৈপাবু লাইমিং লৌবিরগা, নুমিৎ অফবা অমা য়েংদুনা ব্রহ্মচর্য্য আশ্রমদা চংহল্লনি হায়বা মুনিগী ব্রা তাবদা মহাক্না থোইদোক্না হরাওরম্মী।

দ্বৈপাস্থ হরাওবগী হায়নিংঙাই পান্দম লৈরমদে। মহাক্না আশ্রমগী মীশিং অদুগা তিন্নদুনা আশ্রমগী থবক শুবদা শরুক য়ারম্মী।

আশ্রম অসিগী নুপীশিংগী লুচিংবীদি শরমী কৌবী, মশা মউ যান্না ফবী, নহা ওইরিবী অমস্লুং মতম চুপ্পা হরাও-তয়ান্না নোক্তুনতা লৈবী অসিনা ওইরম্মী। নুপী অসি আচার্য্য অসিনা আশ্রম অসি লিংখৎপা মতমদা, মনাক নকপা খুল অদুদগী লুহোংদুনা লৌখিবনি। মহাক্না পঙ্গু মুনিবু য়ান্না ইকাই খুম্নবগা লোইননা কিনা তৌরম্মী। মখোয় নুপীশিং অসিনা, অঙাং ওইবিবা দ্বৈপাগী লমচৎ-শাজৎ ফজবা অনস্লুং মতম চুপ্পদা হরাও-তয়ান্না ময়াম অদুগা অমতা ওইনা তিন্ন-খোৎনদুনা লৈমিন্নবা য়াবা মতৌ অদুবু উবদা, থোইদোক্না নুংশিবা পোক্লম্মী।

দ্বৈপানস্থ খুদোংচাবা তাঙ্গা হেক ফংবদা নুপীশিং অদুগা লোইননা থবকশিং তৌমিন্নরম্মী। মহাক্না মপুক্লিংদা ব্রাখল অমস্থু পোকচরম্মী মদুদি মহাক্না অমুক হন্না পোকপা (লাইমিং লৌবা) তারবদি মমানা লাক্কুনা মখোয়গী মরক্তা লৈরবা য়াবগী ওইথোকপা অদুস্থু লৈ হায়দুনা।

মুনিনা নুমিৎ-থা অফবা, ধর্ম্ম কর্ম্ম তৌবা য়াবা মতম অদু ঙাইদুনা লৈরম্মী।

মনাক নকপদা লৈরিবা খুনজাশিং অহুনা পঙ্গু মুনিগী মচা দ্বৈপায়ন, লাইমিং লৌহুনা ব্রহ্মচর্য্য আশ্রমদা চংগদৌরে হায়বা পাও তাবদা হরাওনহুনা আশ্রমদা অথেনপোৎনচিংবা পুরক্তুনা মুনিগী মফমদা কৎলম্মী। পুং অমস্তুং থোল য়ৈবা, পেরে শীঙ্গা থোংবা অমস্তুং মোইবুং থোংবা কাংবুস্থু আশ্রমদা লাক্তুনা লৈনরম্মী। থংনবা খুনশিংদা লৈরিবা মুপী অঙাংশিং পুম্নমকস্থু কুম্মৈ অহু য়েংগদবগী আশ্রমদা লাক্তুনা লৈরম্মী।

যজ্ঞগী থবক অহুনা হৌদ্রিভৈগী মমাংদা মুনিনা ফস্ত মুংদবা ঙাকথোকপিনবা হায়হুনা গ্রহ উপগ্রহশিংগী মফমদা পূজা কৎলম্মী।

দ্বৈপানা মহাক্না অমুক হন্না পোকপগী পূজা অমস্তুং মমিং থোনবগী থৌরমশিং পাংথোকপা অসিদা, মমাদি য়াওরোইদৌবা মতৌ অহু উবদা, মপুক্লিংদা মুংঙাইতবা অমা পোক্লম্মী। অহুবু মপাগী মপুক্লিং মকারাম্বা মতৌ অহু উবদা, থোইদোক্না মুংঙাইবা পোক্লম্মী। হৌজিক্তি, মপা মচা মখোয় অনি চংহুনা ধর্ম্মক্ষেত্র অমুক হন্না লিংখৎমিন্নরগনি হায়বসি খনজরুবদা দ্বৈপানা অমুক্না হেন্না মপুক্লিংদা মুংঙাইবা ফাওজরম্মী।

লাইমিং লৌবগী থৌরম অহু আচার্য্য গৌতমনা, অতিয়া অমস্তুং ঈশিংগী মপু ওইরিবা বরুণ কৌবা লাইবু, পূজা তৌহুনা হৌরম্মী। লৈশেমভৈদগী লৈরক্লবা থৌরানমিচাক ঋষি তরেৎ অহুবু মন্ত্র থিহুনা আচার্য্যনা কৌরম্মী। থৌরানমিচাকশিং অসিগী মরমদদি, মুনিনা মচা মুপা দ্বৈপাদা হাম্ননা রারি লিবিহুনা থংহনখ্রবনি। পানা তাঙ্গা তরেৎ, ধূপ থাওমৈ থাহুনা থম্নীবা মফম অহুদা,

ঋষি তরেৎ অতুনা মশক উহন্দনা লাকুনা লৈখ্রে হায়না মখোয়না লৌবম্মী। দ্বৈপানা, মহাকম্নু অমুক হন্না পোক্লবা (লাইমিং লৌরবা) মতুংদদি, নোংমা শোইদনা মখোয়গী মবক্তা লৈকবা ফংলগনি খনবদা, মপুক্লিংদা চাউথোকচরম্মী।

আচার্য্য গৌতমনা অগ্নিদেব, মৈকৌবা লাইদা ঘী কতুনা, অশেংবা মৈ হৌগৎলগা মন্ত্রশিং থিবকই ;—

"পুন্সি ন্নুংশাং পিনবিবা, মৈ কৌবদি লাই ইবুংঙো ;
লৌবিযু থৌজানবিদুনা, প্রার্থনাদি ননাই ঐগী।
খনবিদুনা অমৃতগুম, থকচিনবিযু ঘী অসিদি।
চানবিদুনা অঙাং অসি, লমজিংবিযু অহল ওইনা,
মচা ওইবশিং মফমদা, লমজিংবগুম মপাশিংনা॥"

হৌনবী মন্ত্রশিং থিদুনা, অতৈ অতৈ লাইশিংগী মফমদা পূজা কৎলগা আশীর্ব্বাদ নিজরম্মী। দ্বৈপানা লাইশিং অয়াম্বনা অতিযাদা থোবক্তুনা নৈবদু উবা ফংলম্মী। লাইশিং অদুনা হবাও হরাওনা মঙোন্দা আশীর্ব্বাদ পিবিবকপগুম্না তৌরম্মী।

মুনিনা আচার্য্য গৌতমদা মচাগী গুরু ওইনবা হায়বম্মী। আচার্য্যদি মুনিগী রা তাবদা থোইদোক্না হবাওবা পোক্লম্মী, অদুব দ্বৈপানদি মপাদা মাগী গুরু ওইবদু পামজবম্মী। অদুম ওইনমক মাগী মপানা আচার্য্য অসিগী গুরু ওইবা মবমনা মাগী ন্নুংঙাইতবদু কোকথিবম্মী।

আচার্য্য গৌতমনা অশেংবা নাপি দার্ভা মনাগী খ্বাংলি অমা দ্বৈপাগী মখ্বাংদা য়েংশিনবিরগা মন্ত্র অসি থিবকই ;—

"মসি অচুম্বা মশক্কি, হেনগৎসনু তপস্যাদি,
মাংহনসনু ফত্তবশিং ; হে মেখলাদি অশেংবা !
ঐনা নং খ্বাংদা পুল্লগা, কোকচরগে অৱাবশিং ॥"

মতুংদা আচার্য্যনা দ্বৈপাগী মশাদা শজি মউনগী ফিজেৎ অমা শেৎপিরগা মন্ত্র অসি থিরকই, :—

"মমিৎনি নংদি হুমিৎকী ; নংতনি পুম্নং লংবদি ;
শেৎচরে ঐ শজি মউন ; পিনবিয়ু জ্ঞান ঐঙোন্দা,
পুন্সি হুংশাংবা অমদি, মঙাল অদু জ্ঞানগী ওইবা ॥"

মতুংদা আচার্য্যনা মমাই নোংপোক ওন্না লেপ্লগা মন্ত্র খরা থিরম্মী অমসুং মতুং দ্বৈপানা অমুক হন্না থিরকই ;—

"গুরুদি ঐগী ফংজরে, লেপ্লিরি হৌজিক ইমাংদা।
থৌজালনদি মহাক্কীদি, জয় তৌগনি ফত্তবশিং,
তাম্হোক্কনি অশিবদি।
লমজিংবিহুনা মহাকপু, ওইহল্লু অশেংবা পুন্সি,
থলহনবিয়ু ঐগী পুক্নিং, নিংথিজবা ৱাখল্লনা।"

মতুং অসিদদি গুরু অমসুং পরুৱা অনিগী ৱারি শানবদু হৌরম্মী। দ্বৈপানা আচার্য্যগী ৱাহংগী পাওখুম মথং মথং ওইনা পিরকই ;—

"নংনা লাকপা করিগীনো অঙাং ?"

"ঐনা ব্রহ্মচর্য্য আশ্রমদা চংনবা লাকচবনি গুরুদেব। পুকচেল চাউরবা অনিরক হন্না পোক্লবা (দ্বিজ), লৌশিনবিয়ু ঐবু নংনা।"

"নমিং করি কৌবগে ?"

"ঐগী ইমিং কৃষ্ণ দ্বৈপায়ণ কৌজৈ, পরাশর মুনিগী মচা মুপানি।"

মতুংদা আচার্য্যনা মুমিং কৌবা লাইদা হায়জরকই ;—

"মুমিং কৌবা লাই ইবুংঙো ! ব্রহ্মচারী অঙাং অসি,
ওইরবনি নংগী নচা, কল্লু মাবু ইবুংঙোনা ;
মাংহনবিগনু মরক্তা, পিবিয়ু পুন্সি মুংশাংবা,
ফংদ্রিবা ফাওবা মহাক্তা, পন্থুংফম অচুম্বগীদি ॥"

দ্বৈপাগী থম্মোয় অদু হরাওবগী ইথক্তা থুমহৎলম্মী। মহাক হৌজিক্তি অমুক হন্না পোকলে অমসুং ব্রহ্মচর্য্য আশ্রমদা ব্রহ্মচারী অমা ওইনা লৈরগনি খনবদা থোইদোক্তা হরাওজরম্মী।

মহাক্তা হৌগত্তুনা লেপ্লগা অশেংবা নগুণ অদু মখুং য়েং-ওই অনিনা শন্দোক্তা পাইনবা হায়রকই। মতুংদা আচার্য্যনা দ্বৈপাদা মপা মুনিদগী অশেংবা নগুণ (যজ্ঞ পবিত্তা) অদু থাংনবা য়াথং লৌজরো হায়না তাকপিরম্মী। "ইপা ইবুংঙো, ঐনা নংগী য়াথং মতুং ইন্না অশেংবা নগুণ অসি থাংলবা নুপী-নহা মশক য়েংদনা ব্রহ্মচারী অমা ওইত্তুনা লৈজবা য়ারগদ্রা ?" দ্বৈপানা মপাগী মফমদা হংজরকই।

'য়ারগনি ইপাগী ইবুংঙো। ইপানা য়াথং অদু পিরবনি,' মুনিনা মচাদা পাওখুম পিরকই।

মতম অসিদা আচার্য্যনা নোম্থত্তুনা মুনিগী মফমদা তুমিন্না য়া খরা হংলম্মী। দ্বৈপানা আচার্য্যনা মমাগী য়া পন্দুনা ঙাংবা

অদু তাবদা, মুপীশিং ময়াম অদুগী মরক্তা মমা লাক্তুনা লৈরব্রা হায়না য়েংজরম্মী। মমাগী মশক উদ্রবদা মহাক্কা মতোম্মতা মুরুম মুরুম শোনজরকই, ইমা য়াওদনা ঐহাক্কা মতৌ করম পোক্ক-দৌরিবা?'

মুনিনা পিবা পাওতাক মতুং ইন্না আচার্য্যনা দর্ভানাপি খরা লৌরগা যজ্ঞগী বেদী মনাক্তা থমদুনা, চেং থোইদিং লৈশু অমস্তুং কুম-কুমনচিংবা চাইদুনা পূজা কংলম্মী।

'দ্বৈপা, নংগী নমা অদু কৌদুনা দর্ভানাপি অসিদা লৈহল্লবনি। হৌজিক মহাক লাক্লবনি,' আচার্য্যনা হায়রকই। 'নমাদগী য়াথং লৌজরো। হায়য়ু, ইমা, ইমাগী য়াথং মতুংইন্না ঐনা অশেংবা নগুন অসি থাংবা য়ারগদ্রা হায়না।'

দ্বৈপাগী মপুক্কিদা মুংঙাইতবদি পোকচরবস্তু উপায় লৈতবনিনা নিংঙম নিংঙমদনা আচার্য্যগী য়াথং অদু ইল্লম্মী।

মতুংদা পরাশর মুনিনা থৌরম অদু পাংথোক্লবা পুংফম থুংলরে হায়দুনা আচার্য্যদা ইঙ্গিৎ পিরম্মী। আচার্য্যনা প্রার্থনা মন্ত্র থিরকপদু দ্বৈপানা মতুং ইন্না থিরকই:—

"লৈশেম্বা ব্রহ্মা মচাদি, যজ্ঞপবিত্রা (অশেংবা নগুন) অশেংবা।
পিবি মসিনা পুন্সিবা, শক্তি অমস্তুং অশেংবা।
শিজরি (থাংজরি) ঐনা মসিবু, পিবিনবা আত্মা শক্তি,
অকনবা পাঙ্গল পুক্কিগী।"

মতম অসিদা পুংশেল পেরে শীঙ্গা অমস্তুং মোইবুং মখোলনা পুন্নিন নিল্লম্মী। লাইমিং লৌদুনা অনিরক হন্না পোক্লবা পরুব্রাশিং

ময়াম অতুনা অনৌবা ব্রহ্মচারীগী মশাদা চেং-থোইদিং অমদি লৈশুনচিংবা চাইতুনা মঙ্গল পিরম্মী।

মুমিংনা তরং তরং অতিয়াদা থোকপত্থ উবদা দ্বৈপানা মথুং লোয়তুনা মপুক্লিংদা থুরমজরম্মী। মুমিং কৌবা লাইনা মঙোন্দা মোমোন নোক্লকপগুয়া তৌরকপা মতৌ অত্থ উজবা ফংলম্মী। মতম চুপ্পদা মুমিং কৌবা লাইগী থৌজাল ফংজরগনি হায়না মহাক্না খনজরম্মী।

"মসিনা রাশক্তি ঐগী; অফবা রাথল অত্থতা,
নিংশিংগনি মতম চুপ্পা, লৈহল্লোই ফত্তবা রাথল,
থম্মোইনুংদা ঐহাক্তীদি। তমগনি ঐনা থাজবা,
থাদোক্কনি থাজদবা। ইকাই খুম্নগনি জ্ঞান্দি,
থাদোক্কনি অজ্ঞানবুদি। তুংইনগনি অচুম্বগী,
ছন্দোক্কনি ওইদবশিং। অকনবা তপস্যা পুন্সি,
ওইগনি ঐহাক অসিনা, থাদোক্কনি অকে-অমৌ।"

মতুংদা আচার্য্যনা হংলকই, 'নহাক অমুক হয়া পোক্লব্রা?'

'পোকচরে।'

"আচমন তৌতুদা নশা অত্থ শেংদোকউ।"

"অহোই," দ্বৈপানা আচমন তৌতুনা মশা শেংদোক্লম্মী।

"নংনা নংগী নথৌশিং পাংথোক্কব্রা?"

"অহোই, পাংথোকচগনি।"

"নংনা, নংনা ভিক্ষাদা ফংলকপা পোং অত্থতা চাগব্রা?"

"অহোই, চাজগনি।"

"গুরুজনা হায়রা অদু নংনা ইনগদ্রা ?"

"অহোই, ইনজগনি।"

দ্বৈপাদা কৌপিন অদ, শউন পোশাক অমা, মাগী চহিগা চালনা চৈথং অমা অমসুং ঐশিং নত্রগা চিঙ্গাক হাপ্পবা খুবী খুজাই অমা আচার্য্যনা পিথিরম্মী।

মতুংদা আচার্য্যনা মাগী অমসুং দ্বৈপাগী মকোক্তা ফি অমসা কুপশিল্লগা, লাইমক্কা মশক ওইরবা গায়ত্রী মন্ত্রবু মাগী মনাকোংদা তুমিন্না শোন্দুনা তাকপিরম্মী।

দ্বৈপানা গায়ত্রী অদুবু মচিন্দা অমুক হন্না মতোম্মতা শোনজবা মতমদা, হুংঙাইবা অমা মশাদা ফাওজবম্মী। তৌজিক্কি-মপাদা নত্তনা মহাকসু অনিরক হন্না পোক্লননিনা বেদগী মন্ত্রবু থিবা য়াওরগনি অমসুং মতম খরগী মতুংদদি মহাক্না লাইশিংগা ৱারি শাবা ফাওবসু ঙমজরগনি খনবদা অমুক্কা হেন্না হুংঙাইনা পোকচবম্মী। অঙাং অমনা হরাওজবা মতৌ অদুগুম্না মহাক্না হরাওজরম্মী অমসুং মোংমদি মবুধৌ পুরেন বশিষ্ঠগুম্না মহাকসু শোইদনা ওইনা ঙমজরনি হায়না মপুক্লিংদা খনজরম্মী। তৌজিক্কি মপা মুনিগা লোইননা কর্মক্ষেত্রদা চত্তুনা আশ্রমশিং চৈথেংলুবসু ঙম্লগনি।

দ্বৈপানা সাষ্টাঙ্গ প্রনামদা আচার্য্য অমসুং মপা মুনিবু খুরুম্লগা অতৈ অতৈ আশ্রমদা লৈরিবা অনিরক হন্না পোক্লবা শঙ্কররাশিং আচার্য্যশিংগী নুপীশিং অমসুং ব্রহ্মচারীশিং অঙ্গদসু খুরুম্লম্মী।

মতুংদা অনিরুদ্ধ হন্না পোক্লবা পরম্পরাশিং অতুনা দ্বৈপাগা লোয়ননা ময়াম পুম্নমক্কী মঙ্গল ওইনবা মন্ত্র শিন্নিখ্রকই,—

"জগৎ ফাওরবা ইন্দ্রনা, পিসনু মঙাই-য়াইফবা;
পুম্নমক থংবা নুমিৎনা, পিসনু মঙাই-য়াইফবা;
ফত্তবা পুম্বা মাংহনবা, লাইগুম্ম কনবা গরুড়না,
পিসনু মঙাই-য়াইফবা,
লাই গুরু বৃহস্পতিনা, পিসনু জ্ঞান পুম্নমক্কা।"

দ্বৈপানা, মঙ্গলগী মশক ওইরবা মন্ত্র অসিবু মপান্না তত্তনা শোনখিবা অতু তাজহৌবদগী, মন্ত্র অতু মখুগী মচিন্না পাক্লনা লৈহৌই। মরম অসুনা মহাক্কা মন্ত্র অতুবু ময়েক-মপাল অমতা কাইদনা খোন্থোক চুম্না খিবা ঙম্মীবনি।

চহি তরুক্তা ঙাইরিবা অঙাং অমনা মন্ত্র অদুবু চুম্না অমম্মক খোন্থোক করিমত্তা কাইদনা, থোইদোক্লা মাঙ্গী মখোল অদুনা ময়ামদগী ইতোপ তোপ্প থিরকপা মতৌ অদু উবদা অমদি ঙাবদা, অনিরুদ্ধ হন্না পোক্লবা পরম্পরা ময়াম তিন্নরিবশিং অদুনা ঙঙকপা পোক্লবম্মী।

মতুং অসিদা মুনিনা মচা দ্বৈপাবু মুংশিন্না ক্রোন্দুনা চুপ্পীরগা হায়রকই, 'দ্বৈপা, নহাক অসি লাইশিংগী গুরু ওইখ্রবা মহামুনি বশিষ্ঠগী মশু শুথাংনি। মহাক অদুগুম্না নংসু ওইবা ঙম্মবা অচেৎপা রাশক্তা লোয়ননা নথৌশিং পাংথোকউ।' অসি হায়রগা মুনিনা রাশক-রাহৈ-পরেংশিং অদু মথং মথং হায়থরককই, মতমদু দ্বৈপানা অমুক মথং মথং খুম্নকই;—

"কনাগী মফমদদি অকাইবা তৌরোই ঐনা;
মরালদি অতোপ্পগী, লোবা তৌরোই ঐহাক্লা;
ঙাংগনি অচুম্বদি, মতম চুপ্পদা ঐনা;
লৈজবা পুম্বা ঐগী, পিগনি লৈতবদা;
য়েংহনা মফম মতম।
চিঙ্গোরুরোই ঐহাক্লা, নহা ওইবী মুপীশিং;
খাদোকনি য়াখলদি, কল্লকপা মিহৌবদি;
পূজা তৌগনি লাইশিং, অহল লমন পুম্নমক;
খনগনি বেদ মাবু, মতম চুপ্পদা ঐনা;
নিজগনি থৌজালবু, বেদগী মশক লাইদা।"

থৌরমগী অরোইবদা অনিরক হন্না পোক্লবা পরুরাশিং ময়াম অহনা মফম পুম্নমক্কী য়াইফনবা প্রার্থনা তৌরকই ;—

"ওইহনবিয়ু মী থুদিংমক, হরাও-তয়াম্বা লৈবদি;
পিনবিয়ু পুকচেল শেংনা, চান-চিন্নবা লৈবদি;
অফবা য়াখল্লা তৌনা, লৈহনবিয়ু মতম চুপ্পা;
পিনবিয়ু থুদিংমক্তা, লৈতবদি অন্না-অনা॥"

মতুংদা থুঙ্গাশিং অহনা ঈশে শকুনা জগোই শারম্মী। হরাও-তয়াম্বা অহনা লোইরবা মতুংদা ময়াম অহু পুন্না চামিন-খকমিন্নরম্মী।

অুমিং য়ুংগ্রবা মতুংদা দ্বৈপা অমম্তুং পৈলা অনিনা খুজংদা ভিক্ষা নিবা চংলম্মী। পঙ্গু মুনিবু থুঙ্গাশিং অহনা য়াম্না মুম্না খংবনা, দ্বৈপাবু ময়াম অহনা লুনা অমম্তুং মুংশিনা তৌবিরম্মী।

সুপীশিং অতুনা মখোয় মখোয়গী থোং-থাক্তুনা থম্মীবা চান-থকুবা অতুবু মখোয়গী শরুক খরতমক থাকহৌরগা, হয়াও হয়াওনা দ্বৈপা অমসুং পৈলাগী মফমদা পিরম্মী। ইচম চম্না. সুংশিবা মাইথোংনা মাগী ওইবা দ্বৈপানা, মোমোন নোক্লা মোক্লা সুপীশিং অতুগী মফমদা আশীর্ব্বাদ পিবিরম্মী। মাগী মতৌ অতুদা সুপীশিং অতুনা দ্বৈপাবু 'বালমুনি' (অঙাং মুনি) হায়না কৌনরম্মী।

দ্বৈপানা খুঙ্গংদা চত্তুনা ভিক্ষা নিবা হেক হৌবা মতম অতুদা খুঙ্গংগী অঙাংশিংনা মাগী মতুং ইন্দুনা কুম্মৈ অমগুম্না, চৎপা য়াওরম্মী। মহাক্না অৱাবা অমদি মাইয়োক্নরম্মী। মহাক্না য়ুম অনি অতুমদং হেক চৎপদা মাগী য়ুবী খুজাই অতু চান-থকুবা পোৎচৈশিংনা পিক হেক্তা থল্লম্মী। তশেংবদি মহাক্না থৌওইনা নিরুদ্রবসু, খুঙ্গাগী সুপীশিং অতুনা মহাক লাক্লে খংবদা, ভিক্ষা হাপকদবগী মখোয় মখোয়গী থোংজিন্দা লেপ্তুনা মাবু ঙাইনরম্মী। সুপীশিং অতুনা নিংজরিবা অতু কাইদনবা হায়তুনা, দ্বৈপানা মাগী মতুং ইম্নরক্লিবা অঙাংশিং অতুগী মফমদা, মহাক্কী য়ুবী খুজাইদা য়াওরিবা পোৎ-চৈশিং অতু য়েন্থোকপিরম্মী।

মহাক্না য়ুমথোং খুদিং চৎপদসু অঙাংশিং অতুনা মাগী মতুং অতুম ইম্নরম্মী। মাগী য়ুবী খুজাই অতুনা হেক থল্লকপদা মহাক্না অঙাংশিংগী মফমদা চাং মান্নবা হেক হেক পিবিরম্মী।

মহাক্না আশ্রমদা হল্লকপা মতমদদি মাগী য়ুবী খুজাই অতু পুমহাং হাংলম্মী। মতৌ অতু উবদা মপা মুনিদি পুমঙক ঙকুম্মী। "নঙোন্দা কনা অমতনা ভিক্ষা হাপ্লক্লা ?" মুনিনা হংলকই।

'ঐনা পাম্বদগী হেন্দোক্না মী খুদিংমক্না ভিক্ষা হাপ্পীরকই,' দ্বৈপানা খুমজরকই।

'অতুদি কদাইদা থনম্লবা ?'

'ঐনা ঐগী ইতুং ইন্না চৎপা অঙাংশিংদা লোইনা পিজথোকখ্রে।' দ্বৈপানা খুমজরকই।

'নংদি করি চাগনি ?'

'ঐনা চাদনা লৈগনি। মসিদা অমাংব করি লৈ ?' দ্বৈপানা খুম্লকই। ইমাদি থা-থাই খুদিংগী চরা অমুক-মুক হেল্লম্মী। মরাইবক থিরবা অঙাংশিং অসিনা মবুক য়াম্না লাম্না লৈবা মতৌ অতুবু ঐনা য়েংবা ঙম্লমদে।'

চৈরক অসিদা মবুক লাম্লবা অঙাং খরনা চেনশিল্লক্তুনা মখুৎ তিংথোক্লগা মঙোন্দা চিঞ্জাক নিরম্মী। দ্বৈপাদি মখোয়গী মতৌ অতুদা হায়নিংঙাই লৈতনা নিংবা কাইরম্মী; মরমদি মাগী য়ুবী খুজাই অতুদা মখোয়দা পিনবা করিগুম্বা পোৎশক অমতা য়াওরমদে। মহাক্না উপায় লৈতবদগী মমিত্তা ইরা চেল্লম্মী। অতুবু হৌরক্লিবা ইথক অতুবু নমথরগা মহাক্না, 'সবিতা,' 'ন্নুমিৎ কৌবা লাই', পুন্নমক্কী পুন্সিবু পিবিরিবা ইবুংঙো মাগী মফমদা মথরাই শোক্না নিজরকই, 'হে ঈশ্বর ইবুংঙো সবিতা, ননাইবুদি চরা হেলহনবিয়ু, অঙাংশিং অসিতদি পিজবা ওক্লবা চিঞ্জাক অতু ননাইদা পিনবিয়ু। ননাইদা নংগী চানবিবা মিনোক্তি পিনবিখ্রে। ননাইনা পামজরিবসি পিনবিরো।' মহাক্না মাগী থম্মোই অতু শোক্না নিজরকপা মতৌ অতু থংবিরতুনা সবিতা, ন্নুমিৎ কৌবা লাইনা, মাগী (দ্বৈপাগী)

য়ুবী খুজাই মখুৎনা পাইবিবতু খংলুম লুমথহল্লম্মী। দ্বৈপানা করিনো হায়দুনা মাগী য়ুবী খুজাই অদুদা য়েংথরুবদা চান-থক্লবা চিঙ্গাক্লা থন্না য়াওরম্বতু মহাক্লা উবা ফংলম্মী। মহাক্লা ইওক ওক্লা মতুংলোমদা খোংকাপ অনি অহুম হন্দোক্লম্মী। মহাক্কী থম্মোই শোক্লা নিজবা অদুদা লাইনা পেনবিদুনা থৌজানবিরে হায়বসি মহাক্লা খংজরম্মী। হৌজিক্তি মবুক লাম্লবা অঙাংশিং অদু পিজবা ওক্লবা চিঙ্গাক অদু য়ুবী খুজাই অদুদা য়াওরম্মী।

দ্বৈপানা অঙাংশিং অদুগী মফমদা চিঙ্গাকশিং অদু য়েন্দুনা পিজরম্মী। মপুক্লিংদদি মিপাইবা পোক্লম্মী। 'বাবা,' মপা মুনিদা হায়জরকই, 'মত্তৌ করম্না ঐগী য়ুবী খুজাই অসি চিঙ্গাক্লা থনগ্রিবনো? করি খোকথ্রবগে?'

পরাশর মুনিনা ঈশ্বরগী থৌজালদগী মচাগী য়ুবী খুজাইদা চিঙ্গাক্লা থনগংলকপদু উবা ফংলম্মী। মহাক্কী থম্মোইদা হরাও-নুংঙাইবগী ইথক্লা হৌদুনা লৈরম্মী। মহাক্লা ঈশ্বরগী মফমদগী থৌজাল অমা লাকপদু ঙাইদুনা, মতম অম্মুক শাংবসি লৈজরকপনি, হৌজিক্তি থৌজাল অদু ফংজবে। মহাক্কী মপুন্সিদা অরাবা, খুদোংথিবা অমম্মুং মমাই পাকপা ফংজদনা লেনজরকপদু, মচা অসিগী মফমদদি থোক্লরোই, অফবা শরুক্তা ওইরগনি খনবদা মহাক্লা থোইদোক্লা নুংঙাইবা পোকচরম্মী।

মহাক্লা মচা দ্বৈপাবু মখুৎ তিংথোক্লুনা চেংনা, নুংশিনা কোল্লগা হায়রকই, 'ইপাগী ইবুংঙো, নংগী লৈজবা পুম্নমক পিথোকখো,

ঈশ্বরনা নংগী নফমদা মরাং-কাইনা, নংনা পাম্বা থুদিংমক পিরক্লগনি।'

'দ্বিজ' অনিরক হন্না পোকপা

অঙাং মুপা মচা অমবু নগুণ থাংবিবা হায়বা থৌরম অসি, ঈশ্বরবু ইনৌ নৌনা খংনবা তৌবা থৌরম অমা ওইনা চৎনরকই। মরম অসিনা থৌরম অসিবু 'দ্বিজ' 'অনিরক শুবা মপোক' অস্থুম হায়না কৌনরম্মী।

৫ শুবা পন্দূপ

নোংজু থাশিং অহু মুনিনা মাগী লোইনবশিং অহুগা লোইননা গোধূলী আশ্রমদা লৈরম্মী।

নোংজু থা লোইখ্রবা মতুংদ'দ মুনিনা চহি খুদিংগী ওইনা মাগী পরুব্রাশিংগী আশ্রমশিংদা কোইনা চৎপগী থবক অহু হৌরম্মী।

চহি তরানিথোই চুপ্পা দ্বৈপানা অরাবা কয়া খাংহনবা ব্রহ্মচর্য্য আশ্রমদা মপাগী তুং ইন্না লৈজরবস্তু, মঙোন্দদি থোইদোক্না নুংঙাই-জবা অমা ওইরম্মী। মপাবু ভক্তিগা লোইননা নুংশিবা অহু নোংম-নোংমগী ওইনা হেনগৎলম্মী।

মখোয়না হীনা নম্রগা মখোংনা চৎলবস্তু নুমিৎ খুদিংগী সন্ধ্যা অহুম কাইদনা পাংথোক্লম্মী। থেংন থেংনবা খুনশিংগী মীনা কৎলকপা পোৎশক খরা অহুতা মখোয়না চারম্মী।

অশুকপা বনশিং ফাওহনা চৎপা মতমদা মহাক্কী মপা মুনিনা বেদগী মন্ত্রবু হেক হেক থিরম্মী। অতৈ পরুব্রাশিং অহুনা, মখোয়না থংবা মতাং লাকপদা মুনিগী মতুং ইন্দুনা শোনবা অহু য়াওরম্মী। মখোয়না খংদবা অমম্মুং ফাদবা মতাং অহুবু মহাক্না, মখোয়না কাদ্রি খংদ্রিবা কাওবা তম্মীবম্মী। দ্বৈপাদি, মহাক্কী অওকপা নিংশিংবগী শক্তি লৈবনা, অনৌবা বেদগী মন্ত্রশিং অহুবু, অনি অহুম্নকুং তাবদা, ময়েক চুম্না অমম্মুং খোন্থোক কাইদনা হেক্না থিবা অমম্মুং শকপা ওম্লম্মী।

অনৌবা বেদগী মন্ত্রশিং অত্থুনা মচিন্দ হেক পল্লকপা মতমদা দ্বৈপাগী মশাদা, নিংথিজববা তাইবংপান অমগী মণ্ডাল অত্থু ফাওরক্লম্মী।

লাইশিং অমমমতা ওইনা খুরম্নবা তোঙান তোঙানবা মন্ত্রশিং লৈবগুম্না, পুল্লপ্পা অমতা ওইনা খুরমত্থুনা থৌজাল নিনবা মন্ত্রস্থু অত্থুম লৈবম্মী।

মন্ত্রশিং, য়াইফ-মুংঙাইবা পিবা ওম্বা, অচুম্বা ধর্ম্মগী থবক্তা মাইওনশিনহনবা ওম্বা নত্রগা লানবু জয় তৌবা ওমহনবা লৈরম্মী। মন্ত্রশিং, লাইশিংবু পেলহল্লগা ইশাগী কান্নবা ফংবা হায়বদি, থোই-দোক্কা ইন্দ্র সোরারেনবু পেলহন্দুনা শক্তি ফংলগা য়েক্লবশিংবু মাংহনবা ওম্বা; মারুত্তী, মুংশিং কৌবা লাইবু পেলহল্লগা অকনবা নোং-মুংশিংপু থিংবা ওম্বা লৈরম্মী। পুম্নমক অসিগী মথক্তা বরুণ, অতিয়া অমস্থুং সমুদ্রগী মপু, বিশ্বজগৎপু পুরিবা অমস্থুং মাগী মশিং লাকওমদ্রবা মমিৎশিং অত্থুনা অহিংদা পুম্নং লংনা ঙান্দুনা হৌখিবা, হৌজিক্কী অমস্থুং তুংগী থৌদোক পুম্নমকপু য়েংত্থুনা লৈরিবা লাই অসিবু, পূজা তৌত্থুনা মন্ত্রনা পেলহল্লগা কান্নবা পুম্নমক ফংবা ওম্নম্মী।

মন্ত্রশিং, অশিবা কৌবা লাইবু থৈদোকপা ওম্বা, অনাবশিংবু ফহনবা ওম্বা নত্রগা লিন্না চিকপ্পদগী কনবা ওম্নস্থু লৈরম্মী। মুপী মুপা অফবা ফংনবা মন্ত্রশিংস্থু অত্থুম লৈরম্মী।

অয়ুক মুংথিলগী মতমদা দ্বৈপানা, মপাগা লোইননা বনগী মঙ্গুংদা চৎমিন্নবা অত্থুনা খ্বাইদগী হেম্না মুংঙাইজবা অমা ওইরম্মী।

মরমদি মপানা মঙোন্দা খুদোনবীনা থিন্দুনা নিংথিবা উচেক কয়াগী মশক তাকপীবতা নম্তুনা হৈরাং-লৈরাং কয়াগী মশকস্মু তাকপিত্তুনা মাবু খংহল্লম্মী। মরক মরক্তা লৈনাশিং কয়াবু ফহনবা ওম্বা উরি-রারিশিংগী মশক মমিং তাকপিত্তুনা খংহল্লম্মী অমস্তুং লম্বীদা থেংনবশিং অত্তু হেক্লগা তোঙান তোঙাল্লা পৈলা নত্রগা অখ্বালগী খাও অত্তুদা হাপচিলহল্লম্মী।

নোংজু থা নম্তুনা অতৈ অহিংশিংদদি মখোয়না অহাংবা অতিয়া কাংখলগী মন্নুংদা মখোয় মখোয়গী শক্তি মউনশিং অত্তু থাত্তুনা হিপলম্মী। লমগী শা অঙাওবশিংনা চংলকপা ওমদনবা মখোয়না মৈ হৌত্তুনা থনম্মী। মখোয়না তুমথদরিঙৈগী মমাংদা দ্বৈপানা মপাগী মনাক্তা মাগী শক্তি মউন অত্তু থাত্তুনা হিপ্লগা থৌরানমিচাকশিংগী মরমদা অওক অওকপা রাহংশিং মপাদা হংলম্মী।

মখোয়গী খোংচৎ থুদিংমক্তা মখোয়না লম্বী শরোক অচৌবশিং থুনজাওশিং, সহরশিং অমদি লুচিংবশিংনা লৈবা মফমশিং অত্তু কোইথোক্তুনা চংলম্মী। মরমদি মখোয় লুচিংবশিং অসিদি হৌখিবা লানজাও অত্তুদা ফত্রবা নিংথৌ অত্তুগী মিচং ওইজরুরদগী মখোয়গী ফমথোনশিং অসি ফংজখিবা ঙাক্তা ওইরম্মী।

দ্বৈপানা চাউরক্লবা মতম অসিদদি মহাক্কী মপানা আশ্রম অমদগী আশ্রম অমদা কোইনা চৎপগী মরম অত্তু নিংথিনা খংবা ওল্লম্মী। যমুণা মপান্দা লৈরিবা আশ্রমশিং, লানজাও অত্তুদা হিংহৌবা মাগী মপা মুনিগী পরুরাশিং অত্তুনা লিংখৎলিবশিং অত্তু

অমগা অমগা মরি নিংথিনা লৈনহনগদবগীদমক্তনি হায়বসি মহাক্না থংলম্মী।

মখোয়না চংঙু চংঙুবা আশ্রম খুদিংমক্তা, মাগী মপাবু আশ্রমদা লৈরম্লিবা আচার্য্যশিং অমস্থং পরুরাশিং পুন্নমক অতুনা হরাও-তয়াম্না শুরুম্বতা নত্তুনা মপা মুনিবু খোরাংনা ঙাইনরম্বা মতৌশিং অহু দ্বেপানা উবা ফংলম্মী। মপাগী খোংচৎশিং অসিনা আশ্রম খুদিংমক লিচৎ-শাজৎ অমতদা লৈহন্নবগী থবক অতুম্থু ওইহল্লম্মী।

মপা মুনিনা মতৌ করম্না আশ্রমশিংদা লৈরম্বা মী খুদিংমক্কী মপুক্লিংবু খুত্থম চনবা ঙম্লিবনো হায়বহু খনবদা মহাক্না অঙকপা অমা ওইরম্মী। মুনিনা মখোয় খুদিংমক অচুম্বা ধর্ম্মগী লম্বীদা লেংহনা লৈনবা নিংথিজনা তম্বী-তাকপিরম্মী। আশ্রম খুদিংমক্তা মাগী মপা মুনিগী অরিবা পরুরা অমময়া আচার্য্য ওইনা পুত্থনা লৈরম্মী। অনৌবা নহা কয়া অমস্থু, নৌনা ব্রহ্মচর্য্য ধর্ম্ম চত্তুনা আশ্রমশিং অত্থদা লৈরম্মী। আচার্য্যশিংনা মনাক নকপা থুনশিং অত্থদগী লুহোংত্থনা লৌবা মুপী নহাশিং কয়া অমস্থু মচা মশুশিংগা লোইননা লৈরম্মী।

আশ্রমগী খাংপোকশংশিং অত্থগী ময়াইদা, কোমজাও অমদা, অহিং-মুংথিল খাইদনা মৈ হৌত্থনা থনম্মী। খরা থাগুক্না, মথা পাংবদা আশ্রমগী শঙ্গোল লৈরম্মী। আশ্রমদা লৈব মখোয় খুদিংমক্না মৈফম অত্থদা ইকোই কোইনা লেপ্পগা বেদগী মন্ত্রশিংবু শক-শোল্লম্মী অমস্থং থিরম্মী।

কবিগুন্দা আশ্রম অমদা বেদ হৈতবা আচার্য্য অমনা পুরবদি, আশ্রম অদুদা থকশি-খাশি নাইনা চংপা ওমদে, আর্য্য অমা ওইবগী চংনবীশিং অদুবু থৌশারমদে অমসুং বেদগী মন্ত্রশিংবু থৌশ্না-ৱাশাদনা, নিয়ম লান্না পংথি-থিজিল্লম্মী।

দ্বৈপানা মপাগী মতৌদা খ্বাইদগী হেন্না ওকপা অমদি, মপানা চংনবী কায়না লৈবম্বা আশ্রমগী মীশিং অদুবু চুমথোকপিবা মতৌ অদুনি। মপা মুনিনা কনা অমতগী মবালবু থিদে, চৈ-থাংবসু তৌদে অমসুং মখোয়শিং অদুগী অশোইবশিং অদু ফাওবসু থক হায়দোক-পিবমদে। মুনিন বরি তৌবগে হায়ববু, মহাক্কা আশ্রম অদুদা হেক থুংবগা মহাক মশামক্তা থবকশিং অদু চুম্না তৌবা তৌবম্মী। বেদগী মন্ত্রশিংবু নিয়ম চুম্ন, কবিমত্তা খোন্থোক কাইহন্দনা থিরম্মী। লৈবম্লিবা ময়াম অদুনসু মুনিগী মতুং ইন্না থবক খুদিংমক তৌরম্মী।

মনাক নকপা শুনশিংদগী লুহোংদুনা লৌরুবা, আশ্রমদা লৈরিবা নুপীশিং অয়াম্বনা অতনবী ভাক্তা ওইবম্মী। মখোয়না, লাইমিং লৌবদা পরুংশিংনা ব্রহ্ম মুহূর্ত্তদা হৌগতুনা অয়ুক্কী লাইরেম্বী উষাদেবীবু পূজা তৌগ্রবা মতুংদা হৌগৎলম্মী। মখোয়না থবক-ইনথাং নোম্বা মতমদসু মখোয় মশেল ৱারি শাদুনা অমসুং করেম্মদুনা মতম অয়াম্বা লেল্লম্মী।

মহাক্কী মপা মুনিনা মখোয়শিং অদুগী মফমদা ৱা মচেং অমত্তা ভাংদনা, মশামক্তা তুমিন্না, মাগী পরুক্তা অনি অদুগা লোয়ননা শঙ্গোল তম্না চংগ্রগা, শঙ্গোলগী ফত্ত-হৌদি পুম্নমক শেংদোক্লবা মতুংদা বণশিং অদুবু ইরুজথোকপিরম্মী, মতুংদা ষণশিং অদুবু

শঙ্গোম শুম্নবা মাগী মাগী মফমদা পুন্দুনা থম্বিরম্মী। মপাগী মতৌ অহু উবদা আশ্রমগী মুপীশিং অতুনা ইকাইবগা লোইননা শঙ্গোন্দা লাকুনা মখোয়গী মথৌশিং অহু তৌরম্মী। মতুং মুমিত্তুগীদি অমুক হায়নরুবা লৈখিদ্রে।

মতুংদা, মুমিং থোক্ত্রিঙৈগী মমাংদা মুনিনা মাগী পরুব্রাশিং অহুগা লোইননা যমুণাদা ইরুজথোক্লগা অযুক্কী সন্ধ্যা পাংথোক্লম্মী। আশ্রমগী আচার্য্য অমস্তুং মাগী পরুব্রাশিং অতুনা মখোয়গী ওন্দে-মান্দে তৌবা মতৌ অহু থাদোকুনা ইরু-মাইথজরগা পরপ পবপ চেল্লকুনা মুনিগী থবক অতুদা য়াওরম্মী।

ময়াম অতুনা অশেংবা মৈফম অহুগী অকোইবদা ফম্নবা মতুংদা মুনিনা বেদগী মন্ত্রশিংবু খোম্থোক চুম্না ময়েক-মশোল অমত্তা কাইদনা অমস্তুং মখোঞ্জেল লুম্না, তরু তরুনা থিথবা হৌরম্মী। মহাক্কী খোম্থোক অহু তাবতদা মখোয় পুম্নমক অহু শুমহত্তুনা লৈরম্মী। মখোয় পরুব্রাশিং থরদি মপাগী খোম্থোক অহুগী মতুং ইনবা ঙমদতুনা চঙরুনা লৈরম্মী।

থুঙ্গংশিংদা লৈবা প্রজা অয়াম্বনা মপা মুনিনা চৎি চৎি খুদিংগী ওইনা মখোয়গী খুনশিংদা লাকপগী মতম অহুবু লাকহল্লিংবনা ওম্থোক্লা ব্রানা ভাইনরম্মী। মপা মুনিনা আশ্রম অমদা থুংহুনা লৈরে হায়বা পাও হেক ফংবগা প্রজাশিং অতুনা পুল্লপ হৌনতুনা লাক্লগা মুনিবু ইকাই খুম্নবগা লোইননা ওকচরগা খুরমতুনা আশীর্ব্বাদ নিজরম্মী। মখোয় মখোয়গী লৈজবা হৈ-লৈ অমস্তুং উহৈ-ব্রাহৈশিং

পুরক্তুনা মঙোন্দা কৎচরম্মী। মসিনি খুঙ্গংগা আশ্রমগা অনিগী মরক্তা লৈনবা মরি অতু।

মাগী মপা মুনিনা খুঙ্গংশিংদা লৈবা অনা-অয়েক তৌবা মীশিংবু লাইয়েংবিতুনা ফত্তহল্লম্মী, খুল মশেল অমগা অমগা খৎনবদা অনদি ইমুং-মনুং মখোয় মশেল খৎনবদা অচুম-অরান থিবিতুনা তাইশিন্নবীরম্মী। মখোয় মশেল মুংশিননা লৈমিন্ননবা পাওতাকশিংস্থু নিংখিজনা পিবিরম্মী। মহাক্না মুপা মুপী কয়াগী তুংগী মপুন্সিদা থোক্কদবা থৌদোকশিং কয়াগী রাবুস্থু হেক হেক হায়বিরম্মী।

দ্বৈপানা মপা মুনিনা মীওইবশিংগী মপুক্লিংবু চিংশিনবা ঙম্বগী শক্তি লৈ হায়বসি হৌজিক্তি ইরাই লাইনা খংজবা ঙম্মী। মসিগী মরম অয়াম্বদি মপা মুনিগী পাওতাক মতুং ইন্না, আশ্রমশিংদা লৈবা মীশিং পুম্নমক্না ইফোং ফোংনা, লৌথুপ লৈকোই লৈতনা অমস্থুং মখোয়গীনি হায়বা পোৎশক অমতা থমদনা ইচম চম্না লৈহনবা অসিননি। অতুগা পুম্নমক অসিগী মথক্তা আশ্রমদা চান-থক্লবা পোৎচৈশিংস্থু কা হেন্না পৈতুনা থম্বস্থু য়াহল্লমদে। মুমিৎ হুম্নিগী-দমক্তদি য়ারম্মী।

নোংমা আশ্রমশিং অমদা মুনিনা কোইথোক্লুবদা, আশ্রমগী মুপীশিং অতুনা চান-থক্লবা পোৎচৈশিং, নুমিৎ হুম্নীগীদগী হেন্না পৈশিন্দুনা থনম্বতু থেংনরম্মী। মহাক্না তুমিন্না চংখিতুনা অহেনবা চিঙ্গাকশিং অতু পুথোক্তুনা খুঙ্গাশিংদা য়েস্থোকখিরম্মী।

মহাক্কী মপুন্সিদা দ্বৈপানা কাওবা ঙম্মরোইদোবা থৌদোক অমা থেংনরম্মী। মখোয়না আশ্রম অমদা থুংলুবা মতমদা আশ্রম

অতুদা চান-থক্লবা করিমতা লৈত্তবা থেংনরম্মী। খুঙ্গাশিং অতুনা আশ্রম অতুদা করিমতা মতেং পিরমদে। ব্রহ্মচারী ওইরবা দ্বৈপা অমম্বুং লৈলা, মখোয় অনিনা খুঙ্গং অতুদা ভিক্ষা নিবা চৎলুবা ফাওবদা খুঙ্গাশিং অতুনা ভিক্ষাগী পোৎলম অমতা হাপ্পীরক্লমদে। মখোয় উবদা থোং পুম্নমক লোন্নখিরম্মী।

মতৌ অসি উবদা মপা মুনিনা হায়রকই, 'ঈশ্বরনা নখোয়বু শঙ্গোমতনা হিংহনা লৈবহ্ পাম্বননি,' অসি হায়রগা মুনিনা নোক্লম্মী। শঙ্গোম অতুনা আশ্রমগী কোন্নরক্রবা মতম অতুদদি বাবানা মাগী শরুক অতু অঙাংশিংদা য়েনবিতুনা পিথক্লম্মী। থোক্লীবা থৌদোক অসি আশ্রমদা লৈরিবা মীশিং অসিনা, আশ্রমগী চৎনবী নিয়ম কাইনা চৎপদগীনি হায়বসি বাবানা নিংথিনা খংলম্মী। বাবানা খূঙ্গাশিং খরা কৌরগা ঙাং-শকপদগীদি, মথং নুমিত্তা খুঙ্গাশিং অতুনা চান-থক্লবা পুরক্তুনা লাক্লম্মী।

আশ্রম খরদি মনাক নকপদা লৈরিবা খুনশিং অতুগী মীশিংগা য়ানদনা লৈবগী পাওম্বু ফংলম্মী। মতাং অসিদা বাবানা আশ্রমগী মীশিং অতুদা হায়রকই, "খুঙ্গাশিংনা নখোয়বু তাথি-তাওইনা করিগুম্বা তৌরক্লবস্থু নখোয়না মতুবু খাংহনা তুমিন্না লৈগদবনি।"

করিগুম্বা আশ্রম অমদা ঐখোয়না থুংলুবা মতমদা, আশ্রমদা লৈরম্লিবা আচার্য্যনচিংবা পুম্নমক অতুনা অতোপ্পা মফম অমদা আশ্রম অতু হোংগদবগী থৌরাং তৌতুনা লৈরম্বতু থেংনরম্মী।

"নখোয়না মফম অসি থাদোক্নুনা চৎকদৌরিবা কবিগীনে ?"
বাবানা মখোয়দা হংলম্মী।

"খুঞ্জাশিং অসিগা য়ানদ্রে। ঐখোয়গী লাইনিং-লাইশোন্দা খুঞ্জাশিং অসিনা অপনবা পিবতা নত্তুনা অশেংবা মৈ পূজা তৌফমদা ঈশিং হৈভিন্দুনা মাংথোক্লম্মী অমসুং কবিগুম্বা মতমদনা আশ্রমগী মনশিং হুত্নুনা পুখিবম্মী।" আচার্য্যনা খুমজরকই।

বাবানা আচার্য্য অতুগী মবেংথান্দা মখুং অতুনা নানবিবগা হায়বকই, 'নখোয়না আশ্রম থাদোক্নুনা চৎপা হৌনদে। অসিদগী তেং অফবা মফম অমা থিবদা নাখোয়না ফংনা ওগ্লোই। মফম অসিনা নখোয়না চংংলো তৌবিবনি। মফম অসিদা পূজা তৌদুনা অমসুং বেদগী মন্ত্রশিং থিদুনা নখোয়না শেংদোকপ্রবা নত্রা ? মফম অসি তীর্থ অমা ওইগ্রবনি মরম অদুনা অচুম্বা ধর্ম্মবু পাম্বা মীশিংনা লাক্নুনা, মপুক্লিংদা থাজবগা লোইননা তীর্থগী সেবা তৌনবয়গনি।'

আচায্যনা মথুং লোয়নদুনা হায়জবকই, "প্রজাশিং অসি য়াম্না ফজে। মখোয়গী থম্মোয়বু খুদুম চনগে হায়দুনা ফনা কল্লা হোংনজবনি, অতুব অবেম্বদা তাখিবম্মা।

আচার্য্যগী রা অতু তাবদা বাবানা মখোল য়াম্না নৌনা অমসুং নুংশিনা হায়বকই, "ঐখোয়না অকোইবদা লৈরিবা খুঞ্জাশিং অসিগী থম্মোইবু খুদম চন্দুনা অচুম্বা ধর্ম্মগী মাইকৈদা পুবকপা ওমস্রবদি, ঐখোয়গী কংথোকপ্রবা পুন্সি, অনিবক হন্না পোক্লগা ব্রহ্মচারী ওইবগী বধি কানুব লৈরিবগে ? তচুম্বা কঙ্গী তম্বা অমসুং তম্বীবদা তশোইবা

অমা শোইদনা লৈরম্নগনি, নত্রগা ঐখোয়না ৱেদগী মন্ত্র থিবদা কাইরমগনি ; অদু ইনৎ নত্রগনা, মৈ পূজা তৌবদা অচুম্বা মন্ত্রশিং অমত্তা চুম্না থিরম্মরোই।"

"খুঞ্জাশিং অদুনা ঐখোয়গী ইরক্তগী অমদি শোইদনা হাংল-রগনি," আচার্য্যনা চিংনরপ তৌনা হায়জরকই।

"খুঞ্জাশিং অদুনা ন'বু ফুদুনা হাংকে তৌরক্লবা মতম অদুদা নংনা ৱেদগী মন্ত্রবু থিদুনা অশিবা লাইগী লৈবাক্তা ননিং তৌনা চংখো, মতৌ অসিনি ইবুধৌ বশিষ্ঠনা ফত্রবা নিংথৌ অদুনা মাবু হাংকে লাকপদা তৌখিবা মতৌ অদু" দ্বৈপাগী মপা মুনিনা হায়রকই।

কবিগুম্বা মতমদা আশ্রমগী মীশিং অদুনা লমশাশিংবু য়াম্না কিরম্মী। মখোয়গী মতৌ অদুদা মুনিনা মখোয়দা হায়রকই, "নখোয়না লমশাশিং অদুবু লুনা অমস্থুং চান্না তৌবতনা মখোয়বু তেহনগদবনি। শাশিং অদুনা নখোয়দা লান্দাবক্লবস্থ থক চেনগনু। নখোয়না চেল্লবদি শাশিং অদুনা নখোয়বু য়েক্লবা ওইনা খন্দুনা নখোয়বু তান্নদুনা হাংখিগনি। অদুগা নখোয়না মৈ কৌবা লাই অদুবু অহিং-ঙ্গুংথিল নাইদনা পূজা তৌদুনা থম্নবদি, শাশিং অদুনা অদুম মরন্নাই ওইনা চৎচখিগনি।"

মতৌ অসুম্না মখোয়না চহি নিপাল চুপ্পা আশ্রমশিংদা কোই-রকপা মতমদা, পৈলাগী চহি তরানির্থোই চুপ্পা ব্রহ্মচারী ওইবগী মতম অদু শুদুনা, গৃহস্থ আশ্রমদা চংবা য়ানবগী হৌনবী নিয়মশিং অদু আশ্রম অমদা পাংথোকপিরম্মী।

পৈলা অমস্তুং দ্বৈপা অনিগী মুংশিনবা অহু অওকপা ফংনা হেনগৎলম্মী ! চহি কয়ামুক অসি পৈলাদি অরাবতনা মাগী মশরুক ওইনা লাক্লম্মী। মহাক্না বেদগী অরুবা মন্ত্রশিং কয়াদি খোঙ্হোক চুন্না থিবা অমদি মচিন্দা পুবা ওম্লমদে। অহুবু দ্বৈপানা মাবু তন্বী-তাকপিবদগী মাগী অরাবা অহু কোক্লম্মী। পৈলাদি হায়বা ইনবা, য়াম্না ইকাই থিগনবা অমস্তুং মবুকচেল শেংবা পরুক্না অমা ওইরম্মী। মঙোন্দা লৌথুপ-লৌকোই করিমতা লৈরমদে, মহাক্না দ্বৈপাবু মাগী গুরু মচা অমগুম্না খনজরম্মী।

চহি তবা চুপ্পা মখোয়না যমুণাগী তোর্ব্বান্দা লৈরিবা আশ্রমশিং অহুদা কোইচৎ চত্তুনা কোইরম্মী।

চহি তবাগী মতুং অসিদদি দ্বৈপাগী মপা মুনিনা আচার্য্যশিং অহুবু থাজবা পোক্লম্মী। মবম অসিনা মহাক্না ধর্ম্মক্ষেত্রবু অমুক হন্না শেমগৎপা ওয়্যগনি খন্দুনা হায়বকই, "মথংগী চহি অনি অসি ঐখোয়না বদরিকাশ্রমদা চংলুসি। নখোয় কনা কনা, পাংথোকপদা রাববা খোংচৎ অসিদা, ঐগা লোইননা চৎপা পাম্বা য়াওব্রা ?"

নহাশিং অয়াম্বনা মুনিগী খোংচৎ অহুদা য়াওজগে হায়হুনা চোংথোক্লবম্মী অহুবু মুনিনা আশ্রম খুদিংদগী ব্রহ্মচারী অমমম লৌহুনা, মখোয় কুনখক্তমক খনগৎলম্মী।

ব্রহ্মচারীশিং কুন অহুগা মখোয় মরিগা লোইননা চৎখিহুনা গঙ্গাগী তোর্ব্বান পবিংদা লৈবা আশ্রমশিং, ধর্ম্মক্ষেত্রদগী চেনখিবা ঋষিশিং অহুনা লিংখত্তুনা লৈরিবা, মফমশিং অহুদা, মখোয়না

থুংলম্মী। মখোয়না আশ্রম অমদা নোংমা নত্রগা' নিলিগুম্বা হেক হেক পোথারম্মী।

যমুণাগী তোর্ব্বান্দা লৈরিবা আশ্রমশিংগা গঙ্গাগী তোর্ব্বান্দা লৈরিবশিং অসিগা য়াম্না থিনা খেন্নরম্মী। ধর্ম্মক্ষেত্রদা মরু ওইনা লৈরম্বা ঋষিশিং অয়াম্বা অমদি মখোয়গী অথিবা পরুবাশিং অদুদি খরনা শিথিরম্মী অমস্তুং খরা অমনা হৈহৈয়শিংনা হাংথিবম্মী। মখোয়গী অহুমশুবা মীরোলগী পরুবাশিং অসিদি আর্য্যশিংগী চংনবী লম্বীশিং অসিদগী য়াম্ন কোমথোক্না লৈরম্মী। মখোয়দি ধর্ম্মক্ষেত্রগী অরাংবা অমস্তুং ফিদম্নফম ওইবা থোংদোকশিং অদুবু কবিস্নু নত্তবা রাবি অমগুম্না কাওথোক্নখিরম্মী। অচে অচৌবা ঋষিশিং হায়বদি বশিষ্ট, বিশ্বামিত্র, জামদগ্নী, অঙ্গীরা অমস্তুং শূন-শেপ্পচিংবা নিংশিংনবগী রাখল অদু মখোয়দা পোকখিদ্রে। লান অদুনা মৈহৌবোলগী ওইবা রাবি-রাখোংশিং পুম্নমক অদু মরু ফংনা মাংহনখিরম্মী। মখোয় লেমহৌরিবা খরা অসিদি, খুঙ্গংশিংগী লুচিংবশিংগী থৌজান্দা হিংদুনা লৈবা মনম্না, আর্য্যশিংগী চংনবী পথাপ পুম্নমক অদু মখোয়দদি করিমতা লৈতবগুম তৌবম্মী।

মুনি অমস্তুং দ্বৈপাগী কাংবুনা থুংলুবা মতমদা আশ্রমদা লৈরম্মীবা ঋষিশিং অমস্তুং পরুবাশিং অদুনা মখোয়বু থোইদোক্না থৌশারমদে, অদুবু মুনি পরাশরগী মিংচংনদি মাইকৈ মরিমক্তা পাকচাউনা শন্দোক্লুনা লৈবনা, অমদি ফত্রবা নিংথৌ সহস্র অর্জ্জুনবু, মশাদা খুংলাই অমত্তা য়াওদনা মাইয়োক্লবা ওম্বা মুনি অমনি হায়বসি খংবদগী, মহাকপু থৌওইদনা তৌবদি ওম্নমদে। অদুম ওইনমক

মুনিনা অমস্থুং মাগী পরুরাশিং ময়াম্না বেদগী মন্ত্রবু য়াম্না চেকশিন্না অমস্থুং কিনা থিবা মতৌ অদু উবদা মখোয়না নোক্করম্মী।

দ্বৈপাগী মপানা, আশ্রমদা লৈরম্লিবা মীশিং অদুদা, আশ্রমগী অকোইবদা লৈরিবা খুঙ্গাশিং অদুগা চান্ন-চিন্ননা লৈমিন্ননবা য়াম্না কন্না হায়রম্মী। অদুবু আশ্রমগী মীশিং অদুনদি, পাওতাক পিরিবা মুনিবু অপংবনি হায়না লৌহুনা, মাগী রাবু থৌওই-রাওইনা তাবিরমদে। দ্বৈপাদি মখোয়গী মতৌ অদুবু খংবা ঙম্লম্মী। মখোয়না মহৈগী মরমদা নত্রগা অচুম-অরান চংনবীগী মরমদা শিংনহুনা মপাগা য়েংনবদি ঙম্লমদে. অদুম ওইনমক মপাগী মতুংদা মখোয়না মপাবু চৈ-থাংহুনা ভাংনৈ অমস্থুং নোক্লৈ হায়বসিস্থু মহাক্না তশেংনা খংবা ঙম্লম্মী।

মতম খরা অসি মখোয়না হিমালয়গী লাইফমশিং শিন থুংনা কোইরম্মী। মখোয়না উন্না কুপ্তুনা লৈরিবা নব অমস্থুং নরায়ণগী আশ্রম বদবিদা চংলম্লগা কৈলাস চীংদা লক্তুনা, লাইশিংগী লাই ওইবিবা অমস্থুং জগৎ পুম্নমক্কস্থু লাই ওইনা নিংনরিবা শিব মহাদেববু দর্শন তৌজরম্মী।

দ্বৈপা অসি হৌজিক্তি চহি তবানিপাল ম৺ং ফাবম্মী। অনিরক হন্না পোক্তুনা ব্রহ্মচর্য্য আশ্রমদা চহি তর নিথোই লৈরকপা মতম অসিদা মহাক্না বেদ অহুস্থু হায়বদি, ঋকবেদ, যজুরবেদ অমস্থুং সামবেদবু নিংথিনা হৈবতা নত্তনা মরিশুবা অথর্ব্ববেদগী শরুক খরা, মপানা হৈবা অদুস্থু নিংথিনা খংলম্মী।

দ্বৈপাস্থু মপাগী মতৌগুম্না হিরম খুদিংমক্তা অমস্থুং থৌরম

পুন্নমক্তা চাউখৎপা ফংলম্মী। মহাক্কী মপুকচেল শেংনা ফজবা অমস্তং চাব-থকপদা ফজবা মতৌ অতুতনা, আশ্রমশিং পুন্নমক্কী মীশিং অতুগী মপুক্লিংবু শুমহৎপা ওয়ন্মী।

দ্বৈপাগী ব্রহ্মচর্য্য আশ্রমদা লৈবা চহি তরানিথোই শুবগী অরোইবা থা অদুদা মথোয়না গোধূলী আশ্রমদা হল্লক্লম্মী। আশ্রম অসিদা মপা মুনিনা মচাবু গৃহস্থ আশ্রমদা চংনবা থবক থৌরমশিং পুন্নমক পাংথোকপিরম্মী।

৬ শুবা পন্দূপ

কন্নী দীপ্তা কোইরকপা

পরাশর মুনিনা মচা দ্বৈপায়ন, মাগী পরুবা অনি অমস্থুং নহা ব্রহ্মচারী মখোয় কুন অতুগা লোইননা ধর্মক্ষেত্রদা চংনবা থৌরাং তৌরম্মী। মুনিনা চংকদৌরিবা খোংচৎ অসি থোইদোক্না খুদোংথিনিংঙাই ওইবা মশক অমনি হায়রসি তশেংনা উরম্মী। অদুবু ঈশ্বরগী মফমদা অফ ফত্তু পুন্নমক অদু মহাক্না শিন্নজরম্মী। অমরোমদনা মহাক্না, মচা স্তূপা দ্বৈপাগী যুবী খুজাইদা ওইখিবা মতৌ অদুবু নিংশিংলুরগা, মহাক্না ধর্মক্ষেত্রবু অমুক হন্না লিংখৎপা ঙম্নগনি হায়না মপুক্লিংদা থাজবা পোক্লম্মী।

মখোয়না লম্বীদা লাকপা মতমদা, ধর্মক্ষেত্রদা কোইরুবা মী খরা হল্লকপা থেংনরম্মী। মখোয়দগী পাওশিং লৌবা মতমদা, ধর্মক্ষেত্র অদু হৌজিক্তি কুরুক্ষেত্র হায়না খংনবা লমহাং অচৌবা অমা ওইখ্রে হায়রসি মখোয়না খংবা ঙম্লম্মী। কুরুক্ষেত্র কৌখিবগী মরমদি মফম অদুদা কুরু নিংথৌনা হৈহৈয়গী তমথিববা লাম্নীশিং অদুবু মন্ধ ফ না মাংহনখিরম্মী। শেংলবী সরস্বতী তুরেনগী ঈচেনস্থ মফম অয়াম্বদ কংখিদুনা, মত্য সত্য পাং মচা অমমম ওইনা লৈখ্রে হায়না, মখোয়দা পাওদম্নক্রম্মী।

মখোয়না লম্বী চংনা চংনা মতৌ করম্না ধর্মক্ষেত্রবু অমুক হন্না ইনৌ-নৌনা শেমগংকদগে ; লাইশিংগী মফমদা করম্বা ইরাং-থৌনি

তৌদুনা শেংলবী সরস্বতী তুরেনবু মহৌশা মতৌগুম্না নিংথিজনা অমসুং লু-নাম্না চেলহনগদগে ; মতৌ করম্না লমশাশিং অমসুং হিংচা-থাইতম্বশিংগী মফমদগী খুদোংথিবশিং ফংলোইদগে ; মতৌ করম্না আশ্রমশিংবু লিংখৎলগা ব্রহ্মচারীশিংগী মপুক্কিংবু চিংশিনগদগে অদুগা আর্য্যাবর্ত্ত অসি ধর্ম্মক্ষেত্র ওইহনগদগে ; মতৌ করম্না দ্বৈপাগী মপা পোকপা মবুধৌবুস্ম পোকপা মবুধৌ পুরেন বশিষ্ঠগী মতমদা লাইশিংগা ঋষিশিংগা মুংশিনা লৈনরম্বা মরিশিং অদু অমুক হিংগৎহনগদগে ; অমসুং পুন্নমক অসিগী মথক্তা, মতৌ করম্না বেদবু মপুং ফানা তম্বীদুনা চৎনহনগদগে হায়বগী মরমদা খন্ন নৈনরম্মী।

থৌদোক য়াথোক ময়াম অসিগী য়াথল তৌরুবদা অশ্বালদি পোৎলুম অমা পুবগুন্না য়াম্না য়াজরম্মী। অদুবু মুনিনা তত্তনা হেক হেক হায়রকই : "ঐখোয়না লৈরিবসি বেদগীদমক্তনি, বেদনা ঐখোয়বু শোয়দনা কনবিগনি।"

মখোয়না গোধূলীদগী মখোয়গী অয়াবা অমসুং খুদোংথিবগী খোংচৎ অদু চৎত্রিঙৈগী মনাংদা মুনিনা দ্বৈপা, আচার্য্য গৌতম অমসুং অতৈ পরুয়াশিং থরগা লেইননা উৎপুংগী লমহাং অদুদা অরোইবা ওইনা অমুক্তং য়েংবা চৎলম্মী।

লমহাং অদু য়োরকপা মতমদা মুনিনা মাগী হাৎপিথ্রবা পরুয়াশিং, আশ্রমগী নৌজরবী মুপীশিং কয়াগী ইজ্জৎপু নমদুনা লৌবিখিবা নত্রগা ইজ্জৎ ঙাকচনবগীদমক্তা মখোয়না মাংজোননা মৈনুংদা চোংশিন্দুনা মশাগী ইজ্জৎ কনডখিবা অমসুং ধণবী-যন্নাও কয়াবু হাত্তুনা ফত্রবশিং অদুনা চাখিবা, অসিনচিংবা মতৌশিং অদু হৌজিক্তা

থোকখিবগুম্না নিংশিংলম্মী, অমম্বুং থংহৌদনা মমিত্তগী মপি শিন্থ-খিনম্মী। মহাক্কি হৌজিক অহল ওইরবনিনা মফম অসিদা অমুক হন্না লাকপগী আশা অতু লৈত্রবনি। মহাক্কী মতম থরতগী ওইনা লেমজহৌবিবা মপুন্সি অসিগী আশাদি, ধর্ম্মক্ষেত্রবু অমুক হন্না লিংখৎলগা শ্রোত্রিয়শিংনা বেদবু শক-শোন্দুনা মাইকৈ পুন্নমক পুম্নিন নিলহনবা অতুতা পামজরম্বনি।

মখোয়না গোধূলীদা হন্ননবা যাত্রা তৌরক্তুনা থন্না চৎথোরকপা মংমদা কৈশাল শঙ্খু অমনা মখোযগী মকোলদগী পাইথোরক্তুনা ময়াম অতুদা লান্দাবক্লম্মী। অতৈ ময়াম অতুদি মথন্নাই হিংনবা মাইকৈ-সলায় থংদনা চেন্নখিরম্মী, অতুবু মুনিদি মখোং অতুনা কন্না চেনবা ঙমদবদগী কৈশালনা শাবাক তমখিরম্মী। অতৈ ময়াম অতুনা কবি থোকত্রবগে হায়বতু থংনদ্রিঙৈগী মমাংদা কৈশালশিং অতুনা মুনিবু হাযহংলগা শ্রো শ্রো চিংতুনা থরা থাপ্তুক্না পুখিরম্মী। মফম অতুদা কৈশাল অমনা মুনিগী মঙকশংদা চিকথাইখিবদগী মুনিনা মতেংগীদমক্তনা লাও-খোংবম্বু করিনতা ঙমখিরমদে।

ময়াম অতুনা মথুক্তা চৈতুপাচিংবা খুংলাইশিং পাইতুনা মুনিনা লৈবিবা মফম অতু তান্না চেনশিনখিরম্মী। ময়াম্না লাও-খোংবা অতু তাবদা কৈশালশিং অতুনা চেনখিরম্মী। অতুবু মফম অতুদদি ইহিং নাইহিংগী মশক ওইববা মখোয়গী গুরুগী মথন্নাই য়াওদ্রবা, হকচাং পোলাং অতুতা ওইনা থেংনবম্মী।

দ্বৈপানা মপাগী মতৌ অতু উবদা থম্মোই শোক্না কপ্তুবা ঙম্নমদে। মহাক্না চেনশিনখিতুনা মপাগী অশিবা হকচাং অতুদা

চেক্তেং কোল্লগা বাবা, বাবা, হায়ত্নুনা কৌত্নুনা হিক্লা হিক্লা কপচবম্মী। আচার্য্য গৌতমনা মহাকপু মপাগী অশিবা মশাদা কোল্লিবা অত্নুদগী চিংখংপিরম্মী। মতুংদা আচার্য্য গৌতমনা মাগী গুরুগী অশিবা হকচাং অত্নু পুনবা থাঙ্গংকে হায়না তৌরকপা মতম অহুদা দ্বৈপানা থাল্লগা, ইঙ্গি-নাইহিং তৈরবা মপাগী অশিবা মশা অত্নুবু তগ্গা থাঙ্গংলগা, অঙাং মচা অমগুম্ন, পমত্নুনা পুরম্মী।

পাও অসি মথং মথং ত নরক্তুনা, গোধূলী আশ্রমগী অকোইবদা লৈরিবা খুঙ্গাশিং অত্নুনা, মখোয়গী হুংশিজববা পঙ্গ মুনিবু অবোইবা অমা ওইনা অমুক্তং য়েংজহৌগে খন্দুনা আশ্রমদা লাক্লরম্মী।

অরাবনা থুমহংলবা দ্বৈপায়ননা মপাবু হৌনবী মতুং ইন্না পোংলোইনবা যজ্ঞগী শীংথক্তা থল্লগ, তৌকম থোকপা পূজানচিংবা পুল্লমক, পরুল্লাশিং ময়াম অত্নুনা বেদগী মন্ত্রশিং থিবগা, তৌবম্মী। মতুংদা মখোয়না নৈকৌবা লাইগী মফমদা মখোয়গী হুংশিবব্ব গুরুগী মশাবু কংচরম্মী।

হুমিং তরানিথোইনি চুপ্পা, আশ্রমগী অমম্বং খুনশিং অত্নুগী মীনা মুনি লৈখিদবগী অরাবা অত্নু ফোংদোক্লম্মী।

হুমিং তবা-থোইনি শুবা হুমিত্তা দ্বৈপানা মপাগী মশক ওইনা চত্নুম তাত্নুনা লৈরিবা অশেংবা পিণ্ড অত্নুবু ময়াইদা অনি থোক্লা মন্ত্রগা লোইননা ককথংলগা মপাগী আত্মাবু মপ' মপু লাই-গুরুশিংগী মফমদা শিন্নথিরম্মী।

হুমিং তরানিথোই অসি দ্বৈপানা ব্রা মচেং অমতা ওাংদনা তুমিন্না, মমিত্ত' মপি মরিক অমা ফাওবা তাদনা লৈরম্মী। লাইগুম্না

খনজরবা মপান' লৈখিদ্রবস্তু, মপানা পাম্নম্বা থবক অহু মহাক মতোম্মতনা পাংথোকপা ঙম্নবা তৌরগে হায়না মপুক্লিংদা লেপ্লম্মী।

তর হুমদোইনি শুবা মুমিত্তা আচার্য্য গৌতমনা দ্বৈপাদা হায়রকই; "দ্বৈপায়ন, ধর্ম্মক্ষেত্রদা চৎপগী রাখল অহু থাদোক্লো। আশ্রম অসি নংগীনি। ঐগীনি হায়রুনা লৈরিবা পুন্নমক অসি নপাবুং মুনিগীনি, মহাক্তি, ঐঙোন্দদি, ঐমকপু হেক পোকপা ইপাদগীস্তু হেল্লিবনি। নহাক্লা আশ্রম অসিগী নংগী চহিনা নৌজরবস্তু, মকোক অহু ওইরো। নংদি থবক অহু পুনদা মতিক চারবা অননি।"

দ্বৈপানা য়াম্না নোল্লুক্লা মখুৎ অনি অহু লোম্নরগা হায়জরকই; "গুরুশিংগী মরক্তগী অগোইবা, ঐগী গুরুদি ইবুংঙোনি। ঐগী য়ুম ওইনা লৈজরিবদি আশ্রম অসিতনি। ঐগী ইপাগী অরোইবা আশা অহু অমুক্তা থুংহনবা ঙম্বা হায়না য়েংজক্লগে, গুরুনা থৌজানবিয়ু। মহাক্তি ইপা ইপুশিংগী মনাক্তা য়ৌখ্রে অহুবু মহাক্লা ঐবু ধর্ম্মক্ষেত্র অম্ম চৎনবা তক্তনা ইঙ্গিৎ পিরি। ঐনা মফম অহুদা চত্তবা য়ারোইদৌরি।'

আচার্য্যনা অরোইবা অমা ওইনা হায়রকই; "দ্বৈপায়ন, ন না থেংনক্লগদৌরিবা অরাবা অমস্তুং খুদোংথিবশিং অহু নংনদি খংদ্রে। মফম অহুদা কোইরু চৎলুবা মীশিংনা ঐঙোন্দা হায়রম্বহু অচুম্বা ঙাক্তনি। মফম অহুদা লমশাশিংনা অযুক মুংথিল অনিমক্তা কোইচৎ চত্তুনা লৈ অমস্তুং অহিং ওইরকপা মতমদনা মখোয়গী

অকিবা খোঞ্জেল নত্তনা অতৈ অমতা তাবা ফংদে, অদুগা আশ্রমশিংস্থু অমতা লৈবা উদে হায়না মখোয়না হায়রম্মী।"

দ্বৈপানা গুরুগী মখোং শোক্লা খুরমজরগা হায়রকই ; "গুরুশিংগী মরক্তা খ্বাইদগী হেন্না পুকচেল চাউবা, ঐহাক্না বাবাগী মফমদা ৱাশকচখি মতুদি মহাক্না ধর্ম্মক্ষেত্রবু অমুক হন্না শেমগৎপা মতম অদুদা মাগী মতেং ঐনা পাংগনি হায়তুনা। চহি তরানিথোই অসি মতুগী মরমদা খন্ন-নৈনতুনতা লাকথ্রবনি, মরম অদুনা ঐনা বাবাগী মফমদা ৱাশকখিবদু থুগাইবা ঙমজরোই। চানবিতুনা ঐবু ঙাকপিয়ু, ঐনা পামজবা লম্বী অসিদা ঐহাক চৎচগ্রগে।"

আচার্য্যনা চিংনবা অমস্থু পোক্তুনা হায়রকই ; "নংগী নপা গুরুদেবদা থোকত্রিবা থৌদোক অসিগী মতুংদদি, পরুরাশিং অমতনা ধর্ম্মক্ষেত্রদা চৎনিংবা পোকখিদ্রে।"

"মখোয়না পামত্রিবদু অচুম্বনি। মতুদা ঐগী চিংনবা করিস্থু লৈতে।"

"নং নতোম্মতা চৎকদ্রা?" আচার্য্যনা হংলকই।

'অহোই, থোক্লীংবা থোকচসনু, করিগুম্বা বাবানা হিংতুনা লৈরম্লবদি, ঐহাক্না মগাক্না চৎপা মফম খুদিংমক্তা য়াওরমগদবনি। মতুংদা মহাক্না তুমিন্না ঙাইহাক লৈরগা মথা তানা হায়রকই ; "ঐহাক্না ইপা ইপুশিংগী মনাক্তা চতুনা বাবাগা মফম অদুদা তিন্নরুবস্থু য়াই। ঐগী ৱাশক থুগাইবদি ওইথোক্তে। ঐহাক্না কনা অমতগা লোইনবস্থু পামদে। ঐহাক্না হয়েংগী অহিংদা তুমিন্না হী তোংতুনা, চৎনিংবা মফম অদুদা চৎচখিগে।"

"নংনা কদাইদা চংকদোরিবা ? হয়েং অহিং মফম অসিদা পন্দুনা লৈরগদোরিবা হী অতুদি অমুক হন্না হোন্থখিহুনা, লম্বী অতোপ্পদা চংখিদোরিবনি," আচার্য্যনা হায়রকই।

"ঐনা গুরুনা হায়বা খুদিংমক ইনজগনি," দ্বৈপানা আচার্য্যদা হায়জবকই। "অতুবু চানবিয়ু, হন্দক্কী মতাং অসিদদি, ঐহাক্কা পামজবা মতুং ইন্না তৌজখ্রগে।"

"ইকাই খুম্নবগী মশক ওইরবা গুরুদেবগী থৌদোক অসি লাইশিংনা ঐখোযদা চেকশিন্নবা পিরকপা পাওতাক অমনি দ্বৈপায়ন, নহাক্তি মতু খংঙ্রা ?"

"মতুনবু থোইনা হেন্না ননাইদা পাঙ্গল হাপ্পীরে গুরুদেব। ইপানা ঐবু মফম অসিদা পুবকপা তুমিং অতুদগী ওসি ফাওবদা দ্বীপ অতুদা অমুক হন্না চংচকত্রি। অতুম ওইনমক ইপানা ঐঙোন্দা, ঐখোয়না ধর্মক্ষেত্র চত্তবিঙৈগী মমাংদা কল্লী দ্বীপ্তা চংলগা ইমাগী মফমদগী বিদায় লে হনগনি হায়না, রাশক্তুনা হায়বিবম্মী। ঐহাক্কা ইমাগী মফমদগী আশীর্ব্বাদ শোয়দনা ফংগনি। ঐহাক হংচিং অমুক চংকদবা হী অতুদা যাওজখ্রগে। ওইনিংবা অমা ওইজরবস্থু চানবিদুনা ঐগী গুরুনা আশীর্ব্বাদ অতুতদি ননাইদা পিবিয়ু। লাইশিং পুম্নমক্কা ঐগী রাশক অতু ঐন ঙাকচবা ওম্নবা মথোয়গী শক্তিশিং অতু পিননিবকশস্থু।"

চংকদবা তুমিং অতুগী তযুক অঙনবদা দ্বৈপানা মাগী শক্তি মউন অতু তাশিন্নগ মথুত্ত চৈশু অমসুং যুবী খুদাই পাইদুনা মাগী গুরু গৌতমগ লোইননা তুবেন তয় লাক্লখী।

হীরোই অত্থনা দ্বৈপায়নবু উবদা হয়াও হয়াওনা ওক্লগা কৌশিন্দুনা হীথক্তা ৰমহল্লম্মী।

হী হোনবা হৌরকপা মতমদা ঈশিংদা জম লাওনা চোংথরকপগী মখোল অমা তাত্থনা দ্বৈপানা য়েংথোরকপদা পৈলানা হী তম্না ইরোইত্থনা লাকপা অত্থু উরম্মী। পৈলানা পরপ পরপ ইরোইশিল্লক্তুনা হীদা কাখৎলম্মী।

"দ্বৈপা, নংনা ঐবু থনম্লগা চৎখিবা য়ারোই," পৈলানা হায়রকই।

"নহারু। চৎপা মফম খুদিংমক্তা ঐস্মু নতুং ইন্না চৎকনি।" দ্বৈপানা মশা পুম্নমক ঈশিংনা চোংলবা পৈলাবু মথবাক্তা চেজেংনা কোনশিনজরম্মী।

মথংগী অয়ুক্তা মখোয়না কল্লীদা থুংলম্মী। দ্বৈপানা মমা পোকপা মবুধৌগী দ্বীপ অত্থু উবদা থোইদোক্না নুংঙাইতবা পোক্লম্মী। করিগুম্বা জীবশিং অমত্তা লৈবগী খুদম, মহাক্তা উবা ফংলমদে।

দ্বৈপানা হীরোই য়েংলগা হায়রকই, 'মখোয়না নুমিৎ নিনিগী মতুং, অমুক হল্লকপা মতম অত্থুদা ঐখোয়বু কৌরকউ।' অসি হায়রগা মখোয় অনিনা হীদগী চোংথত্থনা লৈরাইদা কাখৎলম্মী। হীদেনগী অথেনবা ঈশিংদা য়ুংবা উচুক, মখোয়গী হীশিং পুন্দুনা থম্বা অত্থু লৈরমদ্রে। খাংপোকশং অনিদি মশক উবা ফংলমদে, অত্থমশুবা অমতং কিন্থত্থনা লৈবত্থু উবা ফংলম্মী।

দ্বৈপানা লাইশিংগী মফমদা তুমিন্না খুরুমজরম্মী। থোক্লীবা

থৌদোকশিং পুন্নমক অসি মাবু চাংয়েং তৌখিবনি হায়না মহাক্না মপুক্নিংদা খনজরম্মী।

মতুং ইন্দুনা লাক্লিবা পৈলানা মহাক্কী মতৌ অদু উবদা মাবু ক্লুংশিন। মখুৎ তিংথোক্লুনা কোনখিরম্মী। অদুবু দ্বৈপাদি রাস্তু ঙাংলমদে, কপ্পস্তু কপ্লমদে।

মতুংদা মখোয়না ঙা ফাবশিংনা লৈরিবা খুল অদু তন্না চৎলম্মী। হৌগ্রবা চহি তরানিথোই অসিদা, খুল অদু খুল্লিংবা ঙমদদুনা মুংগ্রবনি হায়রসি খুদমশিং অদুনা তংশংনা তাক্লম্মী। দ্বৈপানা লম্বীদা নহা অনিথক, অমনা ঙা চামথোক্লুনা লৈরম্বা অমস্তুং অতোপ্পা অদুনা ইল শেগাইবা ফোক্তুনা লৈরম্বা অদু থেংনরম্মী! অদুবু মখোয় অনিমক মহাক্না মশক অমতা খংলমদে। নহা অনি অদুনা দ্বৈপা অমস্তুং পৈলাবু, মখোয়গী ফিজেৎ অদুনা সাধূশিংনি হায়বা খংদুনা, ইকাই খুম্নবগা লোইননা খুরমজরকই। দ্বৈপানা মখুৎ থাঙ্গত্তুনা মখোয় অনিদা আশীর্ব্বাদ পিবিরম্মী। অদুবু মহাক্না খুন অদুগী মরমদা হংবগী মথৌনা অদুদি মশাদা পোকখিদ্রে।

মীয়াই চল্লবা ঙা ফাবা অমনা মখোয়বু হন্নাও হরাওনা কৌজরগা হায়রকই, "ঐনা খুরমজরি ইবুংঙো অনি। করি অপাম্বা লৈবিবগে ?"

"করিমতা পামদে", অসি হায়রগা দ্বৈপানা মখুৎ তিংথোক্লুনা মঙোন্দা আশীর্ব্বাদ পিবিরম্মী।

"ঐনা চান-থক্লবা খরদং কৎচবা য়াগদ্রা? ইবুংঙো অনি য়াম্না লাম্না উরে," ঙা ফাবা নুপা অতুনা হায়জরকই।

মখোয় অনিনা ঙা ফাবা নুপা অতুগী হায়জবা রাকম অতুদা য়াবিতুনা মহাক্কী খাংপোকশং তান্না লাক্লম্মী। খাংপোকশং অতু য়োরকপা মতমদা, ঙা ফাবা নুপা অতুগী মমা, য়াম্না অহল ওইববী, মমিৎ-মনা তাথিরবী অমসুং মমাই থিনা খুইরবী হনুবী অতুনা মখোয় অনিদা মথুৎ লাইখল তাতুনা মুন্না য়েংলম্মী। "ইমা," দৈপানা কৌবগা হংজরকই; 'দ্বীপ অসিদা লৈরম্বা মীশিং অতু কদাইদা চৎখ্রবগে?"

"ও, মখোয়দো!' হনুবীনা চাউথোক্লা অমসুং উশিত্তুনা লাওরকই। "মখোয় অতু লৈথিদ্রে। ইমা যমুণাগী মিচৈ অতু মখোয়না ফংজদ্রে।" হনুবীনা মাগী মনাগী মতোন্দা মথুৎ নাম্ম-নাম্মনা পাইতুনা মিচৈ অতুবু ঙাকথোকপা ওইনা লৈজবম্মী।

"করম্বা মিচৈ! করিগীদমক্তা?" দৈপানা ঙক্লা হংলকই।

"মরম অতু হাযগে তাও। পঙ্গু মুনি হায়বা অমা লৈবম্মী। মহাক্লা খুল অসিগী প্রজাশিংবু উনবা চত্নি খুদিংগী হেক লেক লাক্লম্মী। মহাক্কী থৌজালদগী খুল অসি য়াম্না চাউখৎলম্মী," হনুবীনা হায়রকই। রাহৈশিং অসি তাবদা, দৈপাগী মশাদা থুক লাওবা অমা ফাওবক্লম্মী। হনুবীনা মখা তানা অমুক হায়রকই, "মখোয়শিং অতুনা পঙ্গু মুনিগী মফমদা অবানবা থবক অমা তৌখিরম্মী। মখোয়না মাগী মচানুপা অতুবু তাম্থোকখিবদগী ইমা যমুণানা শাওতুনা মিচৈ মখোয়দা পিখিবনি।"

"মতুংদা করি তৌগ্রে?" দৈৱপানা হংলকই।

"মখোয়গী মচানুপী অতুনা মখোয় পুন্নমক্কী মাং-তাক্লবগী মরু অতু ওইবন্মী। মহাক অতু লমচং নাইদবী নুপী অমা ওইরম্মী। ঙা থিবা পাখং অমতনা মাবু মতু ওইনা লৌ হায়বা য়ারমদে। কনাগুম্বা অমনা মাবু নুহো.তুনা লৌরুরবস্থু, মাগী মথক্তা লৈরিবা মিচৈ অতুদি মখোয়দা শোইদনা লাক্কনি হায়তুনা কিনরম্মী।

দ্বৈপানা ৱা ঙাংথোকপা ঙমদনা লৈরম্মী। মতুংদা মহাক্না তপ্না হংলকই, "মচানুপী অতুদি করি তৌগ্রে?"

'নোংমগী নুমিত্তা মরাইবক থিরবী নুপী অতুনা নিংথৌ অমবু হীদা পুতুনা যমুনা ৱাংমা লানথোক্লম্মী। মহাক অতুনা নিংথৌনি নিংথৌ নত্তে হায়বতু ঐনা তশেংনা হায়বদি ঙমদ্রে, অতুম ওইনমক মহাক্কী ফিজেৎ-লাকশেং মতা অমদি মশক-মতৌশিং উবদদি মহাক নিংথৌ অমগী মতৌগুম্ব তৌবম্মী। মথংগী নুমিত্তা মহাক্না দোলাই অমদা তোংতুনা লাক্লগা ইকাই থংদবী নুপী অতুবু পুথিরম্মী।

"মহাক্কী মপা মমাদি?" দ্বৈপানা মখোল নিক্না হংলকই।

'মখোয় পুন্নমক নিংথৌগী মীশিং অতুগা লোইননা ষনগাড়ী তোংতুনা চংখিবন্মী," হনুবীনা শাওরপনা খুম্লকই।

"মখোয়না চংখিবা মফম অতুদি ইমা খংব্রা?"

"ঐখোয়না মখোয়গী মবমদা করিগুম্বা অমতা তাবা ফংখিদ্রে, তাস্থু তানিংদে." অসি হায়রগা হনুবীনা অমুকস্থু মথ: তাবকই, "অহল ওইরবা জারুট অতুস্থু মচানুপী অতুগুম্না য়াম্না ইকাই থংদবা মীশক অমা ওইরম্মী। মহাক্না মচানুপী অতুবু য়েন্থোকখিরম্মী।"

"জারুটখোয়গী কাংবুনা দ্বীপ অহু থাদোক্লুনা চৎখ্রবা মতুংদা কনা অমতস্তু মফম অহুদা লৈখিদ্রব্রা ?" দ্বৈপানা হংলকই।

"মখোয়না থাদোক্লুনা চৎখ্রবা অহাংবা য়ুমশিং অহুদা কনা অমতস্ত চংহুনা লৈনখিদ্রে," অসি হায়রগা হন্নুরী অহুনা অমুক্ক হন্না মনা মতোন অনি অহু মখুৎ অনি অহুনা পাইরম্মী। "মহুদি মিচৈ ফংলবা ফত্রবা মফম অমনি। মিচৈ অহুনা ঐখোয়গী খুল অসি ফাওবদস্থু শোকচিল্লক্লরনি।"

"ইমানা হায়রিবহুবু করিনো ?" দ্বৈপানা হংলকই।

"হায়বদি জারুট অমস্তুং মাগী মতুনা পঙ্গু মুনিবু তাম্বোকখিরম্মী। জারুটকী মতু চন্দোচরী অহু ঐগীদি ইন্দোন ওইরম্মী, অহুবু মহাক্না ঐবু মতম পুন্নমক্তা হঙ্গোইনা লোইনরম্মী।"

"পঙ্গু মুনিবুদ্ধি ইমানা খংব্রা ?" দ্বৈপানা হংলকই।

"ও ! ঐনা মহাকপুদি নিংখিনা থংলম্মী," হন্নুবীনা শ্বর শ্র্যাংনা হোন্দোক্লগা হায়রকই। "মহাক্না মফম অসিদা অমুক্কং লাক্লবদি, মহাক্না ঐখোয়না হায়জবা মতুংইন্না যজ্ঞ তৌবিহুনা খুল অসিগী মথক্তা লৈরিব্রা মিচৈ অসিবু কোকহল্লমগদবনি।"

মুনি অহুদি লৈখিদরে। ঐহাক্না মাগী পক্লব্রা অমা ওইরম্মী। মিচৈ অহু ঐনা কোকহনবা য়ারোইদ্রা ?" দ্বৈপানা হংলকই।

মুমিদাং রাইরম ওইরক্লবা মতমদা, দ্বৈপা অমস্তুং পৈলা অনিনা পাং মচা অহুগী মনাক্তা কিন্নহুনা লৈরিব্ব থাংপোকশং 'অহুগী মনাক্তা লাক্লুনা পোথারম্মী। অহিং অহু দ্বৈপানা মহৌশা মমা মচা মখোয় অনিনা তুম্মিন্নখিবা মফম অহুদা তুম্বা পাম্রম্মী।

মথংগী সুমিত্রা, খুঙ্গাশিং ময়াম অতুগী মমাংদা, দ্বৈপা অমসুং পৈলা অনিনা অশেংবা মৈ হৌগৎলগা, বরুণ, মৈ, সুমিৎ অমসুং মমা যমুণাগী মফমদা মথং মথং পূজা কত্তুনা মিচৈ অতুবু লৌথোক্লম্মী।

দ্বৈপানা হায়জবদগী হন্নবী অতুনা চফু অহিংবা মচা, অমা মখুমগা কোন্ননা দ্বৈপাদা পিবম্মী। দ্বৈপানা সনা-খোংন্যাং মনা অমা হেক্তুন চফু মচা অতুগী মন্নুংদা হাপলগা মখুম খুমজিন্দুনা যমুণাগী ঈচেন্দা তপ্পা থমতুনা তাওথহনখিরম্মী।

"নংনা তৌরিবসি করিনো দ্বৈপা?" পৈলানা ওক্না হংলকই।

"ইমাগা ঐগা, অনিগী মরক্তা খংনবা অমা লৈরম্মী। ঐনা ইমাবু করিগুম্বা শাওরবসু নত্রগা ইমানা ঐবু শাওরবসু, মতৌ অসুম্বা তৌনরগা শাওনবা অদু তোক্লকতুনা চাম্নরম্মী। ইমানা ঐবু শাওরমাল্লে খন্দুনা ইমা ঈচাগী খংনবা থবক অসি, ইমানা ঐবু ঙাকপিনবা হায়তুনা প্যাংথোক্লিবনি।"

"অদু ওইরগা করিগীদমক্তা নংনা চফু অসি ঈশিংদা থাদরিবা?" পৈলানা হংলকই।

"ইমাগী লৈফমদি খংবা ওমত্রে," অসি হায়বগা দ্বৈপানা যমুণাগী ইচেল অতুদা মতম খরা য়েংতুনা লৈরম্মী। "ঐহাক্না ইমা যমুণাদা চফু অসি ইমানা লৈবা মফমদা য়ৌবিথিনবা শিন্নজরিবনি অদু ওইরবদি ইমানা, মাবু ঐনা থাদোক্তুনা চৎপগী মরাম অতু শোইদনা ঙাকপিগনি।"

হন্নিগুবা সুমিত্রা, হীরোই অতুনা দ্বৈপা অমসুং পৈলাবু

লৌবা দ্বীপ অহুদা লাক্লম্মী। খুঞ্জাশিং অহুনা ইকাই খুম্নবগা লোইননা দ্বৈপা অমস্তুং পৈলাবু বিদায় পিরগা হায়জবকই, "চানবিহুনা ঐখোয়গী খুল অসিদা অমুক্তুংগা লেংবিরকখো।"

"ঐনা অমুক হন্না লাকপা ঙমগনি হায়বসি তশে'না হায়বা ঙমদে। অহুগা ঐনা কবিগুম্বা অমুক লাক্লবস্থু ইমাদি অহল ওইরবনিনা উন্নবা ফংদবা য়াই। ইমাদা কবিগুম্বা অমতদি নিজগে, চানবিগদ্রা?" দ্বৈপানা ইচম চম্না হায়জবকই।

"নংনা হায়বা অহুতা ঐনা তৌগনি," হনুবীনা খুম্লকই। "অঙাং মুনি, নংনা মিচৈ অহুবু লোখোক্তুনা ঐখোয়বু কনবিবে।"

"অহু ওইববদি, ঙা থিবী মুপী মচা অহুবু তাথি-তাওইনা খক চৈবিগন্নু।"

"ও:! মহাক্তি ইকাই খংদবী মুপীমচা অমা ওইরম্মী। অফবা মমা অমতনা মচাবু মতৌ অহুন্না থাদোকখিব: ঙম্মম্মোই," হনুবীনা হায়রকই।

"ঐহাক অসি মংস্তুগন্ধাগী মচানুপা অহুনি," দ্বৈপাদা হায়বকই।

হনুবী অহুনা মঙোন্দা মিচৈ পিরক্লগদ্রা হায়না কিহুনা মতুং হন্দোক্লগা হায়জরকই, "চানবিহুনা ঐখোয়বু ঙাকপিয়ু। ঐখোয়বু শাওবিগন্নু। নংগী থৌজাল পিনবিরম্মু।"

"নখোয়দা ঐগী আশীর্ব্বাদ লৈশ্রবনি। মসিমদি খংবিয়ু। ঙা থিবী মুপী অহুনা মচানুপাবু থাদোকপদি, মচানুপা অহুগী য়াইফনবগীদমক্তনি হায়বসি।"

হীদা কাখৎলমদাইদ দ্বৈপানা দ্বীপ অহুগী লৈতোংদা লেপ্তুনা,

মাবু নাওকোন্দুনা য়োকপিরকপা মমা যমুণাবু মপুক্লিং অরাবা রাখলগা লোইননা য়েংলম্মী। মহাক্না অঙাং ওইরিঙৈ মতমদা উখিবা মহৌশাগী শক্তম্ অচু ইকাই কাইদনা অতুম লৈরম্মী তাম্নবা লমথৈ, যমুণা ঈচেলগা অতিয়াগা অনিনা তিন্নফম ওইরিবা অচু উবদা, মাগী হৌখিবা, অঙাং ওইরিঙৈগী মপুন্সি অচু নিংশিং-লক্তুনা, মপুক্লিংদা অরাবা রাখল পোক্লম্মী। মমানা মাবু 'কৃষ্ণ' হায়না কৌবতু অমুক হন্না তাবা ফংগনি হায়বসি মহাক্না থাজবা ওমখিদ্রে। অঙাং ওইরিঙৈদা মহাক্না মপাগা উন্নখিবা অচুগুম্না উন্নবা তাববসু, মহাক্না অশি-থোং য়ৌদ্রিমখৈদি য়াররোই।

মহাক্না মনৈথংদদি, ঈশ্বরগী মফমদা, মমানা লৈনিংবা মফম অমদা লৈজরবসু, শোইদ-ভামদনা অমস্মুং মুংঙাইনা থম্মীয়ু হায়না খুবমজরম্মী।

মহাক্না বেদগী মন্ত্রশিংবু খিরগা, ধর্মক্ষেত্রবু অমুক হন্না লিংখৎপা ওমহনবিয়ু হায়নসু খুরমজরম্মী।

৭ শুবা পন্দূপ

কুরুক্ষেত্র

দ্বৈপায়ন অমস্তুং পৈলা অনিনা হী তোংতুনা লাক্লগা মফম চাবা অমা য়েংতুনা হীদগী কুমথরম্মী। মখোয়না মফম অদুদগী মখোংনা চংপা হৌরম্মী।

পৈলানা হৌজিক্তি দ্বৈপায়নবু গুরু অমগুম্না লোইনরম্মী। তৌবতদি মহাক অসি, মপুক্লিংদা ব্রা ঙাংবা মীশক অমা ওইনা পোক্লকখিরম্মী। মহাক্না শাওরকপা মতমদদি, লাইশিং ফাওবদগী হেন্দাক্তুনা মাগী গুরু ফাওবগী মথক্তা ব্রা ঙাংবা ওল্লম্মী।

মখোয় অনিনা অঙাং ঙাক্তা ওইবনা, মখোয়গী মশাদা করিগুম্বা নিংহন্নবা রাখল পোক্লরবসু, মখোয়না রাখল অদুবু মাংহনখিনবা, লমজেন তান্নে, উপাস্বীশিংদা কাখৎলি ফাগী জুগাই তৌনৈ অমস্তুং আশ্রমদা লৈরিবৈদা অরা-মুংঙাইবগী থৌদোকশিং অদু নিংশিংনদুনা মুংঙাইথোক্লা লৈথোক্লম্মী।

মখোয়গী খোংচৎ অসিদি লম্বীদা থেংন-থেংনবা থুলশিংগী মতেংসু লৌবা তারম্মী। মতেং অদু ফংদ্রবদি মখোয়না ঙফং অফংবা উহৈ-বাহৈশিং চারম্মী। করিগুম্বা মতমদনা মখোয়না চরা হেন্দুনা, ফাগী-ফারাং তৌননা, মখোয়গী অরাম-খোরাংবা অদু কাওনবা হোৎনদুনা, চংলম্মী। পৈলানা চংনা চংনা হায়রকই, "গুরুশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী পুকচেল চাউবা, নংগী য়ুবী থুজাই অদু চান-থক্লবা পোৎ-চৈনা পিকথন্না মতম লৈবা খিবিক্তা য়াওদুনা

লৈরি, অহুগা ঐবুদি পিজদনা নং নতোমতনা লোইনা চাথোক্লি।" মতুংদা মহাক্না স্বর্গদা য়েংখৎলগা মথুং লোম্নহুনা নুমিৎ কোবা লাইদা হায়জরকই. "হে সূর্য্য দেব ইবুংঙো, মশাগীতা য়েংবা গুরু, মাগী পরুম্নাবুদি খন্দবা. অসিগুম্বা গুরুগা লৈমিম্নবগী কান্নবা অহু করিনো ?"

মাগী ফাগীগী রাঙাং অসিগী পাওখুম ওইনা অমম্সুং অহল ওইরবা ঋষি অমগীসু মতৌগুম্না দ্বৈপায়ননা হায়রকই, "ইচানুপা, নংনা অফবা গুরু অমা. নংনা অফবা পরুম্না অমা ওইবা ঙমদ্রবদি, ওইবা থক য়ারোই" রাফম অসি ইকাই খুম্নবগী মশক ওইরবা পরাশর মুনিনা হায়রম্লবনি। 'অহুগা য়েংঙু সে, লাইশিং অসি কয়াদা থৌজাল হৈগ্রবনো। ঐগী য়ুবী খুজাই অসি চিঙ্গাক্না পিক থল্লে। নংনা চানিংবমখৈ চারো।" অসি হায়রগা মহাক্না পৈলাদা মাগী য়ুবী খুজাই অহাংবা অহু পিরম্মী। পৈলানা য়ুবী খুজাই অহুদা মখুৎনা হুম্লগা চাশিন্নবা শাহুনা চখোম চখোম ময়াদা হুক্রম্মী। মতুংদা মহাক্না মপুক থনবা শাহুনা, মবুক অহু মখুৎনা নাম্ল-নাম্লগা হায়রকই, "ওঃ, ঙসিদি ঐহাক্না কয়া য়াম্না চাশিনগ্রবা," মখোয় অনিমক নোকমিন্নরম্মী।

পৈলানা মবুক লাম্নবা অঙাংশিংগী মফমদা থোকখিবা থৌদোক, লাইগী ওইবা মতৌ অহুবু মহাক্না থংবা ঙমজহুনা, মহু ফাওবা শিংথানহুনা হায়রম্মী। "লাইশিংনা মবুক লাম্নবা অঙাংশিং অহুগী চিঙ্গাক্তি নঙোন্দা পিরগা ঐগীদি করিগী পিরক্রিবনো ? মখোয়না লাইবক থিরবা পৈলা ঐবুদি থৌজানবিদে। ঐনা নোংমা অমগা

অহিং তংখাই অমগা মখোয়বু নিংজরবস্থ মহৈদি ফংহনবিরমদে ।”

দ্বৈপায়ননা অমুক হন্না অহল অমগুন্না হায়রকই “ইচান্নুপ, লাইশিংনা মতোম্মতা চানিংবা মীশিংগী মফমদা চিঙাক থক পিরক্লোই,” মসিস্থ মহামুনি পরাশরনা হায়খ্রবনি। মতুংদা মখোয় অনিমক অমুক হন্না নোকমিন্নরম্মী।

মতুং অাসদা দ্বৈপানা পৈলাদা হায়রকই, “ঐখোয়না ঐখোয়গী ওইবা আশ্রম অমা লৈরবা মতমদা, ঐখোয়না চাগ্রিভৈগী মমাংদা অরাম-খোরাংবা মীশিংবু হান্না পিজগদবনি। ঐখোয়না হিংনবগী মরম অতুদি লাইশিংগী মফমদা শিন্নগদবনি। লাইশিংগী মথৌস্থ বেদগা কোন্নহুনা লৈরিবা মখোয়শিং অতুবু কনবী-ঙাকপিবনি, শিহন্নবা নত্তে।”

মখোয়না চংনা চংনা বেদগী মন্ত্রশিংবু থিহুনা লাইশিংগী মফমদা, ধর্ম্মক্ষেত্র অমুক হন্না লিংখৎপা ঙমহনবিয়ু হায়না নিজরম্মী। মখোয়না অয়াম্বা মতমদা, মপা মুনিনা তম্বীরম্বা বেদগী মন্ত্রশিং অতু মথং-মনাও কায়দনবা হোৎনরম্মী।

সরস্বতী খোংবান্দা মতম অমদা য়াম্না চাউখৎনা লৈরম্বা আশ্রমশিং অতুগী মুনি ঋষিশিংগী মফমদগী ফংহৌবা মথং মথং লাকখিবা বেদগী মন্ত্রশিং অতুদি খন্দোকপদা থোইদোক্না লুবা থবক অমা ওইরমদে। ঋগ বেদগী মন্ত্রশিংনা লাইগী থৌজাল ফংনবা লাইশিংবু কৌহুনা হায়জবা অমস্তুং খুরমজবগী ঙাক্তা ওইরম্মী। যজুর্বেদগী মন্ত্রশিং থরনা লাইশিংগী মফমদা ইরাৎ-পূজা তৌহুনা থৌনিবগী থবক অতু ওইরম্মী। সামবেদনা ইশৈ ওইনা, খোম্থোক

চুম্না অমস্তুং ময়েক মশোল কায়হন্দনা. শক্হন্নবা ওইরম্মী। মখোয়শিং অসিবু বেদ অহুম হায়না খংনহল্লম্মীবা অসিনি।

অতুম ওইনমক দৈ্বপায়নননা মপানা মঙোন্দা তম্বীবম্বা অথর্ব্ব-বেদগী মন্ত্রশিং খরা অহুদি, মথং মনাও শেম্বদা য়াম্না লুনা মঙোন্দা থোক্লম্মী।

অতুগা মন্ত্রশিং অসিগী শক্তিদি অঙকপা ফংনা লৈরম্মী। উনা-ৱানাশিংদা ইবগা যন্ত্র অমস্তুং কবচনচিংবদা হাপ্তুনা মশাদা শিন্নরম্মী। য়েক্লবশিংবু নমহৎপা, হাংতোকপ, মশাদা খুদোংখিবশিং থোক্কদবস্তু থৈদোকপা, অপাম-স্নুংশি থুংহনবা ঙম্বা, ভূং-প্রেৎ, হিংচা-য়াইতম্ববু লাকশিনবা ঙম্বা, লৈনাশিং কয়াবু কোকহনবা ঙম্বা অমস্তুং তুংগী ৱা হায়বা ঙম্বা অসিনচিংবগী ঙাক্তা ওইরম্মী।

হায়বিবা মন্ত্রশিং অসিদি তোঙান্না তাবা ঋষি কাংবু ভৃগু-অঙ্গিরা নত্রগা অথর্ব্বান অঙ্গিরা হায়না খংনপ্রবা মখোয়শিং অহুতগীনি হায়না মপা পবাশবনা মঙোন্দা তাকপিবম্মী। মখোয়শিং অহুনা ধর্ম্মক্ষেত্রবু থাদোক্তুনা চৎপ্রগা অতোপ্পা আশ্রম লিংখতুনা লৈখিবম্মী। মখোয়গী মতুং ইন্নদি বেদ অসি মখল মবি শুরম্মী।

লালগী মতম অহুদা হায়বিবা ভৃগু অঙ্গিবাগী কাবু অসিনা শা-কৈ অমস্তুং মীনা চংবা ঙম্নদ্রবা শুক্লবা বনগী মনুংদা চংতুনা লৈখিবম্মী। ৱারি অসি মপানা মঙোন্দা লিরকপা মতমদা মাগী মপানা অমুক অনিরক য়াম্না শক্তি লৈপ্রবা ঋষি, মহা অথর্ব্বান জাবাল্লী কোবা অমগী মমিংস্তু পনবা মহাক্লা তাখিরম্মী।

আশ্রম লিংখতুনা ধর্ম্মক্ষেত্রদা লৈরবা মতুংদা দ্বৈপায়ননা

অঙকপগী মশক ওইরবা মন্ত্রশিং অসি অথর্ব্ববেদবু নিংথিনা হৈরবা ঋষিশিং খরদগী তমগে হায়না মহাক্কী মপুক্লিংদা লেপ্লম্মী।

লম্বীদা থেংনবা খুঞ্জাশিংদা মখোয়না কুরুক্ষেত্র তাবা লম্বী হংলম্মী। অতুবু মখোয়না তাক্লম্লিবা লম্বীশিং অতুদি অরানবা ঙাক্তা ওইরম্মী। হায়রিবা মফম অতুদি কৈশালশিংতগী লৈফম্লি হায়নস্সু মখোয় অনিদা হায়বিরম্মী।

মমৈথংদা মখোয় অনিনা, তিংখংনা পোপতেক লৈবগুম থন্না লৈরবা, অকিবা ফংনা ব্রাং-চাউরবা উপাম্বীশিং হৌবা অমস্তুং উরি-ব্রারিশিংনা চয়েৎনবা পাক চাউবা বন অমদা থুংলম্মী। মীনা চৎথোক-চৎশিন তৌবগী খোঙ্গুল অমতা তাবা, শাশিংগী নত্তনা, উবা ফংলমদে!

মখোয়না সরস্বতী তুরেন, বেদ খং-হৈরবা মুনিশিংনা মহৈ লাইরেম্বীগী খুভম্লি হায়না ইরাৎ-পূজা তৌনরিবা অসিগী খোংন্নুং মতুং ইন্না চৎলম্মী। তুরেন অসি মন্থদা শক-শোন্দুনা থাগৎলিবা অতুগুম্নদি ইচেল অতু নিংখিজখিদ্রে, চুম্নগী ঈচেল মচা অমা ওইনা পাং মচা মচা মঙাখক লৈরিবা অতুগা শম্নদবা য়াদে হায়বা মতাগুম, চেল্লম্মী। মতৌ অতু উবদা মখোয় অনিমক মশাদা মতু চুংলম্মী। পাং মচা মঙা অসিদি, পরশুরামগী য়েক্লবশিংগী ঈতনা থলহল্লম্মী হায়বদগী "স্যামন্তক পঞ্চকা" হায়না খংনথিবা অতু ওইরম্মী।

ধর্ম্মক্ষেত্র হায়না ময়াম্না খংনরিবা মফম অসিদি অকিবগী মশক পুরবা মফম অমা ওইরম্মী। মফম অসিনা, উৎতগী মশক

ওইরে হায়রিবা লমহাং অত্তুদগীস্থু হেন্না অকিবগী মশক অত্থু ওইরম্মী। মী অমস্থুং শগোলশিংগী শরুশিং অমদি দোলাইশিং অতেক-অকাইগী মপোংশিং অত্তুতনা, মফম পুন্নমক অত্থুদা চাইথোক্তুনা তারম্মী। অকিবগী মশক ফংলব অশিবা মীওইবগী মকোক্কী তুম্বাশিং অত্থুনা মমিৎশিং অমতা য়াওড্রবস্থু মখোয় অনিদা মুন্না য়েংত্থুনা লৈরম্মী। মফমশিং খরদনা মহৌশা খাংপোকশংশিং শারম্বগী কিম্থরকপা অতেক-অকাই উশা ব্রাশা মপৈ মপৈ উবা ফংলম্মী। মীগী খোঙ্গুলদি উবা ফংলমদে।

মখোয়না পাৎশিং অমগী মপান্দা, মফম চাবা য়েংত্থুনা শেংদোক্লগ, অকংবা শীং খরা থিরুত্থুনা পৈশিল্লম্মী। মতুংদা মখোয়না লৈরং (বেদী) অম থোনগংলগা, কোম অত্থুদা অশেংবা মৈ হৌগংলম্মী। মখোয়না উহৈ-ব্রাহৈশিং অমস্থুং লৈবাক হরায়নচিংবা লাইদা কৎপা য়াবস্থু, অমদি মখোয়না চাবা য়াবস্থু থিরুরগা পুররক্লম্মী।

পূজা লোইবগা মুমিৎ তাবগা চপ মান্নরম্মী। মখোয়না চাবা-থকপা লোইরবা মতুংদা অহিং অত্থু পোত্থানবগীদমক্তা মখোয়গী শজি মউনশিং অত্থু মৈফম অত্থুগী মনাক্তা শন্দোক্তুনা থারম্মী।

নিংথম থাগী অহিং ওইবনা শজি মউন অত্থু মশাদা শেংচিল্লগা লৈবাক্তা তুম্নম্মী।

পৈলাদি লম্বী লাকপদা ব্রামনখিবদগী হেক তাবগা তুমখিরম্মী। অত্থুবু দৈত্যপাদি হিপথরবস্থু তুম্নমদে। মহাক্না ধর্ম্মক্ষেত্রগী মরমদা ব্রাখল তৌত্থুনা লৈরম্মী। মতৌ করম্না তৌরগা ধর্ম্মক্ষেত্র অসিদা,

থাইনগী মতৌগুম্না চাউখৎহনগদগে হায়বগী ৱাখন্দা লুপ্তুনা মহাক্না লৈরম্মী।

চিক্লবা অহিং অদুগী অচিকপা অদুবু, নুংশিৎনা ফুবদা থোরকপা উনা-ৱানানচিংবগী ফ্র ফ্র লাওবা মখোল, থোৎনা, নৌনা অমস্তুং তপ্পা চেল্লিবা তুরেনগী মিরবা ইরাওখোল অমস্তুং মরক মরক্তা লমশাশিংনা মচিঞ্জাক থিরকপগী ঙংলকপা মখোল মখোয় অসিতনা, থুগাইরক্লম্মী।

থাবল য়াওব্রবা অহিং অদুগী অমম্বা অদু দ্বৈপায়নগী মমিত্তা খরা খরা হৈনরক্কুনা, উ-ৱাশিং অমস্তুং ভূৎ-প্রেৎশিংগী মতৌগুম্না শাশিংনা কাতু-কারন চংলিবা অদু তশেংনা উবা ফংলম্মী।

মতম খরগী মতুংদা দ্বৈপানা তুম্লিংবনা মুন্দুনা মং-হাগুম ঙাইহাক উইরম্মী। অহিং অদু মরাং মরাং তৌরম্মী। লান্দা শিখি-নাখিবা ময়ামগী খোল্লাও অমদি নাহেবগী খোঞ্জেলনা পুম্নিন নিল্লম্মী।

হেক থেংবদা খংপ্রেক খংনা চিকপগুম ইংলবা নুংশিৎনা শিৎপা হৌরক্লম্মী। পৈলানা মখোং মথুৎশিং অদু কোনশিন-তাশিন্দুনা, মরক মরক্ত শ্বর মপি শাংনা হোন্দুনা তুম্লম্মী। দ্বৈপানা মাগী শজি মউন অদু মশাদগী লোথেক্লগা পৈলাদা শুপচিনবিরম্মী। মহাক্না লৈরং অদুগী মনাক্তা খোঙ্গ্রাই চন্না ফম্লগা মৈ অদু তিক্কুনা লৈরম্মী।

থুদক অদুদা মহাক্না খোঞ্জেল অমনা মহাকপু কৌরকপদু তারম্মী। "কৃষ্ণ, নং কদাইদা লৈবগে? নংনা লাক্লিবা অসি

করি তৌরে ?" খোঞ্জেল অহু তাবদা মাগী মশাদা থুক লাওনা হুংডাইবা অমা ফাওরম্মী। তশেংনা খোঞ্জেল অহু মমাগীনি হায়বা মহাক্কা খংলম্মী। মহাক্কা মমিং অহু শ্রু শ্রু নোইরগা কনা লাকপগে হায়হুনা কোক্টয়েং য়েংলকপদা মনাক্তা লৈরিবা পৈলা নত্তন কনাস্ত লাকপা উরমদে। খোঞ্জেল অহু, অমা অমবু ওইরবস্থু, মমাগীনি হায়বসি মহাক্কা তশেংনা খংলম্মী। "ইমা, নংবু কদাইদা লৈবগে ? হে সূর্য্যদেব, ইমাগী নাক্তা ঐবু পুবিয়ু," অসি হায়হুনা মহাক্কা নুমিৎ কোবা লাইদা খুরমজরম্মী।

উইরুম-রাইরুম তৌহুনা মং-হাগুম্না লৈরম্বা মাগী মশা অহু হৌজিক্তি মিৎকপ থোক্তুনা জ্ঞান পুমতা তারম্মী। মহাক্কা লৈরং অহুগী রাংমরোমদা য়েংথোকখিবদা, ইরং লংবা মিৎ অনিনা মাবু শংত্রিক্কা য়েংহুনা লৈরম্বহু উবা ফংলম্মী। শওম অমগী মমিং ওইরম্বা য়াই হায়না মহাক্কা খল্লম্মী। মুগুক মুবা মশক খরস্থু মৈফম মনাক অহুদা হন্নগৎ-হন্দা চৎপা মহাক্কা উরম্মী। শীং অকংবা খরা মৈফম অহুদা হাপচিল্লগা হুমাই হুল্লম্মী।

মমাগী খোঞ্জেল অহুবু অমুক হন্না তাবা ফংগদ্রা। খন্দুনা মহাক্কা মনা থাঙ্গতুনা লৈরম্মী, অহুবু অমুক হন্না লাকখিদ্রে। মমান্না মহাকপু উননিংহুনা মফম অমদা ঙাইহুনা লৈরে হায়বসি মহাক্কা খংবা ঙম্লম্মী। মফম অহুদি কদায়দনো হায়বহু খংলমদে। মাগী উপায় লৈত্তবা মতৌ অহুদা, খংহৌদনা মমিত্তগী মপি শিন্থখিরম্মী।

মমাগী রাখল তৌরুবদা মাগী থম্মোই অহু কাইখিরম্মী।

মহাক্লা মনাগা অমুক হন্না উনবা ফ.লরোই হায়বা খংলবস্থু রাখল অদুবুদি থাদোকপা ওয়মদে। মমা হিংলিব্রা নত্রগা শিংগ্রা হায়বা অদু ফাওবস্থু মহাক্লা খংলমদে, অদুম ওইনমক রাখল তৌরু তৌরুরগা. মমানা মহাকপু উনিংবা পোক্লে হায়বা অসিমদি শোইদ্রবনি হায়না মহাক্লা লৌরম্মী। "হে লাই ইবুংঙো. ইমাগী লৈফম অদু তাকপিয়ু." মহাক্লা মুরুম মুরুম শোনজরকই।

নোংঙাল্লমদাই য়োরকপা মতম অদুদদি, থেবশিং অমস্থুং শজিশিং-না মৈফম অদুগী রাংমদা চেংশিল্লতুনা, মৈ অদুগী মৈশা ফংবা মফমদা লেপ্তুনা অমস্থুং কুন্দুনা, মমিংশিং অদুনা দ্বৈপাদা য়েংলগা লৈজরম্মী। খরা থাপ্তক্লা, কৈশালশিংনা খুদোংচাবা তাঞ্জা ঙাইদুনা. শংত্রিক য়েংনা লৈরম্মী।

পৈলানা মিংকপ থোক্তুনা হৌগংলকপা মতমদা শাশিংনা দ্বৈপায়নদা শংত্রিক্লা য়েংদুনা লৈরম্মা অদু উবা ফংলম্মী। মহাক্লা কিমনখিদুনা রা অমতা ঙাংবা ওয়মদে। মমিং উইশিল্লগা দ্বৈপাদা চেৎনা কোনশিল্লম্মী।

দ্বৈপানা অচাকপা মৈ অদুদা শীং খরা হাপচিল্লম্মী। মখোয় অনিনা মখোয়গী শজি মউনশিং অদুনা মশাদু কুপশিল্লগা লৈমিন্নরম্মী।

অয়ুক্কী মতম ওইরক্তুনা উচেক-রায়াশিংনা খোংলকপা মতম অদুদদি, কৈশালশিং অদু বনগী মন্নুংদা মাংখিরম্মী।

দ্বৈপা অমস্থুং পৈলা অনিনা হৌগতুনা পাৎ তান্না ইরুজবা চৎমিন্নরম্মী। 'ঐখোয়না অয়ুক্কী তৌফম থোকপা ইথৌশিং

পাংথোকপা লোইরগা উহৈ-ব্রাহৈশিং থিরুসি' হায়না, দ্বৈপানা পৈলাদা হায়রকই।

অয়ুক্কী পূজানচিংবা লোইরবা মতুংদা মখোয়না উহৈ-ব্রাহৈশিং অমু ফমহুনা চামিন্নবম্মী। পৈলাদি মাগী অকিবা অহু কোকপা ওন্নমদে। "ঐখোয়না মফম অসিদগী কদাইদা অমুক চংকনি? ঐখোয় হল্লসি," পৈলানা হায়জবকই।

"ঐখোয়না কবিগী হনগদৌরিবা?" দ্বৈপানা ওক্না হংলকই। "ঐখোয়না মতম খবা চংথোক্লবদি য়াই, অহু ওইরবস্তু, ধর্ম্মক্ষেত্র শেমগৎপা, মফম অসিদা অমুক হন্না লাকপা তারম্মী।"

"ঐখোয়না মহু তৌবা ওম্মোই, মবমদি ফজ্রব' মফম অসি লাইশিংনস্তু ঋষিশিংনস্তু মীচৈ পিরম্লবনি," পৈলানা হায়বকই।

দ্বৈপানা মঙক হায় বগা হায়বকই "নংনা হাযরিবহু লাল্লি। মসিদি অচুম্বগী মশক ওইবা মফম অমনি। ঐনা বেদ থিরকপগী মখোলবু তাবা ফংলি অমস্তুং যজ্ঞ মৈকমশিং চামদগী কারকপা অশেংবা মৈথুবু অতিয়াদা উব ফংলি।"

'মহুদি নংগী নপুক্কি গী ব্রাখলনি' পৈলানা হায়বকই।

"তশেংবদি নংনা কৈশালশিংনা খোংবা অহু তারমগনি অমস্তুং লমহুইশিংনা থেবশিং তান্নবহু উবমগনি।"

"ফরে, অহু ওইরবদি ঐখোয়গী তোংশা অথোংপশিং অসি কৈশালশিগী ওইহল্লসি," দ্বৈপানা নোক্না নোক্না হায়রকই। "নংনা গোধূলী আশ্রমদা হনখিবহু ঐদি পাম্বনি। অহুবু, ধর্ম্মক্ষেত্র শেমগৎলবা মতুংদা নংবু থারগে।"

"নংনা হায়রিবা অত্থদা অরানবা থরা য়াওরে," পৈলানা শাওরগা. নোক্লরপ তৌনা হায়রকই।

"লান্দে, অচুম্বনি," দ্বৈপানা হায়রকই। "ধর্ম্মক্ষেত্রবু অমুক হন্না লিংখৎকনি হায়ত্থনা ঐনা ইপাগী মফমদা রাশকখিরম্মী। মত্থু হৌজিক্তি থবক ওইনা পাংথোকপা ওমগদবগী তরু তরুবা রাখল অত্থু ঐনা উবা ফংলে।"

"নংনা মত্থু তৌবা ওমগনি হায়বগী রাখল অত্থু পুমথা থাদোকউ," পৈলানা নিংবা কাইবগা লোইননা হায়রকই। "নহাক অসি ইকুই কুইদনা নপা নপুশিংগী মনাক্তা য়োথ্রগদবনি। মতুং অত্থদা ঐ ইশামক্তা পাং অসিদা চোংথত্থনা শিজগনি। কনা অমতস্থু মফম অসিদা লৈহৌররোই।"

"মত্থনি, ঐখোয়না তৌসি হায়ত্থনা লাক্লিবা পৈলা," দ্বৈপায়ননা নোক্লা নোক্লা হায়রকই।

"হৌজিক্তি নংনা ঐখোয় অনিমক মাংনবা শিল্লে। মত্থু থোক্লবা রাখল অমস্থু ঐগী লৈরে," পৈলানা হায়রকই। "ঐনা পাম্বদি, নংনা ঐবু যমগী লৈবাক্তা খুদক অসিদা থাবা অত্থনি, মত্থুম্না তৌরবদি, ঐনা ঐহাক অসি মফম অসিদা লৈরে হায়বত্থু খংজরগনি," মহাক্লা মমাই ওাংনা শাওনা হায়রকই। "নংনা ঐবু খুৎফু অমতং কোক্তা ফুরগা হাংলো, মত্থনা য়াম্না ছুংঙাইবা অমা ওইরগনি।"

"নত্তে নত্তে, ঐদি নংনা হিংনা লৈবত্থু পাম্মী পৈলা। মরম

অত্তুননি ঐনা নংবু গোধূলীদা হনখ্রো হায়না হায়খিবত্তু। নংনা ঐগী পাও অমা ফংদ্রিবা ফাওবা লৈরু,” দ্বৈপানা হায়রকই।

পৈলানা মাগী খুবাক অত্তুনা মরাইবক্তা তক্লম্মী। ‘মরাইবক থিবা পৈলাদি লোইবেদো। বন অসিদা নংবু নতোম্মতা থনম্লগা চৎপস্থু ঙমদ্রে, অমরোমদনা মতৌ করম্না ঐহাক্না, অঙাওবা গুরু, মহাক্না তৌবতনা অচুম্বনি খনবা, অপংবা অসিগা লৈমিন্নগদৌরিবনো,” মহাক্না মাগী থম্মোইদু শোক্না হায়জবম্মী। “ঐহাক্না তশেংনা খংলে, ঐহাক অসি কৈশালশিংনা শোইদনা চাখ্রগদবনি হায়বসি। মতম অত্তুদদি, ঐবু কবিগীদমক্তা মফম অসিদা পুবরক্লম্বনো খন্দুনা, মপুক্লিংদা নুংনাংবা পোকচহৌগনি।”

দ্বৈপায়ননা মোমোন নোক্তুনা পৈলাগী মনগন্দা মখুবাক্না থুংশিনা নানবিরগা হায়বকই, ‘পৈলা, নপুক্লি দা নিংহম্নবা তৌগন্নু। মসি অপংবগী থৌনা অমা নত্তে। মপু অমা পান্দ্রবদি ঐখোয়না ধর্ম্মবু তম্বীবা খক ঙমফম থোক্তে। মরম অত্তুনা ধর্ম্মক্ষেত্রবু অমুক হন্না শেমগৎপা মতমদা হায়বিবা মপু অসি চংদবা ইয়া যাদ্রবনি। ঐহাক্কী থাজবিবা অসিগুম্না নংগীদি লৈতে হায়বা ঐ খংঙি। মবম অত্তুননি ঐনা গোধূলী থাদোক্তুনা লাকপা মতমদা নংবু থনম্লিবা অত্তু। অত্তুবু নংনা ইতুং ইল্লকখি।”

“খংলে, খংলে,” পৈলানা হায়রকই। মহাক্না শিবগী রাকম অত্তুবু কাওবদি খক ঙম্নমদে। “নংনা অপাম্বা অত্তু তৌরে। অত্তুগা ঐনা করিগুম্বা শিরবদি, মত্তুগী দায়ীত্ব অত্তু নংগীনি। পুন্নমকপু

থংবা অমস্থং উরিবা লাই বরুম্না. ব্রহ্মচারী ব্রাহ্মন অমা নংনা হাৎপগী পাপ অদুবুদি কৈদৌন্নুংদস্থু কোকপিরোই থংঙ্ ।"

দ্বৈপায়ননা হরাওনা নোক্লম্মী। "অশিবা লাই যম্থু নংনা তশেংনা মুংশিরে হায়বা থংলে। ঐহাক্না নংবু হবাও হরাওনা নপা-নপুশিংগী মনাক্তা, হৌনবী পূজানচিংবা তৌরগা থাবিগনি, নংগী নতুংদা ঐনা বেদগী মন্ত্রশিং শক শোন্দুনা ইনগনি। অদুবু ঐনা নংগী নতুং ইন্না চৎকদবা মতম অদুদি ৱাংলি। লাক্লো, হৌজিক্তি মতম মাংহনবা য়াদ্রে।"

"ইকাই খুম্নবগী মশক ওইরবা মুনিনা মফম অসিদা লৈবম্লবদি ঐহাক্না নং অসিবু ফুহুনা ৱাবক্লবা হায়জরমগদবনি," পৈলানা হায়রকই। 'মতুম্না তৌরবদি নংনা মুনিগী মখোংদা তুহুনা ঙাকপিনবা হায়জগদবনি।"

"মদু নং নশামক্লদি করিগী তৌদে?" দ্বৈপানা হংলকই।

পৈলানা মাগী মথুং অদু মকোক্তা থম্লগা হায়রকই, "ঐনা নংবু ঐগী গুরু অমা ওইনা খনগ্রবনিনা মতৌ করম্না নংবু ঐনা ফুগনি? অদুগা তশেংনা হায়য়ু, গোধূলী আশ্রমদা নত্রবদি ঐখোয়না মফম কদাইদা চৎকদৌরিবনো?"

"ঐখোয়না মফম অসিদা চৎকনি হায়বদু ঐহাক্না তশেংনা হায়বা ঙমদে। অদু ওইরবস্থু লাইশিংনদি অফবা মফম য়েংদুনা ঐখোয়বু শোইদনা লমজিংবিগনি। অহানবদা, অশেংবা যজ্ঞগী মৈ অসি ঐখোয়না মুথৎলমখিসি," দ্বৈপায়ননা হায়রকই।

দ্বৈপায়ন অমস্থং পৈলা অনিনা মৈ অদু হৌনবী মতুং ইন্না

মন্ত্রশিং খিদুনা মুথংকে তৌরিবৈদা, মফি মরোল অমতা শেত্তবা হিংচাবা মণ্ডা তরুক্কা মথুত্তা রাকোক্নচিংবা খুংলাইশিং পায়দুনা লাও-থোংনা মথোয় অনি তম্না চেনশিল্লক্লম্মী। মথোয় অনিনা করিগো হায়বা তৌফম খংদনা লৈরিবৈদা হিংচাবা অমনা চোংশিল্লক্কুনা পৈলাগী মকোক্কা মহাক্না পাইরিবা রাকোক অদুনা থোম্লম্মী। থুংফু অদুনা ফমনথিদুনা পৈলা জ্ঞান য়াওদনা লৈমাই থক্তা লোংনা তাখিরম্মী। অতোপ্পা হিংচাবা অমনা দ্বৈপায়নগী মনগন্দা ফুরম্মী। অদুমশুবা অদুনা যজ্ঞগী মৈ অদুদা মশাগী কত্ত-হৌদি তৌশিন্দুনা মাংথোকখিরম্মী।

থুংফু অদুদা দ্বৈপায়নস্থ চৈনাথোল থাংবা ওমদদুনা লৈমাইথক্তা তুখিরম্মী। মথোয়না মহাকপু অমুক হন্না ফুরক্কুনা মথরাই থারগদ্রা হায়না মহাক্না খনজরম্বনি, অদুবু মথাদি তারকথিদ্রে।

মহাক্না জ্ঞান পুম্নাং মাংদ্রিবৈদা মোইবুং থোংলকপা অমস্মুং হিংচাবশিং অদুনা কোইচেন চেন্নবগী অনিনবা মথোলশিং অদু তারম্মী। মতুংদদি মহাক্না জ্ঞান অদু মাংথিরম্মী।

৮ শুবা পন্দূপ

মহা অথর্ব্বান জাবালী

দ্বৈপায়ননা জ্ঞান তারকপা মতমদা মহাক্না মতম কয়া কুইনা জ্ঞান য়াওদনা লৈরুবগে হায়বতু থংবা ওন্নমদে। তশেংবদি খুংফু অতুদা মহাক্না জ্ঞান পুম্মাং মাংখিবদি নন্তবনিনা. মরাং মরাং তৌনবা মরক অতুদা আর্য্যগী লোন্দা ঙাংনখিবা ব্রাহ্মৈশিং কয়া অমসু মহাক্না তাবা ফংখিরম্মী। কনাগুম্বশিং থরনা মাগী অশোকপা মফম অতুবু য়েংতুনা লাইয়েংখি হায়বা অতু ফাওবদি মহাক্ন নিশিংবা ওন্নম্মী।

মহাক্না মমিং পাংথোক্লকপা মতমদা মথোয় মরি মঙানা মাবু লাইকন্নতুনা লৈরম্বতু মহাক্না উবা ফংলম্মী। মথোয়শিং অতু লাইমিং লৌরবা নহা ঙাক্তনি হায়বতু, মথোয়গী মশাদা পক্লিবা নগুণশিং অতুনা তাক্লম্মী। মহাক্না পৈলাবু মনাক্তা লৈব্রা হায়তুনা য়েংলকপদা উবা ফংলমদে। মহাক্না হৌগতুনা ফমগে হায়না তৌরুবদা, মশা অতু শোমনখিবদগী ঙমদতুনা জ্ঞান মাংনা অমুক তুথখিরম্মী।

মহাক্না জ্ঞান লাক্তুনা মমিং পাংথোক্লগা অমুক হন্না ফম্নবা তৌরম্মী। মতাং অসিদদি, মনাক্তা মাবু শেম্নতুনা লৈরিবা পরুব্রাশিং অনিনা মতেং পাংবিতুনা মহাক্না ফম্বা ওন্নম্মী।

মাগী মতেং পাংবিরিবা পরুব্রা অনি অতুগী মরক্তা নহা অমদি শজি মউনগী ফিজেৎ শেংলম্মী অমসুং চহিসু মাগী লেঙ্গা

ওইনা উরম্মী। মাগী মিৎয়েং নায়েং অমস্তুং মাইথোং অদু হরাও-তয়াম্না উবদগী দ্বৈপানা মহাক অসি অফবা অমস্তুং মপুক্‌চেল চাউবা ব্রহ্মচারী অমনি হায়বসি খংবা ঙম্লম্মী।

দৈ্বপানা নিংথিনা হেক ফম্বা ঙম্বা অদু উবদা নহা অহুনা লাওরকই, "বাবা, অনিরক হন্না পোকখ্রবা নহা অসি জ্ঞান লাক্লে।"

দৈ্বপায়ননা য়েংথোকখিবদা, ময়াম লৈরিবশিং অহুনা লম্বী ফাতুনা থম্লীবা অহুদ', অঙকপা শকফম্না মাগী ওইরবা অহল অমা লাক্লম্মী। মহাক চহি য়ামখ্রবা অহল অমা ওইনা উবম্মী। মহাক্কী মথদাংগী মকোইশিং অমস্তুং অতাংবা মকোক্তা হৌরিবা মশমশিং খরদং অহুস্তু, পুমঙৌ ঙৌরম্মী। অহল ওইমনখিবদগী মকোই-মরাং অমস্তুং মশমশিং খরদং অদু ফাওবা মঙোন্দদি পোংলুম অমগুম্না উবম্মী। মখ্বাং খবা কোনজরবস্থু মহাক্কা পাইরিবা চৈশু অদু ইশিং-শিজিন্নদনা, মখোং কুপথাংদা পরপ পরপ লাক্লম্মী।

মহাক অসি য়াম্না মগুণ লৈবা মুনি অমনি হায়বসি খন্দুনা দ্বৈপায়ননা দণ্ডবৎ তানা খুরমগদবগী হোৎনজরম্মী।

দ্বৈপায়নগী মতৌ অদু উবদা, অহল অহুনা মখুৎ হাইদুনা থাম্লগা, মখোল অদু নেম্না অমস্তুং ময়েক শেংনা হায়বকই, 'পংগনু চুম্না অদুম ফম্মু।" মতুংদা মহাক্কা মনাক্তা লৈবিবা নহা অহুদা ওনশিল্লগা হংলকই, "সুমন্তু, মহাক অসি কমদৌরে?"

দ্বৈপায়নগী অশোকপা মফমদা উনাশিং থোমহুনা লৈরিবা সুমন্তুনা হায়জরকই, "মহাক্কা য়াম্না থিনা শোক্লবস্থু, ফবদা পংক্লই

কুইনদি চংলরোই বাবা।" অসি হায়রগা মহাক্লা দ্বৈপায়নগী মনগন্দা মুনা ভারিবা চৈফম অত্তুবু মথুংনা থিন্দুনা উংলম্মী।

"নহা নংদি করম তৌরিবা?" অহল অত্তুনা দ্বৈপায়নদা হংলকই। চীং-লেম্নবা অহল অত্তুনা মোমোন মোমোন নোক্লম্মী।

"ঐদি ন্নুংঙাইজরে," দ্বৈপানা চৈনাখোল অত্তু থাংলগা মোমোন নোক্লা খুমজরকই। মথুং অনি অত্তু লোম্নবগা হায়জরকই, "ইকাই খুম্নবগী মশক ওইরবা মহামুনিগী মফমদা ঐনা খুরমজরি। ঐবুদি মুনিনা কনবিরে। অত্তুগা ঐগী মরূপ পৈলাদি কদায়দা লৈরিবগে?"

'মাগীদমক্তা ৱারুন্নু,' অহল অত্তুনা হায়রকই। "ঐহাক্লা মাবু খুদক অসিদা, যমগী লৈবাক্তগী ফাত্নুনা পুরক্নি।" মতুংদা মহাক্লা হংলকই, "নংদি কনানো?"

দ্বৈপানা মথুং লোম্নরগা খুমজরকই, "ঐদি শ্রোত্রিয়, অনিরক হন্না পোক্লবা, বেদবু পামজবা অমনি।"

"হিংচাবশিং অত্তুনা লান্দারকপা মতমদা নখোয়দি করি তৌত্নুনা লৈরম্মী?" অহল অত্তুনা হংলকই।

'মৈদা পূজা কৎপা লোইত্নুনা, মৈ মুথংকে তৌরিঙৈদা লান্দারকপনি।"

"নখোয় মীচৈ (শাপ) লৈরবা মফম অসিদা করিগীদমক্তা লাক্লিবা?"

দ্বৈপাগী ন্নুংশিরবা মাইথোংনা মোমোন মোক্লগা হায়জরকই, "ইকাই খুম্নবগী মশক ওইরবা মহামুনিগী শেংলবা থোংনা নেৎপিত্নুনা চংলবা মফম অসিবু মতৌ করম্না মীচৈ অত্তুনা লৈবা ঙমগদৌরিবনো?"

দ্বৈপাগী ফজরবা রাহৈশিং অতুবু অহল অতুনা করিমতা থৌশারমদে। "নংনা মৈ কৌবা লাইবু নিয়ম চুম্না পূজা তৌখিব্রা ?" যজ্ঞ তৌখিবগী অশিবা মৈতালশিং অতুদা ম্লেংলগা অহল অতুনা দ্বৈপাদা হংলকই।

"অহোই, ঐখোয়না তৌজখি। হি'চাবশিংনা কোইচং চত্তুনা বন অসিগী মনুংদা লৈ হায়নদি ঐখোয়না খংজরমদে।"

"নখোয়না ঙসি, থা থোক্তবা অহিং, থাশি মুমিং অসিদা, মফম অসিদা লৈজরম্লিবা অসি, নখোয়গী নরাইবক ফবননি। নত্রবদি ঐখোয়গা থেংনরম্লোইদবনি।" মতুংদা "নমিংদি করি কৌই ?" অহলনা হংলকই।

"দৈ্বপায়ন কৌজৈ" দ্বৈপানা খুম্লকই।

"নংগী মরূপকী মমি'ংনা করি কৌবা ?"

"মাগী মমিংদি পৈলা কৌই।"

"নখোয় অনিমক অনিরক হুম্না পোক্লবা ঙাক্রা ?"

"অহোই," দ্বৈপানা খুমজরকই।

"মফম অসিদা লাক্লিবা নখোয় অনিমক অপংবা ঙাক্তনি," অহল অতুনা খুদক অতুদা হায়রকই।

"বাবাগা ঐগনা ধর্ম্মক্ষেত্রবু, থাইনগী মতৌ অতুগুম্না অমুক হন্না লিংখংসি হায়না রাশক্করম্মী। অতুবু লাইবক থিবদগী বাবাদি শিগ্রে নত্রবদি মহাকস্তু রাশক অতু ঙাক্লবা, মফম অসিদা লাক্লমগদবনি।"

অহল অতুনা ময়া অমত্তা য়াওব্রবা মচিন অতু কাথোক্তুনা

কংলোক নোক্লগা হায়রকই, "মীচৈ লৈরবা মক্ষম অমনি হায়বসি নংনা খংদবরা নহামচা? লানফমদা শিখিবা ময়াম অত্নগী ভূং-প্রেংশিং অত্নুনা কোইচং চংনা শান্নরিবা মক্ষম অমনি।"

অহলগী য়াথং মতুং ইন্না পরুব্রাশিং থরনা ইরুজথোকলুরগা লৈরং অত্নু অমুক হন্না চাউথোক্লা শেমত্নুনা, মন্ত্র থিরগা মৈ হৌগং-লম্মী। মতৌ অত্নুদা দ্বৈপাদি ইণ্ডক ওক্লম্মী।

তাঞ্জা অসিদা অহল অত্নুনা মন্ত্র শোন্দুনা উচেং অমা সূমন্ত্রদগী লৌরগা দ্বৈপাগী য়েংথংবা মপাম্বোমদা, দর্ভা নাপিনা থৌরি ওইরগা, মন্ত্র শোন্দুনা পুনশিনবিরম্মী।

"হে জিক্তি হৌগংলো নহা, চংলু," অহল অত্নুনা হায়রকই। দ্বৈপাদি হৌগংপা ফাওবা ওমদনা লৈরম্মী। "লাওনে, হৌগংলুনে," অহল অত্নুনা য়াথং অমা ওইনা, মণ্ডোন্দা শংত্রিক্লা য়েংলগা হায়রকই।

দ্বৈপানা মাগী মিংয়েং অত্নুনা অহলদা য়েংবদগী লৈথোক্কে ত্তৌবা ওন্নমদে। মহাক্লা খংহৌদনা ফুক হৌগংলম্মী অমসুং মাগী চৈনাখোল অত্নুস্নু মাংখিরম্মী।

"ঐগী ইতুং ইল্লকউ" অহল অত্নুনা য়াথং পিরকই।

দ্বৈপানা মালংদা চংপগুম্না, অহল অত্নুগী মতুংইন্না অমদি হৈনবী অমগুম্না চংলম্মী।

পরুব্রাশিং অত্নুনা অহল অত্নুবু তুরেন য়ৌত্রিবা ফাওবা য়াম্না চেকশিন্না শেন্নত্নুনা পুরম্মী। দ্বৈপায়ননা মরু লুক্লা অমসুং মখুং লোন্নবা মাগী মতুং ইল্লম্মী। "করিগুম্বা খংনিংবা অমা ঐণ্ডোন্দা লৈরে," দৈপায়ননা মতম লৈবা খিবিক্লা মোমোন নোক্নুনতা লৈবা

শুমন্তৃদা হায়রকই। "ইকাই খুম্নবগী মশক ওইরবা মহামুনিগী লেমজনবগী মশক ওইবা মিং অতুবু করি কৌবগে?"

'নহাক খংজ্রিব্রা?" নহা অতুনা ওক্লা হংলকই। "মহাক্কি গুরু পুম্নমক্কীসু গুরু ওইরিবা, মহা অথর্ব্বান জাবালী হায়নরিবা অতুনি। শিবা অমসুং চংবগী মপুসু ওই হায়না ময়াম্না খংনৈ।"

মমিং অসি তাবদা দ্বৈপায়ননা অঙকপা পোক্লম্মী। অথর্ব্ব বেদবু নিংথিনা হৈরবা মহামুনি অসিগী মমিং, মহাক্কী মপা মুনিনা করিগুম্বা লুরবা তাঙ্গাদা, য়াম্না ব্যবহার তৌনা অমসুং অথুপ্পা অমা ওইনা পনখিবা গুরু অতুনি হায়বসি মহাক্না নিংশিংলম্মী।

মপানা হায়খিবা ব্রাফমশিং অতু মাগী মপুক্লিংদা মথং মথং ফাওরক্লম্মী। মমাংদা লৈরিবা মহামুনি অসিদি, মাগী মপাগী মবুখৌ বশিষ্ঠ মহামুনিগা পুক্লিং তিন্নদবদগী ধর্ম্মক্ষেত্র থাদোক্তুনা চংখিবনি। মতম অতুদা অমগা অমগা মপুক্লিং তিন্নদবা ঋষি কাংলুপ অনি লৈরম্মী। বশিষ্ঠ অমসুং বিশ্বামিত্রগী কাংবুনা বেদ অসি ঋগ যজুঃ অমসুং সাম, অহুম অসিতনি হায়না হায়রম্মী। অতোপ্পা কাংবু ভৃগু অমসুং অঙ্গিরা অনিগী কাংবুনা অথর্ব্ব অসিসু বেদগী মপুম ওইবা শরুক অমনি হায়না কোংদোক্লম্মী। মহাক্কী মপা মুনি পরাশরনসু, বেদ অহুমগী রা অতু লৌজরবসু, অথর্ব্বনা বেদগী মথুং চন্না, হায়বদি মরিগুবা শরুক অমা ওইনা লৈরগী রাসু হায়রম্মী। মরমদি অথর্ব্ববেদগী মন্ত্রশিং অসিগী শক্তি-। উরি রারীদা শোন্দুনা শিজিন্নরগা অনাবশিং (লৈ-নাশিং) ফহনবা গুম্মি কবচ অমসুং যন্ত্রদা মন্ত্রশিং হাপ্তুনা শিহল্লগা খুদোংথিবদগী নাস্থোকহনবা

অমস্তুং কত্ত-হৌদি তৌশিল্লকপাদগী ঙাকথোকপস্তু ঙম্মি, অপাম্ব-স্তুংশি থুংনহনৰা ঙম্মি অমস্তুং নিংথৌ অমদি অচৌ-অপাংশিংবু লাইনা জয় তৌবস্তু ওন্নহল্লম্মী।

মহা অথর্ব্বাম্না দ্বৈপায়নদা ইঙ্গিং অমা. গাগী মতুং ইন্নক্লৰা তৌরম্মী। "ঐদি পাত্তা ইক্কজগনি। ঐনা তৌরগম্মা তৌ," মহাক্কা য়াখং পিরম্মী। দ্বৈপানা য়াখং অদু ইল্লম্মী।

হৌনবী মতুং ইন্না ইক্কজল্লবা মতুংদা, মহা অথর্ব্বাম্না হুমিং কৌবা লাইদা ঈশিং খুজোক খুজোক কংলম্মী। মতুংদা মহাক্কা মাগী পক্কর্‌াশিং অদুগা লোইননা, ঈশিং অমস্তুং অতিয়াগী মপু ওইবতা নত্তনা জগৎকী খুৎশেম্বুস্তু য়েংদুনা লৈরিবা বরুণ কৌবা লাইবু, মন্ত্র খিদুনা খুরমজরকই।

মন্ত্রগী অহৌবা ৱাহৈশিং অদু অহল অদুনা মচিন্দা হেক্ক খিল্লকপা তাবদা, দ্বৈপাগী মশাদা লৈরম্বা অফা-অপুনগুম্বা মতৌ অদু মাংখিল্লম্মী অমস্তুং মহাক্কী স্তুংশিরবা মখোল অদুনা মন্ত্র থিবা অদুদা শক্কক য়াদুনা মপুক্কিং মকা লাম্না য়াওরম্মী।

"মপুনি নংদি শক্তিগী, পুম্নমকপু ঙাকপিরিবা।
নহাক্কি পুম্নমক খংবা, অমত্তনি নঙোন্দদি,
অরাপ্পস্তু অনকপস্তু। অরোনবা লৈতে নঙোন্দা,
নহাক্কি পুম্নমক খংবা। তানবা ফত্তবা শরৌ,
থন্দুনা মখোয়নিত্তনি, য়াওরি নংস্তু সাক্ষি ওইনা।
লৈরি তাংদুনা নঙোন্দা, পুম্নমকসি জগৎ সংসার,
অদুবু ইবুংঙো নংদি, লোংনা লৈ ইরিক অমদা।

পাংইশ্বরগী মীওইবনা, ব্রাংমদদি স্বর্গশিংগী,
নাম্থোকপা ভমদে মখোয়না, মিংকমদগী মহাকৌদি,
য়েংলি নংনা মাপী মতৌ। অনিমক্তা স্বর্গ মর্ত্য,
ব্রাংমদসু অভিয়াগী, লৈরিবা পোংশক থুদিংমক,
মস্নংদনি নংগী মিংফম। মীওইবশিংনা খল্লিবা,
পল্লেপফম লৈত্রবা আশা, মশিং থিরি নংনা শুনা।
লংথোকপগুম চৌবর শক্ক, শেম্থিরি নংনা জগৎসি।
নংগী নোংদম কোজোই থৌরি, চাইনা তারি মফম থুদিং,
তরেংনা তরেং ওইজুনা অহুম অহুম ওইনদি।
মাংহনবিগু অরানবশিং, কনবিগু অচুম্বশিংদি,
লৈমিন্নজগে মখোয়গা, অরাং-অনেম পুন্সিসিদা।”

লাই শোনবা লোইরবা মতুংদা মহা অথর্ব্বান্না দৈবপাদা ওনশিন্দুনা পিশুম শুক্লোক্লা মুন্ন য়েংজুন লৈরম্মী। অম্মক নৌরিবা মহা মচা মুনি অসিনা অথর্ব্বগী মন্ত্রশিংবু মরিক চুম্মা থিবা ভম্বা অসিদা, মহাক্লা মাবু করম্বা শক্তি অমা লৈরনো হায়বজু খংনিংলম্মী।

মহা অথর্ব্বান্না পাত্তগী কাথৎলগা, পৈলানা পাংকী ঈশি অথেনবদা মশা পুম্নমক তিংলগা মকোক্লা স্বব হোনবদা মুংঙাইনবা হাযজুনা পরুক্লা অমনা থাক্কজুনা লৈরিবা অহুগী মনাক্তা লাক্লম্মী।

মহাক্লা মচা মুপা য়েংলগা হায়রকই, “সুমন্তু, নংগী তিদাক খাও অহু হাংদোকউ।” সুমন্তুনা খাও অহু হাংদোক্লবা মতুংদা মহা অথর্ব্বান্না উনাশিং থরা খন্দোক্লুনা লৌথোক্লম্মী।

“উং থরা যজ্ঞগী মৈফমদগী পুরকউ, সুমন্তু।”

স্বমন্তুনা মৈফম অহু তান্না চংখ্রগা উং থরা পুরক্লম্মী। অহল অহুনা উং অহু লৌরগা পৈলাগী মরাইবক, মথজাই অনি, মথবাক অমস্মুং মখোং অনিদা তৈবিরম্মী। মতুংদা মহাক্না অশিবগী লাই, যমগী মফমদা প্রার্থনা তৌনা মন্ত্র থিরকই ;—

"যম কৌবা অশিবগী লাই, খুরমজরি নফমদদি,
হিংহনবিয়ু নহা অসি, য়েংবিহুনা থৌজাল মিংয়েং।
মণ্ডালগী মপু ওইরিবা, পাঙ্গনবা হুমিং কৌবা লাই,
রায়েল্লি নংনা জগৎসি, পিবিয়ু অঙাং মথরাইদি,
শত্তোকপিয়ু খয়াত্তগী, অশিবা কৌবা মাগীদি।
চিংথোকপিরন্নু মহাকপু লুপহনপিন্নু ইরোননুংদা।
থম্বীনু মিংফম রাংমদা, মৈ অনস্মুং হুমিংকিদি ॥"

মহা অথর্ববান্না ডাইহাক্তং লেপ্পগা হান্নগুম্না পৈলাগী মশাদা উং অহু তৈরম্মী। মতুংদা মহাক্না মন্ত্র অমুক থিরকই ; -

হুমিং, থা, অতিয়া, ঈশিং, ডাক্লি মংবু শোক্তনবা,
খুংলাইশিংনা লাইগী ওইবা। মিংকুপ-নাহুমদি শিংলবা
লাইশিং পুন্নমক অহুনা কনবিরসনু নংতবু।
চাহনবিখো তায়বং চিঙ্গাক থাবিখিন্নু অঙাং অসি
সংসার অগদা অতোপ্পা। ভৃগু-অঙ্গিরা ঋষিগী,
থৌজাল ফংজরবা ঐনা কনজরবনি অঙাংসি,
মন্ত্রসিনা যাতুগীদি ॥"

মতুং অসিদা মহা অথর্ববান্না উনাশিং থরা ঈশিংদা তিংলগা মহি অহু পৈলাগী ময়া মনুংদা মন্ত্রগা লোইননা পিথক্লম্মী ;--

"জীবলা, নম-খসা,
অহুমশুবা জীবন্তী,
উনাশিং নখোয়সিদি,
মতম লৈবা খিবিক্তা,
ঙম্বনি থৱাই কনবা।
থাবদা হিদাক অসি,
কনবিয়ু শিবদগী,
অঙাং নহা অসিদি।।"

দ্বৈপায়ননা তুমিন্না মখুৎ অনি লোন্নতুনা মনাক অতুদা লেপ্পম্মী থোইদোক্কনা মশাদা অৱৎপা তৌদনা মহা অথর্ব্বান্না শোনখিবা মন্ত্রশিং অতু ময়েক মশোল অমস্তুং খোম্থোক করিমতা কাইদনা মহাক্না নিংশিংবা ঙম্লম্মী। মন্ত্রশিং অসি, মহাক্কী মপা মুনিনদি থংদবা, অথর্ব্ববেদগী শরুক্কি হায়বসি মহাক্না তশেংনা থংবা ঙম্লম্মী।

মহা অথর্ব্বান্না মপুক্কিং থিংজিন্না মন্ত্র শোল্লগা পৈলাগী মশাদা উৎশিং অতু তৈবিরম্মী। মিৎকুপ থরগী মতুংদা পৈলানা মাগী স্বর অতু চনিং তানা হোনবা হৌরক্লম্মী।

লাইশিংগী মফমদা হৈ-লৈ কতুনা পূজা তৌবা লোইরবা মতুংদা মহা অথর্ব্বান্না ময়াম পুন্নমক অতুগা লোইননা উহৈশিং-চাতুনা পোত্থারম্মী।

যজ্ঞগী মৈ অতু মুৎথৎলবা মতুংদা, পরুৱাশিং অতুনা খম্রাংনা, অনি অনি পরেং শানা মোইবুং খোংলগা চৎপা হৌরম্মী। মহা অথর্ব্বান্না দোলাই অমদা তোংতুনা ময়াম অতুগী মতুং ইন্না চৎলম্মী।

পৈলাদি জ্ঞান তাদনা লৈবা মরম্মা, দোলায় মচা অমদা পুবিরম্মী। দ্বৈপায়ননা সূমন্তুগী মতেং লৌক্ষুনা চৎলম্মী।

মতম অসিদা মহা অথর্ব্বাম্না দ্বৈপায়নদা মন্ত্র শোন্দূনা মশাদা নানবিবদগী মাগী অনাবা চৈনাখোল অক্ষু মাংখিক্ষুনা, অহল অক্ষুগী মতুং ইম্না, হৈনবী অমগুম্না চৎলম্মী।

---

৯ শুবা পন্দূপ

দ্বৈপায়ননা নাম্থোরকপা

লাক্লিবা ময়াম অতুনা মুমিৎ য়ুংবা মতুংদা, শোংলবা মোংশোং অমা ফাওতুনা লাক্লগা চীংথোং অমদা য়োৗরক্লম্মী। দ্বৈপায়ননা চীংথক অতুদা খাংপোক চাম্মরোয়না পরেং শানা লৈবতু উবা ফংলম্মী। সুমন্তুনা মসিনি বাবাগী আশ্রম হায়বতু হায়না দ্বৈপাদা খুদোনবীনা থিন্দুনা তাক্লম্মী।

আশ্রম অতু তম্না ময়াম অতুনা কায়রক্লম্মী। আশ্রম অসিগী ময়াইদা যজ্ঞগী মৈ হৌকম অতু লৈরম্মী। মৈকম অসিদা অঙিং মুংথিল লেপ্তুনা মৈ চাক্তুনা লৈরম্মী।

মফম অতু য়োৗরক্লবদা, মহা অথর্ব্বানগী পরুরাশিং অতুনা মৈকমদগী উৎ অতু লৌরগা মখোয় মখোয়গী মরাইবক্তা নম্মরগা মাগী মাগী শং তাম্না চৎনখিরম্মী।

সুমন্তুনা দ্বৈপাবু মাগী খাংপোকশংদা পুশিল্লম্মী। অতোপ্পা পরুবা অনি অমনা জ্ঞান তাক্লিবা পৈলাবু পুশিল্লকলম্মী।

দ্বৈপানা খাংপোকশং অতু য়োৗরকপা মতমদদি, মাগী গুসাইগী লৈজরম্বা মপাঙ্গল পুম্নমক অতু ইথং থংহোদনা মাংখিরম্মী। মহা অথর্ব্বান্না মাগী মন্ত্রগী শক্তি অতু লৌথোকখিরম্মী। মহাক (দ্বৈপা) হায়নিংঙাই পান্দম থংদনা মশা অতু চোকথখিরম্মী। মরাইবক্তা হুমাং অনপ্পা কারম্মী। মহাকী অশোকপা অতুগী চৈনাখোল

অমুক হন্না ফংহুনা য়াম্না রানা খাংলম্মী। বোড়া খাও অমা লৈমাইথক্তা তাবগুম্না মহাক্না প্রাক প্রাক তাহুনা লৈরম্মী।

সূমন্তুগী মতুংদা বাতিকানা ইন্দুনা মতেং পাংলম্মী। বাতিকাদি ফিমু ওাক্তা শেংপা পামজরম্মী। মহাক অসি সূমন্তুগা ফাইবোক পোকমিন্নবী মচল মুপীনি। শকফমদা শাজত্তা মুপী ওইবগী থোৎচ-মেংজরবস্মু, মশক্তি সূমন্তু পুমহৈ হৈজিনলম্মী। শাওং-শাদা, রাংলপ তৌনা চংথোন্না ফজরম্মী। শাজৎ-লাকচৎ, মনিং তৌনা খিং খিং লাওনা চৎলি অমস্মুং মাগী নিংহু য়েনা মুনা তাথরকপা শম্নাং অহু বেনী লোন্দুনা নিংথিনা থনম্মী।

দ্বৈপায়নগী মনাক্তা বাতিকানা লাক্লগা হায়রকই; "নমিৎ উইশিন্দুনা লাইশিংগী মাইবা, লাই ফাইবোক অশ্বীনি কুমার অনিদা নপাঙ্গল অহু পিবিরক্লবা থুরমজো।" অসি হায়রগা মহাক্না, মহাক্না পুরকপা উরিনা শেন্বা হিদাক মহি অহু দ্বৈপাদা পিথক্লম্মী। হিদাক মহি অহু থকপদা দ্বৈপায়নগী মশা পুম্নমক অহু ফুং ফুং লাওনা অশাবা কারক্তুনা নুংঙাইবা পোক্লম্মী। মাগী অশোকপা মফম অহুদস্মু জিং জিং লাওনা নুংঙাইবা ফাওরক্লম্মী।

মতুংদা বাতিকানা জ্ঞান য়াওদনা লৈরিবা পৈলাদা ওনশিন্দুনা মাগী মকোক্তা ফি অচোংপা অমা থোম্বীরগা, মাগী মচিন অহু ফাক্তোক্তুনা, দ্বৈপায়নদা পিথকথিবা হিদাক মহি অহুগী শরুক থরা পিথক্লম্মী।

দ্বৈপাদি জ্ঞান পুম্মাং মাংনদি লৈরমদে। মহাক্না মচল অমস্মুং মকুং অনিনা, তপ্না ঙাংনখিবা রাহৈশিং অহু নিংথিনা তাবা ফংহোদে।

অহুম ওইনমক, সূমন্তুদা মচন মুপীনা ঐখোয় অনিবু মতৌ করম্না মকম অসিদা পুরক্লীবনো হায়রুন। হংবা ওইরমগনি হায়না দ্বৈপানা থাজরম্মী।

সূমন্তু অমম্মুং বাত্তিকা অনিনা মখোয়রোমদা লাকপা খুরুম মখোল অহু তাবদা হৌগত্তুনা, মখুৎশিং অহু লোন্নরগা মপাবু ওকচরম্মী। মপাগা লোইনরকপা পরুবা অনি অহুনা থোংজিন্দা লেপ্লম্মী।

মহা অথর্ব্বান থুংলবদা মওং অমা হোংলম্মী। দ্বৈপায়ননা মমিং পাংথোক্লম্মী। মুনি উবদা মহাক্না হৌগত্তুনা ফনগে তৌরম্মী। মুনিনা ইঙ্গিং অমা তৌহুনা মহাকপু অহুম লৈনবা খংহল্লম্মী।

মহা অথর্ব্বান্না অহানবদা জ্ঞান তাদনা লৈরিবা পৈলাগী মনাক্তা চংলগা মাগী পরুব্বানা পুরকপা উৎ অহু লৌহুনা, পৈলাগী মশাদা মন্ত্র শোন্দুনা তৈবিরম্মী। দ্বৈপানা মহা অথর্ব্বান্না শোনখিবা মন্ত্র অহুবু মুন্না তারগা মাগী মপুক্লিংদা চপ চানা লৌশিল্লম্মী।

মুনিগী পাওতাক মতুংইন্না বাত্তিকানা অমুক হন্না পৈলাগী মচিন্দা উনাগী হিদাক মহি অহু হৈজিন্দুনা পিথক্লম্মী। য়াম্না পিক্না নাহেবা মখোল অমা জ্ঞান য়াওদবা পৈলাগী মচিন্দগী তারম্মী।

ইঙ্গিং অমা তৌহুনা মহা অথর্ব্বান্না পরুবা অনি অহুবু থাদোকখিরম্মী। মতুংদা মহাক্না দ্বৈপায়নগী মনাক্তা, মাগী পরুব্বানা পুরকপা উগী ফাল অমদা ফম্লম্মী। মখুত্তা মাগী চৈশু অহু চপ তিংনা পাইরম্মী।

দৈ্বপায়ননা সুমন্তুগী মতেং লৌতুনা হৌগৎলগা ফক্লাংদা ঙানা ফম্লম্মী। অহল অতুনা মাগী মচা সুপাগা সুমীগা অনিবু দ্বৈপাগী মনাক্তা ফম্লবা ইঙ্গিৎ তৌরম্মী। মতুংদা মহাক্না দ্বৈপায়নদা ওনশিন্দুনা হায়রকই, "মহামচা, লাইনিংথৌ বরুনগী মফমদা কৎখিবা, অথর্ব্ব-বেদগী প্রার্থনা মন্ত্র, নংনা শক্কখিবা অদু মপুংফানা ফজরম্মী।"

দৈ্বপায়ননা মখুৎ অনি লোন্নহনা ইকাইখুম্নবা উৎচরগা হায়জ-রকই, "ভক্তি তৌনিংঙাই মশক ওইরবা ইবুংঙো, মতুম্ন তাকপিহনা ননাইবু য়াম্না ৱাংনা ইবুংঙোনা থাজৎপিরে।

মতম খরা মুনিনা দ্বৈপায়নদা মুন্না য়েংহনা লৈরম্মী। মহাগী মহৈনা দ্বৈপাগী মশাদা লৈরম্বা অনাবশিং অদু লোইনা মাংখিরম্মী।

"নংনা ঐঙোন্দা অচুম্বা অদুন্তা হায়গনি হায়না ৱাশকউ," অহল অতুনা দৈ্বপাদা হায়রকই।

"মতম লৈবা খিবিক্তা ঐহাক্না অচুম্বতা ঙাংজরকই, ঙাংস্নু ঙাংজগনি।" দৈ্বপায়ননা নোল্লুকপগা লোইননা খুমজরকই। "ঐহাক্না অনিরক হন্না পোকপা মতম অদুদা ইশামক্না ৱাফম অসি ঙাক্কনি হায়না ৱাশকচখি, অদুদগী হেন্দোক্তুনা ইপা ইপু বশিষ্ঠনচিংবগী মফমদস্নু ৱাশক্তুনা হায়জখিরম্মী। ঐহাক্না ৱাশক অদুবু ঙাক্তুনা মতম লৈবা খিবিক্তা লাকচরম্মী।"

বশিষ্ঠগী মমিং পল্লকপা অদু তাবদা অহল অতুনা তুক্কচবগী মতৌ উত্তুনা মঙক হায়-রম্মী। "কনানা নঙোন্দা বরুনগী প্রার্থনা মন্ত্র অদু তম্বীরকপগে?" মহাক্না হংলকই।

"ঐগী ইপানা," দ্বৈপায়ননা খুম্নকই।

খুদক অতুদা অহল অতুনা দ্বৈপায়নদা ৱাহং মথং মথং অরৎপা লৈত্তনা হংলকই, "নংগী শাগৈগী মমিং করিনো ?"

"ঐগী শাগৈগী মমিংদি পরাশর কৌই" দ্বৈপানা খুমজরকই।

"নপাগী মমিংনা করি কৌবা ?" মহা অথর্ববান্না হংলকই।

"মুনি পরাশর।"

শাগুনিংবা, তুৰুচবা অমস্তুং হঙ্গোইবগী মতৌ অমা, অহল অতুগী মিংকমদা উবা ফংলম্মী। মহাক্কী মখোল অতুস্থু খুরগী মগ্না অথৌবা অতুগুম য়ান্না য়াক্লম্মী "নংগী নপাগী মপাদি কনানো ?"

দ্বৈপায়নমা অহল অসিগী মতৌ, অসুম অসুম ফত্তবা হেনজিল্লক্লে হায়বসি খংবা ওয়ম্মী। "মহাক্তি, মহামুনি বশিষ্ঠনা পোকপা মুনি শক্তিগী মচানুপানি।"

"নংগী নপানা মতৌ করম্না ব্রহ্মবিদ্যাগী মন্ত্রশিং অসি অসুক নিংথিজনা, থংগুরিবনো ?" অহল অতুনা হংলকই।

'ঐদি খংজদে, অতুম ওইনমক মহাক্না ঐঙোন্দা অথর্ববেদগী মন্ত্র কয়ামরুমদি তম্বিরম্মী।"

'কনাদগীনো মহাক্না অথর্ববেদগী মন্ত্রশিং তম্মুরিবদো ?" অহল মুনিনা হংলকই।

"মহাক্না মীশক অসিদগী তম্লকপনি হায়বত্মুদি ঐঙোন্দা তাকপিরমদ্রে, অতুগা মহাক্না হায়রম্বদি মন্ত্রশিং অসি মরিগুবা বেদগী শরুক্তি হায়নদি হায়বিরম্মী." দ্বৈপানা খুমলকই।

"কনাগী মফমদা মন্ত্রশিং অসিদি লৈ হায়রম্মী ?"

"ঐনা নিংশিংজবদা, অমুক অনিরুক্রুম্বদং বাবানা ঐঙোন্দা

হায়বিথি মতুদি ইকাঁই খুম্নবগী মশক ওইরবা মহা অথর্ব্বান, শিবা অমসুং চংবগী মপুস্থ ওইরিবা ইবুংঙোনা মপুনি হায়না। হৌজিক্তি ঐনা, ঈশ্বরনা চানবিহুনা ঐবু মফম অসিদা পুবিরকপগীদমক্তা, মুংঙাইবা ফোংদোকচবম্মীবনি।"

অহল অতুগী মতৌ অহু মুংঙাইবা খংদনা উরম্মী। "নংগী নবুধৌ পুবেন বশিষ্ঠন। বেদগী খ্বাইদগী হেন্না রাংবা ব্রহ্মবিদ্যাগা য়েন্নবা অমা ওইরম্মী হায়বসি নংদি খংব্রা?" মহাক্না হংলকই।

"খংজদে," দ্বৈপায়ননা খুমজরকই।

"নবুধৌনা বেদদি ঋগঃ, যজু অমসুং সাম, মথল অহুম অসিতনি হায়খিবা নত্রা?" রাহ' অসিনা দ্বৈপায়নদদি থাংনা য়ানবগুম থোক্লম্মী।

"ঐনা খংজদে," দ্বৈপায়ননা খুমজরকই।

"......মহাক্না (বশিষ্ঠনা) অথর্ব্বানশিংবু যজ্ঞগী পুরোহিত ফাওবা ওইহনখিদবা নত্রা?"

"খংজদে।"

"...... মবম অহুদগী ঐনা ধর্ম্মক্ষেত্রগী মথক্তা অকনবা গীচৈ অমা পিবম্মী। অহুগী মহৈনা হৈহৈয়শিংনা ধর্ম্মক্ষেত্রবু মাং-তাকহনবক্তা নত্তুনা নবুধৌ বশিষ্ঠ ফাওবস্থ হাংহনখিবা নত্রা?"

"খংজদে।"

"......নংগী নপানা লোন্না অথর্ব্ববিদ্যাবু ঐগী ইচাগী মফমদগী তমখিবা নত্রা?"

"খংজদে।"

"নবুখৌ বশিষ্ঠনা নপাগী মতৌ অদু খংদুনা মন্ত্রশিং অদু শোনবা অমসুং শিজিন্নবা য়াদে হায়দুনা থিংবদগী নপানা ধর্ম্মক্ষেত্র থাদোক্তুনা চৎখিবা নত্রা ?"

"খংজদে।"

দ্বৈপায়ননা হৌজিক্তি খংবা ওয়্রে মতুদি মাগী মপানা নহা ওইরিঙৈদা অহল লমনগী আশ্রম থাদোক্তুনা চৎখ্রগা মাগী ওইবা আশ্রম অমা যমুণাগী তোর্ব'ান্দা শেমগৎখিবগী মরম অদু।

"মহাক্তি কদাইদা চৎখ্রে ?" অহল অদুনা হংলকই।

"ঐগী ইপানা যমুণাগী তোর্ব'ান্দা আশ্রম অমা লিংখত্তুনা লৈরম্মী," দ্বৈপায়ননা খুমজরকই।

' নপাগী আশ্রম অদুগী মরমদা অথংবা মথৈ ঐঙোন্দা হায়যু।"

"আশ্রম অদু য়াম্না চাউখৎপা অমা ওইরম্মী" দ্বৈপানা খুম্লকই। "অদুবু মতম খরগী মতুংদা ফৎত্রবা নিংথৌ সহস্র অর্জ্জুন্না লাক্তুনা, উৎ ওইনা মাংহল্লম্বতা নত্তনা পক্করাশিং কয়াবুসু হাৎ-তোকপিখিরম্মী।"

"ঐগী মীচৈ অদুনা নপা ফাওবদা য়ৌরক্লম্মী। মহাক্তি অর্জ্জুনগী মখুত্তগীদি হিংহৌব্রা ?"

"অহোই, হিংহৌরম্মী। আশ্রমশিংবু মৈ থাদুনা মাংহল্লকপা অমসুং পক্করাশিংবু মথং মথং হাৎলকপা মতম অদুদা, বাবাদি আর্য্য নিংথৌশিং অদু অমতা ওইনা পুল্লগা অর্জ্জুনগী মথক্তা লান তানবা কোইচৎ চত্তুনা শিল্লম্মী। অদুবু মহাক্তা মাগী আশ্রমদা হল্লকপা মতমদা অর্জ্জুনগী লাম্নীনা মাগী মখোং অদু থুদেকপিখিরম্মী।"

"মহাক্তি করম্বা মতমদা শিখি ?"

"থা খরগী মমাংদা," দৈ্বপায়ননা খুম্লকই।

"নংনা মফম অসিদা লাক্লিবনা করিগীনো ?"

"ঐগী ইপাগা ঐগা ঐখোয় অনিনা ধর্ম্মক্ষেত্র অসি অমুক হন্না মহৌশাগী মতৌ অতুগুম্না শেমগৎসি হায়না লেপ্পরম্মী।"

"করিগী ?" অহল অতুনা মপুক্লি'দা ব্বারৌবা অমগা লোইননা হংলকই।

"ধর্ম্মগী ইচেলনা তাংথক নাইদনা চেন্থরকপা মতমদা অপনবা থোক্তনবতা নত্তনা, মনিং মথা তন্বা মপু অমা ওইনা লৈতৌনদম্লনি। ধর্ম্মক্ষেত্রবু অমুক হিংগৎহনব্রবদি ধর্ম্মদি শোইদনা মাংখ্রগদবনি," দ্বৈপায়ননা খুমজরকই।

"মত্তনা হিংগৎপা থক য়ারোই। ঐগী মীচৈ মথক্তা লৈরি।"

দ্বৈপায়ননা গুমহৎপা মিনোক অমদা নোক্লগা হায়জরকই, "মুনিগী মীচৈনা মত্তবু মাংহনবিব্রে, হৌজিক অমুক নংগী বরনা মত্তবু হিংগৎহল্লগনি।"

"মত্ত ওইবা য়াররোই, ঐনা কৈদৌন্নুংদম্ল মত্তবু পিবোই।"

"অত্তবু লাইশিংনদি মত্ত তৌ হায়তুনা গুরুদা ইনশিল্লক্কনি।"

"নংনা মত্তম্না হায়রিবা করিগীনো ?" অহল অত্তনা হংলকই।

"মবমদি গুরুনা ননাইবু অমম্লুং পৈলাবু হিংচাবশিংগী মফমদগী কনবিবম্মী। মসিনা লাইশিংগী মফমদগী ফংবা থৌজালগী ইঙ্গিং অমা ওইরম্মী," দ্বৈপানা মশাদা থাজবগা লোইননা হান্নজরকই।

অহল অত্ত শাওবনা মমিত্তা ঈ কারম্মী। মখোল অত্ত নেম্না

ঙাংলবস্ু অকিবদি পোকহল্লম্মী। “ধর্ম্মক্ষেত্র অমুক হন্না হিংগৎহনবা য়ারোই। থাইনগী ঋষিশিং, ভৃগু অমসুং অঙ্গিরা অনিনা লেপল্লখ্রবা য়াফম্নি।”

“গুরুদেব, ধর্ম্মক্ষেত্রনা অমুক হন্না হিংগৎলকপা মতমদা থাইনগী মুনি ঋষিশিং পুন্নমক অদুনা শোইদনা হরাওনগনি,” দ্বৈপায়ননা য়াম্না থাজনা হায়জরকই।

“অঙাং নহা, নংদি অঙাওবনি,” অসি হায়বগা অহল অদুনা মখা তাবকই, “ধর্ম্মক্ষেত্র হিংগৎপগী মতমদা নংনা নপুক্কিং অসুক য়াম্না খোইরাংলিবা করিগীনো?”

“বেদদা মপুন্সি কৎথোকপ্রবশিং অমসুং মদুগীদমক্তা হিংদুনা লৈবিবা মীশিং অদুনা মতেং পিদ্রবদা, ধর্ম্মনা মতৌ করম্না মীওইবগী পুন্সিবু য়োকথৎপা ঙমগনি? সংসার অসিনা মখোয় অদুবু ঙাইদুনা লৈরি।”

“নহাক্না, নঙোন্দা থাইনগী মুনি ঋষিশিং অদুনা খুদোং-থিবগী মশক ওইরবা থোদোক অদুবু তৌনবা ইনশিল্লকপগুম্না য়ারি তৌবি,” অহল অদুনা হায়রকই।

“গুরুদেব, অচুম্বা ধর্ম্মদা লৈথ্রবা অমসুং বেদদা মখোয়গী থরাই হকচাং কৎথোকথ্রবশিং অদুগী প্রার্থনা অদু লাইশিংনসু তারি,” য়াফম অসি ভক্তি তৌনিংঙাইগী মশক ওইরবা পরাশর মুনিনা হায়খিবনি,” দ্বৈপায়ননা খুমজরকই।

“নংগী মবুধৌ পুরেম্না ব্রহ্মবিদ্যা অমদি থাইনগী ঋষিশিং ভৃগু অমসুং অঙ্গিরাগী মফমদা লংজখিরম্মী। ঋষিশিং অসিনা

নবুধৌ অমদি মাগী তুংইনবশিং অতুবু কৈদৌনুংদস্থু ঙাকপিগদবা লৈত্রবনি," অহল অতুনা হায়রকই।

"ভক্তি তৌনিংঙাইগী মশক ওইরবা গুরু, ননাই ঐহাক নংগী পরুব্রা ওইজরগে। মতম অমদা ঐহাক্কা ইপুক্লিংদা খনজখিরম্মী মতুদি ঐনা ধর্ম্মক্ষেত্রদা তং তানা লৈরবা মতমদা, অথর্ব্ববেদবু নিংথিনা হৈরবা মশক অমদা গুরু ওইজগে হায়না। লাইশিংনা চানবিতুনা, ঐগী নিংজবা অতু থুংননবা হায়তুনা, ঐহাকপু নংগী ননাক অসিদা পুবিরক্লে," দ্বৈপানা হায়জরকই।

"নংগী অপংবা ৱাখল, ধর্ম্মক্ষেত্রবু অমুক হন্না হিংগৎহনগে খল্লিবা অতুতবু থাদোক্লবদি, ঐনা নংবু ঐগী পরুব্রা অমা ওইনা লৌশিল্লগা ব্রহ্মবিদ্যাবু তম্বীগনি," অহল অতুনা হায়রকই।

"ঐনা মতৌ করম্না ইপানস্থু ৱাশকথ্রবা, ঐনস্থু তৌগে হায়না ইশামক্কা ৱাশকথ্রবা অতুবু থাদোকপা ঙমগনি?" দ্বৈপায়ননা হায়জরকই।

অহল অতুনা নিংবা কাইবগা লোইননা হৌগতুনা হায়রকই, "ঐহাক্কা নঙোন্দা ৱামাং য়ানবিরিবা অসিনি। নংনা তৌগে নিংলিবা ৱাখল অতু থাদোক্রবদি, নংগী অৱাবা ওইজগনি।"

"গুরুদেব, ঐনা ঐগী ৱাশক অতু ঙাকপা ঙমদ্রবদি, ঐনা ইপা ইপুশিংগা নংত্রগা লাইশিংগা মাইয়োক্লবা ঙমদবদগী, অশিবা হায়বতুগা চপ মান্নরগনি।"

বাতিকানা মপাগী ওল্লক্লীবা মপুক্লিং অতু থংলতুনা দৈ্বপায়নদা মুন্না য়েংলগা ৱা মথা তাদনবা ইঙ্গিং তৌরম্মী।

মহা অথর্ব্বাগ্না লৈহুনা কোইয়েং য়েংলগা হায়রকই, "বাত্তিকা অমস্তুং সুমন্তু অনিনা ঐবু শাওহনগন্নু হায়হুনা নঙোন্দা ইঙ্গিং পিরফাওবদস্নু......," মহাক্না অশাওবা মিনোক্তা নোক্লগা মখা তারকই, "অঙাংশিং অসিনা খল্লি. মাগী ইচম চম্বা শক্তম অমস্তুং য়াঙাং সুংশিনা ফজবা মতৌ অসিনা, ঐগী পুন্সিগী চৎথরক্লিবা ঈচেল অসিবু থৈদোকপা ঙমগনি হায়না।"

মতুংদা মহাক্না অখাবা মিংয়েংনা য়েংলগা হায়রকই, "ভৃগু অমস্তুং অঙ্গিরা, লাইওইপ্রবা ঋষিশিং অসিগী অশাওবদি মতম লৈবা খিবিক্তা মপাঙ্গল কন্না লেংদনা অমস্তুং মাং তাক্লবগী মশক ওইনা অহুম লৈগনি।" য়াহৈ খরাস হায়রগা মহা অথর্ব্বাগ্না সুমন্তুগী মতেং লৌহুনা হৌগংলগা চৎখিরম্মী।

বাত্তিকা অমস্তুং সুমন্তুনা দ্বৈপায়নগী মনাক্তা অমুক হন্না লাক্লম্মী। মতম অহুদা দ্বৈপাদি মকোক্তা মখুৎ হাপ্তুনা মাগী উনাগী ফমুং অহুদা ফমহুন লৈরম্মী। মাগী আশা পুন্নমক কাইখিবম্মী। মহাক্না মখোল হৌনা লাওনা কপ্পীংলম্মী। অহুবু মাগী নিংবা কাইরবা য়াখলশিং অহুগী মরক্তা আশাগী মঙাল অমদি উবা ফংলম্মী।

মখোয় অনিনা পুরকপা হিদাক অহু দ্বৈপাগী অশোকপা মফম অহুদা বাত্তিকান তৈবিরগা মহি খরস্নু পিথক্লম্মী। মতুদা মহাক্না দ্বৈপাগী মনাক্তগী চৎখিরম্মী। সুমন্তুনা ঈশিং খরা জ্ঞান তাদনা লৈরিবা পৈলাগী মচিন্দা ইনবিরম্নগা দ্বৈপাগী মনাক্তা লৈরিবা অনৌবা উনাগী ফমুং অহুদা হিপথখিরম্মী।

দ্বৈপানা উইক্লন উইকন তৌনা জ্ঞান হায়ফেৎ মাংনা লৈরম্মী।

অহুবু মহাক্না মমাগী মুংশিরবা মখোলনা মহাকপু "কৃষ্ণ, নং কদাইদা লৈ ? নংনা লাক্রিবা করিগীনো ?" অম্মুম হায়না কৌরকপা তাবদগী মহাক্না হৌগত্তুনা ফম্লম্মী। মহাক্না মমিৎ অহু শুরু শুরু নোইরম্মী।

পৈলানা জ্ঞান য়াওদনা তুম্লবস্থু মরক মরক্তা মহাক্না নাহে-রকপগী মখোলদি দ্বৈপানা তাবা ফংলম্মী। সুমন্তুদি নাখোক্তুনা তুম্লম্মী।

অমুক চাক অমুক মুং তৌনা মতম চুপ্পদা লৈরিবা যজ্ঞগী মৈরিনা খাংপোকশংগী ফক্লাং অহোবা অহুদা অমুক ডান অমুক মম তৌনা লৈরম্মী। মতম অহুদা দ্বৈপানা গীশক অমা খাংপোক-শংদা চংলকপহু উবা ফংলম্মী। সুমন্তুগী মচলনা মবুং উনবা লাকপনি হায়বহু মহাক্না খংলম্মী।

বাতিকানা মবুংগী মশাদা মথুংনা হেক শোকপদা সুমন্তুনা মিংকপ থোক্তুনা হৌগংলম্মী। মবুং অমম্মুং মচল অনিনা তুমিন্না ব্লারি ডাইহাক শানরগা দ্বৈপায়নগী ফমুং মনাক্তা লাক্লম্মী।

"দ্বৈপায়ন, নং হৌগংলব্রা ?" বাতিকানা হংলকই।

দ্বৈপায়ননা হৌগৎত্তুনা ফম্লগা, মহাক্না তারিবা অসিবু মংলা তাইবংলা হায়না খল্লম্মী।

মতম অসিদা বাতিকানা হায়রকই, "দ্বৈপায়ন, নঙোন্দা হয়েং করি থোক্কনি হায়বহু নং খংলব্রা ?"

"ঐনা মহুবু করম্না খংবা ঙমগনি ?" দ্বৈপায়ননা হংলকই।

"বাবানা হয়েং নং হাৎননব। যাদুগী মন্ত্র অদু মৈ কৌবা লাইদা পূজা কৎলগা শিল্লগদৌরি।"

'হাৎননবা মন্ত্রদি করিনো? হায়রিবদু করিনো হায়বা ঐ খংদে।"

"মদুনা যাদু মন্ত্র অমনি, নংনা তুমিৎ তুম্মিগী মন্নুংদা শোইদনা শিগনি," সূমন্তনা হায়রকই।

"করিগীদমক্তা ঐবুদি হাৎকদৌরিবা?" দ্বৈপায়ননা হংলকই।

বাতিকানা মরক থৎনা হায়রকই, 'রারি তৌদুনা মতম মাংহল্লগনু। ঐগী ইনাংমক্তদা যাদু মন্ত্র অদু থৌরাং তৌনবা বাবানা য়াথং-পাওতাক পিথ্রবনি। মদুবু তৌথ্রবদি নংনা তুমিৎ তুম্মিগী মন্নুংদা, নংনা লৈনিংবা মফমদা লৈরবসু শিবদি শোইদ্রবনি।"

"ঐবু হাৎকদৌবগী মরম্মু করিগীনো?" দ্বৈপানা হংলকই। "ঐদি অরানবা অমতা তৌখিবা লৈতে।"

"ওরাং ফাওবদি বাবানা নংবু জ্ঞান য়াম্ম লৈবা, উইন কনবা অমসুং মবুকচেল চেৎপা নহা অমনি হায়না লৌরম্মী' বাতিকানা তুমিন্না হায়রকই। "অদুবু নংগী নওক কনবা মতৌ অদু উবদা নংবু লোইশিল্লগা লোইরে সপুক্লিংদা খন্দুনা, অচংবা থৌরানমিচাক ফাওবা য়েংথ্রবনি। অমা অমবু ওইরবসু মতম মাংহল্লম্নুসি। হৌগৎলো চৎথ্রো। উরি রারিগী মনাশিংনা শেম্বা হিদাক মহি অসি ঐনা নংগীদমক্তা শেমদুনা পুরকপনি, পুথ্রো। নংগী মরুপ পৈলানা পুরকপা মনা শীংনা হাপ্পা খাও অদু অসিদা লৈরে। ঐহাক্না থরাই কনবা ওম্বা উনা অহুম, জীবলা, নঘ-ঋসা অমসুং

জীবন্তী, অসিসু নংগী থাওদা হাপ্পবনি। অদুগা মখোয়শিং অসিদি মাগী মাগী মন্ত্রশিং অদু নিংথিনা অমস্তুং চুম্না থিদ্রবদি ফিদ্ধ পানজরোই." বাতিকানা হায়রকই।

দ্বৈপায়ননা নোক্লম্মী। "ঐন্না মন্ত্রশিং অদু খংঙি। মহা অথর্ব্বান্না পৈলাদা শোনবা মতমদা ঐনা তাহুনা চিন্দা পুহৌবনি। অহানবদা সরস্বতী তোর্ব্বান্দা অমস্তুং মৎংদনা মফম অসিদা মহা অথর্ব্বান্না শোনগ্রিবা অতুনি।"

বাতিকানা হরাওনা মমিৎ অহুনা নোক্লগা হায়রকই, "নং অসিদি অওকপনি," মপুক্লিং ফাবা ঙমদহুনা অমুক মখা তানা হায়রকই, "ঐদি নংবু নিংশিংহুনতা লৈরগনি।"

"অহুবু ঐনা অহিং অসিদা মতৌ করম্না চৎপা ঙমগনি? ঐদি লম্বাসু খংদে। অদুগা ঐগী মক্লপ্পা কমদোবা?" দ্বৈপানা হংলকই।

"মহাক চয়োল থরদি জ্ঞান তাদনা লৈখিবা তারি, অদু ওইরবসু, বাবানা মহাক শোইদনা ফরকনি হায়রম্মী। ঐখোয়না মাবু সেবা তৌনা শেন্নহুনা লৈগনি। লাকও চৎসি। ঐখোয়না নংবু চীংথোং ফাওবা থিনগে। থৌরানমিচাকশিংগী মণ্ডালদা ঐখোয়না লম্বী উবা ঙমগনি। খুদক অসিদা চৎহৌরসি." বাতিকানা হায়রকই।

মখোয়না উগী খুরুমশিং অদু তোংশিল্লগা শউন থৌরিনা চেৎনা ফাজিল্লম্মী। মতুংদা মখোয়না তুমিন্না মমাংথোং অদু হাং-দোক্লগা মপান থোরক্লুনা বনগী লম্বী তম্না চৎখিরম্মী।

মখোয়না চীংথোং অদু য়োরক্লবা মতমদা দ্বৈপানা মখোয়দগী

খিদায় নিরকই। মহাক্না স্থমন্তুদা ওনশিল্লগা হায়রকই, "গুরুগী অচানবা পরুব্রাশিং, ঐদি মহা অথর্ব্বান্দ গুরু অমা ওইনা চংজখ্রবনি। অহুনা ঐখোয় হৌজিক্তি ইচিন-ইনা" হায়বতু ওইবে। ঐনা নংবু অমুক্তা কোনক্পে," অসি হায়বগা মহাক্না সুমন্তুবু মুংশিনা কোল্লম্মী।

মহাক্না বাতিকাগী মফমদগীস্থ মখুৎ অনি অতু লোন্নতুনা বিদায় লৌবম্মী। 'ঐনা নংগী খৌজালবু খক কাওবা ঙম্মবোই। ঐহাক্ন য়াম্না থুনা হল্লক্তুনা গুরুদেবদগী আশীর্ব্বাদ লৌববা মতুংদা, ধর্ম্মক্ষেত্রবু ঐখোয়না অমুক হন্না হিগংহন্নবা তৌমিন্ননি।"

অসি হায়বম্মগা দ্বৈপায়নবা বনগী লম্বীগী মতুং ইন্না চৎখিবম্মী।

অথর্ব্ববিদ্যা

অথর্ব্ববিদ্যাগী মবমদা থাহনগী মুনি ঋষিশিংনা য়েংনতুনা কাংলুপ অনি থোকপগী রাক্ষম কয়ামরুম ঐখোযনা উবা ফংলম্মী। কাংলুপ অমনা বেদ শরুক অহুমতনি হাযবম্মী। মখোয় অহুদি ঋগ, যজু অমস্থং সাম বেদ অসিনি। অথর্ব্বান অহিবা নত্রগা ভৃগু অঙ্গিরা হানা থংনব কাংলুপ অসিনদি অথর্ব্ববিদ্য অসি বেদগী শরুক অমনি হায়না হাযবম্মী।

অথর্ব্ববেদগী মশ ওইবা শরুক অয়াম্বদি, যাতুবিদ্যা নাইবা শাবগী হিদাক লাংথক্কী মরম অমস্থং নৈবাক লেঙাক্লোন (বাজকম্ম) অসিনি। মী ফত্তবশিংনা তৌবকপা মাং তারবা ফত্তবা থবকশিং অহুগী ভাকথোক্নবা অমদি হন্নবস্থ য়াওরম্মী।

বেদ মথল অহুমতনি হায়ব। কাংবুনা চাউথংনা লৈরকপা মতমদা, যজ্ঞনচিংবা ধর্ম্ম-কর্ম্মগী থবকশিং ভৌবকপদা মরু ওইবা পুরোহিত মরি লৈগদবা অহুগী মনুংদা অথর্ব্বান পুরোহিত অমতা য়াওহল্লমদে। মতম থরগী মতুংদদি মওং অহু হোংদোকখিরম্মী। তপ্পা তপ্পা অথর্ব্ববিদ্যাবুস্তু বেদগী শরুক অমনি হায়বা য়ানরকপদা নত্তনা ব্রহ্মবিদ্যানা বেদগী খ্বাইগী মকোক অহুনি হায়নস্তু লৌনখিরম্মী। বেদগী যজ্ঞনচিংবা কর্ম্মশিংদা ফম্বা পুরোহিত মরি অহুগী মনুংদা ব্রহ্মাগী ফম অহু অথর্ব্বান অমনা ফমগদবনি। মহাক্কী মথৌদি অধ্বর্যু, হোতা অমস্তুং উদগাতা পুরোহিত অহুম অসিগী অশোইবা য়াওরকপ অহু চুমথোক চুমশিন তৌবনি। অধ্বর্য্যুনা কর্ম্ম অহুগী পুরোহিত মকোক্কি হোতানা মন্ত্রশিং অহু খোম্থোক চুয়া অমস্তুং ময়েক মশোল অমতা কাইদনা থিনবনি অমস্তুং উদগাতানা ঈশৈশিং অহু শরুবনি।

মমৈথংদদি ব্রাফম অসিমস্তু য়ানখিবম্মী, মহুদি কোন্নুংশিংগী পুরোহিত মকোক অহু অথর্ব্বান অমনা ওইগদবনি হায়না। মবমদি মহাক্কা (অথর্ব্বান্না) লৈবাক ভাক্লোনগী মবমদা, অনা-অয়েকশিংগী হিদাক পিবদা অমস্তুং পাঞ্জিগী মরমদা, নিংথৌদা পাওতাক পিনবগী-দমক্তনি।

১০ শুবা পন্দূপ

মহারাণীগী দ্বৈপায়নগা উনবা

দ্বৈপায়ননা হস্তিনাপুর য়ৌবকপা ওস্বা অসিদা মহাক্না য়াম্না হুংঙাইজরম্মী। ধর্ম্মক্ষেত্রবু অমুক হন্না শেমগৎনবা রাখল তৌরকপা মতমদা কুরুনিংথৌগী মতেং নত্তনদি ওইথোকপা য়াবগী লম্বী অদু মহাক্না উবা ফংলমদে। কুরুশিংগী কোন্নুং ওইরিবা মফম অসিনস্তু পুন্নমক্কী ময়াই অদু ওইরম্মী।

চহি য়াংথৈ তরুক তরেৎলোম শুরবা নিংথৌ শান্তনুনা কুরুশিংবু লান্দা অনস্লুং শান্তিদা লমজিংতুনা লাক্লম্মী। চহি কুন চংলকপা মতমদা মহাক্না নিংথৌগী থুভম ফংজরম্মী। অকিবা লৈতনা তনথিরবা লান কয়া মহাক্না মাইয়োক্নরম্মী। হৈহয়গী কাংবুনা আর্য্য নিংথৌশিংবু ওৎ-নৈরকপা মতম অদুদা মহাক্না চহি কয়ামুক চংনা থিংবতা নত্তনা মথোয় অদুবু মক ফংনা মাংহনখিরম্মী।

য়াম্না লৌশিং শিংবা অনস্লুং মপাঙ্গল মথৌনা য়াম্না লৈবা নিংথৌ অমা ওইবনা, মহাক্না আর্য্যাবর্ত্তগী নিংথৌশিং অয়াম্বা মখা পোলহন্দুনা থম্লগা, লৈবাক মরা তপ্না অমস্লুং ইংনা পাল্লম্মী। চহি কুন্থা মডা লৈবাক নিংথিনা ঙাক্লকপা অদুনা মরম ওইদুনা, মবুধৌ ভরতনা ফংখিবা থুভম "চক্রবর্ত্তী" অদু মাস্তু ফংলম্মী।

লানগী অরানা চৈথেংনা, মফম মরাং খংদনা লৈনরিডৈ মতম অদুদদি মসিনা আর্য্যানি, মতুনা নাগনি অমস্লুং মথোয়শিং

অসিনা অহুনি-অদানি হায়বা জাতি-বিজাতিগী রাক্ষস অহু থিনদনা, লান অহুত্তা মাই পাক্লগা লোইরে থন্দুনা অমত্তা ওইনা তিন্নরম্মী। জাতি অমগা অতোপ্পা জাতি অমগা চাবৌ-মৌরৌনবম্মী। জাতি অমগী লাইগা অতোপ্পা অমগী লাইগস্থু অহুম তিন্নগা নিংমিন্নবম্মী।

মতম অহুদা লাম্না মরম ওইহুনা বেদগী প্রচারশং ওইরিবা আশ্রমশিং অয়াম্বস্থু মা থিবম্মী ধর্মক্ষেত্র হায়না খংনবিবা চাউশংলবা মফম অসিস্থু, চুম্নগী মসিং অমা ওইনা লেবম্মী। আশ্রমশিংদা লৈরম্বা অশেংবা মফম পুম্নমক্কী মশিক মযাই অহুস্থু মাংথিরম্মী। যজ্ঞশিং অয়াম্বা মতম শাংনা, কবিগুরুদনা চহি কয়া চংনা শ্রোত্রিয চাম্ম-চাম্মনা শরুক য়াদ্রুনা, লৈবাক পুম্নমক্কী ওইনা তৌনবম্বা অহুস্থু তোকখিহুনা, চুম্নগী ন্নুংঙাইবা পাম্বা নিংথৌ থরতনা, কুম্মৈ-গুম্না নোংমা নিনিদং তৌবগা লোংশিন্নখিরম্মী।

শান্তনুগী থাকচবা লৈতনা তৌবকপ। দান অহুনা মুনি ঋষিশিং কয়াগী মতেং ওইবম্মী। মহৈ মশিং তম্বা পাম্বা মীশিং অমস্তুং শ্রোত্রিয়শিং কয়াগী খুদোং চাবা ফংহুনা মখোয় মখোয়গী মথৌশিং অহুদা মথক্লাই য়াম্না য়াওনবম্মী। অদুবু মখোয়গী মবক্তা থেন্নবা খরস্থু লৈতবদি নত্তে। খবনা থাইনগী মপা মপুশিংগী মতুং ইন্নম্মী, অমস্তুং অতোপ্পশিং খবনা শিবগী পূজা তৌনবম্মী। অহুম ওইনমক শান্তনু নিংথৌনদি মখোয় পুম্নমক্কী মফমদা চপ মান্নবা অহুম য়েংলম্মী। ইতোপ তোপ্পা খরা অমদি পুম্নমক অসি ইথা থাজদনা লৈথোকপস্থু য়াওবম্মী।

মতম অসিদা মসিনা চৎনবীনি হায়হুনা করিমত্তা লৈরগদে

অতুম ওইনমক বেদতনা য়াংলেন শরু অমা ওইনা থাজনদি লৈনরম্মী অমস্থুং শ্রোত্রিয়শিংনসু মফম খুদিং কোইচৎ চত্তুনা বেদগী মরমদা ঙাং শকপদা নত্তুনা তম্বা ফাওবসু তম্বীবম্মী।

হস্তিনাপুরদা হেক য়োবগা দ্বৈপায়ননা লাইশিংগী লাই ওইবা "প্রতিপেশ্বর", প্রতিপ নিংথৌনা লিংখৎপা হৌরম্মগা মচান্নপা শান্তনু নিংথৌরেন্না মপুং ফানা লোইশিনখিবা, লাইগী লাইশং অতু তম্না, অপনবা শৌদনা চংলম্মী। মপাগা লোইননা দ্বৈপায়ননা বদরীকাশ্রমদা চৎপা মতম অতুদা, হায়বিবা মফম অসিদ মখোয়না মতম খরা পোথাত্তুনা লৈরম্মী।

দ্বৈপায়ননা লাইশং মনুংদা চংলগা মতম খর পোথাত্তুনা লৈবা য়াবা মফম লৈরবা হাংত্তুনা কোইচৎ চৎনা কোইহং হংলম্মী। মহাকপু, য়াম্না নোল্লুকপগা লোইননা, শ্রোত্রিয়শিংগী থুংফম, লাইশংদগী তোঙান্না লৈবিবা হৈনৌ বন অতুদা, নিংথৌগী মাশিং অতুনা পুরগা মাগী লৈফম পিরম্মী।

মাগী লৈফম খংলবা মতুংদা দ্বৈপানা গঙ্গাদা চত্তুনা ইকুজরগা নুমিৎ য়ুংবগী সন্ধ্যা অহ্ পাংথোক্লম্মী। মহাক্না হৈনৌবন অতুদা হল্লকপা মতমদদি অতিথিশিংগী পিজ-পিথক তৌবা মতম অতু লোইরমত্তুনা কনা অমত্তা লৈবমদ্রে। যম পানবশিংনা চান থক্লবগী রাথলতা তৌত্তুনা লৈবা মতৌ অতুবু হঙ্গোইনা খনবদগী, চবা হেন্দুনা লৈবনা হেন্না ফবে হায়না মহাক্না খল্লম্মী।

দ্বৈপায়নগী মপুক্লিংদা নিংহন্নবা পোক্লম্মী। মহাক্না হস্তিনাপুর অসিদা ওন্থোক্না ফংখিদ্রবা তাঞ্জাদা য়োরক্লম্মী। নিংথৌরেন অসি

খাংলেন্দুনা, শিগদবগী মতম অদুতা ওাইদুন লৈবম্মী। কনা অমতনস্মু ধর্ম্মক্ষেত্রগী মরমদা ৱাবি শানবা মহাক্না তাবা ফংলমদে।

অস্মুক শক্তি লৈববা নিংথৌবেন শান্তনুগুম্বা অমগা উনবা ফংনবগী হোৎনবা মতৌ অদুবুস্মু মহাক্না খংবা ঙম্লমদে। মন্ত্রি কুনিক্না অতিথিশিংগী মফমদা হায়জবদগী, অতিথিশিং ময়াম অদুনা খাংলেন্দুনা লৈরবা নিংথৌবেনগী মফমদা আশীর্ব্বাদ পিবা চংগদৌরি হায়বসি খংদুনা মহাক্না, মহাকস্মু ময়ামগী মবক্তা য়াওশিল্লগে হায়না খল্লম্মী।

মহাক্না শেৎলিবা শজি মউন অদুস্মু শেগাইবে অমস্মুং যাম্না মোংলে হায়বসি দ্বৈপায়ননা খংলম্মী। লম্বী শাংনা মুমিৎ কয়ানিমুক চাদ-থক্তুনা লাকপা অদুদা মহাক য়াম্না ৱাবম্মী। মহাক্কী ঈ থাংদবা মমাই অদুনা তাকপদি মহাক মতম শাংনা, মুমিৎ কয়ানিমুক চারক থল্লক্রে হায়বনি।

মন্ত্রি কুনিক্না মাগী মতৌ অদুবু খংলা উববস্মু কবিমতা থৌশা-বিরমদে। "মহাক কদাইদগী লাকপনো ইবুংঙো মুনি ?" কুনিক্না দ্বৈপায়নদা হংলকই। মহাক্কী ৱাহং অদুনা মাবু চিংনরে হায়বসি দ্বৈপায়ননা খংবা ঙম্লম্মী।

"ঐহাক ধর্ম্মক্ষেত্রদগী লাকপনি," দ্বৈপায়ননা খুম্মলকই।

"ধর্ম্মক্ষেত্র !" খংলপ তৌনা কুনিক্না হায়রকই। "কৈশালশিংগী লম অদুদগী ? নংনা মফম অদুদগী মতৌ করম্না হিংমা লাক্লিবা ?"

দ্বৈপায়ননা মন্ত্রিগী থৌওই উংশিত্তবা মতৌ অদুবু থৌশাদনা

খুম্লকই, "চুম্মি ঐ মফম অদুদগী লাকপনি। লাইনা ঐবুদি কনবিরম্মী।"

"নংগী গোত্র (শাগৈগী মিং) করিনো?" মন্ত্রিনা হংলকই।

"পরাশর গোত্রনি," দ্বৈপায়ননা খুম্লকই।

কুনিক্লা নহা ঋষি অসিনা মাবু মীনমলে হায়না মপুক্লিংদা খল্লম্মী। মহাক্লা হংলকই, "নহাক, মুনি পরাশর, মহামুনি বশিষ্ঠগী মশুদ্পা অদু কদায়দা লৈ খংব্রা।"

"মহাক্তি মপা মপুগী লৈবাক্তা চৎখ্রে।"

"মুনি অদুদি কদাইদা শিখি?"

"মহাক্লা মহাক্কী আশ্রম ওইরম্বা মহৌশাগী মফম, সহস্র অর্জ্জুন্না মৈ থাদুনা উৎকী লমহাং ওইহনখ্রবা অদু য়েংবা চৎপা মতমদা কৈশালশিংনা মাবু হাংখিরম্মী," দ্বৈপানা খুম্লকই।

"নংনা মদুদি করম্না খংলিবা?" কুনিক্লা হংলকই।

"ঐহাক ইশামক য়েংবা চৎপা অদুদা য়াওরম্মী" দ্বৈপায়ননা খুম্লকই। কুনিক্লা মাগী চিংনবা অদু কোকপ ওমদ্রবসু, অতিথি ময়াম ভাইদুন লৈরিবা অদুবু অমুক কুইথনা থম্নিংদদুনা, ময়ামদা ইঙ্গিৎ অমা তৌরগা দ্বৈপায়নবুসু চংলসি হায়দুনা নিংথৌরেনগী কাদা পুশিনখিরম্মী।

মন্ত্রি কুনিক্লা লুচিংদুনা অতিথি ময়াম অদুনা, মতম ভাইদুনা লৈরবা নিংথেরেনগী কা অদুদা চংলম্মী। কা অদুগী মমাং ওইরপা নিংথৌগী পুরোহিতশিং খরনা নিংথৌরেনগী অনাবা অদু কোক্লবা হায়দুনা, অশেংবা মৈফম লিংখৎলগা পূজা তৌদুনা লৈরম্মী।

নিংথৌরেনগী কা অসি হুংশিং-হুংশা নিংথিনা চংবা, থোইদোক

হেন্দোক্না চাউরবা কা অমা ওইরম্মী। কোন্নুংগী পুরোহিত মকোক অতুনা কাচিন অমদা ফয়নগা প্রার্থনা মন্ত্রশিং থিরম্মী। খরা থাপ্তুক্না শ্রোত্রিয় অনি অহুম্না লাইশিংগী মাইবা অশ্বিনীকুমার মচিন-মনাওবু পূজা তৌতুনা লৈরম্মী।

থম্মোই কল্লবা যুবরাজ গঙ্গেয়না নিংথৌরেনগী ফমুং মনাক্তা লেপ্তুনা জ্ঞান য়াওদ্রবা নিংথৌরেন্দা মপুক্লিং খোইরাংনা য়েংতুনা লৈরম্মী। অতোপ্পা নাকন্দা, ফমুং অতুগী লুথুমময়া ওইনা, মহারাণী সত্যবতীনা, মমাই অতু সনানা ফিবাল চনবা ইন্নফি অমনা, মাগী মমিত্তুগী তারক্লিবা মপিশিং অতু উদনবা হায়তুনা খুম্নগা ফম্লম্মী। মচানুপা চিত্রাঙ্গদা অমস্তুং বিচিত্রবীর্য্য অনিনা মমাগী নাক য়েংতা লৈরম্মী।

মহারাণীগী মনাক অতুদা মীরৈবাক্কী থোইদোক হেন্দোক্না শীত্র লৈতনা ফজরবী লৈশাবী অনিনা কাংহায় চামোর পাইতুনা তপ্পা তপ্পা চাং নাইনা হুমতুনা নিংথৌরেনগী থৌগল তৌরম্মী।

যুবরাজ গঙ্গেয়না মখুৎ লোন্নতুনা, অতিথি ময়ামগী মফমদা নিংথৌরেনগী মনাক্তা চংলক্কবা ইঙ্গিৎ অমা পিরম্মী। দ্বৈপায়ননা নোল্লুক্না ময়াম অতুগী মমাংদা লেপ্লম্মী। ময়াম পুন্নমক অতুনা মখুৎ থাঙ্গৎলগা মন্ত্র থিতুনা নিংথৌরেনগী মফমদা আশীর্ব্বাদ পিরম্মী।

মন্ত্র অতুনা থিবা হেক লোইবা মতম অতুদা, যুবরাজ গঙ্গেয়না মখুৎ অমুক লোন্নতুনা ময়াম অতু কা থাদোক্তুনা চংখিনবা

ইঙ্গিৎ তৌরম্মী। মযাম পুম্নমক অতুনা থোকখ্র ফাওবদা, দ্বৈপায়ননা কা অতুদা লৈহৌতুনা যুবরাজদা মুন্না য়েংতুনা লৈরম্মী।

যুবরাজ গঙ্গেয়না আর্য্যাবর্ত্তগী মফম পুম্নমক্তগী মীশিংনা অরৎ-অথম নাইদনা হস্তিনাপুরদা লাক্লগা, করিস্নু কান্নদবদা, নিথৌ-রেনগী য়াইফনবনি হায়দুনা তৌরবিবা মতৌ অতুবু মপুক্লিংদা য়ানিংদবা পোক্লম্মী। মহাক্লা, মরম অতুনা, মোংলবা অমস্তুং মল্লবা শক্তি মউনগী ফিজেৎনা মাগী ওইববা, অতুগীস্নু মথক্তা চবাম চদংনরবা নহা ঋষি অতুনা অতৈ পুম্নমক্লা চংখ্রবস্নু চক্তনা লৈহৌবা মতৌ অতু উবদা, থোইদোক হেন্দোক্লা শাওনিংবা পোক্লম্মী।

"ঐনা নিংথৌবেনগী ফমুং নয়াদা চংবা য়াবগী য়াথং অতু নঙোন্দগী ফংবা য়াগদ্রা?" দ্বৈপায়ননা হংলকই।

খাংঙমদনা যুবরাজ গঙ্গেয়না মপুক্লিংদদি রাবৌরম্মী। মহাক্লা রাহৈ খরতদা হায়রকই, 'যারোই ইকাইখুম্নবগী মশক ওইরবা ইবুংঙো। চানবিতুনা লেংথোকখ্রো।"

রাহৈশিং অতুদা মতিক চাবা ব্যবহার য়াওইদি হায়রবু, ঙাংথোরক্লিবা খোন্দা অতুদি ইকাইবা পিবা নত্তন অতৈ করিস্নু ওইরমদে।

লমচৎ ফজরবদা অমস্তুং মরুক ঈংবদা মাগুম্বা লৈত্রবা দ্বৈপায়ন, মাগী ইচম চম্না নোকপা মিনোক অতুনা অশাওবা কযাগী থম্মোইবু জয় তৌবা ঙমখিবনি অতুবু যুবরাজ গঙ্গেযগী মফমদদি মাইথিবা ফংখিরম্মী। মহাক্লা ফুম্বংননা লৈরম্মী।

গঙ্গেয়না অমুক হন্না হংলকই, "নংগী অপাম্বা করিনে?"

দ্বৈপায়ননা মাগী মখুৎ থাঙ্গৎলগা চীংলেম্না হায়রকই, "পুকচেল চাউরবা যুবরাজ ঐদি পিবা লাকপনি নিবা লাকপা নত্তে।"

নহা অসি মঙক কনবা ঋষি অমনি হাযনা গঙ্গেয়না খন্দুনা মমাই লৈথোক্লগা দ্বৈপারোমদা মনঙ্গন ওনশিল্লম্মী।

দ্বৈপায়ননা অথাপ্পা মফম অতুদা লৈতুনা নিংথৌরেন্দা আশীর্ব্বাদ পিরম্লগা মথল্লাই মুংঙাইতনা থোকখিরম্মী। মহাক্না হস্তিনাপুরদা লাকপগী আশা পুম্নমক অতু অরেম্বদা তাখিরম্মী। মহাক্কী অমতা ওইবা রাখল নিংথৌরেন শান্তনুগী মতেং লৌতুনা ধর্ম্মক্ষেত্রবু অমুক হন্না শেমগৎকে খল্লম্বতু তোনতেক্লখিরম্মী। যুবরাজ অসিগী মফমদগী মতেং ফংগনি হায়বা অদুস্থু মহাক্না থাজবা পোক্লমদে। মাগী মপুক্লিংদা লৈবম্বা থাজবা অতু মচেৎ মচেৎ কাইবা হৌবক্লম্মী। মহাক্না, মহাক্না হৌজিক মতম অসিদা ফংলিবা অরাবা খুদোংথিবা ময়াম অসি মাইয়োক্লবদা লমজিংতুনা পাণ্ডতাকশিং পিবিনবা, মপাবু হিংতুনা লৈহন্নীংলম্মী।

মহাক্না শঙ্গাই মাঙ্গোলদগী কুমথতুনা খোংকাপ অহুম মরিদং হেক থাংলকপা মতমদা, অহল ওইরবী নিংথেম মুবী, ফিজেৎলাকচেৎ থোইদোক্না চংখোন্না ফজবী অমনা, পবপ পরপ তান্নবক্লুনা মঙোন্দা খুবম্লগা হায়জরকই, "ইকাই খুম্নবগী মশক ওইরবা ইবুংঙো, ইবুংঙোদি অথাপ্পা মফমদগী লাকপা মাল্লি। ইবুংঙোবু চাব থকপা তৌবিগ্নরা?"

"চাদ্রি," দৈ্বপায়ননা খুল্লকই। "ঐনা অতিথিশিংগী মফমদা চান-থক্লবা য়েনবা লোইশ্রবা মতুংদা লাইশংদা থুংলম্মী।"

পুকচেল চাওরবী ঐগী ইবেম্মা মহাদেবীনা, ঐগা লোইননা ইবুংঙোনা শঙ্গাই তাম্না চৎলগা, চাবা-থকপগী থবক অদু তৌহন-নিংলম্মী " নিংথেম মুবীনা হায়জরকই। "ইবেম্মনা ইবুংঙোবু য়াম্না চোকথনা উরম্মী, অদুগী মথক্তা যুবরাজ গঙ্গেয়না ইবুংঙোবু তাম্বোক-খিবা মতৌ অদু উবদা। থোইদোক্লম্মু নুংঙাইরমদে। ইবুংঙোনা যুবরাজগী মফমদা ন্নারোদনবম্মু হায়বিথু হায়না ইবেম্মনা হায়জরকই, মরমদি মপাবুং নিংগৌরেম্না অনাবা খাংলেন্দুনা লৈথিবদগী যুবরাজগী মশাদা অফ-ফত্ত ন্নাখল অমতা খংদনা লৈখিরম্মী।"

দ্বৈপায়ননা চীংলেম্না হায়রকই, "ঐহাকপু তাম্বোরকপা মতৌ অসিনা তাকপদি হস্তিনাপুর অসিদা ঐগী চন্নফম মফম অদু লৈত্রে হায়বনি। ঐহাক্না চাদনা চৎলবম্মু থোইদোক্তে হায়না নবেম্মদা হায়বিয়ু।"

"ঐগী ইবেম্মগী ন্নাশক অমদি লৈজরম্মী, মদুদি কনাগুম্বা শ্রোত্রিয় অমতনা চাখি-থকখিদনা কোম্মুং অসি থাদোক্লনা চৎহনখিবা য়ারোই হায়না," ন্নাহৈ খরসি হায়রগা নিংথেম মুবীনা মখা শমথরকই, "ইবুংঙোগম্মু ইবেম্মনা উগ্নবা পাম্লম্মী।"

"করি মরমগী?" দ্বৈপায়ননা হংলকই।

ইবেম্মগী থম্মোইদা, ইবুংঙোগী ন্নাহৈ খন্না অদুনা থুক লাওবা পোকহল্লম্মী। "ঐদি নিবা লাকপা নত্তে, পিবা লাকপনি," হায়বা ইবুংঙোগী ন্নাহৈ অসি ইচম চম্বা, কান্নদবা অমা নাত্তে

হায়বসি ইবেম্মনা লৌরম্মী। নিংথৌরেনগী অনাবা অসি ইবুংঙোনা ফহনবা ঙমগনি হায়না ইবেম্মনা থাজবা পোল্লম্মী," নিংথেমনুবীনা হায়জরকই।

"ঐহাক্না কোম্নুং মনুংগী ইমুং মনুংগী থবক্তা, নমথুনা খুৎ থিংজিনবা অথু পামদে." দৈ্বপায়ননা হায়রকই।

"ঐগা লোইননা লেংলসি," নিংথেমনুবীনা হায়জরকই। "মপুকচেল চাউরবী ইবেম্মনা, ঐনা ইবুংঙোবু মাগী মনাক্তা পুশিন্নবদি ঐহাকপু কৈদৌনুংদস্মু ঙাকপিবা তৌররোই।"

দ্বৈপায়ননা ঙাইহাক ৱাখল তৌরগা হায়রকই, ' য়াম্না ফরে। ঐনা চত্তুনা নংগী ৱানবা তৌবথু ঐনা পামদ্রে." অসি হায়রগা মহাক্না নিংথেমনুবীগী মতুং ইন্না চৎখিনা শঙ্গাই অচৌবা অথুদা চংখিরম্মী। কা অচৌবা অমদা নিংথেমনুবীনা ফিদা থাতুনা মহাকপু ফমহল্লম্মী।

শঙ্গাই কাজাও অথুগী অরোইবা মফম অথুদা দৈ্বপায়ননা থোইদোক্না লম হেন্না চাউ-শাংদবী, মগুণদি লৈনা, চীংলেম্না নিংথিজবী মুপী অমনা, লাইশং মচা অমগী মমাংদ', রুমাল অমনা মমিৎ মমাই খুমজিল্লগা ফমথুনা লৈবথু উরম্মী। দ্বৈপায়ননা মহারাণীবু উবা খুদক অথুদা থাপ্নরবস্মু হৌগত্তুনা ইকাইখুম্নবা উৎলম্মী। মহারাণীনা ঋষি অথুবু উত্নুনা হৌগৎলগা মখুৎ লোন্ননা ঋষিরোমদা খোংফম অমা থাংজিল্লম্মী। দ্বৈপায়ননা মাগী মখুৎ অথু থাঙ্গত্তুনা আশীর্ব্বাদ পিগে তৌরকপা মতম অথুদা মহারাণীগী মমাই মমিৎ খুম্লিবা রুমাল অথুনা নাম্থুনা পৃথিদা তাখিরম্মী।

মহারাণীগী মশক অদু উবদা দ্বৈপায়ননা অওকপা অমগা লোইননা মমিং লাওনা পাংথোক্লম্মী। মহাক্কী মথুত্তা পাইবিবা চৈশু অমস্তুং য়ুবী থুজাই অদু, থংহৌদনা লৈবাক্তা তাখিরম্মী। লেমজনিংঙাই ওইবা শক্তম, ইরং লংনা ফজবা মিৎশিং, পিক্তক্লা তাবা মখোংশিং অমস্তুং চহি কয়ামুক অদুনস্তু হুদুনা পুখিবা ঙমদ্রবা চাংলেম্না। ফজবা মাগী মাইথোং অদুনা লৈরম্বা মতৌ অদুবু উবদা মমানি শোইদ্রে হায়বসি মহাক্লা খংলম্মী। মহারাণীনা নহা মুনি অদুগী ওইথোক্তবা শাজৎ, চংনবীগী ব্রাংমদা, মাগী মখোংদা তুদুনা খুরমজরকপা মতৌ অদু উবদা ইঙক ঙক্লা হন্দোক্তুনা লৈরম্মী।

অদুম ওইনমক, দ্বৈপায়ননা হৌগৎলকপা মতমদা, মুনি নহা অদুগী ইচম চমজবা মাইথোং, মোমোন নোকপা মিনোক অমস্তুং থৌজাল হৈবগী মিংয়েং পুন্নমক অসি উকুবদগী, চহি কয়াগী মমাংদা কায়নথ্রবা মচানুপা, চহি তকক্তা ঙাইজখ্রিবা অদুবু খংনিং নিংশিংলক্তুনা, মনাই থুপীশিং লৈবি হায়বা ফাওবা কাওথোক্লা, চংনবী পুন্নমক থাদোক্তুনা মখুৎ তিংথোল্লগা 'কৃষ্ণ' হায়না কৌরম্মী।

দ্বৈপায়নস্তু মমাগী মতৌগুম্না ইথক্লা থুমহৎখিদুনা, হবাওবগী মপিগা লোইননা হিক্লা হিক্লা কপ্তুনা মখুউ লৈতানা মমাদা কোনশিজরম্মী।

লোইনবী নিংথেম নুবীশিং অদুনা, ওইরক্লিবা থম্মোই শোক্লবা মতৌ অদু উবদা, কা অদু থাদোক্তুনা চংখিরম্মী।

"কৃষ্ণ, নপা ইবুংঙোদি কদাইদা লৈ?" মহারাণীনা হংলকই।

"থা মরিগী মমাংদা লৈখিদরে, ঐখোয়না উংকী মশক ওইরবা লমহাং অতুদা কোইবা চংলুবা মতমদা বাবাবু কৈশালশিংনা হাং-খিরম্মী," দ্বৈপায়ননা খুল্লকই।

"নংগী বাবা মুনিনা হিংলিঙৈ মতমদা নংগী ব্রহ্মচর্য্যগী মতম অতুদি মপুং ফাহৌরব্রা?" মহারাণীনা হংলকই।

"লোইহৌরে ইমা," দ্বৈপায়ননা খুমজরকই।

"নহাক নতোম্মতরা?"

"ইমানা পৈলাবুদি খংবিরম্বা য়াই, অদুবু কাওবিরব্রা? মহাক ঐগা লোইনবকপনি, অদুবু য়াম্না থিনা খুদোংথিবা নংহুনা মহাক আশ্রম অমদা লৈহৌবে," অসি হায়রগা দ্বৈপায়ননা মমাদা হংলকই, "চহি মতম অম্মুক কুইখ্রবগী মতুং অসিদম্মু ইমানা ঐবু খংবা ওব্রা?"

"ঐহাক্না মতম পুম্নমক্তা নংগী নশক অদু তশেং তশেংনা উদুনতা লৈরম্মী। ঐনা মতৌ কবম্না নংগী নমিৎ মুংশিবা অমদি ফজবা মিনোক অদুবু কাওবা ঙমগনি! নংগী নতৌশিং অদুদি ইমানা কনাগী মফমদম্মু উবা ফংলমদে। অদুগা করি কবিগুম্বা মতমদা নংনা ইমাবুদি নিংশিং-লাকশিনলকপ্রা?" মহারাণীনা হংলকই।

"ঐনা নংবু করম্না কাওবা ঙমগনি ইমা? বাবানা খুপথ্রবা মতুংদম্মু ঐনা নংবু উন্নগে খন্দুনা কল্লীদা চংলম্মী।"

"কল্লীগী মীশিং অদুদি করম তৌহৌই?" মহারাণীনা হংলকই।

"ঐহাক্না কল্লীগী খুঙ্গাশিংগা উনহুনা নংগী মরম হংবদা, নংবু নিংথৌ অমনা লাক্লুনা পুখ্রে অদুগা অবোক অমম্মুং ইবুঙ্গৌ অনিবুনা মী থরগা লোইননা কল্লীদগী চৎখ্রে হায়রকই।"

"ইহে ঐদি নংনা করিমতা চাদ্রি হায়বা ফাওবা কাওথোক্লুবে," অসি হায়রগা মহারাণীনা খুবাক খুহুনা মনাইনুপীশিং কৌরম্মী। মখোয়ন য়ৌরক্লবা মতমদা দ্বৈপায়নগী চান-থক্লবা পুরকউ হায়দুনা য়াথং পিবম্মী।

নিংথেম নুবীশিংনা পুবকপা চান-থক্লবশিং অদু চাবিঙৈগী মতমদা মহারাণীনা সনা অমম্মং লুপানা হত্তুনা শাবা ফাল অমদা ফমহুনা য়েংলম্মী।

চহি তরাহুমদোইগী মথাংদা মমা মচা অনিনা ওন্থোক্লা হুংঙাইত্তবা মওংদা কাইনখিবম্মী। অদুবু অওকপা মতমগী য়াওলনা পুবক্লুনা মখোয় অনিনা, অমুক হন্না, অমনা ধর্মদা মশা পুন্নমক কৎথোকখ্রবা মুনি অমা ওইনা অমম্মুং অতোপ্পা অমনা চাউববা নিংথৌবেন অমগী মহারাণী ওইনা, উন্নরম্মী।

"ঐনা নংবু হেক পাম্লকপা মতমদা কৌরকউ হেক্তা লাক্কে হায়দুনা নংনা ঐঙোন্দা রাশকখিবদু কাওবব্রা?" মহারাণীনা মচাদা হংলকই। "ঐহাক্না নংবু হুমিৎ খুদিংগী কৌরম্মী।"

"ইমাবু ঐনা কবয়া কাওবা ঙমগনি?" মতম চুপ্পদা ইমানা ঐগী মাংদা লেপ্লুনা লৈ। নংনা কৌবকপা নখোল অদুবুস্লু ঐনা তাবা ফংলম্মী— অমুক্না কৈশালশিংগী লমহাং অদুদা অমম্মুং অতোপ্পা অমনা মহা অথর্ব্বনগী আশ্রমদা 'কৃষ্ণ, নং কদাইদা

লৈ ? নংনা লাক্লিবা করিগীনো ?' হায়না অতুগা লাইশিংনস্থু চানবিহ্না ঐবু নংগী ননাক অসিদা পুবিরক্লিবা অসিনি," অনি হায়রুনা মোমোন নোক্লগা মহাক্লা মখা তারকই, 'অতুগা ঐনা কল্লীদা লৈরিঙৈদস্থু, সনা খোংনাং মনা অমা চফু অমগী মন্থংদা হাপ্পগা নংগী নফমদা, নংনা ঐবু ঙাকপিনবা হায়রুনা যমুণাগী ঈশিংদা, নংগী ননাক য়োনবা, থাদরুনা তাওহনখিবনি।"

"করিগীদমক্তা ?" মহারাণীনা হংলকই।

"নংবু কল্লীদা হুন্দোক্লম্মগা ঐনা চংখি হায়রুনা নংনদি শাওরম্মী।"

"ঐনা নংবু শাওখিবকা নংনা থেংনগ্রব্রনে কৃষ্ণ ?" মহারাণীনা হংলকই। "নহাক্লা ঐগী শাওনবা থবকস্থু তৌখিবা খক লৈখিদে "

চৈরক অসিদা মহারাণীগী ইঙ্গিৎ থংলবী মীনাইহ্নুবী অমনা নিংথৌ মচা নুপা চিত্রাঙ্গদা অমস্থুং বিচিত্রবীর্য্য, চহি তরামাথোই অমস্থুং তরা শুরবা অঙাং অনি অহুবু পুশিল্লক্লম্মী। অঙাং অনিমক মশা পাই, ময়াং কংঙি অমস্থুং মমাই অহু তাইফেং তাইনা ঈ থাংলমদে। নিংথৌগী মচা ওইবনা কেথোক-মৌথোক্লা অমস্থুং চাউথোক্লা য়োকপা মরম্না, মখোয়না খিৎতং চানিংবা পোৎ অহু অহল লমন অমদি মনাই মশলশিং অহুনা হেন্দোক থোইদোক্লা পিজ-পিথক তৌরবস্থু 'চাগনবা য়াংগংবা, শুগনবা লাইরবা' হায়বা অহু ওইরম্মী।

অঙাং অনিনা মমাগী মমাংদা মখুৎশিং অহু লোম্নরুনা ইকাই খুম্নবা উৎচরবস্থু মমানা, মহারাণী অমা ওইবগী হৌনবী, ইকাই

খুম্নবা অদু থমদনা, চমোংনরবা মুনি অদুগা নকশিন্ননা ফম্মিন্নবা মতৌ অদু উবদা মখোয়না. মখোয়গী নুংঙাইতবা অদু মচিন্না ফোংদোক্লনস্ত, মখোয়গী মিৎয়েং-নায়েং অদুনদি তাক্লম্মী।

মহাবাণীনা মচা অনিদা ওনশিল্লগা নুংশিনা হায়রকই, "ইচাশা, মহাক অসি কৃষ্ণদ্বৈপায়ন কৌবা, মহামুনি পরাশরগী মচা নুপা অদুনি। মহামুনি অদুগী থৌজাল ফংবদগী ইমানা ঙসি নপাবুং নিংথৌরেনগা লুহোংদুনা নখোয়বু ইচা ওইনা ফংজবিবা অসিনি। দ্বৈপায়ন অসি নহাদি ওইবি, অদুবু মহাক্না কন্না হোৎনজবগী মপান্না মপাগী মহৈ মশিং পুম্নমক অদু মহাক্না ফংজহৌরবনি। মহাক্কী মখোং শোক্লা খুবমদুনা আশীর্ব্বাদ নিজহৌ।"

অঙাং অনি অদুনা দ্বৈপায়নদা মকোক নোল্লগা মখুৎশিং অদুদি লোনবোই লোন্নদবোই তৌরম্মী। চিত্রাঙ্গদানা মমাদ লৈশিল্লগ হায়বকই, "মুনি অসিবু পাবুং উন্নগে লাকপদা, য়াম্মুং গঙ্গেয়না তান্থোকখিবা অদু নত্রনে"

মাগী উশিং থৌওইদবা য়াওহশিং অদুবু থৌশাদনা দ্বৈপায়ননা, অঙাং অনি অদুদা মোমোন নোক্লগা আশীর্ব্বাদ পিবিরম্মী।

"ইনা নঙান্দগী মহাক্না কবিদি নিরি?" বাচিত্রবীর্য্যনা হংলকই।

মমাগী মাইথোংদা নুংঙাইতবা মতৌ অদু উদুনা দ্বৈপায়ননা মরক থংনা হায়রকই, "ইবুংঙো নিংথৌমচা ঐহাক্না পুকচেল্ল চাওরবী মহারাণী নত্রগা অতৈ কনাগী মফমদগী অপাম্বা অমতা

লৈতে। ঐহাক্না নযাঙ্গুং গঙ্গেয়দা হাযথ্রিবা অত্নুনি, ঐদি লৌবা লাকপা নত্তে, পিবা লাকপনি হায়না।”

“নংনা ঐখোয়দা করি পিবা ঙমগদৌরিবা?” চিত্রাঙ্গদানা থোঙই উৎশিত্তনা চাউথোক্না হংলকই।

“ঐনা নখোয়গী নফমদা লাইশিংগী মতেং, মতম চুপ্নদা মাংদনা লৈবগদবা ‘বেদবু’ পিবা ঙমগনি,” দ্বৈপানা খুম্নকই।

মহারাণীনা মচা অঙাং অনিগী মতৌদা পেন্দত্নুনা, রা মথা অমুক তাবক্তনবা হায়ত্নুনা, মখোয়বু মুনিদগী য়াথং লৌবগা চৎথোক্রো হায়বম্মী। অঙাং অনিনা য়ানিং যানিংদনা মফম অত্নুদগী চৎখিবম্মী।

মখোয অনিনা মীনাইস্নুবীগা লোইননা চৎপ্রবা মতুংদা মহারাণীনা দ্বৈপায়নদা হায়বকই, “কৃষ্ণ, ইমাদি যাম্না অবাবা ফিভমদা লৈরে। ঐনা আর্য্যপুত্রগী অনাবা অসি ফহন্নিংঙি ইচাশিংগী তুংগী মরাইবক অত্নু মত্নুতনা লেপকদৌরিবনি।”

মহাক হৌজিক্তি মহারাণী অমা ওইখিদ্রে মহৌশাগী ঙা থিবী মুপী অত্নুগী মতৌ ওইত্নুনা মচাগী মফমদা মাগী অরা-অনাগী রারিশিং অত্নু লিজরম্মী। “পুকচেল চাউববা আর্য্যপুত্রনা ঐবু লুহোংত্নুনা লোগে হায়বা মতম অত্নুদা, নংগী নথোনা নিংথৌমচা গঙ্গেয়বু মযুম পান্নোই অমস্তুং নিংথৌ খুভম লৌবোই হায়না রাশক হনখিবম্মী। আর্য্যপুত্রনা নাদবিঙৈগী মতমদা ঐনা রাফম অসি রাজ্য সভাদা লাওথোক্লবা অমস্তুং চিত্রাঙ্গদাবু যুবরাজ হাপ্নীনবা হায়জরম্মী।

“ইমানা, হায়বদি পুকচেল চাউববী মহাবাণীনা, নিংথৌমচা

গঙ্গেয়না ব্রাকম অসি রাজ্য সভাদা লাংথোক্রুবনিনা মাগী ব্রাশক অদু ঙাক্লরোই হায়না কিবিব্রা ?'' দ্বৈপায়ননা হংলকই।

''গঙ্গেয়না মাগী ব্রাশক ঙাকনি হায়বদি ঐ খংঙি। মহাক মপুকচেল শেংঙি. অচুম্ব। পাম্বা অমস্তুং মরৌ লৈতবা মীশক অমনি, মহাক্না ঐবু মমা অমগী মফমদা উংফম থোকপা ব্যবহার অদু উংলি। মহাক্না মাগী ব্রাশকশিং অদুবুস্তু শোইদনা ঙাকনি, মসিদা করিস্তু চিংননিংঙাই লৈতে। তশেংনা মহাক্না ময়ুম পাল্লু হায়বা য়াদ্রিবা অসিনি। মহাক্না মনাও অনি অসিবু লৈবাক লৈঙাক-লোম্নচিংবগী মরমদা নিংথিনা তম্বীথ্রবনি,'' মহাবাণীনা হায়রকই।

"অদুদা করি অরুবা লৈরিবা ?" দ্বৈপায়ননা হংলকই।

মহারাণীনা খুল্লকই, ' কুরুগী লুচিংবশিং অসি য়াম্না চাউথোকই। গঙ্গেয়গী ব্রাশক অসিবু রাজ্যসভাদা ফোংদোক্লনা ময়ামদা খংহন-হৌদ্রবদি অমদি ময়ামগী অয়াবা অদু আর্য্যপুত্রনা শিদ্রিজৈগী মমাংদা লৌহৌদ্রবদি মখোয় লুচিংবশিংগী মরক্তা খৎন-চৈনবা অমদি শোইদনা থোকদৌরি, মতুদা গঙ্গেয়বু পাম্বা কাংবু অদুদি শক্তি য়াম্না চাউনা লৈরি। করিগুম্বা নংগী নপা মুনিনা হিংতুনা লৈরম্লবদি. ঐনা আর্য্যপুত্রগী লাইনা অসি, মাগী মন্ত্রবিদ্যা অতুনা ফনবা তৌবিয়ু হায়তুনা, মখোং পাইনা হায়জরমগদবনি। অমা অমবু ওইরবস্তু, ঐনা নংদি, মহাকী মচা অমা ওইবনা, মুনিগী মন্ত্র বিদ্যা অদু শোইদনা খংলমগনি হায়না খল্লম্মী।''

' ঐনা থাঙ্গৈশেংনা ঙমগনি হায়বদি হায়বা ঙমদে। লাই-শিংনা ঐগী পুন্সিগী ওইনা নিংজরিবা আশা অসিবু থুংহনবিগে

হায়না খল্লবদি, ঐনা নিংথৌরেনগী অনাবা ফনবা হোৎনবদা মতেং শোইদনা পাংবিরক্কনি," দ্বৈপায়ননা নোল্লক্লা হায়জরকই।

"ঐনা গঙ্গেয়বু কৌরগা, আর্য্যপুত্রগী মনাক্তা নংবু পুশিন-হনগে," মহারাণীনা হায়রকই।

গঙ্গেয় কে'হল্লুত্না লাক্লবা মতমদা, মহারাণীনা মঙোন্দা হায়রকই, "দ্বৈপায়ন হায়বা মুনি নহা অসি, মহামুনি পরাশর, বেদগীদমক্তা হিংলম্বা অমসুং অঙক অঙকপা লাইশিংগী ওইবা থবক ঙাক্তা তৌরম্বা অদুগী মচানুপানি।"

রাঙাং তপ্লবী অমসুং নুংশিনা ঙাংবা মহারাণীনা মথা অমুক তারকই, "ঐহাক্লা মুনি নহা অসিবু অমুক হন্না কৌবগী মরমদি মহাক য়াম্না চরাম-চদৎননা উবম্মী। অদুগীসু মথক্তা মহাক্কী মন্ত্র বিদ্যাগী মতেং লৌদুনা নপাবুং ইবুংঙো আর্য্যপুত্রগী থরাইবু কনবা ঙম্ব া হায়না, ঐগোয়না করিগী মাবু য়েংহল্লোইদৌরিবনো? মসিদা করিসু অমাংবা লৈতে।"

নিংথৌমচা গঙ্গেয়না মতমদা ঙাইদুনা লৈরবা মপাবুং নিংথৌ-রেনগী অনাবা অসি কনাগুম্বা অমতনা ফহনবা ঙম্মরোই হায়বা অসি খংলম্মী, অদুবু মমা পোক্কবীগী মনিং থুংহনখিদে হায়না তুংদা ঙাংনৌরগনি খন্দুনা মনাগী অপাম্বা মওং অদু তানবা মহাক্লা শিল্লম্মী।

মহারাণীনা মীনাই অমদা দ্বৈপায়নবু গঙ্গা তাম্না চৎমিন্নবা য়াথং পিরম্মী। গঙ্গাদা দ্বৈপায়ননা মশা অদু শেংনা ইক্লজথোক্লগা

মুমিৎ কৌবা লাইদা ঈশিং খুজোকশিং কত্তুনা থুরমজরম্মী। মতুংদা মহাক্না গায়ত্রী মন্ত্র তুমিন্না শোন্দুনা লাইশিংগী মতেং নিজরম্মী।

মপাম্বোংদা ঈংনা অমসুং মশাবু খুত্থুম চন্না লৈরবসু দ্বৈপায়ননা অঙক অঙকপা থৌদোকশিং মথং মথং থেংনরকপা অসিদা মপুক্লিংদা মথুম-মবাং য়াম্না হৌরম্মী। মহাক্কী মপানা ইথং-থংহৌদনা শিখিবা, কৈশাল অমসুং হিংচাবশিংগী মরক্তগী মহাক্না হিংলকপা, মহা অথর্ব্বান থেংনত্তুনা মাগী মথন্নাই কনবিরকপদা নত্তনা মীগী থন্নাই কনবা ঙম্বা হিদাক অমসুং মন্ত্রশিং ফংলকপ, মতৌ করম্না অমুক মহাক্না মহা অথর্ব্বানগী আশ্রমদগী নাম্বোরকপা, অঙকপা মওংদা মমা মচা অমুক হন্না উনবা ফংবা, নিংথৌরেনবু লাইয়েংবগী খুদোং চাবা পিরকপা, অসিনচিংবা পুন্নমক অসিনা তাকপদি মহাক্না ধর্ম্মক্ষেত্রবু অমুক হন্না হস্তিনাপুরগী মত্তেংনা শেমগংকে খনবত্থু ওই-থোকপা য়াবগী মমি তারবনি হায়না মহাক্না লৌরম্মী। মহাক্না লাইশিংগী আশীর্ব্বাদ মথং মথং ফংজবা অসিদা থোইদোক্না হরাও-জরম্মী।

নিংথৌরেনগী অনা-শংকুমশং কা অতুদা মহাকপু পুশিল্লক্লবা মতম অত্তুদা দ্বৈপায়ননা মাগী অহল লমন পরাশর, শক্তি বশিষ্ঠ, অত্তুদগী হেন্দোক্লুনা ভৃগু অমসুং অঙ্গিরা, মখোয়গী মত্থুংশিন্না লৈহৌরবা মহা অথর্ব্বান জাবাল্লী, মহাক্কসু মাগী গুরু অমনি হায়না লৌজরবা পুন্নমক অসিবু মপুক্লিংদা নিংশিংত্থুনা থুরমজরম্মী। মতুংদা মহাক্না মঙালগী মশক ওইরবা মুমিৎ কৌবা লাই অমসুং পুন্নমক অসিগী মথক্তা, মাগী মপুক্সি কংথোকখ্রবা বেদগী মফমদা

চংজরম্মী। পুম্নমক অসিগী মতুংদ। মহাক্না মমাগী মফমদগী আশীর্ব্বাদ ফংজনবা মমাদা য়েংজরম্মী। মমাগী মাইথোংনা মকা লাম্না লৈবা মতৌ অহুবু মহাক্না উবা ফংলম্মী। অহুবু মহাক্না কবিগুম্বা নিংথো-বেনগী অনাবা অসি ফহনবা ঙমদ্রবদি মমাগী ওইগদবা মতৌ অহু খনবদা মহাক্না অরাবা অমা ওইবম্মী। ঐহাক্না ঙমদব' যাদে, ধর্ম্মক্ষেত্র অমুক হন্না শেমগত্তবা য়াদে লাইশিংগী অপাম্ববু থুংহনদবা য়াদে অমম্তুং ইমাগী থম্মোইবু কাযহনবা যাদে অস্তুম হায়না খন্দুনা দ্বৈপায়ননা মপুক্লিংদা থাজবা অমগা লোয়ননা মহাবাণী যুবরাজ গঙ্গেয় অমম্তুং অতৈ অতৈ মীনাই মীশলশিং অহুগী মতুং ইন্দুনা চংশিল্লম্মী।

কা মন্নুং অহুদা লৈবিবা অহল ওইনবা শ্রোত্রিয়শিং অহুন মখোয়গী মথৌ অমা ওইনা লৈবিবা থবক অহুদা খাংডুথক্কী নহা অমনা মখুৎ থিংজিল্লকপা অহুদা নুংঙাইতবা পোক্লম্মী। মতম কুইনা অকনবা ব্রত কত্তুনা লাক্লবা ঐখোয়না ঙমদ্রবা থবক অসিবু করিস্তু লৈত্রবা ঙরাংতগী অঙাং অসিনা মতৌ কবম্না ঙমগদৌবিবনো ?

নিংথৌগী পুবোহিত মকোক আচার্য্য বিভূতিনা মঙক্ত সনাগী লিক পরেং মখুৎ খুৎশা খুদিংদা খুদোপ অমমম শিবগা মুগাগী ইনফি অমা ইন্দুনা, মাগী ফম অহুগী মতিক মগুণ ঙাক্ল। নিংথৌ-রেনগী ফমুং মনাক অহুদা, শক্তি মউনগী ফিদাদা ফম্লম্মী। মহাকস্তু মন্ত্র বিদ্যাদা চংখোম্না হৈরব. আচার্য্য অমা ওইরম্বনা, মহাক্না নহা মুনি অসিনা ওইথোক্কবা, লাইগী ওইবা অঙকপা থবক তৌগদৌরি হায়বা তাবদা মহাকপু তুক্কচবা মিংয়েংনা য়েংদবা ঙম্নমদে।

দ্বৈপায়ননা মীনাইশিংনা পুশিল্লকপা মপোং মচৈশিং অদু লৌরগা পিক্কক তৌবা লৈরং অমা (বেদী অমা) নিংথৌরেনগী কমুং মনাক অদুদা তৌথোক্তুনা শেম্লম্মী। মতুংদা মহাক্না যজ্ঞগী অশেংবা মৈ অদু হৌগত্তুনা মৈকৌবা লাইবু পূজা তৌরম্মী। মতুংদা মহাক্না অশেংবা মৈফম অদুদগী উং খরা লৌরগা নিংথৌরেনগী মরাইবক্তা, মখজাই অনিদা, মথবাক্তা অমস্নুং মখোংদা, মহা অথর্বাননা পৈলাদা তৌথিবা অদুগুম্না তৈবম্মী। মহাক্না অহানবদা বেদ অহুমগী অশেংবা মন্ত্রশিং অদু থিরগা মতুংদনা মহা অথর্ববান্না পৈলাবু হিংগংহনবদা থিথিবা অথর্ব্ব মন্ত্রশিং অদু থিরম্মী। মহাক্কী মুংশিববা মখোল অদুনা মন্ত্রশিং অদু থিবকপদা কা অদু পুম্নিন নিল্লম্মী।

মহাক্না অশিবা কৌবা লাই, যমগী মফমদা প্রার্থনা তৌনা খুরমজবগা, যাদুগী উনাশিং অদু মাগী খাওদগী খন্দোক্তুনা লৌথোক্লম্মী। মতুংদা মহাক্না উনাশিং অদু ঈশিংদা তিংলগা মহি অদু নিংথৌবেনগী মচিন্দা ইল্লম্মী।

মহাক্না মাগী থম্মোই অদু শোক্না মন্ত্রশিং অদু খোম্থোক চুন্না মশাদা থাজবা অমগা লোইননা থিদরকপা মতমদা কা অদু মওং অমদা লাক্লম্মী মুনিং মঙালনা ইনৌ নোনা অমস্নুং তবং তবংনা চংলাক্তুনা কা অদু মুংঙাইবা পোক্না শাহল্লক্লম্মী।

অমুক হন্না মহাক্না উং খবা অশেংবা মৈফম অদুদগী লৌবগা নিংথৌবেনগী মশাদা মন্ত্রগা কোন্ননা থিদুনা তৈবম্মী। অতোপা খুদিংমক মাগী মখোল অদুনা শুমহত্তুনা মুংগী শক্তমগুম লৈনবম্মী।

মহাক্কী মখোল অহুনা খোম্থোক চুম্না অমস্নুং মুংশিনা জ্ঞান য়াওদ্রবা নিংথৌরেন্দা মাগী মিৎফম লেংদনা থম্লগা, খিদরকপা অহুদদি, তিল্লিবা ময়াম অহুগী থম্মোইবু শুমহৎপদা নত্তনা মখোয়গী থরাই ফাওবা পুহুনা চৎথ্রবোই নিংনরম্মী।

মচানুপাগী মপুক্লিং লুম্না অমস্নুং মিৎফম হোংদনা মন্ত্রশিং থিরকপা মতৌ অহু উবদা মহারাণীনা, মখোয়না কল্লৌদা লৈরিঙৈগী মতমদা মচা কৃষ্ণনা মপাবু যমুণাগী তোর্ব্বান্দা লেপ্তুনা কৌখিবা মতৌ অহুবু নিংশিংলক্লম্মী।

দ্বৈপায়ননা মন্ত্রশিং অহু মপুক্লিং চংনা, থরাই হকচাং অমতা ওইনা অমস্নুং খোম্থোক চুম্না অমস্নুং মুংশিনা, মশাহু চপ তিংনা ফমহুনা থিথরকপা অহুদা তিল্লিবা ময়াম অহুনা মমিৎ কুপ্তুনা মাবু য়েংহুনা লৈনরম্মী। মী থুদিংমক অহুনা মাগী মমিত্তগী মৈরি থোরক্তুনা নিংথৌরেনগী মশা মহুংদা চংখিবগুম্না উনরম্মী। মহাক্লা অরৎপা লৈতনা মন্ত্রশিং অহু থিহুনা লৈরম্মী। তিল্লিবা ময়াম অহুনা মুংশাস্বর থিংনা, করি থোক্লকদগে থন্দুনা ঙাইহুনা লৈনরম্মী।

ইখং থংহৌদনা নিংথৌরেনগী মমিৎশিং অহু কুপফেৎ-লাকফেৎ তৌনা থম্না উবা ফংলম্মী। নিংথৌরেনগী মুংশাস্বর অহু চনিং তানা হোম্থরক্লম্মী। য়াম্না মুংঙাইনা তুমলুবগী মতৌগুম্না উরম্মী।

ঙাইহাক লৈরগা দ্বৈপায়ননা যাহুগী উনা তিংবা হিদাক মহি অহু নিংথৌবেনগী মচিন্দা থরা হৈজিন্দুনা পিথক্লম্মী। মতম

অসিদদি নিংথৌরেন্না মনিং পাংথোক্তুনা মচা গঙ্গেয়দা য়েংলম্মগা অমুক হন্না উইশিনখিবম্মী। মিংকুপ থরগী মতুংদা অমুক মমিংশিং অদু পাংথোক্লক্লগা মহাবাণীদা য়েংলম্মী। মতুংদা মমিং উইশিন্দুনা তুমথখিবম্মী।

নুমিং অসিগী লাইয়েংবগী থবক অদুনা লোইরবদা দ্বৈপায়ননা যজ্ঞগী মৈ অদু নিয়ম চুন্না মুৎথৎলম্মগা, মখূত্তা মাগী চৈশু অমস্থং যুবী খুজাই পাইদুনা, মহাবাণী, গঙ্গেয় অমস্থং নিংথৌ মচা অনিদা ইঙ্গিংনা আশীর্ব্বাদ পিবম্লগা কা অদুদগী থোকখিবম্মী। তিল্লিবা ময়াম পুম্নমক অদুনা পাও তাবদা হবাওনবম্মী। দ্বৈপায়ননা রা ওাংদনা ময়ামগী মফমদা মথুং লোন্নদুনা লাইশংগী লম্বী অদুদা, নিংথৌ মনাইশিংনা লম্বী ফাৎলগা চৎখিবম্মী।

---

১১ শুবা পন্দূপ

গঙ্গেয়গী ৱাশক

লাইয়েংলকপা নিপান্নি শুবা ন্নুমিত্তা নিংথৌরেন শান্তনুনা ফম্বা ওমতুনা লৈবাক্কী ৱায়েন-থৌদাদা, মশা থৱা শোনজরবস্মু, মপুক্কিং চংবা ওন্নম্মী।

নুমিৎ যুংবা মতুং, নুমিৎ অসিগী লাইয়েংবা লোইরতুনা দ্বৈপায়ননা যজ্ঞগী মৈ মুৎথংলগা, লাইশংলোমদা চংকদবগী থৌরাং তৌরম্মী।

নিংথৌরেন্না মাগী ফমুং, থোংলবা শওম মউনগী মোনপাক মথক অতুদা হিপ্পগা, মাগী ওইথংবা নাকন্দা মহারাণী সত্যবতীনা নিংথৌরেনগী মশা অতু তপ্না তপ্না নোইতুনা থৌগল তৌনা লৈবম্মী। মপুবোইবা নিংথৌবেন্না নাবা ফরকপা অসিদা মহাক্না থোইদোক্না ফুংঙাইজরম্মী। অমরোমদা মচা কৃষ্ণনা মাগী তপস্যাদা মপুংফানা চংথোনবা মতৌ অতু উবদা, মপুক্কিংদা চাউথোকচবস্মু পোক্লম্মী।

লুথুম ময়া ওইরপ্না থৌগলনাই অনিনা কাংহাই-চামোর পাইতুনা তপ্না তপ্না চাং নাইনা হুমতুনা থৌগল তৌরম্মী। নিংথৌ-রেনগী য়েত্তা মচা নুপা গঙ্গেয়না হবাওনা ফমতুনা দ্বৈপায়নদা য়েংতুনা লৈরম্মী। মথোয় ময়াম পুন্নমক্না মথোয়গী হেক লৈজব শক্তি পুন্নমক শিজিন্নতুনা হোংনবদা ফহনবা ওমত্রবা মপাবুং নিংথৌ রেনগী অনাবা অতুবু নহা মচা মুনি অসিনা ইরাই লাইনা ওন্নকপ

মতৌ অদুবু উবদা, গঙ্গেয়না ওক্তবা অমসুং কিদবা ওন্নমদে। মহাক্না, নহা মুনি অসিগী তুংগী মপুন্সিদসু লাইগী ওইবা অওকপা থোদোকশিং কয়া অমা, তৌররগনি হায়বসি, উবা ফংলম্মী।

আচার্য্য বিভূতি, নিংথৌগী অহল ওইরবা পুরোহিত, দ্বৈপায়নদা মমিৎ থানা য়েংদুনা গঙ্গেয়গী মনাক্তা ফম্নম্মী। লাইশিংগী ওইবা অওকপা মতৌ অসিদা মহাক্কী মপুক্লিংদা অকিবা অমদি পোক্লম্মী। মুনি নহা অসিনা শিজিন্নখ্রিবা মন্ত্রশিং পুন্নমক অদু মহাকসু থংলম্মী। মহাক মশামকসু মন্ত্র বিদ্যা অসিদা চংখোন্না হৈরবা মীশক অমা ওইরম্বনি, অদুবু মহাক্, নহা অসিন তৌবা ওম্বা অদুগুম্নদি তৌবা ওন্নমদে।

শ্রোত্রিযশিংগী মমুংদা থাক ব্রাংনা লৈদুনা মহাক অসিবু পুন্নমক্না ইকাই খুম্নবম্মী। অদুগা অথর্ব্ববেদবু য়াদবা মীশক অমসু ওইরম্মী। অনাবা নিংথৌরেনগী মনাক্তা মহাক্ শংদুনা লৈরম্লিবা অসিদি মহাক্কী তৌফম থোকপা মথৌ অমা ওইরম্বননি, অদু নত্রবদি, দ্বৈপায়ননা নি থৌরেনবু লাইয়েংদ্রিবৈগী মমাংদা হান্ননা অদুম চংথ্রগদবনি।

থোইদোক্না হৈশিংলবা মন্ত্রি নহা কূনিক্না নিংথৌরেনগী ফমুং মনাক্তা লেপ্তুনা দ্বৈপায়নগী মতৌ য়েংলম্মী। দ্বৈপায়ননা হস্তিনাপুর অসি ইরাহ লাইনা মথুৎবাক্তা হাপ্তুনা পুখিদোরে হায়বসি, নহা অমা ওইজরবসু কূনিক্না উবা ফংলম্মী।

দ্বৈপায়ননা কা অদু থাদোক্লিবৈদা মহাক্না গঙ্গেয়দা চংশিন্দুনা,

কা অতুদা মী অমত্তা লৈহন্দনবা মনাকোংদা তুমিন্না হায়রম্মী। গঙ্গেয়না কূনিক মন্ত্রিদা ময়াম থোকহনখিনবা ইঙ্গিং পিরম্মী।

ময়াম পুম্নমক অতুনা মপান থোকপ্রবা মতুংদা দ্বৈপায়ননা নিংথৌবেন্দা হায়জবকই, "ভাবতকী অথোইবা নিংথৌরেন, হয়েং মাপন্নি শুবা মুমিং অসিদা লাইয়েংবা লোইরগনি। ইনিংথৌ ইবুংঙোস্থ চৎপা ফাওবদি ওয়ীবগনি। মতুং অসিদগীদি, ঐগী মখা তাবা থবক অমতা লৈজদ্রে।"

শান্তনুনা মখুৎ লোন্নদুনা খুরম্মগা হংলকই, "ইবুংঙো দ্বৈপায়ন, ঐহাক্না কবিনা নংগী মনা ওইনা পিগনি ?"

"মনা অমা !' দ্বৈপাযননা অঙাং ওইবগী মিনোক্তা নোক্লগা হায়বকই। 'পুকচেল চাউরবা নিংথৌবেন, মনা অতুনা করি তৌনগদগে হাযবতু ঐদি করিমত খংজরমদে। অতুগা ঐহাক্না মতুবু লৌরুববদি ঐগী তপস্যাগী শক্তি পুম্নমক অতু মাংখিবতা নত্তুনা ঐগী চিন্দা তুংতুনা লৈজরিবা মন্ত্রশিং পুম্নমক অসিগী ময়াইস্থ চমগ্রগনি। ঐহাক্না মনা ফংনবগী ব্রাখলদা করিগুম্বা থবক অমতা তৌজরক্তে, তৌস্থ তৌভরোই। মঙালগী মশক ওইরবা ইবুংঙো মানা হস্তিনাপুব অসিদ ঐবু চিংদুনা পুবিরক্লগা নিংথৌরেনগী অনাবমু ফহন্নব শক্তিশি, অতু, ইবুংঙো মানা শ্রোত্রিয়শিং অতৈদা শক্তি পিবিবগুম্না, ঐঙোন্দস্থ পিবিরকখিবতনি।

মপাবুং নি খোরেনগী ইঙ্গিং খংলবা গঙ্গেয়না নোস্থনা মপাবুংগী অপাম্বা অতু খংদোক্লগা দ্বৈপায়নদা ওনশিন্দুনা হায়জরকই, "পাবুং

নিংথৌরেন্না মুনিগী অপাম্বা মতুং ইন্না, করিন। মতেং পাংবা য়াগদগে হায়বত্থু খ'জবা পাম্লম্মী।"

"ভারতকী অথোইবা নিংথৌরেন," দ্বৈপায়ননা খুম্লকই, "ইবুংঙোনা ঐবু ওন্থোক্লা কল্লবা চানবিহৈবগী থৌরিনা পুনশিনবিরে। ঐগী পামজবা অহুবু মুমিৎ কৌবা লাইনস্থু থুংহনবিরগে খল্লমাল্লে হায়ম। ঐনা থাজবা পোকচরে। ঐহাকী পুন্সি অসিদা আশা অমতং লৈজে, মহুদি ইপা ইপুশিংগী ধর্ম্মবু অমুক হন্না হিংগৎহনবা হায়বা অসিতনি।"

'মহাক্কী মপুন্সি চুপ্পা অসি, ইপা ইবুংঙো নিংথৌরেন্না ধর্ম্ম অহুতগী মতেং পাংহুনা লাক্লিবনি," গঙ্গেয়না হায়জরকই।

নিংথৌরেন্না মচিন্দি উমশিল্লগা মোমোন নোকপা মতৌদি ওইনা লৈরম্মী। মহাক্লা রা ঙাংগে হায়রুনা ইঙ্গিৎ অমা তৌরগা মখোল য়াম্না পিক্ল হায়রকই, "অহুবু ধর্ম্মদি অস্থুম অস্থুম শিথরক্লি।"

"পুকচেল চাউরবা নিংখৌরেন, মসি কনা অমতগী মরাল নত্তে। সহস্র অর্জ্জুন্না পুম্নমকপু চাকথেকপা ওন্বা লাম্মৈ অহুগী মশক ওইরম্বননি। মহাক্ল মাগী লম্বীদা থেংনবা পুম্নমক অহু তুম্না মাংহল্লম্মী" দ্বৈপায়ননা খোঙ্গোকশিং অরুম-অয়াং পিহুনা হায়রম্মী। "মহাকপু থিংনব হোৎনবদা আর্য্যশিংনা মথল্লাই ফাওবা কংথোকথি হায়বসি, অতে অমনা থংবদগীদি নিংথৌরেম্মা হেন্না থংবিরমগনি, মরমদি লান অহুদা নিংথৌরেনস্থু শরুক য়াবিখিবা মীশক অমা ওইরম্মী। আশ্রমশিং অয়াম্বা মাংহনখিরম্মী। য়ুমশিং অমতা লৈহল্লনদে। তুপী নহাশিং মরু ফংনা মাংহল্লম্মী নত্রগা মখোয়গী

শাগী ওইবা অপাম্বা অহু নমহুন। লৌরগা পোমক্কি শেগাইবা লংথোক্লমগুম লংথোক্তুনা থম্বীরম্মী। অচুম্বা ধর্মবু পামজবা মীশিংনা অশেংবা নারক-শিংলক থিহুনা, মখোয়না য়োরকপা ঙম্মোইদবা মফমশিংদা, লোৎনখিরম্মী। খাইনগী চৎনবী, আর্য্যশিংগী পুন্সি ওইনা লৈরম্বা পুম্নমক অহু কাওনখিরম্মী।"

"করি তৌসিগে, লম্বী অহু তাকউ?" নিংথৌরেন্না হংলকই। মহাক্না দৈ্পায়নগী রাশিং অহুবু মুম্না তারম্মী।

"পুকচেল চাউরবা নিংথৌরেন, ধর্মবু কন্নবা লম্বী অহুদি— পুন্সি অসিমক ওইরিবা ক্ষেত্রিয় তেজ হায়বদি ইচং-থৌনা ফবা অসিগা অমতা ওইনা, ব্রহ্ম-তেজ, হায়বদি অচুম্বা ধর্মগী শক্তি অসিগা, অনি অসিনা পুম্না লান মমাংদা লৈমিন্নরম্বা অহুগুম্না, শক্তি চাউনা তিন্নরা লৈমিন্নবা অহুতনা ওইগদবনি," দ্বৈপায়ননা হায়রকই।

গঙ্গেয়না য়ানিংবগা লোইননা হায়রকই, "ইবুংঙো মুনিনা তাকপিরিবহু তশেংনমক চুম্নবনি। অহুবু ঐখোয়না মহুবু মতৌ করম্না ওইহনবা ঙমগদগে?"

"ঐগী ইপা পরাশর মুনিনা য়াম্না তোইনা হায়বিরম্মী, মহুদি, শ্রোত্রিয়শিংনা অকনবা তপস্যা তৌনা লৈত্রবা অমস্থং ক্ষেত্রিয়শিংনা ধর্মবু ঙাক্না চৎপা ঙমত্রবদি ধর্মনা কৈদৌঙ্গুংদস্থ চাউখৎপা ঙম্মোই হায়না," দৈ্পায়ননা হায়রকই।

"তাকপিরিবহু অচুম্বনি ইবুংঙো মুনি," গঙ্গেয়না হায়রকই। "মহু অমস্থং বৈবস্বণনচিংবা রাজর্ষীশিংগী মতম অহুদি হৌদ্রে।

ক্ষেত্রিয়শিংনা তপস্যাগী কান্নবা অহু থংবা ওমথিব্রে, পুন্নথা থাদোক্লখ্রে। শক্তি মুন্নবগী লানগী মৈথুনা মাইকৈ পুন্নমক মমখ্রে। শানৈ-ম্নুনৈবনা মথোয়গী মপুল্লিগী মথৌ ওইনখ্রে। মথোয় মশেল অমগা অমগা হাংনবনা মথৌ ওইনা থন্নখ্রে। ধর্ম্মবুনা মথোয়না করেম্নলা নোঙ্গরি।"

গঙ্গেয়না মপা নিংথৌরেনগী মশাদা মথুংনা তপ্পা পাইবগা অমুক হায়রকই, "ক্ষেত্রিয়শিংনা ধর্ম্মবু থৌশাদবা মতৌ অসি উবদা নিংথৌরেন মশামকম্তু অডকপা অমা ওইনা লৈরি। হিরম খুদিং-মক্তা মাংথবা হৌখ্রে। মসিবু মতৌ করম্না থিংবা ওমগদগে হায়বহু থনবদা ঐগী অন্নাবা ওইরে।"

দৈ্বপায়ননা মোমোন নোঙ্গগা হায়রকই "মাংথরক্লিবা খুদিংমক অসিবু থিংনবগী শক্তি অহু, পুকচেল চাউরবা নিংথৌরেন অমম্তুং রাশক চেৎপা গঙ্গেয়, অনিগী মথুক্তুদি লৈরি।"

"ঐনম্তু মতুম্না থনজরম্মী," গঙ্গেয়না স্বর, শাংনা হোন্দোক্লগা হায়রকই। "অহুবু, করি করিগুম্ব মতমদদি, ধর্ম্ম অহুবু ওাক্লা চংপদা ঐহাক ইশামকম্তু রানা থোকপা য়াওখি।"

"পুকচেল চাউরবা যুবরাজ, নিংবা কাইবা তৌবিগম্বু," নহা অমা ওইজরবম্তু দ্বৈপায়ননা য়ান্না অহুল ওইরবা অমগী মতৌগুম্না হায়রকই। "মণ্ডাল হায়বসি মতম পুন্নমক্তা অমম্বদগী পোল্লকপনি, ধর্ম্মনা অপনবা লৈতনা মাংথরক্লবা মতম অহুত্তদা, ধর্ম্মনা মপাঙ্গল অহু অমুক হন্না খোমজিনজরকই।"

"ঐখোয়না করি পাংথোকপা ওমগদগে হায়বহু ঐডোন্দা

খংহন্নবিয়ু। নিংথৌরেল্লা শোইদনা থবক অহু পাংথোক্লবা হোৎনগনি হায়বসি ঐনা থাজবগা লোইননা হায়বা ওন্মী” গঙ্গেয়না হায়রকই। চহি য়াম্না মাগী মথা থাবা অমা ওইরবসু, গঙ্গেয়না নহা মুনিগী মকমদা নোল্লুক্লবা ওম্লমদে।

“লম্বী অহুদি অরাইবা অমনি। নহাক, ঐহাক অমসুং অতোপ্পা চাম্মনা ব্রহ্মচর্য্য ব্রত কতুনা রাশকশিং অসি লৌরবদি ইরাই লাইবা রাকমনি—

“অফবতা নিংশিংগনি, কাওথোক্কনি ফত্তবদি,
মতম চুপ্পদা ঐহাক্না। তমগনি থাজবা ঐনা,
ছন্দোকথিনি থাজদবা। ইকাইখুম্নগান জ্ঞানবু,
থাদোকখিগনি অজ্ঞানবু। অচুম্বা খোঙ্গুল লিগনি,
কাওথোকখিনি মিনম্বদি। তৌনি অকনবা তপস্যা,
থাদোক্কনি অকে অমৌ।”

“ঐখোয়না রাশকশিং অসিবু ওাক্লা চৎলবদি, মওালগী মপু ইবুংঙো মহাক্না, লম্বী অহু ঐখোয়দা উৎপিরক্কনি,” দ্বৈপায়ননা হায়রকই।

মিংকুপ খরদি মহাক্কী মমিত্তা লৈচিন থাবগুম্না মশেন-মরাংনা উরম্মী। মবুকচেল শেংনা মহাক্না মথা তানা হায়রকই, “অকনবা রাশকশিং ঐনা শকখ্রিবা অসিবু ঐনা ওাকপা ওমগ্রে হায়নসু খনবিগসু, ওাকপা ওয়বগী হোৎনবা থবক অহুতনি ঐনা থাদোকচদবা।”

অসি হায়রগা মহাক্না ওাইহাক তুমিন্না লৈত্নুনা মপুক্নিংদা গায়ত্রী মন্ত্রবু শোনজরগা, মুমিং কৌবা লাইগী মকমদা মাবু লমজিংবিনবা থুরমজরম্মী।

মতু.দা মহাক্না মথা তানা হায়রকই, "থুদোংথিবশিং কয়া থেংনরবস্মু ঐহাক্কী থাজবা অদুবুদি থক মাংহনবা ওম্মোই। ঐগী ইপা পরাশর মুনিগী রাশক অদু পাংথোক্কবদি য়ারোই" হায়রগা হায়রগা দ্বৈপায়ননা থাজনা তুমিন্না লৈরম্মী।

মুনি পরাশরগী মমিং পল্লকপা অদুদা মহারাণীগী মমাই অদু ওাংলম্মী। নিংথৌবেনগী মশাদা তপ্পা তপ্পা নোইদুনা থৌগল তৌরগা মথোল পিক্না অমস্তুং থোৎ নৌনা ঙুংশিনা হংলকই, "ইকাইথুম্নবগী মশক ওইরবা মহামুনিনা রাশকখিবা চপ চাবা রাহৈশিং অদু করি করিনো?" মতুংদা মহাক্না নিংথৌরেন্দা হায়জরকই, "পুকং চেল চাউরবা আর্য্যপুত্রনস্মু খংবিগ্রবনি মদুদি, ঐনা ইবুংঙোগী ননাই মুপী অমা ওইবা ফংজদুনা ঙংজরিবা মুংঙাইবা পুম্নমক অসি মহামুনি অদুগী থৌজালননি হায়বসি।"

দ্বৈপায়নগী চিংনরম্বা পুম্নমক অদু লোইনা মাংখিরম্মী। মহাক্না অরেপ্পা অমা ওইনা হায়রকই, "ঐগী ইপানা রাশক্লম্মী মদুদি মহাক্না ধর্ম্মক্ষেত্রবু অমুক হন্না হিংগৎহনগনি হায়না। মরমদি ধর্ম্ম তৌনা হিংদুনা লৈনবগী উপায়দি মদুতনা মক্ক ওইবা মরম্নি হায়না তাকপিরম্মী। মদু পাংথোক্কবা উপায়তনি ঐনা থিজরিবা।"

"কৈশালশিংগী লবুক-লমহাং অদুদি লমশাশিংতনা থল্লা লৈরিবা জঙ্গল অমনি," গাঙ্গেয়না হায়রকই।

দ্বৈপায়নন মোমোন নোক্লগ খুম্মকই, "মহ্ ঐস্লু নিংথিন থংজৈ, পুকচেল চাউরবা যুবরাজ। ঐহাক্না হস্তিনাপুর অসিদা লাক্লিঙৈগী মম্মাংদা অহিং অমা ঐগী মরূপ পৈলাগা মফম অহুদা লেক্লম্মী। কৈশালশিং, শংখমশিং অমস্তুং লমশা অঙাওবশিং লৈবত্তা নত্তুনা হিংচা-য়াইতম্বশিংম্লু য়াম্না লৈ। মুমিং কৌগা লাইনা মহামুনি অহুবু মফম অহুদা থাবিরক্লমদ্রবদি ঐখোয় অনিমক হিংচাবশিং অহুগী মথুত্তা থরাই মাংলমলগদবনি।"

"শাশিং অহুবু মাংহনবা অহুগা বন অহুবু শেংদোকপদি অরাইবা থবক অমা ওইরম্মী, অহুদা মফম অহুদি, শাপ লৈবা মফম অমা ওইবত্তা নত্তুনা লান্দা শিথিবা মশিং লাকউমদ্রবা লাম্মীশিংগী ভূং প্রেংশিং অহুনা তম্ম লাইশিং ওইহনা কনাগুম্বশিং অমত্তনা থুন্দা-লৈতাহুনা লৈবা ওম্মরমদে" গাঙ্গেয়না হায়রকই।

"ঐদি মফম অহুদা লৈগে খনজরি," দ্বৈপায়ননা মোমোন নোক্লা হায়রকই। "শ্রোত্রিয়শিংনা মখোয়গী রাশক ঙাক্লা চত্তুনা আশ্রম অমা লিংখৎলবদি মফম অহু চাউখৎকনি। পুকচেল চাউরবা গাঙ্গেয়, ব্রহ্ম তেজ অমসুং ক্ষেত্রিয় তেজ অনিনা হেক তিন্নহনা পুন্না চংমিন্নদ্রিবা মথৈদি ধর্ম্মনা চাউখৎপদি ওইথোক্কবনি। অনি অসিনা তিন্নদ্রবদা অচুম্বা ধর্ম্ম পাম্বশিংনা লোক্কা-তাইদা চংখিগনি অহুগা অধর্ম্মশিংনা শাশিং ওন্দুনা লৈহৌগনি।"

"পাবুং নিংথৌরেম্মা মাগী লৈজবী শক্তি পুম্নমক পুথোক্লুনা ক্ষেত্রিয়-তেজ অসি হিংগৎনবা হোৎনখি হায়বসিমদি নিংশিংবিয়ু। অহুদা, ঐগী মুংঙাইতবদি কনা অমত্তনা নিংথৌরেনগী হোৎনবা

অতুদা মতেং পিবিরকখিদে," গাঙ্গেয়না মাগী মাইথোং অতু লাংশিন্না হায়রকই।

"মতুদি ঐখোয়গী ইরান্ননি, পুকচেল চাউরবা গাঙ্গেয়--মরাল অতু ধর্ম্মবু থাজরিবা ঐখোয় পুন্নমক্কীনি" দ্বৈপায়ননা হায়রকই। "ঐখোয়না থরায় থার ফাওবদা, ঐখোয়গী রাশকশিং অতুবু ঐখোয়না ঙাকপা ঙম্নবদি মী পুন্নমক্কী থম্মোইশিং অতু মহি চেল্লকনি, নত্রবদি ওইথোক্লোই।"

গাঙ্গেয়না চমন্নবা পোক্লম্মী। নহা মুনিগী রাঙাং অসিনা মঙোন্দা চৈবগুম্মস্থ থোক্লম্মী।

গাঙ্গেয়গী মপুক্কিংদা ফাওরিবা ইথিন অতু খ তুন দ্বৈপায়ননা মরূপ অমা ওইবগী মতৌদা মোমোন নোক্লা হায়রকই "পুকচেল চাউরবা যুবরাজ, নংগী নফমদদি তেজ অনিমক পুন্দুনা লৈ। পুকচেল ফজরবী মহারাণীনা নংন। রাশক ঙাক্তুনা লৈবগী মরমদা, ঐঙোন্দা রাংনা থাঙ্গতুনা ল্লারি তৌবিখ্রে।"

নিংথৌরেন্না মচা গাঙ্গেয়দা সু'শিনা য়েংলগ মখোল অতু পিক্লা হায়রকই, 'গাঙ্গেয়দি অচুম্বা ধর্ম্মগী লম্বীদগী মখোং নাম্মা ফাওব' হায়দোক্কুনা লৈরি"।

"পুকচেল চাউরবা নিংথৌরেন, রাশক অমা লৌরগা মতুবু ঙাক্লা চংপত্থ তংশংনা য়াম্না থাগৎনিংঙাইগী মশক্তি, অতুগ', মতুগা লোইননা মীশিং অতে অতৈবু ধর্ম্মগী লম্বীদা পুরকপদি হেন্না লুবা মথৌ অমনি," দ্বৈপায়ননা হায়রকই।

"মুনিনা হায়বিরিবা রাফম অতু, করিনো হায়বা ঐহাক

খংজরে," গাঙ্গেয়না হায়রকই। "ঐহাক ইশাতনা ধর্ম্ম ওাক্লদি চৎলগা, অতোপ্পা মীশিংগী থম্মোইবুদি হোংহনবা ঙমদে হায়বত্থু ঐহাক্না য়াজরে।"

"পুকচেল চাউরবা যুবরাজ, চহিদা নংনা ঐওোন্দগী অহল্লি, অতুগী মথক্তা, মী মথল মথল থেংনবিত্থুনা জ্ঞানশু হেন্না নিংথিনা লৈবিরবনি। ঐহাক্না কন্নিঙুম্বা য়াফম অমতা কোংদোকচগে মতু-গীদমক্তা ঐবু ঙাকপিয়ু। মতোম্মতা তপস্যা তৌনা লৈবা অতু অফবা অমনি, অতুগা মসিদগী হেন্না ফবা অমদি মীওইবশিংগী থম্মোইবু লেংহনবা ঙম্বা অতুনি," দ্বৈপানা হায়রকই।

"মতুমশু অচুম্বনি,' গাঙ্গেয়না য়াম্না তপ্না মতোম্মতা শোনজ-বগুম্না হায়রকই। "অহিং মুংথিল অনিমক্তা ঐবু ওতুনা য়াহল্লিবা য়াথলদি অসিনি, ঐহাক্না ঐগী য়াশক ঙাক্তুনা য়াম্না চেকশিন্না লৈজরবশু অতৈশিংনদি মতুবু খংবিরমদে।"

"চুম্মী, নংগী য়াশক্তি নংনা ঙাক্তুনা থম্লি, পুকচেল চাউরবা যুবরাজ," দ্বৈপায়ননা হায়রকই। "অতু ওইরবশু নংগী নবুকচেল চাউবগী মঙাল অদুনা অতৈগী থম্মোইশিংদদি মঙাল পিরুবা ঙমদে। ঐহাক্না ফংলিবা য়াথল অসিনা অচুম্বা অতু ওইরবদি, কুরুগী লুচিংবশিং অসিনা নংগী লুচিং মথাদা লৈবা ফংলোইদ্রা হায়না মপুক্লিংদা খোইরাংবা পেরুরম্মী, হায়বা অসিনি।"

দ্বৈপায়ননা হৌদোরক্লিবা য়াফম অসি কন্নিনো হায়বত্থু গাঙ্গেয়না খংলম্মী। মহাক্না মরু লুক্না য়াথল ঙাইহাক তৌরুরগা হায়রকই, "ঐহাক্না নহাল মথৈ থল্লুরিবা য়াথল, ঐগী য়াশক অদি

ঐগা, পাবুং নিংথৌরেন অমস্থুং ইমা মহারাণীগা ঐখোয় অহুমতগীনি হায়বা, অসি পুম্নাল লাল্লম্মে। প্রজাশিংগী মফমদস্থু খংহনগদবনি হায়বসি ঐনা হৌজিক্তা খংলে। ইমানা ঐহাক অসিবু হেক পোকপা মচাগুম্মা তৌবিরবস্থু, প্রজাশিংনা মখোয় মখোয়না অপাম অপাম্বা মওংদা ঐবু নত্রগা ইমাগী মথক্তা ডাংবিরি।"

"চিত্রাঙ্গদবু খুদক অসিদা যুবরাজ হাপ্পীরবদি ডাংনা শক্করিবা পুম্নমক অসি মশানা অহুম তোকচখিগনি" দ্বৈপায়ননা হায়রকই।

শান্তনুনা হায়রকই, "হয়েং ঐহাক্না শিগ্রবা মতুংদা কুরুগী লুচিংবশিংনা করি তৌরক্কদগে হায়বহু খনবদা ঐহাক্না রাদবা ডম্নমদে।"

গাঙ্গেয়না মখোল নেম্না হায়রকই, "খনবিরিবহু অচুম্বনি। কুরুগী লুচিংবশিং অসিনা, ঐবু পাম্বা নাকপাক অমা অমস্থুং চিত্রাঙ্গদবু পাম্বা নাকপাক অমা, নাকপাক অনি থোক্কুনা লান তৌনবগী থৌরাংদা লৈনরি। মহুনা হস্তিনাপুরবুদি অমাংবা মাইকৈদা পুশিল্লক্কদৌরি।"

'মহু থোক্কনবা লম্বী অহু নংনা শিল্লু," নিংথৌরেন্না হায়বকই।

"পাবুংনবু য়াথং পিবিরবদি, হংচিংমক রাজ্যসভা কৌজগে, চিত্রাঙ্গদবু যুবরাজ থিন্দোকপিযু। মতম অহুদা, ঐগী রাশকশিং অহুম্ন সভাদা ফোংদোকপগা লোইননা, হস্তিনাগী নিংথৌ, অমা অমনবু ওইরবস্থু, থরাই খুবাক্তা হাপ্তুনা ডাক্কনি হায়না রাশক্তুনা লাওথোকচগে।"

দ্বৈপায়ননা হায়রকই, "হায়বিরিবদু অচুম্বমক্কি। মদু তৌরবা মতুংদদি, গাঙ্গেয়না ধর্ম্মগী মৈরি থোক্লবা থাং ওইরগনি।"

"রাজ্য সভা অদু দ্বৈপায়ননা চংত্রিঙৈদা কৌরো," শান্তনুনা হায়রকই।

"ঐদি মতম শাংথনা লৈবা য়াদ্রে। হুমিং হুম্নিগী মতুংদদি হস্তিনাপুর থাদোক্তুনা চংতবা য়াদ্রে," দ্বৈপায়ননা হায়রকই।

"পাবুংগী য়াথং ফংজরবনিনা," গাঙ্গেয়না হায়রকই, "রাজ্য সভা অদু হংচিংমক কৌজরগে। পাবুংস্থ থরা থরা চংথোক চংশিন তৌবা ওম্লগনি হায়না ইবুংঙো দ্বৈপায়ন মুনিনস্থ হায়বিখ্রে।"

১২ শুবা পন্দূপ

রাজ্য সভা

নিংথৌরেন নাবা ফরে, লৈবাক্কী শাসন্দা খুং থিংজিনবা ওয়ে 'হায়বা পাও অসিনা লাম্নৈ চাকপগুম মাইকৈ পুন্নমক্তা শন্দোক্লম্মী। অওকপগী থবক অসিবু ইরাই লাইনা পাংথোকহনখিবা মুনি নহা অসিবু অমুক্তং খুরমহৌনবা হায়তুনা, প্রজাশিং পুন্নমক্না কোন্নুং তম্না লাক্লরম্মী।

প্রতিপেশ্বরগী লাইশংদস্থু প্রজা ময়াম অমনা, মাগী আশীর্ব্বাদ ফংনবা ওায়তুনা লৈনরম্মী। তিল্লিবা ময়াম অতুগী মনুংদা অনাবশিং অমস্নুং মথোং-মথুং শৈইনাইরবশিং কয়া অমস্থু য়াওরম্মী। মথোয়শিং অতুনা নহা মুনিগী মফমদা মথোয় মথোয়গী অরা-অনাশিং অতু কোকহন-ফহনবিনবা হায়জরম্মী। মুনিনা মথোয়গী মফমদা ইচম চম্বা মিনোক্কা লোইননা মখুৎ থাঙ্গতুনা আশীর্ব্বাদ পিবিরম্মী।

তিল্লিবা মীয়াম অতু অম্মুক্কী মতিক য়ামখ্রে মতুদি শঙ্গাই মাঙ্গোলদগী লাইশংগী হৈনৌবন লমপাক অমস্নুং লমপাক্তগী লুক্তাংশং অতু য়োনবা, নিংথৌগী লোইনবশিংনা লম্বী ফাংনা ফাংনা, লাকপদা ঘটিকা অনিরোম (মিনিট নিফুনিপাল) থরা কস্তরা চংথিরম্মী।

দ্বৈপায়ননা তুরেন্দা চত্তুনা ইরুজথোক্লগা নুমিদাংরাইরমগী সন্ধ্যা পাংথোক্লম্মী। মতুংদা মহাক্না প্রতিপেশ্বরগী পূজা তৌরম্মগা হৈনৌবন অতু তাম্না লাক্লম্মী।

নিংথৌরেন লাইয়েংলিঙৈগী মন্নুং অতুদদি দৈ্বপায়ননা চরা অমত্তং, মুংথিল হুমিদাংব্রাইরমদা হৈনৌবন্দা হল্লক্লগা, চারম্মী। দৈ্বপায়নবু শেন্নবগী থবক পুরিবা মন্ত্রি কূনিক্লা, অতিথি নহা মুনি অসিগী অপাম্বা করিনো হায়বত্থু নিংথিনা খংলম্মী। নহা মুনি অসিনা মাগী চান-থক্লবা পুরক্লিবা অতুগী অয়াম্বা শরুক্তি মাবু ঙাইত্থুনা লৈরম্মীবা অঙাংশিং অতুদা হান্না মবুক পোন্না পিজরগা, মহাক্না অরেম্বা খরত্থু চারম্মী। মতৌ অসি নোংমত্তা নত্তনা হুমিং খুদিংগী তৌবা মরম্না অঙাং মশিংস্থু নোংমা নোংমগী হেনগৎলম্মী।

নিংথৌরেনগী য়াথং লাওথোকপা মতমদা হস্তিনাপুরগী প্রজা-শিংগী মপুক্লিংদা মথুম মরাং হৌনরম্মী:—

"ভারতকী অথোইবা নিংথৌরেন্না মাগী মুংশিরবা হস্তিনাপুরগী প্রজাশিংগী মফমদা খংহল্লি মত্থুদি নিংথৌরেন্না অনাবা শংকুমত্থুনা মতম খন্না লৈরুবত্থু ঈশ্বরগী থৌজালদগী হৌজিক্তি পুংফ ফরে।"

"হয়েং অসিদা, প্রতিপেশ্বর ইবুংঙোগী থৌজালনা, শঙ্গাই মাঙ্গোলদগী নিংথৌরেন্না, প্রজাশিংগী মফমদা, দর্শন পিবা ঙম্লগনি।"

"হংচিং অয়ুক নিংথৌরেন্না, হুমিং থোক্লবা মতুং ঘটিকা তরুক তাবদা রাজ্য সভা ফম্নবা কৌরি। মতম অতুদা পুকচেল চাউরবা গাঙ্গেয়না মাগী ব্রাশকশিং, 'নিংথৌ খুভম লৌরোই অমসুং মপুন্সিগী ময়ুম পান্লোই' হায়বত্থু প্রজাশিংগী মফমদা লাওথোক্কুন খংহনগনি। মতুংদা চিত্রাঙ্গদবু মাগী মহুত্তা যুবরাজগী ফম শিন্নগনি।"

' নহা মুনি অথোইবা দ্বৈপায়ন, মাগী মন্ত্র বিদ্যানা নিংথৌরেনগী

মথন্নাইদ্মু কনশ্লবা, ইবুংঙো মহাকম্সু রাজ্য সভা ফম্বা অসিদা শরুক য়াহ্নুা লৈতেংবিগদৌরি।"

নিংথৌগী য়াথংনি হায়হ্নুা লাওথোরক্লিবা রাহৈশিং অসি তাবদা যুবরাজ গাঙ্গেয়বু নিংথৌরেনগী মহুৎ শিলহল্লীংদা কুরুগী লুচিংবশিং অয়াম্বদি মকোক্তা বস্ত্র তাবকপগুম্মা থোক্লম্মী। মখোয়নদি থবক অসি ওইনবা য়াম্না কন্না মহুংদা শিনজবনি অহুবু গাঙ্গেয়নদি নিংথৌ খুভম মপুন্সিগী তাল্লবোই হায়না বাশকপি হায়বসি মখোয়না কাইনথংদা থংবা ওম্লম্মী। অহু ওইর ফাওবদা, মখোয়না মহারাণী সত্যবতীগী খুজিন-থৌরাংনা তৌথিবনি হায়না ফত্তনদি ঙাংনবম্মী।

অতুম ওইনমক, ইচম চম্না, অমম্সু অমস্মু য়াওজদবা প্রজা-শিংনদি মখোয়গী সুংশিজরবা নিংথৌবেন্না অমুক হন্না, নারুবদগী ফরকপা অসিদা থোইদোক্না হরাওজরম্মী। মখোয়না খ্বাইদগী হেন্না পামজবা অমনা, মখোয়না মুনি নহা অহুগী মকমদগী আশীর্ব্বাদ নিজবা অহুত্তনি।

মাপল্লি শুবা সুমিত্তা দ্বৈপায়ননা নিংথৌরেনগী মথুৎ নাম্না পাইরগা থুদা কাংথোলদগী মকম্লাক নিক্লা নিক্লা নিংথৌরেন্না কুমথরক্লগা থোংকাপ মঙা তরা চৎলম্মী। তরানি শুব সুমিত্তনা, নিংথৌরেন্না রাজ্য সভা অয়ুক্তা ফম্নবা য়াথং পিরম্মী। হায়বিবা সভা অসিদা, মকোক ওইবা শ্রোত্রিয়শিং, কুরুগী মরু ওইবা লুচিংবশিং অমদি রাজ্যসভা ফম্বদা য়াওবা য়াবা মীশক পুম্নমকম্সু য়াওহ্নুা চিৎনা-চাইনবা ওমদনা তিল্লম্মী। মতম অসিদা নিংথৌরেন্না দোলাইদগী

কুমথরগা দরবার শং মন্নুংদা চংলক্লম্মী। অঙম অথৌ ময়াম অহুনা নিংথৌরেনগী মখোং শোক্না থুরম্মরম্মী।

নিংথৌরেন্না সিংহাসনদা লেংশিনখ্রবা মতুংদা, রাজ পুরোহিত আচার্য্য বিভূতিনা অমদি, অতৈ অতৈ শ্রোত্রিয়শিং অহুনা রাজ্য সভাগী হৌনবা মঙ্গল আশীর্ব্বাদ পিরবা মতুংদা, চীংলেম্না মশক ফজরবা গাঙ্গেয়না হৌগত্তুনা মখোল তক্ল তক্লনা ৱা ঙাংবা হৌরকই।

"ভারতকী পুকচেল চাউরবা নিংথৌরেন, ঐগীদি ভক্তিগী মশক ওইরবা ইপা ইবুংঙো, অনা-লাইকুম্বদগী ফত্নুনা ঙসিদি রাজ্য সভা অসিদ লেংবিরক্তুনা ঙাম্হোইবিররে। লাইশিংনা ইপা ইবুংঙো নিংথৌরেনগী পুন্সি নুংশাংবা অহু পিনবিসনু।"

"চহি কয়ামুক্কী মমাংদা ইপা নিংথৌরেন্না পুকচেল চাউরবী মহারাণী সত্যবতীবু লুহোংহুনা লৌবা মতমদা, ঐহাক্না ৱাশক খরা লৌজরম্মী। ৱাশকশিং অসি অরেপ্পনি হায়না ঐনা লৈবাক প্রজাগী মফমদা ফোংদোক্লিঙৈগী মমাংদা মখল মখা অয়াম্বা তোকঙাশিং শন্দোক্তুনা পংঙাং ঙাংনরম্মী। ঙসি রাজ্য সভা অসি কৌবগী অয়াম্বা মরু ওইবা ৱাফমদি, ময়ামগী মফমদা ঐগী ৱাশকশিং অহু ফোংদোক্তুনা, অচুম্বা ফিরেপ অহু খংহনজগে তৌবনি।"

"ঐহাক্না ঐগী পুন্সি অসিদা মুম পাম্লরোই অমদি নিংথৌ খুভম্বু লৌররোই হায়না ৱাশকচথিরম্মী।"

সভাদা তিল্লিবা ময়াম পুম্নমক অহুনা গাঙ্গেয়গী ৱা অহুবু অর থিংনা তুমিন্না তানরম্মী। ঙাইহাক লৈরবা মতুংদা গাঙ্গেয়ন্না

মখা তারকই, 'ঐহাক্না হেক হিংতুনা লৈরিবা মখেি হস্তিনাপুরগী সিংহাসনবুদি ঙাক্কুনা থমগনি হায়নসু ঐনা রাশকচখিরম্মী ।"

"কুরুগী লুচিংবা অহল-লমনশিংনা পাম্বীবা ঐবু নিংথৌগী খুতম ফংহনবিনি'রা রাখল অতু থোক্লে হায়তুনা মুংঙাইতবা অমদি রারোৌবা তৌবিগনু, মতুগী থনবদা ঐহাকীসু অরাবা ওইজরি । ময়ামগী অপাম্বা অতুদি থুংহনবা ঙমজদবা তারে।"

"পুকচেল চাউরবা নিংথৌরেন্না, ঐহাক্না হায়জবদগী, ঐগী মুংশিরবা ইনাওনুপা চিত্রাঙ্গদবু হস্তিনাপুরগী যুবরাজ, ঐগী মতুং অসিদা, হাপ্পিরগে হায়না য়াবিরে । মসিদা কনা অমত না চিংনবিগনু ।"

রাজ্য সভাদা তিল্লিবা অঙম-অথৌশিং অয়াম্বনা, গাঙ্গেয়গী ফজবা মতৌ অতুদা পেন্নরম্মী অমসুং মখোয় থরদি হরাও-মুংঙাইবগী মপি শিন্থনরম্মী । মতুংদা ময়াম অতুনা অমতা ওইনা 'গাঙ্গেয়না জয় ওইরে' হায়না ইথক ইপোম হৌনা লাওনরক্লম্মী ।

অতুম ওইনমক লুচিংবা থরদি মখোয়বু থৌওইদ্রে খন্দুনা মপুক্লিংদা রারোৌবা পোক্লম্মী । ওইরকইবা ফিভম অসিগী মরুদি মহা-রাণীগী খুজিন-থৌরাংনি হায়না মখোয়না লৌরম্মী । হস্তিনাপুরগী শক্তি অসি অঙাং অসিগী মথুক্তা চংখিবা অসিদা খুদোংথিবশিং থোক্লক্কদ্রা হায়না মখোয়না অকিবা পোক্লম্মী । অতুম ওইনমক গাঙ্গেয় লৈবা মরম্না মখোয়না ক্বরিসু কিনিংঙাই লৈতে হায়না লৌরম্মী ।

ময়ামগী মরাং মরাং তৌবা অতুনা থরা নেমথক্রবা মতম অতুদা গাঙ্গেয়না অমুক হায়রকই, "অঙম-অথৌশিং অমদি কুরুগী লুচিংবশিং পুম্নমক্না পাবুং নিংথৌরেনগী সনা য়াথং অসি, লাইশিংমকী

য়াথংনি খনবিতুনা হয়াও হবাওনা য়াবিবা অদু ঐনা প্রামজৈ, অদুগা ঐবুস্থু ঐগী রাশক থুগাইয়ু হায়বিদুনা অমুক ব্রাহনবা তৌবিগন্নু। ঐনা হায়জনিংবা অতোপ্পা-রাকম অমনা, ময়াম্মা ঐহাকপু শুনা অমস্তুং চান্না নিংবিরিবা অসিগুম্মা, ঐগী ইনাও যুবরাজ অসিদা, করিগুম্বা অমতা চিংনবা অমদি য়ানিংদবা তৌদনা থম্বীয়ু। ঐহাক্না নিংথৌরেন অমস্তুং লৈবাক প্রজাশিংগী মপাংদা রাশকুনা হায়জরি মতুদি ঐহাক্না হস্তিনাগী সিংহাসনবু অমস্তুং সিংহাসন অসিদা ফমদুনা লৈবাক রায়েল্লিবা মীশক অদুবু, মহাক্না অমা অমবু ওইরবস্থু, মাগীদমক্তা লেপ্তুনা লৈগনি হায়না। হস্তিনাপুরগী শক্তিনা, ঐহাক্না হেক হিংদুনা লৈরিবমথৈ চাউথংলকপদু লাইয়ামশিংনা পিনবিরকপা ওইসন্নু।"

মতুং অসিদা আচার্য্য বিভূতিনা চিত্রাঙ্গদবু মখুৎ পাইদুনা যজ্ঞগী মনাক্তা পুশিল্লগা মন্ত্র থিদুনা যুবরাজ হাপ্পীরম্মী। নিংথৌরেন্না হিপ্না হিপ্না মচানুপা চিত্রাঙ্গদদা আশীর্ব্বাদ পিবিরগা যুবরাজগী লুহুপ অদু মকোক্তা উপ্পীরম্মী।

দ্বৈপায়ননা তৌরিবা পুন্নমক অদু মমিৎ কুপ্তুনা, নোকফেৎ নোকফেৎ তৌনা ফম্নগা, য়েংদুনা লৈরম্মী। মহাক্না মপুক্লিংদা খনজরম্মী, "হে মণ্ডালগী মপু ইবুংঙো, ননাইবু মফম অসিদা পুবিরকপগীদমক্তা ইবুংঙোবু থাগৎচরি"। হৌজিক্তি হস্তিনাপুরগী শক্তি অদুনা ধর্ম্মবু ময়া তাহল্লগনি অমস্তুং ইমাগী মুংঙাইজবস্থু ওইরগনি।"

রাজ্য সভা অদুনা ফম্বা লোইরবদা নিংথৌরেনবু মীনাইশিংনা,

শঙ্গাই মন্নুংদা থাংজিল্লম্মী। মতম অত্তুদা গাঙ্গেয়, চিত্রাঙ্গদ অমস্থুং বিচিত্রবীর্য্য অহুম্না থোগল তৌরম্মী।

ময়াম পুম্নমক অত্তুনা চংগ্রবা মতুংদা মখোয় মী থরদি দ্বৈপায়নবু খুরম্খা লাক্লম্মী। অহল ওইরবা শ্রোত্রিয়শিংনা মাগী মনাক্তা লাক্লগা মঙোন্দা আশীর্ব্বাদ পিবিরম্মী।

মস্থি কুনিক্কা লোইননা দৈ্বপায়ননা হৈনোবন তাম্না চংলবস্থু মীয়াম অত্তুনা মাগী মতুং ইন্নরম্মী।

মহারাণীনা দ্বৈপায়নবু শঙ্গাই মন্নুংদা চাকলেন অমতং চামিন্ননবা হায়বদা দৈ্বপায়ননা নোল্লুক্লা থক্তোক্তুনা হায়জরকই, "অঙাংশিংনা হৈনোবনগী লমপাক্তা ঐগা চামিন্ননবা ঙাইত্তুনা লৈরি, ঐহাক্না মখোয়গী অপাম্বা অত্তু মনিং থুংহন্দবা পামজদে।"

১৩ শুবা পন্দূপ

নচা অদো মহাক অসিনি

ঙমিং য়ুংথ্রবা মতুংদা, দ্বৈপায়ননা কোম্নুং মন্নুংদা বিদায় লৌগে হায়তুনা চংলম্মী। মহাক্না নিংথৌরেনগী মনাক য়ৌরকপা মতমদা গাঙ্গেয় অমস্নুং আচার্য্য বিভূতিনা মথোয় মথোয়গী ফমফমদা ফম্লগা, মহারাণীনা নিংথৌরেনগী সনা হকচাংদা থৌগল তৌতুনা লৈরম্বতু থেংনরম্মী।

দ্বৈপায়ননা কা মন্নুংদা চংলকপা উবদা গাঙ্গেয়না মন্ত্রি কূনিক অমস্নুং মাগী খোংলোইশিং অতু চংখিনবা ইঙ্গিং পিরম্মী।

অমগা অমগা ওক্ল-থূরম্লরবা মতুংদা গাঙ্গেয়না মপাবুং নিংথৌরেনগী মখুৎ অতু পাইরগা হায়রকই, "ইবুংঙো দ্বৈপায়ন. নংদি হয়েং লেংথ্রগনি। ইপা ইবুংঙো, ইমা ইবেম্মা অমস্নুং ঐহাক ইশামক্না লোইননা নহাল ইবুংঙোনা তাকপিখিবা রাফম অতু খন্নজথে। পাবুং নিংথৌরেন্না তাকপিবা অচুম্বনি। ঐখোয়না নংগী লৌবিমল অতু শোইদনা খংফম থোকই। চানবিতুনা তাকপিয়ু, ঐখোয়না নংগী নতেং মতৌ করম্না পাংজৌ হায়বগে হায়বতু।"

"ঐনা ইহান হান্না পামজবদি ধর্ম্মক্ষেত্রদা আশ্রম অমা লিংখৎপা অতুনি," দ্বৈপায়ননা হায়রকই।

"ঐখোয়না মতু পুম্নমক পাংথোক্লবা থৌরাং অতু মফম অসিদগী শিনবা ঙমগনি," গাঙ্গেয়না হায়রকই।

"হৌজিকমক্তৌদি নত্তে," দ্বৈপায়ননা হায়রকই। "ঐহাক্না যমুনা মপান্দা লৈরিবা আশ্রমশিং অতুদা চৎচরুখিগে। মফমশিং অতুদা ঐগী ইপা মুনিগী পরুৱাশিং অতুনা ঐবু ঙাইতুনা লৈরমগনি। ঐনা মখোয় পুম্নমক অতু পুল্লপ্না খোমজিল্লুরগা পুন্না ধর্ম্মক্ষেত্রদা য়ৌমিন্নজগে।"

"পূজা তৌনিংঙাই মশক ওইরবা মহা মুনিনা মাগী পরুৱাশিং যমুনা মপানগী আশ্রমশিংদা থনম্রা?" নিংথৌরেন্না দ্বৈপায়নদা হংলকই।

"চুম্মী, মখোয়শিং অতুগী মরমদা ঐনা খংডি," মহারাণীনা হায়রকই। "মহামুনিগী আশ্রম অতুবু সহস্র অর্জ্জুন্না থুগাইতুনা মাংহনবা মতমদা মহাক্কী পরুৱাশিং অয়াম্বসু হাৎখিরম্মী। অহল ওইবা, হিংহৌবা পরুৱাশিং থরনা যমুণাগী তোর্ব্বান্দা আশ্রম মচা মচাশিং অমুক হন্না লিংখত্তুনা লৈরম্মী," মহারাণীনা মমাই লুকথনা মখোল অতু নেম্না হায়রকই।

গাঙ্গেয়না দৈ্বপায়নদা ওনশিল্লগা হংলকই, "মতৌ করম্না মহা মুনিনা মীহাৎ-মীপুন অতুদগী হিংহৌরিবনো?"

"সহস্র অর্জ্জুন লাকুনা মুনিগী আশ্রম অতু মৈ থাতুনা মাংহনবা মতম অতুদা মুনিদি তাঙ্গা অমা চাতুনা আশ্রমদা লৈরমদে। মরম অতুনা মহাক্না হিংহৌবম্মী। চহি খুদিংগী ওইনা মহাক্না মাগী পরুৱাশিংগী আশ্রম থুদিংমক্তা কোইনা চৎলম্মী। ঐহাক্না চাউরক্লবা মতমদদি ঐবুসু পুবিরম্মী। মহাক্না আশ্রম থুদিংমক্তা বেদবু কিনা, লুনা অমসুং থাজনা তৌনবা পাওতাকশিং পিবিতুনা ইনৌ নৌনা

মথৱাইশিং হাপ্লীরম্মী। ঐহাক্না আশ্রমশিং অদুদা কোইনা চৎলগা, পক্নরাম্শিং কয়ান। ঐগা লোইননা ধর্ম্মক্ষেত্রদা চৎনিংবগে অমম্মুং আশ্রম অমা লিংখৎপা অসিদা য়াওনিংবগে হায়রদু খংদোকচক্নখিগে," দ্বৈপায়নন্না হায়রকই।

"মীচৈ ফংলবা মফম অদুদা করিগী চৎকনি?" গাঙ্গেয়না হংলকই, "ঐখোয়না গঙ্গা তুরেনগী তোর্ব্বান্দা লৈবা পাক-চাউরবা মফম অমা থিগে, মফম অদুদা নং নশামক্না ওইবা আশ্রম অমা লিংখৎপিয়ু।"

দ্বৈপায়ননা য়ানিংদবা উত্তুনা মওক হায়-রগা হায়রকই, "গঙ্গাগী তোর্ব্বান্দা লৈরিবা আশ্রমশিং অদুনা ঐগী ইপাগী অচুম্বা ধর্ম্মগী চৎনবী নিয়মশিং অদুবু লৌ হায়বা য়ারমদে।"

দ্বৈপায়নগী রাঙাং অদুনা আচার্য্য বিভূতিগী মফমদদি থোইদোক্না মাবু ইকাইবা পিবগুম্না থোক্লম্মী, মরমদি মহাক্না গঙ্গাগী তোর্ব্বান্দা তারিবা আশ্রমশিং অদুগী লুচিংবা মকোক অদু ওইরম্মী। মহাক্না আশ্রমশিং অদু শোগদুনা বা হায়গে খনবনি, অদুবু হায়বমক্তি হায়খিদ্রে, তুমিন্না থাংদুনা লৈরম্মী।

দ্বৈপায়ননা মখা তানা অমুক হায়রকই, "অচুম্বা ধর্ম্মদা লেংদনা লৈববু কনগে হায়রবদি, ঐখোয়না ধর্ম্মক্ষেত্রবু অমুক হন্না শোইদনা লিংখৎপা তাই, মরমদি ধর্ম্ম অদুতনা, বেদদা মপুক্সি কংথোক্লবা মখোয়শিং অদুগী লেংলবা য়ুম্ফমনি।"

আচার্য্য বিভূতিগী মাইথোং, শাওখিবনা ঙাংশিল্লম্মী। নহা মুনি অসি থকশি-খাশি নাইদে হায়দুনা মপুক্কিংদা রারোরম্মী।

"ফরে, নংগী অপাম্বা অতু তৌরগে," গাঙ্গেয়না হায়রকই। "ঐহাক্না শাদানবশিং অমসুং উমং পান্নবশিং থাজিল্লগা লমশা অঙাওবশিং তাম্থোকহল্লগে অতুগা অশোংবা উমংশিংবুনা কোক-থোকহল্লগে।"

"নংগীদমক্তা অতৈ অতোপ্পা থবকশিং ঐখোয়বু তৌহন্নিংবা কবি লৈরি ?" নিংথৌরেন্না হংলকই।

দৈ্বপায়ননা রাখল তৌনা তৌনা মুমিং কৌবা লাইবু মপুক্নিং মন্নুংদা খুবমজবগা হায়বকই, "ভাবতকী অথোইব নিংথৌবেন. ইবুংঙোনা শক্তি চাউরবা কুরুশিংগা লোইনতুনা তমখিরবা হৈ হয়গী ফূরুপ্প মরু ফংনা ফুক্তোকপিখিরম্মী। মতুমক্তুনা মবম ওইতুনা, কৈশালশিংগী চাক্তাফম লমহাং ওইতুনা লৈরম্বা লমদম অসিবু ঙসিদি "কূরুক্ষেত্র" হায়না কৌতুনা লৈবাক প্রজানা খংনরিবসিনি। অতুগীম্মু মথক্তা লৈবাক কয়াবু জয় তৌবিরকপনা, নিংথৌশিং অয়াম্বনা ইবুংঙোবু 'চক্রবর্তী' অমনি হায়না লৌনখ্রবনি। অতুম ওইনমক তশেংনা হায়রবদা, ইবুংঙোনা ঙসি ফাওবদা, ইবুংঙোনদি পাংথোকফম থোক্লবা যজ্ঞশিং হায়বদি, বাজপেয়, রাজসূয় অমদি অশ্বমেধনচিংবদি অমতা তৌবিখিদ্রি।" হায়রগা দৈ্বপায়ননা ঙাইহাক তুমিন্না রাখল তৌনা লৈরম্মী। তিল্লিবা ময়াম অতুনা কবি মখা তাবকখিদগে হায়না ঙাইতুনা, মঙোন্দা ময়া কানা য়েংনবম্মী।

"পুকচেল চাউরবা নিংথৌরেন," মহাক্না হায়বকই. "বেদনা নিংথৌরেনগী থরাই কনখ্রে, মসিনা তাকপদি, মুমিং কৌবা লাইনা ধর্মক্ষেত্রবু ইবুংঙোনা অমুক হন্না শেমগৎনবা খংহল্লকপা খুদম অমা

ওইরম্মী। মরম অসিনা ইবুংঙোনা ধর্ম্মক্ষেত্রদা অচৌবা যজ্ঞশিং অসিগী মরক্তা অমদি শোইদনা পাংথোকফম থোক্লম্মী।"

আচার্য্য বিভূতিনা তুমিন্না অতুম লৈথোকপন্থু ঙম্লমদে। দ্বৈপায়ননা মাগী লাং অদু পাক-শন্না থাক্লক্লে হায়দুনা মাগী মপুক্লিংদা খল্লম্মী। "মতৌ করম্না নিংথৌরেন্না হৌজিক ওইরিবা ফিভম অসিদা কৈশালশিংগী লবুক লমহাং অদুদা চংপা ঙমগনি?" মহাক্না দ্বৈপাদা হংলকই।

"বাজপেয় হায়রিবা যজ্ঞ অসি পূজা তৌনিংঙাই মশক ওইরবা আচার্য্যনা হেন্না খংবিরিবনি, হায়বদি নুমিৎ তরাতরেংনিতা চংবা যজ্ঞ অমনি। যজ্ঞ অসিন, অতৈ যজ্ঞশিংগুম্না থাশিং অমম্লুং চহিশিং অদু শাংদোক্লা তৌবা য়াবা নত্তে। পুকচেল চাউরবা নিংথৌরেন্না পোথা পোথানা লেংবিবা য়াগনি. অমরোমদা নিংথৌরেনগী সনা হকচাংদস্থু থোইদোকপা অকাইবা উবা ফংদ্রে। করিগুম্বা নিংথৌরেন্না পাম্বারবস্থু ঐহাক থোগল ওইনা তুং ইনজগে," দ্বৈপায়ননা হায়জরকই।

"থবক অসি য়াম্না থুদোংথিবা মশক অমা ওইবনিনা ঐনা পুরোহিত অমা ওইনা, নিংথৌরেনবু থবক অসি পাংথোকহন্নিংদে," আচার্য্যনা হায়রকই।

"ঈশ্বরনা নিংথৌরেনবু কনবিরক্লিবসি ধর্ম্মক্ষেত্রদা যজ্ঞ অচৌবা অমা পাংথোকহন্নবগীরা হায়না ঐনদি পুক্লিং অসিদা থাজবদু পোকচরম্মী। নিংথৌরেন্না যজ্ঞ অসিবু পাংথোকপিরবদি কুরুগী অকল-অথৌ লুচিংবশিং মফম অদুদা লাকপদা নত্তনা লৈবাক লৈবাক-

শিংগী নিংথৌ পুম্নমক্না মচা মশুশিং অমদি খুদোনপোৎশিংগা লোইননা লাক্লুনা তিল্লরগনি। শ্রোত্রিয় চাম্ম-চাম্মসু লাক্লুনা যজ্ঞগী শরুক য়ারগনি। যজ্ঞনা লোইথ্রবা মতুংদসু, মফম অতুদা অহল ওইবা শ্রোত্রিয় কয়ানা আশ্রমশিং লিংখতুনা লৈহৌগনি হায়বসি ঐগী থাজবা ওইরম্মী। অমুক হন্না ব্রহ্ম তেজগা কূরুশিংগী ক্ষেত্রিয় তেজগা তিন্নবা হায়বা অতুসু থোক্লগনি," দ্বৈপায়ননা হায়রকই।

নিংথৌরেন্না গাঙ্গেয়দা ওনশিন্দুনা হায়রকই, "পূজা তৌনিংঙাই মশক ওইবা দ্বৈপায়নগী অপাম্বা অতু শোইদনা পাংথোকউ।"

"ইপা ইবুংঙোগী য়াথং তাওথবিরবনিনা," গাঙ্গেয়না খুমজরকই, "ঐহাক্না হৌজিকমক মন্ত্রি কূনিক্কী মফমদা, শাদানবশিং অমদি উমং ঙাক-শেনবশিং থাখিনবা য়াথং অতু পিজরুরগে। লমশাশিং অতু তাম্থোক্লবা অমদি অশোংবা মোংশোংশিং অতু কোকথোক্লবা পাওতাকসু পিজখ্রগে। কূনিক্কা লোইননা মুনিনা লাকপিতুনা মফম অতুদা বাজপেয় যজ্ঞগী থৌরাং অতু শেম-শাবিররো।"

"ঐহাক হৌজিক্তি ময়াম পুন্নমক্কী মফমদগী বিদায় লৌরগা চৎচখ্রগে পুকচেল চাউরবা গাঙ্গেয়," দ্বৈপায়ননা হায়রকই। "ঐহাক্না হায়জখিবা, ইপা মুনিগী পরুব্বা ময়াম খোমজিল্লগা, ঐগা লোইননা লাক্মিন্নজগে। ঐহাক্না পরাশর গোত্রদা লৈবা মখোয় পুন্নমক অতু অমতা ওইনা ধর্ম্মক্ষেত্রদা পুলহনবা ঙম্বা য়াই। ঐহাক্না থবক অসি ঙম্মীবা মথৈ য়াম্না থুজিন্না তৌবা পাম্নম্মী, মরমদি থৌরান-মিচাকশিংগী খোংচৎশিং ঐনা য়েংলকপদা, থানিন (পূর্নিমা) য়ৌগাদবা নুমিৎ মরিনি ৱাংলিঙৈদা চিত্রা নখত্র লাক্কদৌরি, হায়রিবা

মুমিং অসি, বাজপেয় যজ্ঞ হৌবগী খ্বাইদগী হেন্না ঋবা মুমিং অত্থু ওইরম্মী।"

নিংথৌরেন্না পুরোহিত, আচার্য্য বিভূতিদা ওনশিল্লগা হায়রকই, "পূজা তৌনিংঙাই মশক ওইরবা আচার্য্য, চানবিত্থুনা বাজপেয় যজ্ঞগীদমক্তা থৌরাং অত্থু, খুৎলৈ খরা থুনা তৌবিয়ু।"

পুরোহিতনা খন্নবা য়াবা ৱাঙাংদা হায়রকই, "ইনিংথৌনা চান-বিত্থুনা ঙাকপিগনি, ননাই ঐদি অহল য়াম্না ওইরে, শোনস্থু য়াম্না শোল্লে। থবক অত্থু মাইপুনবা ঙমজদবা তারে।"

দ্বৈপায়ননা পুরোহিত লোমদা ওনশিল্লগা য়াম্না ইকাইখুম্নবা উত্থুনা হায়জরকই, "ইকাইখুম্নবগী মশক ওইরবা আচার্য্য, গুরুদি বেদগী মপু অত্থুনি। গঙ্গাগী তোর্ব্বান্দা লৈরিবা শ্রোত্রিয়শিং পুম্নমক অত্থু গুরুগী লুচিং মখাদা লৈরিবনি। পুকচেল চাউরবা নিংথৌরেন্না বাজপেয় যজ্ঞ অসি তৌবা তারবদি, গুরুনা যজ্ঞ অসিগী অধ্বর্য্যু অত্থু শোইদনা ওইবিত্থুনা ময়াম্থু লমজিংবিয়ু।"

"পুকচেল চাউরবা নিংথৌরেন, মুনি দ্বৈপায়ননা গঙ্গাগী তোর্ব্বান্দা লৈবা আশ্রমশিংগী মরমদা হায়খিবা অত্থুনা অচুম্বা ওইরবদি, ঐহাকপু বাজপেয় যজ্ঞ অসিগী মকোক ফম্মু হায়রিবসি অরেম্বনি, কানদবা ৱানি," পুরোহিতনা দ্বৈপায়নমক্তদা পাওখুম পিবদি নত্তনা হায়রকই।

"ঐগী ৱাহৈশিং অত্থুনা গুরুগী পুক্নিংদা ৱারোবা অমা ওইনা থোক্লবস্থু ঐবু ঙাকপিয়ু পূজা তৌনিংঙাই মশক ওইরবা আচার্য্য," দ্বৈপায়ননা মখুৎ অত্থু লোন্নত্থুনা হায়জরকই। "অত্থুগা তৌবতদি

ঐহাক্লা ইপাগা লোইননা কোইরুবা মতম অতুদা মখোয় খরগা লৈমিন্নরম্মী। মখোয়দা বাবানা ব্রহ্মচর্য্যগী নিয়ম নিংথিনা ঙাক্তুনা চৎলু হায়বা মতমদা মখোয়না থৌশাদনা বাবাবু নোক্নরম্মী।"

"দৈ্বপায়ন, ঐদি নংগুম্না বেদগী শক্তি অতু লৈরমদে," অসি হায়রগা আচার্য্যনা মঙক অতু হায়-তুনা য়ানিংদবা উৎলম্মী। "অতুগা চতুর্বেদগী মন্ত্র থিত্নুনা তৌবা যজ্ঞ অমদা ঐহাক্না মকোক ওইবা হায়বা অতুস্থু ঐঙোন্দা লুনা থোকই। ঐগী ইপুন্সি অসিদি ত্রয়িবেদদা (বেদ অহুমদা) কৎথোকখ্রবনি। ঐঙোন্দা বাজপেয় যজ্ঞ য়াওনবা অমুক হন্না চানবিত্নুনা হায়রগনু।"

দৈ্বপায়ননা ঙাইহাক তুমিন্না লৈরুরগা য়াম্না নোনজবগা লোইননা হায়জরকই, 'পূজা তৌনফম ওইববা শ্রোত্রিয়, থাইনগী য়েংথিনবা অসি তাইশিন্নবা য়াবগী লম্বী অমতা লৈত্রব্রা? লাইগী মশক ওইরবা বেদনদি অচুম্বা জ্ঞানবু ওইরবদি অমা অমদগী লাকপা ওইরবস্থু লৌশিনগদবনি হায়না তাকপিরম্বা নত্রা?"

মতাং অসিদা নিংথৌরেন্না ব্রা ঙাংনিংত্নুনা মাগী শোল্লবা মখুৎ অতু থাঙ্গৎলগা পুরোহিত য়েংত্নুনা হায়বকই, ' পূজা তৌবদা মতিক চারবা দ্বৈপায়ননা ঐগী থন্নাই অসি কনবিখ্রে। ঙরাংগী রাজ্য সভা মীফম অতুস্থু মাগী পাওতাক লৌত্নুনা তৌবদগী মাইপাকপা ফংখ্রে। ঐখোয় পুন্নমক্লা মাগী আশা অসি থুংনবা শোইদনা হোৎনফম থোকই।"

আচার্য্যনা হায়বকই, "পুকচেল চাউরবা নিংথৌবেন্ন তাক-পিরিবসি অচুম্বনি। ঐখোয় পুন্নমক্লা মুনি অথোইবা দৈ্বপায়নগী

অপাম্বশিং অসি পাংথোক্লবা শোইদনা হোৎনফম থোকই অত্থুদা তৌবত্তদি, ঐনা মত্থুদা শরুক য়াবদ্দি ঙমজদবা তারে। ঐহাক্লা ঐগী লৈজরিবা থাজবা অসিবুদি মাংহনবা অত্থু ঙমজরোই।" হায়জরিবনি হায়দুনা হায়রিবা আচার্য্যগী ৱাঙাং অসিদসু ইকাইবা পিবগী ৱাঙাংদি অত্থুম য়াওরম্মী।

গাঙ্গেয়না আচার্য্যদা ওনশিন্দুনা হায়জরকই, "আচার্য্যশিংগী মন্থুংদা অথোইবা, হুন্দক্কী মতাং অসি ঈশ্বরনা আচার্য্যগী মফমদা, মত্তম কুইনা খৎনদুনা লাক্লব শ্রোত্রিয়শিংগী ৱাফম অসি তাইশিন্নবগী খুদোং চাবা অত্থুবু পিরক্লবনি।"

"মত্থু খৎনবা নত্তে, মাগী মাগী থাজনবা অত্থুতগী ৱাফম্মি," আচার্য্যনা হায়রকই। "পুকচেল শেংনা, থৱাই য়াওনা হায়রবদা বেদ শরুক অত্থুমক্তনি হায়বসি ঐহাক্লা থাজরম্মী। মতৌ করম্না ঐহাক্লা অথর্ব্ববেদবু বেদগী শরুক অমনি হায়না লৌবা ঙমগনি।"

দ্বৈপায়ন মশামক জ্ঞান মাংলম্মী। মহাক্লা মোমোন নোক্লগা হায়জরকই, "ঐহাক্লা খৎনবগী ৱাফম অত্থু বাজপেয় যজ্ঞ অসিগী মফমদা পুশিনবা অত্থু পামজদে। যজ্ঞ অসি পুকচেল চাউরবা আচার্য্যনা অথোইবা, যজ্ঞগী মকোক অধ্বর্য্যু অত্থু ওইরগা, অপাম্বা মওং অত্থুদা পাংথোকপিয়ু। পূজা তৌনফম ওইরবা আচার্য্যনা ইচম চমথোকপা মতৌ অসি উজবদা ঐহাক পেনজরে। আচার্য্যনা তৌবিবসি, ঐগী ইপুধৌ পুরেন মহামুনি বশিষ্ঠনদি থোইদোক্লা পেনজরম্মগনি।"

আচার্য্যনা নিংথৌরেন্দা য়েংলগা হায়জরকই, "পুকচেল চাউরবা

নিংথৌরেন, ঐদি হৌজিক অহল ওইরে। দৈ্বপায়ননা অঙকপা, লাইগী ওইবা থৌদৌ অহুবু পাংথোকখিবা মতম অতুদা, ঐহাক্না কুরুশিংগী পুরোহিত ওইনা লৈবগী মতম অহু লোইরে হায়বসি খুদক অতুদা খংজখ্রবনি। নহা অমসু ওইরিবা মুনিশিংগী মরক্তা অথোইবা অমসু ওইরব দ্বৈপায়নদা, ঐগী পুরোহিতকী ফম অসি থিন্দোকপিনবা নিংশিংজরি।"

দ্বৈপায়ননা মপুক্কিং মুংশিনা মরক থংনা হায়জরকই, "পুজা তৌনফম ওইরব আচার্য্য, ননাই ঐদি থৌজাল নত্রগা ফম অমতা লৌজদে। ঐহাক্না মহুবু কবিগুম্বা লৌক্লরবদি, ঐহাক্না বেদবু ঐনা পামজবা মওংদা, সেবা তৌজবা অহু অমুক হন্না ঙমখ্ররোই।"

মহারাণী সত্যবতীনা ঙসাই মখৈ ময়াম্না ঙাংন-শক্লরিরা ব্রাফমশিং অহুবু মুন্না তাতুনা লৈজরম্মী। ইখং খংহৌদনা মহাক্না মাগী মাইখুম অহু হায়দোক্লক্লম্মী। মমাই অহু ঙাংতক তৌনা, অশাওবা মিংয়েং অমগা লোইননা, মখোল অহু তরু তরুনা হায়জরকই, 'আর্য্যপুত্র, তোল্লবী ননাইনা ময়ামগী রারিদা মরক থংনা অকাইবা পী হায়তুনা ব্রারৌবিগনু। ঐদি নুপী অমনি, ঐনা বেদবু শরুক অহুম্নি নত্রগা মরিনি হায়বগী ব্রাফম অহু খংজদে।"

তিল্লিবা ময়াম পুম্নমক অহুতা নত্তনা নিংথৌরেন ফাওবা য়াওনা মহারাণীগী মতৌ অতুদা অঙকপা পোক্লরম্মী। নিংথৌরেন্না হিপলখ্বদগী হৌগত্তুনা ফমুংদা ফম্লম্মী।

"শ্রোত্রিয়শিং মরক্তা খেন্নবা কয়া লৈজরবসু, ঐনা তৌগদবা

করিনো হায়বত্থু ঐহাক নখোয়দা হায়গে," মহারাণীনা হায়রকই। মতুংদা মহাক্লা অরেপ্পা অমা হায়রকই, ' ঐহাক নত্রগা ঐগী ইচাশিং অমতনা দ্বৈপায়ন য়াওদ্রবা যজ্ঞ অত্থুদা বাজপেয় ওইরবস্থু নত্রগা ওইদ্রবস্থু, থক য়াওরোই। ঐহাক ইশামক্লা কুরুক্ষেত্রদা চত্থুনা দ্বৈপায়নগী আশ্রম শেমগৎ-শাগৎপা অত্থু য়েংলুগনি।"

মহারাণীনা ঙাইহাক পোথারগা অমুক মখা তারকই, "ঐহাক্লা পূজা তৌফম থোক্লবা মহা মুনি ... ..." হায়রগা মমিং পনবা ঙমদত্থুনা মরু লুক্লা হিক্লা হিক্লা মখোল নিক্লা অমুক হায়রকই, "মহাক্কী ব্রাশক অত্থু পাংথোক্লব্রা য়েংলুগনি।"

ময়াম পুম্নমক অত্থুনা ঙক্করম্মী। কনা অমতনস্থু, নিংথৌরেন ফাওবনস্থু, মতম চুপ্পদা থোইরুম মোমোস্ত। তৌনা, ঈংনা লৈজবী মহারাণী অসিনা মতৌ অস্থুম্না অশাওবা উৎলকনি হায়বসি, থাজরমদে।

মহারাণীনা আচার্য্য বিভূতিদা ওনশিল্লগা হায়রকই, "পূজা তৌনিংঙাই মশক ওইরবা আচার্য্য, ঐনা হস্তিনাপুরদা হেক লাকপা নুমিৎ অত্থুদগী হৌনা ইবুংঙোনা ঐগী গুরু ওইবিরক্লবনি। ইবুংঙোনা রাজভক্তি কাইদনস্থু লৈবিরক্লি। ঐহাক্লা আচার্য্যগী মহৈ (বিদ্যা) অত্থুগীদমক্তা থোইদোক্লা ইকাই খুম্নবা উৎচরি, অত্থুগা মরম খুদিংমক্তা আর্য্যপুত্রগী অপাম্বা অত্থুগী মতুং ইন্নদি তৌবিয়ু। ঐহাক্লা আচার্য্যনা হন্দক্কী বাজপেয় যজ্ঞ অসিদা মকোক ওইবা অধ্বর্য্যু ফম অত্থু লৌহনজনিংঙি। আর্য্যপুত্রগী সনা হকচাং অসি চোকথনা উরে, পোথানবা শিনজরক্লগে। আচার্য্যনা হস্তিনাপুরগী মরু ওইবা

শ্রোত্রিয়শিংগস্মু ব্রা তাম্নবিরু," চৌংলেম্না, হায়বা ইন্দবা ঙম্মরোইদবা মিৎয়েংদা মহাবাণীনা আচার্য্যদা য়েংলম্মী।

দৈ্বপায়ননা মমাগী অঙকপা মতৌ অহু উবদা, মশাদা তুজুংবা ফাওনা ভক্তি পোক্লম্মী।

আচার্য্যনা নোল্লুক্না খুরমহুনা ময়ামদা আশীর্ব্বাদ পিবম্নগা চংখিরম্মী।

ময়াম পুন্নমক অহুনা চংনগ্রবা মতুংদা দ্বৈপায়ননা মহাকস্মু চংলগে খন্দুনা মাগী ফমফমদগী হৌগৎলগা মখুৎ ওইনা য়ুবী খুজাই পাইখৎলগা য়েৎথংবা মখুৎ অহুনা থাঙ্গতুনা নিংথৌবেন অমস্মুং মহারাণী অনিগী মফমদা আশীর্ব্বাদ পিগে তৌরকপা মতমদা মহারাণীনা য়াথং অমা ওইনা থিংলগা হায়রকই "মহুন্না তৌগদবা নত্তে দ্বৈপায়ন। কৃষ্ণ, নংনা হুমিৎ খুদিংগী নখুৎ থাঙ্গতুনা আর্য্যপুত্র অমস্মুং ঐবু আশীর্ব্বাদ হেক হেক পিবম্মী। ঐহাক্না হৌজিক্তি হৌনলোনচৎ ব্রাৎপা লমচৎ-শাজৎ অহুদা শরুক য়াবা ঙম্মরোই।"

নিংথৌরেন্না পুমঙক ঙক্লহুনা মমিৎ লাওনা পাংথোক্লম্মী। খুদক্তা ওল্লক্লিবা য়াওল অহুবু খংবা ঙম্নমদে।

"পুকচেল চাউরবা আর্য্যপুত্র," মহারাণীনা মখোল অহু তপ্না ঈংনা অমস্মুং মুংশিনা হায়জরকই, "ঐখোয়না লুহোংদ্রিবৈগী মমাংদা, ঐগী ইচা মুপা অমা লৈ হায়না ঐহাক্না হায়জখিবহু ইচা অসিনি মহাক অদো," মহারাণীনা দ্বৈপায়নদা খুদোনবীনা থিল্লগা হায়জরকই।

নিংথৌরেন্না মহারাণী অমস্থুং দ্বৈপায়ন অনিদা হনগৎ-হন্দা মুন্না য়েংলগা, মহারাণী অসি ঙাওরমাল্লে খল্লম্মী।

"কৃষ্ণ, নিংথৌরেনগী মখোং শোক্না থুরম্মু, মহাক অসি নংগী পূজা তৌনিংঙাই মশক ওইবা নপা অতুগী মহুৎনি--নঙোন্দদি লাই অমনি," মহারাণীনা হায়রম্মী।

১৪ শুবা পন্দূপ

থাজদনা য়ানরকপা

মন্ত্রি কূনিক্লা লমজিংতুনা দ্বৈপায়ননা হৈনৌবনগী লাইশং তম্না লাক্লম্মী। মফম অতুদা মীয়াম অমনা মঙাকপু ঙাইতুনা লৈরম্মী মখোয় খরনা মঙোন্দগী আশীর্ব্বাদ নিজবম্মী অমসুং খরা অমনা মখোয় মখোয়গী অনা-অয়েকশিং অতু কোকহন-ফহনবিনবা হায়-জরম্মী।

নুংথিলগী মতমদা তৌগদবা সন্ধ্যাগী মথৌ লোইরবা মতুংদা দ্বৈপায়ননা অশোন-অনাশিং অতুবু যেংবিতুনা আশীর্ব্বাদ পিবিরগা, মাবু ঙাইতুনা লৈরিবা অঙাংশিং অতুগী মফমদা চান-থক্লা চিঞ্জাক-শিং অতু য়েন্দুনা পিজরম্মী। মতুংদা লেমহৌবা খরা অতু মহাক্লা চারম্মী। ময়াম অতুনা চংনথ্রবা মতুংদা মহাক্লা মন্ত্রি কূনিক্তা, আচার্য্য বিভূতিগী মগুম য়োনবা লমজিংবিয়ু হায়বম্মী।

মফম মরাং খংদবা খুরবা লম্বী মচা অমা ফাওদোক্তুনা মখোয়না লাক্লগা, নিংথৌগী পুরোহিতকী কোম্মোংদা থুংলম্মী। পাক চাউরবা লমহাং অমগী ময়াইদা আচার্য্যগী শঙ্গাই অতুনা চীংলেম্না। লৈবতু দ্বৈপায়ননা উবা ফংলম্মী। শঙ্গাই অতুগী নাকল অমদা, শঙ্গোল অমা থাপ্তুক্লা লৈরি। যণবীশিং খরদা নুপী নহাশিং খরনা হরাও তয়াম্না শঙ্গোম শুমতুনা লৈরি। অতোপ্পা মাইকৈ অমদনা, নিংথিবা শং অমদা পরুরাশিং খরনা বেদগী মন্ত্রশিং

শক-শোন্দুনা লৈবত্থ মহাক্না উবা ফংলম্মী। শুমাং অত্থগী ময়াইদা যজ্ঞগী বেদী (লৈরং) অমা, মৈহোৌফম অত্থগা কোন্ননা লৈরম্মী।

মতম অসিদা আচার্য্য বিভূতিদি মাগী শঙ্গাই মাঙ্গোল অচৌবা অত্থগী নাকল অমদা, অহল ওইরবা মপা ব্রহ্মীস্থ, চহি মরিফুতরা শুরবা, মমিং-মমাই খুইরবা অমস্তুং মখুৎ-মশা থক থক নিক্লবা অসিগা, অতৈ অতোপ্পা গঙ্গা তোর্ব্বান্দ: তাবা শ্রোত্রিয় অহুম অমদি মাগী মচানুপা অনি, ত্রয়ি বিদ্যা চংখোন্না হৈরবা, মখোয়শিং অসিগা লোইননা ব্রা খন্ন নৈনত্থনা লৈরম্মী। মখোয় পুন্নমক, অহল ওইরবা ব্রহ্মীস্থ নত্তনা, মুগাগী ফৈজোম শেৎলগা মপাম্বোমশিংদা সনাগী পাম্বোম ফাবীশিং পুন্দুনা, সনা কোন্নুংগী ফম্নাইবনি হায়বত্থ তাক্লম্মী।

মন্ত্রি কূনিক্লা মাঙ্গোল অত্থদা চংলক্কুনা, মখোয়না হৌজিক্কা মাগী মরমদা ব্রা ঙাংনত্থনা লৈরিবা মীশক, দ্বৈপায়ন অত্থনা মশামক লাক্কুনা থুংলরে হায়না হায়রকপা তাবদা, মখোয় পুন্নমক ইঙক ঙক্লরম্মী।

দ্বৈপায়ননা চংলক্কুনা শ্রোত্রিয়শিং পুন্নমক অত্থগী মখোং শোক্লা খুরমজরম্মী। মতম অসিদা আচার্য্য বিভূতিনা দ্বৈপায়নদা হায়রকই, "পরাশরগী মচানুপা, ফমজো ফমজো," অসি হায়ত্থনা মহাক্না মাগী মচাসিংগী মনাক্তা লৈরিবা ফিদা অত্থদা খুদোনবীনা থিল্লম্মী। মতুংদা মহাক্না মখা তারকই, "ঐখোয়না নং লাক্কনি হায়বা খল্লমদে," বিভূতিগী ব্রাঙাং শাঙাং অত্থ কয়া লৈবাক মচা তারমদে। দ্বৈপায়ননা

মখোয়গী মনাক্তা লাকপা অতুবু মখোয়না মপুক্লিংদা রাখোবা অমম্মুং মুংঙাইতবা পোক্লম্মী।

দ্বৈপায়ননা বিভূতিনা হায়বা ফমফম অতুদদি ফমদনা মাগী (বিভূতিগী) মমাংদা খুরুখুদক কুম্না পরুরা অমনা তৌবগুম্না ফম্নগা হায়জরকই, "পূজা তৌনফমগী মশক ওইরবা আচার্য্য, ঙসি মুমিত্তা থোকখিবা থৌদোক অতুগী মতুংদা ঐহাক্না মফম অসিদা লাক্লিবসি অওকপা অমা ওইনা থোক্লম্মগনি হায়বসি, ঐহাক ইশা- মক্লম্মু খনজরম্মী। অতুম ওইনমক, পূজা তৌনিংঙাই মশক ওইরবা আচার্য্যনা, শ্রোত্রিয় অমনা আচার্য্যগী মমমদা চংজরক্কুনা মাগী অপাম্বা অমা নিজবকপদা তাম্থোকপনক্তি তাম্থোকপিরোই হায়না ঐনা খনজে।"

"শ্রোত্রিয় অমগী মফমদদি ঐগী থোং অসি মতম পুম্নমক্তা হাং- দোক্কুনা লৈ" আচার্য্যনা লাওনা অমম্মুং চাউথোক্না হায়রকই। অতুম ওইনমক মাগী রাঙাং অতুগা মাগী মতৌ অতুগদি য়াম্না খেন্নরম্মী।

'আচার্য্যশিংগী মবক্তা অথোইবা, ঐহাক্না, গঙ্গাগী তোর্বান্দা লৈবা আশ্রমশিংগী মফমদা হায়রৈদবা রাহৈ থরা শিজিন্নখিবা অতুগী প্রায়শ্চিত তৌনবা ধর্ম্ম-কর্ম্মগী চৎনবী নিয়মশিং অতু ঐঙোন্দা তাকপিনবা হায়জুনা, লাকচবনি," দ্বৈপায়ননা হায়জরকই।

"বিভূতিনা হায়বদি নহাক অসি পরাশর মুনিগী মচাঙুপানি হায়। ঐহাক্না মহাকপু অঙাং অমা ওইনা উখিবত্থু নিংশিংলি," অহল ওইরবা ব্রহ্মাস্থনা দ্বৈপায়নদা মখুৎ লাইখল তানা মুম্না

য়েংলগা হায়রকই। 'মতম অদুদা ঐহাক্কা পূজা তৌনফম মশক ওইরবা মহামুনি বশিষ্ঠকী আশ্রমদা লৈরম্মী।"

বিভূতিনা মপুক্লিংদা ৱারৌবগা লোইননা হ লকই, "নংগী প্রায়শ্চিত তৌনবগী থবকপু ঐঙোন্দ হংলিব করিগীনো? নংনা পাপকী থবক অমা তৌরুবে থল্লবদি নংনা খংলিবা নংনা খংজবা চৎনবী অদুগী মতুং ইন্না, নংনা অদুম তৌজো।"

"মরমদি, আচার্য্যনা ঐবু ঙাকপিররোই হায়বতনি হায়বসি ঐনা খংজবা ঙমলে," দ্বৈপায়ননা অঙাংগম্না নুংশিনা নোক্লগা হায়জরকই।

"ঐহাক্কা নংবু ঙাকপু ঙাকপিববস্মু ঙাকপু ঙাকপিদরবস্মু মদুদা করি অকাইবা লৈ?" আচার্য্যনা শাওরপ্না হংলকই।

"ঐঙোন্দদি লৈ পূজা তৌনিংঙাই মশক ওইবা। ঐহাক্কা হায়জবা অসিবু নুংশিবিরম্লবদি, আচার্য্যনা ঐবু ঙাকপিবে হায়না লৌজরমগদবনি। অদুগা তৌবদি ঐহাক ইশামক্তা মতিক চাদবা মীশক অমা ওইরগা, ঐহাক্কা অতোপ্পা মীশক অমদগী মতিক চাবা অদু মতৌ করম্না ফংগে থল্লুরিবনো?" দ্বৈপায়ননা মতৌ অস্নুম্না হংজরগা মখা অমুক তাজরকই; "ঐহাক কবিগুম্না অমতদি নিজগে, য়াগদ্রা পূজা তৌনিংঙাই মশক ওইরবা আচার্য্য?"

বিভূতিনা মাগী থাংহৈবগী পল অদু লাম্থোকখিতুনা অকনবা ৱাহৈনা শাওনা হায়রকই, "নংনা হায়গদৌরিবা ৱা অদুনা বাজপেয়গী মরমদা ওইরবদি নংনা হায়দ্রিঙৈগী মমাংদা ঐহাক্কা মদুবু য়াদ্রবনি।"

"করিগীদমক্তা ঐনা হায়জবা তাবিরোই," দ্বৈপায়ননা

হংজরকই। "লাইশিংমক্লস্ম পাপকী থবক তৌবশিংনা হায়জবা অহুবু তাবি।"

মফম অহুদা ফম্লিবা মীয়াম পুন্নমক অহুনা, অহল ওইরবা ব্রহ্মাস্থ নত্তনা দৈ্বপায়নদা তুক্কচবা মিনোক্লা নোক্তুনা য়েংনরম্মী। অহুগা অহল অহুনাদি দ্বৈপায়নগী ৱাশিং অহুবু মথুংনা মনাকোংদা খল্লগা মুন্না তারম্মী। মহাক্লা ইঙ্গিৎ অমা তৌহুনা দ্বৈপায়নবু মথা তানা ৱা ঙাংলক্লবা খংহল্লম্মী।

"ফরে, নংনা হায়নিংবা ৱা অহু ৱাহৈ খবতদা শুপচিন্না ফোংদোকচৌ," বিভূতিনা হায়বকই। নহা মুনি অসিবু মহাক্লা খুদক অহুদা তাম্বোক্কে খল্লম্বা ৱাখল অহুবু নমথহুনা থম্লগা মাগী ৱাহৈশিং অহুগী অফ-ফত্ত পুন্নমক অহুবু তাথোক্লগে হায়না খল্লম্মী।

"পূজা তৌনিংঙাই মশক ওইরবা, ঐনা হায়জখিবহুনি, ঐনা আচার্য্যদা ল জখিবা মবাল অহুগীদমক্ত ঐহাক অসিবু প্রায়শ্চিত তৌথোকপা অহু পামজৈ" দ্বৈপায়ননা হায়জরকই। মহাক্লা আচার্য্যনা করি হায়বক্কদগে হায়হুনা ঙায়জবম্মী, অহুবু করিগুম্বা পাওখুম অমতা ফংলক্রুবদা মহাক্লা মথা তাবকই, "নত্রগা ঐহাক অসিবু আচার্য্যনা বাজপেয় যজ্ঞ অসিদা য়াওহনবিবগন্থু।"

অহুগা মহারাণীবু শাওহনগে," বিভূতিনা করেম্নবা ৱাঙাংনা মতেং পাংশিল্লম্মী।

'পুকচেল চাউরবী মহারাণীদি, ঐনা তশেংনা খংজৈ, শাও-রোই। ঐহাক অসিনা অরানবা অমা তৌরুবদগী বাজপেয় যজ্ঞ য়াওবা য়াত্রে হায়না মহারাণীদা হায়জগে," দ্বৈপায়ননা হায়জরকই।

"নহাক 'ত্রয়ি বিদ্য' বেদ অহুম তমখ্রব্রা ?" অহল ওইরবা ব্রহ্মীশ্বুনা য়াম্ন লাংনা অমস্তুং মখোল কল্লা হংলকই।

"অহোয় তমজখ্রে, পূজা তৌক্ষমগী মশক ওইরবা," দ্বৈপায়ননা মখুৎ অনি অহু লোল্লহুনা খুমজরকই।

"কনাগী মফমদা তম্মী ?"

"ঐবু পোকপিবা মহামুনি পরাশরদা।"

"নংদি বাজপেয় যজ্ঞ কবল্লা পাংথোকদগে হায়বদি থংলব্রা ?"

"ঐনা সোম যজ্ঞদি তৌজখ্রে, বাজপেয় যজ্ঞদি অমুক্তা তৌজখিদ্রি," দ্বৈপায়ননা খুমজরকই।

আচার্য্য বিভূতিনা থৌওই উংশিত্তনা মরক থংনা হায়বকই; "নহাক্তা বাজপেয যজ্ঞ তৌবদা মতিকপু চারবস্থু, চাবু চাত্রবস্থু মতুদা করিমতা অকাইবা লৈতে। মতুদা ঐহাক য়াওগদব লৈতে।"

দ্বৈপায়ননা মরু ডাইহাক লুকথরুরগা হায়জবকই; "আচার্য্য-শিংগী মবক্তা অথোইবা, ঐহাক্তা পংবদগী থোকখ্রিবা রাংোক অসি তাইশিল্লবা য়াবা লম্বী অমতা ঐডোন্দা উংপিয়ু। ঐহাক ইশা-মক্তা বাজপেয় যজ্ঞ অসিদগী মপান থোকখিবা অহুবু পামজৈ।"

বিভূতিনা শাওনা হায়রকই, "নংনা অপাম্বা মতুং ইন্না নংনা তৌবা য়াই। ঐহাক্তা কবি তৌগদগে হায়বহুদি ঐখোয়না খল্লহুনা লেপ্পখ্রে। ঐহাক্তা কুকশিংগী পুরোহিত ওইবগী ফম অসি থাদোক্লগা সন্ন্যাসি ওইনা বন্দা লাইনিংবা চংখিগনি।"

"চানবিহুনা রাথল অহু অদোমদা পুবিখিন্নু," দ্বৈপায়ননা মখুৎ অনি অহু লোল্লহুনা হায়জরকই। "নিংথৌরেল্লা বাজপেয়

যজ্ঞ অসি পাংথোক্লগে হায়না মপুক্লিংদা লেপ্লে, অদুগা আচার্য্যনা থবক অসি পাংথোকপস্থু ওমগদবনি।"

"নংনা পাম্বদি. নিংথৌরেন অমম্থুং মহারাণী অনিনা, ঐহাক্না করিগুম্বা শবৌ অমা তৌহুনা নংবু বাজপেয় যজ্ঞ অসিদা য়াও-হন্দবনি হায়না, মপুক্লিংদা থলহনবা অহুনিনে। নহা মুনি, ঐনা চহি মতাং অসিদা অহুগুম্বা মরক অহুদা লৈবা পামদ্রে," আচার্য্য বিভূতিনা অশাওবা মিনোক্কা লোইননা হায়রকই।

দ্বৈপায়ননা আচার্য্যদা য়ে'লগা হায়জবকই. "মখোয়না মহুম্না কদৌউডদস্থু খনগদবা লৈতে। ঐহাক্না করি মরমগীদমক্কা তোকখি-বগে হায়বহু মখোয়না খংগনি।"

"নংনা খংলিবা অহুদগী হেন্না ঐহাক্না মখোয়বু খংডি. হে নহা মুনি," বিভূতিনা তুবৎ তুপ্না লাওবকই।

"ঐহাক্না বাজপেয় যজ্ঞ অসি পাংথোকবা শিল্লকপগী মরম অহু খরা ফোংদোকচবা য়াগদ্রা?' দ্বৈপায়ননা হংজবকই।

বিভূতিদি তানিংদবা উত্তুনা মওক অহু লৈথোক্লম্মী, অহুবু মাগী অহল ওইরবা ব্রহ্মীস্থনা মরক থতুনা হায়রকই, "হায়যু তাগে।" অহল অহুনা শানরিবা রারি অহুবু ঙসাইদগী হৌনা মুন্না তাবক্লম্মী।

"পূজা তৌনিংঙাই মশক ওইববা, ঐগী ইপা মুনি পরাশরনা হৌজিক্কি মতম অসিদা ওইরিবা লৈবাক্কী ফিভম অসিবু য়াম্না নিংথিজনা খংবা ওম্লম্মী," দ্বৈপায়ননা হায়জরকই। "ধর্ম্মগী মতৌ মওং অসি ফেৎ ফেৎ হায়-না, থরাক থরাক য়ান্দুনা লৈরে। মসিগী মপুনি হায়হুনা লৈরিবা শ্রোত্রিয়শিং অসিনা অমগা অমগা তিন্নবা য়াদনা

অমস্তুং থাজনদনা কাংবু অনি থোক্তুনা লৈরে। আশ্রম পুম্নমক অমগা অমগা ত্তিন্নবা য়াদবদগী অমদি থকশি খাশি লৈনদবদগী মখোয়গী শক্তিশিং নোংম নোংমগী মাংশিল্লক্লে। মতৌ অসিনা অস্তুম লৈখিবা তারবদি, লাইশিংনস্তু ঐখোয়বু থাদোক্লম্মগনি, অশেংবা বেদগী খোস্থোকস্তু মাংখ্রগনি অমস্তুং ধর্ম্মস্তু লৈথাদ্রা তাগ্রগনি। মরম অসিনা, মসি থোক্তুনবা অমস্তুং কনবা ওয়্রবা, হোংনবা য়াবা পুম্নমক হোংনবগী মতম অত্তু ওইরবনি।"

ধর্ম্ম অসি শন্দোকপগী য়াখল মাগী মপাদা লৈরম্মী হায়বত্তু দ্বৈপায়নগী য়াঙাং-শাঙাং, মমাই অমদি মাগী শাজৎশিং অত্তু উবদা, ব্রহ্মীস্থনা খংবা ওয়্রম্মী।

"মতুগীদমক্তা শ্রোত্রিয়শিংবু হুন্দুনা ঙাংগন্নু," অহল ওইরবা আচার্য্য দেবযান্না হায়রকই। "মখোয়দি মথৌ নিংথিজনা তৌরি।"

"মখোয়বু তৌরিব্রানে?" অহল ব্রহ্মীস্থনা হংলকই।

"মখোয়না তৌজরি," দেবযান্না হায়রকই। "নংগুম্বা নখোয় নহারোলশিংতনা নথক থোংবা অহল লমনশিংনা য়ানত্তুনা তৌরিবা থবকশিংবু খংবা ওমজদবনি। মখোয়শিং অত্তুনা লানগী মৈথু মরক অত্তুদা য়াম্না য়ানা, মথরাই খুবাক্তা হাপ্তুনা আশ্রমশিং অত্তু, কনা-দগীস্তু মতেং অমতা ফংদনা, শেমগৎখ্রিবনি।"

আচার্য্য বিভূতিনা মচিন শুক্কোক্তুনা তুমিন্না ফম্নম্মী। মহাক্তি নহা মুনি অত্তুগা মতম অমুক শাংথনা য়ারি শাবা অত্তু পাম্নমদে, অত্তুম ওইনমক, অহলশিং ঙাক্তা য়াওবনা খিংবদি ওয়্রমদে।

"পূজা তৌনিংঙাই মশক ওইরবা, ঙসিগী শ্রোত্রিয়শিং অসিনা

মপুক্কিং মথন্নাই য়াওনা বেদগী চংনবী নিয়মশিং অদুবু ঙাক্না চংলিব্রা ? ব্রহ্মচর্য্য আশ্রমদা লেংদনা লৈদুনা মপুক্কিং অনি লোংদনা বেদবু তম্লিব্রা ? নত্রগা গৃহস্থ আশ্রমদা (য়ুম পানবদা) চংদুনা মাগী ইমুং-মন্নুংশিংগা লোইননা ধর্ম্ম কর্ম্ম চুম্না তৌদুনা লৈরিব্রা ? অদুগা লুহোং-খোংদোংবগী অচুম্বা নিয়মশিংস্থু ঙাক্না চংলিব্রা ?" দ্বৈপায়ননা হংজরকই।

'সহস্র অর্জ্জুন্না লান্দারক্তুনা ধর্ম্মগী মরু ওইবা আশ্রমশিং মাংহল্লকপা মতম অদুদা নংদি পোকস্থু পোক্রি.' দেবযান্না খুম্লকই।

"মদু অচুম্বনি, পূজা তৌনিংঙাইগী মশক ওইবা। অদুবু ঐখোযনা মোংফম ওইদুনা লৈহাও ফংদনা লৈখ্রবা মফম অদুবু, কন্নস্বা লৈহাওশিং হাপ্পগা অমুক চাউখৎহনবা ঙমগদগে ?" দ্বৈপা-য়ননা হংজবকই।

ইঙ্গিৎ অমা তৌদুনা অহল ওইরবা ব্রহ্মীস্থনা রারি অদু মখা চংথখিনবা বিভূতিবু থিংলগা হায়রকই, "কবি তৌবগা চাউখৎকনি হায়বগী মরম অদু, নংগীদি লৈ লাকপ্রা ?"

"চহি কয়ামুক থল্লবা মতুংদা ঐবু পোকপা। মুনিনা ওইগদবা মওং অদু তাকপিরম্মী. মদুদি অন্নাবা অসি কোক্লবা উপায়দি, অনৌবা শ্রোত্রিয় কাংবু অমা নিংথিনা শেমগৎলগা, ধর্ম্মগী অচুম্বা লম্বীদা কাইদনা লৈনবা হোৎনহনবতা নত্তনা অনৌবা আশা পিদুনা থম্বা, অসি নত্তনা অতৈ অতোপ্পা অমা উদে হায়না," দ্বৈপায়ননা হায়জরকই।

"বেদ, বেদ, কানত্রবা অতলবগী বেদ," বিভূতিনা হায়রকই।

মহাক্লা ঙাংন-শক্লরিব। ব্রাক্ষম অতুবু খুদক্ত। লোইশিনবা পাল্লম্মী, অতুদা মাগী অহল ওইরবা মপা ব্রহ্মীস্থনা মাবু থাল্লগা দ্বৈপায়নদা হংলকই, "নহাক্লা মতুদা করি তৌগে খল্লিবা ?"

"ঐখোয়না শ্রোত্রিয়শিংবু অকনবা তপস্যা তৌনবা লমজিং-বিবতা নত্তনা বেদদা থাজব। অতুস্নু লৈহনবা তায় অমস্নুং অতৈ অতৈ চাউখংনা লৈবা পাম্বা কাংবুশিং অতুবুস্নু থাজহনবা পোকহন্দুনা অনৌবা তাইবং অমদা পুশিন্নবা তৌগদবনি." দ্বৈপায়ননা খুমজরকই।

"মখোয়গী আশা অতুগী পম্বুংকম য়েৌনবা লম্বীদি কদায়নো ? ঐঙোন্দা শন্দোক্লা, মচা থায়না হায়য়ু" অহল ওইরবা আচার্য্য ব্রহ্মীস্থনা হায়রকই।

বিভূতি অমস্নুং অতৈ শ্রোত্রিয়শিং অতুনা অহল অসিগী নিংঙাই-পনঙাইদবা মতৌ অতু উবদা থোইদোক্ল। মপুক্লিংদা লুংঙাইতবা ব্রাখল অমা পোক্লম্মী, অতুবু অহল অসিনা মপুক্লিং থিংজিন্না করিগুম্বা হিরম অমদা ব্রারি শাথা হৌখ্রবদি মতুবু মখোয়না থিংঙ্বা ঙম্বগী হক অতুদি মখোয়গী লৈজরমদে।

"ঐনা নিংজরম্মী," দ্বৈপায়ননা হায়জরকই, 'মতুদি পুকচেল চাউরবা নিংথৌরেন্না মাইপুনন। পাংথোক্কে খল্লিবা বাজপেয় যজ্ঞ অসি আচার্য্য বিভূতিনা লুচিংতুনা পাংথোকপিরবদি, ধর্ম্মক্ষেত্র অসিনা অমুক হন্না চাউখৎলক্কুনা ময়াই লেপ্পা অতু ওইরগা, মঙোন্দগী ধর্ম্মগী ইচেনশিং অতুনা মাইকৈ খুদিংসক্তা চেম্বরকপা ঙমগনি হায়না। মুপী মুপা থাক্তনা শ্রোত্রিয় খুদিংমক্কী থম্মোইদা থুক লাওনা মথুম-মরাং হৌরকনি—কুরুশিংগী ক্ষেত্রিয় তেজপা আচার্য্যগী

লুচিং মখাদা লৈরিব। শ্রোত্রিয়শিংগী তেজগা তিন্নবিহুনা অমতা ওইমিন্নথিগনি।"

"নংদি হৌজিক অঙাং অমা ওইরি," আচার্য্য দেবযান্না খাংঙনদবা অমগা লোইননা হায়রকই 'হৌজিকী মতমগী শ্রোত্রিয়-শিংগী মিংথেং অসি হোংহনবদা লুনা থোক্কনি।"

"ঐনা খল্লি, নংগী থৌরাং অসিনা," বিভূতিনা নোক্কবা মওংদা হায়বকই, "অথর্ব্বান লুচিংবা অমগা ঐগা বাজপেয় যজ্ঞ অসি ফম্মীন্নহুনা পাংথোক্কবদি, অনৌবা ইথক ইপোম অহু শোইদনা লাক্কনি, অসিনি।"

"নহা মুনি" বিভূতিনা শাওনা হায়রকই, 'নংগী মং অহু নং নতোম্মতা অহুম মংজৌ। ঐহাক্ন অথর্ব্বান লুচিংবা অমগা ফম্মিন্নহুনা যজ্ঞ অমা তৌমিন্নরবদি ধর্ম্মদি পুমচাই চাইনা মাংখ্রগনি।" অসি হায়রগা মহাক্না হৌগংকদৌবগী মাগী ফমফম অহু লেংলম্মী।

দ্বৈপায়ননা য়াম্না ইকাই খুম্নবা উত্তুনা আচার্য্যবু ফমথবিখো হায়না হায়জরম্মী। "আচার্য্যনা অথর্ব্বান লুচিংবা অমগা পুন্না মকোক্তা ফমিন্নহুনা যজ্ঞ অসি পাংথোকপিরবদি, অনৌবা ইথক ইপোম অমা হৌরকপদা নত্তনা অনৌবা য়াওল অমম্মু ওইথ্রগনি।"

"ঐথোয়না কান্নদ্রবা, অঙাংগী মমং অসি থন্নক্কবদা কোক ঙাওনবনি," রাহৈ থরা অসি আচার্য্যনা য়াম্ন থৌওই উংশিত্তনা হায়রগা মাগী মখুৎ অহুনা মপাবু কোল্লগা হৌগংহন্নবা জৌরম্মী।

"নংনা অথর্ব্ব বিদ্যাবু মতৌ করম্না খংলুরিবনো?" অহল অহুনা মচাগী মখুৎ অহুবু ইস্থোক্লগা হংলকই।

"ঐহাক্না বাজপেয় যজ্ঞ অসিনা লোইরবা মতুংদা, মতিক চাবা গুরু অমা থিরগা তমগে হায়না ঐনা নিংজরি," দ্বৈপায়নন খুমজরকই।

"ঐহাক্না অথর্ব বিদ্যাবু বেদগী শরুক অমনি হায়বা ক্বাংবুশিং অদুগী মবক্তম থক য়াওরোই." বিভূতিনা মরক থৎনা হায়রকই। "য়ারোই, য়ারোই, স্নুকয়া য়ারোই." মহাক্না অকনবা খোঙ্খোক শিন্দুনা হন্না হন্না হায়রম্মী। মতুংদা মহাক্না উংশিং খোওইদনা হৌগৎলগা মাগী ইমক্কি অদু য়েঙ্গী ওইরোমদা হায়গৎলগা অমুক হন্না মাগী মখুং অদুনা মপাগী মশাদা পাইদুনা মপান হৌগৎপা ঙমবা চিংথৎকে তৌরম্মী। মহাক্না খোনজাও থাদুনা অমুক হায়রকই, "নংনা পাম্লিবদো ঐহাক্না খংঙি। নংনা পাম্বদি অথর্ববান শ্রোত্রিয়শিং অদুবু চিংথৎলগা আর্য্যাবর্ত্তগী মগুংদা খ্বাইদগী হেন্না ব্রাংনা লৈগ্রবা শ্রোত্রিয়শিং অদুগী মরক্তা থম্না অদুবু উংনিংবত্তনি।"

বিভূতিনা তকথদুবা ঙাংলকপা ব্রাহ্মৈশিং অদুনা দ্বৈপায়নদদি শাউন শাজেনা মুক্ষকপগা চপ মান্নরম্মী। মহাক্কী মশা অদু থক থক নিল্লম্মী। মহাক্না জ্ঞান য়াংদুনা মরু লুকখরম্মী। মতম থরা মকম অদু উন-ব্রাইমুক চিল্লম্মী।

দ্বৈপায়নমা তুমিন্না মুমিৎ কৌবা লাইবু নিংশিংজরগা, "মঙালগী মপু ইবুংঙো, নংনা ঐবু থাদোকপিরম্লব্রা?" অসি হায়দুনা মতোম্মতা মুরুম মুরুম শোনজরম্মী।

অহল ওইরবা শ্রোত্রিয়শিং অদুদি মহা মুনি অদুগী মাইথিবা মতৌ অদু উবদা খোইদোক্না মুংঙাইবা শোরুলম্মী।

"ঐবু ঙাকপিয়ু, পূজা তৌনিংঙাই মশাক ওইরবা আচার্য্য,

ঐনা হায়রজখিবা অমসুং তৌজখিবা ইয়ালশিং পুম্নমক অতুবু,"
অসি হায়রগা দ্বৈপায়ননা তুমিন্না ঙাইহাক লৈজরম্মী। মহাক্না
মখোল অতু রাঙাংবদা নিক্লম্মী। মিংকুপ খরগী মতুংদা মহাক্না
মথুং অনি অতু লোন্নবগা মুরুম মুরুম শোনবগুম্না হায়জরকই,
"ঐনা খংজরে, ঐগী তপস্যানা মতিক চাদবদগী ঐনা মংজরিবা
মং অসি তাইবংদা ওম্থোকপা ঙমজরে।"

মহাক্না হৌগতুনা শরা' দগুবং তামা পুরোহিত অমসুং
অহল ব্রহ্মীস্থগী মফমদা খুরম্মগ . অতৈ শ্রোত্রিয়শিং অতুগী মখোংদা
মথুংনা শোক্লম্মী। মতুংদা মহাক্না মাগী য়ুবী খুজাই অমসুং চৈগু
পাইথতুনা মমাই লৈথোক্লগা মখোং থাংবা হৌরম্মী।

দ্বৈপায়ননা মাঙ্গোল দাবী কুমথখিতুনা খোংকাপ মঙা তবা
চংথোরকপা মতম অতুদ, অহল ওইরবা ব্রহ্মীস্থনা য়াম্না রানা
হৌগৎলগা মথুং অতু থাঙ্গতুনা মাবু কৌরগা হায়রকই, "দ্বৈপায়ন,
হম্রখো লাও। নংনা করিগীদমক্তা চংলিবা? কম্রখো লাও।"

"খাবা, খাবা," বিভূতিনা মথুংনা মপাবু পাইতুনা খাক্লগা
হায়জরকই, 'মহাকপু চংহন্নবিরো।"

"তাও বিভূতি," অহল অদুনা মাগী থক থক নিক্লবা মথুং
অতু থাঙ্গৎলগা হায়রকই, "ঐহাক্না চহি কয়ামুক চংনা শেমগৎলপা
শ্রোত্রিয়শিং অসিগী চংনবী পথাপ পুম্নমক অতু দ্বৈপায়নগী রাহৈ-
খোনথম অমসুং মতৌশিং অসিদা লোইনা য়াঙরম্মী। মহা অসিনা
হায়রিবা রাকম অসিদা করিগুম্বা খরদি লৈরে। মহাক্না নিংজরিবা
অসিগী মতুং ইমা অহোংবা অতু লাক্লবদি খোদবু মাইথিবা পিবা

ওস্নরোই অদুগা, শ্রোত্রিয়শিংনা থাইনা মমাংঙৈগী শক্তি পুন্নমক অদু অমুক হন্না ফংবস্নু ওন্নগনি।"

"ইপা ইবুংঙোনা তাকপিরিবসিবু করিনো ?" বিভূতিনা ইঙক ওক্না হংজরকই। "সংসার অসিবু তাইওন্নপ্রব্রা ?"

"ঐহাক্না হায়রিবসি মরম চাবা অদু উত্নুনা হায়রিবনি," অহল অত্নুনা হায়রকই। "ঐহাক ইশামক্না বেদগী মরমদা খংনখিবা অদুদা শক্তক য়াত্নুনা য়াওরম্মী। অদুম ওইনমক, নহা অসিনা হায়রিবসি অচুম্বনি। শ্রোত্রিয়শিংগী মনুংদা তোথাই তানবা রাখল অমা লৈনবসিনা মরম ওইত্নুনা মীওইবা সমাজগী চাউখৎপদা অপনবা অমা ওইরম্মী। তেথাই তান্নত্নুনা খৎনবগী রাকম অসি শোইদনা তাইশিন্নবা হোৎনবা অদু ঐখোয়গী ইথৌ ওইরম্মী।"

বিভূতিদি পুমঙক ওক্লম্মী। মহাক্না মপাদা অমুক য়েং দৈপায়নদা অমুক য়েং, ত্নোত্নুনা লৈরম্মী। "মপা অহল অসিবু নহা মুজি অসিগী য়াত্নুনা থম্মাই থোকপ্রব্রা ? মপাগী রাওাংশিং অসিবু চুম্লিব্রা ?" "বেদ মথল মরিনি হায়বা রাকম অসিদা ঐবু য়াও হায়না তাকপিগন্নু." মহাক্না মাগী থম্মোই অদু শোক্না মপাদা হায়জরম্মী।

অহল অদুনা মাগী ফমফম অদু হোৎলগা মচামুপারোমদা মমাই অদু ওনশিন্দুনা অরেম্না রাকম অমা ওইনা হায়রকই, "নংদি বাজপেয় যজ্ঞ অসিদা অৎবর্বান অমনা ব্রহ্মা ওইত্নুনা অথর্ববগী মন্ত্রশিং খিরবা য়াই খন্দুনা য়াওন্নিংব্রেনে ?"

"ইপা ইবুংঙোনদি বেদ মখল অহুমতনি, মরিশুবগী রা অতু তাকপগনু হায়না তাকপিখিবা নত্রা?" বিভূতিনা হায়জরকই।

মপাগী মপুক্লিং মবাং মবাং তৌব' মতৌ অতু উত্তুনা বিভূতিনা মপাগী থক থক নিরুা লৈবিবা মপাগ্বোম অতুদা মখুং নাম্মনা ফারগ। হায়জরকই, "ইপা ইবুংঙো, দ্বৈপায়নবু থাদোকপিত্রো। ঐখোয়না রাফম অসি তপ্না অমসুং ঈংনা, কোম্না খম্নরসি।"

"মহাকপু কৈদৌনা ঐখোয়না থাদোকদৌরিবা?" ব্রহ্মাস্থনা মখোলদি নিক্লগা অপনবা লৈতনা হ্লকই। "ঐহাক্কী পুন্সি অসিদ নতা অসিগা মান্নবা শ্রোত্রিয় অমতা থেংনখিদ্রি। মহাক্কী মশাদ থাজবা অমসুং তুংগী পোবম উবগী শক্তি, অনি অদু পুল্লপ্না লৈ। ইন্দক্কী নখোয়গী লেঙ্গ অসিদা মাগুম্মা অমা লাক্লরোই।" মভুং অসিদা মহাক্কা দ্বৈপায়নলোমদা ওনশিন্দুনা মখুং লাইখল তারগ সমাইদা মুম্না য়েংদুনা লৈরম্মী।

"ইচা মুপা চৎলে' চৎলো, নংগী বাজপেয় যজ্ঞগীদমক্তা খোরাং তৌজকরো। ঐহাক্কা উবা ফংলে মতুদি শ্রোত্রিয়শিংনা মখোয় মশেল থৎনতুন। হেক লৈরিবা মখৈ, ধর্ম্মনা হিংগৎপা ঊমথদরা লৈত্রে হায়বসি। বিভূতিনা সংসার থাদোক্লুনা সন্ন্যাসি ওইনা চৎখ্রবসু মাগী য়েংদুনা ঐহাক্কী পুরোহিতকী ফম থাদোকখিবা অদু অমুক হন্না লৌশিল্লগা ঐহাক্কা যজ্ঞগী সভাপতি অম্মু ওইগনি।"

অতৈ ফম্লিবা শ্রোত্রিয়শিং অতুনা অহল অতুগী মত্তৌদা, শাওনিংবা অমসুং মুংঙাইতবা মপুক্লিংদা পোকচরবসু, মখোয়না করি হায়গদগে নত্রগা তৌগদগে হায়বতুদি থংলমদে।

অহল অতুনা মখোল নিক্লা দ্বৈপায়নদা হায়রকই, "ইচানুপা, নিংবা কাইবা তৌগনু। ঐহাক্না নংগী নবুখৌ পুরেন মহামুনি বশিষ্ঠগী আশ্রমদা, নহা শ্রোত্রিয়শিংগী লুচিংবা অমা ওইনা লৈরম্মী। ঐহাকসু খৎন লাওনবা অতুদা শরুক য়াবম্মী। অতুবু নংনা হায়বা চুম্মী। লান অতুনা অহোংবা অমদি থোকহনগ্রে। ঐখোয়না ধর্ম্মবু মচেৎ মচেৎ তানবা শিল্লকপা পুন্নমক অতুবু, ঐখোয়গী লৈজবা পুন্নমক কৎথোকুনা শোইদনা থিংগদবনি। ঐহাক্না বাজপেয় যজ্ঞ অতুগী মকোক ফমগনি। অথর্ব্ববেদদা চংখোন্না হৈরবা অমা থিতুনা ব্রহ্মাগী ফম অতু পিয়ু।"

মহাক্না মচা বিভূতিগী মখুৎ অতু মাগী মখুৎনা পাইরগা তুরোই-ভায়োই তৌনা হোৎলম্মী। "ঐহাক্না খৎনবা অসি লোইশিন্নবা পাম্লম্মী। অতু ওইরবদি ঐহাক্না ইপা ইপুশিংগী লৈফম তান্না চৎপা মতমদা মুংভাইনা চৎখিবা ফংলগনি। ঐগী আশীর্ব্বাদ," অসি হায়তুনা ব্রহ্মাস্ত্রনা মাগী মখুৎ অতুনা দ্বৈপায়নগী মকোক্তা নানবিরম্মী। মতুংদা অচৌ অচৌবা শ্রোত্রিয় অনিনা কাইনরমদাইদা শিজিন্নবা য়াহৈশিং, "নংগী তপস্যানা চাউখৎপা ওইসনু" হায়না অহল অতুনা হায়রকই।

দ্বৈপায়ননা তৌবিমল খংবা উৎপগা লোইননা মখুৎ অতুনা অহল ব্রহ্মাস্ত্রগী মখোং শোক্লা খুরমজরম্মী।

মতুংদা অহল অতুনা বিভূতিদা হায়রকই, "ঐহাক্কী হকচাং অসি চোকথরে, ভাইহাক্তং তুমদবা য়াদ্রে।"

---

১৫ শুবা পন্দূপ

মহা অথর্ব্বানগী যাদু মন্ত্র

মহা অথর্ব্বান্না মাগী আশ্রমদগী খরা চৎথোক্লগা লৈবা মাগী লাইনিংফম লোক অতুদা তুমিন্না রাথল ফোনা ফমতুনা লৈরম্মী। মহাক্না মাগী লাইনিংফম লোক অসিদা, মাগী মপাঙ্গল অমসুং উবগী শক্তি অতুনা হস্তরক্লবা মতম অতুদা, হেক হেক চংতুনা পোথারম্মী।

মুমিং কয়ানিমুক অসিগী মনুংদা কুরুক্ষেত্রদা থোকখ্রিবা অঙকপা থৌদোকশিং অদু খল্লুরদা মহাক্কী মপুক্লিং অদু ঙাইহাক্তা পোথাবা ফংলমদে, মতুগী মরম অদু খংবা ঙম্নবা মহাক্না মপুক্লিং অনি লোংদনা ধ্যান তৌহনা লৈরম্মী।

শাদানবশিংনা শঙ্খু শঙ্খু লাক্লগা কুরুক্ষেত্রগী লমহাং অমসুং মোংশোং মনুংদা লৈবা লমশাশিংবু হাংখিরম্মী নত্রগা তাম্হোকখিরম্মী। উমং ঙাক-শেন্নবশিংসু লাক্তুনা উরি-রারিশিং অদু য়াম্থৎ-ফোইদত্তুনা লম্বীশিং শেম্নম্মী। মতুংদা শ্যামন্তক পাং মঙা লৈরিবা অতুসু তরু তরুনা শেংদোক্তুনা ফজনা থনম্মী।

মুমিং খুদিংগী আশ্রমগী অকোইবদা লৈরিবা খুঞ্জাশিং অতুনা মখোয়, মখোয়গী ইমুং-মনুং মুপী-নহাশিংগা লোইননা মহা অথর্ব্বানগী মনাক্তা লাক্তুনা মাবু খুরমজরগা মখোয় মখোয়গী অনা-অয়েকশিং অদু য়েংহল্লম্মী। মখোয় খুঞ্জাশিংগী মরক্তা খৎন-

চৈনবা য়াওরবস্থু মহুবু মহা অথর্ব্বান্না ব্রায়েনবিরগা মগৈথংদা চান্নহল্লম্মী। মহাকপু য়াম্না কিনা অমস্থুং হঙোইনা খুণ্ডাশিং অহুনা তৌরম্মী, মরমদি মহক্না মশা ইফ ফরিবা মীবুস্থু হেক্তা শিহনবা অমস্থুং অশিবা অমবুস্থু হেক্তা হিংগৎহনবা ঙম্মম্মী হায়বসি মখোয় পুন্নমক্না খ'নরম্মী।

নোংমা নিনি অসিদ খুঞ্জাশিংনা পুবকপা অঙকপ। পাণ্ড খরস্থু মহা অথর্ব্বান্ন। তাবা ফংলম্মী নহা ওইরিবা মুনি অমন। ছুম্মিং মাপন্নি চ'না লাই খুরম্বদগী হস্তিনাপুরগী নিংথৌরেন শান্তনুবু অশি থোংদগী মুন্দুনা পুংকপা ঙমখ্রে। অতোপ্পা পাণ্ড খবনা, হস্তিনাপুরগী রাজ্য সভাদা যুবরাজ গাঙ্গেয়না নিংথৌগী খুভম লৌরগোই অমস্থুং ময়ুম পাল্লবোই হায়না রাশকখ্রে। মমা অতোনবীনা পোকপা মনাও নুপা অহন চিত্রাঙ্গদদা যুবরাজ ফম অহুস্থু শিন্নখ্রে। পুন্নমক অসিগী মথক্ত খোইদোক্না ঙকপা পাণ্ড অমদি নহা মুনি অহুনা থবক পুন্নমক অসি পা'থোক্লম্মগা অতিয়াগী নম্বীদা পাইহুনা চৎখ্রগা মাংথোকখি হায়বা অসিনি।

মহা অথর্ব্বানগী পক্কাশিং অহুনদি পাণ্ড অহু তাবদা, মখোয়গী গুরুবু শিংনরকপনি হায়না মপুক্লিংদা লৌনবম্মী। মখোয়গী গুরুন' শিবা অমস্থুং চংবগী মহৈদা থ্বাইগী মকোক্লি মহাজনা ওয়নি হায়না মখোয়না খমজরম্মী।

পাণ্ডশিং অসি মহা অথর্ব্বান্না খুঞ্জাশিংগী মকমদগী তাবক্তা নহুনা মাগী মচান্নুপা সুমন্তু, মচানুপী অচানবী বাজিকা অমস্থুং অতৈ অতৈ মকোক থোংবা পক্কাশিংগী মচিন্দগী'স্থু তাবা ফংলম্মী।

মচানুপী বাত্তিকাদি মতম অয়াম্বদা মপান্নী মনাক্কা লৈতুনা আশ্রমগী থবকশিং, কান্নববু ওইরবস্নু কান্নদববু ওইরবস্নু, তৌদুনা লৈক্লরম্মী।

পাওশিং অসিনা মহা অথর্ব্বান্দা খোইদোক্কা মাচুংবদি পোক্ল-মদে। মহাক্কা কুরুক্ষেত্রদা অওনবা অমা লাক্লিবা অসিগীদমক্তদি থিংনবা তৌগে হায়না মপুক্লিংদা খল্লম্মী। নহা মুনি দ্বৈপায়নবু মহাক্কা যাতুগী মতেংন মথৱাই লৌবগে তৌবদা, দ্বৈপায়ননা আশ্রমদগী নাম্থোক্লুনা চেনখিবা অতুগীদমক্তা মহাক্কা মুংঙাইতবা পোক্লম্মী।

পুন্নমক অসিগী লমন খুমগে হায়তুনা মহাক্কা রাখল তৌরিবৈদা অকাইবা মওং অমস্তু অমুক লাক্লম্মী। মহাকী মমিত্তা মীশক অমনা আশ্রমগী চীং মচা অহ্ কাখৎলকপা উবম্মী। মহাক্কা মাগী পিশুম অতু শুক্তোক্লম্মী। খাংঙ্খকী ওঙাং অসিনা মহাকপু শিংনবা ঙমগনি খন্দুনা অমুক হল্লক্লিব্রা! কৈ, হন্দক্তি মহাক্কা আশ্রমদা হেক য়ৌবকপগা মহাক শিনবা যাতুগী মন্ত্র অসি, অরান-অহুই য়াওহন্দনা তৌবগে হায়না মহাক্কা খল্লম্মী।

মহা অথর্ব্বানগী মপুক্লিং অতু, নহা মুনি অসিগী মথক্তা লমন খুম্নিংবনা, ঙাইহাক্তা লৈতানা লৈবা ঙম্লগদে।

মহাকী মচাল্পুপা সূমন্তু লাক্লুনা লোকী চংফম থোংজিন অচুদা লেপ্পগা মপালী য়াথং ঙাইতুনা লৈক্লরম্মী। মহাক উবগা মহা অথর্ব্বান খোইনা হেম্না মপুক্লিং খোক্লরাংলম্মী। মহাক্কা খাংঙ্খকী নহ মুনি অসিবু লোইশিনবা থবক তৌরিবৈদা অকাইবা খোক্লনবা কমাগম্নু উম্নবা পান্নমদে।

"করি তৌরে ?" মহাক্না সুমন্তুদা খংহং হংলকই।

"ইপা ইবুংঙো" সুমন্তুনা মপাগী মখোং অতু শোক্না খুরুম্নগা হায়জরকই, "দ্বৈপায়ন অমুক হন্না ফাওরক্লে।"

"ঐ খংঙি—খাংঙুথকী নহা, মহাক্না আশ্রমদগী তুমিন্না চেনখিবা অতু। মহাক্না শোইদনা, থাইনগী ঋষিশিং ভৃগু অমসুং অঙ্গিরাগী মীচৈ অতু, ফংলগদবনি। ঐহাক্না মহাক্না উন্নবা অতু পামদ্রে," মহা অথর্বান্না শাওনা হায়রকই।

"মহাক্না হায়বদি, মহাক্না লাকচরিবসি বাবাগী মফমদগী থৌজাল অমত্তা নিজগে হায়দুনা লাকচবনি হায়" সুমন্তুনা হায়জরকই।

"ঐঙোন্দগী থৌজাল অমা! মহাক্না ঐঙোন্দগী থৌজাল অমতং ফংগনি," অসি হায়রগা মহা অথর্বান্না ইঙ্গিৎ অমা তৌদুনা মীহাৎনবা যাদুগী পোৎশক অতুবু য়েংহল্লম্মী।

"ঐহাক্না মহাক অসি চৎচখিনবা, বাবানা নংবু য়াম্না শাওরি বাবা উন্নদনা চৎখিবনা হেন্না নংগী অফবা ওইগনি হায়বিরম্মী," সুমন্তুনা হায়রকই।

"মতুদা মহাক্না করি পাওখুম পিরকই ?"

"অঙকপনি, বাবানা পাম্বা অতুমক মহাকসু পাম্লম্মী। মহাক্না মফম অসিদা হল্লকপগী মরমদি মহা অথর্বান্না মাগী হায়বা ইন্দ্রবা পরুন্না অমগী মথক্তা পিফম থোকপা অশিবগী চৈরাক অতু পিখিনবা, মশানা খংনা লাকচবনি হায়না মহাক্না হায়জরম্মী।"

"করি!" মহা অথর্বান্না তারিবা রাফম অতু থাজবা ঙমদদুনা

লাওরকই। "মাগী মথক্তা ঐহাক্না অশিবগী চৈরাক অদু পিহনগে লাকপনি হায়বা? মহাক্ন মতুন্নমক হেক হায়ব্রা?"

"অহোই বাবা." সূমন্ত্রনা খুমজরকই। "মহাক্না অসিগম্মু হায়জরকই, মহাক অসি বাবাগী পরুব্রা অমা ওইবনা গুরুগী অপাম্বা অদু লৈবাক মথা তাহল্লিংদে হায়না। অহানবদদি মাগী ব্রাঙাং অদু ঐহাক্না ফাগি ওইনা খল্লম্মী, অদুবু মহাক্না তশেং তশেংনা মথরাই য়াওনা হায়বা ওইরম্লে।"

"ঐগী পরুব্রা! ইকাই খংদবা অদুবো! ঐহাক্না মাবু ঐগী পরুব্রা অমা ওইনা লৌশিনখিবা লৈতে," মহা অথর্ব্বাম্না হায়রকই।

"ঐহাক্না মাঙোন্দা করি হায়জখো হায়বগে বাবা?" সূমন্ত্রনা হংজরকই।

মহা অথর্ব্বাম্না মমিৎ চেজেৎ উইশিন্দুনা ব্রাখল ঙাইহাক তৌরগা মুরুম মুরুম শোন্না হায়রকই. "পূজা তৌনিংঙাই মশক ওইরবা ভৃগু অমসুং অঙ্গিরা অনিগী অপাম্বনা থোকহল্লিবা ঙাক্তনি।" মতুংদা মহাক্না সূমন্ত্রদা হায়রকই, "মহাকপু মফম অসিদা পুশিল্লকউ।"

সূমন্ত্রনা লোক অদুদগী চংগ্রগা দ্বৈপায়নগা লোইননা অমুক লাকমিন্নরম্মী।

মহা মুনি অদুনা মহা অথর্ব্বানগী মমাংদা শত্রাং দণ্ডবৎ তানা খুরম্মগা মাগী মখুৎ অদুনা অহল অদুগী মখোং শোক্কে তৌরকপদা মহা অথর্ব্বাম্না খৈদোক্তুনা লৈরম্মী।

"ঐহাক্না গুরুগী মফমদগী আশীর্ব্বাদ লৌজগে লাক্পনি," দ্বৈপায়ননা শিংঙম্মক্লরা খোংথোক অম ওইনা হায়জরকই।

"ঐহাক্না মতুং ফংঙদ্রি মতিক চাদে হায়বস্তু ঐহাক্না খংজে। মরমদি ঐনা আশ্রম অসিবু গুরুগী য়াথং য়াওদনা থাদোকখিবনা ঐহাক্না ঐগী তমখিরবা ইবাল অদুগীদমক্তা গুরুগী চৈরাক অদু ইশানা য়ানা লৌজগে লাকচরিবনি।"

"চৈরাক লৌগে লাকপা!" মহা অথর্ব্বাননা শাওনা লাওরকই। "নংনা হায়রিবা রা অদুগী মরম করিনো হায়বদু নংনদি খংজদে।"

"থাজবিয়ু গুরু! ননাইনা, গুরুগী হায়বা ইন্দবা পক্লরা অসিগী মথক্তা গুরুগী শিনবা যাদু মন্ত্র অদু পাজিনবা পামজে। মরম অসিগীদমক্তনি ননাইনা অমুক হন্না লাকচরিবসি," দ্বৈপায়ননা মাগী থম্মোই অদু শেংনা হায়রকপা মতৌ অদু উবদা মহা অথর্ব্বাননা মসিবু ঙাওরবত্রা হায়না মিংকুপ থরা থল্লম্মী।

"নংদি ঐগী পক্লরাদি নত্তনা। ঐহাক্না নংবু ঐগী পক্লরা অমগুম্না লৌশিনখিবা লৈতে," মহা অথর্ব্বান্না হায়রকই।

"গুরুশিংগী মরক্তা অথোইবা, মতম থরগী মমাংদা ঐনা মফম অসিদা লৈজরম্মী। মতম অদুদা ঐহাক্না ঐ অসি গুরুগী পক্লরা অমা ওইগে হায়না রাশকচখিরম্মী," দ্বৈপায়ননা রাইহে থরসি হায়রগা মথা অমুক শমথরকই 'গুরুগী পক্লরা অমা ওইনা ঐহাক্না আশ্রম অসি থাদোকুনা চৎলগা, গুরুগী থম্মোইদুংগী অনিংবা অদুতা থুংহন্নবা তৌজরবনি।"

"নংনা ঐগী থম্মোইদুংগী অনিংবা থুংনবা! শোইরোই?

নহাক্না অচুম্বা করম্না ঙাংগদগে হায়বছু খংলব্রা ?" মহা অথর্ব্বান্না শাওনা হংলকই।

"ঐহাক্না ব্রহ্মচর্য্য আশ্রমদা চংবা মতমদা ঐহাক্না অচুম্বা অছুতা ঙাংগনি হায়ছুন রাশকখিরম্মী। ঐহাক্না হৌজিক ফাওবা মছুবু ঙাকচরি।'

"করি রাশকশিংনো নংনা শকখ্রিবছু ?" অহল অছুনা হংলকই।

"অনিরক হন্না পোকপা খুংিমক্না শরুখিবা রাশকশিং অছুনি।"

'অতৈ অতোপ্পা রাশকশিং নংনা শকখিবদি লৈরিব্রা ?" মহা অথর্ব্বান্না হংলকই।

' ঐগী ইপাগী পাওতাক মতুং ইন্না, পরাশর গোত্রদা লৈবা ঐখোয় পুম্নমক্না অতোপ্পা রাশক, 'পরাশব ব্রত' কৌবা অসিসু শরুম্মী ' দ্বৈপায়ননা হায়জরকই।

"নংসু, রাশক অছু শকখ্রব্রা ?" মহা অথর্ব্বান্না হংলকই।

"অহোই, শকচ্রে," দ্বৈপায়ননা খুমজরকই।

"মছুদি করি করিনো হায়য়ু "--

'কনাগী মফমদদি, অকাইবা তৌরোই ঐনা;

লৌবা তৌরোই মরন্দি, কনাগুম্বগী ঐনা;

ঙাংগনি অচুম্বতা, মতম চুপ্পা ঐহাক্না;

অরৈবা পুম্বা ঐগী, পিনি লৈত লাইরদা।

চিল্লোক্নরোই ঐহাকদি, নুপীশিংদি নহা ওইবী;

থাদোক্কনি রাখলশিংদি, কল্লক-মিহৌ ফত্তবদি।

পূজা তৌগনি লাইশিংদি, ইপা ইপু অহল লমন,

মতম চুপ্পদা ঐহাক্না, নিংগনি বেদ মাবুক্তা ;
থৌজাল অহু বেদদগী, নিজগে মতম চুপ্পদা ;
ঋত্তনি বেদ মাত্তনা, মপুনি জগৎ অসিগী ।।”

“রাশক অসিদা অকাইবা অমদি য়াওরে” মহা অথর্ব্বান্না উশিং-থৌওইদনা হায়রকই। “নংগী বেদগী রাশক অসিনা তাকপদি নংনা বেদ অহুমদগী হেন্না খংদে হায়বনি ”

“নত্তে গুরু, ঐগী ইপানা বেদ মখল মরিনি তাকপিরম্মী। পরাশর গোত্রদা লৈরা অনিরক হন্না পোক্লবা ঐখোয় পুন্নমক্না মতুম্না খংনরম্মী। ঐহাক্না বেদ মখল অহুমতদা ইশামকী পুন্সি অসি কৎথোকচখিদে, মপুম অহুদা কৎথোকচবনি। অথর্ব বিদ্যা য়াওদ্রবদি মীওইবগী মপুন্সি অসি মপুং ফাবা ঙমদে হায়না ঐগী ইপানা তাকপিরম্মী,” দ্বৈপায়ননা নোল্লুক্না হায়জরকই।

দ্বৈপায়ননা রাশকশিং খিথরকপা মতৌ অহু উবদা মহা অথর্বানগী মপুক্কিংদা থুক লাওবা অমদি ফাওরম্মী। মহাক্না হায়রকই, “অশেংবা অহু ঐঙোন্দা হায়য়ু, নহাকনা হন্নকপগী মরম করিগীনো ?” মহা অথর্ব্বানগী কল্লম্বা মখোল অহু খরদি ফরকপগুম তৌরম্মী।

“ননাইনা হায়জখিবহুনি গুরুদেব, ঐনা অমুক হন্না লাকচবগী মরমদি গুরুনা ননাইদা অশিবগী চৈরাক অহু পিবিনবগীদমক্তনি। অতুগা ননাই ঐনা আশ্রম অসি থাদোক্তুনা চৎচবগী মরমদি ঐগী গুরুগী পুন্সিগী ওইবা আশা অহুতা থুংহনজগে খন্দুনা চৎচবনি,” দ্বৈপায়ননা হায়জরকই।

"ঐগী পুন্সিগী আশা থুংনবা !" মহা অথর্ব্বান্না মাগী ফেন-জিল্লা ভাংলকপা য়াঙাং অদু তাবদা লাওরকই, অদুম্মদি ওইরবসু, মহাক্না করিনো হায়রবতুদি খংনিংবা পোক্লম্মী। "ঐগী আশাদি করিনো হায়য়ু।"

"ননাইনা অশেংবা অদু হায়জবা য়াগদ্রা ?" দৈ্বপায়ননা হংজরকই।

"শেংনা অমম্লুং চুম্না হায়য়ু," মহা অথর্ব্বান্না নোক্লুনা হায়রকই।

"ইকাই খুম্নবগী মশক ওইরবা মহা অথর্ব্বান্না ধর্ম্মক্ষেত্রদা মীচৈ অমা (শাপ অমা) চৈবিখি, মরমদি ঋষিশিং, ঐগী ইবুধৌ পুরেন বশিষ্ঠনা লুচিংবা কাংবু অদুনা অথর্ব্ববিদ্যা অসিবু বেদগী শরুক অমনি হায়বা য়াদবদগী, অদুগীসু মথক্তা মখোয়না অথর্ব্ব-বিদ্যাগী মতুংইন্না, যজ্ঞশিংদা লৈফম থোকপা মকোক ওইবা ফম মরিগী মন্নুংদা ব্রহ্মাগী ওইবা ফম অদু অথর্ব্বান অমনা ওইগদবনি হায়বা অদুবুসু য়ারমদে ; মরম অসিনা, মতৌ অসিনা তাকপদি বেদ অহুম চৎপা কাংবুনা অথর্ব্ববিদ্যাবু হন্থবা মিংয়েংনা য়েংলম্মী হায়বনি," দ্বৈপায়ননা হায়জরকই।

মহা অথর্ব্বান্না মহাক্কী মতম কুইনদগী হৌনা মপুক মন্নুংদা ফুমতুনা থম্লকপা য়াখল অদুবু নহা মুনি অসিনা ইরাই লাইনা হায়দোরকপা অস্নিদা অওকপা পোক্লম্মী। "অদুগী মতুং করি ?" মহাক্না হংলকই।

"ঐহাক্না হস্তিনাপুরগী মরুকচেল চাউরবা নিংথৌরেন শান্তনুগী

মফমদগী য়াশক অমসু ফংজবা ঙম্লক্লে, মতুদি বাজপেয় যজ্ঞ অমা ধর্ম্মক্ষেত্রদা শোইদনা পাংথোক্লগে হায়না। যজ্ঞ অতুদা গুরুনা নত্রগা গুরুনা পাম্বীবা মীশক অমনা মরিশুবা ব্রহ্মাগী ফম অতু ওইবা হায়নসু য়ানজরক্লে।'

"অঙাওবগী য়ানি," মহা অথর্ব্বান্না হায়রকই। "হস্তিনাপুরদা লৈবা মরু ওইবা শ্রোত্রিয়শিং অতুনা ব্রহ্মবিদ্যাবু য়ারমদে।"

"লাইশিংনা অমসুং ঋষিশিংনদি গুরুগী মন্ত্রবিদ্যা অতুনা নিংথৌরেন শান্তনুগী মথয়াই কনবা ঙম্নবগী শক্তি অতুবু পিবিরম্মী," দ্বৈপায়ননা হায়জরকই।

"নঙোন্দদি মন্ত্রবিদ্যা অতু কনানা তম্বীরকই?" মহা অথর্ব্বান্না হংলকই।

"ঐগী ইপানা মহাক্না অথংবা থরতু ঐঙোন্দা তম্বীরকই, মতু অশোক-অপন তৌবা অনাবশিং থরতগীনি; অতুগা মরুওইবা মন্ত্রশিং, মী অমগী মথয়াই হেক কনবা ঙম্বা অতুদি, ঐগী পূজা তৌনিংঙাই মশক ৎইরবা গুরুদগী তমজখিবনি," দ্বৈপায়ননা মখুৎ লোম্নতুনা ব্যবহার তৌনা হায়জরকই।

"ঐনা তম্বীখিবা!" মহা অথর্ব্বান্না শাওনা হায়রকই। "নং মিনম্বা ঙাংবা অঙাং অমনি।"

"নত্তে, মিনম্বা ঙাংবা নৎচদে, ঐহাক্না মন্ত্রশিং অতু গুরুগী মফমদগী তমজখিবনি," দ্বৈপায়ননা হায়জরকই।

"অতুবু ঐনদি মন্ত্রশিং অমতসু নঙোন্দা তম্বীখিবা লৈতে," মহা

অথর্ববান্না অণ্ডকপা অমগা লোইননা হায়বকই। "মন্ত্রশিং অদুদি ঐগী পরুন্নাশিং ফাওবদা তম্বীখিদ্রি।"

"গুরুনা তম্বীখ্রে। পৈলাবু গুরুনা হিংগৎহনবা মতমদা মন্ত্রশিং অদু গুরুনা শোনবিখি, মদুবু ঐনা তাজবদগী ঐগী চিন্দা ফাজহৌবনি। অদুগা অমুকশু মফম অসিদা গুরুনা পৈলাগী মফমদা শোনবিবশ্মী, মদুদা ঐহাক্না ফাহৌবিবা অসিগা চুন্নবত্রা হায়নশু য়েংজবশ্মী। অদুগা শিগদোববা অনাবদ হিদাকশিং মতৌ কবন্না থাগদগে হায়বদুশু ঐনা গুরুগী মফমদগী খংজহৌবশ্মী,' দ্বৈপায়ননা হায়জরকই।

মহা অথর্ববান্না থ.জদনা মাঙোন্দা য়েংলশ্মী। "খোন্থোক চুন্না অমশুং শয়েকশিং ল'লহন্দনা থিবা ঙমখিব্রা?" মহাক্না হংলকই।

"অহোহ গুরুদেব," দ্বৈপায়ননা খুমজবকই। "ঐহাক্না চিন্দা পুজখিবা মন্ত্রশিং অদুবু এহাক্না থিজবা অমশুং শোনজবা মতমদা নিংথৌবেন শান্তনুনা শিরুববদগী অমুক হন্না হিংগৎলকখি। মসিনা তাকপদি ঐহাক্না গুরুগী থৌজালদগী মন্ত্রশিং অদু চুন্না, করিমতা অকাইবা য়াওদনা থিখি হায়বনি।"

মহা অথর্ববান্না মশাদা নুংঙাইবা মতৌ অমা ফাওবক্লশ্মী। "নহাক্না মন্ত্রশিং অদু শিজিন্নবা মতমদা থরাই কনবা ওন্বা উনা-রানাশিংগী হিদাকশিং অদুদি য়াওখিদেদনা?" মহাক্না হংলকই।

"য়াওখি। হিদাক অদু ঐনা পুজরশ্মী।" দ্বৈপায়ননা মোমোন নোক্না খুমজরকই।

"নংদি হিদাক অদু কদায়দগী ফংলুরিবা?" অহল অদুনা হংলকই।

দ্বৈপায়নগী মায়থোং অদুদা হায়ফেৎ হরাওজবগী মমি অমা তাবা উরম্মী। "ঐগী গুরুগী আশ্রমা হিদাক অদু ঐঙোন্দা পিবিরকথি।"

"অরেম্বদা ঙাওশিন্নদুনা নহাক অসি ঐগী পরুরানি হায়দুনা হন্না হন্না হায়গনু। ঐগী পরুরা অমা ওইনা, নহাকপু ঐনা লৌশিনখিবা লৈতে." মহা অথর্ব্বান্না হায়রকই।

"পূজা তৌনিংঙাই মশক ওইরবা গুরুনা লৌশিনখিগ্রে। অদু নত্রবদি গুরুনা ননাই ঐগী ইথক্তা, ঐনা গুরুগী য়াথং য়াওদনা আশ্রম থাদোকুনা চেনবগী অশিবগী চৈরাক অদু, মতৌ করম্না পিবিগে খনবিরম্মীবনো?" দ্বৈপায়ননা হংজরকই।

মহা অথর্ব্বানগী থাম্মোই অদু নৌথখিরম্মী। মহাক্না মাগী ঙৌরোক ঙৌবা মকোইশিং অদু নাল্লগা মোমোন নোক্লম্মী। "কনানা যজ্ঞ অদুগী মকোক ফমগদৌরি?" মহাক্না হংলকই।

"যজ্ঞ অদু গুরুনা ব্রহ্মা ওইরগা ধর্ম্মক্ষেত্রদা পাংথোকনি।"

"নংনা মতুম্ ঐগী দমক্তা তান্নগ্রব।" মহা অথর্ব্বান্না খুদক অদুদা হংলকই।

"অহোই গুরুদেব. গুরুগী থম্মোইগী আশা, অথর্ব্ববিদ্যাবু বেদগী মনুংদা শরুক অমা ওইনা লৈহন্নিংবদু, শোইদন থুংবিরগনি।"

"করিনো নংনা হায়রিবা অদুবু?" মহা অথর্ব্বান্না হংলকই।

"মরমদি নিংথৌরেন শান্তনু অমশুং নিংথৌগী পুরোহিত

মখোয় অনিনা, ঐহাক্না অপাম্বা অথর্ব্ববিদ্যাদা চংখোন্না হৈরবা অমা, বাজপেয় যজ্ঞ অসিগী ব্রহ্মা ওইনবা থিরুরো হায়না তাক-পিবকই," দ্বৈপায়ননা হায়জরকই। মতুংদা মহাক্না ঙাইহাক ৱাখল েগারুবগা নোল্লুরু হায়জরকই, 'অদুবু হৌজিক্তি গুরুদেবনা ননাই ঐঙোন্দা অশিবগী চৈবাক পিবিবা তারবনিনা মঙং অদু অতোপ্পা অমদা চংশ্রগনি। অদু নত্রগদি, গুরুনা অথর্ব্ববিদ্যা পুম্নমক অদু ননাই ঐঙোন্দা লোইনা তম্বিরমগদবনি।"

মহা অথর্ব্বান্না মাগী মরা অদু তাশিন্নদনা ভুমিন্না মতম খরা লৈরম্মী। মহাক্না ইখং খংহৌদনা ৱারি অদু অমবোমদা ফৈদোকুনা হংলকই, "নহাক্না অতিয়াদা পাইনা পাইনা মাংথোকখিবা ঙম্মী হায়না মযাম্না ঙাংনবিবসি অচুম্বা?"

"তিল্লিখা মীযাম অদুনা ঐবু য়াম্না থিনা অরাবা পিরম্মী। মখোয়না ঐহাক অসিবু ঙাইহাক্তা চিক্না লৈবা ফংহল্লমদে। অদুগা বাজপেয় যজ্ঞ অসিনা মতম চানা হৌবা তারবদি ধর্ম্মক্ষেত্র অদুদমু পরাশর আশ্রম অমা লিংখৎলগা, বেদদা মশা পুম্নমক কংথোক্লবা পক্লরাশিং খরমু থম্বা তাবম্মী।"

"অতৈ অতৈ নংনা ফংলকপদি করি লৈরি?" মহা অথর্ব্বান্না হংলকই।

"অহোই, কবিগুম্বা খরমু ফংজরকই। মসিমু গুরুগী থৌজাল নংলমদ্রবদি ননাইনা ফংবগী ৱা লৈরমদে। ননাই ঐহাক্না কুরুগী পুকচেল চাউরবা নিংথৌরেন অমসুং মাগী মচানুপা গাঙ্গেয়, মখোয় অনিদা হায়জরম্মী মতুদি, বেদদা লৈবা অঙকপা শক্তি, ব্রহ্মতেজ

অসিগা কুরুশিংগী অঙকপা ফংলবা থৌনা, ক্ষেত্রিয় তেজ অসিগা অনি অসি মতম পুন্নমক্তা কাইনদনা তিন্নতুনা লৈহনবিয়ু হায়না,” দ্বৈপায়ননা হায়জরকই।

“মতুদা মখোয়না করি হায়রকই ?” অহল অতুনা হংলকই।

“নিংথৌরেন অমস্তুং নিংথৌমচা মখোয় অনিমক্তা হরাও হরাওনা য়াবিরকই। তেজ অনি অসিনা তিন্নতুনা লৈমিন্দ্রবদি লৈবাক-প্রজাগী শান্দা অমদি ধর্ম্মদা অকাইবা লাকই হায়নসি মখোয়না উবা ফংতুনা, ঐগী থবক খুদিংমক্তা মতেং পিগনি হায়না মখোয়না বাশকপিরম্মী।”

মহা অথর্ব্বানগী মশাদা মুংঙাইবা অমা পোক্লম্মী। “ঐঙোন্দা তশেংনা হায়য়ু, নংনা অতিয়াদা মাংবা ঙম্মী হায়বসি অচুম্বা ?”

“ননাইনা অতিয়াদা মাংবা নত্তে, মীয়াম্না অয়ুক অঙনবদা লাকুনা ঐবু ওংলদ্রিঙৈগী মমাংদা ঐহাক্না হস্তিনাপুব থাদোকুনা চংলগা, ঐগী ইপাগী মোংফম লৈরিবা গোধূলী আশ্রমদা য়ৌজরুই। মফম অতুদা পূজা কৎচরম্মগা যমুনা তোর্ব্বান্দা লৈরিবা বাবাগী পরুরাশিংনা লিংখৎপা আশ্রমশিংদা কোইজরুবনি। শ্রোত্রিয় নিফু, মখোয়গা লোইনবা পরুরাশিং—খরা ময়ুম পাল্লবা অমস্তুং খরনা পান্দবা, মখোয় পুন্নমক অতুগা লোইননা, ধর্ম্মক্ষেত্রদা আশ্রম অমা লিংখৎলগা লৈরুনবা হায়তুনা, লাকপদা মফম অসি য়ৌজরক্লিবা অসিনি। পুকচেল চাউরবী মহারাণী সত্যবতীনা ঘনবী চহুম অমস্তু ঐখোয়না লিংখৎকদৌরিবা আশ্রম অতুগীদমক্তা পিবিরকই,” দ্বৈপায়ননা হায়জরকই।

"মখোয়শিং অহুদি করম্না মতমদা লাক্নদৌরিবা ?" অহল অহুনা হংলকই।

"মখোয়শিং অহু চীংখোংদা গুরুগী য়াথং ভাইহুনা লৈজরি।"

'অপংবা অঙা। নংনা শাপ্না থুমহত্তুনা লৈববা কৈশালশিংগী লবুক লমহাং অহুদা আশ্রম লিংখৎপা পাম্বা?' মহা অথর্ব্বান্না হায়রকই।

"ঐনা নংচদে গুরুদেব। গুরুগী ননাক্তা ননাইনা য়োবক্তি-ডৈগী মমাংদা লেপ্লগ্রবা রাকম অমা ওইরম্মী। ইপাগী অহল ওইরবা পক্লরাশিং অহুনা ঐঙোন্দা রাশক্তুনা হায়বিরকই মহুদি ঐহাক্না কবিগুম্বা শিখিবা খোক্লবদি, মগোয়না স্বমন্ত্বু মখোয়গী গুরু ওইগনি হায়না," দেবপায়ননা হায়জরকই।

মহা অথর্ব্বান্না মমিংনা নোক্লহুনা হরাওনা হায়রকই, 'নহাক অসি ঐনা থেংনখিবা মী পুম্নমক অহুদগী খ্বাইদগী হেন্না মবুক শেংদবা মীশক অহুনি। নংনা ঐগী পরুবানিদি হায়বগা ঐহাক্না হায়বদি ইল্লমদে নংনা আশ্রম থাদোক্তুনা চেনখি, মহুস্ম ঐভোন্দা তাক্লম্বা তৌশিন্দে। নংনা অশিবদগী কনবা ওম্বা উনা-রানাগী হিদাক আশ্রমদগী তুমিন্না হুরান্দুনা পুখি। নংনা শান্তনু নিংথৌরেনবু অথর্ব মন্ত্রশিংনা হিংগৎহনখিবা অহুস্মু ঐগী য়াথং লৌখিবা নস্ত্রে। নংনা মহুবু মতৌ করম্না তৌখ্রিবনো হায়বহু ঐনা খংবা ওমদে। ঐগী পকরাশিং অমতন, মন্ত্রশিং অহু শোনবা ঙম্লবস্মু অমস্মং হিদাক-শিং অহুবু শিজিন্নবা হেরবস্মু শিগদোরবা মীশক নত্ত্রগা শিগ্রবা মীশক অমতবু, হিংহনবদি ঙম্লমদে।"

দ্বৈপায়ননা অপংবা অঙাং অমগুম্ন নোক্লগা হায়জরকই “ঐনা গুরুগী পরুৱাশিংগী মতৌ তম্বা ঙমজদবা অতুগীদমক্তা ঐন স্নুংঙাই-জরমদে। ঐহাক ইশামকস্তু মতুব্ৰু করম্না তৌখিবনো হায়বত্থু থংজবা ঙমখিদে। নিংথৌরেন অতুব্ৰু লাইয়েংবা মতমদ ঐহাক্না বেদগী মন্ত্ৰশিং অতু অস্নুক্কী মতিক পুক্লিং থিংজিন্না শোনজবস্মী মতুদি মন্ত্ৰশিং অতুগী শক্তি পুন্নমক অতু নিংথৌরেন্দা, ঐহাক্তি থংদনা চংখিবগুম, ননাইগী ইশা অসিদা ফাওরক্লস্মী।”

মহা অথর্ব্বান্না মিংকুপ অমা অনিগুম্না তুমিন্না লৈরম্মী। “মতুমক্তনা মবম ওইতুনা নংন নমাই পাকচবকপনি,” মহাক্না মতোম্মতা মুকম মুরুম শোল্লম্মী। মতুংদা অহল অতুনা মাগী মহৌশা মতৌ অতুদা হায়বকই, “নহাক অসি পরুৱা ওইবদা মতিক চাদ্ৰি। হৌজিক নংন ঐগা ফাওবা তানবমদনা আশ্ৰম অমা লিংখৎনবা থৌবাং তৌরি। নহাক্না পরুৱাশিং কয়া অমদি ষনবীশিং চাস্মগী মথক্তা ঐগীনি হাযতুনা পুরক্লিবা অসি ঐদি অমতস্তু পাম্বীদে। ঐগী য়াথংস্তু লোদনা নহাক্না সূমস্তুবু নংগী আশ্ৰম অতুগী মকোক হেক্তা হাপচিনবা। অতুগা অমরোমদা, নংনা ঐবু কুরুগী রাশিং অতু থাজৌ হায়বা। মখোয় কুরুনা ধৰ্ম্মদা লেংদনা লৈগনি হায়বসি ঐহাক্না থাজবা ঙমদে।”

অহল অতুনা অশাওবা উৎলম্মী। “হৌজিক্তি নংনা ঐগী অশিবগী চৈরাক অতু ফংবা পাম্লে, মরমদি নংনা শিগ্ৰবনিনা নংগী ধৰ্ম্মক্ষেত্ৰ শেমগৎ-শাগৎপগী হক পুন্নমক অতু ঐগী ওইহৌনবা,” অহল অতুনা দ্বৈপায়নদা মুন্না য়েংলগা হায়রকই। “ঐহাক্না মতু

থক তৌরোই। ঐহাক্না নংগী আশ্রম, নংগী পরুরাশিং, নংগী যনবীশিং অমতবু য়েংনিংদে, পামদে।" অহল অদুনা মনাতোন চিংখত্তুনা তুক্কচবা মতৌ উৎলম্মী।

"পূজা তৌনিংঙাই মশক ওইরবা গুরু, চানবিদুনা ননাইদা থোজাল অমত্তদি পিনবিয়ু। সুমন্তুবু ইপাগী পরুরাশিং অদুগী গুরু অদুওদি ওইহনবিয়ু।" দৈ্বপায়ননা হায়জবকই।

"য়ারোই, ঐহাক্না ওইহল্লোই," মুনিনা অরেপ্পা অমা ওইনা হায়রকই। অদুবু মহাক্কী রাঙাং অদু হান্নগুম্না কম্বা-কল্লেম্নবা অদুদি তৌখিদ্রে। "ঐহাক্না অতোপ্পা য়াম্না হেন্না শাথিনা কনবা যাদু মন্ত্র শিজিন্নদুনা চৈবাক অমা নঙোন্দা পিগনি।" অসিদি হায়রগা অহল অদুগী মমিত্তদি হরাওবা উৎলম্মী।

"অহোয় গুরুদেব। গুরুগী অপাম্বা অদু তৌবিয়ু।"

"ঐহাক্না অশিবগী যাদু মন্ত্র অদুদগী হেন্না মতিক ময়াই কনবা, শুমহৎনবা মন্ত্র অমা নংগী নথক্তা থাগনি।" অসি হায়বগ মুনিনা নোক্নুনা লৈবা ঙম্মদে। "যাদু মন্ত্র অসিনা বাত্তিকা, নংগীদমক্তা ঙাওগনি। ঐহাক্না উৎ-পাৎকী মশক ওইবী নুপীমচা অসি থাদোক্পা পামলে। মহাক্না ফমদুনা ঐগী রারি পুম্নমক তাথোকপদা নত্তনা ঐগী থৌশিল পুম্নমক্তা অওক-অপা শাদুনা য়াওই, অদুগীসু মথক্তা ঐবু লৌনমদুনা থরাই কনবা ঙম্বা উনা-রানাশিং ঐগী লৈরিবদু নঙোন্দা হুরান্দুনা পিথোকপা ঙম্মী," মহা অথর্বান্না হায়রকই। "ঐহাক্না থংডি, মহাক্না অসিরাই কাচিন অমদা থুগ্গুনা লৈরগা ঐখোয়গী রারি পুম্নমক অসি তারমগনি।"

মতম অসিদা মুনিগী অশাওবা পুন্নমক অদু মাংখিদুনা মোমোন নোক্লম্মী।

"নংদি ঐগী গুরুনি। গুরুনা ননাই ঐগী ইথক্তা থাবা যাদু-মন্ত্র পুন্নমক অদু শোইদনা সিদ্ধ পানগনি," দ্বৈপায়ননা খুমজরকই। মপুক্লিংদদি মহাক্না মমাই পাকচবে হায়না খনজবম্মী।

মুনিনা খুবাক খুদুনা মাগী পক্নাশিং কৌবগা, অমদা বাতিকা কৌরকউ, মহাক শোইদনা মফম অসিরাইদা লৈবমগনি, হাযবকই।

পক্না অদুনা চংখ্রবা মতুং ডাইহাক লৈবগা বাতিকানা চেল্লকপগী মখোংগী মখোল অদু তাবা ফংলম্মী। বাতিকানা চংলক্তুনা মমাং যৌরকপা মতমদা মহা অথর্ব্বান্না হাযবকই, "যেংঙু দ্বৈপায়ন, মহাক মফম অসিরাইদা তুমিন্না থুপ্পুনা লৈবমগনি হায়বদু চুমদ্রা?"

মুনিগী অশাওবা পুন্নমক মাংখিবম্মী। অমবোমদা বাতিকাদি মহাক্কী মথরাইমক্কা চপ মান্নবা নুংশিজবী মচানুপী অদু ওইবম্মী। "বাবানা ঐবু কৌবিবা কবিগীনে?" বাতিকানা কিশিন্নবা শাদুনা মাগী বেণী লোন্দুনা থম্বা শাংলবা মশম অদুনা মমাংলোমদা থাদবগা হংজবকই।

"নংদি ঐখোয়গী রারি তারিবা নত্রা?" মহা অথর্ব্বান্না হায়বকই।

"তাজদে বাবা," বাতিকানা মোমোন নোক্না খুমজরকই। "ঐদি থোং অসিগী মরুমদা লেপ্তুনা, বাবানা হেক কৌবকপগা

তাবা ফংনবা লৈজরম্মী। বাবানাদ ব্রা লাওনা লাওনা ভাংবাননা ঐহাক্না তাবা ফংদে হায়বশু হায়জনিংদে"

"মীনম চাউবী! ঐহাক্না হৌজিক দ্বৈপায়নগী মফমদা অকিবগী মশক ওইবা যাতুগী মন্ত্র অমা, মহাক্না হায়বা ইন্দবা ঐগী পরুব্রা অমা ওইবগী, থাজিল্লগনি, অতুগা নংগোন্দনা, ঐগী থব্রাইকনবা ওম্বা হিদাকশিং ছুরানবগী," বাহৈশিং অসি হায়রগা মহা অথর্ব্বান্না মিংকুপ থরা মমিং অতু উইশিনখিরম্মী। মতুংদা মমিং অতু পাং-থোক্তুনা দ্বৈপায়নদা য়েংলগা মখোল অতু লুম্না হায়রকই, "দ্বৈপায়ন বাত্তিকাগা মুংশিনৌ।"

"অহোয় গুরুদেব, ঐনা ইনজরে," অসি হায়রগা দৈ্বপায়ননা বাত্তিকাদা খৌরাংবা মিংয়েংনা য়েংলম্মী। মতুংদা মুনিনা বাত্তিকাদা ওনশিল্লগা হায়রকই, "বাত্তিকা, দ্বৈপায়নগা মুংশিনৌ।"

বাত্তিকানা ইকাই ইকাইনা দৈ্বপায়নদা য়েংজরম্মী অতুবু অওকপদি দ্বৈপায়ননা মাগী থম্মোই মনুংদা চংখিবগুম্না মশাদা ইহুল অমা পোক্লম্মী। "অহোই বাব," মহাক্না খুমজরম্মী।

"অসিনি থাইনগী ঋষিশিং, ভৃগু অগস্থ্যং অঙ্গিরা অনিগী শোইবা হৌনদ্রবা, মুংশিননবা যাতু মন্ত্র হায়বতু," মহা অথর্ব্বান্না হায়রকই।

বাত্তিকানা দ্বৈপায়নদা মিংচিনা য়েংজরম্মী। দ্বৈপায়ননা মো-মোন নোক্লম্মী।

"চংলো হৌজিক্তি," মহা অথর্ব্বান্না মখোয় অনিদা হায়রম্মী। "অপংবগুম্না মফম অসিদা ফমদুনা লৈরগনু। মুনি পরাশরগী

পরুম্বাশিং অদুনা চীংখোংদা ঙাইদুনা লৈরে। মখোয় অদুবু আশ্রম অসিদা পুররক্লগা দ্বৈপায়ননা মহাক্কী আশ্রম শাবা লোইদ্রি ফাওবা হুংঙাইনা মফম অসিদা লৈহল্লু। শূমন্তু, বাতিকা লুহোংনবা মুমিং অফবা অমা য়েংঙু।”

---

১৬ শুবা পন্দূপ
বাতিকাগী থোইরাংবা

থাইনগী বেদগী মতম অতুগী চৎনবী অমা ওইনা, কনাগুম্বা মপা অমগী অপাম্বা মতুংইন্না মচান্নুপী অমবু, মসি অয়াম্বা শরুক্তা থাদোক্লরবস্তু, লাইমিং লৌবিত্তুনা ব্রহ্মচর্য্য আশ্রমদা চংহল্লগা বেদবু তম্বীবা অসি চৎনরম্মী। মাগী ব্রহ্মচারীণী মতম অতুনা মপুং ফাতুনা লোইরবা মতমদদি, মহাকপু শ্রোত্রিয়াশিংগী মন্নুংদা চনখিত্তুনা, অতৈ মুপীশিংনদি ফংদ্রবা, খুদোংচাবা ময়াম অতু মহাক্না ফংজরম্মী।

চৎনবী অসিগী মতুংইন্না মহা অথর্ব্বান্না মচান্নুপা-মুপী অনিমক লাইমিং লৌবিরগা ব্রহ্মচর্য্য আশ্রমদা থাজিল্লম্মী। মখোয় অনিমক ইকুই কুইদনা, মখোয়গী চহি তরানিথোইগী মতম অতু, মপুং ফানা লোইখিবদা ডাইরম্মী।

বাতিকানা, মহোশানা ইমুং অমগী ইতোন-তোনবী মচা মুপী অমনা ফংনবা খুদোংচাবা পুন্নমক অতু, মহাকস্তু ফংজরম্মী। মহাকপু মপা অথর্ব্বান্না য়াম্না নুংনা তৌরম্মী। মহাক্না আশ্রমগী মীশিং অতুগী মফমদা ফাগী-ফরাং তৌবা অমদি থৌওইদবা মতৌশিং অতুবু উর-খংলবস্তু মপা অথর্ব্বান্না উশিন-খংজিন্নদনা লৈথোক্লম্মী।

মপা মহা অথর্ব্বান জাবাল্লীনা মবুকচেল য়াম্না কনবা মীশক অমা ওইজরবস্তু বাতিকাগী মশাগী ওইবা রাখল অমদি লৈজরম্মী। ব্রহ্মচারীণী অমা ওইবগী চহি অতুনা লোইশ্রবদা মহাক্না মাগী

মপুরোইবা ওইবা য়াবা মতিক চাবা শ্রোত্রিয় অমা য়েংবা হৌরক্লম্মী। মহাক্না ইথং থংহৌদনা দ্বৈপায়নগী মুংশিবা মিনোক অমসুং মহাক্না সরস্বতী তুরেন থোংবান্দা থিখিবা; থম্মোই শোক্না মুংশিবা মন্ত্রশিংগী খোম্মোক অদু, উবা অমসুং তাবা ফংবদগী মহাক্না দৈ্বপায়নবু মাগী মপুরোইবা ওইরগে হায়না মপুক্নিংদা লেপচরম্মী।

অদুগীসু মথক্তা দ্বৈপায়ননা মাগী মপাগা ৱারি শানবা মতমদা মাগী (দ্বৈপায়নগী) মপুন্সিগী তৌগদবা মথৌশিং অমদি নিংথৌরেন শান্তনুবু অশি থোংদগী অমুক হন্না মথৱাই পুরকপগী অণ্ডকপা ফংবা ৱারিশিং অদু তাবদা, দ্বৈপায়নগা মুংশিননবা যাতু মন্ত্র অমুক তৌক্নরবসু, বাতিকাদি অদুম দ্বৈপায়নগী ৱাখল্দা লুপচরবী অমা ওইজগ্রবনি। বাতিকানা দ্বৈপায়নগা লোইনন। ধর্মক্ষেত্র নৌহৌনা লিংখৎমিন্নরগনি খনবদা থোইদোক্না হরাওজরম্মী। মহাক্না তুংদা ওইরক্কদবা অদুগী মং মংতুনা লৈজরম্মী।

বাতিকানা দৈ্বপায়ন, সুমন্তু, অমসুং নাক্নবদগী ফরক্লবা পৈলা, মখোয় অহুগা লোইনননা, চীংখোংদা লৈরিবা পরাশর আশ্রমগী মীয়াম অদুবু মপাগী আশ্রমদা অতিথি ওইনা লৈবিনবা হায়জবা চৎপা অদুদা য়াওরম্মী। মহাক্না মপাগী আশ্রমগা অতৈ আশ্রম অমনিগা নত্তনা অতৈদি থংজদবী অমা ওইরম্মী। মরম অসিনা মহাক্না, দ্বৈপায়ননা মপাগী মমিং লৌতুনা থোনবা কোইনা চৎপা পরাশর আশ্রম অদুবু উবদা মপুক্নিংদা মথুম-মরাং হৌজরম্মী।

দ্বৈপায়ননা বতিকাদা, পরাশর আশ্রমগী গুরু পরুৱা পুন্নমক অসিদি যমুণাগী তোর্বান্দা, মাগী মপাগী পরুৱাশিংনা লিংখতুনা

লৈবা আশ্রমশিং অহুদগী পুল্লপ হৌদুনা লাকমিন্নবনি হায়না তাকপিরম্মী। মখোয়না লম্বী লমশাং লাকপদা অরাবা কয়া নংলবস্থু মখোয়গী নোংমগী তৌফম থোকপা মখোশিং অহুবুদি থক থাদোক্লমদে। মখোয়না দৈ্বপায়ননা ধর্ম্মক্ষেত্র অমুক হন্না চিংখৎকনি হায়বা অহুদা শরুক য়াগে হায়দুনা অরা অনা থিদনা লাকপনি।

আশ্রম অসিগী লুচিংদুনা লাকপা মকোক ওইবা আচায্যদি পরাশর মুনিগী অহল ওইরবা পরুরা গৌতমানা ওইরম্মী। মহাক্কী মফমদা বাত্তিকাবু শিন্নদুনা মশক তাকপা মতমদা, মহাক্না মপা অমগুম্না মোমোন নোক্লা বাত্তিকাদা আশীর্ব্বাদ পিবিরম্মী।

শম্মী আচার্য্য গৌতমাগী মুপী অমস্তুং মখোয়গী মচাশিং, অসিদা নত্তনা অতৈ অতৈ আচার্য্যশিংগী ইমুং মনুংগী মুপী অঙাং-শিং অমস্তুং পরুরাশিং অমস্তুং ব্রহ্মচর্য্য আশ্রমদা লৈবা মখোয় তরানিথোই অমস্তু য়াওবম্মী। মুপী অঙাংশিংময়াম অহুনা ষনগাড়ীদা খরা তোংবা য়াও, মখোংনা খরা চৎপা য়াও অমস্তুং খরা অমনা পো-পমদুনা লাক্লরম্মী। যণশিং হোইদুনা পুরকপা কা'বু অমস্তু য়াওরম্মী। মখোয় খ্বাং পুম্নমক্কী মতুংদা নিংথৌরেনগী লাম্মীশিংনা ঙাক-শেন্দুনা লাক্লম্মী। অশোল-অনা অমস্তুং অহল লমন য়াওব-ক্লিবশিং অহুনা দোলাই শেমদুনা পুনরক্লম্মী।

বাত্তিকানা, লাক্লিবা মীয়াম অহুনা দ্বৈপায়নবু 'বালমুনি' (অঙাং মুনি) হায়না মিংগৌনদুনা লুনা অমস্তুং কিনা নিংবা মতৌ অহু উবদা মহাক্কী মপুক্লিংদা থোইদোক্লা খোইরাংনা হরাওবা পোকচরম্মী।

মহাকী লৈখিত্রবা মকু মুনি অহুবুন। পঙ্গু মুনি হায়না খংনৈ হায়নবু মখোয় খরনা মাঙোন্দা তাকপিবন্মী।

বাতিকাবু পৈলানা মুপী ময়াম অহুগী মফমদা, মহা অথর্ব্বানগী মচানুপীনি অমস্তুং বালমুনিগী য়া লোইনরবী মুপীনি হায়না খংহনব। মতম অতুদা ময়াম পুম্নমক অহুনা য়াম্না হন্নাওনরম্মী। মশা নোই-পেন্না চাউরবী, আচার্য্য গোতমাগী মুপী শর্ম্মীনা মমানা মচাবু কোনশুম, বাতিকাবু মুংশিনা চেক্তেং কোম্লপা অমুক থাঙ্গং অমুক য়েং তৌহুনা লৈরম্মী। ময়াম্না মুংশিনা অমস্তুং লুন মাবু তৌবিবা মতৌ অহুদা বাতিকানা হরাওজবগী মপি শিন্থরকপাহু থিংবা ঙমক্ত-রমদে। মপুক্লিংদদি মুংঙাইজবা অমা পোকচরম্মী।

লাক্লিব। ময়াম পুম্নমক অহুনা চীংখোংদা পোত্থারগা মখোয়গী মনশিং অহু থাদোক্তুনা লমহাং অতুদা শজিক পিজরম্মী, অমস্তুং মনবী মন্নাওশিং অহুবুনা ঈশিং পিথক্লম্মী। মুপী নহাশিং অহুনা মখোয়গী চান-থক্লবগী খোরাং অহু তৌরম্মী।

অনিরক হন্না পোক্লবা কাংবু অহুনা মখোয়গী ইমুং মহুংগী মুপী নহাশিংগা লোইননা মহা অথর্ব্বান থুরম্বা চীংথক্তা কাখৎন-খিরম্মী।

মথংগী নুমিত্তা মহা অথর্ব্বান, দ্বৈপায়ন, আচার্য্য গৌতমা, অমস্তুং অতৈ অতৈ আচার্য্যশিং আশ্রম অনিমক্তগী পুম্না স্যমন্তক পাৎশিং তম্না চংখিতুনা পরাশর আশ্রম লিংখৎপা য়াবা মফম অহু খিরম্মী। অহুমশুবা পাৎ, সরস্বতী তুরেল্না লুনা অমস্তুং পাক্লা চেন্নিবা অহুগী মনাক্তা খুদোংচাবা মফম অমা থেংনহুনা, আশ্রম

অহু শেল্লবা থোরাং তৌরম্মী। অশেংবা মৈ হৌগত্তুনা পৃথি মাতাবু পূজা তৌরম্মী। মহা অথর্বানা অমস্তুং মাগী শরুরাশিংনা অথর্ববেদকী মন্ত্রশিং থিত্তুনা পৃথি মাতাবু কৌরকই ;—

"সত্যনা অচুম্বত্তুনি" ঋত না জগৎ অসিমি ;
অকনবা মাগী ব্রত, থংনৈ মত্তুনা তপস্যা।
আধ্যাত্মিক জ্ঞান মাবুদি, খংনৈদো ব্রহ্মনি হায়না ;
ধর্ম্ম কর্ম্ম যজ্ঞশিংগী, মপুনি হায়বা লাইশিংনা,
ঙাকপি শেনবি তৌবিত্তুনা, থম্বিয়ু ইমা পৃথিবী।
নহাক্তি ইমা পৃথিবী মবেম্মনি পুম্নমক্কী।
মক্ম চাবদা ঐথোযদি, থম্বিয়ু ইমা নংনদি।
লৈমিন্নত্তুনা তিন্ননা, নপুরোইদি অতিয়াপা,
থম্বিয়ু রাস্ত পাদনা নচা ওইরিবা ঐখোয়দা।
হে ইমা জ্ঞাননী লাইরেম্বী, লৈবিত্তুনা মক্মসিদা,
কোনবিয়ু নচা পুম্নমক, পিবিত্তুনা জ্ঞানগী থাওমৈ॥"

কোম অমা তৌবগা শান্তি হায়দোত্তুনা শেংদোকহল্লম্মী শরুরা অনিনা থেঙ্গু অমা ফারুবগা পৃথিবী মাতানা পেনবিনবা হায়ত্তুনা কোম অত্তুদা থাদরম্মী। মরমদি পৃথিবী মাতানা ইহান হানবদা ঈশ্বরগী মশক ওইববা থেঙ্গুগী মনঙ্গন্দা লৈজরম্মী।

বাতিকাগী থম্মোইম্নুংদা আশা অমস্তুং হরাও-তযাম্নববগী ইথকইপোম্না থুমহৎলম্মী। ঈশ্বরন থৌজানবিত্তুনা পিবিরকপা আশ্রম অসিনা মাগী মপুরোইবগী অমস্তুং মচাশিংগী মথং মথং অা চারোন শুরোন ফাওবা লৈহৌবগনি খনজবদা থোইদোক্ত নুংঙাইজবা

পোকচরম্মী। পরাশর আশ্রম অসিদা অতৎপা লৈতনা মতম চুম্মদা বেদগী পুক্লিং হুরবা মন্ত্রগী খোঞ্জেলনা নিন্দুনা লৈরগনি খনবদা মশাদা চাউথোকপা অমসু পোকচবম্মী। অতুগা তশেংনা মহাক অসি দ্বৈপায়নগী অঙাং ওইবগী মিনোক্তা, শক্তমদা অমস্তুং মতৌদা শুমহৎচববী অমদি ওইরম্মী, দ্বৈপায়ননা মহাক্কা মতম কুইনদগী খংনবকপা অমগুম্না করিমতা কোইদনা মাবু লোইনবি-রম্মী। মহাক্কী মহৈস্তু মপাল নাইদে হাযবসি বাতিকানা হৌজিক্কি খংবা ঙমজরম্মী। দ্বৈপাযননা বেদ অহুম্নু খোম্থোক চুম্না থিবা ঙম্বতা নত্তনা, অনা-অয়েক কোকহনবা ঙম্বা অথর্ববিদ্যাগী যাদু মন্ত্রশিং অমস্তুং থা পৌরানমিচাকশিংগী মরমদস্তু নিংথিনা খংবা মীশক অমনি হায়বস্তু মহাক্না খ জরম্মী।

অতুম ওইনমক, বাতিকানা খ্বাইদগী হেন্না ঙকচবা অমদি দ্বৈপায়ননা কনাগী মফমদস্তু ঙাং-শকপা অমস্তুং থৌদাবগী য়াহৈ অমতা হায়দনা ময়াম অতুগী মপুক্কি থৌগৎপা মতৌ অত্তুনি। অয়ুক অঙনবা শঙ্গোম শুম্বা মতমদা মহাক্না আশ্রমগী কুপীশিং অতুগী মরক্তা লৈরগা মখোয়গী মতেং শঙ্গোম শুম্বা অতু পাংবিবম্মী। শ্রোত্রিয়শিং অমস্তুং ব্রহ্মচারীশিং অতুনা মৈ তৌগৎপা অতুদা মহাকস্তু য়াওশিল্লগা মহাক্কী হুংশিনা মেংলবা অমস্তুং খোম্থাং শুরবা মখোল অতুনা বেদগী মন্ত্রশিং অতু থিবকপা মতমদা, ময়াম পুম্নমক অতুগী মফমদা অনৌবা মথরাই নৌনা হাপ্পীবগুম থোক্লম্মী।

দ্বৈপায়ননা কনাগী মফমদস্তু চৈ থাংবা তৌরমদে। কনা-শুম্বা অমনা মাগী মথৌ অতু তৌদনা, তন্দুনা লৈথোকপা অতু

মহাক্না উরবদি, মহাক্না মীশক অহুবু কৌরগা, মহাক্না লোইননা থবক অহু তৌমিন্নহুনা লোইশিনমিন্নরম্মী। পরাশর আশ্রমদা লৈহুনা পঙ্গু মুনিগী মথাদা মহৈ মশিং তম্নকপা অহল ওইরবা পরুরাশিং অয়াম্বদি পঙ্গু মুনিনা অকনবা চৈরাক্না লোইননা বেদবু তম্বীরকপা মরম্না, মফম অসিদস্থু নিয়মশিং অহু ঙাক্না অহুম চৎলম্মী।

দ্বৈপায়ননা নোংমতা কাংদনা অশোন-অনাশিং অহুবু লাইয়েংবিরগা, অঙাংশিং, মাবু ঙাইহুনা, লৈরিবা মখোয় অহুবু পিজপিথক তৌরম্মী। মতুংদা, থরা অয়েম্বা অহুনা মহাক্কী অরাম-খোরাংবা অহু কোক্লবম্মী। মাগী মতৌ অসিমক্তনা, মী খুদিংমক্কী থম্মোইবু শুমহত্তুনা থনম্মী।

মখোয়গী লুহোংগদবা নুমিৎ থরা রাৎলিঙৈ মতম অহুদা বাতিকানা, রা ঙাংবদা পোথাবা হৈত্রবী শর্ম্মীগী মফমদগী মাগী মপুরোইবা ওইগদৌরিবা দ্বৈপায়নগী মরমচৎ, মতৌ অমস্তুং লিচৎ-শাজৎ পুন্নমক অহু তাহুনা থংজরম্মী। মতৌ করম্না বাল মুনিনা অঙাং ওইরিঙৈদা শঙ্গোল শেংবা অমস্তুং শঙ্গোম শুম্বা য়াওহুনা আশ্রমগী নুপীশিংগী মতেং পাংবা অমস্তুং মহাক্না খ্বাইদগী হেন্না নোবা অঙাং অমা ওইজরবস্থু মাগী মপুরোইবা আচার্য্য গোতমানা নগুণ থাংবিহুনা ব্রহ্মচার্য্য আশ্রমদা পুশিনবা, অসিনচিংবা রারিশিং অসি বাতিকাগী মফমদা অরোইবা লৈতনা লিবিরম্মী। মপা পঙ্গু মুনিগী অশিবা মশাবু অঙাং ওইরিবা মহাক্না কয়া চেকশিন্না পমহুনা আশ্রমদা পুরকপা, রাহৈশিং থরসি হায়রগা শর্ম্মীনা হিক হিক লাওনা কপচরম্মী।

মতুং অসিদা শর্ম্মীনা মখোয়না গোধূলীদগী মফম অসি তান্না

লাকপা মতম্মদা, মখোয়না লম্বীদা, হস্তিনাপুরগী মহারানীগী অতিথি ওইনা মতম খরা পোখাতুনা লৈরকপগী রারিশিং অহু বাত্তিকাদা লিরকই। হিংতুনা লৈরিবী মহারাণী অমগা মাইয়োকনা রাত্রি রাতাই শাবা কংজররুবী শম্মী ঐগী পুন্সি অসি পোকপগী মহে য়ানবা হায়বহু ওইরবনি “কত্তেদা মহারাণী অহু। মশাদি তবা তবাই, চীংলেয়া কত্তে, অতকপা কংনা ফিজেং লৈতেংতি! মহাক্না মুমিৎ খুদিংগী, ঐখোয়না লৈরিবা প্রতিপেশ্বরগী লমপাক অহুদা লাকুনা বাল মুনি অমম্মুং অর্য্যপুত্র (মপুরোইবা আচার্য্য গৌতমা) অনিনা চান-থরুবশিং অহু পিরৈ, অহুগী মথক্তা ঐখোয় মরামগী মফমদা লাকুনা ঐখোয়গী অরাং-অপা করি লৈবগে হায়তুনম্মু হংবিরৈ।” শম্মীনা মহারাণীগী রা ডাংলকপা খুদিংদা মশাদা ইথক ইপোম অমগা লোইননা হেক হেক হায়রম্মী।

রারিশিং অসি তারগা বাত্তিকা মপানথোংদা নোক্তবা য়াদতুনা নোক্রুকমু মপুক্লিংদদি চিংনবা পোকুনা রাজরম্মী।

লুহোংবগী অকবা মুমিৎ অহু য়োরকুনা বাত্তিকা অমম্মুং দ্বৈপায়ন অনিগী লুহোংবা অহু পাংথোক্লম্মী। আচার্য্য গৌতমানা দ্বৈপায়নগী মপা শকপা গুরু অহু ওইতুনা, বাত্তিকাবু মপা মহা অথর্ব্বনগী মকমদগী লৌশিল্লম্মী। মুপা মুপী বর কন্যা অনিমক্না থক্তগী মৈকম অহু তরেংলক হুন্না কোইরম্মী। অমগা অমগা মুংশিননা য়েংনরম্মী। মখোয় অনিমক ব্রহ্মচর্য্য আশ্রমদা লৈনরকপা ডাক্তা ওইবনা, চৎনবী মতুং ইন্না, শক্তি মউনগী ফিজেংশিং শেংলম্মী।

বাত্তিকানা অনৌবা মপুন্সি অমগী, ইহান হানবা অহিং অহুবু,

অকিবা অমা পোক্না ওাইহনো লৈজরম্মী। অশ্রমগী মুপীশিংগী রারিবা, লুহোংবা মুমিৎকী অহিংদি মখোয় মুপাশিং অসি মুপীশিং ওইবা ঐখোয়গী মক্কমদা, হিংচা-য়াইতম্বশিংগা চপ মান্নে হায়না মাঙোন্দা লিক্লিরম্মী। মরম অদুনা বাত্তিকানা মশাদা অকিবা অমম্বুং মুংশা-থিবা পোক্না ওাইহনা লৈজরম্মী। মপুক্লিংদদি করি করম হায়না জৌরগা, চেনবদি য়াত্রবনিনা, মপুরোইববু পেলহনবা অমম্বুং ইংথ-হনবা ওমগদগে হায়না খনজরম্মী।

অদুবু অহিং অদু মখোয় অনি পুম্না লৈমিন্নবা মতমদদি, দ্বৈপায়নগী পুমতোপ তোপ্পা, মুপীশিংগী রারিগা চানদবা, মতৌ অদু উবদা বাত্তিকানা অওকপা পোকচরম্মী। মহাক্না শোক্লকপা পাইরকপা অদুনা মশাদা ওম্মোকপা ইন্দুল অমা কাওরক্লম্মী। দ্বৈপায়নন মাগী (বাত্তিকাগী) ফোংদোকপদি ওমজদনা লৈরিবা রাখল পুম্নমক অদু শোংদোকপিন্নুনা ইথক ইরাংগী ঈপাক্তা লুপ-মিন্নরম্মী। বাত্তিকানা মাগী মশা পুম্নমক দ্বৈপায়নগী মফমদা শিন্নজরম্মী।

"ঐগী থরাইসু হক্কচাংসু ইবুংঙো নংগীনি। পাইনগী পৌ-লোমীনা মহর্ষি ভৃগুগী মক্কমদা ওইজখিবা অদুগুম্না ঐহাকপুসু নংগী নফমদা ওইহনবিয়ু" বাত্তিকানা তপ্না হায়জরম্মী।

মপুরোইবনা মাগী মমাংদা মহারাণীগী রা পন্দুনা ঙাংলকপা মতমদা মপুরোইবগী মাইথোংদা হরাও-তয়াম্বগী ইথক অমা হৌরক-পদু বাত্তিকানা উবা ফংজরম্মী। মহাক্না অনি অদুগী মমুংগী মরি অদুবু খংজরমদে। মহাকপু মপুরোইবনা লুহোংবনি হায়দুনা

লুহোংলিবসি মহাক্কী মকমদা অচোবা মীনম্বা অমনি হায়না মহাক্কা থনজরম্মী।

খুমিং থরগী মতুংদা মন্ত্রি কুনিক্কা দোলাই অমা তোংহুনা হস্তিনাপুরদগী আশ্রম অসিদা লাক্লম্মী। মহাক্কা লোইননা লাম্মীশিং কয়া মথুক্তা থুংলাইশিং পাইবা অমস্নুং উমং রামং শেন্নবা কয়া অমস্নু য়াওরক্লম্মী। মখোয়শিং অহুনা মথুক্তা থাং য়োংপাকশিং পাইহুনা উমং-রামংশিং অহু শেংদোক্লগা খাংপোকশং কয়ামুক, আশ্রমগী মনাক অহুদা শাগত্তুনা লৈরম্মী। কুনিক্কা মখোম থোকপা মনবী মরি, মখোয়বু শেন্নবা মীশকশিংগা লোইননা পুরক্লম্মী। মন লাবা কাও অচোবা অমথকস্নু মহারাণীনা বাত্তিকাদা খুদোনপোং ওইনা পিবিরক্লম্মী। মনবীশিং অসিদি থোইদোক্কা মমল য়াম্নবা অমস্নুং তাংনা ফংবা পঞ্চ-কল্যাণীগী জাং অহু ওইরম্মী। মশক উবত্তদা মঙ্গলগী মশক্কি হায়নরিবা অহুগী মথলনি। অফবা খুদম মঙানা মখোয়গী মশাদা তিন্নবা ওাক্তনি। মন লাবা কাওজাও অসিদি চৌংলেম্না ফজরম্মী অমস্নুং মমাংদা মীদি হায়রক্নু উচেক রায়া কাওবা পাইবা য়ারমদে। মরম অহুনা আশ্রমদগী থাপ্তক্কা মন-শেননহা অনিগা লোইননা, উথোং অমদা মাবু পুন্দুনা থনম্মী।

বাত্তিকানা মহারাণীগী দান অহুবু লৌদবদি ওমদহুনা মপান খোংগী ওইনা লৌশিল্লমই। মহাক্কা মাগী মপুরোইবদা শাওবদি ওমজরমদে। মহাক্কা করিগুম্বা দান অসি লৌত্রবদি মহারাণীগী মফমদা ইকাইবা পিবা থোকনি হায়হুনা অহুক লৌশিনবত্তনি।

"ষনবীশিং অসিবু ঐহাক্না করি তৌনগনি?" মহাক্না মপ্ রোইবদা হংজরকই।

"ষনবীশিং অসি নংগীনি, নংনা অপাম্বা মতুংইন্না নংনা তৌনিংবা অহু তৌবা য়াগনি," দ্বৈপায়ননা নোক্না খুম্নকই। অহুগা হায়বিগে, কাওজাও অসিগী মনাক্তদি চংজরন্নু, নত্রবদি ঐগী মুপী মাংখিনি। পুকচেল চাউরবী মহারাণী অহু অওকপা নত্রা? মহাক্না করিগুম্ব। অমত্তা কাওবা লৈরমদে।" দ্বৈপায়ননা রাহৈশিং অসি হন্নাও-তয়ান্না হায়রক্লম্মী অহুবু বাতিকাগী থপ্মোইদদি তাপোনগুম্না থোক্লম্মী।

বাতিকানা অহিং কয়ামুক তুম্ব' য়াদনা রাখলগী ইপাক্তা তাওহুনা লৈরম্মী। অসিগুম্বা রাখল অসি মমাংঙৈগী মতমদা মাঙোন্দা অমুক্তা লাকখিদবনি। মহাক্না কবিগুম্বা তুম্নফাওবদা অকি অকিবা মমংশিংনা মাবু ওংপিরম্মী। অমুক্তা উজত্রিবা মহা-রাণীগী মশক অহুনা মশক থিরবী যাহু হৈবী অমগী মশক ওইনা লাক্লগা মাঙোন্দা অরাবা হেক হেক পিবিরম্মী।

মহাক্না মতোম্মতা, মহারাণীনা মফম অসিদা য়ৌরক্লবা মতমদা মাগী মথক্তা করিগুম্ব। খরদি তৌদবা য়াত্রে হায়না খনজরম্মী। অহুগা রাখল অসিনা মাগী অরাবা, মুংঙাইতবা অহু পুমকোক কোকনি হায়বদি মহাক্না থাজরমদে।

মহাকম্নু মপা মহা অথর্বান্না পোকপা মরম্না মপাগী মবুকচেল অহু খরদি অহুম লৌরম্মী। মহাক্না মহারাণীগা মাগী মপুরোইবগা অনিগী লৈনরিবা মরি অসি করম্না খদংকদগে হায়বহু খনবা হৌরম্মী। অহানবদা মহাক্না মপাদা মহারাণী হাংনবা হায়জগে

হায়না খল্লম্মী; অদুবু মপানদি দ্বৈপায়নবু মথরাই মচামক য়াওনা মুংশিবা মরম্না মাগী রা অদু ফাগী তাদুনা তোকখিনি হায়বসি মহাক্না খংজবা ওয়ম্মী। অদুগা করিগুম্বা মাগী মপুরোইবনা মাগী থোরাং অসিবু খংগ্নবদি মহাকপু মপোক অসিনবী ঙাকপিবা অদু তৌখিরোইদৌরি।

নোংমা অমুক অমদা বাতিকাগী রাখনদা মঙাল অমা কাওরক্লম্মী। মহাক্না মাগী মপাগী মচে অহল উর্বীগী মনাক্তা চংলম্মী। মনে অসিমু মাগুম্না শ্রোত্রিয়া অমা ওইরম্মী। মহাক্না মৌপ্না মহা অথর্বানগী হিদাক লাংথকী মনামশিং হৌরিবা লবুক লমহাংশিং অদু ঙাক-শেন্মুনা লৈরম্মী। মহাকসু মৌপ্নাগুম্না যাম্বুগী থবক পুম্নমক অদু তৌবা ওয়ম্মী। মনে অসিনা মাগী অপাম্বা পুম্নমক তৌবিরক্নি অমসুং পিবিরক্নি হায়বসি বাতিকানা থাজবা পোক-চরম্মী।

বাতিকানা মনেগী মফমদা চংলগা হায়জরকই, "ইনে ইবেম্মা, ঐঙোন্দা য়েক্নববু মাংহনবা ঙম্বা লাইরা তম্বিয়ু।"

মনেনা নোক্লগা হায়রকই, "অসুক থুনা, লুহোংখিবদা ঙাইহিব! নহাক অসি নপুক্কিং রানদি উরে।"

"নত্তে, ঐগী মুংঙাইতবা লৈত্তে। অদুবু কনাগুম্বা য়েক্নবা মীশক অমনা লাইরাশিং তৌরক্নবসু মত্রবু ঙাকথোক্নবা খংজিনহৌগে তৌবনি। ঐহাক্না ইশাবু ঙাকথোক্নবা থৌরাংদি তৌদুনা থমক্নম পোকই," বাতিকানা হায়জরকই।

মনে উর্বীনা বাতিকাগী মফমদা তম্বীবা য়াম্না লাইরাশিং,

মহাক্লা খংজবা পুম্নমক অহু মচা থাইনা, মসিনা নংবু মুংশিনবা অমসুং মসিমনা নংগী য়েক্লবী অহুবু কাওথোক্লবা অমসুং তুকচনবা লাইরাবানি হায়রুনা, তম্বীরম্মী।

মতুংদা বাতিকানা মনে উবাঁদা যাত্নগী উনা পাম্বীশিং অহুগী মৌকম অহু ঙাকপিয়ু হায়না হায়জরম্মী, মরমদি উনাশিং অহু য়াওজরবদি লাইরাবশিং অহুজনা কায়দে হায়রবদি মহাক্লা খংজরম্মী।

মমৌপী মতো অহু উবদা অহুল ওইরবী মনে অহুনা মুংগাইনা পোকজরম্মী। মহাক্লা মমৌবু যাত্নগী উপাম্বী মথোংদা পুশিল্লগা পটা হায়না খংনবা উনা অহু হেক্তুনা মপুত্রা পিরগা, মসিদি মতো অমুমা শিজিন্নগদবনি হায়বহু নিংথিনা তাকপিরম্মী।

শিজিন্নগদবা মওং পুম্নমক অহু নিংথিনা খংলবা মতুংদা বাতিকানা মনেদা হংজরকই, "লাইরা অসিনা য়েক্লবা অহুবুদি হাংপা ঙমগদ্রা?"

"ঙম্মোই। লাইরা অসিদি মী হাংনবা নত্তে। চুমতগী নংগী নপুরোইবা অহুনা নংগী য়েক্লবী মুপী অহুবু য়েংনিংদনবনি।"

হৌজিক্তি বাতিকানা লাইরা অহু মচিন্দা জিনবা পুবতা নমুনা যাত্নগী উনাশিং অহুগী শিজিন্নবসু খংলবনিনা, মহারাণীনা থেংনরগে হায়না থম্মুনা থৌরাং তৌনা লৈজরম্মী।

১৭ শুবা পন্দূপ

ময়াম য়োনরকপা

আর্য্য অমা ওইবগী ইমুং মনুং অয়াম্বদি যজ্ঞগী মৈফম অমমম মফম চাবা য়েংহুনা থম্লগা পূজা তৌনরম্মী। পরমপরাদগী চংনরকপা মতুংইন্না অমসুং ধর্ম্মগী লাইরিকশিংনা রাংনা থাজংহনুনা থনম্লবা মরু ওইবা যজ্ঞ মথল অহুমথক লৈরম্মী। মখোয় অহুদি অশ্বমেধ, রাজসূয় অমসুং বাজপেয় অসিনি। যজ্ঞ মথল অহুম অসিদা মৈ কৌবা লাই অমসুং "নিংথৌ সোমা" অনি অসিবু য়াম্না পাক-থোক চাউথোক্লা হৈ লৈনচিংবা কত্তুনা পূজা তৌনরম্মী।

অসিগুম্বা যজ্ঞশিং অসিদা জাতি খুদিংমক্কী মীশিংনা হায়বদি আর্য্য, নাগা অমদি নিশাদ্ধ কাওবা লাক্তুনা য়াওরম্মী।

যজ্ঞশিং অসি মীচম অমনা তৌবদি ওইথোক্লমদে, মরমদি যজ্ঞবু পাংথোকদৌরিবা মীশক অহুনা অরাকপা খুদিংমকপু মবুক পেম্না পিজ-পিথক তৌবতা নত্তনা যজ্ঞদা চংগদবা পোৎলম খুদিংমক্কী থরচ অহু মহাক্না পুথোকলবনি অমসুং মী খুদিংমক অহুদা মত্তিক চানবু দান তৌবা তারম্মী।

নিংথৌরেন ভরত, হৌজিক হস্তিনাপুরগী নিংথৌরেন ওইরিবা শান্তনুগী মবুথৌ পুরেন অহুনা, মমাংঙৈগী মতম অহুদা, রাসূয় যজ্ঞ অমা য়াম্না চাউনা পাংথোকখিরম্মী।

নিংথৌরেন শান্তনু বাল মুনিগী থৌজালনা নারুবদগী

ইকুই কুইদনা ফরকপদা ঙাইরিবা অসিনা, বাজপেয় যজ্ঞ, কৈশাল-শিংগী মকোল ওইনা লৈরিবা লবুক লমতাং অতৃবু তেমথোক্লুনা শেম্লগা, চৈত্র থাগী পানথংলকপা ত্তরানিথোইনি চনবা স্তমিত্তা তৌগদৌরি হায়বগী পাও অসিনা মাইকৈ খুদিংমক্তা, লস্মৈনা পাক-শন্না চাকপঙুম শন্দোক্লম্মী।

নিংথৌ মচা গাঙ্গেয় মশামক্তা মরুপ ওইবা নিংথৌশিংগী মফমদা যজ্ঞ অসিদা য়াঙবনবা বার্ত্তন তৌবা চংলম্মী।

পাও অসিনা আশ্রম পুম্নমক্তস্থ য়ৌখিরম্মী। হন্দক্কী বাজপেয় যজ্ঞ অসিদি পুমতোপ তোপ্পা অমনি হায়নস্থ ঙাংনরম্মী। হন্দক্কী যজ্ঞ অসিদা আচার্য্য বিভুতিনা অধ্বর্য্য অতু ওইরগা, ত্রয়িবিদ্যাতা পাম্বা শ্রোত্রিয়শিংগা অমুক্তা পুনশি হায়বা য়ারক্রবা মহা অথর্ব্বান জাবাল্লীনা ব্রহ্মাগী ফম অতু লৌগদৌরি। মসিদগী হেন্না ঙকপা অমতা লৈত্রে। য়াফম অসি তাবদা খরনা হুংঙাইবা ফোংদোক্লরম্মী অমস্থং অতোপ্পা খরন শ্রোত্রিয় মশেল খংনরক্কদ্রা হায়হুনা মপুক্কিংদা অৱাবা পোক্লরম্মী। বেদ মথল অতুমতনি হায়বগা মরিনি হায়বগা পুনশিন্নবা হোংনবকপগী য়াফম অসি অতে খরনা ভাব তানরবস্থ অয়াম্বা শ্রোত্রিয়শিংনদি খংনরমদে।

তোঙান তোঙানবা লৈবাক্কী মহৈ তমফমশংশিংদগী লাকপা শ্রোত্রিয়শিং অতুনা ধর্ম্মক্ষেত্র অসিদা পুল্লরগা ৱারি য়াতাই কয়ামুক তৌনরম্মী। মতুংদা মথোয়না অহল ওইরবা আচাযাশিংবু ইকাই-খুম্নবা উত্তুনা খুরমজরগা, নৌনা ফাওগংলক্লিবা বাল মুনিগী মফমদা চংজতুনা মহাক্কী আশীর্ব্বাদ অতু নিজরম্মী।

অমিং চংলবা শ্রোত্রিয়শিং অমস্তুং আচার্য্যশিং থমদু লাকুনা মফম অদুদা মখোয়গী মহৈ মশিং অদু উংনবা থৌরাং তৌনা লৈনরম্মী। মখোয় থরা অমনা দান দক্ষিণা চাউরগনি খন্দুনা লাক্লরম্মী।

নিংথৌশিং অমস্তুং লুচিংবশিং, হস্তিনাপুরগী অকোইবদা লৈরিবা পুম্নমক অতুম্নু, মানা মানা হেক্লি হায়হনগে মতাগুম মখোয় মখোয়গী অয়েবা অদু শেং-চাহনা, মপাঙ্গল মথৌনা ফুংনাক্লা লাক্লরম্মী।

সনা লুপাগী লৈতেংশিং ললোনবা কাংবুদু মফম অসিদা লাকুনা হুকান ফম্বা হৌনরম্মী। য়াওগী শঙ্খ শঙ্খসু মঙ্গল অদুদা চংগনি থংহনা য়োম্লবা পুনরক্লম্মী।

শাহানবশিংনা শক্তি মণ্ডন মপৈ মপৈ, নিংথৌনা লৈরগা শ্রোত্রিয়শিংদা য়েক্লবঃ হায়হনা পুরক্লম্মী।

থুঙ্গাশিং লিশিং লিশিংনা মাইকৈ খুদিংমক্তগী মখোয়গী মুপী নহাশিংগা লোইননা লাকুনা অচৌবা কুম্মৈ অদু রেংগদবগী মফম চাবা য়েংহনা লৈনরম্মী। মখোয়গী মরক্তা জগোই ঈশৈ হৈবা কয়া অমস্তু য়াওরম্মী। পাথং লৈশাবী কাংবু অমনা শ্রোত্রিয়শিং অতুগী মনাক্তা চংলগা মখোয় মখোয়গী তুংগী মপুন্নিদা ওইরকদব রাফম অদু হায়বিদু হায়হনা মখোয়গী থুবাক মরিশিং অদু য়েংহল্লম্মী

জগোই শাবা শাবীশিং, জিন পুবশিং, য়োংগী কুম্মৈ উৎপশিং অমস্তুং মল্ল-যুদ্ধগী কুম্মৈ উৎনিংবশিং মখোয় পুম্নমক অসিনা লাকুনা অমুক্তা হেন্না যজ্ঞগী মফম অদু মপুং ফাহল্লম্মী।

খাঙনদি তৌদখা, শোইদনা অতিলি গুইনা লাক্কনবা চাক্তি-ফিনিবা কাংবুশিং অহুনা, মন্ত্রি কুনিদ্দা পান্নহুনা লৈরিবা চাকশং অদোমদা লাকুনা লৈরম্মী।

যজ্ঞ হৌগদবা মুমিৎনা নকশিল্লক্কবদা, কোমুংগী অঙম-অথৌ অমদি মহারাণী অমস্সুং নিংথেমমুবীশিং অহুগী লৈফমশিং শেম-শাননবা কোম্মুংদগী মখোয় কাংবু অমা লাকুনা য়ৌরক্লম্মী।

বাতিকাদি অৱাবা অমা ওইজরম্মী। অয়ুক মুংথিলদগী হৌনা অহিং নোংয়াই ফাওবা অসিদা, মপুরোইববু থুরম্বা লাকপা মীশিং অহুনা মপুরোইববু অহুম কোইশিন্দুনা লৈরম্মী। মখোয়গী মরক্তা অশোন অনা কয়া অমসু য়াওরম্মী। অহুদগীস্সু হেন্দোকুনা অঙাংশিং কাংবু অমা, মখোয়দা পিজ-পিথক তৌদ্রিবা মথৈ, মহাক্না চাদে খংহুনা. মাবু শংহুনা লৈরম্মী।

বাতিকানা মিংকুপ অমতস্সু মপুরোইবগী সেবা তৌনবা মতম ফংজরমদে। মপুরোইবগী মশাগী মরমদা চিংনজবা পোক্লবসু মহাক্না মাগী মপুরোইবগী শক্তি য়োৎচাবীনা য়েৎ অতৈব্বু লাইনা চিংশিনবগুম্না. মীয়াম্সু চিংশিনবা মতৌ অহু উবদা, মপুক্লিংদদি চাওথোকচরম্মী।

বাজপেয় যজ্ঞ অসিদা শরুক য়াহুনা য়্যাওরকপা মীশক অমি মহা অথর্ব্বান মস্তোম্মতা ওইরম্মী। মস্তুস্সু মহাক্না য়াম্না নহা ওইরিঙৈ মতম অহুদা তৌখিবনি মহাক্না যজ্ঞগী মরম পুম্নমক অহু নিংথিনা খংবা মরম্না মাগী লমজিং মপাদা আচার্য্য গোৎম্না

অমম্বুং মহাক (অথর্ব্বান) মশামক্কী মরু ওইবা পক্করাশিংনা লৈহুনা, যজ্ঞ অহুগী থৌরাং পুম্নমক শিন্নম্মী।

চৈত্র থাগী তরেৎনি পানথৎলকপা মুমিত্তুগীদি, বার্ত্তন ফংবা লৈবাকশিংগী নিংথৌশিং, নিংথৌ মচাশিং অমদি অতৈ অতৈ ফম্নাইবা অঙম-অথৌশিং, পুম্নমক অহুনা মাগী মাগী মতিক চাবা শেং-চাহুনা যজ্ঞ মকুম অহুদা য়োনরক্লম্মী। কনাগুম্বা নিংথৌশিংনা সনা-লুপা, নিংথি নিংথিবা পোং-চৈ অমদি মশা ফরবা শগোলশিং পুনরকুন। যজ্ঞগী মফমদা শিন্নরম্মী।

পাও পুবশিং শরনা, ত্রয়িবিদ্যা মহৈ তম্ফমশিংগী মকোক ওইরিবা আচার্য্য বিভূতি নিংথৌরেনগী পুরোহিতনা মাগী পক্করা-শিংগা লোইননা হয়েং থুংঙরগনি হায়হুনা যজ্ঞগী মফম অহুদা শন্দোক্লম্মী। শ্রোত্রিয়শিং অয়াম্বনা, মহৈ তম্ফমশং অনিগী মকোক ওইনা থংনহুনতা লৈরিবা আচার্য্য বিভূতিগা মহা অথর্ব্বানগা অনিনা পুন্না ফম্মিন্নহুনা যজ্ঞ তৌমিন্নগদৌরি হায়বসি তাবদা মপুক্লিংদা অকিবা পোক্লবম্মী।

বাতিকাম্বু মপুক্লিং লৈতানা লৈবা ওমজরমদে। যজ্ঞ অসি হেক কাইবা য়াবগী মওংদা লৈরম্মী। মাগী মপা মহা অথর্ব্বান্না মপুক্লিংনা তৌগে লেপখ্রবা থবক অহুবু নমহুনা পুরকপা ডম্মী হায়বসিদি মহাক্না খংজরম্মী।

মহা অথর্ব্বান্না যজ্ঞ অসি য়াম্না নিংখিজনা পাংথোক্লীংলম্মী। মহাক্না দ্বৈপায়নবু মুনি থাক্তা থম্বিরম্বতা নত্তুনা মাইকৈ অনিমক্কী ওইনা শেম্বিরম্বহু পাক্লম্মী। মহাক্না মুনি অমা ওইবা মরম্না

মহাক্না যজ্ঞ অসিদ ব্রহ্মা ওইহনা য়াওবদি য়াওররোই হায়না লাওথোক্লম্মী। মাগী মতত্ত মাগী মকোক ওইবা পক্সবা, শৌনকপু ব্রহ্মা ওইহনগনি হায়বম্মী।

রাজ পুরোহিত আচার্য্য বিভূতিনা মাগী পক্সবাশিং লোইননা, নিংথিজনা শেং চাহ্নন', যজ্ঞ মফম অতুদা য়ৌবক্লম্মী। মাগী দোলাই অহু মী মশিন পুবক্লম্মী। মহাক্না মপুক্লিংদা তং তানা লৈত্তাবদি লৈরমদে। থুদক্তা শংনহনা যজ্ঞ অতু কাইবা য়াবগী মতৌ অমা মহাক্না উবা ফংলম্মী। মবমদি মহাক্না, মণ্ডক কল্লবা হায়ন তানবা য়াদবা মহা অথব্ব'ানগী মফমদা, নোনজবগী থব অতু তৌনিংলমদে।

আচার্য্য বিভূতিনা দোলাইদগী হেক কুমথরবপ খুদক অতুদা দ্বৈপায়ন, শৌনক অমসুং অতৈ অতৈ আচার্য্যশিং অতুনা দণ্ডবৎ তানা মাগী মমা দা থুরমজবম্মী।

"লিশিংলক চন্না খুবমজরি. পূজা তৌনিংঙাই মশক ওইরবা," দ্বৈপায়ননা হায়জকই। "মাংদা লেপচবিব অসি, মহা অথর্ব্বানগী মকোক ওইবা পক্সবা, আচার্য্য শৌনক হাযবহুনি। মহা অথর্ব্বান্দি অহল য়াম্না ওইশিনখ্রবনিনা বাজপেয় যজ্ঞদা ব্রহ্মা ওইনা ফমহনা থবক পুবহু কয় মুংঙাইবরোই থন্দুনা আচার্য্য অসিদা ব্রহ্মাগী ফম অতু শিন্নবিবক্লে"

আচার্য্য বিভূতিগী লাংশিল্লসা মাইথোং অতু থংহৌদনা মাংখিবম্মী। শৌনক্তি মহাক্না মখাগী অণ্ডাং অতু ওইরম্মী। হৌজিক্তি মণ্ডক কল্লবা মহা অথর্ব্বান্না মাবু ওৎকনি হায়না বিভূতিনা খনজরম্বহু লৈখিদ্রে।

দ্বৈপায়ননা অমুক হায়জরকই, "মহা অথর্ব্বান্না আচার্য্যব্ ওক্কদৌবগী চীংখোংদা ঙাইদুনা লৈহৌরি।" আচার্য্য বিভূতিনা রাফম অদুবু থোওইনা তাশিন্নদনা লৈথোক্লম্মী। হৌজিক্তি মহাক্না অধ্বর্য্যু অমা ওইনা বাজপেয় যজ্ঞ অসি মনিং তৌনা পাংথোকপা ঙম্নগনি খনবদা মুংঙাইবা পোক্লম্মী।

আচার্য্য ময়াম অদুনা বিভূতিবু খুরমজুনা ওকপগী মরাং মরাং তৌরিঙৈ চৈরক অদুদা, মী মরিনা পুবা দোলাই অমসু মফম অদু য়োরকুনা থাগুক্লা থারম্মী। অহল ওইরবা, মমিং মমাই খুইরবা শক্তম অমনা দোলাইগী মাইখল ফি অদু হায়দোক্লগা মীশক লাকপা ঙমদ্রবা মমিংশিং অদুনা মাইকৈ খুদিংদা কোইয়েং য়েংদুনা লৈরম্মী। মতুংদা মহাক্না মরু লুকথখিরম্মী।

মী খুদিংমক্না মাগী মতৌ অদুদা পুমঙক ঙক্লবম্মী। অহল অসি অতোপ্পা সংসার অমদগী লাকপদৌনা তৌরম্মী। মহাক্কী মখোল অদুনা খোনশি ওইনা লাওরকই, "দ্বৈপায়ন, দ্বৈপায়ন" হায়না।

আচার্য্য বিভূতিনা ময়ামগী মফমদা খংহনবা ওইন হায়রকই, "অহল অসি ঐগী ইকাই খুম্নফমগী মশক ওইরবা ইপা ব্রহ্মীস্থ হায়বা অদুনি।"

দ্বৈপায়ননা সূমন্তুদা তুমিন্না হায়বকই, "খুদক অসিদা চেন্দুনা নংগী বাবাবু লৌবিক্লচো। পূজা তৌনিংঙাই মশক ওইরবা ব্রহ্মীস্থ য়োরক্লে, মহাক্না মফম অসিদা লাক্লগা ব্রহ্মীস্থবু ওকপিররবদি, য়াম্না মুংঙাইগনি হায়দুনা ময়াম্না ঙাংনহে ই হায়নসু হায়রিয়ু।"

মতুংদা দ্বৈপায়ননা দোলাই তম্না চৎখিদুনা ব্রহ্মীস্থগী মমাংদা দণ্ডবৎ তানা খুরুমজরম্মী। ব্রহ্মীস্থনা মাগী মকোক্তা নানবিদুনা আশীর্ব্বাদ পিবিরম্মী। মতুংদা মহাক্না দ্বৈপায়নগী মনা অতু পাইদুনা চি শিল্লগা তুমিন্না হায়রকই, "নংগী মুপী কদায়দা লৈ? মাবু কৌবকউ।" মহাক্নদি (ব্রহ্মীস্থনদি) তুমিন্না ঙাংলিবনি হায়দুনা ঙাংলিবা রাশিং অতু মনাক অত্থরাইদা লৈরিবা মী পুন্নমক অতুনা অতুম তাবা ফংলমই।

দ্বৈপায়ননা পৈলাদা, খরা থাপুক্না মুপী ময়ামগী মরক্ত লেপ্তুনা লৈবিবা বাত্তিকাবু কৌবিক্লনবা হায়জবম্মী।

তাঙ্গা অতুদা অতৈ আচার্য্যশিং অতুনা ব্রহ্মীস্থবু খুবম্বা লাক্লবম্মী।

পৈলানা বাত্তিকাবু দোলাই মনাক তান্না পুরক্লমই। বাত্তিকাদি মশা পুন্নমক অতু থক থক নিকচবমই। মহাক্না ব্রহ্মীস্থগী মমাংদা খুকখুদক কুম্না, মকোক্না লৈবাক শোক্লুনা খুরুমজরম্মী। ব্রহ্মীস্থনা মখুৎনা মনগন্দা নানবিরগা হংলকই, "নংদি নশক ফজব্রা?"

মনাক্তা লৈবা রাহং অতুবু তাবা কাংবু অতুনা রা রা লাওনা নোক্তবা ঙম্নমদে। বাত্তিকানা ইকাইজখিবদগী পাওখুম পিবা ঙমদনা মক্ল লুকথনা লৈজবম্মী।

অহল অতুনা অমুক হংলকই, 'নহাক শ্রোত্রিয়া অমম্না?"

"অহোই, পূজা তৌনিংঙাই মশক ওইরবা গুরু," বাত্তিকানা খুমজরকই।

'দ্বৈপায়নগী মুপী, ঐনা নংবু চেকশিন্নবা তাকপিবি, মুপী

অমা ওইবগী লমচৎ অহু মাংহনগনু। মুপী শ্রোত্রিয়াশিংদি অফবা মতুশিং ওইগন্দে, মখোয়দি চাউথোকপনা নম্মী।"

ময়াম অহুনা ৱা লাওনা নোক্করম্মী। বাতিকানা ইকাইজখিবনা, ৱা ঙাংবা ঙমজদনা তুমিন্না লৈরম্মী।

"দ্বৈপায়ন, নখুং অহু ঐঙোন্দা পিবরকউ," ব্রহ্মীষ্ঠনা হায়রকই। "হৌজিক্তি ঐনা দোলাইদগী কুমথনিংলে।"

দ্বৈপায়ননা অহল ওইববা আচার্য অহুবু তশেংনা দোলাইদগী পুমথাং থাংখরগা, মহাক্না লৈমাইথক্তা লেপ্পা ঙমদনা, মকমলাক নিক্তুনা লৈবিবা অহুনা ফত্রি ফাওবা পাইরগা লেপ্তুনা লৈমিন্নরম্মী।

বিভূতিনা মাগী মপাদা মীয়াম পুন্নমক অহুগী মপুক্লিং চিংশিনগ্রে হায়বসি খংজবম্মী। শৌনক অমসুং গৌতমা অনিনদি মহাক্না ৱাবৌথিনি মতাংগুম, মাগী মনাক্তা লেপ্তুনা লৈবম্মী।

তাঙ্গা অসিমক্তদা মনাক অহুৱাইদা লেপ্পীব মীয়াম অহুনা মহা অথর্ব্বানগী দোলাইন ব্রহ্মীষ্ঠগী মনাক তম্না লাকপা অহুদা অপনবা ওইদনবা হায়তুনা, থৈদোক্লতুনা লম্বী পিবম্মী। দ্বৈপায়ননা খোংকাপ মঙা তবা চেনশিনখিতুনা দোলাই পুনশিং অহুগী মতেং পাংবিরম্মী। মী খুদিংমক অহুনা অহল ওইরবা হিংচাবা অনি অসিনা মতৌ করম্না উন্নগদৌরিবনে হায়তুনা য়েংগদবগী খৌরাংনা ঙাইহুনা লৈনরম্মী।

মহা অথর্ব্বান্না অমা অমবু ওইরবসু বাজপেয় যজ্ঞ অসি মপুং ফানা পাংথোকখিবা অহু পায়ম্মী। ব্রহ্মীষ্ঠ অসিনা মাগী মতম কুইনদগী য়েক্লবা অমা ওইহুন, লক্লবসু মাগী মথক থোংবা শ্রোত্রিয় অমদি

ওইরম্মী। মবম অদুনা মহাক্না করিমতা চিংনবা তৌদনা, চহিগী চংনবী ব্যবহার অদু ওাক্না, মকোক নোম্বদুনা ব্রহ্মাস্থগী মখোং শোক্না খুরমজবম্মী।

মী খুদিংমকী ফুল্লম্বা স্বর অদু হোন্দোক্নুনা অরাবা কোক্লরম্মী। ব্রহ্মা'হুনা মহা অথর্ব্বানগী মখুৎ অদু চেজেংনা ফাজিল্লম্মী অমসুং মহা অংবর্বান্নসু মাগী মখুৎ অদু চেংনা পাইশিল্লম্মী। ব্রহ্মা'হুনা হায়রবই, "জাবাল্লী, নংবু ধর্ম্মক্ষেত্রদগী তাম্মোকখিবা মীশিং অদুগী মরক্তা ঐহাক অসিসু অমা ওইবম্মী। অদুবু ওসিদি, ধর্ম্মক্ষেত্র অসিদা নংনা ঐবু অমুক হন্না ওল্লরে। ঈশ্বরনা ঐখোয় অনিবু পুক্নিংচুম্বীবা অসি, ঐখোয় অনিন অমুক হন্না তিন্নবগী কুম্মৈ অসি য়েংনিংদুনা তৌবা ওইরম্লে।"

মহা অথর্ব্বান্না নোক্লম্মী। "মতমগী খোংচৎ অসি অঙকপা ফংনা হোংখ্রে। ঐহাক্কী ইচান্নুপীবু ইকাই খুম্নবগী মশক ওইরবা মহা মুনি বশিষ্ঠগী মশু শুথাং অমদা লুহোংদুনা পিগনি হায়বসি মং ফাওবদা মংলবোইদবা থবক অমনি।"

মথংগী নুমিত্তা নিংথৌমচা গাঙ্গেয়না শংগোল মবিনা চিংবা দোলাই অমা তোংদুনা য়ৌরক্লম্মী। মহাক্না মাগী দোলাই অদু থাম্লগা, মহা অমা ওইবগী মশা অদু খিংনা, পৃথিদা চোংথরম্মী। মহাক্না আচার্য্য বিভূতি, গৌতমা, শৌনক অমসুং দ্বৈপায়নগী মখোংশিং অদু শোক্না খুরম্মগা অতৈ আচার্য্যশিং অদুগী মফমদনা মখুৎ লোম্নদুনা ব্যবহার উৎচরম্মী।

মাবু ওক্লম্বা মরাম অদুনা মাবু মাগী লৈফম অদুদা থিন্নবা শম্রেং শানা লেপ্তুনা লৈনরম্মী। মতম অদুদা মহাক্না দ্বৈপায়নবু

কৌরগা হায়রকই, 'মহাক্না ঐখোয়বু ইওক ওকহনখ্রে। কদাই নংগী সুপী হায়বত্তুদি ?"

দ্বৈপায়ননা বাত্তিকাদা য়েংলগা খুদোনবীনা থিল্লম্মী।

গাঙ্গেয়না বাত্তিকাগী মনাক্তা চংশিন্দুনা নোক্না নোক্না ঙাইহাক য়েংলগা হায়রকই, "য়েংঙু, নংগী নপুরোইবনা নঙোন্দগী মইদা লাকচহনগনু।"

মথংগী মোলাই অতুদা চিত্রাঙ্গদ অমস্তুং বিচিত্রবীর্য্য নিংথৌ মচা অনি লাক্লম্মী। চিত্রাঙ্গদনা মোলাই অতু থৌরক্লম্মী। মখোয় অনিনা দোলাইদগী কুমথরগা আচার্য্যশিং অতুদা মথুং লোম্নরগা মকোক নোনজরম্মী।

বাজপেয় যজ্ঞনা তৌগদবা মুমিং নিনি ব্রাংশিংঙৈদা নিংথৌরেন অমস্তুং মহারাণী অনিনা নিংবিনা শেম শারবা শামু অমদা তোংতুনা লাক্লম্মী। মনাই মশাল ময়াম্না অমদি খুৎলাই পাইবা লাম্নীশিংনা লিরুং চাম্মগী লম অতু মাইকৈ মরিমক্তা পুমকোই কোইনা ঙাকুনা য়াম্না চেকশিন্না লাক্লম্মী। লম্বী লমশাং অতু লাকপদা নিংথৌরেন্না অরাবা ফংদনবা হায়তুনা নিংথিনা শেম্নবা মোন্দুম মোনতেকী ফম্মুং অমদা ঙাইহাক ফম, ঙাইহাক অমুক হিপ তৌনা পোথা পোথানা মুমিং কয়ানি চংনা লাক্লম্মী। যজ্ঞ মফম অতু য়ৌরক্লবদা শামু অতুনা কুন্থরম্মী। নিংথৌরেনগী মনাইশিং অতুনা নিংথৌরেনবু শামু মথক্তগী ফম্মুং অতুগা লোইননা থাংথরম্মী। নিংথৌরেন্না মহারাণী অমস্তুং গাঙ্গেয়গী মতেং লৌরগা পৃথিদা কুমথরম্মী।

বাত্তিকানা মাগী মিৎকম অতু মহারাণীত্তদা থনম্মী। অতুব

মহাক্না সত্যবতীগী মশক উবা মতমদা মশামক রাস্থগে তৌরম্মী। মশা পানা চেকশিন্না ফজবী শাবান, খোইহিগী মুরপ তৌবা কুচুনা নগা ওইবগী লংলবা মায়থোং, লাওরপ্না ফজবী মমিংশিং, লেমজনা নিংথিজবী শাগুং-শাদাদা, সম্না অমস্তুং মনি মুক্তাগী লৈতেংশিংনা ভাম্থোইবা অমস্তুং শুমহৎনবগী মশক ওইবী, মহারাণী সত্যবতীনি।

মহারাণীনা কুমথরক্পা মতমদা দ্বৈপায়ননা মনাক্তা চংশিল্লম্মী। অভাং অমগুম্না মোমোন নোক্না দ্বৈপায়ননা লৈজরম্মী অমস্তুং মহারাণীনস্ত্র মোমোন নোক্না মাবু য়েংলগা, চৎনবী ভাক্না, দ্বৈপাযনগী মখোং শোক্কে হায়ডুনা মহারাণীনা নোম্থরম্মী। মপুক্লিংদদি নোক্লিংবা পোক্লম্মী।

মহারাণী অসি অঙকপা ফংনা ফজবতা নত্তনা য়াম্না কল্লক-মিহৌবা মশক অমস্তু ওইরমই। মহাক্না মপুরোইবদা স্তুপী অমা ওইবগী মতৌ নত্তবগুম্ন মোমোন নোক্কুনা য়েংলমই। বাত্তিকানা মাগী য়েক্লবী অসিগা শিংনবা ঙম্বগী শক্তি অতু মাগীদি ওইথোক্রে হায়না খনজরমই।

দ্বৈপায়ন অমস্তুং অতৈ অতৈ আচার্য্যশিং অতুনা লুচিংতুনা নিংথৌরেন অমস্তুং মহারাণী অনিদা লৈ চাইতুনা মঙ্গল আশীর্ব্বাদ তৌনা ওক্লমই। পুং শেল য়ৈতুনা অমস্তুং মোইবুং খোংতুনা মীয়াম অতুনা হরাওনা নিংথৌরেন মহারাণী অনি ওকপা অতুদা য়াওরমই। নিংথৌশিং ময়াম অতুনা মথুৎ লোম্নতুনা অমমম ওইনা চংলক্লগা নিংথৌরেন অমস্তুং মহারাণী অনিগী মখোং অতু শোক্লমই।

বাত্তিকাবু মহারাণীগী মফমদা মশক তাক্তুনা খংহনবা মতমদা

মহারাণীনা য়াম্না নুংশিনা মাগী মনগন্দা পোপ পোপ ফুতুনা নানবিরমই। মহাক্না বাত্তিকাদা মিংকুপ খরা মাগী মত্তৌ অদুবু মুম্না য়েংদুনা লৈরমই।

"মহাক্না দ্বৈপায়নবু ঐখোয় পুম্নমক্না ইকয়খম্নগী হুন্নানখ্রে। নংগী নপুরোইবগী মুংঙাইনবা হোৎনবা অদুনা ঝংগীদু ফুংঙাইবা ফংজবা অদু ওইজৌ," মহারাণীনা বাত্তিকাদা য়োয়োন নোক্না য়াম্না নুংশিবা উৎনা হায়রম্মী।

বাত্তিকাদি ময়াম অদুগী মমাংদা পাওখুম অমত্তা পিবা ঙমজ-রমদে। মপুক্কিংদদি তৌওম্বী অসিগা মাগী মপুরোইবগা মরি অমদি লৈনৈ হায়না মহাক্না খনজরম্মী। অদুবু করম্বা মরিনো হায়বা অদুদি মহাক্না খংজবা ঙম্মদে। অমা অমবু ওইরবসু মনেগী যাদু বিদ্যা অদু শিজিন্নদুনা মরি অসি থদত্তবা য়াদে হায়না মহাক্না মপুক্কিংদা লেপ্লম্মী।

ময়াম পুম্নমক অদুগা লোইননা নিংথৌরেন অমসুং মহারাণী অনিনা যজ্ঞ তৌফম অদু তান্না তপ্না তপ্না থোগলশিংগা লোইননা লাক্লম্মী। মুপীশিং ময়াম অমনা মকোক্তা ঈশিং পুল অথনবশিং পুত্তুনা ঈশৈ শক্না শক্না মঙ্গল পিজরম্মী।

১৮ শুবা পন্দূপ

যাদুগী অকোইবা লৈই

বাতিকানা মাগী মপুরোইবনা যজ্ঞ অসি মপুং ফানা পাংথোকপা ওন্নবা হোৎনরকপা মতৌ অদুবু উবদা থোইনা পেনজরমদে।

আচার্য্য বিভূতিনা অধ্বর্য্যু আচার্য্য গৌতমানা হোতা, আচার্য্য দেবযান্না উদগাতা অমসুং আচার্য্য শৌনক্না ব্রহ্মা ওইদুনা বাজপেয় যজ্ঞ অসিগী থৌরাং তৌরম্মী।

তরাতরেৎ হায়বা মশিং অসিনা বাজপেয় যজ্ঞ অসিগী খ্বাইদগী হেন্না পক্লবা মশিং অদু ওইরম্মী। মরম অদুনা যজ্ঞগী মৈফম তরাতরেৎ, পূজা কৎনবা মন্ত্র তরাতরেৎ, ঈশ্বরবু থাগত্নুনা ভক্তি তৌনবা মন্ত্র তরাতরেৎ, বলি তৌদুনা মৈকৌবা লাইদা কৎনবা নিংথিবা য়াও তরাতরেৎ, অসুন্না পোৎলম খুদিংমক তরাতরেৎনা খুজিং ওইদুনা থৌরাং তৌরম্মী। নিংথৌরেন অমসুং মহারাণী অনিনা লাইরৈবাক তম্না কানবা শারিবা থাক অদুসু তরাতরেৎতনি, মদুগী মথক্তা ফিরাংজি মচেৎ তরাতরেৎনা কুপ্তুনা থনম্মী।

যজ্ঞ অদু অয়ুক অঙনবদা নিংথৌরেন অমসুং মহারাণী অনিনা যজ্ঞ মফমদা হেক য়ৌরকপগা হৌরম্মী। অশেংবা উনা 'সমা নিংথৌ' হায়না খংনবা, হিমালয়দগী যন লাবা নিপালনা চিংবা গাড়ী অমদা পুরকপা অদুবু নিংথৌরেন্না ওত্তুনা যজ্ঞ মফমদা পুশিল্লগা মহাক্কী মহুৎ শিন্না লৈরিবা অধ্বর্য্যুগী মখুত্তা পিরম্মী।

অধ্বর্য্যুনা অমুক হৌনবী মন্ত্র থিহুনা অশেংবা উনা অহুবু হোতাদা শিন্নরম্মী। উনাশিং অহু চপথাইহুনা মহি লোৌরগা পাত্র তরাতরেত্তা মহি অহু হৈজিল্লম্মী। অতৈ অতোপ্পা উনাশিংদগী লোবা মহিশিং অহুস্থ অতোপ্পা পাত্র তরাতরেত্তা হাপ্তুনা তোঙান্না থম্লম্মী।

যজ্ঞবু পাংথোক্লিবা নিংথৌরেন অমস্থুং মহারাণী অসিনা সনাগী লিক পবেং তরাতরেৎ তরাতরেৎ শিরম্মী অমস্থুং লিক পরেং তরাতরেৎ তরাতরেৎস্থ মকোক ওইবা পুরোহিত মরি অহুদা শিহল্লগা অতৈ শ্রোত্রিয়শিং অহুদনা পরেং অমমম মথোয়না শিজনবা পিবিরম্মী। অসিগী মথক্তা মকোক ওইবা পুরোহিত মরি অহুদদি যনবী তরাতরেৎ তরাতরেৎস্থ খুদোনপোৎ ওইনা য়েনবিরম্মী।

হৌনবী মন্ত্র তরাতরেৎলক থিহুনা যজ্ঞগী মৈফম তরাতবেৎ অহুগী মৈ হৌগৎলম্মী। পাত্রশিং তরাতরেত্তা য়াওবিবা অশেংবা সম মহি অহুবু শ্রোত্রিয় চাম্ম চাম্মনা মন্ত্র থিহুনা লাইশিগী মফমদা কৎলম্মী।

বাত্তিকাদি অয়াম্বা মতমদা মাগী মমিৎ অহু মাগী মপুরোইবগা মহারাণীগা অনিগী মফমদা থমহুনতা লৈরম্মী। মাগী মপুরোইবদি মতম পুম্নমক্তা মোমোন নোক্লুনা যজ্ঞদা মাইপুননা য়াওরিবা ময়াম অহুগী মতেং পাংহুনতা লৈরম্মী। অমরোমদনা, মঙোন্দগী আশীর্ব্বাদ লৌনবা লাকপা কাংবু অমা অমস্থুং মঙোন্দগী চাগদবগী মাব্ব ঙাইহুনা লৈবা ওঙাং কাংবু অমা, কাংবু অনি অসিনা ক্রক ক্রক ইন্নুনা মাগী মতুং ইন্নহুনতা লৈরম্মী। মন্ত্রিগী মীনাইশিং অহুনা মথোয় ময়াম অহু ইম্মোক্লবা হোৎনবদা অরাবা অমা ওইরম্মী।

অহানবদদি বাতিকানা মাগী মপুরোহইবা দ্বৈপায়ননা যজ্ঞ অসিদা পুরোহিতকী কম অমতা লৌদবগীদমক্তা ফুংঙাইতবা পোক্লম্মী। মহাক্কা অধ্বর্য্যু ফাংবা ওইবা য়াবনি হায়না বাতিকানা খনজরম্মী। নহা অমা ওইজরবস্মু হৌজিক্তি, মুনি অমগী মচা ওইবতা নত্তনা মহাক মশামক মাগী হোংনজবা অত্তুতগী মহৈনা মুনি অমস্মু ওইরবনি, রাখল অসোমদা খল্লুবগা, মহাক্কা মপুক্লিংদা ফুংঙাইজবা অমস্মু পোক্লম্মী।

যজ্ঞ মন্নুং মুমিং তবাতরেংনি অসিদা মতৈমনাও ঙাইহাক্তা ফম্মিন্নত্নুনা রারি শাবা ফংজরমদে। মরম অত্নুনা বাতিকানা মপুরোইবগী মফমদা হায়নিংবা রাফম কয়া লেজরবস্মু তাঞ্জা ফংদবদগী অত্নুম তোক্লম্মী। ফুংদাং হল্লকপা মতমদস্মু য়াম্না থেংনা, মশা অত্তু পৃমচোক চোকথনা খাংপোকশংদা লাকপা মরম্না, সেবা ঙাইহাক তৌবা নত্তনা রা অমতা ঙাংবা ঙমজরমদে।

মহাক্ক। মপুরোইবগী মফমদদি করিস্মু চি ননিংঙাই ওইবা মরম অমতা লৈরমদে, মবমদি মহাক্কা মপুরোইবদা হেক য়েংথোকচখিবা খুদিংমক্তা মপুরোইবনা মঙোন্দা মোমোন নোক্তুনা য়েংবিরকপা অত্নুনা মাগী পাওখুম অত্নুম ওইরম্মী। অত্নুম ওইনমক মহাক্কা মহারাণীগী ওইরিবা মতৌ অত্তু উবদদি মপুক্লিংদা মপুরোইববু চিংনদবদি ঙম্মদে। মহারাণীগা মপুরোইবগা অনিনা য়েংনরিবা মিৎয়েং অসিদা করিগুম্বা মখোয় অনিত্তনা খংনবা অথুপ্পা রাখল অমা লৈরে হায়বসি মহাক্কা লৌজরম্মী।

মহারাণী অসি ওস্থোক্কা ফৎখিদ্রবী মুপী অমনি হায়না মহাক্কা

লৌজরম্মী. মরনদি মহাক্না (মহারাণীনা) মঙোন্দা মোমোন নোক্না য়েংলক্নুনা মিং হেক চান্নবা মতমদা, মহাক্না ঐহাক অসিবু মাগী মরম্নাইগী মপোং অমগুম্না য়েংলক্লম্মী। মহাক্কী মোমোন তৌবা মীনোক অহু লোনমগী মীনোক অমনি, মহুন। মাগী মপুরোইববুম্নু শুমহৎলিবনি হায়না মহাক্না খনজরম্মী।

চহি তরানিথোই ব্রহ্মচর্য্য আশ্রমদা লৈরিঙৈ মতমদা বাতিকানা য়াম্না কন্না হোৎনহুন মপুক্লিং খুহুম চল্লম্মী। মহাক্কী মশাদা য়ুম পানবগী রাথলদি লাইরদনা ছুপা নুপী ওইবগী মরি লৈনবা রাথল অহু ফাওবা মপুক্লিংদা করিমতা পোকচরমদবনি। অহুবু মহাক্না দ্বৈপায়নগা উন্নরুবা মতমদদি মাগী মতম কুইনদগী থিংহুনা থমজরকপা থম্মোইগী থোংজাও অহু হাংদোক্লগা নৌনা তমথিরবা ইথক-ইপোম অমনা চেনশিল্লক্নুনা মশাদা অন্নাবা পিবা হৌরক্লম্মী। মহাক্কী নুংশিজ্জরবা মপুরোইবগী থম্মোইবু কনাগুম্বা অতোপ্পা মীশক অমনা হুবিখিদোরে খনবদা, নুপী ওইবীশিংগী হৌনশা, কল্লক-খম্নবগী রাথনদা লুপখিহুনা, অঙাওবীগী মতোগুম্না মহাক্না পোথাবা ফংদনা লৈজরম্মী। মমৈথংদদি মহাক্না শুমহৎ-নবগী মশক পুরবী মহারাণী অসিনা মঙোন্দা য়েংলিবা লম্বী অসিদগী লোথোকখ্রগে হায়না মপুক্লিংদা লেপচরম্মী।

যজ্ঞ অসিগী তরাতরুক্লি চনবা হুমিত্তা মী লিশিং কয়ানা লমহাং অচৌবা অহুদা নুংশা শাংনা, মুনিং অহুগী শগোল লমজেল, খ্বাইদগী হেন্না নুংঙাইরবা কুম্মৈ অহুবু য়েংগদনগী. ঙাইহুনা লৈনরম্মী।

নিংথিনা শেম্নবা চাকা অমা, মঙ্গুংদা মচৈ তরাতরেৎনা ঙাক্লৌ

পিবা, বাজপেয় যজ্ঞ অসিগী থুদম ওইনা, যজ্ঞগী উখোং অতুদা পুন্দুনা থনম্মী। খোন য়ৈবা তরাতবেৎনা খোন অমমমগা কোন্নন উখোং অতুগী ওইদা ফমতুনা লৈরম্মী। মখোয়গী মথৌদি নোংমগী মনুংদা পুংফম নাইনা তরাতরেৎলক য়ৈবনা ওইরম্মী।

তেন খুৎকাপ তরাতরেৎলক হন্না মথং মথং কাপ্পগী লমশাং অতুনা, শগোল লমজেল অতুগী তান্নফম লম অতু ওইরম্মী। মতম অতুগী আর্য্যশিংনা শগোল অসিবু লাইগুম্না থন্নবতা নত্তনা বেদদস্থ শগোলশিংবু য়ান্না থাগৎনা ইরম্মী। লানফমদা শগোল মবিনা চিংবা দোলাই তোংবশিংবু থোইদোক হেন্দোক্না আর্য্যশিংনা অকিবা পোক্নরম্মী। শাস্তিগী মতমদনা শগোল লমজেল তান্নবা অসিনা খ্বাইদগী হেন্না নুংভাইবা কুম্মৈ অমা ওইনা য়েংনরম্মী। ক্ষেত্রিয়-শিংনা শগোল শিজিন্নবা হৈবগী মতুং ইন্না রথী, মহারথী অমসুং অতিরথী হায়বা মিংথোলশিং অসি পিনরম্মী।

লমজেন অসিগীদমক্তা দোলাই তবাতবেৎ থৌবাং তৌন লৈরম্মী। দোলাই তবাতকক্তি শগোল মবি মরি পাল্লগা তরা-তরেৎ শুবা নিংথৌবেন অমসুং মহারাণী অনিনা তোংগদৌবিবা অতুনা শগোল অহুমতমক দোলাইদা পাল্লগা মবিশুবা শগোল অতুনা দোলাইদা পান্দনা থনম্মী। মাগী থুর্জি অতুদি অতোপ্পা থুজি অহুম অতুগা লোইননা পুন্না পাইমিন্নবম্মী।

নিংথৌরেনগী মপাঙ্গল মতা অতু উবদা পুরোহিত মকোক অতুনা নিংথৌমচা গাঙ্গেয়দা শগোল লমজেনগী দোলাই অতু মহাক্না থৌনবা হায়বম্মী।

মহা অথর্ব্বান অমসুং দ্বৈপায়ন অনিদি মুনিগী থাক্তা লৈখ্রবনি, শগোল লময়েংলগী লমথাঙ্কম অহুদা লেপ্লুনা লৈরম্মী। অতৈ পুরোহিত মকোক গুইবশিং খরসু মুনি অনিগী মনাক্তা লেপ্লম্মী। নিংথৌরেন্না দোলাই অমা মখোং কাফে কাফে থাংহুনা চৎপা মতৌ অহু উবদা গাঙ্গেয়না মপাগী মতেং পাংগে হায়হুনা নিংথৌ-রেনগী মনাক্তা চংশিনখিরম্মী।

মতম অসিদা মহা অথর্ব্বান অমসুং দ্বৈপায়ন অনিনা মমিংশিং অহু মুন্না য়েংনরবা মতুংদা, দ্বৈপায়ননা অপাম্বা অহু তৌজবসন্ন হায়বা মতাগুম্না, মহা অথর্ব্বান্না ইঙ্গিৎ অমা দ্বৈপায়নদা পিখিরম্মী।

নিংথৌরেনগী মতেং পাংনবা গাঙ্গেয়না চংলকপা অহুবু দ্বৈপায়ননা নোল্লুকপগা লোইননা, নিংথৌরেনগী নাকন্দা থৈদোক্লুনা লৈনবা ইঙ্গিৎ অহু তৌজবগা, নিংথৌরেনগী মমাংদা মহাক্না চপ তিনা লেপ্লুনা, মমিং অহুনা মুন্না নিংথৌরেন্দা য়েংহুনা লৈরম্মী। মহাক্কী শক্তি পুন্নমক অহু পিশিল্লবা মতুংদা মহাক্না নিংথৌরেন্দা য়াথং অমগুম্না হায়রকই, "পূকচেল চাউরবা নিংথৌরেন, দোলাই অসি নিংথৌরেন নশামক্না শোইদনা থৌবা ঙমগনি, করিমত চিংনরিব্রু।"

"ঐ কিদা, ঙমগনি থন্দেদা" নিংথৌরেন্না উপাঙ্গ লৈতনা নোক্লগা হায়রকই।

'নত্তে, নিংথৌরেন্না শোইদনা ঙমগনি," দ্বৈপায়ননা অমুক হন্না নিংথৌরেন্দা মুন্না য়েংলগা হায়রকই। মতুংদা মহাক্না মাগী মখুৎ অহু তিংথোক্লুনা নিংথৌরেন্না দোলাই কাখৎপা অহুদা মতেং পাংনবা তৌরম্মী। নিংথৌরেন্না মোমোন নোক্লগা, দ্বৈপায়নগী মখুৎ

অহুদা মাগী মখুং অহুনা হেক পাইবা মতম অহুদা, মাগী মশাদা থংহৌদনা ফুং লাওবা ইথক অমা হৌরক্লম্মী। চুম্মা চংপা ওম্নমদবা নিংথৌরেন, খোংথাং চুম্মা থাংবা ওমহুনা দোলাই অহুদা, মশা মতোম্মতা কাখৎখিরম্মী। মনাক্তা লৈবা ময়াম অহু পুমওক ওক্লরম্মী।

গাঙ্গেয়না দোলাই কাখৎকে তৌরকপা মতম অহুদা, দ্বৈপায়ননা নোঙ্গুক্তা মাবু শরগা হায়জরকই, "পুকচেল চাউরবা গাঙ্গেয়, নিংথৌরেন মশামকপু দোলাই অসি পৌইল্লসি।"

নিংথৌরেন মশামক্তা দোলাই থৌবদা মপা লৈতনা হৈবা মীশক অমা ওক্লরম্মনা, শগোলগী চুপ্পী অহুম অহু মখুং ওইনা পাইরগা, য়েং থংবা মখুং শাজৈ পাইরিবা অহুনা, লমজিংগদৌরিবা শগোল অহুগী চুপ্পীপা লোইননা, পুন্না পাইখিরম্মী।

আচার্য বিভূতিনা মহারাণীদা য়েংলগা হায়রকই, "পুকচেল চাউরবী মহারাণী, মহা অথর্বানগী মচান্নুপী বাতিকাগী মতেং অহু লৌবগা দোলাই থক্তা লেংখৎপিরো।"

বাত্তিকাদি ব্রাকম অহু তাবদা থাংওমদনা ফুংঙাইরমদে, অহুবু য়াথং ইল্লকদি ওমজরমদে। মহাক্তা মহারাণীগী মফমদা মখুং নাম্মা তিংখোকচরম্মী। মহারাণীনা মাগী মখুং অহু য়েংনা পাইরগা, মাগী মখজাইদা মখুং ওই অহুন ফুংশিন নানবিরম্মগা দোলাই থক্তা খিং খিং লাওনা কাখৎখিরমই।

মহারাণীনা দোলাইদা কাখৎপা মতমদা মাগী মপুরোইবা দ্বৈপায়ননা দোলাইগী মনাক্তা লৈহুনা, মহারাণীনা করিগুম্বা শোইহুনা তারক্লবদি ওাকমবগী থৌরাং তৌবা মতৌ অহুবু উবা ফংজরমই।

"ও, ফজরবী হিংচাবী." মতোম্মতা ঙ্ং ঙ্ং ঙংনা তুমিন্না শোনজরম্মী। মহাক্না শাওখিবনা মশা অহু থক থক নিকচরম্মী। "ঐহাক্নী হৌজিক লাইব্রা তৌরুগনি।"

সত্যবতী মহারাণীনা নিংথৌরেনগী মনাক্তা মাইথোং মকা লায়া, চপ তিংনা লেপ্পুনা লৈজরম্মী।

ধোন তরাতরেং অহুনা অমত ওইনা থিল্লকপা মতম অহুদা লমজেল অহু থারক্লম্মী। মপা লৈতনা ফজরবা শগোল হুম্ফু-নিপাল অহুনা পস্থংফম তান্না হৌহুনা মমে ফিরান শানা চেন্নরকপা মতৌ অহু উবদা য়েংলিবা মী পুন্নমক অহুনা খোইদোক্লা হরাওনরম্মী। অঙাংশিংনা চোং-ফল তৌহুনা খুবাক খুরমই।

তিল্লিবা মীয়াম অহুনা স্বর থিংনা লমজেল অহুবু য়েংনরি, অহুবু বাতিকাদি লমজেল অহু য়েংলমদনা তুমিন্না মাংখিরমই।

ময়াম অহুগী মরক্তগী দোলাই অমগী শগোলনী কাতু কারন চেন্দুনা দোলাই অহু মথক মখা ওল্লকপদা দোলাই থৌরিবা মীশক অহু দোলাইদগী ওস্থন্দুনা পৃথিদা থরো থরো ওল্লমই। মতৌ অহু উবদা অয়েংবা পুন্নমক্লা হাম্থনা নোক্লরমই।

অতোপ্পা দোলাই অনিগী শগোলশিং অহুনা অকিবা মশক ফংনা চিক্ল-কাওনরমই। দোলাই অনি অহু ফৈরেং-ফুরেং তৌহুনা ওস্থোকপা মতৌ অমা ওইরমই। অতোপ্পা দোলাইশিংদা অপনবা পিবতা নত্তনা দোলাইশিং অহুবু থৌরিবা নিংথৌশিং অহুগী মথরাই ফাওবা মাংবা য়াবগী ফিভমদা লৈরমই। অহুবু নিংথৌশিং অহুনা হৈশিংনা পৃথিদা চোংথহৌবদগী, মশাদা অশোক-অপন খরা তৌবা

নত্তনা মথরাইমক্তি মাংহৌরমদে। মতুংদা মখোয়গী মনাইশিং অদুনা য়াম্না রানা শগোলশিং অদুবু থাইদোক্লম্মী।

মতম অমদা অকনবা অত্তিরথী অমা নিংথৌরেন্না ওইরম্বনা, শগোল লমজেল অসি হেক হৌবকপ। মতমদা মাগী নহা ওইবিবৈগী শক্তি পুন্নমক অদু অমুক হন্না মাগী মশাদা লাক্লম্মী। দোলাইদা পান্দবা, নিংথৌরেনগী শগোলশিংগী মমুংদা থ্বাইদগী হেন্না ফজবা অমস্তুং মপাঙ্গল ফবা, শগোল অসিনা, থুর্জি পাইরিবা অসিগী হৈশিংবদু থংদুনা অতৈ দোলাইশিং অদুবু নাকন্দা থনয়্নগা মমৈ ফিরান শানা চেনথংলক্লুনা পম্থুংফম অদু থ্বাংগী মমাং থানা থুংলম্মী। নিংথৌরেন্না শগোল লমজেন অদু থোংবম্মী। তিল্লিবা ময়াম পুন্নমক অদুনা 'সাধু, সাধু,” হায়না লাওনবক্লম্মী।

শগোল লমজেল লোইরবা মতুং অসিদা নিংথৌরেন অমস্তুং মহারাণী অনিনা, যজ্ঞদা কংকদবা পোৎলম পুন্নমক অদু যজ্ঞগী পুরোহিতপু মন্ত্র থিহন্দুনা কংলম্মী। মতুংদা মীয়াম পুন্নমক অদুগী ওইবা অচৌবা উৎসব অদু পাংথোক্লম্মী।

নিংথৌরেন অমস্তুং মহারাণী অনিনা পোথাশং য়ৌরক্লবা মতমদা মহারাণীনা হায়জরকই, “ইবুংঙো, ঙসিদি নহাক অসি ওস্থোক্না নিংথি-ফজ্জখ্রে।”

“নংগী নচাম্নপাবু থাগৎলি- ঐহাক্না চহি কুনগী মগাংগী মতৌ অদুগুম্না নহা ওইরবোই ইশাদা ফাওরক্লম্মী।”

“...অদুগা ইবুংঙোস্থু,” মহারাণীনা শোনজরম্মী।

নিংথৌরেম্না পোথানিংবগী মতৌ অদু উবদা মহারাণীনা

ফম্মুংগী ফিরোম্নচিংবা অহু শেমজিন শাজিল্লবা মতুংদা পোথাবিবা য়ারগনি হায়না মথুৎ লোম্নহুনা হায়জরম্মী। মতুংদা মহাবাণীনা অহিংগী শেন্নবা মীনাই অহুদা থাওমৈ অহু লৈথনবা ইঙ্গিৎ তৌরম্মগা, মাগী কাদা লাক্লম্মী।

মহাবাণীগী লোইনবীশিং অহুনা মাগী ফিজেৎ লৈতেংশিং অমস্ম, সনাগী লুহুপ অহুবু লৌথোক্লম্মী। মতুং অসিদা মহাক্না মাগী মনাইন্নুপী অহল ওইববী দাবী নত্তনা অতৈ পুন্নমক অহুদি চংখিনবা য়াথং পিবম্মী। দাবীগী তুমফমদি মহারাণীগী থোংজিন ময়া অহুদা ওইরম্মী।

মহারাণীনা ফম্মুং তম্না লাকপদা লমথাংদা লেপ্তুনা লৈরম্মী। "দাবী, থাওমৈ অহু পুবকউ," মহাবাণীনা হায়রকই। দাবীনা থাওমৈ অহু পুরক্লগা থাঙ্গত্তুনা, মহারাণীনা অপাম্বা মতুং ইন্না কোইলৈ লৈনা লৈমাইদা য়েংমিন্নবম্মী। ফম্মুং অকোইবা অহুদা য়ামগুম্বা অঙোবা মকুপ অমনা, ইকোই কোইনা য়েক্তুনা লৈই অমা লৈরম্বহু উবা ফংলম্মী। মিংকুপ খরদি মহাবাণী পুমঙক ঙক্লা লৈবম্মী। মতুংদদি মহারাণীনা পোৎশেম-তুশেমগী লৈয়িনি হায়বহু খংবা ঙম্লম্মী।

লৈয়ি অহুবু লান্দুনা চংপদা খুদোং থিবা খিদবগী ব্রাখল অহুবু মহারাণীনা থৌশাদনা চংশিনখিহুনা মাগী ফম্মুংদা লৈরিবা শওম মউনগী ফৈজুপ অহুবু থাঙ্গৎলগা কম্হোক্লম্মী। ফৈজুপ মরক্তগী পিকতক ত্তৌবা উনা মরি মঙা লৈবাক্তা প্রোপ প্রোপ তারক্লম্মী। উনাশিং অহু লৌখৎলগা মহারাণীনা মুন্না য়েংলম্মী।

যাতুগী উনানি হায়বা খংলতুনা মহারাণীগী মপুক্লিংদা অকিবা অমা পোক্লম্মী। কনানা তৌরকপা ওইরমগনি ? হুমিং অতুদা মহাক্না মমাই পাকচরকপগী মুংঙাইজরম্বা পুন্নমক অতু মিংকুপ অতুদা খংহৌদনা মাংখিরম্মী।

"দাবী, শং অসিদা ঙসি কনা কনা লৈ ?" মহারাণীনা হংলকই।

দাবীনা মুংশাথিবগা লোইননা খুমজরকই, "ঐনা মখোয় মীনাইনুবীশিং পুন্নমক শগোল লমজেল অতু য়েংজক্লনবা থাদোকখিরম্মী।"

"নংদি মুমিং চুপ্পা মফম অসিদা লেংদনা লৈদনা ?"

দাবীনা মখুৎ অতু লোম্নরগা হায়জবকই, "ননাইবু ঙাকপিয়ু। ইকাই খুম্নবগী মশক ওইরবী ইবেম্মনা দোলাই কাখৎখিবা অতুবু ননাইনুবীনা উজবদা, কুম্মৈ অতুবু ননাইনা য়েংজদবা ঙম্নমদে।"

"নংনা যাতুগী লৈয়ি অসিদি উখিদব্রা ?" মহারাণীনা হংলকই।

"ঐহাক্না শঙম মউনশিং অসি মুংশাদা ফোদোক্লগা ননাইনা কুম্মৈ য়েংবা চক্তরিঙৈগী মমাংদা অমুক হন্না লৌশিল্লগা ফম্মুং মথক্তা থমজবম্মী। মতম অতুদদি যাতুগী লৈয়িনি হায়না ইবেম্মনা তাকপিবিবসি লৈরম্বা উজরমদে।"

"দাবী, লৈমাইথক অতুদা ঐগী হিপফম শেম্মু। ঐহাক্না যাতুগী লৈয়িনা কোইশিনবা ফম্মুংদা হিপ্পা পামদে," মহারাণীনা হায়রকই।

মহারাণীগী মপুক্লিংদা অরাবা ব্রাখল পোক্লম্মী। য়েক্লবা অসি

কনা ওইরিগবা ? ঐহাক্না হস্তিনাপুর্র অসিদা হেক লাকপা হুমিত্তগী হোৌনা কনাগী মফমদস্থু অরানবা তৌখিবা লৈতে, তৌগেস্থু খন্দ্রে অমস্থুং তৌম্ম তৌরোই হায়না মতম চুপ্পদা খনজরিবী ঐহাক্নি।

মহারাণীনা লৈমাইদা শেম্লিবা ফম্মুং অত্থুদা থংফম ফমথরগা কনা কনাগ্না মাগা সুংঙাইনদবা লৈখিবগে হায়বত্থু খনবা হৌরম্মী। "ঐদি কনাগী মফমদস্থু মাংনবা তৌখিবা লৈতে। নিংথৌগী, লৈবাক প্রজাগী, অঙম-অথৌ লুচিংবশিংগী অমদি মীনাইশিংগী য়াইফনবতা খন্দুনা লৈজবী অমনি। ঐনা ঐগী মাংনবা তৌরকপা মীশক অত্থুবু খংজরবদি, ঐনা মাগী মফমদা ঐবু ঙাকপিনবা হায়জ-রমগনি," মহারাণীনা মতোম্মতা শোনজরম্মী।

মহারাণীনা দাবীবু মনাক্তা কৌশিল্লগা তুমিন্না হায়রকই, "দাবী, বালমুনিগী মনাক্তা চৎলু। থোক্লিবা যাত্থুগী থোদোকশিং অসি মঙোন্দা তম্মুচো। উনাশিং অসি পিরগা মীশক অত্থু খংনবা থিয়ু হায়যু। হয়েং অয়ুক অঙনবদা ঐগী নাক্তা লাক্তবা য়াদে হায়রম্মু। ফত্তবা যাত্থুগী শরৌ খরা ঐনা উবা ফংলে।"

১৯ শুবা পন্দূপ

স্বর্গ কাবা

অসোমদা দ্বৈপায়নগী থাংপোকশং লোমদনা বাতিকানা মাগী তুমফম কাদা চংহুনা পোথারম্মী।

দ্বৈপায়ননা যজ্ঞ মফমগী থবক পুম্নমক শিন্নবা লোইবম্লগা মাগী কাদা লাক্লম্মী। মহাক্না তুমদ্রিঙৈগী মমাংদা মহৌশা তৌবা অহুগুম্না, মাগী শক্তি মউনগী ফিজেৎ মাগী কম্মুং মথক্তা কুপ্পুনা থম্লিবা অহুবু লৌশংলগা কহোক্লম্মী। মতম অহুদা উনা মরিথক শক্তি মউন অহুগী মরক্তগী লেবাক্তা তাবক্লম্মী। মহাক্না লৌখত্তুনা মৈডান্দা মুন্না য়েংলম্মী।

ঙাইহাক য়েংলবা মতুংদা উনাশিং অহু যাহুগী উনা ঙাক্তনি হায়বা মহাক্না তশেংনা খংলম্মী। মহাক্না খংহন হন্দোক্লগা মসি যাহু হৈবা কনাগুম্বা অথর্ব্বান অমগী থবক্নি হায়বসি খংহুনা রাখল তৌনা লৈরম্মী। কনানা মাগী ফম্মুংদ পোংশক অসি থনম্লিবনো হায়বহু খনবদা মহাক্না অঙকপা অমা ওইরম্মী।

মহা অথর্ব্বান্দি মুনিগী থাক্তা লৈগ্রবনিনা, থবক অসি তৌবদি ওইথোক্রবা অমা ওইরম্মী। শৌনক অমসুং সুমন্ত, অনিসু এগী চান্নবনা মরূপ ওইহুনা লৈরি। থবক অসি কনাগুম্বা অথর্ব্বানশিং থরনা ঐবু কল্লক্তুনা তৌবা ওইরমগনি। মতৌ অসুম্না মহাক্না ফমহুনা রাখল তৌরিবৈ মতমদা দাবীনা মাগী কাদা চংলক্তুনা

হায়জরকই, "ইকাই খুম্নবগী মশক ওইরবা মুনি, ঐগী ইবেম্মা মহারাণীনা অহিং অসি পোত্থাবগে থন্দুনা ফম্মুংদা চংবা মতমদা যাতুগী নৈয়ি অমনা মাগী ফম্মুং অকোইবদা য়ামগুম্না অঙোবা মকুপ খবনা কোইশিন্দুনা চিংলম্বা অতুবু থেংনরম্মী। অতুদা নত্তনা উনাশিং অগিনা ফম্মং মথক্তা তাত্থুনা লৈরম্মী।"

দ্বৈপায়ননা উনাশিং অতু দাবীগী মখুত্তগী লৌরম্মী।

"ঐগী ইবেম্মনা," দাবীনা মখা তানা হায়জবকই "মাগী মফমদা কনা কনাগুম্বশিং অমনা যাত্থ মন্ত্র শিজিন্নদুনা ইবেম্মবু মাংনবা নত্রগা মাইথিনবা তৌরক্লমাল্লে হায়না থলহৌই।"

দৈ্বপাযননা দাবীনা পুরকপা উনাশিং অতুগা মাগী ফম্মুংদগী ফংবা উনাশিং অতুগা য়েংনবদা মশা অমতনি হায়বসি থংবা ওম্লম্মী। "দাবী, চৎখ্রো, নবেম্মা মহারাণীদা ঐহাক হয়েং অয়ুক অঙনবদা লাকচগে হায়না হঙ্গৎপিযু," মহাক্না দাবাদা হায়বকই।

দাবীনা চৎথ্রবা মতুংদা দ্বৈপায়নদি রাখলগী ইপাক্তা তাওদুনা লৈরম্মী। ঐহাকপু মাংনবা শিল্লিবা মীশক অসিনা মহাবাণীবুস্থ মাংনবা শিল্লে হায়বসিদা করিমতা চিংনফম লৈত্রে হায়না মহাক্না মপুন্নিংদা লেপ্পম্মী। অতুগা তৌবত্তদি, ঐঙোন্দা তৌবা লাইব্রা অতুদগী মহারাণীদা তৌবা অতুনা হেন্না কনবা অমা ওইরম্মী। মরমদি মহারাণীনা কবিগুম্বা যাতুগী নৈয়ি মন্নুং অতুদা চংলম্বা থোক্লবদি খুদক অতুদা অৱাবা তারমগদবনি।

মসি কনাগী থবক ওইরমগনি? যাতু তৌরম্লিবা মীশক অসিনা মহাক মশামক্কীস্থ অহোংবা অমা পাম্বা মতৌ অতু উরম্মী।

মহাক্না ওইথোকপা য়াবা মীশকশিং মথং মথং খন্দুনা য়েংলম্মী। মহা অথর্ব্বান ওইথোকপা য়াবা মীশক ওইরমদে, মাগুম্না শৌনকস্তু ওইথোক্লমদে। মহারাণীগা ঐগা অনিগী মরক্তা লৈনরিবা মরি অসিবু খংবা ঙমদবা মীশক অতুগী ফত্রবা থবক ওইবিদ্রা?

ইখং খংহৌদনা মাগী ব্রাখলদা মঙাল অমা ফাওরক্লম্মী। যাতুগী থবক অসি বাতিকাগী শোইদনা ওইবমগনি হায়না মহাক্না মপুক্লিংদা লেপ্লম্মী। মহারাণীনা ধর্ম্মক্ষেত্রদা হেক থুংলবা মতম অতুদগী হৌনা, বাতিকানা লৈথোক্তুনা মতোম্মতা নাইতোম তানা লৈনিংবগী মতৌ অতু উবা ফংলম্মী। মহাক্না ঙাইহাক্তা ফাওবা মহারাণীগা লৈমিন্ন-নিংদে। মহারাণীনা মঙোন্দা মরূপ অমগুম্না হরাওনা তৌবা খুদিংদা মহাক্না তৌদবা ঙমদতুনা মপানথোংদা হরাও-তয়াম্বা মতৌ অতু উৎচরবস্তু মাগী মপুক্লিং মথুংদদি অপেনবা অতু ওইজরমদে।

বাতিকা অমস্তুং মহারাণী অনিগী মরক্তা থোকখিবা থৌদোকশিং অতু মথং মথং দ্বৈপায়ননা নিংশিংলুবগা যাতুগী থবক অসি বাতিকানা তৌখিবা শোইদ্রে হায়বসি মহাক্না খংলম্মী। মুপী ওইবীশিংগী হৌনশা ওইবা, কল্মক চাউবা, খম্বল চাউবা অনিনচিংবা গুণশিং অসিগী মথা পোনখিবদগী বাতিকানা ইপং পংনা, করিনো হায়বতু খিদনা, ফত্রবা থবক অতুবু পাংথোকখিবনি হায়বসি শোইদ্রবনি।

মহারাণীগী ফম্মুংদা থনস্বা যাতুগী উনাশিং অতুগা মাগী ফম্মুংদা থনস্বা অসিগা মশক চপ মান্নরম্মী। উনাশিং অসি মহা অথর্ব্বানগী লৈকোন্দগী শোইদনা ওইরমগনি হায়না দ্বৈপায়ননা খল্লম্মী।

মহাক্না মহারাণীগা লৈনরিবা মরি অসিবু লান্না বাতিকানা খল্লকপা মত্তৌ অসি উবদা দ্বৈপায়ননা শাওদবা ওন্নমদে। মহাক্না অহানবদদি শাওবনা লুতোন কাখিত্নুনা বাতিকাবু মতিক চানা রারক্কে হায়না মপুক্লিংদা খল্লম্মী। অত্নুবু রাখল ঙাইহাক তৌরবা মতুংদদি মহাক্না মতোম্মতা মোমোন নোক্লম্মী। মরাইবক চাউরবী বাতিকানা ঐবু কা অমা হেন্না নুংশিখিবদগী মাগী মপুক্লিংদা অফ-ফত্তগী রাখল অত্নু মাংখিবননি। ঐহাক্না মাঙোন্দা শাওফম থোক্কে পুন্নমক অসিগী মরাল অত্নু ঐহাক্নী ওইরম্মী। ঐহাক্না মাগী মফমদা অওকপা ফংলবা মরি অসি ফোংদোকহৌদবদগী গোকখিবা ঙাক্তনি। মহা-রাণীনা যাত্নুগী লৈয়ি মন্নুংদা চংখিদবা অমস্নুং যাত্নুগী উনাশিংবু ফম্মংদগী লৌথোকহৌবত্নু, তশেংনা লাইবক ফবা অমনি, মসিদা করিস্নু চিংনিনিংঙাই লৈতে।

মহারাণীবু খুদোংথিবা অসিদগী কনধা ওন্নবা উপায়না করি তৌবা তারি, অত্নুগা অমরোমদনা, বাতিকাগী অপংবা রাখল অসিবু ফোংদোকপিদনা, থবক মখা অমুক হন্না চৎথরক্তনবনা করম তৌবা তারিবা?

করিগুম্বা বাতিকানা, মহাক্না তৌজরিবা যাত্নুগী থবক অসি ঐহাক্না খংখ্রে হায়বা অসি খংগ্রবদি, মহাক্নী অরাবা অত্নুদি ওইরগনি। ঐহাক্না মঙোন্দা নংনা যাত্নু মন্ত্র শিজিন্নত্নুনা মহারাণীগী মাংনবা অমস্নুং ফত্তনবা তৌরে হায়না মরাল শিরুবা মতমদা, মহাক্না মরাল অত্নুবু য়ারবস্নু নত্রগা য়াত্রবস্নু, ঐগা মহারাণীগা অনিবুদি মাগী মপুক্লিংদা কাওবা ওমদনা রারৌগ্রগনি। অত্নুগা অমা অমবু

ওইরবস্থু, ঐগা মহারাণীগা অনিগী মফমদা যাদু বিদ্যা শিজিন্নবগী মরাল অহুবু খংজেরকপা মতমদদি, মহাক্কী মপুন্সি চুপ্পা অসিমা মরাল অহুনা শাবু অহুম ওৎচহৌরগনি।

দ্বৈপায়ননা রাখল অহু হন্না হন্না খল্লম্মী। মহাক্কী ফিভম য়ান্না লুনা লৈরম্মী। মহারাণীগী মফমদা ফত্তবা থবক তৌরম্মীবা মীশক অসি হায়দোকপস্থু ওস্মোইদৌরি। করিগুম্বা হায়দোকলুরবস্থু মহারাণীনা বাতিকাবু কাওবা ওমদনা রাবৌখ্রগনি, নত্রবস্থু ৎস্থোক্লা হস্থবা মিংয়েং অমদা য়েংবিখ্রগনি। বাতিকা কনবিবগী থবক্তি ঐগী শরুকনি। মহাক্কী অপংবা থবক অহুবু ফোংদোকপিহুনা, মাগী ইজ্জৎ ঐনা মাংহনবিবা হৌনদে। মাবু কন্নবা লম্বীদি করিনো? মহাক্লা নোংদম থিরবী বাতিকাগীদং ক্তা খনবদা রাদবা ওম্নমদে। মুমিৎ তরাতরেৎনি যজ্ঞ তৌরিউৈ মন্থং অসিদা মাগী মপুক্লিংবু কল্লক-মিহৌবা রাখলনা খুহুন চনবিখিহুনা ফজ্রবা থবক অসি মহাক্লা পাংথোকপা ওমখিবনি। ঐহাক্লা, বরিগুম্বা মরম অমনি থংদে, অতোপ্পা অমননি থংদে, মহারাণীগা বাতিকাগা অনিগী মরি অসি থংনহন্দুনা, মুংশিনন্না লৈমিন্নহনবা তাই।

দ্বৈপায়ননা হৌগত্তুনা, বাতিকাগী কা, মাগী কাগা থংনন্না লৈরিবা অহুদা চৎখ্রগা থোং অহুদা মখুৎনা তেক তেক কাপ্পুনা বাতিকাবু কৌরম্মী। খুদক অহুদা বাতিকানা, "ঐবু ওইবিবত্রা ইবুংঙো? ঐগী থবক লৈত্রা?" হায়না হংজরকই।

"লৈ, জাবাল্লীয়া, করিগুম্বা ওইথোক্তবা খরা থোক্লে। ঐনা নংগী পাওতাক পাম্মী," দ্বৈপায়ননা খুম্নকই।

বাতিকানা পবপ পবপ হৌগত্তুনা মফি-মরোল শেমজিল্লগা থোং হাংদোক্তুনা থোগ্লক্লগা কা মমুং অদুদা চংলকই। মশাদা কোকচাওবিদি কাজরম্মী। মহাক্না থাখরিবা লাইৱা অচৌবু খ খুৱবা খনবদা মাগী মিত্তুন অদু দং-দং চোংলম্মী। মতুংবু কবিগুম্বা খংগ্রবদি মাগী চংজক্কম নৈলবোই খনবদা অৱাবা অমম্ভু ওইজরম্মী।

"ফম্মু জাবাল্লৌযা। নংনা কবিগী লেপ্তুনা লৈরি?" দ্বৈপায়ননা য়াম্না হুংশিনা হংলকই।

বাতিকানা মিপাইবা অমগা লোইননা মাগী মমাংদা ফমক্করম্মী। খংলাও লাওরক্কদবা হায়না মহাক্না খনজরম্বনি মতুমক্তি তৌনকখিদ্রে।

"কবিগুম্বা অওকপা থৌদোক খরা থোক্লে," দ্বৈপায়ননা হায়রকই। "ঐনা মবম অদু খংনবা নংগী মতেং পাম্মী"

"কবিনো তাকপিয়ু ইবুংঙো?" বাতিকানা হংজরক্কই। হৌজিক্তি মহাক্না কিজবা ৱাফম অতুমক থোক্লরে।

"কনাগুম্বা অমনা মহাবানীগী ফম্মুং অকোইবদা যাদুগী লৈযিনা কোইশিল্লগা যাদুগী উনা খবস্ম মাগী ফম্মুংদা থাদত্তুনা থনম্মী। উনাশিং অদু অসিদা লৈরিবসিনি।"

দ্বৈপায়ননা মাগী ফম্মুংদা থাদরম্বা উনাশিং অদুগী মরমদদি করিমতা পল্লমদে, মতুংদি মশাগী মবল্লাইনি হায়না মহাক্না খল্লম্মী।

বাতিকানা ইপা পাখংচবম্মী। মহাক্না মপুরোইবদা য়েংনা ফাওবা ওমজরমদে। মপুরোইবনা মঙোন্দা শাওরক্কনি নত্রগা মাবু থাদোক্তুনা চংখিব য়াই হায়না মহাক্না খনজরম্মী।

মতুং অসিদা দ্বৈপায়ননা তুমিন্না মঙোন্দা হায়রকই, "ঐনা

উনাশিং অসি মশক খংডি। ঐহাক্না ইপা মুনিগা লোইমনা বন্দা চংপা মতমদা থেংনতুনা হেক হেক হেল্লম্মী। অতুগা উনাশিং অসিদি নংগী বাবা মহা অথর্ব্বানগী লৈকোন্দগী শোইদনা ওইরমগনি। ফত্তবা থবক অসিবু পাংথোল্লম্মীবা মীশক অসি খংনবা ঐখোয়না হোৎনবা তারম্মী। অতুগী মথক্তা মহারাণীগী মথক্তা লাকদবা ফত্তবশিং অতুবুমু ওাকথোক্লনা ঐখোয়না তৌগদবনি। নংনা নপা ইবুংঙোদা উনাশিং অসি উৎপা ওয়বদি মহাক্না ফত্তবা থবক অসিবু তৌরম্মীবা মীশক অতুবু খঙবা ঙমগনি খল্লি।" বাতিকানা উনাশিং অতু মখুৎ থক-থক নিক্লা লৌজরম্মী।

বাতিকানা দ্বৈপায়নদা মহাক মশামক্তা লাইরা অতু তৌবনি, মবমদি শুমহৎমবগী মশক ওইবৰী মহারাণীনা নংবু হুংশিবম্মী হায়না লাওহত্তুনা হায়নিংবনি অতুবু মহাক্না রাদি অমতা হায়দোকচবা ঙম্মদে। অমরোমদনা, মপুরোইবনা মাগী মফমদা থবক পুম্নমক মাবু থাজবগা লোইমনা শিম্নখিবনিনা, মাগী কল্লক-মিহৌবগী অশাওবা মৈ অতুবু হৈথবমু ঙম্মদে।

"নংনা ঐগী ইতেং শোইদনা পাংঙ্ জাবাল্লীয়া, শরো অসি কনাগী খুজিল্লো হায়বতু খংনবা তৌসি। মীশক অতুমক্তনা মহারাণীবু অতোপ্পা মওং অমদা অমুক হন্না অরাবা পিনবা তৌরকখিবা য়ানা লৈরি। মরম অতুনা নহাক্না মহারাণীগী মফমদা লাইবা তৌরকপা চংনমবা শেম্নতুনা লৈবা তাই," দ্বৈপায়ননা হায়রকই।

মতাং অদিদমু বাতিকানা অশাওবগা লোইনদা লাওহত্তুনা "ঐনা মম্ম তৌবা ঙম্মোই, ঐনা মুপী অতুবু মশক য়েংনিংদে,"

হায়না হায়জনিংবনি অদুবু, মপুরোইবনা মাবু য়াম্না থাজবগা লোইননা তক্লদুনা হায়রকপা মতৌ অদু উবদা মাগী অশাওবা পুম্নমক অদু মপুক মনুংদা ফাজিন্দুনা থমজরম্মী। মহাক্না, মক্ল লুকথরগা, মতোম্মতা ঙাংজবগুম্না হায়জরকই, 'ঐ তৌগে।"

"নত্তে, নত্তে জাবাল্লীয়া, মদু ফাওবনা ওইবা য়ারোই। হয়েং অয়ুক ঐখোয় অনি মহারাণীগী মনাক্তা চৎলগা, ঐহাক্না মহারাণীগী মফমদা, নংগা মতম চুপ্পদা লৈমিন্নবা ব্রাফম অদু হৌদোকনি।"

"মতম চুপ্পদা মহারাণীগা লোইননা! ঐনা করি তৌগদৌ-রিবা?" বাতিকানা শাওনা লাওরকই।

"জাবাল্লীগী মচানুপি, নংনা করি তৌগদগে হায়ববু, নংনা মহারাণীগী মফমদা কনাগুম্বনা তৌরকপা লাইব্না পুম্নমক অদুবু ঙাকথোক্নুনা চংহল্লোইদবনি। নংদি অথর্ব্বান বিদ্যাদা চংখোল্লা হৈরবী অমনি। মরম অদুনা নংগী মন্ত্র-বিদ্যা অদুনা মহারাণীবু খুদোংথিবদগী কনগদবনি।"

বাতিকানা হন্দক্তি মাগী অশাওবা অদু থিংদুনা থম্বা ঙম-জখিদ্রে। মহাক্না শাওনা হায়রকই, "নহাক্না মহারাণীদা অম্লক য়াম্না নপুক্লিং থিংজিল্লিবদি করিগীনো? নারিবদি নিংথোরেল্লি, মহারাণীদি নত্তে।"

"জাবাল্লীয়া, লুহোংলবা মীশক অমনা মাগী মমাবু থোওইদবা হৌনদে অমসুং লুহোংলকপি লুপী অমনা মাগী মপুরোইবগা মমাগা অনিগী মরক্তা লৈবা হৌনদে—ব্রাফম অসি পূজা তৌনিংঙাই মশক

ওইরবা পরাশর মুনিনা হায়রম্মী," দ্বৈপায়ননা মঙোন্দা হায়রকই।

বাতিকানা মাগী মনানা তাপ্রিবা অত্নবু থাজবা ওয়মদে। "ইমা! মহারাণীদি নংগী নমা নত্তে." মহাক্না লাওরকই।

"মহাক ঐগী ইমানি জাবাল্লীয়। মহাক্না ঐবু পোক্লম্মী। মহাক্না ঐবু পিশক পিক্লিঙৈদা য়োকপিরম্মী। মহাক্না ঐগীদমক্তা হিংত্না লৈজরম্মী। ঐগী য়াইফনবগী অন্দুনা মহাক্না ঐবু ঐগী ইপাগী মনাক্তা থাবিরম্মী। হায়বিবা মতম অত্নু মহাক্না নিংথৌরেন্দা লুহোংদ্রিঙৈগী মমাংদনি।"

"মতম অত্নুদা মহাক করি ওইবম্মী?" বাতিকানা হংজরকই।

"মহাক্না ঙা ফাবী মুপী অমা ওইবম্মী"

ভৃগু অমসুং অঙ্গিরাগী মচামশু শুথাংনি হায়ত্না চাউথোকচবগী বাতিকানা রাম্বুগে তৌবম্মী অত্নবু মচিনবান অত্নু চিকশিন্দুনা থাংজরম্মী

মতুংদা দ্বৈপায়ননা মখা তানা হায়রকই, "চহি তরামঙারোম অসি ইমাগী মশক উবা ফংলক্রবনি। অত্নবু পূজা তৌনিংঙাই মশক ওইরবা মহা অথর্ব্বানগী ফোংদোক্তনা লৈখ্রবা আশা অত্নতবু থুংহনগে থন্দুনা ঐহাক্না হস্তিনাপুরদা চত্নুনা নিংথৌরেনগা উনরক্রবনি।"

অঙাওবী অমগী মতৌগুম্না বাতিকানা মপুবোইবদা য়েংত্নুমা লৈজরম্মী। মকোক উরুক লৈনা ঙাওরক্তুনা মহাক্না মখুৎ জানিমক্না মকোক্তা পাইরগা থাংজরম্মী।

"নংনা মহারাণীগা খ্বন-চাননা লৈমিন্নবা ফংলকপা মতমদা, নংনা মহাক অসি কয়ামুক য়াম্না ফবগে, কয়ামুক য়াম্না হৌন-

চন্নথোক খংবগে অমসুং কয়ামুক য়াম্না মবুকচেল চাউবগে হায়বতু খংবা ঙমগনি। হৌজিক মহাক কনাগুম্বা য়েক্লপা অমগী মফমদগী অরাবা খুদোংথিবদা তারে, নংনা মহাকপু শোইদনা কনবা তাবনি। মহাক্না খুদোংথিবদা তাবতু ঐখোয়না য়েংতুনা লৈরবদি ঐখোয়গী অচৌবা পাপ অমা ওইগনি." দ্বৈপায়ননা হায়রকই। মতুংদা মহাক্না মথা তারকই, "মহাক্না ঐহাক অসিবু, নুপী অমনা মচা মুংশিবা অতুদগী হেন্না ক্ষুশি, অতুগা নংবু ফংজবা অসিন মাগী মচানুপীমক অতু নংনা ওইরবনি।"

বাতিকানা জ্ঞান মাংলম্মী। মমিত্তা মপিনা অতৎপা লৈতনা শিক্ষরম্মী। "ওঃ থাইনগী ঋষিশিং ভৃগু অমসুং অঙ্গিরা! ঐনা তৌরুরিবসি করিনো?" মতোম্মতা মুরুম মুরুম শোনজরম্মগা মহাক্না লৈমাইথক্তা রাস্থখিরম্মী।

দ্বৈপায়ননা হৌগতুনা ঈশিং খুজাই অমা লৌরুবগা মচিনবান্দা খরা খরা ইনবিরম্মী। মহাক্না জ্ঞান লাক্লবা মতুংদা তপ্না, মুংশিনা হায়রকই, "জাবাল্লীয়া, ঈশিং অতু খরা থকউ। তৌজিক্তি নংগী কাদা চৎলগা পোথারুরো। হয়েং অয়ুক অঙনবদা ঐখোয় অনি মহারাণীগী মনাক্তা চৎসি। মহাক্না মাগী মচানুপাগা মমৌগা অনিনা মাবু শংবা লাকপা অতু উবদা থোইদোক্লা হরাওজগনি।

বাতিকানা অহিং অতু তুম্বা য়ারমদে। মহাক্না মাগী অপংবা থবক মহারাণীগী মফমদা তৌথিবা অরানবা অমসুং থোইদোক্লা নিংথিজরবা মাগী মপুরোইবগী মরমচৎ মতৌবু লাম্না খন্দুনা মঙোন্দা লংজখিবা মরালশিং অতুবু খল্লুরগা মতোম্মতা মপুক্লিংদা রায়োবা

পোকচরম্মী। মহাক্না মপুরোইবগী ফম্মুংদা থনম্বা উনাশিং অহুবু মহাক্না তশেংনা খংলমগদ্রা নত্রগা খংলম্মোইদ্রা হায়বতুম্মু খংজবা ওম্নমদে। হৃংনবগী শক্তিম্মু লৈজরমদে। অতুম ওইনমক মহাক্কী মপুরোইবনা মহাকপু ওস্থোক্না নিংখিজবা মওংদা কনবিখিবা মতৌ অহুবু উজবদা, মাগী থম্মোইম্মুংদা পেনজখিরম্মী।

মথংগী মুমিং অসিনা রাজপেয় যজ্ঞগী খ্বাইদগী হেন্না মরু ওইবা মুমিং অহু ওইরম্মী। মুমিং অসিবু "স্বর্গদা কাবা" অম্মুম হায়না খংন-কৌনরম্মী।

অযুক অঙনবদা দ্বৈপায়নগা বাতিকাগা অনিনা মহারাণীগী পোত্থাশং তান্না লাক্লম্মী। মহারাণীনা মাগী মফি-মরোল শেত্তুনা অমম্মুং লৈত্তেংশিং শিত্তুনা লৈরিবা কা অহুদা মখোয় অনিবু পুশিল্লকবা মীনাইম্মুবী অমা থাদোরক্লম্মী।

দ্বৈপায়ন অমম্মুং বাতিকা অনিনা চংলকপা উবদা, মহারাণীনা মোমোন নোক্লগা মখোয় অনিদা আশীর্ব্বাদ পিবিরম্মী অমম্মুং মখোয় অনিনা মাগী মখোং শোক্না খুরমজরম্মী। মহারাণীনা হরাও হরাওনা মখোয়বু ওকপিরম্বা মতৌ অহু উবদা বাতিকানা মানা মহারাণীগী মথক্তা তৌরুরিবা অরানবা থবক অহুগীদমক্তা অমুক হন্না মপুক্লিংদা রাদবা ওমজরমদে।

ইঙ্গিং অমা তৌত্নুনা মহারাণীনা মাগী মনাইমুবীশিং অহু, দাবী নত্তুনা, চংখিনবা খংহল্লম্মী। দাবীদি মহারাণীগী অরোন-অথুপ পুম্নমক্তা শরুক য়ানা লাকচরবী, অচানবী মনাইমুপী অহু ওইরম্মী।

মতুংদা মহারাণীনা দ্বৈপায়নদা ওনশিল্লগা তুমিন্না হংলকই, "কৃষ্ণ, লাইরা অহু কনানা তৌবনো মশক খংলব্রা ?"

"খংদে ইমা। অহুবু, ঐনা থবক অহুদি জাবাল্লীদা থাজবগা লোইননা শিন্নজব্রে। মহাক্কা মপা মহা অথর্ব্বাম্না খংবা হৈবা পুন্নমক অহু লোইনা খংজরবী অমা ওইরম্মী. অহুগীসু মথক্তা মহাক মশামক অথর্ব্বান শ্রোত্রিয়া অমনি হায়বসু ইমানা খংবিরিবা অহুনি। মহাক্কা মতম পুন্নমক্তা নংগী ননাক্তা লৈহুনা ওইরকপা য়াবা খুদোংথিবা লুন্নমক অহু মাইয়োক্লগনি," দ্বৈপায়ননা হায়রকই!

মহারাণীনা বাতিকাদা মোমোন নোক্লগা হায়রকই, "নংনা ঐগা লৈগব্রা ?"

বাতিকানা য়াজরে হায়হুনা মকোক নোনজরম্মী।

"নংনা ঐগী ইনাক্তা মুমিৎ চুপ্পা লৈগনি হায়বা অসিদা ঐহাক য়াম্না নুংঙাইরে। মীয়াম অহুনা ঐঙোন্দা য়েংশিল্লকপা অহুদা ঐদি ইপা পাখংলম্মী। অহুগা ঐঙোন্দা লাইব্রা তৌরক্লিবা মীশক অহুতদি ঐঙোন্দা খংহনবিয়ু," মহারাণীনা য়াম্না খংনিংবা মওংদা চাকশিন্না হায়রকই। "ঐহাক্কা মীশক অহুবু খংজরবদি ঐহাক্কা মঙোন্দা করি অরানবা তৌখ্রবগে হায়বহু হংজরগা, ঐগী অরানবা করিগুম্বা লৈরম্লবসু, ঙাকপিনবা মঙোন্দা হায়জগে। ঐহাক্তি কনাগী মফমদা অরানবা অমতা তৌজখিবা লৈতে, তৌগে হায়না খনজবসু করিমতা লৈজরমদে।"

বাতিকাগী মমিত্তগী মপিনা অরৎপা লৈতনা শিস্থরমই।

"জাবাল্লীয়া," মহারাণীনা বাতিকাগী মশাদা নানবিরগা

হায়রকই, 'কৃষ্ণ'—মতুংদা মহাক্না নোঙ্গরপ তৌবা থোন্দাদা মখা তারকই,—"ঐদি শোইরেদো, ব্যবহার অমতা য়াওখিদ্রেদো, ঐহাক্না পূজা তৌনিংঙাই মশক ওইরবা 'বালমুনি' হায়গদবদা,—মুংঙাইরে, মরমদি নংনা মাগী মুপী অমা ওইনা লৈবসিদা।"

মহারাণীগী ৱাঙাং-শঙাং অমদি মবুকচেল চাউবগা লোইননা মাবু লুনা তৌবিরকপা মতৌ অতুদা বাত্তিকানা খাংবা ওমজদতুনা মহারাণীগী মথোং কোন্দুনা 'ইমা' হায়না মাগী থম্মোই অতু শোক্না কৌরগা কপচরম্মী।

মহারাণীনা নোঙ্গতুনা মাবু কোনথংপিরগা মুংশিনা চেজেং কোনশিনবিরম্মী। "ঐনা ইচানুপী অমতং পাম্বতু ঈশ্বরনা অমদি ঐঙোন্দা পিনবিরে," মহাক্না হায়জরম্মী।

পূজা হৌতুনা হৌনবী মন্ত্রশিং থিবা অমসুং শকপা লোইরবা মতুংদা নিংথৌরেন্না আচার্য্য বিভূত্তিগী মতেং লৌতুনা, যজ্ঞগী উখোং মথক্তা শাতুনা লৈরিবা থাকশিং অতুদা মথং মথং কাখৎলম্মী। মতুংদা মহারাণীনা বাত্তিকাগী মখুত্তা মাগী মখুৎ নাম্মনা পাইরগা ইরাই লাইনা থাকশিং অতু কাখিরম্মী।

দ্বৈপায়ননা বাত্তিকাগী মতৌ অতু উবদা থোইদোক্না মুংঙাই-জরম্মী। বাত্তিকানা থাক্কী মখোং অতুদা, করিগুম্বা মহারাণীনা তারক্লবদি মতেং পিনবা হায়তুনা, লেপ্পগা লৈজরম্মী।

নিংথৌরেন অমসুং মহারাণী অনিনা মথক্তা শারিবা কা অতুগী মনুংদা চংখ্রপা, মন্ত্রশিং অতুনা থিবা লোইদ্রি ফাওবা লৈরম্মী। মতুংদা মখোয়না অধ্বর্য্যু ওইরিবা আচার্য্য বিভূতিনা মাংথারগা

মথং মথং কুমথরক্লম্মী। মতম অতুদা তিল্লিবা মীয়াম অতুনা 'ভারতকী অথোইবা নিংথৌরেন অমস্তুং মহারাণীনা জয় ওইরে" হায়না লাওনরম্মী।

আচার্য্য অমস্তুং পুরোহিতশিংনা থকপদগী লেমহৌবা সোমা মহিশিং অতু মনাক অতুরাইদা লৈবা মীশিং অতুদা য়েঙ্হোক্কুনা পিথরক্লম্মী।

মতুং অসিদা নিংথৌরেন অমস্তুং মহারাণী অনিনা মনম হুংশিরবা ঈশিংদা, শ্রোত্রিয়শিংনা হৌনবী মন্ত্র থিরগা ইরুজরম্মী। মখোয় অনিমক হৌজিক্তি তায়বং মীগী মশিংদা চন্দ্রে, লাইশিংগী মরক্তা তিনথ্রবনি, মরমদি মখোয় অনিমক চংনা স্বর্গদা কাথ্রবনি।

মতুংদা মখোয়না যজ্ঞগী মৈফম মনাক অতুদা ফম্লম্মী। মখোয়গী মথক্তা সেকপিন অমা থল্লম্মী। মতম অতুদা নিংথৌশিং অঙম-অথৌশিং অমস্তুং শ্রোত্রিয়শিং পুন্নমক্লা, মুনিগী থাক্তা য়ৌথ্রবা, মহা অথর্ব্বান নত্তনা, নিংথৌরেন অমস্তুং মহারাণী অনিগী মখোং শোক্লা থুরমনরম্মী। তিল্লিবা মীয়াম পুন্নমক অতুনা হরাওবগী ইথক-ইপোম মরক্তা "জয় ভারতকী অথোইবা নিংথৌরেন" হায়না লাওনরম্মী।

দ্বৈপায়ননা মহারাণী অমস্তুং বাতিকা অনিনা হরাওনা লৈমিন্নবতু উবদা থোইদোক্লা মুংঙাইবা পোক্তবা ঙম্লমদে।

যজ্ঞগী অরোইবা মুমিৎ অসিদা খ্বাইদগী হেন্না মুংঙাইবা অমনা নিংথৌরেনগী মহুৎ শিন্না গাঙ্গেয়না প্রজাশিংগী মফমদা লাওথোরকপা অতুনি, মতুদি :—"ভারতকী অথোইবা নিংথৌরেন্না প্রজা ময়ামগী

মফমদা রাশক্তুনা হায়রি মতুদি কুরুগী শক্তিনা অচুম্বগী তু'নফম ওইবা আশ্রম পুন্নমকপু ঙাক্তুনা থম্বতা নত্তনা শ্রোত্রিয়শিং, মুপী-মুপা যণ-ব্রাহ্মণচিংবা পুন্নমকপুম্ব ধর্ম্মগী মতুং ইন্না ঙাক্কনি। বাল মুনিনা পরাশর আশ্রমদা চহি তরানিথোই চংনা তৌগদৌরিবা যজ্ঞ অসিগী মতেং পুন্নমকম্ব পিগনি।"

২০ শুবা পন্দূপ

সত্যবতীগী অৱাবা

বাজপেয় যজ্ঞ অদু মপুং ফানা, মাই-পাকপগা লোইননা পাংথোকখিরম্মী। যজ্ঞ অসিনা মরম ওইদুনা মকোক ওইবা শ্রোত্রিয়শিং পুন্নমক্না অমতা ওইনা পুনশিন্নববু পুবকখিরম্মী। নিংথৌরেন শান্তনুনা নিংথৌশিংগী মরক্তা অমুক্কা হেন্না থাক অৱাংবদা হায়গৎখিরম্মী। লান্দা মতম কুইনা মাংঙুরবা আর্য্যশিংগী ইজ্জৎ অমদি মথৌনাশিং অদু অমুক হন্না মখোয়না ফংজবা ঙম্লম্মী। শা-কৈশিংনা চাক্তাফম ওইদুনা লৈরম্বা লবুক-লমহাং অদুস্মু হৌজিক্তি ধর্ম্মগী তুংনফম ওইবা ধর্ম্মক্ষেত্র অদু ওন্থোকখ্রে।

মথংগী মুমিত্তগীদি যজ্ঞ অদুদা ৎিল্লম্বা মীশিং অদু মথং মথং হন্নখিবম্মী। আচার্য্য বিভূতিনা যজ্ঞ লোইবগী হৌনবী থবক পুন্নমক পাংথোক্লম্মগা হস্তিনাপুরদা মপুক্কিং হরাওনা হনখিরম্মী। মহাক্না হৌজিক্তি শ্রোত্রিয়শিং পুন্নমক্কী মকোক থোংবা ওইবা অদুস্মু ফংখিরম্মী।

বাজপেয় যজ্ঞদা য়াওবা লাকপা নিংথৌশিং অমদি অঙম-অথৌশিং পুন্নমক অদুনা মুনিগী থাক্তা লৈখ্রবা দ্বৈপায়নগী মফমদা ইকাই খুন্নবা উৎলম্মগা মখোয় মখোয়গী মরৈবাক্তা হন্নখিরম্মী। দ্বৈপায়নগী মচৈ মশিং, জ্ঞান অমস্তুং তপস্যা অদুবু উবদগী শ্রোত্রিয়শিং আচার্য্যশিং অমস্তুং নিংথৌশিংনা মহাকপু মুনিগী থাক্তা থাঙ্গৎখিরম্মী।

মন্ত্রি কুনিক্না ময়ামগী মফমদা লেপ্পা পিজবগী থবক তৌবম্বা অদু মুমিৎ নিনিগী মতুংদগীদি লেপ্পগনি হায়না লাওথোক্লম্মী। অদুম ওইনমক নিংথৌবেনগী য়াথং মতুং ইগ্না পরাশর আশ্রমদা লৈবা আচার্য্যশিং পরুব্রাশিং অমদি চহি তরানিথোই চংনা চৎথগদোরিবা 'শ্রৌতছত্র' অসিদা য়াওরিবা শ্রোত্রিয়শিং পুম্নমক্কাদি চানথক্লবা পুম্নমক অমতা ব্রাত্তনা হুনগনি হায়না মহাক্না হায়রম্মী।

অতৈ ময়াম পুম্নমক অতুনা দ্বৈপায়নদগী আশীর্ব্বাদ লৌরগা হন্নপ্রবা মতুংদা, ইকোন কোন্ন।, অশোন-অনা অমদি মথোং-মথুৎ শৈনাইরবা কাংবু অসিন। লাকপা মতো অতুদি অরাবগী মশক ওইবম্মী। মখোয়না 'বালমুনিগা' কাইনরগনি থনবদা, কপ্পা কপ্পা মুনিগী মখোং শোক্না থুরম্মগা তেংথাজবম্মী। বালমুনিনা মখোয়গী মশাদা মুংশিনা নানবিরগা হায়রকই, "ঐহাক্না নখোয়গী অনাববু ফহনবা ঙম্বা নত্তে, বেদগী শক্তি অদুতনা ফহনবা ঙম্বনি। মরম অতুনা নখোয় পুম্নমক্না বেদদা থাজবা থম্মু।"

মহৌশা মতৌগুম্না মখোয় অশোন অনাশিং পুম্নমক অতুনা শঙ্গোম চফু অমমম মথুত্তা পাইরগা মুনিবু ইকোই কোইশিন্না কয়ম্মী। মতম অতুদা মুনিনা যাতুগী উনা অমমম মন্ত্র শোল্লগা চফু খুদিংমক্না থাদরম্মী। মখোয় ময়াম অতুনা শঙ্গোম অদু থকপ্রবা মতুংদা, মখোয়গা রাবি-রাত।হ কয়ামুক শানরগা বিদায় পিতুনা থাদোকখিরম্মী।

মতুং অসিদদি অঙাং শঙ্কু অমনা মাগা চামিন্নবা ঙাইরিবা অতুগী মনাক্তা চংপ্রগা মুনিনা চান থক্লবশিং অদু মখোয়দা মখোয়গী

মপুক পেন্না পিজরগা হায়রকই, "অফবা রাখল, আশা অমদি জীবশিংগী কান্নবা তৌবা অহুত্তনা খ্বাইদগী হেন্না অফবা পুন্সিগী মথৌনি।" মতুংদা মখোয় পুন্নমক অহুনা কপ্পা কপ্পা মুনিদগী বিদায় লৌরগা চংনখিরম্মী।

যজ্ঞদা য়াওরম্বা শ্রোত্রিয়শিং অয়াম্বস্তু বালমুনিদগী বিদায় লৌরগা হন্নখিরম্মী। যমুনা তোর্ব্বান্দা লৈবা পরাশর আশ্রমশিংগী আচার্য্যশিং পুন্নমকস্তু হন্নখিরম্মী। অতুম ওইনমক মখোয়না চংলমদাইগী মতমদা বালমুনিগী রাশক অমদি লৌরম্মী, মতুদি, মাগী মপা পরাশর মুনিনা তৌরম্বগুম্না, মহাকস্তু চহি তরানিথোইগী মতম শ্রোত ছত্রনা লোইরবা মতুংদা, শোইদনা আশ্রমশিংদা কোইরক্কনি হায়নদি।

মখোয়না চংলমদাইগী মতমদা দ্বৈপায়ননা হ'য়রকই, "বেদনা, শ্রোত্রিয়শিং, তপস্যাদা মপুক্কিং চংবা, অথাং কনবা, লৈত লাইরা থিদবা অমস্তুং থকসি-খাসি নাইনা চংপা মখোয়শিং অতুগী মফমতদা চাউখৎপা অমস্তুং নুংঙাই-য়াইফবা পিবিবনি। তপস্যাবু য়াওদ্রবদি করিগুম্বা মওংদা চাউখৎপা থক ফংবা ঙম্লোই।"

মতুংদা দ্বৈপায়ননা প্রার্থনা তৌরকই,—

"হে ঈশ্বর, ঙাকপিয়ু ঐখোয়, পিনৌ হিংনবা থৱাইদি।
অচুম্বদি অমতনি, অচুম্বতু নুংশিবনি ;
নুংশিবতু থাজবনি, থাজবা অতু বেদনি।
ফোংদোক্লি বেদ মাতমদা, চংনবী জগৎ সংসারগী॥"

দ্বৈপায়ন, গৌতমা, পৈলা অমস্তুং স্তুমন্তুনা অচৌবা আশ্রম

অসিল-অরাং তৌতুনা থবক পুন্নমক তৌরম্মী। পরাশর গোত্রগী গৌতমানা খ্বাইগী মকোক অদু ওইজরবসু, বালমুনিগী লমজিং মখাদা তশেংনা থবক পুন্নমক পাংথোক্লম্মী।

মহাক্ন পৈলাদা ঋগ বেদ, গৌতমাদনা সাম বেদ অমসুং সুমন্তৃদনা অথর্ব্ববেদগী থবক পুন্নমক শিন্নরম্মী।

মহা ওইরিবা শ্রোত্রিয় কাংবু অমনা, দ্বৈপায়নগী বিদ্যা অমদি লমচং-শাজং ফজবা অদু উবদা মাগী পক্কা ওইনা লৈজরম্মী। মতুনা মঙোন্দদি মথৌ চিনবা অমা হায়বদু ওইরম্মী।

দ্বৈপায়ননা হৌজিক্তি মপা মুনিনা পামজরম্বা ধর্ম্মক্ষেত্রগী মওং অদুমক ওইরে হায়বসি মহাক্না উবা ফংজরম্মী।

অয়ুক অঙনবগী থৌরানমিচাক্না থোবক্কুবা মতমদা মহাক্না মহা অথর্ব্বানগী আশ্রমদা চত্তুনা অথর্ব্ববিদ্যাবু মপুং ফানা হৈনবা তমলুগনি। মতুদগী হল্লক্লগা মহাক্না অনাবশিং লাক্লিবা অদুবু লাইয়েংবিরম্মগা অঙাংশিংগী মফমদা চান-থক্লবা য়েনবিরমগনি। নুমিৎ য়ুংবগী চাকলেন চারবা মতুংদা মহাক্না আচার্য্যশিং বেদগী মন্ত্রশিং থিরিবা অদুদা শক্লক য়াত্তুনা থিবা য়াওরমগনি।

সোমা উরি, মরু ওইনা যজ্ঞগী মতমদা পূজা তৌনরিবা উবি অশিবু কাএদনবা হায়দুনা নিতি নুমিৎ খুদিংগী পূজা তৌহল্লম্মী।

আশ্রমগী নুপীশিং অদুনা যনশিংগী মখোম শুম্নম্মী, হিঙ্গোল কোইরম্মী, চাক-ইনশাং থোংলম্মী, মচামশুশিং য়েংলম্মী, মপুরোইব-শিংগী সেবা মপুক্লি চংনা তৌরম্মী অমসুং ঈশৈশিং শক্লুনা ময়াম অদুবু নুংঙাইহল্লম্মী।

অঙাং মুপা মচাশিং অহুনা চহি নিপাল হেক চংসকপদা নগুন থাংবিরগা ব্রহ্মচর্য্য আশ্রমদা থাজিন্দুনা বেদ তম্বিবা হৌরম্মী। অনৌবা আচার্য্যশিং অহুনা মতিক চাবক্লবা মতমদা, অনৌবা আশ্রম-শিং লিংখত্তুনা তপস্যা তৌনা ধর্ম্মবু শংদোকলুনবা অতৈ মফমশিংদা থাখিরম্মী।

মতম অসিদা হস্তিনাপুররোমদদি অরাবগী থৌদোকশিং কয়ামুক মথং মথং লাক্লম্মী।

বাজপেয় লোইখিবা থা তরাতবেংকী মতুংদা নিংথৌরেন শান্তনু নোঙ্গাখিরম্মী। দ্বৈপায়ননা মমাগী ব্রাখলদা অরাবা অমা ওইত্থুনা হস্তিনাপুরদা হঙ্গৎ-হন্দা তোইনা চৎলম্মী। আশ্রমদা হল্লকপা মতমদা মগাক্লা মশা অহু অমু-মুক শেংদোক্লগা 'শ্রৌত ছত্র' যজ্ঞ ফম্বা অহুদা য়াওরম্মী।

নিংথৌমচা গাঙ্গেয়না মপা নিংথৌরেনগী মতৌগুম্না আশ্রমশিংবু নিংথিনা ভাকপি-শেনবীবা মতৌ অহু উবদা দ্বৈপায়ননা অংপেনবা পোক্লম্মী।

নিংথৌরেন লৈখিদবগী অরাবা উৎপা মতম অহুনা লোইখ্রবদা চিত্রাঙ্গদবু নিংথৌবেন হাপলম্মী, অহুবু অরাবদি থা খরগী মতুংদা লানফম অমদা মথল্লাই মাংখিবম্মী।

চিত্রাঙ্গদনা লৈখিদবদা মহারাণীগী অরাবদি অসিনি হায়হুনা পান্দমফম শৌনিংঙাই লৈবমদে। মাগী অরাবা ব্রাখলশিং অহু কাওনবা হোৎনবদা মতম খরদি চংলম্মী।

বিচিত্রবীর্য্যবু নিংথৌরেন ওইনা হৌনরী মতুং ইন্না অভিষেক

তৌরম্মী। মতম অসিদা হস্তিনাপুরগী কুরুশিংগী মন্নুংদা লাল-হৌনবগী ইরাং অমা কন্না লৈরম্মী, অদুবু লাইবক ফবনা, গাঙ্গেয়না মনাওগীদমক্তা ফৈগাক্ফ ফৈনা থিংদুনা লৈখিবদগী লালহৌ অদু নেমথখিরম্মী।

অরাবা অমস্তুং চরাংনরবা মতম অসিদা বাতিকানা হস্তিনাপুরদা মহারাণীগা কোল্লনা লৈজরম্মী। মচান্নুপা অঙাং ওইরিবা শুকদেববু মনে ইবেম্মা উর্বশীগী মফমদা শিন্নদুনা থমজরম্মী। চয়োল খর খরগী মন্নুংদা মহাক্না ধর্ম্মক্ষেত্রদা লাক্লগা মপুরোইবগী মফমদা হস্তিনাপুরগী অফ-ফত্ত পাওশিং অদু হেক হেক তমদুনা খংহনজরম্মী।

মহারাণীগী অরাবদি কবি হায়গনি। অরাবদা থেংনজরকপী অমা ওইবগী হৌনশা, অদুক লৈজবতা মঙাইরম্মী। মহাক মশাগীতা নত্তনা লৈবাক্তা অমস্তুং কুরুশিংগী মথক্তা অরাবস্তু তারবা য়াবগী খুদমস্তু মহাক্না উজবা ফংলম্মী।

মহারাণীনা রাজরিবা অসি চুমদে হায়না হায়বস্তু য়ারমদে, মরমদি বিচিত্রবীর্য্যগী মশা অসি য়াম্না থিনা শোল্লম্মী। করিগুম্বা মহাক্না ফত্ত-হুংদা থোকপ্রবদি নিংথৌরেন ভরতকী শাগৈ মুৎখিবতা নত্তনা কুরুগী লৈরম্বা শক্তিশিংস্তু মাংখ্রগনি হায়না মহারাণীগী মপুক্নিংদা থুক লাওবদু ফাওজরম্মী।

অমরোমদা বালমুনি অসি মুনি পরাশরগী মচা, মহারাণী সত্যবতীনা নিংথৌরেন্দা লুহোংদ্রিঙৈগী মমাংদা পোক্লম্বনি হায়না লৈবাক প্রজা পুম্নমক্না, অমগা অমগা রারি তৌনদুনা পুমনিন নিন্নরম্মী। অদুম ওইনমক মমা মচা অনিমক্কী অকাইবদি থোইদোক্না

লৈরম্মদে। মবুকচেল চাউবা অমস্মুং ফজবা অমস্মুং মতম পুম্নমক্তা মীগী মতেং পাংনবা থৌরাং তৌহুনবা লৈজবী অমা ওইবনা মহারাণী সত্যবতীবু লৈবাক প্রজা পুম্নমক্না মুংশিরম্মী। দ্বৈপায়নবুনা মহাক্কী অওকপা ফংবা মহৈ, পুম্নমক্কী য়াইফনবতা মতম চুপ্পা থন্দুনবা লৈবা, অশোল-অনাশিং কয়াবু মখুৎমক্না পাইহুনা লাইয়েংবিবা অসিনচিংবা মগুণশিং অসিতনা, মাগী মিংচৎ হেনগৎহনবতা নত্তনা ময়াম পুম্নমক্না পূজা কাওবা তৌহুনা খুরম্নখ্রিবা অসিনি।

বিচিত্রবীর্য্যদি মশা শোনজবতা নত্তনা লানগী মরমদস্মু থোই-দোক্লা হৈরমদে। প্রজাশিংগা শম্ন-তোৎনবস্মু হৈরমদে। মমা মরিগী পারোন-পুরোনশিংগী য়ারি থংনবদগী নিংথৌশিং অমতনা মচান্নুপী লুহোংহুনা পিনিংলমদে। মমা ওইবী মহারাণীদি য়াখল অসিতনা মরম ওইহুনা মাগী থম্মোই অহু কাথেকখিরম্মী। অহুবু, নিংথৌমচা গাঙ্গেয়না মওং অমা পুথোক্নুনা, মমা মহারাণীগী অয়াবা কোকহল্লগে হায়না খল্লম্মী।

মতম অসিদা কাশী নিংথৌগী মচান্নুপী অহুম অম্বা, অম্বীকা, অমস্মুং অম্বালীকাগী স্বয়ম্বর তৌহুনা মপুরোইবশিং থনগদৌরি হায়বসি গাঙ্গেয়না পাও তাহুনা, হস্তিনাপুরগী অথন্নবা লান্মীশিং খরা পুরগা কাশী তাম্না চৎলম্মী। মহাক্না স্বয়ম্বর সভাদা চংহুনা কাশী নিংথৌ অমদি নিংথৌ মচাশিং পুম্নমক অহুবু মাইথিবা পিরম্মগা নিংথৌ মচান্নুপী অহুম অহুবু কাহুনা হস্তিনাপুরদা পুরক্লম্মী। থৌদোক অসিনা কুরুগী মিংচৎ হেনগৎহল্লবস্মু মহারাণী সত্যবতীদি মপুক্লিংদা অয়াবা পোক্লম্মী।

থাত্তিকাদি পাও অসি হেক ফংবদা, ধর্মক্ষেত্রদগী হস্তিনাপুরদা লাক্লুনা বিচিত্রবীর্য্যগী লুহোংবা অহু য়াওরম্মী। দ্বৈপায়নদি যজ্ঞ অহু থাদোকপা য়াদবদগী লুহোংবা অহু য়াওবা ঙম্লমদে।

চয়োল থরগী মতুংদা নোংমা দ্বৈপায়ননা মকোক ওইবা আচার্য্যশিং থরগা আশ্রমদা বেদ থিহুনা লৈরিঙৈ মত্তমদা শগোল গাড়ীশিং অমদি শগোলশিং চেল্লকপগী মখোল তাবা ফংলম্মী। বেদ থিবা তোক্লুনা মখোয়না মাইকৈ অদোমদা য়েংনবম্মী।

অহানবা লাকপা শগোল গাড়ী অহুনা আশ্রমগী কোম্বোং মপাদা লেপ্পম্মী। মন্ত্রি কুন্দিন্যানা গাড়ীদগী চোংথরল্লগা ফমহুনা লৈবিবা দ্বৈপায়নগী মনাক্তা চেনশিল্লক্লম্মী। মহাক্না মুনিগী মফমদা ইকাই খুম্নবগী মশক ওইবনী মহাবাণী মফম অসিদা লেংলক্লে, হায়না, হায়জরম্মী। ব্রা অহু তাবদা দৈ্বপায়নগী মশাদা থুক লাওবা পোল্লম্মী। অতৈ আচার্য্যশিং অহুগা লোয়ননা মহাক্না কোম্বোংলোমদা চেম্ছোবল্লম্মী।

দোলাইশিং মথং মথং লাকপগী অহুম শুবা অহুনা হেক লেপ্পদা দাবীনা মাইখল অহু হাংদোক্লগা কুমথরকই। মতুংদা মহাক্না মথুং নামনা মহারাণীগী মতেং পিবগা দোলাইদগী কুমথহল্লম্মী। মমা উবদা দৈ্বপায়নগী অরাবা অমুক হেনগংলম্মী। অচৌবা খুদোংথিবা অমা থোক্লনদি মমানা ধর্মক্ষেত্রদা লাকফম থোক্কে হায়বসি মহাক্না খংলম্মী। মহাক্না মমাগী মমাংদা চংশিন্দুনা দণ্ডবৎ তানা খুরমজরম্মী। মমানা মচাগী মমগন্দা পোপ পোপ ফুবিহুনা আশীর্বাদ পিবিরম্মী।

মহারণী সত্যবতী, য়াইফ-মুংঙাইরিঙৈ মতমদা ফজবা অহুগুম্না

অব্রাবা তাবরবা মতম অসিদস্থু অতুম ফজরম্মী। ঋিজেৎ লৈতেংশিং য়াওরবস্থু য়াওদ্রবস্থু মহৌশাগী ফজবা শক্কম অতুদি ইকাই কাইরমদে। মহাকী নহা ওইরিবৈ মতমদা লেমজনা খিং খিং লাওবা মতৌ অতুতদি, অহল ওইরকপগী চৌং লেম্বা শাজৎ অতুনা শিনখিরম্মী। মায়থোং অতুদা অব্রাবগী মমিদি তারম্মী।

শ্রোত্রিয়শিং অতুনা আশীর্ব্বাদ পিরবা মতুংদা, দৈ্বপায়ননা মহারাণীবু আশ্রমগী খাংপোক তান্না লম্বী লনজিংতুনা পুরক্লম্মী। পৈলাদা বেদ থিনবা শিন্নরগা, দ্বৈপায়ননা পক্কব্রা অমদা শঙ্গোম অফম্বা চফু অমা পুরক্লবা হায়রম্মী। নিংথৌরেন অমস্থুং মহারাণী অনিনা বাজপেয় যজ্ঞ মতমদা লৈরম্বা খাংপোকশং অতুস্থু শেংদোক্লবা দৈ্বপায়ননা অতৈ পক্কব্রাশিংদা থৌদা পিরম্মী।

খাংপোকশং য়োৌরবা মতুংদা মহারাণীনা দাবী নত্তবা মনাই-স্থুবিশিং অতু মপান থোকখিনবা ইঙ্গিৎ তৌরম্মী। মমানা লৈতানা ফম্নবা মতমদা দৈ্বপায়ননা হংজরকই, "ইমা, জাবাল্লীগী মচা স্থুপীদি কদাইদা লৈহৌরে ?"

"ঐহাক্ন মাবু অম্বাগা লোইননা চৎহনগ্রে।" অসি হায়রগা সত্যবতীনা হিক্না হিক্না কপলকই। 'কৃষ্ণ, অব্রাবা অমস্থুং থুদোংথিবনা ঐথোইগী ইথক্লা, বজ্র তাবগুম তাখ্রে।'

"বজ্র তাবা !" দ্বৈপায়ননা থংনা লাওরকই।

"মতুনা ঐগী, গাঙ্গেয়গী, ইমুং মনুংগী, কুরুশিংগী অমস্থুং ধর্ম্ম মশামকী মথক্লা হৈথরক্লম্মী।" অসি হায়রগা মহারাণীনা হিকমন-খিবদগী ব্রা মখা তাবা ওম্লমদে।

"করিনোনে মহুবু?" দৈ্পায়ননা ওক্লা হংলকই। "কাশী নিংথৌগী মচানুপীশিং ৰিচিত্রবীর্য্যগা লুহোংলবনিনা, ঐহাক্তি ইমা শোইদনা হুংঙাইরম্মগনি হায়না খল্লম্মী।

"নত্তে, লুহোংবা ঙংহুনা' ঐখোই পুন্নমকপু অরাবা সমুদ্রদা লংথরম্মী," অসি হায়রম্মগা মহারাণী কপ্পা কপ্পা ৱাম্থখিরম্মী।

২১ শুবা পন্দূপ

পরশুরাম

"শঙ্গোম অফম্বা অসি খরা থকপিয়ু" দ্বৈপায়ননা মমাদা শঙ্গোম অফম্বা হাপ্পা চফু অতু পিরম্মী।

মহাক্কী ব্রাস্থরুবা অতুনা জ্ঞান লাক্লবা মতমদা সত্যবতীনা হায়রকই, "থোকহন-ওইহল্লিংবা মওং অতু ওইয়ু হায়বা অমতা য়াখিদ্রে। নিংথৌমচান্নুপী অহুমগী মনুংদা অনিতমক বিচিত্র বীর্য্যগা লুহোংলম্মী।

"অহুমশুবা অতুদি করি তৌরবা?" দ্বৈপায়ননা হংলকই।

"খ্বাইগী অহল ওইবী নিংথৌমচান্নুপী অম্বাদি বিচিত্রবীর্য্যদা লুহোংঙু হায়বা য়ারমদে। মহাক্তি মপানিংথৌগী অয়াবা য়াওনা, নিংথৌ শাল্বদা লৈ পরেং হুকচগে হায়না স্বয়ম্বর সভাদা থোকচরকপা মতমদা গাঙ্গেয়না মাবু ফাহুনা পুবিরকপনি, মাগী মপুন্সিবু মাংহনবিরবনি হায়তুনা য়াম্না শাওরম্মী।"

মহারাণীনা মপি তৈথোক্লগা মথা তারকই, "গাঙ্গেয়নদি পুকচেল চাউবা মীশক অমা ওইবনিনা, অম্বানা হায়জবা অতু অচুম্বনি খংহুনা, শাল্বগী মফমদা অম্বাবু, কুরুগী নিংথৌমচান্নুপী অমগুম্না অউনপোংশিংগা লোইননা, মস্ত্রি কুনিকপু লুচিংহন্দুনা থারম্মী। ঐহাক্না হায়বদগী বাতিকাম্বু অম্বাগা লোইননা চংখিরম্মী।"

"মতুংদা করি তৌখ্রবা?" দ্বৈপায়ননা মরক থংনা হংলকই।

মহারাণীনা মাগী থম্মোই অতু শোক্লা হায়রকই, "হে ঈশ্বর! শান্বনা অম্বাবু লুহোংঙ হায়বা য়াখিদ্রে। ঐদি গাঙ্গেয়গী মথুক্তা মাইথিবা ফংলবা মীশক অমা ওইরম্মী। অফোংবা লানফম অমদা মাইথিরবা ঐনা, য়েঙ্কবগী দান অতু লৌরবদি ক্ষেত্রিয় ধর্ম্মদা অকাইবা অমা লৈরম্মী হায়না শান্বনা কুনিজ্জা হায়রক্লম্মী।"

"অতুদগী?" দ্বৈপায়ননা হংলকই।

"অরাবা অমগী মতুংদা অরাবা অমা ইন্নরক্লম্মী," মহারাণীনা তেংথানা হায়রকই। "অম্বানা শাওবা হৌনবা মথৈ শাওদুনা হস্তিনাপুরদা হল্লক্লম্মী। গাঙ্গেয়না মাগী পুন্সি মাংহনবনি হায়দুনা লমন খুম্বা ওইনা, মাগা লুহোংদুনা লৈমিন্নগনি হায়রক্লম্মী।"

"হে ঈশ্বর!" দ্বৈপায়ননা মরু লুকথরগা লাই শেল্লম্মী।

"গাঙ্গেয়না, মঙোন্দা অমস্তুং ঐঙোন্দা অম্বানা চৈ থাংবা পুন্নমক অতু রারোবা তৌদন, ঐহাক্তি পুন্সি অসিমগী য়ুম পাল্লরোই হায়দুনা ৱাশকখ্রে, মরম অদুনা নহাক্না বিচিত্রবীর্য্যদা নত্রগা অতোপ্পা মতিক চাবা মীশক অমদা লুহোংনবা তৌসি হায়না অম্বাদা হায়জরম্মী।" মমিত্তুগী মপিশিং অদু তেথোক্লগা মহারাণীনা অমুক মখা তানা হায়রকই, "ঐহাক্তসু মঙোন্দা, মহাকপু ঐগী ইচানুপী অমগুম্না হস্তিনাপুর অসিদা থম্লগে, কুরুগী নিংথৌমচানুপী অমগুম্না ননিং তৌনা লৈরগা, মহাক্না অপাম্বা নিংথৌনচানুপা অদুদা লুহোংবিগে হায়নসু হায়জরম্মী। মতুদসু মহাক্না য়াবা কৌবা অদুতা মরৈখিদ্রে। মঙোন্দা নুপী অমগী মতৌগুম্বা অতু লৈখিদ্রে, মৈগী চীংগা চপ মান্নখ্রে, অকন-অকনবা অমস্তুং অথি-অথিবা ৱাহৈশিং ঙাক্তা, ঐ

অমস্থুং গাঙ্গেয় অনিগী মথক্কা চৈ-থাংহুনা লৈবতনা মহাক্কী অপেনবা অহু ওইরম্মী। মতুংদা মহাক্কা মাগী মমা পোকপা মবুথৌ হোত্রা বাহনা, হিমালয়দা লাইনিংহুনা লৈরিবা অহুগী মনাক্তা থিনবিয়ু হায়না হায়রক্লম্মী। অহুদা নত্তনা মহাক্কা গাঙ্গেয়গা লুহোংলগা লুহোংলে নত্রবদি মহাকপু হাংহনগনি হায়নস্থু কিহল্লম্মী।"

"ওস্থোকপা মুপী হায়বহুনি!" অসি হায়রগা দ্বৈপায়ননা হংলকই, "ইমানা মহাক্কা হায়জবা অহুদি পাংথোকপিগ্রব্রা?"

"মহুনত্তনা অতৈ অতোপ্পা উপায় অমতা লৈরমদে," মহারাণীনা স্বর শাংনা হোন্দোকচরগা খুম্লকই।

"মন্ত্রি কূনিক অমস্থুং বাতিকা মথোয় অনি মহাক্কা লোয়ননা চৎমিন্নগ্রব্রা?" দ্বৈপায়ননা হংলকই।

"চৎমিন্নখ্রে।" মহারাণীনা খুম্ললকই। "বাতিকাদগী ঐহাক্কা ইকোন কোন্না ফংলকপা পাওদি মথোয় হৌজিক ঋষি সাইখ্যবত্যাগী আশ্রমদা লৈরি হায়বসিনি। মফম অহুদা অম্বাগী মবুথৌ হোত্রা বাহনা অহুস্থু লাক্কুনা লৈমিন্নরে হায়রক্লম্মী। অহল অনি অহুনদি অম্বাবু মাগী রাখল অহু হোংনবা কন্না তক্লবিরি হায়বগী পাওস্থু ফংলম্মী।

"জাবাল্লীয়াদি করম্বা মতমদা হল্লকপা য়াই হায়না ইমানা খনবগে?"

"মহাক য়াম্না থুনা হল্লক্লগনি, অহুবু ফিভম অসিদি য়াম্না হেন্না ফত্তবা মওংদা লাক্লম্মী," মহারাণীনা কপ্পা হায়রকই।

"হৌখিবা চয়োল অহুদা শক্তি চাউরবা পরশুরামগী পরুব্রা

অক্রুতবর্নন। হস্তিনাপুরদা মাগী গুরুগী পাও পুতুনা লাক্লম্মী। মসিনা তাকপদি, অম্বানা পরশুরামগী মফমদা রাগি পুম্নমক শোইদনা তৌরম্মগনি। গাঙ্গেয়দি পরশুরামগী পক্লরা অমনি হায়বসি নংনা খংলিবা অহুনি," মমা মহারাণীনা হায়রকই।

"গুরুগী পাওদি করি হায়না হায়রকই ?"

"পাও অহুদি—রাইহ্ অমতা চিংথদনা তমগে --'থাশিগী মতু' পানথংলকপা নিনি চনবদা ঐহাক্না মহা অথর্ব্বানগী আশ্রমদা অথর্ব্বান জাবাল্লী মশামক উনবা লাকনি। মফম অহুদা নংগা ঐগা উন্নসি, নংনা মপুন্সি মাংহনবিববা অম্বাবু লুহোংনবা থৌরাং তৌহুনা লৈরম্মু, নক্লগনা লান তৌনবা শেম শাজরম্মু।" অসি হায়রগা মহারাণীনা তুথখিরম্মী।

"গাঙ্গেয়নদি পাও অহু ময়েক শেংনা খংগ্রব্রা ?" দ্বৈপায়ননা হংলকই। মহাক্না মপুক্লিংদা মুংশা থিবা পোক্লম্মী।

"পাও অহু তশেংনা গাঙ্গেয়না খংগ্রে। ময়ুম পান্দনা লৈগে হায়রগনা গাঙ্গেয়না মাগী রাশক থুগাইদবা, অহুগা অমরোমদনা মাগী গুরুগা ওনশিন্নহুনা লান থেংনরগা মথরাই থাবা অসিতনি। কৃষ্ণ, অমা অমবু ওইরবস্মু, হস্তিনাপুরনা মাংবদি শোইদ্রবনি।" রাইহ্ খরসি হায়রগা মহারাণীনা রা মখা তাবা ওমদনা লৈজরম্মী।

"অমুক মখা তানা রা হায়বিরগনু ইমা," দ্বৈপায়ননা হায়রকই। "নিংথৌমচা গাঙ্গেয়না শিগ্রবদি মখোয় মশেলগী লান্দা কুরু শাগেনা তুম্বদি শোইদ্রবনি হায়বসি ঐহাক্না উবা ফংলে। বিচিত্রবীর্য্যনা

অশোনবা অমা ওইবতা নত্তনা, কুরুগী অচম-অথৌশিংগম্ তিন্নবা হৈতবনিনা মহাক্না ফিভমশিং অতুবু লাকশিনবা ঙম্বগী য়া লৈতে।"

"ভুংগী য়া অসিদি অমম্বগী মশক্নি," মমানা হায়রকই। "ধর্ম্মগী অচৌবা দলান অমা ঐখোয়না শাগংলকপতু, শোইদনা কিন্থগ্রগনি।" অসি হায়বগা মহারাণীনা মপিশিং অতু তৈথোকচবম্মী।

"কৃষ্ণ, নংদি ঐখোয়না কল্লীদা লৈরিঙৈগী হুংঙাইবা মতম অতু কাওথ্রব্রা? ঐহাক্না নংবু ইরোইবা তৈনবা হায়তুনা তুবেন্দা তাশিন্নতুনা ইকপ্পা মতমদা নংনা নুংশাথিবগা লোইননা ইকপ্তুনা লাক্লগা ঐবু কল্লবদো নিংশিংলিব্রা?" মমানা য়ারবা মতম অসিদা কল্লীগী য়াবু নিংশিংলপা মতৌ অতু উবদা দ্বৈপায়ননা অঙাং অমা ওইবগী মিনোক্তা নোক্লগা হায়রকই, "মতুম্না ইমানা ঙসি তৌরিবসে—ইরাক্লবা শাবদগী, ঐনা নংবু ইকপ্তুনা কনখিবা মতৌ অতুগুম্না, হন্দকস্থ কল্লু হায়রিব্রা?"

মমা মচা অনিমক নোকমিন্নরম্মী। অতুবু নিংকুপ খরগী মতুংদদি মখোয়না অরাপা য়াখল অতুদা অমুক লাক্লম্মী।

দ্বৈপায়ননা য়াখল গুম্না তৌবগা হায়রকই, "পুকচেল চাউরবা গাঙ্গেয়না লৈখিদ্রবদা, ক্ষত্রিয় তেজগা ব্রহ্ম তেজগা অনি অসি পুম্না তিন্নতুনা থক লৈবা য়ারোই হায়বসি ঐনা উবা ফংলে।" মহাক্না ঙাইহাক য়াখল তৌরুরগা হংলকই, "নিংথৌমচা গাঙ্গেয়না মফম অসিদা করম্না মতমদা য়োৌরক্কনি?"

"গাঙ্গেয়না সুমিং হুম্নিগী মতুংদা মফম অসিদা শোইদনা লাক্কনি। মহাক্না করিগুম্বা হস্তিনাপুরদা অমুক হল্লক্তবা থোক্লবদি

হায়হ্না থবক শর়া শিন্দোক শিনজিন তৌহ্না লৈহৌবনি। মহাক্না তুমিন্না অমস্তুং চেঙ্কশিন্না থবক পুন্নমক তৌবা হৌগ্রবনি। মহাক্না কম্নিগুম্বা শিগ্রবদি হস্তিনাপুরগী শক্তি পুন্নমকস্তু অহুম য়াওগ্রগদবনি” মমানা হায়রকই।

মমা মচা অনিমক ব্রা অমতা ঙাংনদনা তুমিন্না লৈরম্মী মতুংদা দ্বৈপানা নোংথক্তা য়েংখৎলগা হায়রকই, ‘‘ব্রাকুগনু ইমা, পুন্নমক ঈশ্বরগী মফমদা শিন্নথোকপিগ্রো। ঐখোয়না থোকহন্নিংবা অপাম্বা অহু থোকউ হায়বা য়ারোইদৌরে, ঈশ্বর ইবুংঙো মাগী অপাম্বা মতুং ইন্না তৌরক্লসনু।”

হুন্নি শুবা মুমিত্তা গাঙ্গেয়না মাগী লানগী দোলাই অহু তোংহ্না, অতৈ কূরুগী দোলাই তোংবা মহারথী খরগা লোইননা পরাশর আশ্রমগী কোম্ব্রোংদা য়ৌরক্লম্মী। দ্বৈপায়ননা গাঙ্গেয় অমস্তুং মাগী কাংবুবু য়াম্না নিংথিজনা ওকপগী থৌরম অহু পাংথোক্লম্মী। গাঙ্গেয়না দ্বৈপায়নগী মফমদা মকোক নোম্না খুরমজরম্মী।

গাঙ্গেয়গী মায়থোং লাংশিল্লি, মচিনবানশিং মকশিল্লি অমস্তুং মমিংশিং অহু খুইজিন্না অমস্তুং শুক্তোক্না পাংলম্মী।

দ্বৈপায়ননা গাঙ্গেয়গীদমক্তা শেমহ্না থম্নৌবা খাংপোকশং অহুদা লমজিংহ্না মহাকপু পুশিল্লম্মী। গাঙ্গেয়না মফি-মরোল হোংদোক্লুনা মাগী লানগী খুৎশু-খুৎলাইশিং অহু মফম চানা থমজিল্লম্মগা দ্বৈপায়নগা লোইননা, মমাগী মনাক্তা মমাবু খুরম্বা চৎমিন্নরম্মী।

সত্যবতীগী মনাক্তা চংহ্না মখোয় অনিনা খুরম্মগা মমাগী

মনাক্তা লৈরিবা ফিদাশিং অহুদা দ্বৈপায়ন অমস্তুং গাঙ্গেয় অনিনা ফম্লম্মী। মতুংদা গাঙ্গেয়না মখোয় পুন্নমক্কী পোংলুম ওইরিবা য়াফম অদু হৌদোরকই, "বালমুনি, ইমানা থৌদোক-য়াথোকশিং অদুগী মরমদা নঙোন্দা য়ারি শাখ্রব্রা?"

"অহোয়, শাখ্রে," দ্বৈপায়ননা শমজিন্না থুম্লকই। "নংনদি করি তৌগে খনবিরি?"

গাঙ্গেয়না মতিল য়োংথরগা হায়রকই, "ঐগী লম্বীদি তশেং তশেংলে। ঐনা ঐগী য়াশক থুগাইদুনা লুহোংবগী থবক লৈতে। ঐগী গুরুনা হায়বা ইন্নবগীদমক্তা ঐহাক্তা য়াশক থুগাইবা তৌরোই।"

"গাঙ্গেয়............" সত্যবতীনা য়া ঙাংগে তৌবদা স্বর ফুনগংলক্তুনা য়া মখা তাবা ঙম্লমদে।

"ঐগীদমক্তা য়াবিগনু ইমা," গাঙ্গেয়না হায়জরকই।

"নংগী নপুরিং অদু ঐনা খংঙি গাঙ্গেয়," সত্যবতীনা হায়রকই। "নংদি অচুম্বগীদমক্তা নথরাই কৎথোকপা ঙম্বনি। শিরবস্থু নংগী মিংচত্তি জগৎনা শোন্নহৌরগদবনি। য়াশক ঙাকপনা অথোইবনি খন্দুনা নথরাই ফাওবা থাদোকপা ঙম্বা নংগী লৈফমদি স্বর্গদা মৈবুনগুম্ন লৈরম্মগদবনি। অদুবু নপা ইবুংঙো নিংথৌরেন্না নংগী নতেং লৌদুনা শেমগৎলম্বা ধর্ম্ম অসিদি কমদৌহৌগনি? জগৎ অসিদি মাংগ্রগনি।"

"ঐনা ঐগী য়াশক্তি ঙাক্রুগা মতৌ করম্না ঐনা অচুম্বগীদমক্তা লেপ্পা ঙমগনি?" গাঙ্গেয়না ইচম চম্না হংজরকই।

সত্যবতীনা করি পাওথুম পিগদগে হায়বদু খংজদনা, মমিত্তা মপি শিম্থনা লৈজরম্মী।

ভার্গব পরশুরাম্না ধর্ম্মক্ষেত্রদা লাকনি হায়বসি মথং মথং শন্দোকখিত্নুনা মাইকৈ পুন্নমক্তা শিন থুংলম্মী।

মহাক (পরশুরাম) অসিম্নু লাইগী শাইওন্নি হায়না হায়নরম্মী। কনাগুম্বা মখোয় থরনদি লাইশিংগী লাই ওইবা শিব মহাদেব অত্নুমক্তি হায়ত্নুনা পূজা তৌনরম্মী। সহস্র অর্জ্জুন্না হাংখিবা মহামুনি জামদগ্নিনা পোকপনি। পরশুরাম্না মপা হাংখিবগী লমনশিংবা ওইনা আর্য্যাবর্ত্ত অসিদা কুনমাথোইরক হন্না লান তৌত্নুনা ক্ষত্রিবা ক্ষেত্রিয় নিংথৌশিংবু হাংলম্মী। আশ্রম কয়া, খুঙ্গং কয়া অমম্নুং মুনি ঋষি কয়াবু সহস্র অর্জ্জুন্না মৈ থাত্নুনা মাংহনবা অমম্নুং হাংপতা নত্তুনা মুপীশিং কয়াগী ইজ্জংপুম্নু মাংহনবিখিরম্মী। পরশুরাম্না ক্ষত্রবা নিংথৌ অসিবু মাগী শাগৈ-নাতৈশিং অমদি হৈহয় লাম্মীশিংগা লোইননা পুল্লপ কুরুক্ষেত্রগী লানফমদা হাত্নুনা, মখোয়গী ঈ-শিং অত্নুনা সমন্তক পাংশিং অত্নু পাথোকহল্লম্মী। মহাক অসি অঙকপা অমম্নুং অকিবগী মশক ওইবা অঘোরী বিদ্যাবু নিংথিনা হৈবা মীশক অমনি হায়না হায়নরম্মী।

মহাক্না আর্য্যাবর্ত্ত পুন্নমক্কী মপু ওইরবম্নু, ব্রাহ্মণ অমা ওইবনা মাগীনি হায়বা পোৎশক অমতা থনমদে। মরম অত্নুনা মহাক্না জয় তৌবা লৈবাকশিং পুন্নমক অত্নু মাগী মাগী ফংফম থোকপা মচা মশুশিং অত্নু থিরগা অমুক হন্না পিথোকপিরম্মী।

মহাক্না চহি খুদিংগী আর্য্যাবর্ত্তগী আশ্রমশিংদা কোয়না চত্নুনা তম্বিবা তাকপিবা য়াবা মহৈ মশিং আশ্রমগী মীশিং পরুম্নাশিং অত্নুদা তম্বি-তাকপিরম্মগা, মাগী মপা মহর্ষিগী আশ্রম লৈরম্বা কুরুক্ষেত্রদা

হেক হেক লাক্লুনা মপা মহর্ষিগী খুভমদা লৈগু কৎলম্মী। করিগুম্বা মতমদনা মহাক্কা মহা অথর্ব্বানগী আশ্রমদা মতম থরা পন্দুনা লৈরগা মবুধৌ মহা অথর্ব্বান ঋচিকী খুভমদা হৈ-লৈ কত্তুনা পূজা তৌরম্মী।

পরশুরাম গুরুনা মাগী আশ্রমদা লাক্কনি হায়বা পাও ফংবদা মহা অথর্ব্বান্না আশ্রমদা লৈরিবা ময়াম পুন্নমক অতুগ লায়ননা আশ্রমগী থোঙ্গান্দা অথেন-পোৎকা লোইননা গুক্কদবগী ভাইদুনা লৈজরম্মী।

মখোয়গী গুরুগী দোলাইনা পাইরক্লুনা আশ্রমগী থোঙ্গান্দা থুংলরবদা মহা অথর্ব্বান, গাঙ্গেয় অমস্তুং অতৈ পুন্নমক অতুনা দণ্ডবৎ তানা থুরম্নরম্মী। পরশুরাম্না দোলাইদগী চোংথরগা মহা অথর্ব্বানবু কোনখৎপিরগা মাবু থুরমদুনা লৈজরিবা গাঙ্গেয়গী মনগন্দা মথুংনা পোপ পোপ ফুতুনা নানবিরম্মী।

"নহাক লাক্লেদনা গাঙ্গেয়?" ভার্গবনা শাওনা নোক্লুনা হংলকই। "হয়েং অয়ুক ঐগা রারি শাসি।"

"গুরুগী য়াথং লৈবাক তাহনজরোই," গাঙ্গেয়না খুমজরকই।

মতুংদা পরশুরাম্না মহা অথর্ব্বান্দা ওনশিল্লগা হায়রকই, "জাবাল্লী, নংগী নচান্নুপী, কাশী নিংথৌমচান্নুপী অমস্তুং মখোয়বু শেন্নবা মন্ত্রি কূনিক য়োরক্লগনি। মখোয়বু ওকহল্লগা আশ্রম অসিদা পুরক্লবা মী থরা থাখো।"

"গুরুগী য়াথং পাংথোকচগে." মহা অথর্ব্বান্না খুমজরকই। মখোয়না চীংখোং য়োরবা মতমদা পরশুরাম গুরুনা ময়াম

অতুদা ওনশিল্লগা হায়রকই, “নগোয় পুন্নমক নখোয় নখোয়গী নথৌশিং অতু তৌজক্কদবা। মহা অথর্ব্বান্না ঐগী লোয়নবা ওইরসন্নু।”

পরশুরামন্না খোংকাপ অমানি থাংলগা মাগী মতুংদা লাক্লিবা গাঙ্গেয়দা ওনশিল্লুনা হায়রকই, “গাঙ্গেয়, নমা অতু মফম অসিদা লৈব্রা?”

“অহোই গুরুদেব,” গাঙ্গেয়না খুমজরকই।

“মাবুস্ন নংনা হয়েং লাকপদা লোইনরকউ,” অসি হায়বগা গুরুনা মহা অথর্ব্বান্দা হায়রকই, “জাবাল্লী, নংগী নচান্নুপী অসি ওন্থোক্লা শিংথ্রেদা। মহাক্কী মপুবোইবদি কদাইদা লৈ? মাগী মরমদা ঐহাক্লা বা য়াম্না তাবা ফংথ্রে।”

মনাক্তা লৈজরিবা দ্বৈপায়ননা মখুৎ লোন্নরগা হায়জরকই, “ননাই ঐহাক অসিদা লৈজরে গুরু।”

“নহাক পরাশরগী মচানি হায়বা?” গুরুনা হংলকই।

“অহোই গুরু” দ্বৈপায়ননা খুমজরকই।

“নংগী নুপী অসি যাম্না শিংথ্রে” গুরুনা নোকফেৎ তৌনা হায়রকই। “মহাক্কা ঐগ, সাইখবত্যাগী আশ্রমদা উনবা মতমদা মহাক্লা নংবু য়াম্না থাগৎনা হায়রম্মী।”

“অহোয় গুরুদেব। ইকাই খুন্নবদা মতিক চারবা অথর্ব্বানগী মচান্নুপীনা ঐগী অশোইবদি খংবা ঙম্বা হৌনদে” দ্বৈপায়ননা নোকফেৎ তৌনা গুরুগা মমিৎ চান্নরগা খুমজরকই।

“চেকশিল্লু, পরাশবগী মচা চেকশিল্লু,” গুরুনা মখুদোনবী

অহু দ্বৈপায়নদা উৎলগা হায়রকই। "লুনা তৌবী হুপীতনা মাগী মপুরোইববু মতম লৈবা থিবিক্তা অরাবতা পিবা ওম্বনি।"

দ্বৈপায়ননা মখুং অনি অহু লোম্নরগা খুমজরকই, "শুকদেব, মরৈ চাউবী হুপীতনা মপুরোইববু চুমথোকপা ওমজরমগনি।"

গুরু অমসুং মহা অথর্ব্বান্না মাগী পাওখুম অতুদা মথন্নাই তানা নোক্লম্মী। মখোয়না নোকপগী মতুং ইন্না ময়াম অহুমসু নোক্লম্মী।

"অঙাং নংনা হায়বা চুম্মী," গুরুনা হায়রকই।

মহা অথর্ব্বান্না লমজিংতুনা গুরুবু আশ্রমদা পুখিরম্মী।

২২ শুবা পন্দূপ

পরশুরাম গুরুগী ৱায়েন

মথংগী হুমিত্তা, অপুক্কী তৌফম থোকপা কর্ম্মশিং লোইববা মতুংদা শুমন্ত্রনা গাঙ্গেয়, দ্বৈপায়ন অমসুং মহারাণী সত্যবতীবু মহা অথর্ব্বান অমসুং পরশুরাম গুরুনা লৈবিগী মফম অদু তান্না পুরক্লম্মী। দাবীনা মহারাণীগী মতুংদা থোগল ওইনা ইনজবক্লম্মী। মখোয়না চংলক্লুনা গুরুগী মফমদা খুবমজবম্মী। গুরুনা মখোয়বু নাকল অমদা ফম্নবা ইঙ্গিৎ তৌবম্মী।

মহা অথর্ব্বানগী পরুরা অথোইবা শৌনকা, ভবাং ঋষিদাং-ৱাইবম আশ্রমদা থুংলবা কাশী নিংথৌমচানুপী অম্ব, বাতিকা, মন্ত্রি কুনিক অমসুং অম্বাগী মমা পোকপা মবুধো হোত্রা বাহনাবু পুরক্লুনা গুরু অনিগী মমাংদা চংঙক্লম্মী।

অম্বা অসি ৱাং-চাউনা অমসুং চুং ফিৱান চানা ফজবী নুপী অমা ওইবম্মী। অদুগীসু মথক্তা নিংথৌগী মচানুপী তস্ফাসনসু ওইজরিবীনি। মথৱাই অদু চাকখিবনা মশম মনা পুন্দনা ইফা ফানা, মমাংদা অমসুং মতুংদা চোইজাইনা তারম্মী। মচিং অনি অদু ঙাংশং ঙাংলম্মী। মমাই অদুনা ইপোম পোমথংনা উরম্মী। গাঙ্গেয়না গুরু পরশুরামগী মনাক্তা ফমদুনা লৈবম্বা অদু উবদা অম্বাগী মশা অদু থক থক নিক্ক শাওরম্মী। মহাক্না গাঙ্গেয়দা শংত্রিক য়েংদুনা চাথোক্লগে মতাগুম্না লৈবম্মী।

"গুরুদেব," অম্বানা খংলাও লাওনা পরশুরাম গুরুদা হায়জরকই, "ফম্লিবা নুপা অদুননি ননাইগী পুন্সি মাংহনবিখ্রিবা অসি।" অম্বানা গাঙ্গেয়দা খুদোনবীনা ি ল্লগ মখা অমুক তানা হায়রকই, "মহাক্না ঐগী পুন্সি মাংহনখ্রে, ইয়ুম ইকৈ লৈহনদ্রে – শাল্বগা লোইননা লুহোংবগী খুদোংচাবা অদুসু মাংহনখ্রে—ঐগী আশা পুম্নমকসু থুগাই-বিখ্রে সংসার অসিদা মাংজরবী অমা ওইন ঐহাকপু শেম্বীখ্রে।"

পরশুবাম গুরুনা ইঙ্গিৎ অমা তৌদুনা অম্বাবু ফম্নবা খংহল্লগা হায়রকই, "নিংথৌগী মচানুপি তপথখো। ঐনা রায়েন চুম্না খুদক অসিদা তৌগনি।"

অম্বাগী অশাওবদু খবা খর নেমথবক্লম্মী। "গুরুদেব মহাক্কী মবানগী লমন খুম্বা অমা ওইনা ঐহাক্না মহাক লোইননা লুহোংবা অদু পামজৈ," অরোইবগী রাহৈশিং খরা অসিদি মখোল অদু হিক্লা হিক্লা হায়জববা মতুংদা মহাক্না রা রা লাওনা কপথোকখিরম্মী।

গুরুনা মখুৎ অদু থাঙ্গৎলগা হায়রকই, 'ইপাগী ইবেম্মা, নংগী অরাবগী রারি অদু নংনা হন্না হন্না লিচুনা ঐবু তাইনখ্রে। ন,না গাঙ্গেয়গী মরালগী প্রায়শ্চিৎ তৌবা পাম্বদু ঐনসু য়ারে।" গুরুনা গাঙ্গেয়দা ওনশিল্লগা হংলকই, গাঙ্গেয়, ন,না অম্বাবু করিগী লুহোংলোইদৌরিবনো ?"

গাঙ্গেয়না মখুৎ অনি অদু লোল্লদুনা য়াম্না ইকাই খুম্নবগা লোইননা হায়জরকই, "অচুম্বনি গুরুদেব ননাইনা কাশীগী নিংথৌ মচানুপীবু স্বয়ম্বর সভাদগী ফাদুনা পুরকপনি হায়বসি। ক্ষেত্রিয়-শিংগীদি, স্বয়ম্বর সভাদগী কন্যাশিংবু কাদুনা পুবা হায়বসি অরানবা

থবক্ক নত্তে হায়বসি গুরুদেবনা হেন্না খংবিরিবনি। ঐখোয়না মহাকপু হস্তিনাপুরগী মহারাণী হাপচনিংবনি অদুবু মহাক্না বিচিত্রবীর্য্যপা লুহোংও হায়বা য়ারমদে। মহাক্না শাম্ব নিংথৌগা লুহোংবা পায়রম্মী। সরম অদুনা ঐখোয়না মাবু কৃষ্ণ নিংথৌগী মচানুপী অমগুম্না অউন-পোৎশিংগা লোইননা শাম্বগী মফমদা থাজরম্মী। অদুবু শাম্ব নিংথৌ-নদি য়াবিরকখিদ্রে। মতুংদা ইকাই খুম্নবগী মশক ওইরবী ইমানা .. ।"

মতম অসিদা অম্বানা মকহি থোক্না লাওরকই, "ইকাই খুম্নবগী মশক ওইরবী ইমানা তশেংন।" মহাক্কী মমাই অদু শাওমনখিবদগী ইডাং ডাংশিন্না মখা তরকই। 'ঐনা হৌজিক্তি মাবু খংলে, মহাক্তি যাদু হৈবী নুপী অমনি, ঐগী অরাবদ, তারিবা পুম্নমক অসিগী মরুদি মহাক্তি।"

অম্বানা অশাওবগা লোইননা ফুক হৌগত্তুনা মাগী মফি-মরোল অদু শেমজিল্লগা মহারাণীদা খুদোনবী থিন্দুনা মখা তানা হায়রকই, "মহাক অসি ফত্রবী নুপী অমনি গুরুদেব। ঐহাক্না মাগী মমিংশিং অসি ফাওবা কোৎথোকপা ঙমগনি .. .. .. ।"

তিল্লিবা মী খুদ্দিংমক্না অম্বাগী অশাওবা মতৌ অদু উবদা রাদবা ওম্নরমদে বাত্তিকানা মাগী মফমদগী হৌগত্তুনা মহারাণীগী মনাক্তা, চেকশিন-থৌরাং ওইনা, চংশিন্দুনা ফমজরম্মী।

"ন'না মাগী মমিংশিং অদু ঐখোয়না কুরুক্ষেত্র থাদোক্কুনা চৎখ্রবা মতুংদা কোৎথোকপা য়াগনি," গুরুনা রা রা লাওনা নোক্কুনা হায়রম্মী। মতুংদা গুরুনা অম্বাবু মাগী ফমফমদা ফম্নবা ইঙ্গিৎ তৌরগা হায়রকই, "তুমিন্না লৈখো ইবেম্মা।"

"ঐনা করিগী তুমিন্ন লৈগদৌরিবা? মহাক অসিনা ঐগী খ্বাইদগী হেন্না য়েক্লবা মুপী অদুনি মহাকী রাখল ফত্তবা গাঙ্গেয়গী মফমদা লৈ," অম্বানা শাওনা হায়রকই।

মহারাণীনা অরাবা ইপাক্লা তারম্মী। মহাক্লা অসিগুম্বা ফত্তবা মীচৈ অসি মমাংঙৈগী মতমদা অমুক্ত তাজখিদ্রি। "ঐহাক্লা কনাগী মফমদসু অরানবা তৌখিবা থক লৈখিদে," মহাক্লা মপুক্লিংদা অরাবগা লোইননা মুরুম মুরুম শোনজরম্মী।

"নহাক্কনা ঐগী লম্বীদা অপনবা অদু থোকহল্লিবনি," অম্বানা লাওরকই। "ঐনা নংগী মরমদা লোইনা খংডি। নহাক্লা নিংথৌরেন শান্তনুগা লুহোংবা মতম অদুদা নহাক্লা গাঙ্গেয়বু মুপী থিরোই হায়না নমদুনা রাশকহনখিবা নত্রা?'

রাহৈশিং অদু তাবদা মহারাণী সত্যবতীনা খাংবা ঙমদদুনা রা রা লাওনা কপথোররম্মী। বাতিকানা মখুৎ তিংথোক্লুনা মহারাণীবু কোনশিল্লম্মী।

"মাগী যাদু বিদ্যা," অম্বানা মখা তানা হায়রকই, "গাঙ্গেয়গী মফমদা থাজিল্লগা মহাকপু (গাঙ্গেয়বু) মাগী মীনাই ওইহল্লিবা অসিনি।" অম্বানা রাহৈশিং অসি হায়বা মতমদা মকন্থি থোক্লা হাংমনখিবদগী মাগী রাহৈশিং অদু মরি অমতা শম্নরমদে। "যাদু হৈবী অসিনা গাঙ্গেয়বু মাগী রাশক অসি থক থুগাইহল্লোই।"

গাঙ্গেয়না শাওখিবদগী মথিং অদু ঈ কারম্মী; অদুম ওইনমক মহাক্লা মপুক্লিং ফাজিল্লগা হায়রকই, "গুরুদেব, ননাই অম্বানা ইমাগী মথক্তা শিরিবা মরালশিং অসি চুমদবনি, মতিক চাদবনি,

থু ঙাক্তনি। ইমানা ঐবু লুনা-চান্না তৌবিবদি ঐবু হেক পোকচবী ইমানা তৌবদগী হেন্না তৌবিরম্মী। ইমানা ঐহাকপু ঐগী রাশক থুগাইরগা কাশী নিংথৌমচান্নুপীগা লুহোংনবা হন্না হন্না তকুরিবনি হায়বসি অম্বা মহাক্কদি থংবা নত্তে।"

"করম্বা মমা অমা, করম্বা মচা অমা!" অম্বানা নোক্লবা ওইনা লাওনা নোক্লগা হায়রকই। "মহারাণী সত্যবতীনা থংডি মতুদি গাঙ্গেয়না ঐবু লুহোংতুনা লৌরবদি, ঐনা পোক্লকপা ইচান্নুপা অতুনা নিংথৌরেন ভরতকী সিংহাসন মুনথিগনি, মাগী মচানা করিমতা ওইহৌররোই হায়বসি। লাইশিংনদি মাবু রারকপিগ্রবনি। মহাক্কী মচান্নুপা অমা হাৎপিখ্রে; অতোপ্পা অমা অসিসু মপা মপুশিংগী খুভমদা য়াম্না থুনা য়ৌগ্রগদবনি।"

গুরু পরশুরাম্না ইঙ্গিৎ অমা তৌতুনা অম্বাবু মাগী ফমফমদা অমুক হন্না ফমহল্লগা গাঙ্গেয়দা ওনশিন্দুনা হায়রকই, "সত্যবতীনসু অয়াবা পিরবদি নংনা নংগী রাশক করিগীদমক্তা থুগাইনিংদ্রিবনো?"

গাঙ্গেয়না মিংকূপ অমানিদং মরু লুকথতুনা লৈরুরগা হায়জরকই, "গুরুদেব, ননাইদগীদি গুরুনা হেন্না খংবিরিবনি মতুদি কনাগুম্বা অমনা মাগী শকগ্রবা রাশক অতুবু থুগাইরবদি, মহাক্না শিবদগীসু হেন্না ফত্তে হায়বসি। মহাক্না মতোম্মতা শিজবগী পাপ অতু ফংজরবনি। ঐগী রাশক অসিনা ঐগী ইপুন্সি অসি ওইরি। অহিং মুংথিল অনিমক্তা ঐনা ঐগী রাশক অসি থুগাইগদ্রা থুগাইরোইদ্রা হায়বগী রাখন্দা লানথেংনতুনতা লাকচরক্লি, অতুগা মীওইবগী মতৌ অসিনসু মহৌশানা য়াম্না শোনবা অমা ওইবনা, ঐবু অরানবা

মাইকৈদা চিংশিন্নবা কন্না হোৎনরকই, অদুবু ননাই ঐগী রাশক অসিনদি, ননাইগী ইকাই খুম্নবগী মশক ওইজরবা ইপা নিংথৌরেন লাইশিং অমসুং ইপা ইপুশিংগী মফমদা শকচখিবা অমা ওইবনা, ননাইনা লাম্হোকচবা অদু ঙমজরমদে। রাশক অসি থুগাইবগী মহুত্তা ননাইগী থরাই মাংজখিবা অদুনা হেন্না ননাইনা পামজরে।"

অম্বানা গাঙ্গেয়দা তুক্কচবা মিৎয়েংনা য়েংলগা করেম্ননা নোক্নুনা হায়রকই, "য়েংবিয়ু গুরুদেব, অচৌবা ঋষি অসিদা!"

"ননাইনা রা খরা ঙাংজবা য়ানবা গুরুনা য়াথং পিবিগদ্রা?" দ্বৈপায়ননা নোল্লুক্না হংজরকই।

"উম, য়াগনি" গুরুনা খুম্লকই।

"চক্রবর্ত্তী ভবতকী রাজ্য অসিনা হিংবা অমসুং হিংদবগী রাফম অদু নিংথৌমচা গাঙ্গেয়গী মথুত্তা লৈবি," দ্বৈপায়ননা তপ্না অমসুং ঈংনা হায়রগা মখা অমুক তারকই, "গাঙ্গেয়বু ক্ষেত্রিশিংনা ক্ষেত্রিয় ধর্ম্মগী অরংবা খুদম অমা ওইনা পূজা তৌনরি। লৈবাক প্রজা পুন্নমক্না মাগী রাশক চেৎপগীদমক্তা অকিবা অমগা লোইননা ইকাই খুম্নবা উৎনরি। মহাক্না মাগী রাশক থুগাইরবদি মহাকপু প্রজাশিংনা লুনা কিনা অমসুং থাজনা নিংনরম্বদু মহাক মশানা মাংহনজবা থোক্কনি, অদুগী মথক্তা মহাক্না কন্না হোৎনদুনা ক্ষেত্রিয় তেজগা ব্রহ্ম তেজগা অমতা ওইনা তিন্নদুনা লৈরিবা অসিসু থুগাইবা থোক্কুনা, তিন্নবা য়াবক্লরোই।"

পরশুরাম্না দ্বৈপায়নগী রাশিং অদু মপুক্কিং চংনা তারম্মী।

দ্বৈপায়ননা অমুক মখা তানা হায়রকই, "ঐহাক্না করিগুম্বা

নিংথৌমচা গাঙ্গেয় ওইরম্লবদি, ঐহাক্না ৱাশক অদুবু কৈদৌনুংদসু থুগাইরম্লোই। অদুগা ঐনা নংগসু লাম্থেংনরোই মরমদি নংদি ঐগী গুরুনি। লম্বী অনি অসিতনা ধর্ম্ম মাবু ঙাকপা হায়বদু ওইগনি। অম্বাগী পুন্সি অমসুং ধর্ম্মগী ওইবা পুন্সি অনিগী মরক্তা অপাম্বা অদু থনবনি," দ্বৈপায়ননা হায়জরকই।

মহারাণী সত্যবতীনা মপিশিং অদু তৈথোক্লগা হায়জরকই, "ঐহাক্না অম্বাদা মহাক্না অপাম্বা অমা খল্লগা হায়য়ু হায়জবনি। মহাক্কী অৱাবা পুন্নমক অসিগী মরু অদু ঐহাক্কি হায়না মানা খল্লবদি, ঐহাক্না ঐগী থৱাই অসি থাদোকখিবা অদু পামজরে।"

অম্বানা মরক থৎনা মহারাণীদা লাওরকই, "ঐহাক্না নংগী নথৱাইবুদি পামদে। গাঙ্গেয়না ৱাশক অমনা পুন্দুনা লৈগ্রবনিনা, ঐহাক্সু ৱাশক অমা লৌরি, মতুদি মহাক্না ঐবু লুহোংলগা লুহোংলে নত্রবদি মহাক্না শিবদু ঐনা উগনি।" মহাক্না মহারাণীগী মফমদা থানা য়েংলগা অমুক হায়রকই, "ঐহাক্না নংগী পুন্সিগা মরি অমতা লৈনদে।" মতুংদা মহাক্না গুরু পরশুরামদা ওনশিল্লগা, "মুপী অসি ....।"

গুরুনা অকনবা ৱাহৈনা থাম্লগা,....... "ইকাই থুম্নবগী মশক ওইরবী মমা—মদুনি মহাক অদু।"

"মহাক্কী মরৈ অমা লৈ মতুদগী খোইহিগুম্বা ৱাহৈশিং ঙাক্তা থোরকই......," অম্বানা ঙাংবা হৌরক্লম্মী।

"গাঙ্গেয়," গুরুনা মরক থৎনা হায়রকই, "নংনা নংগী নশামক্কী ৱাশক অদু শোইদনা থাদোক্লো। হৌজিক্তি থবক থৌওংশিং

অতু হোংখ্রে। নংনা রাশকপগী মরম পুন্নমক অতু থুংখ্রে। সত্যবতীগী মচান্নুপা নিংথোরেন্না কাশী নিংথৌমচান্নুপী অনিস্নু লুহোংলুনা লৌখ্রে।"

মতম অসিদা অম্বানা রা ঙাংলক্কে তৌবদা গুরুনা মখুৎ থাঙ্গতুনা থিংলম্মী।

"গাঙ্গেয়, ঐহাক্না অম্বাগী মফমদা রায়েন বিচার চুন্না তৌগনি হায়দুনা রাশকথোকখ্রে। ঐনা মাবু লুহোংদুনা লো হায়বা অসিদা নংনা য়াদ্রবদি নংগা ঐগা খুৎ থোক্নবা হায়বতু তারে, ঐনা হায়রিবসি করিনো হায়বতু নংনা খংলরিনি," গুরুনা হায়রকই।

"ননাইনা মতুবু নিংথিনা খংজৈ গুরুদেব," গাঙ্গেয়না হায়জ্জবকই। "ননাইনা গুরুদেবগী সেবা তৌদুনা চহি তরানিথোই লৈজরকপতু অরেম্বদা লৈজরকপা নত্তে।"

"অতুদি নংনা নংগী রাশক অতু থুগাইররোই অসি নত্রা ?"

"গুরুদেবগী য়াথং লৈবাক মখা তাগ্রগনি হায়না থনজবদা ননাইগী থম্মোই অসি শোকখিবনা অরাবা ওইজরম্মী," গাঙ্গেয়না হায়জরকই।

"নং ঐগদি লান তৌগদ্রা ?" গুরুনা নোক্না নোক্না হংলকই।

গাঙ্গেয়না মাগী গুরুগী মফমদা ভক্তিগা লোইননা য়েংজরগা হায়রকই, "নত্তে গুরুদেব, ননাইনা ঐগী রাশক অতু ঙাকচগনি, অতুগা গুরুদেবনা অম্বাগী মফমদা রাশকখিবা অদুবু ঙাকপস্নু ননাইনা থোকহনজগনি, মরমদি, মতুনা ননাই ঐগী পুন্সিদগী হেন্না মমল য়াম্মী।

পরশুরাম গুরুনা মকোইশিং অদু মখুৎনা নাল্লম্মী।

"ঐনা ৱা খরা হায়জবা য়াগদ্রা গুরুদেব?" দ্বৈপায়ননা মখুং লোন্নদুনা হংজরকই।

গুরুনা য়াগনি হায়না ইঙ্গিৎ পীরবদা দ্বৈপায়ননা হায়জবকই, 'গুরুদেবগী মফমদা ৱাফম খবদং ননাই ঐহাক ফোংদোকচগে মতুদি, চক্রবর্ত্তী ভবতকী রাজ্য—আর্য্যাবর্ত্ত অসিমক নিংথৌমচা গাঙ্গেয়গী শক্তি অমসুং থাজবগী মখা পোন্দুনা লৈরি, মহাক্কী য়াথং অদুতনা মরু অমসু ওইরি! মহাক্তি অচুম্বা ধর্ম্ম অদুগা ওাক্নুনা মতম চুপ্পদা লৈ হায়দুনা মহাকপু ধর্ম্মগী শাইওন্নি হায়নসু হায়নবম্মী। মহাক্না মাগী মথরাই অসি থাব ফাওবদা মাগী ৱাশক অদুবুদি থুগাইবম্মোই।"

মহারাণী সত্যবতীনা অমুক হন্না হাযজরকই, "ঐনা অম্বাদা মহাক্না অপাম্বা অতোপ্পা অমা হায়বিয়ু হায়না হায়জবি। অদুগা ঐনসু হাযজগ্রে, ঐবু যাদু হৈবী নুপী অমনি হায়না খল্লবসু ঐহাক্কী পুন্সি অসি থাদোকচগ্রগে।"

"ঐগী অপাম্বদি গাঙ্গেয়গা ঐগা লুহোংবা অদুতনি," অম্বানা লাওরকই। "মতুতনি ঐগী অপাম্বদি, হেন্নসু পামদে, ৱাংনসু লৌনিংদে।" মহাক্না সত্যবতীদা থানা অমসুং শাওনা য়েংলম্মী। মতুংদা মহাক্না গুরুদা ওনশিল্লগা হায়বকই, 'গুরুদেব, গাঙ্গেয়না মাগী ৱাশক থুগাইয়ু হায়বা য়াদ্রে।"

"অদু ওইরবদি ঐহাক্না মাগা লান শোক্লগনি," গুরুনা হরাওবা মিনোক্তা নোক্লগা হায়রকই। গুরুগী ৱাখল্দা ৱাফম অসি থোইদোক্না লুনা খন্দ্রে হায়বদু তাক্লম্মী।

"ঐনা কিরিবদি কাশীগী নিংথৌ মচানুপীনা গাঙ্গেয়না শিগ্রবা মতুংদা লৈবাক অসিদা করি থোকহৌগদগে হায়বা থংদবা অতুনি," দ্বৈপায়ননা হায়রকই।

মহারাণীনা মরক থংনা হায়রকই, "ঐনা হায়জবিবা ৱাফম অসি কাশী নিংথৌমচানুপীনা য়াবিয়ু, মতুদি নংনা বিচিত্রবীর্য্যগা লুহোংলগা হস্তিনাপুরগী মহারাণী অদু ওইয়ু। মতুং অদুদগীদি ঐমা পুম্নমক অসিবু থাদোক্লম্মগ। বন্দা লাইনিংবা চংচগ্রগে।"

"নংনা তৌনিংব' তৌজখিবদা ঐনা থৌশাগদবা নত্তে' অম্বানা থৌওইদনা খুম্লকই।

গুরুনা মরক থংনা গাঙ্গেয়দা হংলকই, "গাঙ্গেয়, নংনা ঐগা লান শোক্কবা নত্তুন অতৈ ৱাখল অমত্তা লৈত্রেদনা?"

"ঐগী গুরুগা লান শোক্কবা! ওইথোক্তবনি, ওইবা য়াবোই," গাঙ্গেয়না থম্মোই শোক্না হায়জবকই। "ননাইনা হঙ্গংচরি, কাশী নিংথৌ মচানুপীগী মফমদা শকপিখিবা ৱাশক অদু ঙাকপিরো। শক্তি লৈবরা শীংজং, গুরুগী নাক্তা তাদুনা লৈরে। মতুবু লৌথংপিরে।। ননাইগী ঙক্না সিদা লৈজরে," অসি হায়রগা গাঙ্গেয়না গুরুগী নাক্তা চংশিল্লগা খুরুমখুদক কুন্দুনা মকোক্না গুরুগী মখোং শোক্না লৈরম্মী।

পরশুরাম গুরুগী মমিং অদুনা কুফেং কাফেংনা কুপ্পগা হৌনা নোল্লম্মী। মতুংদা মহাক্না মহা অথর্ব্বান্দা ওনশিন্দুনা হায়রকই, 'মহা অথর্ব্বান, মী খুদিংমক্না শিবা পামনরে। অম্বানা মৈল্লুংদা চোংশিন্দুনা শিবা পাম্মী। সত্যবতীনা শিবা পাম্মী। নিংথৌমচা গাঙ্গেয়না শিবা পাম্মী। দ্বৈপায়নসু মহাক্না শেমগং-শাগংচরিবা

ধর্মক্ষেত্র অসিনা চাউথংপা ওম্নক্রুবদি শিরগে হায়বস্মু য়ারি। অদু ওইরবদি, জাবাল্লীয়ানা মপুরোইবগী মমাং থানা শিজগে হায়রক্কনি।" অসি হায়রগা অমুক হন্না গুরুনা রা রা লাওনা হয়াওনা নোক্লরম্মী। "মহা অথর্ব্বান, নংগা ঐগা ঐখোয় অনিত্তা ঙাইরে হিংতুনা লৈবা শাম্লিবসি. ঐখোয়না শিগদবা মকশিল্লক্লবা অসিনা ওইবা ত্তাই।" অসি হায়রগা অমুকস্মু হন্না গুরুনা মমাই ঙাংশং ঙাংদ্রি ফাওবা নোক্লরম্মী। "মী খুদিংমক্না অশিবা লাইগা মুংশিনখ্রে। অদুবু জাবাল্লী নংদি করি তৌহৌরে" রাহৈশিং অসি হায়রগা গুরুনা জাবাল্লীদা ওনশিল্লকপা মতমদা, মহাক্তি ওস্থোকপা মওং অমদা লৈরম্বদু গুরুনা উরম্মী। গুরুনা রা মথা তাদনা তুমিন্না লৈরম্মী।

মহা অথর্ব্বান্না রা ঙাংদনা মমিং উইশিন্দুনা সমাধিদা লৈরম্মী। মী খুদিংমক্না হোংলক্লিবা মতৌ অদু উবদা তুমিন তুমিন্না লৈনরম্মী। মিৎকুপ খরগী মতুংদা মহা অথর্ব্বান্না লুম্নবা মখোন্না, স্বর্গদগী লাওথরকপগুম্না হায়রকই "অশিবা কৌবা লাই অদুনা ঐখোয় পুম্নমক্না মুংশিরবা মীশক অমা পুদুনা চৎখ্রে। কনাগুম্বা মীশক অমনা পাও অদু পুরক্তুনা চীং অসি কাখৎলক্লি।"

রা অদু তাবদা মহারাণী সত্যবতীগী মমাই মাইথোং অদু তাইফেং তাইরম্মী। মহাক্না মপুক্লিংদা মুংশা থিনা অমস্তুং নিংকোক নিংকোক তৌনা খন্দুনা লৈজরম্বা থৌদোক অদু চপচানা থোক্লক্লরম্মী। কপ্না অমস্তুং মখোল নিক্না মহাক্না মহা অথর্ব্বান্দা হংজরকই, "অশিবা লাইনা পুখ্রে তাকপিরিবদু কনা ওইরবনো?"

খুদক অতুদা মহা অথর্ব্বান্না সমাধিদা লৈরম্বদগী মহৌশা জ্ঞান্দা অমুক লাক্লম্মী। মহাক্না কনাগী মফমদা থৌদোক অতু থোকখিবনো হায়তুনা মাইথোংশিং অতু য়েংলম্মী। "কনাগুম্বা অমনা নখোয়দা পাও অতু তম্নবা চীং অসিদা কাখৎলক্লি। সূমন্তু চৎলু, পাও পুরকপা মীশক অতু ওকপিরু।"

তিল্লিবা মীয়াম অতুনা তুমিন তুমিন্না লৈনরম্মী।

সূমন্তুনা মপান্দা থোকপ্রগা মতম খরগী মতুংদা পাও পুরকপা মীশক অতুগা লোইননা অমুক হন্না লাক্লম্মী। মীশক অতুনা মুংশাম্বর থবেং থবেং হোল্লম্মী। মশা পুন্নমক উফুল-রাইফুলনা পুমকুপ কুপ্লম্মী। চীং কারকপদা রামনখিবদগী তিল্লম্মীবা ময়াম অতুগী মফমদা ইকাই খুম্নবা উত্তুনা খুরমগনি হায়বা ফাওবা কাওথোকখিরম্মী।

গাঙ্গেয়না মহাকপু উবা খুদক্তা, কুরুগী মকোক ওইবা লুচিংবা সূকেতুনি হায়বা খংতুনা কৌরগা হংলকই, "সূকেতু, করি তৌরে?"

খুদক অতুদা সত্যবতী মহারাণীসু সূকেতুদা ওনশিল্লগা হংলকই, "সূকেতু, করি পাও লৈ?" মহারাণীগী মমিত্তগী মপিনা মতুম মতুম চেম্থরক্লম্মী।

সূকেতুনা পাও অতু তমগে হায়তুনা "নিংথৌরেন...." হায়জরগা মখা তাবা ঙমদনা লৈজরম্মী।

নিংথৌরেন পল্লকপা তাবদা মহারাণীগী স্বর ফুনগংলক্তুনা মখৌরি পাইতুনা খাংজরম্মী।

সূকেতুনা মাগী পাখৎপা অতুনা হম্থরক্লবা মতমদা হায়জরকই,

"পুকচেল চাউরবা নিংথৌরেন অদু সিঁড়িদগী ওন্থরক্লুনা য়াম্না থিনা শোক্লে। পূজা ঔৌনিংঙাই মশক ওইরবা পুরোহিত, আচার্য্য বিভূতিনা ইকাই খুম্নবগী মশক ওইরবী মহারাণী অমসুং পুকচেল চাউরবা নিংথৌমচা ইবুংঙোগা অনিবু খুদক্তা হনবিরক্নবা হায়জরকই।"

"থংলে, থংলে, ঐনা থংলে," অসি হায়রম্লগা মহারাণী অদু রাম্থখিরম্মী। বাতিকানা মহারাণীবু মতম্বাক্তা পমখত্তুনা কোনশিল্লম্মী। সূমন্ত্‌না চেন্দুনা ঈশিং লৌরুরগা মহারাণীগী মমাইদা অমসুং মমিত্তা চাইশিন্দুনা লাইকন্নরম্মী।

ভাইহাক লৈরবা মতুংদা মহারাণীনা মমিৎ পাংথোরক্লুবসু জ্ঞান্দি মপুং ফানা তারমদে। দ্বৈপায়ন অমসুং বাতিকা অনিনা শৌগত্তুনা হৌদি হৌগৎহল্লম্মী।

দ্বৈপায়ননা গুরুগী মফমদগী নখোয় চৎচখিবা য়ানবা য়াথং অদু লৌজরম্মী।

"নখোয় চৎখিবা য়ারগনি, অতুগা ঐনা হায়গদৌরিবা রাক্ষস অসিদি নখোয় পুন্নমক মুন্না তাখো," গুরুনা য়াথং অমগুম্না হায়রক্লম্মী।

তিল্লিবা ময়াম পুন্নমক অদুনা গুরুগী রা তানবা গুরুদা ওনশিল্লম্মী।

"নখোয় থরনা পংবদগী অশিবা লাইবু নখোয়না কৌরম্মী। হৌজিক্তি অশিবা লাই অদু লাক্নুনা মাগী অপাম্বা মীশক অদু পুথ্রে। গাঙ্গেয়গী পাপ পুন্নমক অতুসু অশিবা কৌবা লাইগী থবক অসিনা শেংদোকপিংখ্রে" গুরুনা হায়রকই। মতুংদা গুরুনা হৌগত্তুনা মখুত্তা মাগী খুৎলাই শীংজং পাইথংলগা মহারাণীগী মনাক্তা চংশিল্লম্মী।

"ওঃ গুরুদেব, মনাইগী পুন্সিগী থাওমৈ মুৎথ্রে" মহারাণী হিক্না হিক্না কপ্লুনা হায়জরকই।

"সত্যবতী, নংগী নচা শিথ্রে হায়দুনা লাইশিংনা নংগী নফমদা পিরক্কপা শিন্থাশিং অদু পাংথোক্লমদবা তৌগনু। নংগী নপুন্সি অসি মরুভূমিগা পাংথক ওইরে হায়বা ঐ থংই, অদুবু মতুদা মরম অমদি অতুম য়াওদুনা লৈরি। চক্রবর্ত্তি ভরতকী মচা মশু মথং মথং লাক্কুনা পাল্লখিগনি। নখোয়গী নপুন্সিদগী ধর্ম্মনা হেন্না মরু ওইবনি," গুরু পরশুরাম্না হায়রকই।

অম্বানা য়া ভাংগে তৌরকপদা গুরুনা মাবু থাম্লগা হায়বকই, "অম্বা, গাঙ্গেয়না নংবু লুহোংঙ্ হায়বা য়াদ্রবনিনা, নংনা সত্যবতীনা হায়জবা, কুরুগী নিংথৌমচনুপী অমগুম্না লৈয়ু হায়বদুদা য়ারো। অরাবদা তারবী সত্যবতীনা নংবু মচানুপী অমা ওইনা ফংজবা থোইদোক্না পাম্লমগনি।"

"নত্তে, নত্তে," অম্বানা শাওনা লাওরকই। "ঐনা নুপা অসিনা শিবদু উবা পাম্মী।"

গুরুনা অম্বাদা থানা য়েংলগা হায়বকই, "অদু ওইরবদি অম্বা, নংনা মৈমুংদা চোংশিন্দুনা শিবগা মথংগী মপোক অদুদা গাঙ্গেয়বু হাৎপা ঙমজরো। মৈ কৌবা লাইনস্নু নংগী নতেং পাংবিসনু।"

মতুংদা গুরুনা দ্বৈপায়নদা ওনশিন্দুনা, নংগী নথৌ পাংথোকপা ঙমজবা ওইয়ু হায়না আশীর্ব্বাদকা ববগা পুন্না পিবিরম্মগা মহা অথর্ব্বানগী মরেংবান্দা মখুৎনা পাইদুনা চংখিরম্মী।

২৩ শুবা পন্দূপ

গোধুলীদা ঐবু পুরো

নিংথৌ মচা দেবব্রতনা (গাঙ্গেয় অমসুং ভীষ্ম হায়না খংনথ্রবমি মরমদি গঙ্গা মাতানা পোকই হায়দুনা গাঙ্গেয় কৌনৈ অমসুং অঙকপা ৱাশক শকপা ঙম্মী হায়দুনা ভীষ্ম হায়না লাইশিংনা থোনবিখি) মাগী শঙ্গাই মাঙ্গোল অচোবা অদুদা হনগৎ-হন্দা চৎলম্বদগী লেপ্পুনা, গঙ্গা ভুরেন্দা ভক্তি তৌনা য়েংনা লৈরম্মী। গঙ্গানা মাগী মমা অশেংবা অদু ওইবনা, মাগী অৱাবা অমসুং থুদোংথিবশিং ময়াম অসি মাইয়োক্নবা ঙম্নবা মপাঙ্গল অমসুং মথৌনা অদু মঙেন্দা পিবিরকউ হায়না নিজরম্মী।

মহাক্না মহারাণী সত্যবতীনা কৌরকপা ঙাইদুনা লৈরম্মী। ইখং খংহৌদনা বীচিত্রবীর্য্যনা শিখিবা অসিদা মহারাণীগী আশা পুম্নমক কাইখিদুনা অৱাবা ঈপাক্লা, কাখৎপা ঙমদনা ঈরাক্লদুনা লৈরম্মী। উপায় লৈজদ্রবী মহারাণীনা ভীষ্মদা মাগী ৱাশক থুগাইদুনা নিংথৌ খুভম লৌ অমসুং ময়ুম পাল্লু হায়না, য়াম্না কন্না তক্করম্মী। মরমদি মহাক্না মদু তৌদ্রবদি, অহল লমন লাই ওইথ্রবশিং অদুগী পিণ্ডদান পিবিনবা কনা অমতা থিবা ফংঙোইদৌরি। ৱাখল অসি খন্নবা মহারাণীনা ভীষ্মদা হুমিৎ নিনিগী মতম পিরম্মী।

ভীষ্মনা মপাবুং নিংথৌরেম্না লৈখিদ্রবা মতুং অসিদা হস্তিনাপুর

অসিদা মথং মথং থোকখ্রিবা অরাবা থৌদোকশিং অতুবু উবা ফংলম্মী। মপাবুং নিংথৌরেনগী হাক্তক্তদি আর্য্যাবর্ত্ত অসিদা আর্য্য-শিংনা মকোক ওইন হিরম খুদিংমক্তা চাউখৎপা অতু ওইরম্মী। অতুবু থৌদোক-রাথোক কয়ানা মথং মথং লাক্লুনা অকাইবা থোকপদা নত্তনা মাংথরকপা অসুম অসুম হৌরক্লম্মী।

মপুক্লিংদা থুক লাওনা মুংঙাইতবা পোকখিবা কাশী নিংথৌ মচানুপী অহল অম্বাগী রাথোক অমসুং মতুদগী হেন্না শাথিবা থৌদোক বীচিত্রবীর্য্যনা ইখং থংহৌদনা শিখিবা, পুন্নমক অসিগী অরাবা অমসুং মুংঙাইতবা মৈথুনা হস্তিনাপুর কোমুংগী মথক্তা লৈচিন থাবগুম্মা, মমতুনা লৈরম্মী। ভীষ্মনা মচিন্দি থোক্রগা মপুক্লিংদা করি করম তৌরগা অফবা অতু পুরকপা ঙমগদগে হায়তুনা রাথল খনবা হৌরম্মী। মহারাণী সত্যবতীদি মাগী মরমচৎ-মতৌ ফজবা অতুতনা মরম ওইতুনা লৈবাক প্রজা, শাগৈ-নাতৈ অমসুং অতোন অতাংশিং পুন্নমক্লা মুংশিরম্মী। চহি নৌনা মরাইবক থিহৌরবী, নিংথৌগী মচানুপী লুখ্রাবী অনিগী খল্লুবদা ভীষ্মনা ঙাইহাক্তা লৈতানা লৈবা ঙম্নমদে। মপুক্লিংদা করি তৌরগা মখোয়গী য়াইফবা অতু ওইগদগে হায়না মহাক্লা খল্লম্মী।

ভীষ্মনা মতৌ অসুম্না রাথল তৌতুনা লৈরিঙৈদা মস্ত্রি কুণ্ডী-ন্যানা চংলক্লগা মখুং লোম্নতুনা হায়জরকই, "মহারাণী ইবেম্মনা নিংথৌমচা ইবুংঙোবু ঙাইহৌরে।"

"ঐহাক্লা মহারাণীগা উনগনি খনবদা ঙক্কবা ঙমদে," ভীষ্মনা মুক্লম মুক্লম শোল্লম্মী। ইমাগা ঐগা উনবা হায়বসি মতম পুন্নমক্তা

লাইগী থৌজাল ফংজবা অমগুম্না ঐহাক্না মুংঙাইজরম্বনি, অদুবু হন্দক্কী মতাং অসিদদি ঐনা ʼ মীহাৎপুং তম্না চংনগুম্না খন্দবা ঙম্মদে।”

মহৌশা মতৌগুম্না মহারাণীনা মাগী পূজা তৌফম লাইশং ময়াগী ফমফম অদুদা ফম্নগা লৈরম্মী। লাইশং অসি মহারাণীনা লাই হেক খুরম্নীংবা মতমদা, খুরম্বা য়ানবা হায়দুনা শারগা থমখিবনি।

গাঙ্গেয়না চংশিল্লকপা মতমদা, মমাগী খ্বাইদগী তেন্না অরাবা শক্তম অদুবু অমদি শিন্থবা ঙমদনা থন্না লৈববা মপিশিং অদুবু উবা ফংলম্মী।

মহারাণীগী মতুংদা বাতিকা ফম্নম্মী। দাবীনা লেপ্তুনা থোংজিন ময়াদা লৈজরম্মী।

নাকল অমদনা মুনি দ্বৈপায়ননা মাগী পরুবা সুমন্তুগা লোইননা ফম্নগা অতোপ্পা নাকলদন কুরুগী অহল ওইরবা মহাবাহু অমসুং সুকেতুনা মন্ত্রি কুনিক্কা লোইননা ফম্মিন্নরম্মী। খ্বাই পুম্নমক্কী মমাং অদুদা কুরুগী পুরোহিত আচার্য্য বিভূতিনা হৌনবী নিংথৌগী ফিজেৎ লৈতেংশিং শেৎ-শিদুনা মাগী অহল ওইরবা মপা ব্রহ্মাস্থগা লোইননা, ফম্মিন্নরম্মী। মখোয় অনিগী তুং ওইরপ্পা আচার্য্য ঙমথং আচার্য্য দেবযান্না ফম্নম্মী।

গাঙ্গেয়না মমাদা খুরমজরম্মী। মমানা রা ঙাংদনা মখুৎ থাঙ্গৎতুনা আশীর্ব্বাদ পিরগা মমিত্তগী মপিশিং অদু মাগী রুমাল অদুনা তৈথোকচরম্মী।

ইকাই খুম্নবা উৎপা ওইনা গাঙ্গেয়না মথং মথং মুনি দ্বৈপায়ন,

আচার্য্যশিং অমস্তুং কুরুগী অহল-লমন পুম্নমক অতুগী মখোং শোক্না খুরম্মগা মাগী ফমফমদা ফমথখিরম্মী। লৈরম্লীবা ময়াম অতুগী মায়খোংশিং অতু অমত্তা মকা লাম্না উরমদে। মখোয় পুম্নমক রাথন্দা লুপ্তুনা লৈনরম্মী। মতম অসিদা আচার্য্য বিভূতিনা অরাবগা লোইননা রা ঙাংবা হৌরকই।

"ভারতকী থোইদোক্না অথোইবা, ঐখোয়না থৌদোক অসিগী মরমদা নোংমা অমগা অহিং তংখায় অমগা চংনা য়াম্না কুপ্না থম্নরবনি। ঐখোয় পুম্নমক্না নংনা লুহোংহুনা নয়ুম পানবতু পামল্লম্মী। নচা মুপা নংগী ধাবা ওইবা অমতং থনমদ্রবদি লাইগুরু অহল লমনশিং পুম্নমক নহাক নশামক য়াওনা নরক্তা তাবা হায়বতু শোইদনা ওইরগনি। মতু য়াম্না পুক্নিং মুংশিবগী মশক অমনি। কুরুগী শক্তিশিংসু মাংখ্রগনি। নপা ইবুংঙো নিংথৌরেন্না শাগৎলম্বা ধর্ম্মগী ফুড়া অসিসু কিম্নহুনা মাংখ্রগনি। রাফম অসি নমা ইবেম্মা মহারাণীনসু ঐখোয়দা অয়াবা পিরবনি।"

মমা ইবেম্মা মহারাণীনা য়ারে হায়হুনা মঙক নোম্নম্মী।

"বাল মুনিদি করি হায়নিংবা?" গাঙ্গেয়না হংলকই।

"ঐদি ইকাই খুম্নবগী মশক ওইরবী মহারাণীগী মফমদা পুম্নমক শিম্নজগ্রে," দ্বৈপায়ননা হায়জরকই।

"পুক্চেল চাউরবা গাঙ্গেয় নংনা লুহোংদ্রবা অমসুং নিংথৌ খুভম লৌদ্রবা কুরুনা খুদোংথিবা অমদি শোইদনা মাইয়োক্নরগনি," কুরুগী খ্বাইমক্তগী অহল ওইরবা মহাবাহুনা হায়রকই। "নহাকসু ওইথোকপা য়াবা ফত্রবা শরৌশিং অসি খংলবনি। নংনা নিংথৌ

খুভম অসি লৌ হায়বা য়াত্রবদি, ঐহাক্না নিংথৌ ওইবা য়াবা খ্বাইদগী হেন্না নকশিনবা মীশক অমা ওইবনা, নিংথৌ অহু ওইবা তারম্মী, অহুবু ঐহাক্না কুরুগী ফননবগীদমক্তা থন্দুনা নিংথৌ খুভম অহু পায়মদে। অহু ওইরবদি ঐগী ইচানুপা অহন্না, মাগী হক অমা থোক্লবনিনা নিংথৌ ওইগে হায়রক্কনি। মহাক্না নিংথৌ ওইরবসু ঐহাক্না তশেংনা হায়বা ওম্মী, মহাক্না কুরুশিংবু অমতা ওইনা লৈহনবহু ওম্মোই। ঐহাক্না ঐগী হক পুম্নমক থাদোকপা অসিসু তৌফম থোক্তবা থবক অমনি, অহুদা ঐহাক্না, ঐগী থরাইদগী অমদি ঐগী ইমুং-মনুংদগী হেন্না হস্তিনাপুরবু নুংশিরম্মী। মরম পুম্নমক অসি মুন্না শল্লগা নহাক্না অপান্বা অহু তৌ।"

"নং নশামক্কী ফিভমদসু অকাইবা থোক্লক্কনি পুকচেল চাউরবা গাঙ্গেয়," আচার্য্য বিভূতিনা হায়রকই। "পুকচেল চাউরবা মহাবাহুগী ইমুং-মনুং অমসুং শাগৈ-নাতৈশিংনসু নংনা মথাথানা লৈবহু য়ানিংলকওই।"

সুকেতুনা মরক থৎনা হায়রকই, "ঐগী ইয়াম্বা মহাবাহুগা ঐগা মরম অসি মুন্না শন্নরে। ঐগী ইচাশিং অমদি ইমাকশিংনা মহাবাহুগী মচানা নিংথৌ ওইবহু শোইদনা য়ারক্লোই। ঐখোয়গী ইমুং-মনুংগী রাফম অসি ইতোপ তোপ্পা থম্নগা, ঐখোয়না নংগী নফমদা পাওতাক থর। পিনিংভি, পাওতাকশিং অসি লৌদবা তৌগনু লৌ। নংনা নংগী রাশক থুগাইহুনা নিংথৌ ওইয়ু, নয়ুম পাল্লু। নংনা মহুম্না তৌরগতা হস্তিনাপুরগী থৌদোক রাথোকশিং অসি নেমথহনবা ঙমগনি।"

"খুড়া ইবুংঙো," গাঙ্গেয়না মখোল অদু নেম্না অমস্নুং অন্নাবগা লোইননা খুম্লকই, "কুরুশিংগী মফমদা অরানবা অমা তৌগদৌরে অদুগা লাইশিংগী মফমদনা পাপ অমা লংজগদৌবে হায়বসি ঐহাক্না তশেংনা থংবা ঙমজে। ঐগী ইপা অমস্নুং ইবুধৌশিং অমস্নুং ঐহাক ইশামক্না হয়েং মখোয়গী মরক্তা তিল্লুবা মতমদা, ঈশিং খুজোক অমতং ফাওবা কৎপিনবা নুপা লৈত্রে, চুম্মী। অদুগা, মপা মচা-মচিন-মনাওশিং হাৎন-শুনবগী লান ফাওবা ঐহাক্না হিংদুনা লৈরিঙৈ মতম অসিদস্মু থোরকপা য়ানা লৈবি।"

"নংনা নিংথৌ খুভম লৌরবোই হায়বা অসিদা মহৈ মহৈ ব্রা তানদুনা লৌতুনবা হৌগ্রে," আচার্য্য বিভূতিনা হায়রকই।

"চুম্মী," অহল ওইববা ব্রহ্মীস্থনা মখোল নিক্না হায়বকই।

"পুম্নমক ব্রাহল্লিবা অসিগী মক অদু ঐহাক্নি হায়বসি ঐনা থংজৈ," গাঙ্গেয়না তপ্না হায়জবকই।

"অদু ওইরগা নংনা ঐখোয়গী পাওতাক করিগী লৌদ্রিবা পুকচেল চাদরবা গাঙ্গেয়?" আচার্য্য বিভূতিনা হংলকই।

"আচার্য্যশিংগী মবক্তা অথোইবা, ইমা মহারাণীগা ঐগ হিবম অসিগী মরমদা মুন্না খন্নজগ্রবনি। ইমানস্মু মতম পিবিদুন ইতোমতস্মু খনজরুরবানি," গাঙ্গেয়না খুম্লকই।

মহারাণীনা মক নুকথরগা, খুৎলাইনা পাল্লবা শা অমগুম্না, মখোল অদু নিক্না হায়জবকই, অদুবু নংনা ঐগী হায়জবা অদুবু লৌবিদবা নত্রা?"

"ইমা, চানবিদুনা নচাবু ব্রারৌবা তৌবিগনু। ঐগী ওইরিবা

মতৌ অসিবুস্থু খরা য়েংবিয়ু," গাঙ্গেয়না হায়জরকই। "ঐনা মতৌ করম্না ঐগী রাশক থুগাইবা ঙমগনি? ঐহাক্না রাশক অসি লৌথ্রবা মতুংদ', ঐহাক্না তুম্বা চাবা খংদনা রাশক অসিবু ঙাকপা ঙম্নবা অকনবা লান থেংনখিরম্মী। মমৈথংদা ঐহাক্না গাই পাকচরক্তুনা ঐগী ইপুন্সি অসিদগী নুপীশিংবু তাম্থোকখিরম্মী। ঐহাক্না মতুবু হৌজিক মতৌ করম্না লৌশিনগনি?"

মহাবাহুনা মরক থংনা রা ঙাংগে তৌরকপদা গাঙ্গেয়না মাবু খাম্নগা হায়জরকই, "মিংকুপ খরদং ঙাইবিখো খুড়া ইবুংঙো। ঐগী পুন্সি চুপ্পগী ওইনা ঙাক্তুনা লৈজরক্লিবা ব্রহ্মচর্য্য ধর্ম্ম অসিতবুস্থু থুগাইনবা লাইশিং ফাওবনা হোৎনরি। অমরোমদনা, ঐহাক্না রাশক অসিবু থুগাইদ্রবস্থু, কূরুশিংনা ঐহাক অসিবু ঙককনবা, অপংবা অমস্থুং পাপী অমা ওইনা শোইদনা লৌগদৌরি।"

"নংনা হায়বা য়াম্না চুম্মী, পুকচেল চাউরবা নিংথৌমচা," আচার্য্য বিভূতিনা মকোক অত্থু নোম্নগা হায়রকই। 'অহুবু নংনদি ঐখোয়গী পাওজাক অসি লৌদরিবা করিগীনে?"

গাঙ্গেয়না মপুক্রিং হুংশিনা মখুৎ লোম্নত্তুনা হায়জরকই, ' ঐনা ইকাই খুম্নবগী মশক ওইরবা শ্রোত্রিয়শিং অমস্থুং পুকচেল চাউরবা খুড়াশিং অমদি পুম্নমক্তগী হেন্না ঐনা ইকাই খুম্নজরিবা ইমা মহারাণী অমস্থুং অতৈ অতৈশিং পুম্নমক্কী মফমদা, ঐনদি মাই-ওক্লরিবা, ময়াম পুম্নমক্কীদি অপাম্বনি হায়বিরিবা অসিগী মরমদা, অমুক্তা খল্লত্তুনা য়েংবিখু হায়না হায়জরি। ঐহাক অসিবু রাশক চেৎপা অমস্থুং অচুম্বদা লেপ্পা মীশক অমনি হায়ত্তুনা ময়াম পুম্নমক্কা

ইকাই খুম্নবিরি। মহাক্তি রাশক থুগাইবগী মহুত্তা মথরাই থাদোক-পা ওস্বা মীশক অমনি হায়নস্থু পুম্নমক্ পা খংনগ্রবনি। রাফম অসি স্থুমিৎ নিনি চুপ্পা ঐহাক্না খনজগ্রে। ঐহাক্না হায়জরি, রাশক থুগাইয়ু হায়দুনা ময়াম্না অমুক হন্না তাকপিরগন্নু। রাফম অত্থুনা ঐঙোন্দা অশিবা কৌবা লাইদগী হেন্না তমথিবা অত্থু ওইবতা নত্তনা ঐগী ধর্ম্মবুস্থু মাংহল্লে অমস্থুং অম্বাবু হাৎপস্থু থোকহল্লে।" গাঙ্গেয়না মাগী মরাইবক্তগী হুমাং অত্থু রুমালনা তৈথোল্লম্মী।

গাঙ্গেয়গী থম্মোই মন্নুংদা ওমচাক্লনা চাক্লিবা অরাবগী মমি অত্থু মাগী ফজরবা মাইথোং অত্থুদা তারম্মী। মী খুদিংমক্না মাগী ওইরিবা মথরাই শোকপা মতৌ অত্থুবু খংবা ঙম্লম্মী। ময়াম পুম্নমক অসিগী মন্নুংদা মহারাণী সত্যবতীনা অমুক হেন্না খংজরম্মী।

অহল ওইরবা ব্রহ্মীস্থনা মখোল অত্থু নিক্না নিক্না হায়রকই, 'কুরু শাগৈগী অথোইবা, ঐখোয়ন নংনা মাইয়োক্নরিবা অরাবশিং অত্থু উরে। নংগী রাশক থুগাইবা ওম্মরোই হায়বা ঐখোয়না খংলে। লম্বী অমদি লৈরি, লম্বী অসিবু নমা ইবেম্মা মহারাণীনা য়াবিরবদি, নংনা নংগী রাশক ওাক্তুনা থম্বা ওস্বতা নত্তনা নিংথোরেন শান্তনুগী ধারা মুত্তবা হায়বা অত্থুস্থু থোক্কনি।"

"লম্বী অত্থুদি করি ওইরবনো?" গাঙ্গেয়না হংজরকই। "ঐদি অতোপ্পা লম্বী অমতা উবা ফংজদে।"

ব্রহ্মীস্থনা মাগী অনিকপা মখুৎ অত্থু থাঙ্গংলগা হায়রকই, "নিয়োগগী লম্বী অমদি লৈ। মসি হৌজিক্তি থাইনগী চৎনবী অমনি হায়না লৌনরবস্থু, মতিক চারবা মুনি ঋষিশিংনদি য়ারম্মী।"

গাঙ্গেনা ৱাফম অদু তাবদা মপুক্লিংদা অৱাবা পোক্লম্মী। মহাক্ন অহল ওইৰবা ব্ৰহ্মীস্থগী ৱা অদুবু তাদবগুম্ন হংলকই, "আচার্য্য অহলনা তাকপিৰিবা অদুবু ঐহাক্না ঐগী নহা ওইৰবী ইনাও মুপীশিংদা ইচা মুপা ফংনবগী ৱাফম্না?"

"মসি মুনিশিংনা য়াৰম্লবা থাইনগী চংনবী অমনি," অহল ব্ৰহ্মীস্থনা হায়ৰকই।

গাঙ্গেযনা মপুক্লিংদা অশাওবা পোক্লম্মী। অদুম ওইনমক মহাক্না অশাওবা অদুবু থিংদুনা থম্লগা হায়ৰকই, "ঐহাক্না ইচা-মুপীশিংমক্না চপ মান্ননা খল্লবা কাশী নিংথৌগী মচামুপীশিংদা ঐগী ইচামুপা পোক্লবা থৌৰাং! খলহৈদবা ৱাফম্নি।"

কৰি কৰিগুম্বা মতমদা ধাৱা মুত্তনবগীদমক্তা হিংহৌৰিবা মচিন-মনাওশিংগী মৰক্তা অমনা মতৈমা নত্ৰগা মনাওমুপীশিংদা নিয়োগগী থৌৰাং অসি চংথবা য়াহল্লম্মী। বেদদস্থ হায়ৰম্মী, "কৈদৌমুংদস্থ নংগী ধাবা ককথতুনা থনমগনু," ব্ৰহ্মীস্থনা হায়ৰকই।

ৱাফম অমা মাগী থম্মোইমুংদা ফাওৰক্তুনা মহাবাক্তুনা মৰক থংনা হায়জৰকই, "ঐখোযগী ইমুং মমুংদস্থ নিয়োগ পাংথোকখিবগী খুদম অমা লৈৰম্মী। ঐগী ইপা পোকপা ইবুধৌ অদু নিয়োগদা পোকখিবনি হায়নৰম্মী।"

মাগী অশাওবগী মৈ অদুনা নেমথপ্ৰবা মতুংদা গাঙ্গেয়না অবেপ্পা অমা ওইনা হায়ৰকই, "ঐনা থবক অদু পাংথোকপা ঙম্মোই। নিয়োগ হায়বসি লুহোংবা মথল অমনি।"

আচাৰ্য্য বিভূতিনা মথৱাই য়াওনা মৰক থতুনা হায়ৰকই,

"নিয়োগদি লুহোংবা নত্তে, পুকচেল চাউরবা ইথুংত্তো। মসিদি য়াম্না লৈমজগ্রব। ধর্মগী থবক অমনি। মংনা শুপীগী রাখন্দা ঙাওত্তুনা, মত্থু ফংনবা চংথরুবা থবক নত্তে. চুম্নতগী মংনা অহল-লমনশিংগী মফমদা তোল্লিবা লমন অতুত্তবু শিংনবগী থবক্তি। নংগী শাগৈ অসিদা, নংগী নপা নপুশিং পুম্নমক্কী মফমদা হৈ-লৈ অমতং অমস্থং ঈশিং খুজোক অমতং কংপিনবা মুপা অমতা ফাওবা লৈরক্কবদগী পুথোক্করকপা রাফমনি।

গাঙ্গেয়না য়ানিংদবা উত্তুনা মওক অতু হাইরম্মী।

অতুম ওইনমক আচার্য্য বিভূতিনা মথা তানা হায়রকই, "নিংথৌ মচানুপীশিং অতুনা ধর্মগী থবক অতুতং পাংথোক্কবা, চুম্নতগী মথোয়গী মশাশিং অত্থু থাংদোকচবনি।"

গাঙ্গেয়না মাগী মচিনবাম অত্থু চিকশিন্দুনা মাগী অশাওবা অত্থু ফাথরগা হায়রকই, "ঐহাক্না নিংথৌগী মচানুপীশিং অতুবু, মথোয়না অপাম্বা মওংদা শোকপা থক ঙম্মোই। ঐহাক্না ঐগী রাশক অসিবু মীনম্বা অমন্থু ওইহল্লম্মরোই।"

ব্রহ্মীস্থনা হায়রকই, "নংগী রাশক্তি লুহোংলোই হায়বত্তনি, নিয়োগদি লুহোংবগী মমুং চন্দে।"

গাঙ্গেয়না য়াম্না য়ানিংদবা উত্তুনা হায়রকই, "নিয়োগ হায়বসি লুহোংবা মথল অমনি, অতৈ করিস্থু নত্তে।"

"নিংথৌ মচা গাঙ্গেয়," আচার্য্য বিভূতিনা হায়রকই, "ঐখোয় পুম্নমক্না নংগী অরাবা অতুদা শরুক য়াহুনা য়াওরি. অতুম ওইনমক রাকম অসি য়াম্না মুম্না নংনা অমুক্তদি থক্থখো।"

"ঐহাক্না রাক্ম অসিদা থল্লুবগী কান্নবা অচু, কনিমতা ফংলং রোই," গাঙ্গেয়না মপুক্লিংদা রারোধা পোক্লা অচুগা অরেপ্পা অমা ওইনদি, শ্রোত্রিয়শিং অতুগী মফমদা হায়রগা মখা অমুক তারক্কই, "ঐহাক্না রাশক ঙাকপনা মরম ওইদুনা ময়াম পুন্নমক্তা অরাবা থোকহল্লে হায়বসি ঐহাক খংদবা নত্তে. খংঙ্গি। মসিগী কোক্লনবা উপায় অচুদি হস্তিনাপুরগী সিংহাসন অসিদা. অমা অগনবু ওইরবসু হেক নিংথৌ ওইরবা মীশক অদুবু ঐহাক্না শক্তি লৈনবা অমসুং ধর্ম্মবু চাউখৎহন্নবা হোৎনবিবা অচুতনা ওইরগনি।"

ইকাই খুম্নবগী মশক ওইরবী মহারাণীনা হোৎনক্লিবা মওংশিং অচু উবদা মাগী রাখলদসু অহোংবা অমা লাক্লম্মী। মাইথুগ ফী অচু চিংথদুনা মমাই অচু খুমজিনখিরম্মী।

"মচুম্না তৌবত্তনা ধর্ম্মবু চাউখৎহনবা অমসুং লৈবাক প্রজাবু নুংঙাইহনবা ঙমগনি হায়বসি ঐগী থাজবনি," গাঙ্গেয়না হায়জরকই।

"ফরে, অচুগা নংগী নমা মহারাণীগী ওইগদবা দশা অচু মিংকুপ অমতদি খন্থদুনা য়েংঙু ইবুংঙো গাঙ্গেয়। কনাগুম্বা অত্তোপ্পা অমনা নিংথৌ ওইশ্রবদা মরাইবক থিরবী মহারাণীনা করি ওইহৌবা তারি?" ব্রহ্মীস্থনা হংলকই।

"ঐহাক্না ইমাগী মরমদসু মুন্না থল্লবনি," গাঙ্গেয়না হায়রকই। ঙাইহাক লৈরগা মানা মখা অমুক তানা হায়রকই, "ঐহাক্না হেক হিংদুনা লৈরিবমখৈদি ঐহাক্না হান্নগুম্না মাগী য়াথং মখাদা লৈগনি। মাগী ইজ্জৎ, মান-মর্য্যাদা ঙাকুনা থমগনি। অচুগা ঐহাক্না করিগুম্বা শিখিবা থোক্লবসু ইমাগী হান্নগী ফিভম অচু

কায়দনবা শিল্লমগনি। মহাক্তি কুরুশিংবু ঙাকপি-শেনবিবা লাইরেম্বী অদুনি। মহাক্না হেক হিংহুনা লৈরিবা মথৈ মতৌ অদু ইকাই কাইদনবা ঐহাক্না শিন্দুনা থনমগনি।”

ইকাই খুম্নবগী মশক ওইরবী মহারাণীনা মাগী মাইখুম অদু হায়দোক্লগা তপ্না হায়রকই, “পুকচেল চাউরবা গাঙ্গেয় নংনা ঐবু হুংশিবী অমসুং নুনা তৌবী, অদুম ওইনমক ঐগী অমসুং কাশী নিংথৌ মচানুপীশিংগীদমক্তা থোইদোক্লা শল্লুরগনু। ঐহাক্না লাইশিংগী রায়েন অসি লৌফম থোকই। নুপী অমা ওইনা ঐহাক্না, ঐগী আর্য্যপুত্রগী মফমদা, মচানুপা অমা, মগী তর্পণ তৌনবা পিবা ঙমথিদ্রে, ঐহাক্কী পুন্সি অসি অরেম্বদা তাথ্রে” মহারাণীনা ঙাইহাক পোথারগা য়াম্না চীংলেম্না অমুক হায়রকই, “ঐহাক্না গোধূলী আশ্রমদা কাশী নিংথৌ মচানুপী অনি অসিগা লোইননা লাইনিংহুনা লৈরুরগে হায়না পুক্নিংদা লেপথ্রে।”

ময়াম পুম্নমক অদুনা রা রা লাওনা নোক্লম্মী। ঙসাই মখৈ তুমিন্না, মথরাই রানা অমসুং রাখল তৌনা ফমদুনা লৈবা উপজা-তীশিংগী লুচিংবা ক্রূপাসু শুকদেবগী রাঙাং অদু তাবদা নাক্তবা শেমদদুনা খিক খিক লাওনা নোক্লম্মী।

ময়াম পুম্নমক অদুনা নোক্লম্বা অদু লেপথ্রবা মতুংদা মহারাণীনা হায়রকই, "ঐখোয়না থৌদোক অসি লোইশিনবা য়ানবা য়াম্না মুন্না খন্নবসি।"

ঙাইহাক তুমিন্না লৈরুবগা মহারাণীনা হায়রকই, "নহক কল্লগনু ইনুংঙো। নগী নপাগী শাগৈ অসি মুথংলমগনু। নহাক নত্তুনা কনবিনবা কনাদি লৈরিবগে? আচার্য্য গৌতমা অমসুং শম্মী অনিমক্না নংবু মখোয়গী মচা মক্লি হায়না লৌরম্মী। মবম অদুনা আশ্রম অসিগী আচার্য্য অদু নংগী হক অদুম ওইবি।"

"ঐন য়ুম পানবা, গার্হস্থ্য ধর্ম্ম হায়বা অদুদি পামজদে," শুকদেবনা অরেপ্পা অম ঙাইনা হায়রবই।

মহারাণীনা মোমোন নোক্লগা হায়রকই "ইবুংঙো, নহা ওইবা খোয়না নখোয়গী অপাম্বা অদুনা থৌগে হায় অদু ওইবনসু নখোয়না অহল লমনশিংনা চংলম্বা লমচং-শাজং অদুগী মতুং ইন্না চংলগা খনক পুম্নমক পাংথোক্লবা থৌগদবনি।"

শুকদেব অসি মহারাণীগী মশুক্তপা অমা ওইবদনা মহাক্লা (মহারাণীনা) মহামুনি পরাশরগী শাগৈনা মুংশিবদু পাম্নমদে।

শুকদেবনা রা ভাংগে তৌরকপা মতমদা মহারাণীনা মখা তানা হায়রকই, "মহামুনি পরাশর অমস্থুং আচার্য্য গৌতমাগী শাগৈ মুত্তনবা মীশক্তি নহাক নত্তনা অতৈ অমা লৈব্রে, মরম অদুনা নপাগী রাংলবা ফিদম অসি লৌদুনা থবক পুন্নমক পাংথোক্লম্মু।"

শুকদেবনা রা থরদং হায়জগে হায়দুনা মহারাণীগী মফমদা হায়জরকই।

"হায়য়ু হায়য়ু, নংনা হায়নিংবদু তশেংনা হায়য়ু" মহারাণীনা হায়রকই। "ঐখোয়গী অপাম্বা থংলবা নংনা, নঙক অম্লুক কনবা হৌনদে।"

"ঐনা, হায়বা ইনজদবদি নত্তে," শুকদেবনা খুমজরকই। "ঐহাক্না গার্হস্থ্য আশ্রমদা চংলোই হায়না রাশকচনিংবগী মরমদি ঐহাক্না ইপাগী থবক থৌরমশিং পুন্নমক অসি নিংথিজনা মরা চেংনা লৈহৌবা অদু পামজদুনা তৌবনি।"

"অদু ওইরবদি নংনা নহা ওইনা সন্ন্যাসী ধর্ম্মদা চংগ্রগা মতৌ করম্না থবকশিং অদু পাংথোক্লগা ভমগদৌরিবা?" মহারাণীনা হংলকই।

"ঐখোয় শ্রোত্রিয় মঙানা করি খন্নবগে হায়বদু অমুক্তা হায়জগে ভাবিয়ু," শুকদেবনা মখুৎ লোয়দুনা হায়জরকই।

"হায়য়ু, ঐহাক তাগে," মহারাণীনা হায়রকই।

শুকদেবনা মখোল অদু নেম্না অমস্থুং ময়েক শেংনা হায়জরকই, "ঈশ্বরগী শাইওন ওইরবা ওক্না পৃথিবী মাতাবু ঈশিং মনুংদগী থাংগৎখিবা অদুগুম্না, ইপা মুনিনা কাং-থোং চাইনা লৈরম্লবা ধর্ম্মবু

অমুক হন্না শেমগত্তুনা চাউখৎহনখ্রে। বেদবু মগুং শানা পুথোকপা যানবা শেমখ্রে, পুমশেংস্ত শেংহনখ্রে। শ্রোত্রিয়শিং কয়া শেমগত্তুনা অনৌবা আশা পিবগা বেদবু ওম্বিখ্রে। মহাক্না পাইক-শোকলুবা খুদিংমক অমুতগী মশক্তমক শনখ্রে। অশিবা কৌবা লাইবু মাই-থিবা পিবা ঙমখ্রে। ঈমিং কৌবা লাইনা মহাকপু ঙাকপি-শেনবিত্তুনা লৈবি। অসিগুম্বা থোদোক ময়াম অসি ঐখোয় মণ্ডানা হন্না হন্না খন্নত্তুনা লৈজবি।"

"মরম অদুনণি ঐখোয়না নংবু নপাগী খুভম শিলহৌনবা হায়রিবনি," মহাবাণীনা হায়বকত।

"পাপ্তিবিবা থবক পুম্নমক অত্ত খোক্লনন এখোয়না তৌজগনি," শুকদেবনা হায়জবকই। 'অদুবু হপা মুনিনা থুপগ্রবা মতুংদদি শ্রোত্রিয়শিংগী মগুণ হন্নখ্রগদ্রা অনস্তুং বেদগী মগুণস্ত মাংখ্রগদ্রা শনড়বদগী ঐখোযনা সন্ন্যাসী ধর্মদা লৈহুনা থবক পুম্নমক পাং-থোকচগে খনজবনি," –

"মশা রাবকপা ঙমদ্রবা. মীওইবা মহাক অদুনা,
চাউখৎপা ফংলোই পুন্সিদা. ফগনি মাইথিবতা।।
ঙমদ্রবদি কংথোক্লম্বা, লরোই তুংগী রাখলমদা;
য়াওবমদ্রবদি থাদোকপা, শেম্লম্মোই জগৎ-সংসারবসি।।"

"য়ুমপানবা মী অমগী মপুন্সিদা মত্ত মচাগী পোৎলুম মযাম শাগনা নম্থত্তুনা লৈবতা নত্তুনা আশ্রমগী অমস্তুং যনশিংগী ওবকশিং অত্তনা অমুক হেন্না রাইচিনবত্ত ওইহল্লম্মী। পুম্নমক অসিবু ঙম্নবা শিনবদা, ইনাক কৈরাক খুনবশিং অমস্তুং অঙম-অথৌশিংগী মতেং

ফংনবা মখোয়বু থনবা তাবম্মী অদু "ইববদি গার্হস্থ্য ধর্ম্ম অসি তরাবরা কুংগাইববা থনবিযু," শুকদেবনা মথল্লাই অদু শাক্লা হায়জরকই

"ব্রহ্মচারীশিং, নখোয়দি কমদৌবা ?" মুনিনা শুকদেবগী মরূপ মরি অদুদা হংলকই।

"ঐখোয়দি শুকদেবগী মতুং ইনজগনি," মখোয় অমনা খুম্নকই। "ঐখোয়না ধর্ম্মবু আশ্রমশিংদা কোইচৎ চত্তুনা শন্দোকসি হায়না রাশক্লব্রে।"

"মতৌ করম্না ?" মহারাণীনা হংলকই।

"মুনি ঋষিশিংগী থম্মোয়দদ শিজুন জন্দুনা হেক লৈরিবা মখৈ যজ্ঞগী অশেংবা মৈস্তু মখোয়গী মশাদা লৈগনি, মদুগী মৈরি অদুনা পোল্লক্কদৌরিবা অচাংশিং অদুগী থম্মোইক্তুংদা নংং মথং চংখিগনি।"

শুকদেবনা মরক থৎনা হায়রকই, "ঐখোয়না ঐখোয়গী অপাম্বা পুম্নমক ইপা মুনিগী মকমদা হায়জখ্রবা অদুনি। নংদি ঐখোয়গী লাইনি, নংগী অপাম্বা অদুনা তৌগে হায়দুনা ঐখোয়না রাশক লৌজখ্রবনি। ঐখোয়গী পুন্সি অসি নংগী খুযা খাদা কৎচরবনি।'

'লাইশিংনা ঐগোন্দা ইচাম্মুপা অমা পিবি! ঐহাক্লা মাগী পক্নাশিং অদুনা যুগ যুগ খুদিংদা ধর্ম্মগী মৈরা পাইদুনা লৈবদু উবা ফংলগনি," মুনিনা হায়রকই।

মী খুদিংমক্না মুনিনা মাগী অবেস্না রাফম অমা হায়রক্কদবদু তানিংনা ঙাইদুনা লৈনবম্মী।

মুনিনা রাখল ঙাইহাক তৌরগ হায়রকই, "মুনি অখোইব

পরাশবগী মপান্দগী তীর্থ অসি শেংহৌববনি। ইমা শর্ম্মীদি অন্নপূর্ণা লাইবেম্বীগী মশক অচুমক ওইরবনি। মহাক্কী মশাদা নাপল পক্তে। মহাক্কা আশ্রমগা মাগী মনিংগা তিন্নতুনা লৈমিন্নবা অতুম্ব পানদে।

মুনিনা ভাইহাক্তং লেপ্পুবগা য়াম্না চীংলেম্না হায়বকই, "পবাশব আশ্রম অসিবু নিংখৌ সহস্র অর্জ্জুন্না উং ওইনা থনম্রব' মতুংদা, আচার্যা গৌতমা নতোমতনা যাম্না রানা খুদোংথিবা মবক অতুদা লিংখৎখিবনি। আশ্রম অসিনা চাউখৎলক্লিবা অসিস্তু মহাক্কী থৌজাল অতুননি। মবম অতুনা আচার্যাগী মিং অসিগা আশ্রম অসিগা হক পক্লতুনা লৈবিবা মখে আশ্রম অসিনা চাউখত্তুনা লৈহৌবগদবনি"

"হৌজিক্তি নং জ্ঞান লাবক্রে," মমা শর্ম্মীনা মবক থংনা হায়বকই। মতুংদা মহাক্ক বাত্তিবাদা ওনশিন্দুনা মোমোন নোক্লগা হাযবকই, "মেংঙ, ঐগী ইচানা হাযলিবসি।"

' ঐনা য়াম্না অদা' ওইবিবৈদা," মুনিনা হাযবকই, "ঐনা আশ্রম অসিগী আচার্য্য অতু ওইবা পাম্লম্মী, মবমদি ধর্ম্মবু শংদোক্কে হায়না ঐনা পুক্নিংদ লম্মম্মী"

"হৌজিক্তি নংনা নিংকি চাবা মীশক অতু ওইববনিনা নপুক্নিংগী অপাম্বা অতু পাংথোকনোদনা ?" মমা শর্ম্মীনা কাবেন্নবা হাযবকই।

"ঐহাক্লা ঐগী অপাম্বা অতু শোহদনা পাংথোক্কনি," মুনিনা হাযবকই। চহি খুদিংগী থা অমি মফম অসিদা ঐনা লেপনি, অদুগা আচার্য্যদি ঐনা ওইবোই"

"ঋয়াম পুন্নমক্না পান্নবগী মতুং ইন্না ঐনস্থু শুকদেবনা মধুন পানবত্থু পান্মী, অদুগা মতুংদা মহাক্না আশ্রম অসিগী আচার্য্য অদু ওইহৌসন্নু," মুনিনা মখা তানা হায়রকই।

শুকদেবনা অরাবা অমা ওইবন্মী। মপাগী য়াবেপ অসিনা মাগীদি অকাইবা অত্থু ওইবন্মী।

"আশ্রম অসিগী আচার্যগী হক অদু শুকদেবগী ওইরন্মী। মবম অদুনা মহাক্না মধুম পান্নগা মাগী নুপীগা লৈনিন্নবা অচুম্বা ধর্ম্ম ওাক্না মতম লেন্নসম্ম। শ্রোত্রিয় অমনা মধুম পান্নমদন অশোম্বা আশ্রম অমদা চংবা হৌনদে। ন না কবি হায়বি শুকদেব ?' মুনিনা হংলকই।

শুকদেবনা জ্ঞান পুম্মাং মা লন্মী। মাগী মপা মুনিনা মান পামজবা য়াফম অদু যাবিবক্কনি হায়না খনজরম্মনি। অদুম ওইনমক মহাক্না মখুং লোন্নদুনা হায়জরকই, "ইপা ইবুংঙোগী য়াথং চাক চবগে "

' অদুদি তৌজিক ঐখোইন। নংগী লুহোংনবগী য়া খন্নরসি', মুনিনা হায়বকই।

"ইপা ইবুঙো, ঐগীদমক নুপীদি যেংবিরুখিন্নু", শুকদেবনা মবক ৎনা হায়জবকই। "ঋতম খরদংদি ঐগী খন্নবা মতম অদু পিবিখো।"

বাতিকান। নিংব কাইবগা লোইননা মকোক্তা মথুং হাংদুনা মুনিবোমদা ওনশিল্লগা হায়জনকই, "আর্য্যপুত্র চানবিদুনা নংগী য়ারেপ অদু মতম খরদদি য়ৈথোকপিখো। ঐহাক্না ঐগী অ...

ঙাইজরবা ইচানুপানা উপজাতীগী মুপী অমা লুহোংদুনা লৌবদু য়েংবা ঙমজরোই। ঐগী ইপা ইবুঙো জাবাল্লীনা মহুবু মতৌ করম্না য়ানিংগনি ?'

মহাক্কী অঙাং অমা ওইবগী মীনোক অদুদা নোক্লগা মুনিনা হায়রকই, "মমা শর্মী অসি উপজাতীগী মুপী অমনি মহাক্কী মপুন্সি অসি আচার্য্য গৌতমা অমস্তুং আশ্রম অসিদা কৎথোকুনা লৈরি। থবক অসি অমুক পন্থদুনা থম্বগী করিস্মু কান্নবা ফংলোই জাবাল্লীয়া। য়ৈথোকপনা হেন্না ৱাবা অদুতা পুরক্কনি।"

"অদুবু অস্মুক য়াম্না থুজিনবিরক্লিবা অসিবু করিগীনো ?" বাত্তিকানা হংজরকই।

"জাবাল্লীয়া, থবক ময়াম অমনা ঐবু ঙাইদুনা লৈরি। ঐখোয়না উপজাতীশিং অসিবু ঐখোয়গী ইরক্তা তিলহনবা তাবনি। গৌতমা আশ্রম অসি অমুক হঙ্গা শেমগৎলগা আশ্রম পুম্নমক্কী মরু ওইবা মফম অদু ঐখোয়না ওইহনগদবনি। অদু ওইরবদি পরাশর তীর্থ অসিস্তু অথোইবা তীর্থ অমা ওইনা লৈহৌরগনি," মুনিনা হায়রকই।

মুনিনা অমুক মিৎকুপমুক্তং থল্লগা মথা তারকই, "ঐখোয়না আর্য্যশিং, ণাগশিং অমস্তুং অতৈ অতৈ জাতীশিং পুম্নমক্কী মরমদস্তু শন্না থবক তৌগদবনি। মুমিৎ কৌবা লাইনা ঐঙোন্দা য়াথং পিরকই,—

"শেম্নস্মু আর্য্য ওইনবা, পৃথি পুম্নমক অসিবু:
তম্বিরস্মু পুকচেল চাউবা, অচুম্বা মকৎথোক অদু॥"

বাতিকাদি স্বর ফুন্দুনা রা ঙাংথোকপা ঙম্নমদে।

মুনিনা হায়রকই "জাবাল্লীয়া, ঐখোয়গী পুন্সি অসি লাই-শিংগী লমজিং মথাদা হিংতুনা লৈগদবনি, মপুং ফাদবা মীওইবশিং ঐখোয়গী মথাদা নত্তে।"

মতুংদা মুনিনা, নুংগী মশক অমগুম্না ঙসাই মথৈ কুম্মৈ য়েংনা ফমতুনা লৈরিবা ক্রৃপাদা ওনশিল্লগা হায়রকই, "অথৌবা ক্রৃপা, নহাক্না চানবিতুনা, লাই মহিশাশুর জাতীশিংগী লুচিংবা অমা ওইনা মোসাগী মচনমুপী অতোনবী পীরবী অসি শুকদেবদা লুহোংতুনা পিবিবা ঙমগদ্রা? অতৈ অতৈ নগা ওইবী নখোয়গী জাতীগী লৈশাবীশিং অসিসু মখোয়নবু পাম্নবদি, আশ্রমগী নগারোলশিং অসিগা লুহোংতুনা লৌন-লৈনবা য়াগনি।"

'মুনিদেব, ঐহাক্না থবক অসিগী মরমদা ঐগী জাতীগী অহল লমনশিংগা তানতুনা লোইজরে। ঐহাক্না মমা শর্ম্মীনা হায়বা পুম্নমক অতু য়ারে। ঐখোয়না তোথাই তানা ইতোপ তোপ্না লৈবা পুন্সি অতু পামদ্রে," ক্রৃপানা খুমজরকই।

"ফরে অতু ওইরবদি, ঐখোয়না শুকদেবগা পীবরীগা লুহোংবা তারে, অতুগা তৌবতদি পীবরীনা চৎনবী মতুং ইন্না মশা শেংদোক্নবা চন্দ্রায়নব্রত অতু কৎলবা মতুংদা লুহোংসি," মুনিনা হায়রকই।

মপুক্নিং মুংশিনা শুকদেবনা মাগী মমাই অতু মখুৎনা খুম-জিনজরম্মী।

"শুকদেব, নপুক্নিং মুংশিবা তৌগনু," মুনিনা হায়রকই। পুম্নমক তাইবং শেম্বা মপুদা শিন্নৌ। নচামুপা মরি পোক্লবা মতুংদা পীবরীগা

য়ানরগা সন্ন্যাসি ধর্ম্মদা চংঙু। নচা মরি অতুদা বেদশিং অসি তম্বীতুনা হৈহল্লম্মু।"

শুকদেবনা মাগী আশা পুন্নমক কাইবদগী হিরা হিক্লা কপচবম্মী।

মমা শর্ম্মীদি অমুক কপ অমুক নোক তৌজরম্মী। মহাক্না মখুৎ তিংথোক্লুনা শুকদেবগী মনা অতু লৈরগা হায়রকই, "হৌজিক্তি তারো ঐগী ইচানুপা। মফম অসিদা লাও," অসি হায়তুনা মমা শর্ম্মীনা শুকদেবগী মমাই খুম্লিবা মখুৎ অতুবু লৌথোক্লগা মনা অমুক হন্না লৈতুনা হায়রকই, "নংগী পরা নিংথিনা ফানবা তৌনঃ খংলেদনা, মমা শর্ম্মীগী রা ইন্দবা য়ারোই।"

৩৪ শুবা পন্দুপ

শোকুনী

শুকদেব অমসুং পীববা অনিগী লুচৌবা লোইববা মতুংদা মহাবাণী, বাতিক। অমসুং কাশী নিংথৌ মচানুপী অনিনচিংবা মখোয় পুম্নমক গোধূলী পাদোক্তুনা হস্তিনাপুরদা হনখিরম্মী। দ্বৈপায়ন অমসুং মাগী পরুরাশিং অচুনা আশ্রমশিং অমুক হন্না কোইবা হৌগিবম্মা।

চিত্রাঙ্গদা অমসুং বৈচিত্রবীর্য্য অনিনা মচানুপা অমনা থনমদন শিংগিবা অসিনা মহাবাণী সত্যবতীদি অবাবা উপাক্তা তাবম্মী। মতোংদদি হস্তিনাপুর অসি অমম্বগী মশক ওইবম্মী। মহাক্না ফন কন্না চাউনহনবা হোৎনজববসু, অৱাবা অম। মতুংদা অমা মথং মথং লাক্তুনা মাগী আশা পুম্নমক থুগাইবিশিনম্মী।

নিংথৌবেন শান্তনুগী খুঙম অসি মুত্তনবা হায়জনা মহাবাণ সত্যবতীনা মচা মুনি দ্বৈপায়নদা হায়বগা, কাশী নিংথৌ মচানুপা অনিগী মফমদা নিয়োগগী থবক পাংথোকহল্লম্মী অম্বাকা অমসুং অম্বালিকা মখোয় অনিনা মচানুপাশিং ফংজববদি নাগী অৱাবশিং অসি কোক্লগনি খনজবম্মী।

অম্বীকাগী মচা অন্ধা ধৃতরাষ্ট্রনা মপাঙ্গল যাম্না ফনা পোকপ ববসু মামং পুমতাং তাংবা মবম্ন নিংথৌ খুঙম ফংবা যাবগী হক অচুদি মাগী নৈরমদে।

য়াম্না য়ানিং যানিংদনা গন্ধারগী নিংথৌ সুবলনা মচানুপী গন্ধাবীবু মমিং তা'বা ধৃতরাষ্ট্রদা লুহোংহনা পিরম্মী। লুহোং-দ্রিউগী মমাংদা গন্ধাবীগী মৌপা শৌকুনীবু হস্তিনাপুরদা মচে অমসুং মচেনা পোকপা মঙ্গাকশিং অতুগী অশোই-অঙামশিং য়েংশিন্নবা লৈহনবা হায়বা রাকম অসিদি য়ানবম্মী। রাকম অসিনা কুরুশিংগী মফমদদি য়াম্না হন্নবগী মতৌ অমা ওইজবরসু গন্ধাবীবু ধৃতরাষ্ট্রগী নুপী ওহনা ফংনবগী উপায়দি মসিতনা মরম অতু ওইরম্মী।

পাণ্ডুবু হস্তিনাপুবগী নিংথৌ ওইনা হাপ্পিরম্মী। মশা শোনজবরসু কুরুশিংবু মতম খবদি মপাঙ্গল অমসুং মথৌনা লৈনা ডাক-শেল্লম্মী। মহাক্না ভীষ্মগী মফমদগী লৈপাক রায়েলগী পথাব অমসুং খুৎসু-খুংলাইশিং নিংথিজনা তম্লম্মী।

কুরু শাগৈগী মবাই চাইথবকপা মনৌ অতু উবদা লোইপোং হাবম্বা নিংথৌশিং অয়াম্বনা মনিং মখা তৌনা লৈনখিবম্মা। মখোয়শিং অতুবু পাণ্ডু নিংথৌনা অমুক হন্না লাকশিন্দুনা লোইপোং হাহল্লম্মী।

পাণ্ডুনা যাদব লুচিংবা বসুদেবগী মচনুপী পৃথা, নিংথৌ কুন্তিভোজনা য়োকখিবদগী কুন্তী হায়না খনগৎপী অসিবু লুহোংহনা লৌবম্মী। মহাক অসিতা নত্তনা মাদ্রী মদ্র লৈবাক্কী নিংথৌ শল্যগী মচল নুপীনুসু লুহোংহনা লৌবম্মী।

অতুবু অরাবদি হৌনহনা লাকই। এন্থোকপা থৌদোক অমা থোকপদগী পাণ্ডুনা নুপা নুপী ওইবগী সংসারগী চৎনবী লম্বী অতুগী মাংদা লৈবা তারম্মী। মহাক্না শা তানবা, বন্দা চৎপা মতমদা

লোইতাল্লভুনা লৈরিবা শজি লাবা অমা, মুনিনা শজি ওন্দুনা শান্নরিবনি হায়বা খংদভুনা, তেন্না থাভুনা হাংলম্মী। শজি লাবা অভুনা শিরমদাইগী মতমদা মুনিগী মশক অভু ওইরক্লগা শাপ তৌরকই, "নংস্থু মুপীগা লোইননা শান্নমিন্নগে খনবা খুদক অভুদা ঐগুম্না শিবা ওইস্ন।"

কুন্তীদি অঙাংবু য়াম্না পামজবনি, অভুবু মহাক্না মচা অমত্তা উবা ফংলরোই খনবদা অৱাবা অমা ওইজরম্মী।

মতাং অসিদস্থ মহারাণী সত্যবতী অমস্থুং ভীষ্ম অনিনা মুনি দ্বৈপায়নদা মরম পুন্নমক খংহল্লগা মাগী পাওতাক পিয়্ন হায়রম্মী। দ্বৈপায়ননা কুন্তী অমস্থুং মাদ্রী অনিদা থাইনগী চংনরম্বা মতুং ইন্না নিয়োগদা মচাশিং ফংনবা তৌ হায়না পাওতাক পিবিখো হায়রম্মী।

পাণ্ডুনা মথরাই য়াম্না নুংঙাইতনা হিমালয়দা মতু অনি পুন্থুনা লাইনিংবা চংখিরম্মী।

কুন্তী অমস্থুং মাদ্রী অনিনা মপুরোইবগী অয়াবা লৌরগা, লাইশিংগী মফমদগী নিয়োগদা কুন্তীনা যুধিষ্ঠির, ভীম অমস্থং অর্জ্জুন মচান্নুপা অহুম অমস্থুং মাদ্রীনা নকুল অমস্থুং সহদেব মচানুপা অনি ফংজরম্মী।

পাণ্ড অসিনা যাদবশিংগী লুচিংবা বস্থুদেব অমস্থুং মদ্র নিংথৌ অনিগী মফমদা হেক য়ৌখিবদা বস্থুদেবনা মখোয় মচিন মনাও মঙাগী-দমক, পাণ্ডুগী মচানি হায়ভুনা, অথেনপোৎশিং থাররুম্মী। মতৌ অস্থুম্না মদ্র নিংথৌনস্থ অথেনপোৎশিং মশু মঙাগীদমক্তা পিরল্লম্মী।

ধৃতরাষ্ট্রগী গান্ধারীদা মচানুপা চাম্মগা নুপী অমতানবা অমগা পোক্লম্মী। খ্বাইগী অহল অদুনা দুর্য্যোধন, মথং অদুনা দুশাসন অমসুং ইতোন দ্রোনবী নুপী অদুনা দুঃশিলা কৌবম্মী।

ধৃতরাষ্ট্রনা মমিৎ তাংবা মবম্না নিংথৌ। ওইবা যাবোই হায়বা খংজরবসু মনাওনা চৈ কাপ্পুনা নিংথৌ ওইশিবা অসিদা মপুক্লিংদি যাম্না যুংশিবম্মী। অদুগ ওইনমক মচানুপা অহল দুর্য্যোধনদা যুবরাজগী ফম পিবগা কুরুগী সিংহাসন ফংলবা শিংগে হায়না মহাক্না শম্লম্মী। অদুবু মখোয় নচিন মনাও মগা অসিবু পাণ্ডুগী মচানি হায়না যানখ্রবদি, খ্বাইগী অহল যুধিষ্ঠীরদা যুবরাজ অসি শোইদনা হাপথিগদৌরি। মাখল অসি তৌবদা ধৃতরাষ্ট্রনা দুংগাই ওবা অমগা লোইননা মন্ত্রিশিং খরা কৌবগা তুনিন্না রা তানবম্মী।

নিংথিজবা মুগা ওাকুগী ফিজেংনা লৈতেংলবা কুরুগী খ্বাইগী অহল ভীষ্মনা মাঙ সভা চংলক্লম্মী। হান্না লৈরম্লিবা মথান অদুন চাগত্তুনা তুমিন তুমিন লৈরম্মী। ভীষ্মনা সিংহাসনদা ফমগ্রবা মতুংদা মথাম অদুসু চেক-মোক লাওদনা ফমথনখিবম্মী।

মতম অসিদা ভীষ্মবু উনবা পাম্বদগী শৌকুনীনা রাজসভা অদুদা মখুৎ লাম্না লেপ্তুনা লেজবম্মী। মহাক্না হাম্না যাহং লোতুনা খাদা চংলক্লগা ভীষ্মবু চাইতুনা লৈজবকপনি। ভীষ্মনা সভাদা চংলক্তুনা ফমগ্রবা মতুংদা মহাক্না ভীষ্মগী মখোং শোক্লা খুমজবম্মী।

শৌকনী অসি মশা পানা মথেপ রাংলম্মী। মরাইবক লাংডি অমসুং মমিং কুৎলি। নিংথৌমচা অমা ওইবগী নিংথিজবা ফিজেং লৈতেংনা মাগী ওইবম্মী। মকোক্তা মণিমুক্তাগী লুহুপ

মচা অম উপ্পগা মখ্বাংদা থাং অংতনবা অমা মখুমগা কোন্ননা য়ান্থবম্মী।

ভীস্মনা শৌকুনিদা মুন্না য়েংলগা মনাক্তা লৈবা সিংহাসন অনেম্বা অদুদা ফমনবা ইঙ্গিৎ তৌরম্মী। মতুংদ মহাক্না মনাক্তা লৈবিরা থৌগল-লাঙ্গল ময়াম অদুবু চংখিনবা য়াথং পিরম্মী। শৌকুনীবু নিংখৌমচা অমা ওইবগী মমাই অদু ভাকপিবম্মা।

ভীস্মনা, শৌকুনীনা হস্তিনাপুরদা লাক্লুন লৈববা মতম অদুদগী হৌনা, মাবু পান্নক্তবা মীশক অমা ওইবম্মী। মহাক অসিনা মতম লেবা খিংক্তা তৌতুনবগী থবক্তা তৌতুনা লৈ হায়বসিসু ভীস্মনা নিংশিংনা খংলম্মী। হৌজিকসু মহাক্না মচিন-মনাও মখোয় মন্ডা অসিবু পাণ্ডুগী মচা নত্তে হায়গঙ্গবগীদমক্তা কুরুগী অহল লমনশিংগী মকমদা কোহচেন চেন্দুনা হোংনবি হায়বসি ভীস্মনা তশেংনা উবা ফংলম্মী। ধৃতরাষ্ট্রগুম্না, মহাক অমসুং মাগী মপা শুবল নিংথৌনা, পাণ্ডুনা মচা থনমদনা শিখিবা অদু পান্নম্মা, মরমদি দুর্যোধন্না কুরুগী সিংহাসন ফংবদা অপানবা অদু মখোয়না থোকহন্নিংলমদে। অদুবু পাণ্ডুনা মচানুপা মন্ডা থনম্বা অসিনা, অদুগীসু মথক্ত খ্বাইগাসু অহল যুধিষ্ঠিরনা ওইবা মরম্না মখোয়গী আশা পুন্নমক অরেম্বদা তাখিবম্মী।

"ঐনা নিংঙি নপা হবুংঙো মহারাজ শুবল থোইদোকপা অনা-অয়েক লৈবম্মোই হায়না," ভীস্মনা শৌকুনীদা হায়রকই।

ভীস্মনা মহাকপু তবাম কবাম্না তৌরকপা মতৌ অদু উবদা শৌকুনীনা অঙকপা পোক্লম্মী। ইকাই খুম্নবা উত্তুনা মহাক্না

মথুং অনি লোন্নদুনা হায়জরকই, "থোইদোকপা অনা অয়েক তৌবদি লৈতে। ঐহাক্না লাকচরিবা অসি পাবুং নিংথৌগী পাও থরদং কুরুগী অগোইবা মবুথৌদা ভমজগে লাকপনি।"

ভীষ্মনা শকুনীদা মুন্ন ওাইহাক য়েংলগা হংলকই, "করি পাওনো ?"

মিংকুপ অমা নিদি শকুনীনা জ্ঞান মাংখিদুনা পাওথুম পিবা ঙমখিদে, মতুংদা মহাক্না য়াম্ন রানা হোৎনজদুনা স্বর চনিং তান হোনজিনজরম্মী। মহাক্না অহল অসিগা মাইয়োক্নবদু ইপাম পামজদবনি, অদুবু উপাইদি লৈবনদে। স্বর থবেং থবেং তৌনা হায়জরকই, "ঐগী পাবুং নিংথৌনা আশা তৌজরি মদুদি পাণ্ডু নিংথৌনা থুপথ্রবনিনা কুরুগী সিংহাসন অসিদা ইবাই ইবুংঙো ধৃতরাষ্ট্রগী মচানুপা অহল দুর্যোধনবু নিংথৌ ওইনা হাপ্নিবগনি হায়না।"

ভীষ্মনা মঙম থবা তুমিন্না লৈরম্মী। মতুদা মহাক্না শমজিন্না হংলকই, "অতৈ অতৈ রাফমদি লৈবিব্রা ?"

"পাবুং নিংথৌনা ইকাই খুম্নবগী মশক ওইববা মবুথৌবু য়াম্না থাজবগা লোইননা, দুর্যোধনগী মফমদা অচুম্বা অদু তৌবিবক্কনি হায়না থনজহৌই" শকুনীনা হায়জবকই।

"নংগী নপা ইবুংঙো পুকচেল চাউববা নিংথৌনদি মথোয় মচিন-মনাও মঙা অমসুং দুর্যোধনচিংবা মচিন-মনাওশিংদা মতৌ করম্না অচুম্বা লম্বী চৎকদগে হায়বদুদি হায়রক-লাকলকপা লৈব্র ?" ভীষ্মনা হংলকই।

"ঐগী ইপা নিংথৌনা ঐঙোন্দা, কুরুগী খ্বাইদগী হেন্না লেমজ-

নিংঙাই মশক ওইববা মবুধোনা, কবিগুম্বা মচিন মনাও মঙা অদুবু নিংথৌ পাণ্ডুগী মচানি হায়না লৌশিল্লবসু দুর্য্যোধনবু পাণ্ডুগী খুডম অদু ফংহনবিযু হায়না হঙ্গৎচৌ তাকপিবকই।”

ভীষ্মনা পাওথুম পিদনা ঙাংহাক লৈবম্মী। মতুংদা মহাক্না হংলকই, “নংনা হায়নিংবা অতৈ বাদি লৈবিবা?”

“থোইদোকপা লৈড্রে,” শকুনীনা খুমজবকই। “অদুম ওইনমক ঐগী ইপা নিংথৌনা মবুধো মফমদগী পাওথুম অমদি পায়মগনি নিংজৈ।”

মাগী রাফম অসিগী পাওথুমদি পিদনা ভীষ্মনা শকুনীদ হংলকই, “মহাক্না মখোয় মচিন মনাও মঙা অসিবু পাণ্ডু নিংথৌগী মচা নত্তে হায়না হায়বিযু হায়দুনা কুরুগী অহল লমনশিংগী মফ থিরুব্রা?”

শকুনীনা চুম্না হংলকখ্রবা রাহং অসিগী পাওথুম পিবদ থোইদোক্না লুনা থোক্লম্মী। “মবম অদুগীদমক্তদি ঐহাক্না মখোয়শি অদুগা উনজরুদে,” মহাক্না হায়জবকই।

“অদুদি মখোয়না নংবু মবম অদুগীদমক্তা যেংকুনা উনখিবদি লৈব্রা?” ভীষ্মনা হংলকই।

মনম মনম তকশিন্না হংলকপা রাহং অসিগী পাওথুম পিদ সুনা থোক্লুনা শকুনীনা থেদোক্লুনা খুমজবকই, “মখোয় মচিন মনাও মঙা অসিবু পাণ্ডু নিংথৌগী মচানি হায়দুনা মবুধোনা লৌশিল্ল গা যুধিষ্ঠিরবু নিংথৌ হাপথ্রগদ্রা হায়না খন্দুনা মখোয় পুম্নমক মপুক্লিদা লাংতক্লবা পোক্লম্মী।”

"নংনা শ্রোত্রিয়শিং খরগসু উনরম্মী," ভীষ্মনা হায়রকই। রাহং অসিনা শকুনীগী মফমদদি নোং খাক্তনা বজ্র তাবগুম্না থোক্লম্মী। মহাক্না মকোক্ ওইবা শ্রোত্রিয়শিং খরগা উনখ্রে হায়বসি ভীষ্মনা খংখ্রে হায়বা মহাক্না খংজরম্মী।

"ঐহাক্না শ্রোত্রিয়শিং খরগী মফমদা দুর্যোধনন্না করিগুম্বা নিংথৌ ওইবা য়াবগী থাইনগী চংনবী নিয়মশিং লৈ-লাকপ্রা হায়না খংনিংহুনা হংজরুবনি," শকুনীনা খুমজরকই।

"নহাক্না হান্না পুবোহিত ওইরম্বা আচায্য বিভূতি অমসুং হৌজিক্কী পুবোহিত আচায্য ভবদ্বাজ অনিগা উনরুবব্রা ?"

"উনজদ্রি," শকুনীনা খুমজবকই।

"অদু ওইববদি নংনা মখোই পুরোহিত অনিগা থাইনগী চংনবীগী মরমদা খন্ননবা উন্নরুচো," ভীষ্মনা হায়রকই। মহাক্না মতোম্মতা ঙাংজবগুম্না মখা তারকই ; "করম্বা শ্রোত্রিয় অমনা, ধর্মক্ষেত্রদা ব্রহ্ম সভানা লেপ্পপ্রবা থাইনগী চংনবী রাফম অসিবু শিংনবা ঙমগদৌরিবা, অদুগীসু মথক্তা কৃষ্ণ দ্বৈপায়ন মশামক্সু য়াপ্রবা চংনবী অমনি, অঙকপনি।"

"কৃষ্ণ দ্বৈপায়নগী করি মতনে! হায়বদু ঐনা খংজবা য়াগদ্রা ?" রাহং অসি হংদোক্লুরগা শকুনীনা মতোমতা অমুক শোনজরকই, "শ্রোত্রিয় কনানা দ্বৈপায়নবু শিংনরুবা ঙমগনি ?"

ভীষ্মনা অবেপ্পা অমা ওইনা হায়রকই, "পাণ্ডুনা কুরু শাগেগী অরোইবা নিংথৌ অদু ওইরম্মী। মহাক্না শিপ্রবদি মাগী

মচাশিংনা, মহাক্না হিংলিঙৈদা ফংলম্বা নিংথৌ অমা ওইবগী খুদোং চাবা পুন্নমক অদু শোইদনা ফংফম থোকই।"

শকুনীনা মপুক্সিংদদি ৱারোরগা মোমোন নোক্লগা হায়জরকই, "কুরু শাগৈগী অথোইবা, আর্য্যাবর্ত্তদা পোকপা কনা অমতনস্থ মুনি দৈ্বপায়নবু মরম অসিদা শিংনবা ঙম্মোই। অদুবু কুরুগী অথোইবা মবুধৌনা থোইনা হেন্না খংবিরিবা অদুনি, মদুদি ফিভম্না য়ারক্তবা মতমদদি থাইনগী চৎনবী অদু হোংদোকপদা করিস্ত অকাইবা লৈতে হায়বসি।" শকুনীনা অহল অসিবু ৱাফম অমা পুথোক্লনা য়াহনগে খল্লম্মী। মহাক্না হংজরকই, "ৱাফম অসিগী মরমদা ঐনা খরা শন্দোক্না হায়জবা য়াগদ্রা?"

"হায়য়ু, নংনা ৱা ঙাংবদা ঐনা থিংখিবা লৈতে," ভীষ্মনা হায়রকই।

"গন্ধারাগা কুরুগা মরূপ ওইনা মতম কুইনা চেংশিন্না লৈমিন্নবা য়ানবগীদমক্তা ঐগী ইপা নিংথৌনা, কুরু শাগৈগী অথোইবা মবুধৌগী ফিরেপ অদুবু অমুক্তগা হন্না খন্থবিবা পাম্লমগনি," শকুনীনা হায়জরকই। মতুংদা মহাক্না ৱাখল ঙাইহাক তৌরগা য়াম্না তকশিনবা মওংদা মখুৎ লোন্নরগা মথা তাজরকই; "ঐগী ইপা নিংথৌনা, গন্ধারা ঐখোয়গা মরূপ অমা ওইনা লৈবা অদুনা দুর্য্যোধনগীদি য়াম্না কান্নবা অমা ওইগনি হায়না, খনজহৌই।"

"কোইথোক্না হায়বগী মহুত্তা তশেং তশেংবা অপাম্বা অদু হেক্তা হায়য়ু। নংগী নপাবুং নিংথৌনা মাগী অপাম্বা অদু ঐখোয়বু তৌ হায়রকপ্রা?" ভীষ্মনা শাওরপা শকুনীদা য়েংলগা হংলকই।

শকুনীনা ৱাফম অদু শেংদোকচগে হায়দুনা মচিন অদু লেং-লকপা মতমদা ভীষ্মনা ইঙ্গিৎ তৌদুনা খাম্লগা হায়রকই, "নংগী নপাবুং নিংথৌদা, ভীষ্মনা কুরুগী শক্তি শিজিন্নবদা কনাগী মতেং লৌগদবা লৈতে হায়না, হায়য়ু।"

"নত্তে, নত্তে," শকুনীনা ইপা পাখৎনা হায়জরকই। "ঐগী ইপা নিংথৌনা কুরুগী ইমুং-মনুংগী থবক্তা খুৎ থিংজিনবা অদুদি পামদে।"

য়াথং অমা ওইনা ভীষ্মনা হায়রকই, "নংগী পুকচেল চাউরবা নপাবুং নিংথৌদা, ভীষ্মনা মচিন-মনাও মশা অসি পাণ্ডু নিংথৌগী মচানি হায়না লৌশিল্লগা, পাণ্ডুনা নিংথৌ ওইরিবৈদা ফংলম্বা খুদোংচাবা পুন্নমক অদু ফংহল্লগনি হায়না, হায়রু। অদুগা কনা-গুম্বশিংনা কুরুগী ওইবা ৱাফম অসিদা অয়েৎপা পিববদি, মখোয়না কুরুগী অমসুং মখোয়গী মরূপ ওইবা লৈবাকশিংগী অপুনবা শক্তিশিং অদুগা মাইয়োক্নবা ফংগনি।" নোংখাকপা মতৌগুম্না মাগী মখোল অদুসু ডংলম্মী।

মতম অসিদা ফম্নাইবা অমা চংলক্লুনা ভীষ্মগী মমাংদা মথুৎ-লোম্লনা লেপচরগা হায়রকই, "কুরু শাগৈগী অথোইবা মুনি দ্বৈপায়নবু পুরকপা হী অদু মিংনা উবা ফংলে। মিৎকুপ খরগী মনুংদা মুনি য়ৌরক্লগনি।"

"ফরে, মহারাণীদা ঐনা মুনিবু পুদুনা লাক্লগনি হায়না হঙ্গৎলুরো, নত্রবদি ঐখোয়বু ঙাইবদা অৱাবা অমা ওইরগনি।"

ভীষ্মনা পিশুম শুক্না সিংহাসনদগী হৌগৎলম্মী।

শকুনীনা মণ্ডক নোন্না থুরমজবগা কিথি-কিরূম তৌনা হায়-জরকই, "কূরুগী মবুংঙো, ঐদি নিংবা কাইবা অমা ওইনা হনজখ্রগে।"

ভীস্মনা থোংজাও অদু য়ৌদ্রিবৈদা লেপ্লগা শকুনীদা ওনশিন্দুনা হায়রকই, "ঐহাক্কী পাও অসি নংনা মুমিৎ হুম্নিগী মনুংদা গন্ধার লৈবাক্তা চৎলগা, নংগী নপা ইবুংঙো নিংথৌগী মফমদা হায়রুবা অদু ঐনা পান্মি।"

শকুনীনা হায়রক্লিবা রাঙাং অসি হায়জবা অমা নত্তে য়াথংনি হায়বদু খংজদুনা মণ্ডক নোন্না য়াবে হায়বা উংনা থুরমজবম্মী।

ভীস্মনা কন্নাইবা অমগা লোইননা কা অদুদগী থোকখিরম্মী।

৩৫ শুবা শন্দূপ

ব্যাসকী মথৌশিং

হস্তিনাপুর শাসিংবা অনগা নত তিনদবদগী অমন, অমগী মাপনা। ভীষ্ম চৈথং। পাণ্ডুনা নিংথৌবেন লৈইবা। গোমাক প্রাং কু ভাইহনগানা নিংথৌ। মহাবাণী সত্যবতীগী আশা অহুস্থ মহাক শিখিন্দগী পুম্মাং মাংখিদ্রবা। রাখল ময়াম অমুন, ননবদনী লহা।। মপাদা লাংনা পোক্লম্মী। মহাক্ক ফিভম নোংমা লোননী শাকুচিল্লকপহু উবদা, ভীষ্মনা দ্বৈপায়নবু হংহুনাগুবদা পুরন হৈবরুবা পাণ্ডু পিশিনদগী মুনিনা লাকপনি।

অন। ভাগ্যগা লোইননা মহাবাণীগী কাদা লাক্লম্মী। মতম অসিদা মহাবাণাদি কপুদা। ইহৌ থৌহুনা লৈরম্মী। নমাই মনিং ইপোম পোমখংবনী। দাবানা শোগক্লুনা মহাক্লা কপুদা য়াম্না রানা ফল্লম্মা।

দ্বৈপায়ননা চংশিন্দুনা নমাগী মখোং শোক্লা খুবনভবম্মী মহা-বাণীনা আশীর্ব্বাদ মচাদা পিরানী। ৎংনবী নিযন ডাম ভীষ্মনস্থ মহাবাণাগী মখোং শোক্লম্মী। মহাবানীনা ইঙিং অমা লৌদুনা মখোয অনিবু ফমংহল্লম্মী

মহাবাণীনা মামং উইশিন্দুনা ভাইহাক নৈকদগা হায়রকই, "কৃষ্ণ, হন্দক্ক" খুংকু অসিদি ওন্থোক্লা কনখ্রে। এইহাক্লা থাবদা য়ানা থোক্লে। চংশিল্লকউ, ইনাক্তা ফম্লো লাও। এনা নংবু তা

ভাইদুনা লৈবম্বনি। ঐনা কয়া কুইনা হিংখিনি, ঈশ্বর মহাক্তি খংলমগনি অদুবু ঐদি শিনিংলে" মহারাণীনা ৱাইৎ থবসি হায়বগা হিক্না হিক্না কপ্পুনা মমাই অদু মোংদা লোংচখিনম্মী।

মখোল য়াম্না পিক্না মহারাণীনা অগ্নক মখা তারকই, "ঐহাক্ক কাংদলদা তিংদুনা লৈবে। ঐনা ঐগী হৈবাংদা নিংথৌবেনগী মফমদা নিংথিনা, মপুন্সি শাংবা মচাগ্নপাশিং অমগা কংথিবা থমজখিদ্রে"

মতুংদা মহারাণীনা ভীষ্মদা ওনশিল্লগ হংলবই, "গাঙ্গেয়, নংগা দ্বৈপায়নগা নাবিশিং পুন্নমক গদু শানথ্রবা?"

"শানন্দ্রে ইমা। ঐহাক্না অমম্বা চিংথদনা নহাক্না নাং তৌনন্দ্রে," ভীষ্মনা খুমকই।

"নহাক্না মং কবি লৈ দ্বৈপায়ন?" মহারাণীনা হংলকই

"পুকচেল চাউবা গাঙ্গেয়গী ফিলেপ অসি অচুম্বনি." মখোয় হায়বকই। "মহাক অমম্বুং কুরুগী অহল নাইনশিংনা নিয়োগদা পাণ্ডুগী মচাশিং পোক্লবা তৌনহন্নবনি। মবম অদুনা মখোয় পুন্নমক্ক, মচিন মনাও মওাবু পাণ্ডু নিথৌগী মচানি হায়না লৈ শিনফম থোকই।"

"মদু অচম্বনি। ঐখোয় পন্নক্না পাণ্ডুগী মচানি, লৌশিনবা হায়দুনা য়াশক্লখবনি। মবম অদুনা মখোয় মওাতগী নত্তনা চাদদ্রু অহল ওইবা যুধিষ্ঠিরদা যুবরাজ ফিফম থোকই," ভীষ্মনা হায়বকই

"কুরুগী অহনশিংনদি কবি হায়বি?" মহারাণীনা হংলাকই

"মখোয় অয়াম্বনা মচিন-মনাও মওা অসি পাণ্ডুগী মচানি হায়বদু য়ারম্মী," ভীষ্মনা খুম্লকই।

"মতম শবগী মমাংদা, ঐনা মকম অসি যৌবক্রিউডা, শকুনান' নংগা উনবা লাক্লম্মী হায়না ননা ঐংডোন্দা তমখে, মহুদা মহাক্না করি হায়বগে ?" মুনিনা ভীষ্মদা হংলকই।

ভীষ্মন খবা হঙ্গোঙবপ ভোনা নোল্লগা হায়রকই, "মহাক্না (শকুনীনা) ঐঙোন্দা য়াম্না হেৎশংনা দুর্যোধনগীদমক্তা রা হায়বখী। মপা শুবননা, মচিন-মনাও মচা হানা পাণ্ডুগী মচা ওইনা লৌশিন-বিগন্নু কবিগম্বা লৌশিনবা শাবরম্ভু, মওং অমা তৌতুনা দুর্যোধনবু কুরুগী সিংহাসন ফংহনাবগু হায়না হায়জবকই হায়না ঐঙোন্দা তম্লখী। মহাক্না মকোক ওইবা শ্রো এমনিং শবগম্ভু দুর্যোধন্না নিংগৌ ওইবা যাগদ্রা হায়বগা মখমদম্ভু শান .ন হায়বখী।"

"শ্রোত্রিএশিং অদুনা মতৌ কপম্না দুর্যোধনগী রাকম অদুবু যাবা ওনগদগে ?" মুনিনা হংলকই।

"ঐনা খনবদি মহাক্না ঐবু লৌনন লোগে খন্দুনা লাকপা ওই মগনি," ভীষ্মনা খুম্লকই। "হস্তিনাপুরদা লৈবা শোত্রিয় পুম্নমক্না, ঐখোয়গী হাম্নগী পুরোহিত ওইনম্বা আচার্য্য বিভূতি অমসুং হে ডিক ওইবিবা আচার্য্য ভরদ্বাজ অমিগী মত অদু যাবখী, হাংবাদ যুধিষ্ঠিরগী রাকম্না খুঙদগী অহংনি হায়বখী। নশামক যাওনা ধর্মক্ষেত্রদা ব্রহ্মা সম্ভানা লেপ্লগবা রাকম্নি"

"মখোয় মচিন-মনাও মচা অসিনা কুরুগী অবোইবা নিংথৌ অদুগী মচাশিং ডাক্তা ওইবা মবম্না। মখোয়গী ময়াম্না অহনা অদুনা মপাগী খুন্দন ফংবা হায়যাস মান। পোক্পদা অহুম যাওডনক্লবা হক অমনি," মুনিনা হায়রকই। মতুংদা মহাক্না ভীষ্মদা হংলকই,

"শকুনীগী মফমদদি করি হায়না হায়খিবগে পুকচেল চাউরবা গাঙ্গেয় ?"

''ঐহাক্না মবুকচেল পিক্ত্রবা অদুগা মতম শাংনা মাইয়োক্নবা পান্নমদে,'' ভীষ্মনা খুম্নকই। ''মখোয় মচিন-মনাও মঙানা লৈখিদ্রবা নিংথৌ পাণ্ডুগী মচা ওইবনিনা, মখোয়গী মফমদা নিংথৌগী ফংফম থোকপা। পুন্নমক অদু পিগনি হায়না ঐহাক্না মঙোন্দা হায়খিরম্মী।"

মহারাণীনা দাবীগী মতেং লৌদুনা ফমুংদা অমুক হন্না ফম্নগা হায়রকই, "গাঙ্গেয়গী শক্তিতন কুরুশিংবু অমত্তা ওইনা পুনহল্লম্বনি। অরাবা পুন্নমক অসিগী মরুদি শকুনীনি। মহাকপু হস্তিনাপুরদগী তান্থোকখিবা তাবনি।"

"ইমা, ইমানা তাকপিবদু অচুম্বনি। শকুনী অসিনা ঐখোয় পুন্নমক্কী মাং তাক্লবগী লম্বী অদু ওইরি," ভীষ্মনা হায়রকই। "অদুম্নদি ওইরবদা, ঐখোয়না মাবু তান্থোকপা য়ারোইদৌরি। মহাকপু ঐখোয়না তান্থোকত্রবদা ধৃতরাষ্ট্রনা ওইহৌগদবা ফিভম অদু অমুক্তা থনবিয়ু। অদুগা মতৌ অদুনম্মু নিংথৌ শুবলগী মফমদা য়াম্না থিনা অকাইবা ওইখিগনি। ইমানা শকুনীগী মরমদা খাবিবা তৌগনু। কুরুশিংনা মাবু চেকশিন্না য়েংবা ঙমগনি।"

"হৌজিক লান অমা থোক্লবদা" ভীষ্মনা মখা তারকই, "মতুনা ইচম চম্বা লান মচা অমা ওইবা য়ারোই, মতুনা লান-জাও অমা ওইদুনা নিংথৌ ময়ামস্মু য়াওনরক্কনি। দুর্য্যোধনগী মীচংদা, নিংথৌ শুবল, করুস, চেদী অমদি মথুরা ফাওবা মঙোন্দা য়াওখিবা য়ানা লৈ। মখোয় মচিন-মনাও মঙাগী মীচংদনা

কুন্তীগী মবুং, যাদবশিংগী লুচিংবা বসুদেব মাবু য়োকপা মপা কুন্তীভোজ অমসুং পঞ্চাল নিংথৌ দ্রুপদ ফাওবা য়াওরকপা য়াই।"

"কুরু শাগৈগী নুপীশিংনদি রাকম অসিদা করি হায় ইমা?" মুনিনা হংলকই।

"ঐগা উনবা মথোয় অযাম্বনা মচিন-মনাও মণ্ডা অসি পাণ্ডুগী মচানি হায়না লৌরম্মী," মহাবাণীনা খুম্লকই। মহারাণীনা ডাই-হাক তুম্মিন্না লৈরুবগা মতোংগ্রতা ওাংজবগুম মুকন মুকম শোল্লকই, "এন' কুরুতগী শক্তিবু চাউথংনবা মতম চপ্পদা খনজত্তুনা লৈবনি। অদুবু ঐহাক অসিনা আশা তা লৌদুনা লৈজবী অপংবী নুপী অমা হায়বতু ঙংবা তাবমাল্লে।"

"মতুম্না খল্লুবনু ইমা," মুনিনা মমাগী মথুক্ত তপ্না পাইতুনা নুংশিনা নানবিবগা হায়বকই। "ইমা নংদি গাঙ্গেয়গী মফমদদি শক্তিগী কুড়া অতু শুইনা লৈবকিনি। মবমদি কৃষ্ণ পুন্নমক্না অমত্তা শুইনা পুন্না লৈবক্লিবসি নংনু নুংশিবদগী লৈবকলিবনি। অদুবু ইংনা থাকপিথিবা যুধিষ্ঠিরবু যুবরাজ হাপ্পনবদি শকুনীনা খুদোং-খিবশিং থোকহল্লক্কনি হায়বতু, নচা ঐনসু যাজে।"

মহাবাণীনা হায়বকই, "শকুনী হায়বা অসি, অপিকপা তীল অমনা অচৌবা উপাম্বী অমবু চিকথত্তুনা তুহনবা ওম্বা অদুগুম্বা কংখিদ্রবা তীল মথল অতনি। নংগী কবম্না লম্পী অমদি, খল্লি কুলঃ? নংদি কুরুগী শক্তিগা থোইদোক হেন্দোক্না ঐথোয় পুন্নমক্না মপি লৈনরিবনি।"

"ঐথোয় হৌজিক ওম্লবা চাংদোল মক্কোল অতুদা লৈরিবনি

ইমা." মুনিনা হায়রকই। "ঐখোয়না লেপকদবা ফিরেপ অমদা লেপথোক্লসি। ঐগী ওইনদি কুরুগী শক্তি অতুদা ঐহাক্না লেপ্তুনা লৈগনি।"

"নংগী ওইনা অপাম্বতু করিনো? ঐখোয়দা খংহল্লু." মহারাণীনা হায়রকই।

মুনি দ্বৈপায়ননা ওপ্না খুমজরকই, "ঐনা কুরুগী শক্তিবু পাম্বগী মরম ইমানা ঐঙোন্দা হংবিরি। মবম অতু হায়জগে তাবিয়ু। ঐহাক্না হৌজিক ফাওবা য়াকম অসি কনা অমত্তগী মফমদা ফোংদোকথিদ্রিবনি। নিংবা কাইবদি তৌবিগনু ইমা। ঐহাক্না কুরুগী শক্তিবু পাম্বগী মরমদি পুকচেল চাউরবা গাঙ্গেয়গী মতেংনা ব্রহ্মতেজগা ক্ষেত্রিয় তেজগা অনি অসি অমত্তা ওইনা পুনশিনহনবা ওমথিবা অসিনি। মরম অতুনা আর্য্যাবর্ত্ত অসিদা কুরুগী নিংথৌরেন অমা লৈবতু লৈত্রবা য়াদ্রবা মবম অমা ওইরম্মী। ঐহাক্না মতুগুম্বা নিংথৌরেন অতুবু কুরুশিংগী মরক্তগী ফংদ্রবদি, অতৈ অতোপ্পা মফমদগী ঐনা থিবা তারম্মী।"

মতুংদা মুনিনা য়াখল ওাইহাক তৌরগা মপুক্লিং য়াম্না সুংশিনা মওংদা হায়রকই, "মুনিং কৌবা লাইনা ঐঙোন্দা, ঐনা হায়জরুবা নত্তনা, ধর্ম্মবু মরা চেংনা থম্বা ওম্নবগীদমক্তা শক্তিশিং অতু পিনবিরকই। আশ্রমশিং কয়া লিংথংপা ওমহনবতা নত্তনা শ্রোত্রিয়শিং কয়াগী মফমদা বেদবু থাজহনবা পোকহল্লি। শ্রোত্রিয় কয়া অমম্মু মতমগী মতুং ইন্না লাক্তুনা বেদগী ধর্ম্মদা মপুক্লিং চংনা লৈহৌরগনি অমসুং অমত্তা ওইবা অচুম্বা ধর্ম্মবু শন্দোকপা ওম্নগনি।"

"অতুগুম্বা নিংথৌবেন অতুদি ঐখোয়না কদায়দগী ফংলুগনি ?" মমা মহাবাণীনা হংলকই। মতুংদা মহাক্না স্বর শাংনা হোন্দোক্লগা হায়বকই ; "ইমাগী ইবুংঙো, মহাক্না কবিগুম্বা হিংতুনা লৈবক্লবদি, মহাক অতুতনা ঙমগদবনি, অতুবু মহাক্তি লৈখিদ্রে।" মহারাণীনা মমিত্তুগী মপিশিং অতু তৈথোক্লগা মখা তারকই ; "নংনদি ঐগী অরাব-শিং অসি খংদে কৃষ্ণ, ঐগী লৈজবা ইপাঙ্গল পুম্নমক লোইশিনখ্রে।"

"ঐ খংঙি" মুনিনা খুম্লকই। "অতু ওইববস্তু থেংনরিবা লান অসি থাদোকপদি য়াদে। ঐনা নংবু নিংজৈ, পূজা তৌজৈ ইমা, নচা অমা ওইবগী তৌবা নত্তে, নংনা হস্তিনাপুবগী প্রজাশিংগী মফমদা লৈবিবা শক্তি অমস্তুং মখোযনা নংবু লুনা অমস্তুং কিনা নিংবা মতৌ অসি উবদা ঐগী পেনজবা অহ্ন ওইতুনা তৌজবনি।"

ঙাইহাক তুমিন্না লৈরুবগা দ্বৈপায়ননা য়াম্ন নোল্লুকপগা লোইননা হাযজরকই, "অতুবু ইমা, মতুং অসিদগীদি অত্তোপ্পা মওং অমদা লাক্লগনি। ঐনা মতুং অসিদা থোক্কদবা থৌদোকশিং অতু উবে। হস্তিনাপুব অসি নাকপাক অনি থোক্লা লানগীদমক্তা থৌবাং তৌনব-বগনি। ধর্ম্মগী ব্রাখল থাদোক্লগ্রগনি। যেংশিনবা মখোয় মশেল ঈপাক্তা লুপ্পরনি। কনানা মমাই পাক্কনি হায়বা অতুদি কনা অমত্তনস্তু হৌজিক্তি হায়বা ঙমখিবোই। লাইনস্তু ওইবা য়াই নত্রগা হিংচাবনস্তু ওইবা যাই"

"ঙসিদি নহাক য়াম্না নিংবা কাইবা মীশক অমা ওইনা ইমানা উরে কৃষ্ণ," মহাবাণীনা হায়বকই। "মহোশানা নংদি তুংগী ব্রা পুম্নমক খংবা ঙম্বনি।"

"কুরুগী মনুংদা থংনবা অসিনা পৃথিবী পুম্নমক অসি তংখাই তানগদৌরি ইমা। রাক্ষম অসি শোইদ্রবনি." মুনিনা হায়রকই।

"মসিবু থিংনবা লম্বী অমত্তা লৈত্রব্রা মুনি?" ভীষ্মনা হংলকই।

"ঐনা তশেংনা হাযবা ওস্মী মতুদি হস্তিনাপুরগী শক্তি অসিবু চুম্না শিজিন্নবা ঙম্লবদি, অনৌবা নিংথৌবেন অতুনা ব্রহ্মতেজ অমসুং ক্ষেত্রিয় তেজ অনি পুম্না থম্লগা পৃথিবী পুম্নমক্কী মথক্তা রায়েন-থৌদাবতু ঙমগনি," মুনিনা হায়রকই।

মুনিনা রাখল ওাইহাক তৌবগা অমুক হায়বকই, "চুন্নী, শকুনী অসি, লাইশিংগী লাই ওইবা শিব মহাদেবগী মথনাওদা লৈরিবা হু, ওৎথোকপসু য়াদবা য়োৎশিনবসু ঙমদবা, অতুগুম্বা মশক অমনি।"

"নংনা হায়থিবা ঐখোয অসি অঙম্বা চীংদোন অমগী মতোন্দা লৈরে হায়বতু অচুম্বনি," মখোল অতু নেম্না মহাবাণীনা হাযবকই।

"ইমা, ঐখোয়না অরাবা থুদোংথিবশিং লাকপা পুম্নমক অতু মাইযোক্নসি." মুনিনা হায়রকই। "লাইশিংনা ঐখোয়গী মতেং শোইদনা পাংবিরক্কনি।"

নিংবা কাইবগা লোইননা মহাবাণীনা হায়রকই, "অতুবু ঐহাক্কা মতৌ করম্না লৌতুনবশিং অসিগী মরক্তা, অমদা মীচ' চংবসু ঙমদা, অতোপ্পা অমগী মাইকৈদা লেপ্পসু ঙমদনা, লৈগ-দৌরিবা ?"

"ইমানা মতৌ করম্না লৈগদগে হায়বতু হাযজগে," মুনিনা হায়রকই। "কাশী নিংথৌ মচানুপী অনিগা লোইননা ইমানা

পবাশব আশ্রমদা লাইনিংতুনা পোথাবিরুবো। ইমানা চৎখ্রবা মতুংদা হস্তিনাপুবগী প্রজাশিনা অরাবশিং থেংনরক্কনি, মতম অতুদা মখোযগী অরাবগী পিশিং অতুন। নংগা প্রজাশিংগা লৈনরিবা মবি অতুবু থোইনা হেন্না নকশিনহন্নক্কনি। নহাক্না লৌতুনবশিং অতুগী মরক্তা লৈকদ্রবদি নংগী পাণ্ডবাকশিং অতুবু থোইনা কিনা লৌনগনি। প্রজাশিনা নহাক থংদাক্রবা যাদ্রবা মীশক অমনি হায়বত্ত শোইদনা খংজবক্কনি। লান থোক্রবস্থ ইমাদি অযেংবা অমা ওইনা তুমিন্না লৈবিয়্। লানগী অফ ফত্ত মহৈ অতু ফংলবা মতুংদা মখোযনা শক্তি অতুগীদমক্তা ইযাগী নাক্তা লাক্কনি।"

মহারাণীনা রাখল ওইহাক তৌবগা হায়বকই, "যাম্না ফরে কৃষ্ণ। ঐনা নংনা হাযবিনা অতুমক তৌবগে।"

"অদুগা খল্লু, হস্তিনাপুর নত্রগা অতে অতোপ্পা লৈবাক অমদগী পন্থবু কনবা ওম্বা নিংথৌবেন অমতা ফংবা ওমদ্রবদি নংনা করি তৌবা তাবি?" মহারাণীনা হংলকই।

"ঐনা খুদোংথিবা অতুগীদমক্তা কবিমক্তা খন্দে," মুনিনা খুম্নকই। "লাইশিংনদি ধর্ম্মদা লেংদনা লৈযু হাযনা নচাদা পাণ্ডবাক পিরক্লি। কুরুগী মবক্তগী নিংথৌবেন অমা ফংবা ওমদ্রবস্থ, ভুনিং কৌবা লাইনা অমদি শোইদনা থাবিরক্কনি:—

"শশ্বৎ-ধর্ম্ম-গোপ্ত, ধর্ম্মদি মপান নাইদবা, কনবিবিবত্ত নংননি,
মাংহল্লগা ফত্তবশিং, কনবিবি ধর্ম্ম লৈবশিং, মসিনি নংগী থোংচত্তি।।"

---

৩৬ শুবা পন্দুপ

মহাভারত অমদি শ্রীমদ্ভাগত পোকপা

চহি তরানিথোই চংনা ধর্ম্মক্ষেত্রগী মশক ওইরবা কুরুক্ষেত্রদা তৌবা শ্রৌত ছত্র যজ্ঞনা নিংখিনা মপুং ফানা পাংথোক্লুনা লোইগ্লবা মতুংদা নোংমা কৃষ্ণদ্বৈপায়ন বেদ ব্যাসনা থোইদোক্লা মপুক্লিং মকা লান্না সরস্বতী তুরেন মপান্দা লৈবা অচিকপা মফম অমদা ফমতুনা লৈরম্মী। অতুবু ইথং থংহৌদনা মাগী মপুন্সিদা থোকখিবা থৌ-দোক ল্লাথোকশিং অতু মথং মথং, দোরৗদগী লংজা চিংথোরকপগুম, লাক্লম্মী।

মমা সত্যবতী মহারাণীগী খল্লুবদা মাগী মপুক্লিংদা থোইদোক্লা অরাবা অমা ওইরম্মী। নিংথৌরেন শান্তনু শিগ্রবা মতুংদা হস্তি-নাদা থোকখ্রিবা থৌদোকশিং অতু মথং মথং ওইনা মাগী মমিত্তা হৌজিক্তা থোকপদৌনা উবা ফংলম্মী। থৌদোকশিং অতুগী মনুংদা মমানা খ্বাইদগী হেন্না মথল্লাই শোকপদি মচানুপা নিংথৌরেন অনিনা, নহা য়াম্না ওইনা, মথং মথং, মচানুপাস্থু অমত্তা থনমদনা মপা মপুশিংগা তিন্নখিবা অসিনি। নিয়োগদা ফংবা মশুনুপা অহুম, অহল ধৃতরাষ্ট্র, মপাঙ্গল কনজ্জরবস্থু মমিৎ পুমতাং তাংনা পোকপনা নিংথৌ ওইবা য়ারমদে, অনিশুবা মশুনুপা পাণ্ডু, মশা শোন্না অমদি লাইথুং পক্লা পোকলকই. অতুগীস্থু মথক্তা মুনিগী মীচৈ ফংবদগী হিমালয়গী আশ্রম অমদা মথল্লাই থাখিরম্মী, অমদি

অহুম শুবা মশুনুপা বিতুবনা মীনাইনুপীগী মচা অমা ওইবনা নিংথৌ খুভম ফংবগী হক অতু লৈরমদে। অতুবু মহাক্তি মরমচং মতৌ ফজবদা মরৌশিং লৈবদা অমদি ধর্ম্ম লৈবদা বিতুব বৈষ্ণব হায়না ফাওরম্মী। ধৃতরাষ্ট্রনা মচা চাম্মা অমা পোকই, দুর্য্যোধন দুশাসন্না অহল অমস্তুং মথংনি, চাম্মগা অমা শুবা ইতোন তোনবা অতু নুপীনি, মমিংনা দুশিলা কৌই। পাণ্ডুনা শিদ্রিভৈদা মাগী মহারাণী কুন্তী অমস্তুং মাদ্রি অনিদা মাগী অযাবা পিতুনা নিযোগদা কুন্তীনা মচানুপা অহুম অমস্তুং মাদ্রিনা মচানুপা অনি পোক্লম্মী। মখোয় মচিন মনাও চাম্মগা মঙাগগী মনুংদা যুধিষ্ঠিরনা খ্বাইগী অহন অতু ওইবম্মী। মখোয় মশেল নিংথৌ খুভম মুন্নবগী অকনবা ইবাং মবক অতুদা অহল ওইরবী মমা সত্যবতীনা তারিবা দষা অতুবু খল্লুবগা বেদব্যাসনা মমাগীদমক্তা রাদবা ঙম্লমদে।

মমাগীদমক্তা মপুক্লিংদা অরাবা রাখল তৌজরবস্তু, বেদব্যাসনা মাগী থম্মোইগী মিংশেলদা তক তকনা তাববিবা মনি অসি মশক অমা ওইনা পুথোক্লগে হায়না খল্লম্মী। মহা ভাবত কৌবা ইতিহাস অমা পুথোক্লুনা তাইবং ভীবশিংগী অা তুং ফাওবদা খনজ-নৈনজহৌনবা থম্বীরম্মগে হায়না মাগী „মপুক্লিংদা লেপ্লম্মী। মহাক্লা মাগী মপুক্লিংদা ইতিহাস অসিগী রাখল পুম্নমক অতু পরিং চানা মপুং ফানা খনবা লোইরবা মতুংদা মহাক্লা চিনফাদা হাযরগা কলম পায়তুনা ইবিনবা মীশক অমা থিবক্লম্মী। কনা থিবদা অমদি খনবদা ফংলক্ত্রবা অমদি থোক্লক্ত্রবা মতমদা মহাক্লা জগৎ শেম্বীবা ব্রহ্মাবু ধ্যান তৌনা নিংজরম্মী। ব্যাসদেবগী লাইনিংদা

ব্রহ্মানা পেনবিদুনা লাক্লগা হায়রকই, "নমিং পাংলো ব্যাস, নংগী অপাম্বা করিনো হায়য়ু ?"

পিতামহ ব্রহ্মাগী য়াথং ফংবদা বেদব্যাসনা ব্রহ্মাগী মথোং শোক্লা খুরম্নগা মখুৎ লোম্না হায়জরকই, "ননাইনা ওস্থোক্লা ফজরবা ইতিহাস অমগী মচাকপু পুক্লিংদা ফাদুনা থমজরে, অদুবু মসি ননাইনা চিনফাগুম্না ব্রং ব্রং থিরগা মদুবু পরপ পরপ ইবা ঙম্বা মীশক অমতং থিবদা ফংজবা ঙমদ্রে, মরম অদুনা ননাইগী চিনহায় মতুংইন্না পরপ পরপ ইবা ঙমগদবা মীশক অমতং ননাইদা তাকপিরম্মু।"

পিতামহ ব্রহ্মানা বেদব্যাসকী মপুক্লিংগী ব্বা অদু খংবিদুনা ব্বাথল ঙাইহাক তৌরগা হায়রকই, "নংনা গনপতিগী মফমদা হায়জো, অদু ওইরবাদ নংগী নিংজবা আশা অদু থুংগনি।" অস্তুন্না তাকপীরম্মগা পিতামহনা ব্যাসদেবগী মমাংদগী মাংথোকখিরম্মী।

ব্রহ্মানা লেংথ্রবা মতুংদা মহামুনি ব্যাসদেবনা মশা অদু শেংদোক্লগা অমুক হন্না আচমন তৌদুনা গনপতিবু ধ্যান তৌনা নিংখিরম্মী। থুমিং কয়ানি হৌথ্রবা মতুংদা গনপতিনা ব্যাসদেবগী মমাংদা ফাওরক্লগা হায়রকই, "ব্যাস, নংগী অপাম্বা করিনো হায়য়ু ?"

ব্যাসদেবনা মখুৎ লোম্নদুনা খুরমজরগা হায়জরকই, "হে গনপতি ইবুংঙো, ননাইনা ইতিহাস অমত্তংগী মচাকপু ননাইগী পুক্লিং অসিদা ফাজিন্দুনা থমজরি, মসি ননাইনা লাইরিক অমা ওইনা পুথোকচরগে খনবদা অরাবা অমা ওইরে, মরমদি ননাইনা

য়ারি অসি চিনফ. ব্রং ব্রং থিরগা ননাইগী চিল্লহায় মতুং ইন্না পরপ পরপ কলম থাবা ঙমগদবা কনা লৈবগে থিজরকপদা, ইবুংঙো গনপতি নত্তনা. অতৈ কনা অমত্তা লৈতে হায়না পিতামহ ব্রহ্মানা ননাইদা তাকপিরম্বদগী ননাইনা ইবুংঙোবু নিংজরকপনি। মরম অসিনা ননাইগী চিল্লহায় মতুংইন্না ইবুংঙোনা কলম থাবিয়ু।"

ব্যাসনা মাগী থম্মোই অদু শেংনা হায়জরকপা মতৌ অদু উবদা গনপতিনা হায়রকই, "ফরে, নংনা হায়বা মতুংইন্না ঐহাক তৌবিরগে, অদুগা তৌবতদি নংনা ঐগী কলমদি লেপহনবা য়ারোই, হায়বদি নংগী নচিল অদু লেপ্পা য়ারোই। ঐনা হায়রিবা য়াফম অসি নংনা শোইদনা ঙমগনি হায়রবদি ঐহাক নংনা হায়বা মতুং ইন্না তৌবিগে।

ব্যাস দেবনা মথুং লোপ্পা হায়জরকই, "তাকপিবিব অদুমক থোক্লনবা ঐহাক হোৎনজগে. অদুগা তৌবতদি ইবুংঙোস্মু ঐনা থিংরক্লিবা য়াহৈশিং অদুগী অর্থতদি খংলগা ইনিয়ু।"

মতৌ অসুম্না অনিনা য়ানরবা মতুংদা খ্বাইদগী হেন্না চাউনা ফজরব মহাভারত কৌবা ইতিহাস অসি ইবা হৌথি।

মরক মরক্তা বেদব্যাসনা মাগী য়াথলগী পবিং অদুনা তৎলক্কদবা মতৌ হেক লাকপা মতমদা অর্থ খবা লুনা থোক্কদবা শ্লোকশিং হেক হেক থিজিলদুনা গনপতিবু য়াখল খলহল্লংখী। মতম অদুদা ব্যাসদেবনা শ্লোক কয়ামুক মাগী মপুক মনুংদা শেমহৌই। মতৌ অসুম তৌনা মহাভারত কৌবা অচৌবা ইতিহাস অসিগী মশক অদু অনি চংদুনা শেমখিরম্মী।

অস্লুম্না মথং মথং হায়নরকই মচুদি মহাভারতকী রাবি অসি দেবর্ষি নারদনা লাইবৈবাক্কী লাইশিংগী মফমদা রাবি ওইনা লিবিখি, শুকদেবনা গন্ধর্ব্বশিং, রাক্ষসশিং অমস্তুং যক্ষশিংগী মফমদা তম্বীখি হায়না। বেদব্যাসদেবনা অহোইবা পকন্না বৈশম্পায়ন্না তাইবং মীওইবশিংগী অফবা অমদি কান্নবা অতু ফংজহৌনবা হাযত্রুনা ফোংদোকপিবম্মী। নিংথৌরেন পরিক্ষীৎকী মচা জন্মেজয়গী যজ্ঞগী সভাদা বৈশম্পায়ন্না মহাভারতকী রাবি অসি লিবিখি। সূতনা অমুক নৈমিষারন্যদা শৌনকনা লুচিংলুনা লৈরিবা মুনি ময়ামগী মফমদা মহাভারত অসি লিবিখি।

মহাভারতনচিংবা ইতিহাসশিং, পুরাণশিং অমদি বেদশিং কয়াবু ইবা অমদি শেম্বা লোইবনা মতুং অসি ফাওদ্রা। বেদব্যাসকী মপুক্কিং অসি চরাং-খোইরানিদুনতা লৈরম্মী ভাইহাক্তা শান্তি ফংনা লৈতানা লৈবা ওমখিদে। মহাক্না মীওইবা সমাজগী কান্নবগীদমক্তা পাওজাক রাবি কয়া ইবিবম্মী। তীর্থ চৎপগী কান্নবা অমদি তীর্থস্নান তৌবগা পাপ কোকপা অসিনচিংবা পুন্য ফল ফংবগী মবমদস্তু থোইদোক হেন্দোক্না শন্দোক্না ইত্তনস্তু থম্বিবম্মী যজ্ঞ, দান তৌবগী কান্নবা অমদি মীওইবা পুন্নিগী আশ্রম মরিগী কান্নবা অসিনচিংবা হিরম কয়াস্তু ইরম্বতা নত্তনা চৎস্তু চৎনহনম্মী। অদুবু মাগী মপুক্কিং অসিদা করিগুম্বা অমা ইরাং রাংনা, খোইবাং খোইশাওদুনতা লৈবম্মী। মাগী রাথলনা পল্লেপফম থংদনা লৈরক্লবা মতম অসিদা দেবর্ষি নারদনা মচিন্দা নারায়ণ নারায়ণ শোন্দুনা মাগী মমাংদা ফাওরক্লম্মী। বেদ-ব্যাসনা হরাও হরাওনা তবাম্না দেবর্ষিবু ওকচরগা কুশগী আসন অমা

থাহ্না ফমহল্লম্মী। দেবর্ষিনা আসন্দা ফম্নগা মোমোন নোক্লা বেদব্যাসতা হায়রকই, "ইবুংঙো কৃষ্ণ দ্বৈপায়ন, করি ভৌরে, নপুক্লিং খোইরাংনা নমাই লাংশিল্লা উবদি করম্বা ননিং থুংদবা লৈবগে? নত্রগা, করম্বা পুরাণ ইতিহাস অমা অমুক ইনিংবগী ব্রাখন্দা নপুক্লিং অহু লাংতক্করিব্রা?"

দেবর্ষিনা ব্যাস মাগী পুক্লিংগী অৱাববু খংনা ঙাংলকপা মতৌ অহুদা মখুৎ অনি লোম্লনা হায়জরকই, "ননাইনা জগৎকী অমদি ভাইবং মীওবশিংগী কান্নবা অমদি য়াইফনবা থন্দুনা ঙসি ফাওবা লেপ্তুনা থবক তৌহ্না লাকচরি, অহুবু ননাইগী পুক্লিং অসিদা অয়িংবা কৌবা শরুক্তুদি মরৈখিদ্রে—দেবর্ষিনা ননাইগী অৱাবসিগী মরম অহু ফোক্লবা তাকপিরম্মু।"

দেবর্ষি নারদনা মোমোন নোক্লগা হায়রকই, ইবুংঙো কৃষ্ণ দ্বৈপায়ন, তাও মরম অহু হায়গে, নংনা ঙসি ফাওবদা জগৎ জীবশিংগী কান্নবনি হায়হ্না ইরিবা পুরাণ, ইতিহাস অমদি বেদনচিংবা পুম্নমক অসিদি চুম্নতগী মন্ত্র ওইনা ব্রারি ওইনা ইবনি, মসিগী মনুংদা প্রেম, ভক্তি অমদি শ্রদ্ধাগী ওইবা, মক ওইবা মীওইবগী পুক্লিংবু ইংহনবা ঙম্বগী শরুক অহুদি য়াওদে, মরম অহুনক্তনা নংগী নপুক্লিংদা অয়িংবগী শরুক অহু ফংবা ঙমদবনি। নংগী নপুক্লিংদা ইংনা শান্তি ফংনা লৈগে নিংলবদি জগৎ সংসারগী মপু ইবুংঙো মানা পৃথিগী অরুম্বা শরুক অসি লোথোক্লবগীদমক্তা শায়ওন তৌনা লাকখিবা, বসুদেবগী মচানুপা নিপাল শুবা, বাসুদেব শ্রীকৃষ্ণগী মরমদা ইরম্মু। মহু তৌরগা নংগী নপুক্লিংনা প্রেম,

ভক্তি অমদি শ্রদ্ধা করিনো হায়বতু নিংথিনা থংবা ওমজরক্কনি। অতুবু অতুম্নদি ওইরবদা, নংনা হায়রিবা প্রেম, ভক্তি অমদি শ্রদ্ধা হায়রিবা অতুম অসিবু নিংথিনা থংবা হায়বসিস্থু থোইদোক্লা অক্লবা থবক অমদি ওইরম্মী। হায়রিবা অতুম অসিদি অরাবগী মশক ওইরবা তাইবংগী ঈপাক অসি লান্নবগী হৌগী মশক অতু ওইরিবনি। তাইবং মীওইবনা প্রেমগী মথল নিপাল হায়বদি সাখ্য, দাস্য, বাৎসল্য, অসিনচিংবা, শ্রদ্ধা মথল অতুম হায়বদি সত্ব, রজ, অমদি তমঃ, অমদি ভক্তি, মথল অতুম অসিবু নিংথিনা থংবা ওম্নবা যমাঃ অমসুং নিয়মাঃ চেকশিন্না ঙাক্তুনা চৎকদবনি।” যমাঃ অমদি নিয়মাঃ হায়বদি, অসিনি,—“অহিংসা সত্যস্তেয় ব্রহ্মচর্যা পরিগ্রহা যমাঃ।” জীবহিংসা তৌদবা, অচুম্বতা ঙাংবা তৌবা, মীগী মপোৎ হুরান্দবা, ইন্দ্রি খুতুম চনবা, অমদি তাইবংপানগী ওইবা পোৎশিংদা মীতাদবা অমদি পৈশিন্দবা, মঙা অসিবু যমাঃ অমুম্না থংনৈ।

“শৌচসংতোষতপঃ স্বাধ্যায়েশ্বরপ্রনিধানানি নিয়মাঃ।”

পুকচেল অমসুং হকচাং মনুং মপাল শেংবা, ইপেনতা পেনবা, অচুম্বা লম্বীদা মাইওনশিন্না ইচম চম্না লৈবা, বেদ তমতুনা লৈবা নত্রগা ঈশ্বরগী মমিং হন্না হন্না শোন্দুনতা লৈবা অমসুং ঈশ্বরবু নিংবা, মঙা অসিবুনা নিয়মাঃ হায়না থংনৈ।

পাওতাক ব্রাহৈশিং থরসি পিরম্মগা দেবর্ষি নারদনা নারায়ণ নারায়ণ হায়না মচিন্দা শোন শোন্দুনা অতিয়াগী লম্বীদা চৎখি। বেদব্যাসনা মকোক নোল্লা মখুৎ অনি লোন্ননা লৈজহৌই।

দেবর্ষি নারদনা লেংগ্রবা মতুংদা কৃষ্ণদ্বৈপায়ন বেদব্যাসনা

রাখল তৌনা তৌনা মাগী আশ্রমগী থাংপোক্তা লাক্লম্মী। মহাক্না সন্ধ্যাগী তৌগদবা মথৌশিং তৌবা লোইরবা মতুংদা শ্রীকৃষ্ণগী মরমদা খন্না খন্না পোথাখিরম্মী।

নোংঙাল্লকপদা বেদব্যাসনা হৌগত্নুনা মশা শেংদোক্লগা অয়ুক্কী তৌফম থোকপা সন্ধ্যানচিংবা মথৌশিং অদু পাংথোক্লম্মী। মতুংদা মহাক্না সরস্বতী তুরেনগী তোর্ব্বান্দা লৈবা অচিকপা উন্নুং অদুদা চংগ্রগা বাসুদেব শ্রীকৃষ্ণবু মাগী থম্মোইন্নুংদা চেংনা পুল্লগা ধ্যান তৌনা নিংবা হৌখিরম্মী। মতৌ অসুন্না বেদব্যাসনা থা কয়া শ্রীকৃষ্ণবু নিংজরকপা মতমদা নোংমদি মাগী থম্মোইদা, ভগবান শ্রীকৃষ্ণগী লীলাশিং—কংসগী কৈশুমশংদা পোক্লগা গোকুলদা থৈবা, খরা চাউরগা ব্রজবৃন্দাবন্দা লাক্নুনা ব্রজগোপ-গোপীশিংগী নরক্তা লৈদুনা লীলা শান্নবা, মথুরাদা অমুক হল্লক্নুনা কংস হাংলগা উগ্রসেনবু অমুক হন্না নিংথৌ হাপ্পা, মপা মমা বসুদেব দেবকী অনিগী নিংজবা আশা থুংহনবা, দ্বারিকাদা হোংলগা রুক্মিনী চেনবা, ভীম্ অর্জ্জুন পুদুনা মগধ কোন্নুংদা লাক্লগা জরাসন্ধ হাংপা, যুধিষ্ঠিরগী রাজসূয় যজ্ঞদা চেদী নিংথৌ শিশুপাল হাৎপা, সত্রাজিৎকী স্যমন্তক মণিগী হাক্তক্কা কৃষ্ণ বাসুদেবনা মণি থিবা চৎপদা জাম্ববতী অমদি মণি পুরকপা, মতুংদা সত্রাজিৎনা ইকাইদুনা মচানুপী সত্যভামা কংপা, অসিনচিংবা পুন্নমকসি মথং মথং ময়েকশেংনা মমি তারকই।

শক্তি পুন্নমক্কী মপু ওইবা, পুন্নমক্কী থম্মোইন্নুংদসু লেংদনা লৈবদগী জগৎকী অরোন-অথুপ পুন্নমক্কীসু মপু ওইবা, অমদি মরম পুন্নমক্কীসু মরম অদু ভগবান মহাক্তনা ওইরিবনি হায়বসি

বেদ ব্যাসনা খংলতুনা মাগী মপুক্লিংদা ফাওরক্লীবা ভগবান মাগী থৌদোকশিং অহুবু 'ভগবত' হায়না মিং থোন্দুনা লাইরিক ওইনা ইরগা পুথোক্লগে খল্লম্মী।

হন্দক্কী 'শ্রীমদ্ভাগবত' কী মতাং অসিদদি কৃষ্ণদ্বৈপায়ন বেদব্যাসনা কনাগী মতেং লৌদনা ইরম্মী। প্রেম, ভক্তি অমদি শ্রদ্ধা অহুম অসি চাং মান্নবা থম্লগা 'শ্রীমদ্ভাগবত' পু ইজখি। ইবা লোইবদা মাগী মপুক্লিংদা শান্তি কৌবী ইবেম্মনা তুংতুনা লৈজখি।

চহি কয়া চংনা বেদব্যাসনা 'শ্রীমদ্ভাগবত ইরবা মতুংদা মচানুপা শুকদেবদা তম্বিখি। শুকদেবনা অমুক মাগী পরুম্রাশিংদা তম্বীখি। নিংথৌ পরিক্ষীৎকী অরোইবা মতম হায়বদি মুনিগী মাচৈনা শিগদবা মুমিৎ তরেৎনিদা ঙাইরবা মতমদা শুকদেবনা মুমিৎ তরেৎনি অতুদা শ্রীমদ্ভাগবত অসি লোইনা থিতুনা নিংথৌবু তাহনখি। মতুবু ঙসি ফাওবা অসিদা শ্রীমদ্ভাগবত সপ্তাহ হায়না খংনতুনা শোন্নরিবা অসিনি। শ্রীমদ্ভাগবত অসি করম্বা থাদা করম্বা মতমদা করম্বা মফমদা তাগদগে হায়বতু পদ্ম-পুরাণদা নিংথিনা ইতুনা তাক্লম্মী।

শ্রীমদ্ভাগবত মহাপুরাণ অসিনা কৃষ্ণদ্বৈপায়ন বেদব্যাস দেবগী অরোইবা কলমনি হায়না হায়নবা তাবা ফংঙি। মসিনা মহামুনি অসিগী অরোইবা অহু ওইরবমু নত্রগা ওইত্রবসু মিংচত্তি স্বর্গ, মর্ত্য অমসুং পাতাল থুংনা ফাওখ্রে। মহাক অমর ওইরে।

কৃত্তির্যস্য সঃ জিবন্তি।

লোইরবা।

[illegible] :—

১। [illegible]

২। [illegible] ([illegible])

৩। [illegible]

[illegible] :—

১। শ্রী[illegible]

২। [illegible] শ্রীকৃষ্ণ।

৩। [illegible]